ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯤ ꯐꯨꯡꯒꯥꯋꯥꯔꯤ

মণিপুরী ফুংগাৱারী

সোরাম সনাতোম্বী



ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯤ ꯐꯨꯡꯒꯥꯋꯥꯔꯤ

মণিপুরী ফুংগাৱারী

য়ু জি সি-এস এ পি
মণিপুরী দিপার্তমেন্ট, মণিপুর য়ুনিভরসিতি

2

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯤ ꯐꯨꯡꯒꯥꯋꯥꯔꯤ

মণিপুরী ফুংগাৱারী

সোরাম সনাতোম্বী

কলচরেল রির্সচ সেন্টর মণিপুর

মণিপুরী ফুংগাৱারী
(ফুরুপ কয়াদগী খোমজিল্লকপা)
A Collection of Manipuri Folktales

অহানবা খুৎনম : মার্চ ২০১৪ ইং

অফোঙবা : কলচরেল রিসর্চ সেন্তর মণিপুর

মখুম : বীরেন্দ্রজিৎ নাওরেম

© : ২০১৪

ISBN 978-93-83201-09-9

মমল : লুপা ২৫০/-

নম্ফম : ইবোয়াইমা প্রিন্টর্স, মোইরাংখোম লোক্লাওবুং, ইম্ফাল।

৫

কৎচবা

ঐখোয়বু তাকপী তম্বীরম্বা

লমজিং লমতাকপীরম্বা

ইকাইখুম্ননা নুংশিজরবা

মণিপুরী দিপার্তমেন্তকী

লৈখিদ্রবা ওজা অনী

প্রোফেসর সি এইচ মণিহার সিংহ

অমসুং

প্রোফেসর আই আর বাবু সিংহ

অনীগী মফমদা

6

ৱাহৌদোক

মীওইবা খুন্নাইগা অমদি খ্বাইদগী অঙনবা মতমগী সিভিলিজিসনগা শাগোন্নরক্লবা ফোকলোরগী মচাক ওইরিবা ৱারী লীবা হায়রীবা ত্রেদিসন অসি মীওইবনা কাঙলুপ মচা মচা শেমগত্তুনা লৈরকপা মতমদগী চৎনরকপনি থাজনরি। অদুনা ফুংগাৱারী লীবা অমদি তাবা মালেমগী মীওইবা খুন্নাইদা মীরোল অমগী মথং অমদা থংথদুনা চৎনরকপা কলচরগী শরুক অমনি লোয়নন্না মীওই কাঙলুপ কয়াগী লৌশিংগী অমদি হরাও নুংঙাইগী পুক্কৈনি। ৱারী লীবা অমসুং তাবা হায়বসি মীওইবগী নুংপান অনীমক্তা ফাওবা (instinctive) লম, কুচু, লাইনিং লাইশোন খেন্নবগী পন কয়া লান্থোকতুনা চৎপা ঙম্বা য়ুনিভরসল ওইবা শক্লোন্নি। চুম্নগী মরা তাদুনা খুন্নাই লিংলবা মীওই কাঙলুপকীদা নত্তনা শারবা মরুভুমিগী লৈঙোই লমদমদা কোইনা চৎপা বেদুইনশিংগী মরক্তা, জিপসিশিং অমসুং উন্না দোম শারগা শাবা য়ুম ইগলুগী, মনুংদা সিলগী থাওনা মৈ থান্দুনা তুন্দ্রাগী লমদা লৈবা এসকিমোশিংগী ইংখ্রবা লমদুদসু ফুংগাৱারী লীনদুনা তানরি অমসুং তানরক্লি চহী চা কয়া কয়া। মসিনা তাকপদি ফুংগাৱারী হায়বসি মীওইবা জাতিগী ওরেল ত্রেদিসন অমসুং কলচরল সিভিলিজিসনগা শাগোন্নবা অচৌবা মচল অমনি।

অদুবু ফুংগাৱারী করম্বা মতমদগী লৈরকই, কনানা ইহান হান্না ৱারী অমবু লীরম্বনো হায়বা অদুদি কনানসু হায়বা ঙমদে। মীওইবা খুন্নাইগা লোয়নন্না অদুমক চৎথমিন্নরকই। ঙসি লীনরিবা ফুংগাৱারীশিং চহী কয়া খুন্নাই অমগী ইতিহাসকী তাংকক কয়া ফাওদুনা মচু মমেন হোংদুনা হিংলক্লবনি, অমদি হিংলক্লবা ঙাক্তনি। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না ফুংগাৱারীবু খোমজিল্লগা ইদুনা লাইরিক ওইনা ফোঙদোকতুনা লৈরক্লবসু, চীনবুংদা মশিং থিঙমদ্রবা ফুংগাৱারী কয়া লৈরি অদুগা কয়া অমনা ত্রেদিসন বিঅররশিং লৈতবদগী মাংখিবা য়াওখ্রবনি। থংথদুনা লাক্লিবা অসিনা মীরোল অমদগী অমদা মপু, মবেন, মমা, মপা, মনে, মখুরা, মন্দোনশিংদগী মথং মথং থংথদুনা লাকপনি। মীওইবনা লৈকু লৈরাইদা লৈরম্বদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লবা, জঙ্গলদা শাদানবা চৎপা, লৌউ-শিংউ তৌদুনা, শা-লানগী মতম কয়া অদুদা ৱারী লীদুনা তানবা হৌরকপা মতমদগী ফুংগাৱারীসু শেমজিন শাজিন্দুনা মীওইবগী ৱাখল (কল্পনা) দগী

8

শাগৎলকপা, করিগুম্বদা হকথেংননা থেংনবা থৌদোক কয়াবু নৌহৌননা তাবদা নুংঙাইবা অমদি তানিংহনবা অতোপ্পা ৱারী ওইনা লীথোকপগী চৎনবী কয়াদগী ফোকতেল হৌরক্লম্বা ওইরম্বা য়াই নৎত্রগসু, অসিগুম্বা ৱারী শেম্বা মতম অমা শাংনা মীওই কাংলুপশিংগী মনুংদা চৎথরক্লমবসু য়াই করিগুম্বা চাংদম্নদুনা মী অমগা অমগগী মরক্তা হেন্না হৈথোই শিংথোইবা মতৌ উৎনদুনা ৱারী লীবা তান্নরম্বসু য়াই। অহানবদা অপান্ননা মীওই অমগী মমিং ৱারী খরদা পকশিন্নরল্লবসু কোন্নথংদা মদুনা (ৱারী অদুনা)মীয়ামগী ওইনা তিনশিন্নখ্রবদা অহানবা পুথোক্লম্বা মী অমদুগী মমিং অদু কাওনখিদুনা মীয়ামগী অমদি খুন্নাইগী ওইনা ৱারীদু লৈহৌবা অসিগুম্বা থিঅরি কয়া ফুংগাৱারীগী রিসর্চতা পুশিল্লকপা তঙাইফদনা চঙই।

ফুংগাৱারীবু কল্পনানা শাগৎলগা লীবনি হায়রদুনা উইলিয়ম আর বেসকোম্না "Folktales are prose narratives which are regarded as fiction."(Bascom 1981:97) হায়না শম্না ফোঙদোকই। মতাং অসিদা থোইদোক হেন্দোক্লা ফুংগাৱারীগী এক্সপার্তনি খঙনবা ফোকলোরিস্ত স্তিথ টোমসন্না ফুংগাৱারীবু অসুম্না অমুক শকতাক্লম্মী:

The term folktale as used in English is very inclusive. No attempt has ever been made to define it exactly, but it has been left as a general word referring to all kinds of traditional narrative.

(Leach 1984:408)

অদুবু অমুক্কসু *Encyclopedia of Folklore and Literature* দা ফোকতেলবু অসুম্না হায়রি:

A folktale is a traditional fictional narrative told primarily for entertainment. "Tradition" means "handed on," and a folktale is manifested in diffferent texts (called variants) of the same story.

(Ellen and Rosenburg 1998: 219)

ঙসি মালেমদা ফাওরিবা মীয়াম্না শকখঙনরিবা ৱারীশিংগী মনুংদা অরবিঅন নাইতসকী (অহিং লিশিং অমগা নোংমগী) ৱারীশিং, এসোপ ফেবলস, গ্রীমস তেলস অদুগা ভারতকী পঞ্চতন্ত্র (*Panchatantra*),

কথাচরিতসাগর (*Kathasaritasagara*), বেতাল পঞ্চবিংশতি (*Betala Panchabimsati*) জাতকগী (*Jataka*) ৱারীশিং অসিনচিংবনি। পৃথিবীদা ফঙলিবা ফুংগাৱারীশিংগী মখল মথেল য়াম্মী। অচম্বা থৌদোক অমদা শাগৎপা সিঙ্গল মুভ ওইবা ৱারীশিংদগীনা কমপ্লেক্স ওইবা যাদু মন্ত্রগী ৱারী চুম্নগী শদিং ৱারী অমদগী হেন্দোক্কুনা মলতি মুভ য়াওবা থৌদোক পরেং অমা অমগা অমগা ইশম শম্ননা চেন ওইনা চৎথবা ৱারী অসিনচিংবনি। অসিগুম্বা মখল মথেল কয়া য়াওরবা ৱারী কয়া ঐখোয়গী খুন্নাইদতা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা জাতি কয়াগী মনুংদসু লৈরি।

'ফোকলোর' হায়বা ৱাহৈ অসি উইলিয়ম জোন টোম্‌সনা ইং ১৮৪৬ কী আগস্তকী তাং ২২ দা পুথোক্লকখিবা ওইরবসু ফোকলোরগী মনুংদা পাক চাউরবা মফম অমা কল্লিবা ফুংগাৱারীদি য়াম্না ঙল্লিথৈঙে মতমদগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা খোমজিন্দুনা ইথোকপা হৌখ্রে। ভারতকী ফুংগাৱারী মরিফুমরিমুক য়াওবা পঞ্চতন্ত্রগী ৱারীগী লাইরিক খৃস্তনা পোকত্রিথৈঙে চহী ২০০গী মমাংদা কাশ্মীরদা ইথোকখ্রবনি। অদুবু অরবিঅন নাইতসতি করম্বা মতমদা ইরম্মী হায়বা কনানসু হায়বা ঙমদে। অদুম ওইনমক য়ুরোপ্তা ইহান হানবা ওইনা এনতোইন গেলেন্দ (Antoine Galland) না ফেঞ্চতা ইং ১৭০৪ দা এান্সলেসন তৌদুনা নোংচুপকী মীয়ামদা খঙহনখি। এসোপস ফেবল হায়রিবা গ্রীসতা লৈরম্বা এসোপ (620 B.C - 564 B.C) না ইরম্বনি হায়নরিবা ফেবলগী ৱারীশিংগী লাইরিক অসিসু হেরোদোতসকী মমাংদা ইরম্বনি অদুগা ৱারী চনীয়াঙখৈমুক য়াওই (ভরজন তোঙান তোঙানবা লৈরি)। দিমেত্রিস ফেলেরস (Demetries Phalereus) না এসোপকী ফেবলশিং অদু খোমজিন্দুনা লাইরিক ওইনা খৃস্তগী মমাং চহী ৩০০ রোমদা পুথোকখি। ৱারীশিং অসিগী শরুক মরী থোকপগী মনুংদা অমদি ভারতকী জাতকগী ৱারীশিং অমসুং মহাভারতকী মনুংদা য়াওরিবা ৱারী খরগসু মান্নবা য়াওরি। *কথাচরিতসাগর* হায়রিবা ফুংগাৱারীগী লাইরিক অসিসু তরানিথোইশুবা চহীচাদা সংস্কৃততা কাশ্মীরগী সোমদেবনা ফেরিতেল অমসুং রোমান্সশিং খোমজিন্দুনা ইরম্বনি। অদুগা ৱারী চামঙাগা নিফুতরেৎ য়াওবা জাতকগী ৱারীশিং অসিসু বুদ্ধগী মপোক কয়াগী ৱারীশিংনা শাগৎপনি।

ফোকলোর নৈনবদা জর্ম্মনগী গ্রীম মচিন মনাওগী জর্ম্মন ফেরি তেলসকী লাইরিক *Kinder und Housemärchen* ইং ১৮১২ দা পুথোকখিবা অসিনা ফোকলোরগী রিসর্চতা সাইন্তিফিক ওইরে হায়নরিবনি। ফোকলোরগী রিসর্চতা ফুংগাৱারী হায়বসিনা কয়ামুক মরু ওইবগে হায়বদা ভারতকী পঞ্চতন্ত্রগী ৱারীনা য়ুরোপকী স্কোলরশিংদা অচৌবা ঈথিল পীখিবদগী য়ুরোপকী ফুংগাৱারীশিং অসি ভারত্তগী হৌরকপা ওইরমগনি হায়খিবগী মতাংবু স্তিথ টোমসননা অসুম্না ফোঙদোকই:

As early as 1838 Loiseleur Deslongchamps had suggested that the originals of the European folktales were probably to be found in India, but it was Benfey who took this suggestion and advanced it to a dogma.... This doctrine was so important for the scholarship of the next two generations that it calls for a translation of the whole passage. (Stith Thompson 1977:376)

মতৌ অসুম্না ফুংগাৱারীগী ইনাক য়াম্না খুনজবা ভারত অসি মালেমগী ওইনা ফোকলোর নৈনবগী অঙনবা মতমদা য়ুরোপকী স্কোলরশিংনা অকনবা মীৎয়েং থম্লকখিবা লম ওইরম্মী। অদুবু ফোকলোর নৈনবগী খোংজেন্না অসুম অসুম খুৎমাং চাওশিল্লকপা অনৌবা থিঅরি কয়া লৈরকপদগীদি মরু ওইনা 'মোনোজেনেসিস' তগী 'পোলিজেনেসিস' ত্রেন্দ লাকপদা ভারত্তা থম্লম্বা মীৎয়েং কায়থরকখি।

অদুবু ফুংগাৱারী খোমজিন্দুনা অর্কাইভস শেমগৎপা অমসুং ফুংগাৱারীবু নৈনবদি হৌজিক ফাওবা লেপত্রি। মেরিয়ন রোল্ফ কোক্স (Marian Roalfe Cox) না ইং ১৮৯৩ দা সিন্দেরেলা হায়না খঙনবা ফুংগাৱারী মখল অমগী খেন্নবা ৱারী ৩৪৫ খোমজিন্দুনা নৈনখি। ঙসি ফুংগাৱারীগী মখল খায়বদা লমজিং ওইনরিবা লাইরিক *The Types of the Folktale,* Antti Aarne না ফিন্নিশ লোন্দা ইং ১৯১০ দা *Verzeichnes der Marchentypen* মিংথোন্দুনা ইরম্বদগী মালেমগী ওইনা ফুংগাৱারীগী হীরমদা মমিং লৈখিবা ফোকলোরিস্ত স্তিথ টোমসন্না ইংরাজীদা হন্দোকপগা লোয়ননা অতোপ্পা লমগী ৱারী কয়া হাপচিন্দুনা পাকথোক চাওথোকহনখি। অসিতা নত্তনা ফুংগাৱারীগী কংগ্রেস অমা লুন্দদা ১৯৩৫ দা ফমখিবা মীফম্না লাইরিক অসিদা কোনশিল্লমদবা অতোপ

অতোপ্পা লৈবাক্কী ফুংগাৱারী কয়া হাপচিন্দুনা পাকথোক চাকথোকহন্নবগী থবক অমুকসু শিন্নখি মতম অদুদগী হৌনা স্তিথ টোমসন্না পাকচাউরবা ভারতকী ৱারীশিংগী তাইপ অমা শেম্বা চংঙি হায়রদুনা কংগ্রেস অদুগী লোয়শিল্লকপদা তাইপ ইন্দেক্সকী পাকথোক চাওথোকহনবগী থৌদাং লৌবগা লোয়ননা নোংপোক অমসুং নোংচুপকী তাইপ ইন্দেক্সকী মশক খঙননবা ভারতকী তাইপ ইন্দেক্স শেম্বগী থবকসু চংশিনলকখি। স্তিথ টোমসন্না ৱারেন রোবর্তসকা লোয়ননা *Types of Indic Oral Tales* ইং ১৯৬০ দা ইখি। অদুগা ইং ১৯৬১ দা হন্না ইরকখিবা তাইপ ইন্দেক্সতা রাসিয়া, ফ্রান্স, স্পেন, আইসলেন্দ, লিথুঅনিয়া, লাতভিয়া, সুইদেন, জর্ম্মনি, ইতালি, তর্কি, ইন্দিয়া, চেকোসলোভাকিয়া, হঙ্গেরি, রুমানিয়া, অমদি স্পেনিস অমেরিকা য়াওনা পুথোকপা ঙমখি। অসুম্না মালেমগী ফুংগাৱারীশিংগী মখল খায়দুনা নৈনবগী চাওরবা একাদেমিক এদভনচর অমা স্তিথ টোমসন্না পাঙথোকখি। মরক অসিদা ফংগাৱারীগী থিজিনবদা অচৌবা শিংথানিঙাই ওইবা রিসর্চ অমদি এন্না বর্গিতা রুথ *(Anna Birgitta Rooth)* কী *The Cinderella Cycle* হায়বা লাইরিক অমা সিন্দেরেলা মখলগী ৱারী ৭০০ খোমজিল্লগা নৈনদুনা ইং ১৯৫১ দা পুথোকখিবা অসিনি।

হৌজিক্কী মতমদা আমেরিকা, য়ুরোপ অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংদদি ফোকলোর রিসর্চকী মপুংফাবা ৱাখল্লোন লৈবনা মখোয় মখোয়গী ফুংগাৱারী অমদি অতোপ্পা ফোকলোরগী মচাকশিং ফোকলোর আর্কাইভসতা য়াম্না সাইন্তিফিক ওইনা রিসর্চকী দেতা ওইবা য়াবা মওংদা মোর্দন ইলেকট্রোনিক্স মেচিনগী মতেংনা চহী কয়াগী মমাংদগী লীদুনা থম্লক্লী। অদুনা হৌজিক্কী মতমগী মখোয়গী রিসর্চরশিংনা ফোক এপিক্কী ঈশৈ হৌজিক শরুদ্রবসু আর্কাইভসতা খোমজিন্দুনা লৈরবা দেতাদা রিসর্চ তৌরি। মসিমক ফোকলোর রিসর্চকী মনুংদা য়াম্না এদভান্স ওইবা খোংথাংনি।

ঐখোয়গী মণিপুরদসু ফংগাৱারী লীবগী চৎনবী অসি থাইন মমাংঙৈদগী চীনবুংদা হিংদুনা লৈরকপা ত্রেদিসন অমনি। নিংশিংবা থোক্রবা মতমদগী ফুংগাগী অকোইবদা ফমদুনা অঙাংশিংনা ইবেনবোক অমদি ইপুবোকনা লীবা ৱারীশিং নুমিদাংদা তাবা চৎনরকই। লৈকাইগী ৱারী লীবা হৈবা খুরা, মাম্মা কয়ানসু ৱারী লীদুনা তাহল্লকই। ইমা, ইপা, ইচে, ইনে কয়াগী মফমদগীসু

তোইনা তোইনা ৱারী তারকই। থাবল ফবা নুমিদাংগী মতমদা শুমাংদা ফমদুনা ৱারী লীবা চৎনরকই। হৌজিক্তি পুন্সি মহিং চাওনা হোংলকপা মরমনা ফুংগা লৈনদ্রে, অমসুং শিন্থা য়াম্বনা মহৌশাগী ত্রেদিসন কয়া মাংথখ্রে। চীনবুংদা তানরম্বা ফুংগাৱারী কয়া মেদিঅগী মতেংনা লীনরি অমসুং ফুংগাৱারীবু লাইরিক ওইনা ফোঙদোক্তুনা পানরি। অদুম ওইদুনসু ফুংগাৱারী লীবগী চৎনবীসু লৈবদি লৈরি। অসুম্না চীনবুংদা লীনরম্বদগী অহানবা ওইনা ফুংগাৱারীগী লাইরিক মণিপুরীদা পুথোকখিবদি রাজকুমার স্নাহল সিংহগী ইং ১৯৫৬ তা ফোঙখিবা "ফুঙ্গাৱারী" হায়বসিনি। মসিগী মতুং তারকপদা লন্না লন্না ফুংগাৱারীগী খোমজিনবা লাইরিক তপ্পা তপ্পা থোক্লকখি। চহী খরগী মমাংদগী হীরম অসিদা থৱায় য়াওনরক্তুনা ফুংগাৱারীগী লাইরিক মশিং য়াম্না পুথোক্লক্লি। অদুবু মণিপুরী দিপার্তমেন্তনা য়ুনিভরসিতি গ্রান্তস কম্মিসনগী স্পেসিয়েল এসিস্তেন্ত প্রোগ্রামগী (SAP) হীরম অহুমদা চহী মঙা (1-4-2009 to 31-3-2014) ফাওবা চৎথরকপা প্রোজেক্টকী শরুক অমা ওইনা চংশিনবা ফোকলোরদা থিজিনবগী হীরমদা ফুংগাৱারী খোমজিনবা অসি অমনি। মরমদি ঙসিগী হোংলক্লিবা মণিপুরী খুন্নাইদা ৱারী লীবগী চাং হনথরক্লবা মতমসিদা ফুংগাৱারী খোমজিনবা হায়বসি তঙাইফদবা খোঙথাঙ ওইরক্লি। মণিপুরী দিপার্তমেন্তনা পুথোকচরিবা ৱারী ১০৪ য়াওবা "মণিপুরী ফুংগাৱারী" হায়বা লাইরিক অসিদা মণিপুর অমদি মণিপুরগী মপান্দা (মৈতৈ কাঙলুপকী মনুংদগী) ফিল্ডদা চৎতুনা খোমলকপা ৱারীশিং য়াওরি। ৱারী খোমলুবা লমশিং অদুদি- ঙাইখোং, কোংবা, খুরাই, ক্বাকৈথেল, হিয়াংলম, থৌবাল, ৱাংজিং, ঙাকচ্রৌপোকপী, বামোন কম্পু, ঘরী, তৌবুল, বাশিখোং, শিংজমৈ, নোংপোক সেকমাই, হাওকীপভেং পেলেস কম্পাউন্দ, চোথে খুন, আইমোল খুন, কোম কৈরাক, চীঙ্গারম (শিসুরিয়া, ৱেস্ট ত্রিপুরা) অসিনচিংবদগীনি। লমদমশিং অসিগী পুকচেল চাওরবা চাওরবী মণিপুরী ফোকলোরগী 'একতিভ বিঅরর' ওইবিরীবা মীওইশিং অসিনা ঐখোয়না ৱারী লীবিয়ূ হায়রুবদা হরাও হরাও য়াবীদুনা ৱারী কয়া লীবিরকতুনা ফুংগাৱারীগী লাইরিক অসি পুথোকপা ঙমজবনি। মসিগীদমক ইনফোর্মেন্ত ওইবীখিবা পুন্নমকপু তৌবিমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎচরি। অদুগা ৱারীশিং অসি প্রোজেক্তকী কোওর্দিনেতর, দিপুতি কোওর্দিনেতর, দিপার্তমেন্তকী ওজাশিং, প্রোজেক্ত ফেলো, দিপার্তমেন্তকী রিসর্চ স্কোলরশিং অমদি

ছাত্র-ছাত্রীশিং য়াওনা মফম কয়াদা ফিল্ড ৱার্ক কয়ারক চৎলগা খোমখিবনি। খোমজিল্লুবা ফুংগা-ৱারীশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা লমশিংদগী খোমলকপা চপমান্নবা ৱারীশিংসু হাপলি। মসিগী মরমদি ফোকলোরদা 'ভেরিঅন্ত' নৎত্রগা 'ভরজন' হায়বসি য়াম্না মরু ওই। অমরোমদা লম খেন্নবগী মতুং ইন্না চপমান্নবা ৱারীদা খেন্নবা খরা লৈবা নৎত্রগা ৱারী মনুংদা মান্নরগা ৱারী মমিংদা খেন্নবা অসিনচিংবা অসি ফুংগাৱারীগী মহৌশানি। অসিগুম্বা লম খেন্নবগী মতুং ইন্না ৱারী অমগী তোঙান তোঙানবা ভরজনশিং অদু সিমনা চুম্মী সিমনা লাল্লি হায়না লৌবা য়াদে। অসুম্না খেন্নবা ভরজন অসি য়াম্না ফংলিবমখৈ মীওই কাঙলুপ অদুগী ফোকলোরগী মচাক ইনাক খুনবনি হায়না ফোকলোরিস্তশিংনা লৌই। ফুংগা-ৱারীগী অঙকপা অমদি তারিবা পুম্নমকতা অহল নহা খাক্তনা নুংঙাইবা পীবা অসিনি। হন্না হন্না তারবসু ৱারীদু লীবা হৈবা অমনা লীবা মতমদা হেন্না নুংঙাইনবা মচাক কয়া হাপচিন্দুনা লীরকপদা নুংঙাইহনবতা নত্তনা হান্ন লীখিবদগী অহোংবা খরা অদুমক য়াওগনি। অদুনা ফুংগাৱারীদা হাপতোক হাপচিন তৌবা, মী অমনা লীবগা অতোপ্পা মীওই অমনা লীবগা অমদি নুপানা লীবগা নুপীনা লীবগা খেন্নবা কয়া লৈবা হায়বসি ফুংগাৱারীগী হৌনশানি। "মণিপুরী ফুংগাৱারী" হায়না পুথোক্লিবা লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারী পুম্নমক অমুক্তা তানখিদ্রিবা ৱারী ঙাক্তদি নত্তে। হান্নদগী তানদুনা লাক্লবা ৱারী কয়া য়াওরবসু লাইরিক অসিনা পীগদবা কান্নবা অমদি অতৈ ফুংগাৱারীগী লাইরিকশিংনা পীবা ঙম্লোইদবা মণিপুরী ফুংগাৱারীগী রিসর্চকী দেতা ওইনা তুংগী মীরোলদা পীননবা হোৎনবা অসিনি। য়াওরিবা ফুংগাৱারীশিং অসিগী লীনরিবা লম, লীরিবা মীওই, খোমখিবগী শোক তারিকনচিংবা নিংথিনা হাপলিবা অসিনা লাইরিক অসিমক মণিপুরী ফুংগাৱারীগী আর্কাইভস মচা অমা ওইরবনি, মীৎয়েং কয়াগী রিসর্চকী দেতা ওইবা য়ারবনি। ফোকলোর রিসর্চকী অহানবা খোংথাং সাইন্তিফিক ওইবা দেতা খোমজিনবগী পান্দম অদুগী মীৎয়েংদা পুথোকপা লাইরিক্নী। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারীশিং অসিনা রিসর্চকী দেতা ওইরগা চংশিনবা য়াবা অনৌবা মাইওনশিংদি- ইথনোগ্রাফি স্তদি: চাকচা-ইথক, য়ুমলৈ-কৈরৈ, থাজনবী কয়াগী মরু ওইবা মচাক কয়া পুথোকপা; চাংদম্নদুনা খেন্নবা, মান্নবা কয়া পুথোক্তুনা ভেরিঅন্ত শাগৎপদা অমদি লম লমগী, মফম মফমগী তোপ তোপ্পা মশক লেপথোকপা; অমুকসু ৱারীশিং অসিগী তাইপ

14

অমসুং ৱারী মনুংদা য়াওরিবা মোতিফ কয়া ক্লাসিফেকেসন তৌবা; স্ত্রকচরেলিজমদা মীৎয়েং থল্লগা প্রোপ, লেভি-স্ত্রাওসনচিংবগী মোদেল শাগত্তুনা অনৌবা রিসর্চকী মণ্ডাল পীবা; নুংগী ওইবা অর্থ পুথোক্লবা পান্দমদা সাইকো এনলাইসিসনা অচৌবা খুৎলাই ওইহন্দুনা কান্নরবা খুন্নাইগী শক্তম কয়াবুসু ৱারীশিং অসিদগী লংলা লংজিন কয়া চিংথোকপা; অসিতা নত্তনা ময়াই, মতাই অনীগী মুক্লবা, কলোনিঅল শক্তি অমসুং খুন্নাইগী মনুংদা লৈরিবা হিগমনি অদু মার্ক্সিস মেথদ শিজিন্নদুনা দিস্কর্সিভ প্রেকতিশকী শক্তম উৎপা; মসিগা ইরোইননা রেস, ক্লাস, জেন্দরগী ফুমদুনা লৈরিবা ময়িশিং অদু পুথোকতুনা নৈনবা অসিনচিংবনি।

Work cited

Bascom, William R. *Contributions to Folkloristics.* Meerut: Archana Publications, 1981.

Thompson, Stith. "Folktale". *Standard Dictionary of Folklore Mythology and Legend.* Ed. Maria Leach, London: Harper and Row Publishers, 1984.

Goldburg, Christine. "Folktale". *Encyclopedia of Folklore and Literature*. Eds. Marry Ellen Brown, and Bruce A. Rosenburg, California: ABC-CLIO, 1998.

Thompson, Stith. *The Folktale* Los Angeles: University of California Press,1977.

মণিপুরী দিপার্তমেন্ত
মণিপুর য়ুনিভরসিতি, কাঞ্চিপুর
মার্চ ২০১৪

এস. সনাতোম্বী
কোওর্দিনেতর
য়ু জি সি-এস এ পি

ACKNOWLEDGEMENT

I am thankful to the following institutions and individuals:

The University Grants Commission for providing financial assistance to the Department of Manipuri, Manipur University under the scheme of Special Assistance Programme (SAP) to enable to pursue research and other academic activities for qualitative development in both teaching and research.

The authority of Manipur University for various facilities and support extended to the SAP – DRS–1 for a period of five years.

The faculty members, more especially Dr L. Birjita Devi and Dr K. Shantibala Devi for proof reading, research scholars, students and staff of the Department of Manipuri, Manipur University, the Project Fellow and the Secretarial Assistant of SAP for extending help and assistance during the tenure of five years and while producing this book.

16

য়াওফম তাকপা

17

	হীরম		লমায়
১।	খুদোম্বীগী মপান্না নুংঙাইবা	—	১
২।	ৱাতোন লাইমু	—	৬
৩।	সনাগী ঙা	—	১০
৪।	নিংথৌ মচা ওক মানবা পোকপগী ৱারী	—	১৪
৫।	রাজকুমারনা সনাগী তেনৱা, মন্ত্রীগী মচানা শজি খুরাংয়াই ওনবগী ৱারী	—	১৯
৬।	মোনা পাঞ্জী	—	২৪
৭।	অপুনবনা পাঙ্গলনি	—	২৭
৮।	চানিংমল্লবদি লেক্তুনা তোকই	—	২৯
৯।	হনুবা হনুবী পান থাবা	—	৩১
১০।	তেনৱাগী ৱারী	—	৩৩
১১।	কবুই কৈওইবা	—	৩৭
১২।	কতন্না ইনাকখুনবা	—	৪০
১৩।	তপ্তাগী ৱারী	—	৪৩
১৪।	লাই খুৎশাংবী	—	৪৫
১৫।	রাজকন্যাগী ৱারী	—	৪৭
১৬।	লাইফদিবীগী ৱারী	—	৪৯
১৭।	সতী	—	৫১
১৮।	হুরানবা অচৌবা সুমন্তা	—	৫৫
১৯।	মুণি অমদি উচি	—	৫৮
২০।	লুখ্রাবী মচা	—	৫৯
২১।	হঙোইদগী মী ওনবা	—	৬৩
২২।	নুপী মৱা লৌবা	—	৬৭
২৩।	অরিকপগী সনা মতুম	—	৬৯
২৪।	শীংজং	—	৭০
২৫।	লৈশাবী তরেৎ	—	৭২

18

২৬।	হৌদোংদা তাবা দশা	—	৭৬
২৭।	পোইরৈতোন অমসুং পান্থোইবী	—	৭৮
২৮।	কন থৌরবা য়াম্বেম লাবা	—	৮০
২৯।	ঙা ফাবা অমসুং হিংচাবা	—	৮৩
৩০।	শেম্বাংনা তাইবংমীগী ময়ুমদা লৈবা	—	৮৬
৩১।	লৌশিং তান্নবা	—	৮৮
৩২।	লাইফদিবীগী বর	—	৯০
৩৩।	সনা থাবা	—	৯৩
৩৪।	মরুপ তরেৎনা শীঙ চনবা চৎপা	—	৯৫
৩৫।	পৈশাদগী মহে হৈবনা কান্নে	—	৯৯
৩৬।	মীগী মরন তোনবা	—	১০৪
৩৭।	লানদবনা জয়নি	—	১০৭
৩৮।	য়েনখা পাওদাবী	—	১১১
৩৯।	শন্দ্রেমবী - চৈশ্রা	—	১১৪
৪০।	লমহুই লৌশিং	—	১১৯
৪১।	হিংচাবা অমসুং অঙাং অহুম	—	১২০
৪২।	থুমলোৎপা অপঙ	—	১২৪
৪৩।	কবোক্কী নোং	—	২২৬
৪৪।	ইতা থাউমৈ	—	১২৮
৪৫।	নুপা অহুম	—	১৩১
৪৬।	য়োং অমসুং অঙাং	—	১৩৪
৪৭।	অপঙবা ময়াম্বা	—	১৩৬
৪৮।	নিঙোল মৱা অপঙ	—	১৩৯
৪৯।	উচেকশিংগা ৱারী শানবা ঙম্বা নুপামচা	—	১৪৩
৫০।	য়ু ঙাওবগা কানি চাবগা	—	১৪৫
৫১।	শজিগা ক্বাকক মতা শান্নবা	—	১৪৮
৫২।	থেবা লৌশিং	—	১৫১
৫৩।	লুখ্রাবী অনী মতা শান্নবা	—	১৫৩
৫৪।	শামু অঙৌবগী মচানুপী	—	১৫৬

৫৫।	পেবেৎ অমসুং হৌদোং লম্বোইবা	—	১৫৯
৫৬।	তেক তেক পাল	—	১৬১
৫৭।	নুপী ফত্তবা	—	১৬৪
৫৮।	য়োং	—	১৬৬
৫৯।	চুচুকোম	—	১৬৯
৬০।	তোমপোক	—	১৭১
৬১।	য়েক্লবা	—	১৭৫
৬২।	লুখ্রাবী মচা চন্দ্রকংনাল	—	১৮০
৬৩।	কতনগী লাইবক	—	১৮৫
৬৪।	ভাবনা দোলান শাবা	—	১৮৯
৬৫।	ওজাগী থৌজাল	—	১৯১
৬৬।	পোমভ্রি হিকমাবী মোমপাক য়াহৌথেং	—	১৯৩
৬৭।	লৌশিং তান্নবা	—	১৯৫
৬৮।	কৈগী মকোন্দা লমহুইনা মচা পোকশিনবা	—	২০০
৬৮।	খমব্রাংচাক্লা মপাম চৎপা	—	২০৩
৭০।	মানা মানা তৌজবদি মানা মানা ফংই	—	২০৬
৭১।	পারা অমা তম্বীবা	—	২০৯
৭২।	ঙা ফাবা নুপা	—	২১২
৭৩।	অপঙবা মনাউ	—	২১৫
৭৪।	পান থাবগী ৱারী	—	২১৮
৭৫।	তপ্তাবী	—	২১৯
৭৬।	চুহী চাবগী ৱারী	—	২২০
৭৭।	অপঙগী ৱারী	—	২২৩
৭৮।	উচেক লাংমৈদোং মতুগী থাজনবা ৱারী (থাদৌগী ৱারী)	—	২২৫
৭৯।	লাং-লপকী ৱারী (থাদৌগী ৱারী)	—	২৩০
৮০।	আশিজোলনেং (থাদৌগী ৱারী)	—	২৩১
৮১।	গালঙম (থাদৌগী ৱারী)	—	২৩৯
৮২।	খুপতিংলে ঙম্বোম (থাদৌগী ৱারী)	—	২৪৮

৮৩।	চেমতাওপা [থাংজৌ ফেংবা] (থাদৌগী ৱারী)	—	২৫৩
৮৪।	লুংতুন মেথানু (চোথেগী ৱারী)	—	২৫৫
৮৫।	মবুং তরেৎকী মচলনুপী (চোথেগী ৱারী)	—	২৫৮
৮৬।	নাওনিয়া [অঙাং নিবা] (চোথেগী ৱারী)	—	২৬০
৮৭।	লুখ্রাবী য়ুম্ফম (চোথেগী ৱারী)	—	২৬২
৮৮।	জুমোং (চোথেগী ৱারী)	—	২৬৪
৮৯।	ঙমথা (চোথেগী ৱারী)	—	২৬৮
৯০।	চোথে থাঙৱায় পাখঙবনা চোথেদা মরু হুল্লম্বগী ৱারী (চোথেগী ৱারী)	—	২৭০
৯১।	অশিংবশিংনা অপঙবা লাক্লবগী ৱারী (চোথেগী ৱারী)	—	২৭২
৯২।	অরোং পুশনাও [পাখ্রাগী মচা] (চোথেগী ৱারী)	—	২৭৪
৯৩।	লাইরবা মচানা ইনাক খুনখিবগী ৱারী (চোথেগী ৱারী)	—	২৭৯
৯৪।	দাঙহুই (কোমগী ৱারী)	—	২৮৩
৯৫।	শা-উচেক্কী ৱারী (কোমগী ৱারী)	—	২৮৫
৯৬।	চেমচৌথৈপা [থাং ফেংবা] (কোমগী ৱারী)	—	২৮৭
৯৭।	পারকুং পারহোয় (কোমগী ৱারী)	—	২৮৯
৯৮।	জুলু মোসরো (মাওগী ৱারী)	—	২৯২
৯৯।	কাদিনি-কাজীনি (মাওগী ৱারী)	—	২৯৪
১০০।	তুলুজু (মাওগী ৱারী)	—	২৯৬
১০১।	ৱোনচুং (আইমোলগী ৱারী)	—	২৯৮
১০২।	পরিয়তে (আইমোলগী ৱারী)	—	৩০০
১০৩।	চেমচোংথৈতেপা (আইমোলগী ৱারী)	—	৩১২
১০৪।	সুইতিংলেং ঙম্বোম (আইমোলগী ৱারী)	—	৩১৫

খুদোম্বীগী মপান্না নুংঙাইবা

থায়না মমাংঙৈদা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। নিংথৌ অদুগী মচানুপী অহুম পোক্লম্মী। নোংমা নিংথৌদুনা মচানুপী অহুম অদুবু ৱা অমা হংগে হায়না কৌথোক্লম্মী। মচা নুপী অহন্দা ইবেম্মা নঙনা নুংঙাইরিবসি কনাগী মপান্ননো হায়য়ু হায়না হংলম্মী। মচানুপী অহন্দুনা ঙসি ঐনা নুংঙাইজরিবসি পাবুংগী মপান্না নুংঙাইজরিবনি হায়না খুন্লম্মী। নিংথৌ অদু মচাগী পাউখুমদুদা হরাউনা ইচাতনি হায়রম্মী। মচানুপী য়াইমদা অমুক ইবেম্মা নঙনা ঙসি নুংঙাইরিবসি কনাগী মপান্ননো হংলম্মী। মদুদা মচানুপী য়াইমদুসু মচে অহনদৌনা পাবুংগী মপান নত্তনা কদাইদগী নুংঙাইগনি খুন্লম্মী। নিংথৌদু য়াম্না হরাউরে। মচা অতোম্বীদা অমুক হংই, মচা অতোম্বীনা খুম্মী, পাবুং ঐদি খুদোম্বীগী মপান্না নুংঙাইবনি, পাবুংগী মপান্না নত্তে। ৱাহৈ অদু তাবদা নিংথৌদু য়াম্না শাওরম্মী। মচানুপী অতোম্বীদা ওনশিনদুনা নিংথৌনা নঙনা খুদোম্বীগী মপান্না নুংঙাইবনি হায়বদো নুংঙাইব্রা য়েংশি হায়দুনা শাওনা হায়রম্মী। নিংথৌনা মনাই খর কৌরম্মী। মনাইশিং অদুদা হায়রম্মী নখোয় চৎলু লাইরবা পাখং অমা থিয়ু , ময়ুম ইংখোল লৈতবা, মফি মরোল লৈতবা য়াম্না নংবা নুপাদু ফারগা পুরকউ , ইচা অতোম্বীসি মঙোন্দা পীরনি। মনাই ময়ামদো কোয়না চৎতুনা লাইরবা নুপা থিবা হৌরম্মী। অসুম থিবদা নোংমদি য়াম্না লাইরবা নুপা অমা থেংনরম্মী। মহাকপু ফাদুনা পুরক্লগা নিংথৌদা কৎলম্মী। নিংথৌনা লাইরবা পাখং, নঙোন্দা ঐগী ইচা অতোম্বীসি পীরবনি হায়রম্মী। লাইরবা পাখং অদুনা করি ৱানো ইনিংথৌ ইবুংঙো, লাইরবা ননাই ঐঙোন্দা রাজ কন্যা পীবসি তৌবিগনু হায়না খুরুম্লম্মী। নিংথৌনা শাওদুনা মচানুপীদা রাজকন্যা অমগী ফিজোলশিং অদু শেৎহল্লমদে, মদুগী মহুত্তা লায়রবী অমগুম শেৎহল্লম্মী। মচানুপীবু করিসু পীদনা লাইরবা নুপাদুগা লোয়ননা কোনুংদগী তাম্থোক্লম্মী।

লায়রবা নুপা অদুনা নিংথৌগী মচা অতোম্বীদু পুদুনা চৎলম্মী। মানা অসুম অসুম লাকপদা খুঙ্গং অমগী ইংখোল অমগী মনিংদা ইংখোল মচেৎ অমদা যূম শারগা লৈবাক্তা উনা থারগা লৈরম্মী। মতম খর লৈরবা তুংদা নিংথৌ মচানুপীদুনা মাগী নুপাদা লৈবাক অমগী নিংথৌগী লৈকোন শেংবদা নোংমদা লুপা অমা পী হায়বা তাই, অদুনা ইবুংঙোনা হায়রিবা লৈবাক অদুদা চৎতুনা শেল তানবা ফৈ, ঐনা মফমসিদা লৈরগা অঙম্বা থবক শুদুনা হোৎনগে হায়রম্মী। লায়রবা অতনবা নুপাদুনা ফরে, ঐ চৎলগে হায়না নিংথৌ মচানুপীদুদা হায়রক্লম্মী। নিংথৌ মচানুপীদুনা অমুক্তা ঙাইবিখো করিগুম্বা পোৎ অমতা পীজগে হায়দুনা মাগী নুপাদা লৈহাউ অমা পীরম্মী। রাজকন্যা অদুনা নুপাদুদা লৈহাও অসিনা খুইরুম-খুইরুম তৌরক্লবা ঐগী হকচাং ঙমদ্রে অদুগা লৈহাও অসিনা কংলবা ঐ লৈত্রে হায়বা খঙবিয়ু, লৈহাও অসিনা তগৎ-তগৎ তেক্লা লৈরবদি ননাই ফরি খঙবিয়ু হায়না হায়রম্মী। অসুম্না পুকমেন পাওমেন্নরগা নুপাদু চৎখ্রে।

নিংথৌগী কোনুং চংলকপদা মালিনিনা নঙবু কনানো পারী মানবা ঙাইখো হায়না খান্নম্মী। নুপাদুনা করি তাকপীগদবনো হায়না খুন্নম্মী। মালিনিদুনা নঙবু কদায়দা চঙগে হায়বনো হংলম্মী। নুপাদুনা ইমা নিংথৌগী নাপী শেংবদা নোংমদা লুপা অমা পী হায়না তাজৈ অদুগী নাপী শেংগে হায়না লাকচবনি হায়না খুন্নম্মী। মালিনি অদুনা অদুদি ইমা ইচা লৈমিন্নসি। ঐগীসিদা লৈরগা থবক্তু শুরো হায়না হনুবীদুনা থম্বীরম্মী। অসুম্না মতম খর লৈরগা মমান্নবা খরনা মাগী লৈহাওদু উখ্রে। মমান্নবশিং অদুনা নিংথৌগী মফমদা চত্তুনা, ইনিংথৌ ইবুংঙো ঐখোয়গা থবক শুমিন্নবা নুপা অমদা লৈহাও অমা লৈ, হায়রিবা লৈহাও অসি ফনা কুইরে অদুবু য়েংবদা অদুম্মক তগৎ-তগৎ তেক্তুনা ফজনা লৈ হায়না তম্লম্মী। নিংথৌনা পাউদু তাবদা পাউ তম্লরিবা মখোয়দা নুপাদু কৌহল্লম্মী। নুপাদু নিংথৌগী মনাক্তা লাক্লম্মী। মহাক্লা নিংথৌগী মফমদা ননাই ঐ লাকচরে হায়না খুরুম্লম্মী। নিংথৌনা নুপাদুদা হায়রম্মী নঙোন্দা লৈহাও অমা লৈ হায় ঐ অমুক্তা য়েংগে হায়রম্মী। নুপাদুনা নিংথৌদা লৈহাওদু পুরক্তুনা কৎলম্মী। নিংথৌনা লৈহাওদু য়েংলম্মী

অদুগা লৈহাও অসি কদাইদগীনো হায়না হংলম্মী। নুপাদুনা ননাই ঐঙোন্দা ঐগী লোয়নবিনা পীরকপনি হায়না খুল্লম্মী। লৈহাও অসিনা খুইরগা "ঐ হকচাং ঙমদ্রে, কংলবদি লৈত্রে খঙবীয়ু" হায়না পীরকপনি। নিংথৌনা ৱাফমসি তারবা মতুংদা নুপাদুদা নঙগী নুপীদু মহারানী হাপকে ঐঙোন্দা পীরো হায়রম্মী।

নুপাদু মথৱাই ৱানা মাগী লৈফমদা হল্লক্লম্মী। মাগী লৈফমদা হল্লক্লগা নিংথৌগা মাগা শান্নরকপা ৱারী পুন্নমক মালিনি লৈরেংবীদুদা তল্লম্মী। অদুদগী মালিনিদুনা হায়রকই অদুদি ঐ ৱা অমা হায়গে নিংথৌদা অসুম্না হায়য়ু, ইনিংথৌ ইবুংঙো ফরে ননাইদু ইনিংথৌগী মফমদা কৎচরগে, অদুবু ননাইনা করিগুম্বা পোৎ অমত্তা হান্না ইনিংথৌগী মফমদা নিজগে। ইনিংথৌনা পোৎ অদু শোয়দনা পীগনি হায়না হান্না অমুক্তা ৱাশকপীয়ু। ৱাফম অদুদা নিংথৌনা য়াদুনা ৱাশক্লবদি, মাগীদা ওল্লু হায়বদা ওনবা কামদুহার খুজাই অমা লৈবনি মদু পীয়ু হায়না নীয়ু হায়রম্মী। নিংথৌনা পীরবা তুংদা নংগী নুপীগা মশক চপ মান্নবা অমা থোকউ হায়বদা থোক্কনি, মদু পুরগা নিংথৌদা কৎলবা মতুংদা য়ুমদা চৎলো হায়না মালিনিনা তাকপীরম্মী। নোংঙাল্লগা লায়রবা নুপাদুনা মালিনিনা তাকপীবা ৱাশিং অদুগী মতুং ইন্না মাগী নুপীবু কৎলগে অদুগা নিংথৌদসু করিগুম্বা অমদি নীজগে পীবিগনি হায়না ৱাশকপীয়ু হায়না নিংথৌদা হঙ্গৎলম্মী। নিংথৌনসু য়ারদুনা ৱাশক্লম্মী। লায়রবা নুপাদুনা নিংথৌগী মফমদা থোকউদা থোকপা কামদুহার খুজাইদু নীরম্মী। নিংথৌনা ৱাশকখিবা মতুং ইন্না লায়রবা নুপাদুদা কামদুহার খুজাইদু পীরম্মী। লায়রবা নুপাদু হরাউনা মাগী লৈফমদা হল্লক্লম্মী অদুগা মাগী নুপীদুগা মশক চপ মান্নবা অমা থোকউ হায়না খুজাইদু হুনবদা মাগী নুপীদুগা চপ মান্নবা নুপী অমা থোক্লম্মী। নুপীদু পুদুনা নিংথৌদা কৎলমলগা ময়ুমদা হল্লক্লম্মী। অসোমদনা অমুক মাগী নুপী রাজকন্যানা লৈহৌরিবা ইংখোলদুদা লাংখোং তৌবদা, লৈনুংদা আগোরগী উ য়াম্না লৈরম্মী। লায়রবদুগী নুপী রাজকন্যাদুদি উদু মশক খংদবনিনা য়েনখাদা পৈদুনা থল্লম্মী। নোংমা লৈবাক অমগী নিংথৌ শিবদা মনাই ময়াম্না আগোর থিরক্লম্মী। খাংপোকশংদুগী

ময়াদা পৈদুনা লৈরিবা উগী মনম নুংশিবদু নিংথৌ মনাইশিংদুনা খঙলম্মী, অদুদগী খাংপোকশং অদুদা চংলক্লম্মী অদুগা নুপীদুদা হায়রম্মী - ইবেম্মা নঙগী উশিং অসি ঐখোয় লৈজরগে নংনা পীয়ু হায়বা মমলদু পীগে হায়রম্মী। রাজকন্যাদুনা ঐদি উগী উশকসু খঙজদে মতিকচাবা মমল পীবিরম্মু হায়না খুল্লম্মী। অদুদগী নিংথৌগী মনাইশিং অদুনা মতিক চাবা সনা লুপা কয়ামরুম পীরগা উশিং অদু পুখ্রে। নুপী অদু ইনাক খুনবা লন লৈবা হায়বদু ওইরে। মহাক্লা মী নেক্তুনা ময়ুম ইখ্খোলদু শেম শাবা হৌরম্মী।

ফজরবা ফুরা দলানগী য়ুম শাদুনা নিংথৌগী কোনুংগা চপ মান্নখ্রে। মহাক্কী নুপাদুনা হল্লকপা মতমদদি মাগী লৈফমদু ইওন ওন্নরম্বদুদা চংফম খঙদ্রে। মহাক্লা তিঙক-তিঙক য়েংদুনা লৈবদু মহাক্কী নুপীনা উরম্মী, অদুদগী য়াম্না হরাউ হরাউ চেন্থোক্লক্তুনা মসি ঐখোয়গী য়ুমদুনি লেংশিল্লসি লাকও হায়দুনা মাগী নুপাদু পুশিল্লম্মী। নুপাদু য়াম্না হরাউরম্মী। মাসু থোকউ হায়বদা থোকপা পোৎ অমা পুরকই হায়না মাগী নুপীদা য়েংহল্লগা মখোয় অনীগী থোকখিবা ৱারীশিং লীনরম্মী। মখোয় অনী ৱানা লৈরম্বদগী নিংথৌ অমদি মহারানীগুম ৱাৎতা পাদনা মনাই মশন কয়ানা থৌগল তৌদুনা নুংঙাইনা পাল্লম্মী।

নোংমদি নুপীদুনা মাগী মপুরোইবদা হায়জরম্মী, ঐখোয়গী ইপা-ইমা অমদি ইচেশিং অসি চাক কৌসি। চাককৌবদা শীজিন্নগদবা কোল লিক, পুখম তেঙ্গোৎ খুজাই আসন পুন্নমক সনানা ওইহনসি হায়রম্মী। মাগী নুপানসু ফরে হায়দুনা মপা, মমা অমদি মচেশিংবু বার্তন তৌরুরে। নোংঙাল্লগা মমা মপা, মচেশিংদু চাক চাবা লাক্লম্মী, মচেশিংদুনা মনাওনুপীদু য়াম্না লায়ররবা মওং চাদ্রবা নুপা অমদা লৈখিবনি কমদৌনা লৈরমগদগে হায়না থম্মোয়দা অৱাবা ফাওরম্মী। অদুবু মদুগী ওন্ন তৈনবদা মপা নিংথৌ অমদি মচেশিং অদুনা মাগী য়ুমদু হেক উবদা মখোয় লোয়না পুমঙক ঙক্লম্মী। মচানুপীগা ময়াগনা মমা মপা, মচেশিংবু তরাম্না ওক্লম্মী, সনাগী আসন থাদুনা মমা মপা, মচেশিংদু ফমহল্লম্মী। অদুগা সনাগী পুখমদা চাক থিরম্মী, সনাগী তেঙ্গোৎতা য়েন্সাং হাপ্লম্মী, সনাগী খুজাইদা ঈশিং হৈরম্মী। অসুম্না

লায়রবা নুপা অদুগা নিংথৌগী মচানুপী অতোম্বী অদুগা মমা মপা অমদি মচেশিংবু মবুক পেন্না পীজ-পীথক তৌরম্মী। চাক চাবা লোইরগা মখোয় মখোয়না চান-থক্লবা পুখম, তেঙ্গোৎ, খুজাই , অমদি ফম্নরিবা আসনশিংদু দক্ষিনা ওইনা পীরম্মী। ফি কয়া অমা মচেশিংদা পীরম্মী মপা নিংথৌদুনা মচানুপীদা হায়রম্মী "ইবেম্মা ইপা লাল্লে! মীওইবা হায়বসি মশা মশানা হোৎনদ্রবদি মপা মমানা নুংঙাইহনবা, লাইরিক লাইসু হৈহনবা ঙমদে হায়বসি ইপানা খঙউদ্রে। মানা মানা তৌজরকপা কম্মগী ফল ফংজবনি ইচানা হায়বা চুম্মী। খুদোম্বীগী মপান্না নুংঙাইবা হায়বসি অচুম্বনি"। অসুন্না য়াম্না লায়ররম্বা নুপাদু মাগী নুমিৎ শুবদা নিংথৌগা মান্নলা নুংঙাইনা পানখি।

ৱারী লীবিরকপা : থোকচোম ইবোতোম্বী সিংহ

চহী : ৭৯

তাং : ৮-১১-২০০৯

শিনফম : উশুবা

মফম : ঙাইখোং খুল্লেন।

ৱাতোন লাইমু

থায়না মমাংঙৈদা লুখ্রাবী অমগী মথন্তা পোকচবা মচা নুপা অমা লৈরম্মী। মমানা কেনা লুনা য়োকপগী মতিক মচানুপা অদু থবক শুনিংলমদে। নোংমদি মমানা লৈকাইদগী হল্লক্লগা মচানুপাবু কৌশিল্লগা অসুম্না হায়রকই, ইবুংঙো নঙনা থবকসু অমত্তা শুদে মীদি লূ থুন্বদা ঙা য়াম্না ফানৈ, নঙসু লূ থুন্মু হায়রম্মী। মচানুপাদুনা ফরে ইমা, ঐসু লূ থুল্লগে, লূ অমা পীরো হয়েংদগী লূ থুন্বা চৎলগে হায়রম্মী। মদুদগী মমানা মচানুপানা লূ থুন্বা চৎনবা, লূ থৌরাং তৌদুনা থমখ্রে। নোংঙাল্লবদা মচানুপাদুনা ইমা লূ পীরো, লূ থুল্লুরগে হায়দুনা লু থুন্বা চৎখ্রে। লুখ্রাবী মচাদুনা মাদি লূদু পাত্তা, লৌবুক্তদি থুমদদনা ৱাতোন্দা ওইনা থুল্লম্মী। লূ অদু ৱাতোন্দা থুল্লবনিনা করি অমতা চংদ্রে। মমানা নোংঙাল্লগা হংই, ইবুংঙো নঙনা লূ থুন্বদুবু করি অমতা ফারক্তে মীনা থুন্বদি ঙা ময়াম-ময়াম ফারকই, নঙগীদুবু কদাইদা থুল্লিবনোনে? মচানুপাদুনা ইমা অতৈদ নত্তে ঐখোয় মনিংগী ৱাতোন্দনি হায়না খুম্মী। মচাগী ৱাফমদুদা মমানা ঙক্লদুনা অদুদি কদাইদগী ঙা ফারক্লদগে, মসিগী অঙাং অসি ওন্থোক্লা মথোং হুক্তে নঙ অমা নথন্দগা ওইরে মী ওইরোইদৌরি, ইমাদি নঙগীদমক ৱাদবা ঙমদে হায়রম্মী। মচানুপাদুনা ইমা করি অমতা ৱাবীরুনু য়েংবদা য়েংবীউ হায়না খুল্লম্মী।

মথংগী নুমিৎ অমদা লুখ্রাবী মচাদুনা মাগী লূ অদু করি চংবগে য়েংলুবদা মুশুক মুবা জীবা অমা চংলম্মী। লুখ্রাবী মচাদুনা লূ অদু লৌথবগা অসুম্না হায়রম্মী নঙবু অমুক্তা ফাগে হায়না ঙাইরক্লিবসি কুইরবনি। ঙসিদি নঙগী নুমিৎ শুরে নঙবু হাৎপা তারে। মদুদগী লাইমু অদুনা হায়রকই, ঐ ৱাতোন লাইমু হায়বদুনি ঐবু থাদোকউ। লুখ্রাবী মচাদুনা ঐ নঙবু থাদোক্লোই নঙবু হাৎকদৌরিবনি হায়না খুল্লম্মী। লাইমুদুনা তৌগনু ঐবু থাদোকউ নঙনা নীনিংবা বর অমা নিয়ু পীগে হায়রম্মী। লুখ্রাবী মচা অদুনা ৱাশকউ অদুদি

হায়না লাইমুদুবু ৱাশকহল্লম্মী। লাইমুদুনা নঙনা অপান্বা বর পীগনি হায়না ৱাশকলম্মী । লুখ্রাবী মচা অদুনা ঐদি অতৈ অমতা পামদে তাইবঙপাল অসিদা লৈরিবা তিল, কাং, উচেক, ৱায়া ময়াম অসিগী মরোল খঙবা ঙম্বা বর ওইনা পীবীয়ু হায়রে। লাইমু অদুনা ফরে হায়দুনা নঙনা নীংবা থুংজরো হায়না বর পীরে অদুগা অসুম্না মখা তারকই, নঙনা তাইবংপাল অসিগী থৱায় পানবা খুদিংমক্কী মরোল খঙই হায়বা ৱাফম অসি কনাগুম্বা অতোপ্পা মীওই অমদা হায়দোকপা মীকুপ্তা নহাকপু ঐনা শোয়দনা হাৎকনি হায়রম্মী। ৱাফম পুন্নমক অদু লুখ্রাৱী মচাদুনা য়ারম্মী। মহাক্না ৱাতোন লাইমুদু লূদগী থাদোক্লম্মী।

মতমনা অসুম হৌখিবনা লুখ্রাবী মচা অদু ময়ুম মকৈ পানবা মতম য়ৌদুনা লুহোংলম্মী। নোংমগী নুমিৎ অমদা মহাক্কী নুপীনা চাক লোইরে চারসি হায়দুনা চাক থিরে, মাগী নুপীনা অৱাৎ অপা হাপ্তু না সেবা তৌরম্মী। তাঞ্জা অদুদা লুখ্রাবী মচা অদুগী চাকলুক মপান্দা তাবা চাক মরু অমখক ককচেং অমখক্না চীংলম্মী। মতমদুদা হয়িং খোংয়াম্বী অমনা অমুক চাক অদুদা তোংলরে। মখোয় অনী কন্না মুন্নরম্মী। মখোয় অনীনা ঙাংনরিবা লোন্দি, হয়িং খোংয়াম্বী অদুনা ককচেংদুদা হায় - নঙদি মফম খূদিং নখোংনা থুংনা চৎপনিনা নচীঞ্জাক পৈদুনা লৈ, চাক অসি নঙ লৌরনু। ককচেং অদুনা অমুক হায়, নঙদি মফম থুংনা পাইবনি চাক অসি ঐ লৌরগে মদুদা লুখ্রাবী মচাদুনা মোমোন নোক্তুনা চাক অদু লৌখৎলগা তঙ্খায় খায়দোক্লগা অমমম পীরে। মাগী নুপীনদি মদু খঙদবনিনা মাগী নুপানা মোমোন নোকখিবদুদা মাগী সেবাদা অশোয়বা অমা লৈরে খন্দুনা করি তৌবা য়াওরগে হায়দুনা কন্না হংলম্মী।

মাগী নুপাদুনা করিসু অশোয়বা লৈতে হায়না খুন্নম্মী। মদুদা মাগী নুপী অদুনা মঙোন্দা ইকায়গনি খন্দুনা অশোয়বা লৈতে হায়না খুম্বনি খন্দুনা হন্না-হন্না হংলম্মী। করিগুম্বা হায়দোক্তবদি মাদি মপামদা চৎলগনি হায়দুনা অকনবা ৱা কয়া হায়জিল্লকপদগী নুপাদু হায়দোক্তবা ঙম্লক্ত্রে। লুখ্রাবী মচানুপাদুনা ফরে হন্দক মপোক্কী ইমা, নুপী কায়নৌ হায়না তম্লক্লে হায়রগা

ঐগী থাংশাং পুথোক্লকউ হায়দুনা মাগী শগোল সরবাইনচিংবা থৌরাং তৌদুনা থমখ্রে অদুগা ৱারী অদু লীরম্মী। ৱারী হেক লীবা লোইবগা লাইমুদু মাগী চুরী মখাদা থুংলরে। লুখ্রাবী মচা অদু সগোল সরবাই তোংদুনা পাইখ্রে। লাইমুনা লুখ্রাবী মচা অদু হাৎকদবগী তান্নরম্মী। লাইমুদুনা অসুম অসুম তান্নরকপদা নারক, মোংশোং, উমং ৱামং, পাৎ তুরেল লাল্লম্মী। মমৈথংদা চেনফম লৈরক্ত্রে সমুদ্র লান্দুনা চেন্নবা হোৎনরম্মী। সমুদ্র লানবদা লাইমু অদু সমুদ্রদা তাশিন্দুনা শিরে। লুখ্রাবী মচাদুসু সমুদ্রদা তাশিল্লম্মী। লুখ্রাবী মচাদুদি সমুদ্রদা ঙা ফাবা দুম অনীনা ইরাক্লবদগী কনবীরে অদুগা দুম অনীদুগী হি মনুংদা তোংদুনা লাকপদা নুমিদাং ওইরক্তুনা দুমশিং অদুদি তুমখ্রে। লুখ্রাবী মচাদুদি তুমদনা পোথাদুনা লৈরম্মী। হিনুংদুদা চামোর অমুবা অমগা অঙৌবা অমগা য়াওরম্মী। চামোর অঙৌবদুনা অমুবদুদা হায়, ঐবু ঈশিং লুপ্লগা চাইবদা শিখ্রবা জীবশিং অমদি মীশিংগী শরু শয়াং পুন্থা জীব ওইনা অমদি, মী ওইনা হিংলক্কনি। চামর অমুবদুনা অঙৌবদুদা অমুক হায়, ঐবু ঈশিং লুপ্লগা চাইবদা উপাল ৱাপাল খুদিংমক কংগনি। মখোয় অনীনা ঙাংনরিবদু লুখ্রাবী মচাদুদি লোইনা তারম্মী। অদুদগী খুদক অদুদা হৌগৎলগা চামোর অনীদু পায়খৎলগা চামোর অঙৌবদু পায়রগা ঈশিং লুপ্লগা মাগী শগোল শিফম তান্না লাক্তুনা শগোলদুদা চাইরম্মী। খুদক অদুদা মাগী শিখ্রবা শগোল সারবাইদু হীঙ্গৎলম্মী। অদুদগী মহাক্না মাগী শগোল সারবাই তোংদুনা মথং মথং অসুম পাইদুনা লাকপদা লৈবাক অমগী নিংথৌগী লৈলেংবী হনুবী অমগী য়ুমদা থুংলম্মী। হনুবী অদুদা লুখ্রাবী মচাদুনা হায়– ইমা লৈবাক অসি নিংথৌগী মচানুপী লৈব্রা? হনুবী অদুনা ইবুংঙো লৈ, হয়েং মাগী সয়ম্বরনি হায়না খুল্লম্মী। লুখ্রাবী মচাদুনা হনুবী অদুদা ইমা ঐগা অমুক্তা উনসি হায়বিয়ু হায়রম্মী। হনুবী অদুনা ইবুংঙো মদুবু করম্না ওইথোক্কনি। ইমা হায়দ হায়বিরু হায়না লুখ্রাবী মচাদুনা তাক্লম্মী। অদুদগী হনুবীদুনা ফরে হায়দুনা নিংথৌগী মচানুপীদুদা হায়রুরে। ৱারী ঙাইহাক শান্নরবা মতুংদা লৈলেংবী হনুবীদুগী ময়ুমদা রাজকন্যাদু লাক্লম্মী। অদুগা লুখ্রাবী মচাদুগা উনরে। ৱারী ঙাইহাক শান্নরবা মতুংদা নিংথৌগী মচানুপীদুনা লুখ্রাবী মচাদুদা ফরে হয়েং ঐনা সয়ম্বর থোক্লকপদা নঙনা ঐবু শগোল সরবাই তোংদুনা ফারগা পুরো। মদুদা

ঙমদ্রগা ঐখোয়গী লাইশং মপা য়ৌবদা অমুক ঙন্না য়েংউ মদুদসু ঙমদ্রবদি লাই মপা য়ৌবদা ঙন্না য়েংউ হায়না নিংথৌ মচানুপীদুনা অহুল্লক তাঞ্জা পীরদুনা হায়রম্মী। হায়রিবা তাঞ্জাশিংসি নৎত্রবদি মাগী উপাই লৈত্রে হায়রম্মী। লুখ্রাবী মচাদুসু ফরে হায়দুনা লৈহৌরে। নিংথৌ মচানুপীদু চৎখ্রে। নোংঙাল্লে, সয়ম্বরগী মী ঙরং-ঙরং তিনখ্রে। নিংথৌ মচানুপীদু ফজনা লৈতেংদুনা সয়ম্বরগী ফিজোল শেত্তুনা থোক্লকলম্মী। অসোমদনা লুখ্রাবী মচা অদুনা রাজকৈন্যা অদু ফান্নবা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈরম্মী। হেক থোক্লকপগী তাঞ্জা অদুমসু নান্থোকখিরম্মী। লাইশং মপাদা অমুক ঙাইরে মদুদসু ঙমহৌদ্রে। অদুদগী লাই ৱালহৌশং মপা হেক য়ৌবদা লুখ্রাবী মচাদুনা মাগী শগোল সারবাই তোংদুনা নিংথৌগী মচানুপীদুগী সাগল তাপ পায়দুনা চীংখৎলগা পাইখ্রে। মতৌ অদুদা নিংথৌ অমদি লৈবাক মীয়াম পুন্বা পুমঙক ঙক্লরে। নিংথৌনা খোংমী লান্মী থাদুনা তান্নহল্লম্মী, ফংবা ঙমদ্রে। অসুম পাইরকপনা উমং অমদা থুংলরে। উমং অদুদা মখোয় অনী অহীংদুমা পোত্থারম্মী। অহীং অদুদা লাম্মৈ চাক্লম্মী। মখোয় অনী লাম্মৈনা কোয়শিনখ্রে। লুখ্রাবী মচা অদুনা ইবেম্মা ঐগী শগোলদা তোংখৎলকউ চৎখ্রসি হায়রম্মী। নিংথৌগী মচানুপীদুনা য়ারমদে। নঙ চৎখ্রো, লাম্মৈনা চাকপনা হাল্লগনি হায়রম্মী। লুখ্রাবী মচাদুনা হায়জবদু নিংথৌ মচানুপীদুনা য়াবা কৌবা লৈখিদ্রে। উপাই লৈত্রবা লুখ্রাবী মচাদুনা ফরে হয়েং মপোক অমদা ঐখোয় অনী থুংনসি হায়রল্লগা লুখ্রাবী মচাদু মাগী শগোল সরবাই তোংদুনা পাইখ্রে। নিংথৌগী মচানুপীদুদি লাম্মৈনা চাক্কুনা শিহৌরে।

ৱারী লীবিরকপা : থোকচোম ইবোতোম্বী সিংহ

তাং : ৮–১১–২০০৯

চহী : ৭৯

শিনফম : উশুবা

মফম : ঙাইখোং খুল্লেন।

সনাগী ঙা

থায়না মমাংঙৈদা সমুদ্র মপান্দা শাবা খাংপোকশং অমদা দুম মপা মচা লৈরম্মী। ঈন খোন্দুনা ঙা ফাবনা মখোয়গী শিনফম ওইরম্মী। নোংমা দুম মপা মচা অদুনা ঈন চিংখৎপদা সনাগী ঙা অমা লক্লে। মপাদুনা মচা নুপাদা হায়রম্মী, ইবুংঙো ঐনা ঈন শোনবদা সনাগী ঙা অমা য়াওরে নঙ থৌরী পায়দুনা লৈরম্মু ঐ নিংথৌ অমুক্তা কৌরুগে হায়রল্লগা চৎখিরম্মী। দুম অদু অসুম লাক্কুনা নিংথৌগী কোনুং য়ৌরম্মী। নিংথৌনা দুম নঙ লাকপবু করিগীনো হায়না হংলম্মী। দুম অদুনা ইনিংথৌ ইবুংঙো ননাই ঐনা লাকপদি অতৈ অমগী নত্তে ননাই ঐনা ঈনখোনবদা সনাগী ঙা অমা ফারে সনা মীৎয়েং তাবিয়ু হঙ্গৎচবা লাকচবনি। অহল ওইরবা নিংথৌগী মন্ত্রী অদুনা হায়রম্মী, ঐখোয় ফনা অহল ওইরে সনাগী ঙা মমিং তাদ্রি। নিংথৌনা বর মন্ত্রীদা দুম্না হায়ররিবা ঙা অসি য়েংউসি হায়না লাক্লম্মী। অসোমদদি দুমগী মচা নুপানা থৌরী পায়দুনা লৈবদা ঙাদুনা ফন-ফন চোংবদুদা নুংশিদুনা ঙাদু থাদোকখ্রে।

ঙাইহাক লৈরগা নিংথৌ, মন্ত্রী অমদি দুম য়ৌরক্কুনা মচানুপাদা কদাই সনাগী ঙাদি হংবদা মচা নুপা অদুনা ঙাদুনা শিংনিংদদুনা চোংবদু উবদা ঐনা নুংশিদুনা থাদোকখ্রে হায়না খুল্লম্মী। অদুদগী নিংথৌনা শাওরদুনা দুমগী মচানুপা অদুবু মখোং মখুৎ পুন্দুনা হিদা হাপ্লগা সমুদ্রদা থাদখ্রে। নিংথৌদুদি হনখ্রে, মপাদুদি মচা কায়নরগা কপ্পুনা লৈহৌরে। মচাদু অসুম অসুম তাউদুনা চৎখিবনা নুমিৎ মরী মঙানি চাদ থক্তনা তাউরকপদা নোংমদি উখোং ৱাখোং লৈবা মফম অমদা পল্লে। পাখং অমা থোক্লক্কুনা মাবু লৌখৎলে। পুল্লিবা অদু থাদোকপীরগা মফি মরোল পীবীদুনা নুংঙাইনা থম্বিরে। মথংগী নুমিত্তা পাখঙ অদুনা ইবানি কোইরুসি হায়দুনা সমুদ্র ৱাংমা লান্দুনা লাকপদা লৈবাক অমগী নিংথৌগী মালিনি অমগী য়ুমদা

থুংলরে। মালিনিদুনা, ইবুংঙো নখোয় অনীবু করি দেশতগী লাকপনো হংলম্মী। মখোয় অনীনা, ইমা ঐখোয় অনী অরাপ্পা দেশতগী লাকপনি হায়না খুল্লম্মী। অদুগা মখা তারক্লম্মী, ইমা লৈবাক অসি নিংথৌ পানব্রা হায়না হঙলম্মী? লৈরেংবী (মালিনি)অদুনা ইবুংঙো পাল্লি, ঐ লৈবাক অসিগী নিংথৌগী লৈরেংবীনি হায়না খুল্লম্মী। অদুদগী পাখং অনীদুনা মখা তানা নিংথৌগী মচানুপী রাজকন্যা লৈব্রা হায়না মালিনি অদুদা হঙলম্মী। লৈরেংবী অদুনা নিংথৌগী মচানুপী রাজকন্যা অমা লৈ মরোল থোক্তে হায়বা ৱারোল অদু পাখঙ অনীদুদা মালিনিনা তম্লম্মী। মাবু মরোল থোকহনবা ঙম্বা মীওইদা জাৎ বিজাৎ খায়দনা নিংথৌনা থাজগনি হায়রম্মী। রাজকন্যা অদুবু মরোন থোকহন্নবগীদমক্তা নিংথৌ মচা কয়া মশক ফজবা পাখং কয়া মশিং লাকঙমদনা হোৎনখ্রবনি। অদুবু মাই পাকপা ঙমখিদ্রবনি। মখোয় লোইনা রাজকন্যা অদুগী মীনাই ওইদুনা লৈহনখ্রবনি হায়রম্মী। মালিনি অদুনা ইবুংঙো নখোয় অনী চৎলুনু, নশক্লা ফজবনে, করিগুমবা রাজকন্যা অদু মরোল থোকহনবা ঙমদ্রবদি মীনাই ওইখিনি পাম্মুই হায়রম্মী। মালিনিগী ৱাদু তারবদা লাকমিন্নরিবা পাখং অনীদুগী মরক্তগী অমনা হায়রকই - ইমা ঐ চৎলুগে ঐগী মরুপ অসি লৈহৌসনু অসি হায়রগা পাখং অদু চৎখিরম্মী। পাখং অদু নিংথৌগী কোনুংদা চংলকলম্মী। নিংথৌদা পাখং অদুনা হায়জরম্মী, করিগুম্বা রাজকন্যা অসি ননাই ঐহাক্লা মরোল থোকহনবা ঙম্লবদি অতোপ্পা ঐগী মরুপ অমদা কন্যা কৎপা য়াব্রা হায়না হংজরম্মী। নিংথৌনা মচানুপীবু মরোল থোকহনবা ঙম্লবদি পাখং অদুনা হায়রিবা ৱাফম অদুম্মক পাঙথোক্কনি হায়না খুল্লম্মী।

নিংথৌগী অয়াবা মতুং ইন্না রাজকুমারী অদুগী মনাক্তা পাখং অদু চংলক্লম্মী। রাজকুমারীদা য়েংলগা পাখং অদুনা হায়রকই, "ঐ ৱা অমা হায়গে তাও, ঐখোয় ইচিন ইনাও অহুম পোকই। ইয়াম্বনা উগী উচেক অমা শাই নিংথিনা ফজৈ। উচেক অদুগী ফজবদু উবদা ইয়াম্বা য়াইমনা মখোঙনা চৎহল্লে। ঐনা মরোল থোকহল্লে। হৌজিক্তি ইয়াম্বা য়াইমনা মানা মখোঙনা চৎহল্লবনিনা মানা লৌনি হায়। ঐনা অমুক ঐনা মরোল

থোকহনবনিনা ঐনা লৌনি হায়রে। ঐখোয় অহুম খৎনরে কনানা লৌফম থোকপগে?” হায়না রাজকুমারী অদুদা হংলম্মী। মদুদা রাজকন্যাদুদি মরোল থোক্তবনিনা পাউখুম অমতা পীরক্ত্রে। অদুদগী পাখং অদুনা রাজকন্যা অদুদা অসুম্না হায়রম্মী, লোন থোকহনবা ঙমদ্রবদি ঐবু মীনাই ওইহনগনি হায়বদু ঐনা হান্না নঙবু হাৎকনি হায়রম্মী। ৱাফমসি তাবদা খুদক্তা রাজকন্যা অদুগী মচিন্দগী লীন অমা চোংথোক্লক্লে। লিন অদুনা হেক চোংথোকখ্রবা মতুংদগীদি রাজকন্যা অদু মরোল থোক্লম্মী। রাজকুমারী মরোল থোক্লে হায়না ৱা-ৱা লাওনরম্মী। হৱাউরবা নিংথৌনা পাখং অদুদা ইচা কৎলনি হায়বদা পাখং অদুনা হায়জখি- নচা ইবেম্মা অসি ননাই ঐঙোন্দা পীবিগনু, ননাই ঐনা হান্না হায়জখিবা মীশক অদুদা পীবিয়ু। মীশক অদু কৌজরুখিগে হায়রম্লগা পাখং অদু মালিনিগী মনাক্তা লাক্লম্মী। মাগী মরুপ অদুদা পাউ পুম্নমক তম্লগা মাবু রাজকন্যা অদুগা লুহোংনবগীদমক্তা কোনুংদা পুদুনা লাক্লম্মী। কোনুং য়ৌরবদা নিংথৌনা পাখং অদুগা লাকমিন্নরিবা মাগী মরুপ অদুদা অওং অউন তমদুনা রাজকুমারী অদু চাউনা লুহোংবীরম্মী। য়াওংশং শাদুনা নিংথৌগীদা মচাগা মম্মাক্তা থমবীরে।

মতম খরা লৈরগা দুমগী মচা পাখং অদুদা মমান্নবা পাখংদুনা হায়রম্মী- “ ইতাও নঙ লৈহৌরো, ঐ চৎলগে, নঙনা চৎনিংবা নুমিৎ অদুদা সমুদ্র মপান্দা, হো ইতাউ হায়না কৌরকউ, মতমদুদা ঐ নঙগী নাক্তা থুংলগনি। ঐসি মী নত্তে নঙনা থাদোকপীখিবা সনাগী ঙা অদুনি। অসুম্না মতম খরা নুংঙাইনা লৈরবদা দুমগী মচানুপা অদুনা রাজকুমারীদা হায়রম্মী- “ইবেম্মা, ঐদি য়াম্না লায়রবা দুম অমগী মচানি ঐবু নিংথৌ অমনা ইখোঙ-ইখুৎ পুল্লগা সমুদ্রদা থাদরকপনি। ঐগী ইপাদু য়াম্না ৱানা ঐবু কৌদুনা লৈরমগনি, অদুনা ঐ চৎলগে নঙদি মফমসিদা লৈহৌরো হায়রম্মী। রাজকুমারী অদুনা মপুরোইবদা মাবু থাদোকপীরমগনু, মপুরোইবগী মতুং ইঞ্জগে হায়রম্মী। রাজকুমারী অদুনা মপুরোইবা অমদি মানা পাম্লিবা ৱাফমশিং অদু মপা নিংথৌদা হঙ্গৎলম্মী। ৱাফমশিং অসি তারবদা মপাবুং নিংথৌনা হায়রকই - “ঐদি ইচানুপা লৈতে মাবু ইচানুপাশক্লা লৈরসনু হায়না

হায়রক্লম্মী। ৱাফম অদুদা দুমগী মচা নুপাদুনা হায়রক্লম্মী, ইকু নিংথৌ ঐবু পোকপা পাবুংদো ইতোমতা পোকই য়াম্না ৱানা লৈরমগনি ননাই চৎচরুগে হায়রগা খুরুম্মী। নিংথৌ অদুনা ফরে চৎলো ঐনা ইচাগী অওং অউন মতিক চানা উল্লক্কনি। অসুম্না দুমগী মচানুপা অমদি রাজকুমারী অনীদু সমুদ্র খোংবান য়ৌরক্লে। দুমগী মচা নুপাদুনা হো ইতাও ঐ লাক্লে, নঙ থোক্লকউ হায়না কৌরম্মী। তাঞ্জা অদুদা ঙা ওইনা ফোং লাওনা তাওখৎলক্লে অদুগা ঙাদুনা হায়রকই, ইতাও ঐগী ইথক্তা নখোয় অনী তোংলকউ মিৎ উইশিনবিয়ু হায়রগা চৎখ্রে। চৎখিবগা ইতাও য়ৌরে কংফালদা কাখৎপীরো হায়রে। ইতাও লৈবিহৌরো হায়রম্লগা মাংখ্রে। অদুদগী মপা কৌর কৌরদুনা অসুম লাকপদা মখোয়না লৈরম্বা খাংপোকশং য়ৌরে মপা মচা উনরে। মপানা হায়রকই, নুপী মচাসিনা কনানো? পাবুং, নিংথৌগী মচা নুপীনি, নমৌনি হায়রগা ৱারী পুম্নমক মপাদা লীরম্মী। মপানা ইচাদি জীবগী থৱায় কনবদগী ইচাগী অফবা, নুংঙাই য়াইফবা মঙ্গল ফংলে হায়না মচাদা হায়রম্মী। অসুম্না তৌজরুবা অফবা কর্ম্মদগী মপা মচা নুংঙাইনা পানখি।

ৱারী লীবিকপা	:	থোকচোম ইবোতোম্বী সিংহ
তাং	:	৯-১১-২০০৯
চহী	:	৭৯
শিনফম	:	উশ্রুবা
মফম	:	ঙাইখোং খুল্লেন।

নিংথৌ মচা ওক মানবা পোকপগী ৱারী

থায়না মমাংঙৈদা নিংথৌ অমা পাল্লন্মী। নিংথৌ অদুগী লোয়নবী রানী তরেৎ লৈরন্মী। রানী তরেৎমক মচা অমত্তা পোক্লমদে। নিংথৌ অদু মতম পুম্বদা মাগী মচা য়াওদবা অদুগী নুংঙাইতবা ৱাখলদা লাইনিং ওইদুনা লৈরন্মী। মতম লৈবা খিবিক্তা নিংথৌদুনা মাগী মন্ত্রীবু কৌরদুনা মাগী থম্মোইগী ৱাফমদু ফোঙদোক্লুনা নুংঙাইতবা ৱারী হেক হেক শারন্মী। বর মন্ত্রী ঐ অসে অহলসু ওইরক্লে, ইমিৎ অসিদা ইচা অমতং উরবদি শিরবসু খুয়া তুশিৎনা শিগদবনি। ইচা অদুদা ঐগী খুভম অসি শিন্ননিংবনি অদুবু ঈশ্বরনা ঐগী লাইবক্তা মদুমদি তন্বীরমদ্রমাল্লে। তাঞ্জা অদুদা মন্ত্রীনা হায়রকই ইনিংথৌ ইবুংঙো ঐখোয়সু য়াম্না নুংঙাইজদ্রিবনি। ঙসিদি ইনিংথৌদা নুংঙাইবা পাউ অসি তম্লগে হায়না ননাই লাকচবনি। নিংথৌনা করম্বা পাউনো মন্ত্রী লীরো তানিংবনা লাংতক্লরবনি হায়। মন্ত্রী অদুনা ইনিংথৌ ইবুংঙো সনা কোনুংগী খা থংবা মায়কৈদা চেল্লিবা তুরেল অসিগী হৌরকফমদা মুনি অমা লৈ, মাগী লৈকোল অদুদা মশুং তরেৎ পানবা উহৈ অমা পাল্লি, উহৈ অদুগী মশুং অমা চাবদা অঙাং অমা পোকই হায়, ইনিংথৌনা মুণি অদুগা উনবিয়ু হায়না মন্ত্রীনা হায়রম্মী। নিংথৌ অদু হরাউমন্দুনা মুণি অদুগী মনাক তাননা চৎলম্মী, অদুগা মুণি অদুদা নিংথৌনা মখোঙ কোন্দুনা মাগী অৱাবা অদু লীরম্মী, ৱাফমশিং অদু তারগা মুণি অদুনা নিংথৌদুদা অসুম্না হায়রম্মী, হে নিংথৌ ঐনা নঙোন্দা হৈ অসি পীরগনি অদুগা নঙগী রানী তরেৎতা হৈ মশুং অমমম পীজৌ মদুদা মখোয় তরেৎমক মচানুপা অমমম পোক্কনি তৌবতবু খ্বাইদগী অতোম্বা অঙাং অদু চাউবা মপুঙ ফারবা মতমদা ঐঙোন্দা কৎকদবনি। মচা ফংনিংবনা ঙাওরবা নিংথৌ অদু শোয়দনা মচাদু মুণিদা কৎচগে হায়দুনা মুণিদুগা মখোয় অনী ৱাশক্লরন্মী। নিংথৌদু মশুং তরেৎ পানবা হৈ অদু পুদুনা কোনুংদা হল্লক্লম্মী।

নিংথৌদু কোনুং য়ৌরগা রানীশিং অদুবু কৌথোক্লগা হৈ অদু মশুং অমমম চাননবা হায়রম্মী। তাঞ্জা অদু নিংথৌগী রানী অতোন্বী অদুদি লৈরমদে। রানী তরুক অদুনা অমমম য়েন্নদুনা চারবা মতুংদা হাওমনখ্রদুনা রানী অতোন্বীদুগী শরুক অদু মখোয় তরুক্লা য়েন্নদুনা চাথোক্লে অদুগা মখোয়না চাখিবগী মকুশিং অদুবু রানী অতোন্বী অদুগী শরুক্কি হায়দুনা মখোয় তরুকমক্লা তাকথোক্লগ্অসি নিংথৌগী য়াথংনি মকু অদু চাও হায়না নিংথৌনা হায়রম্মী হায়রসি হায়দুনা রানী তরুক অদুনা হায়রম্মী। রানী অতোন্বী অদু ঙাইহাক লৈরগা হল্লক্লে। তাঞ্জা অদুদা রানী তরুক অদুনা নিংথৌনা নঙোন্দা পীজৌ নচা অমা ফংজগনি হায় ঐখোয়সু ঙসাইনা চাখ্রবনি হায়দুনা রানী অতোন্বীদা হৈ মকু অদু পীজরম্মী।

নুমিৎ খরনি মতুংদা রানীশিং অদু মশা ৱাই শংলমদে। মতমনা অসুম অসুম হৌখিবনা থাবুম মপুং ফারদুনা রানীশিং অদু মচা নুপা অমমম পোক্লম্মী। অদুবু রানী অতোন্বী অদুদি ওক মানবা মচা নুপা অমা ইকোন কোন্না পোক্লম্মী। রানী অতোন্বীনা ওক মানবা অঙাং অমা পোকই হায়না লৈবাক মীয়াম পুম্বনা মচি মচিদা ঙাংনরম্মী। নিংথৌনা রানী অতোন্বীবু চান থক্লবা লোইনা পীরগা কোনুংদগী তাম্থোকখিরম্মী। মমা মচা অনীদু কৈথেলশংদা খাজিল্লগা লৈরম্মী। রানী অতোন্বী অদু মতম পুন্নমক্তা কপ্পুনতা লেল্লম্মী। অদুবু মতম্না নোংমা নোংমা হৌখিবনা ওকমানবা মচা নুপা অদু চাউশিল্লক্তুনা পাখঙ মপুঙ ফারক্লম্মী।

নোংমা থংনবা লৈবাক অমগী নিংথৌগী মচানুপী অমখক্তা পোকচবীগী সয়ম্বর লৈবাকশিনথুংনা পাউ চেল্লম্মী। মদুদা ওক মানবা নিংথৌ মচা অদুনা মমাদা হায়রম্মী, ইমা ঐসু সয়ম্বর য়াওগে পাবুংদা শেৎননবা ফিরোলগা, নৌগা হী অমগা লৌবিরু হায়না ঙংলম্মী। মমানা মচানা চৎনিংবা অদু উবদা নুংঙাইতদুনা কোনুংদা চত্তুনা নিংথৌদা হায়রম্মী। নিংথৌনা রানী অতোন্বীনা লাকপদুদা করি অৱাৎপা লৈরে হায়না হংলম্মী। মদুদা রানী অতোন্বীনা মচানুপানা সয়ম্বর য়াওনিংবগী ৱারীদু লীদুনা মচাগী দরকার লৈবা পোৎশিংদু হায়রম্মী। নিংথৌনসু মাগী অপাম্বা পোৎশিং অদু পীবীরম্মী।

নোংঙাল্লে নিংথৌ মচা ওক মানবদু সয়ম্বর য়াওনবা হি হোন্দুনা অসুম লাকপনা হিথাংফম য়ৌরে। হিথাংফম অদুদা ঙাইহাক পোৎথারগা ঈরুজগে হায়না মহাক্কী ওক মানবা মউন অদু হুকতোল্লম্মী। মদুদা মহাক্কী মশক অসি চাংদম্নফম লৈতনা ফজরম্মী। তাঞ্জা অদুদা সয়ম্বর তৌগদৌরিবী নিংথৌগী মচানুপী অদুগী মমান্নবী অমখল্লা উহৌরে অদুদগী মমান্নবী অদুনা চেল্লক্তুনা নিংথৌগী মচানুপীদা ৱারী পুন্নমক তল্লম্মী। ইতা হয়েংদি নঙগী সয়ম্বরদা ওক মানবা নুপা অমা য়াওরক্কনি মদুদা নঙগী লৈ পরেং অদু হুকউ হায়না তাল্লরে।

নোংঙাল্লে সয়ম্বরগীদমক লৈবাক-লৈবাক্তগী লাকপা নিংথৌ মচা কয়া তিনখ্রে। ওক মানবা নিংথৌ মচাদুগী ময়াম্বা তরুক অদুসু লাক্লম্মী। তাঞ্জা অদুদা ওক মানবা নিংথৌ মচা অদুনা ইকোন কোন্না চংলম্মী। ময়াম পুন্নমক্না ওক মানবা অসিসু সয়ম্বর য়াওবা লাকই হায়দুনা নোক্নরম্মী। ময়াম্বা তরুক অদুনা খল্লম্মী মশক অসিগা করি তৌবা লাক্লিবনো হায়না মথম্মোয়দা নোক্লিংবা ফাওরম্মী। তাঞ্জা অদুদা নিংথৌগী অমত্তা পোকপী মচানুপীদুনা লৈ পরেং পায়দুনা মাগী নুপা খন্নবা থোক্লক্লম্মী। মথং মথং লৈবাক লৈবাক্কী নিংথৌ অমদি নিংথৌমচাশিং অদু মাগী মাগী মপা য়ৌবদা ফুক ফুক হৌগৎনরম্মী। রাজকুমারী অদুনা মখোয় পুন্নমক্তু থনল্লগা ওক মানবা নুপাদুদা লৈ পরেং অদু হুক্লম্মী। মফমদুদা তিল্লিবা নিংথৌ মচা ময়াম অমদি ময়াম্বা তরুক্তু মমায় লুকথরম্মী।

নিংথৌদুনা মচা নুপীদুদা ইপাগী ইবেম্মা নঙনা তৌরিবা অসি করিনো? ফরে-ফরে নঙনা পামজবা নুপা অসিগী মতুং ইন্দুনা চৎখ্রো হায়দুনা তাম্থোক্লে। মখোয় অনী উমং অমদা খাংপোকশং অমা শাদুনা লৈমিননরম্মী। নোংমদি নিংথৌগী মচা নুপীদুনা ঐ ঙসিদি ৱা অমা হায়গে নঙনা নহান সয়ম্বর য়াওবা লাকপদা হিথাংফমদা ওনখিবা শকফম অদু অমুক্তা ওনবীয়ু হায়রম্মী। ওক মানবা নিংথৌ মচা অদু ঙাইহাক নোন্থদুনা লৈরগা ফরে হায়দুনা মাগী ওক মানবা মউন অদু হুকতোল্লম্মী মদুদগী ওক মানবা নিংথৌ মচাদু মাগী মউনদু লৌথোকপা মতমদা ফজবসি হায়নিংঙাই লৈতনা ফজরম্মী। নিংথৌগী মচানুপীদু মাগী নুপাদুগী ফজখ্রবা মশক অদুদা পুমঙাও ঙাওরম্মী।

নিংথৌ মচা ওক মানবদু মশক মতৌ ফজবা নুপা অমা ওইখ্রে হায়না নিংথৌদা তশ্লন্মী। নিংথৌদুনা অদুদি ঐদি ইচানুপাসু পোক্তে মাবু ইচাশক্লা য়োক্কনি হায়দুনা কোনুংদা কৌখৎনবা তৌরম্মী। মতম অদুদা নিংথৌ মচা অদুনা মাগী নুপীদা ঐদি থাপ্লবা ঐগী য়ুমদা চৎনিংই ঐগী ইমা লৈ। ঐসে নিংথৌগী মচা অতোম্বনি। মরাইবক থীরবী ইমাদো ঐবু পোকপদগী ওক মানবা মচা পোকই হায়দুনা তাম্থোকপীদুনা কৈথেলগী শংদা ইমা ইচা লৈমিন্নবনি ইমাদো ৱারম্লগনি য়ুমদা চৎলসি হায়রম্মী। ৱাফম অদু নিংথৌগী মচানুপীদুনা মপাদা তশ্লন্মী। ৱাফমদু তাবদা মপানা হায়রম্মী ঐদি মঙোন্দা লৈবাক অসি সিন্নগে খল্লি অদুবু ফরে নমাগী মনাক্তা চৎলুরো। অসি হায়দুনা অওং অউন ময়াম অমা তমদুনা ওক মানবা নিংথৌমচাদুগা লোয়ননা নিংথৌ মচানুপীদু থিল্লক্লে। অসুম্না মমাগী মনাক্তা য়ৌরক্তুনা মমা মচা মখোয় অহুম নুংঙাইনা মতম খর লৈমিন্নরম্মী। নিংথৌদু মচানুপা ওক মানবা অদু মশক মতৌ ফজখ্রবা নুপা অমা ওইখ্রে তাবদা হরাউদুনা মমা মচাবু লৌশিল্লুরে। মখোয় ময়াম নুংঙাইনা লৈমিন্নরে। অদুদগী মুণি অদু নিংথৌদুগী মনাক্তা লাক্লম্মী। নিংথৌগী মচা অতোম্বা মঙোন্দা পীগনি হায়না ৱাশক্লখিবদো পীরো হায়রম্মী। নিংথৌ অদুনা মচা নুপা মশক মতৌ অদুক ফজখ্রবদু পীথোকখ্রগনি খনবদা মথ্বায় শোক্লা নুংঙাইরমদে। মচাদু লৈনুংদা ফোপ হারগা লোৎতুনা থন্লম্মী।

মুণি অদুনা হায়নখিবা ৱা ঙাক্লসি নিংথৌ নঙগী নচা লোৎতুনা থল্লিবদু ঐ খঙই চেনবা য়ারোই পুথোক্লকউ হায়রম্মী। উপাই লৈত্রবা নিংথৌ অদু পীখিবা তারম্মী। মুণি অদুনা হয়েংগী নুমিত্তা নচা নুপা অদু ঐগী নাক্তা থিল্লক্কদবনি হায়রম্লগা চৎখ্রে। নুমিদাং ওইরক্লে নিংথৌগী মচা অতোম্বদু নুমিদাং অথেংবদুদা অসুম চৎথোক্লম্মী, তাঞ্জা অদুদা অহল ওইরবী নুপী অমখক্লা থম্মোয় শোক্লা কৈথেল ময়ায়দা কপ্তুনা লৈরম্মী। মদুদা নিংথৌ মচা অতোম্বদুনা কনা ওইরিগবা করম্বা মচা কায়নবা য়াওবনো অদুক থম্মোয় শোক্লা কপ্লিবসিবু হায়দুনা চংশিল্লগা হংলম্মী। ইমা নঙবু কনানো ইমাগী করম্বা নুংঙাইতবা ইচা কায়নবা লৈবনো ? ইমানা অদুক থম্মোয় শোক্লা কপ্পবো? নুপী অদুনা খুম্লম্মী, ইবুংঙো ইমা অসে মী নত্তে কৈথেল অসিগী

লাইরেম্বীনি! হয়েং অসি লৈবাক অসিগী নিংথৌগী মচানুপা মশক মতৌ ফজখ্রবা অমা হাৎপীখিদৌরে অদুগী ইমানা কপ্পনি। নিংথৌ মচাদুনা ইমা মতৌ করম্ননা হাৎকদবনো হায়না হংলম্মী। লাইরেম্বী অদুনা ইবুংঙো মুণি অদু হিংচাবনি অশেংবা মুণি নত্তে। ও! ইমা অদুদি করম্না কনগনি, নিংথৌ মচাদু ঐহাক্নি হায়রম্মী। হনুবী অদুনা ঐ তাক্কে মুন্না তাও নহাক্লা হয়েং মুণি অদুগী মনাক হেক য়ৌবগা মহাক ফমদুনা লৈরমগনি মাগী মনাক অদুদা অচৌবা থাং অমসু লৈরমগনি। মাগী হেক নাকলদুদা খাংজাও অমদা থাও থন্না হাপ্লগা মৈথাদুনা লৈরমগনি। মতমদুদা মঙোন্দা নহাকপু খুরুম্মু হায়রক্কনি মদুদা নহাক খুরুম্বা য়াদে। ঐদি নিংথৌ মচানিনা খুরুম্বা হায়বা অসি অমুক্তা তৌরক্তে অমুক্তা তম্বীয়ু হায়না মুণিদুদা হায়য়ু। মদুদা মহাক্না নঙোন্দা খুরুম্বা তম্বীগনি, তাঞ্জা অদুদা নঙনা মাগী নাকন্দগী অচৌবা থাং অদু লৌরগা মাবু মকক তরেৎ থোক্লা ককউ। মককশিং অদু অমমমতা ওইনা খাং অদুদা শম্নহন্দনা থাদৌ করিগুম্বা মাগী মকক অদু হেক শম্নখ্রবদি মহাক অমুক হিঙ্গৎলক্কনি অদুনা অমমমতা ওইনা থাওদা তাওথোকউ অদু ওইরবদি মহাক শিগনি হায়না লাইরেম্বী অদুনা হায়রম্মী। নোংঙাল্লে নিংথৌদুনা মচানুপা মশক ফজখ্রবদু মুণিগী মনাক্তা থাখ্রে। মখোয় পুম্নমক থম্মোয় শোক্লা কপ্পদুনা লৈহৌই। নিংথৌ মচানুপাদু মুণিগী মনাক্তা য়ৌরে কৈথেল লাইরেম্বী অদুনা হায়বা পুম্নমক পাঙথোক্লে। অদুগা ময়ুম কোনুংদা হল্লক্লম্মী। ৱারী পুম্নমক মপা নিংথৌ অমদি মমা রানীশিং অমসুং ময়াম্বশিংদা লীরম্মী। মখোয় পুম্নমক ঙক্লা তারম্মী। অদুদগী নিংথৌ অমদি মমা রানীনা নুংশিনা মচাবু কোন্দুনা চুপ্লম্মী। মখোয় ময়াম অমতা ওইনা হরাউ হরাউ লৈমিন্নদুনা নুংঙাইনা পানখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	থোকচোম ইবোতোম্বী সিংহ
তাং	:	৯-১১-২০০৯
চহী	:	৭৯
শিনফম	:	উশুবা
মফম	:	ঙাইখোং খুল্লেন।

রাজকুমারনা সনাগী তেনব্রা, মন্ত্রীগী মচানা শজি খুরাংয়াই ওনবগী ৰারী

থায়না মমাংঙৈদা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। নিংথৌ অদুগী মচানুপা রাজকুমার অমা লৈরম্মী। রাজকুমার অদুগা নিংথৌ অদুগী মন্ত্রীগী মচানুপাগা য়াম্না লুনা তীন্নে। নিংথৌ অদুনসু মানা তৌবা থবক থৌরম খুদিংমক্তা মন্ত্রী অদুনা তৌরগা লোইরে খল্লি। অসুম অসুম নোংমা নোংমা হৌখিবনা রাজকুমার অমদি মন্ত্রীগী মচানুপা অদু লুহোং খোংদোংবা মতম ওইরক্লম্মী।

নোংমগী নুমিৎ অমদা নিংথৌ অদুনা মন্ত্রী অদু মাগী মনাক্তা কৌশিন্দুনা ৱা তান্নরম্মী। নিংথৌ অদুনা বর মন্ত্রী ঐগী ইচানুপা রাজকুমার অসি লুহোংবা য়ারে মহাকপু লুহোংবিরগা ঐগী নিংথৌ খুভম অসিসু শিন্নগে খল্লে। নঙনা হয়েংমক মশক মতৌ ফজবী রাজকন্যা অমা থিদবা য়াদে। মন্ত্রী অদুনা ইনিংথৌগী য়াথংনি ননাই হয়েংমক পাঙথোকচগে হায়না খুল্লম্মী। মথংগী নুমিত্তা মন্ত্রী অদুনা অতোপ্পা লৈবাক অমগী নিংথৌগী মচানুপী রাজকন্যা অমগা লুহোংনবা হায়না শিংনরম্মী। পাউ পুন্নমক নিংথৌদা মন্ত্রী অদুনা তল্লম্মী। নিংথৌনা হরাউরদুনা রাজকুমারগা মন্ত্রীগী মচানুপা অদুগা রাজকন্যা অদু য়েংবা থারম্মী। রাজকুমার অদুনসু মন্ত্রীগী মচানুপা অদুনা হায়রগা লোয়রে হায়না খল্লম্মী। মন্ত্রীগী মচানুপা অদুদি মবুক লুবা ফত্তবা মীশক ওইরম্মী। রাজকুমারীবু য়েংলুরগা হল্লকপদা রাজকুমারদা অসুম্না হায়রম্মী, রাজকুমার নঙ হয়েং লুহোংবা নুমিত্তা নমিৎ উইশিল্লগা লৈগদবনি, নমিৎ পাঙবা য়াদে। অদুগা লুহোংবা লোইদুনা কোনুংদা হল্লক্লবা কান্দসু রাজকন্যাগী মনাক্তা চংবা য়াদে। অসুম হায়না রাজকন্যা অদু লুহোংবা নুমিৎ অদুদা মমিৎ উইশিন্দুনা রাজকন্যা অদুগী মশক খঙলমদে। লুহোংবা লাকপা লৈবাক মীয়াম্নসু রাজকুমার অদুগী মতৌ অদুদা অঙকপা ফাওরম্মী।

মাগী মনিং থুংদবা অমা লৈরমাল্লে হায়না মীয়াম্না ঙাংনখি। অসুম্না লুহোংবা লোইদুনা লাক্লবদসু রাজকুমার অদু রাজকন্যাগী মনাক্তা চংলমদে। রাজকন্যাদুগী মশক ফাওবা খঙলমদে। রাজকন্যা অদু রাজকুমার অদুগী মতৌদুনা য়াম্না পেল্লমদে। করম্বা মতমদা মাবু শক অমুক্তা খঙবীরবদি হায়না খল্লম্মী।

রাজকুমার অদু হপ্তা অমগী মনুংদা নোংমদি কৈথেলদা থোক্তুনা মানা অপাম্বা অচা অথক লৈদুনা চারম্মী। নোংমদি রাজকন্যা অদুনা রাজকুমারনা কৈথেল থোক্লক্কদবা লম্বী অদুদা অচা অথক য়োনবী শাদুনা লৈরম্মী। রাজকুমার অদুনা রাজকন্যা অদুনা অথুম অহাও য়োন্দুনা লৈবা অদু উবদা পুমঙাও ঙাওরম্মী। কদায়দগী নুপীনো মৌরা, য়ুম পান্দ্রিবী লৈশাবীরা কনাগী মচা ওইরিগবা হায়না খল্লম্মী। রাজকুমার অদু অসুম চঙশিল্লক্তুনা রাজকন্যাদগী অথুম অহাও খরা লৈরগা চারম্মী অদুগা অসুম্না হংলক্লম্মী, কনাগী মচা নিংঙোলনো য়ুম পাল্লব্রা নৎত্রগা পান্দ্রিবীরা? কদায়দা লৈবগে? ৱাহং অদুদা রাজকন্যানা মহাক্কী লৈফম চঙফম মাগী লৈফম কানচিংবা হায়রম্মী। রাজকুমার অদু ফাওবা জ্ঞান তারমদে। মথংগী হাপ্তাদসু রাজকন্যানা পোৎয়োনবী শাদুনা লৈরম্মী। রাজকুমারনা হায়রম্মী, নহাক্কী অশেংবা লৈফম অমুক্তা মুন্না তাকপীয়ু। রাজকন্যানা রাজকুমারগী হোজং, ময়ুম অমসুং কা অদুমক হায়রম্মী। অদু ফাওবা রাজকুমার জ্ঞান তাদে। রাজকন্যানা কৈথেন্দগী হল্লক্লবা মতমদা মাগী কা মমাংদা মানা য়োল্লুবা পোৎশিং অদু থল্লম্মী। রাজকুমারনা হল্লকপদা পুমঙক ঙকলম্মী। অসুক ফজথ্রবা রাজকন্যা অসি ঐগী নুপীনি হায়বা ঐ নহান মখৈ খংঙুদ্রবনি, মসি পুম্নমক অসে মন্ত্রী মচা অসিনা থোকহনবনি হায়বা রাজকুমারনা খঙলম্মী। রাজকুমারনা রাজকন্যাদা হায়রম্মী, ইবেম্মা ঐদি নহানমখৈ তুমদুনা লৈরুরে ঙসিদি মীকপ থোক্লে অদুনা ঐখোয় অনীদং খঙনবা খুদম অমা থন্নসি। নঙগী খুদোপ অদু ঐনা শিরগে, ঐগী খুদোপ অসিনা নঙনা শিরো। খুদম অসি য়াওদবা মী নঙগী ননাক্তা চংহনগনু। অসুম হায়দুনা মতম খরা লৈরগা নিংথৌমচা অদুগা মন্ত্রী মচা অদুগা লমদা কোয়রুসি হায়দুনা কোয়বা চৎলম্মী।

মখোয় অনী অসুম চৎপদা লল্লোং ফাংবা মফম অমদা য়ৌরে অদুগা মখোয় অনী অসুন্না হায়নরম্মী নঙসু তম্বা য়াবা মহৈ তম্লুরো ঐসু তম্লুগে মহৈ মপুং ফারবা মতুংদা মফমসিদা অমুক উনসি হায়নরগা লম্বী অমমমদা চৎনখ্রে।

মতম খর লৈরগা মখোয় অনীদু মখোয়না হায়নখিবা মফম অদুদা চপ চানা থেংনরে। রাজকুমারদুদা মন্ত্রী মচাদুনা হায়রম্মী-ইতাও, ইতাওনা নহানমখৈ মহৈ তম্লুবদু করি করি মহৈ হৈরক্লবগে? অদুদা রাজকুমার অদুনা, ইতাও ঐদি সনাগী তেনৱা ফাউবা ওনবা ঙম্মী খুল্লম্মী। রাজকুমার অদুনা অমুক মন্ত্রীগী মচাদুদা হায়রকই, ইতাওদি করি করি মহৈ হৈরক্লবগে? মন্ত্রী মচাদুনা ইতাও ঐদি শজি খুরাংয়াই ওনবা ঙম্মী হায়না খুল্লম্মী। মন্ত্রী মচা অদুনা ইতাও য়ুমদা চৎত্রিঙৈসিদা ঐখোয় অনীগী মহৈ অসি চাং য়েংনসি। ইতাও ঐদি সনাগী তেনৱা য়াম্না য়েংনিংই অদুনা ইতাওনা সনাগী তেনৱা অদু অমুক্তা ওল্লু। ইতাওনা সনাগী তেনৱা হেক ওনবা লোইবগা ঐ অমুক শজি খুরাংয়াই ওনগে হায়দুনা মবুক ফত্তবা মন্ত্রী মচাদুনা লৌনম তৌদুনা হায়রম্মী। মবুক চমজবা নিংথৌমচা অদুনা ইপঙ পঙনা সনাগী তেনৱা ওল্লগা উশাদা তোংলম্মী। তাঞ্জাদুদা মবুক ফৎত্রবা মন্ত্রী মচাদুনা মাগী থৱায় অদু রাজকুমারগী হকচাংদা পাইশিল্লম্মী। হঞ্জিনফম খঙদ্রবা রাজকুমারগী থৱায় সনাগী তেনৱা ওন্দুনা লৈখ্রে। মন্ত্রী মচাদুনা কোনুংদা হল্লক্তুনা রাজকুমার শাদুনা রাজকন্যা অদুগা লৈমিন্নরম্মী। মন্ত্রী মচাদুনা মনাই মশনশিংদা য়াথং তৌরম্মী, চীংয়াগী উমং অদুদা তেনাৱা শঙ্গু অমা লৈবনি মদুগী মরক্তা সনাগী তেনৱা অমা য়াওবনি। তেনৱাশিং অদু লাং থাক্তুনা লোইনা ফারকউ নান্থোকহনবা য়াদে হায়রম্মী। মনাই মশনশিং অদুনা চীংয়াগী উমংদা চত্তুনা লাং থাক্লম্মী। তেনৱা ময়াম অদু লোইনা থুরে। তেনৱা ময়াম অদুদা সনাগী তেনৱা অদুনা হায়রম্মী, ঐখোয় লোইনা শিবা তারে অদুনা ঐ ৱা অমা হায়গে হোরেল ঐখোয়বু লৌথোকপা লাকপা মতমদা ঐখোয় লোইনা শিশিন্নদুনা লৈশি মখোয়না ঐখোয় শিরে খন্দুনা অমমমতা লৌথোক্লগা লৈপাক্তা থাদরবা কান্দা ঐখোয় লোইনা পাইখিশি হায়না সনাগী তেনৱানা ময়ামদুদা লৌশিং তাক্লম্মী। নিংথৌগী মনাই মশন ময়াম অদু

নোংঙাল্লগা উমং অদুদা লাক্লম্মী। তেনৱা ময়াম অদু নোংঙাল্লগা উমং অদুদা থাক্লম্বা লাং অদুদা লোইনা থুরগা য়ান্দুনা লৈরম্মী। নিংথৌগী মনাইশিংদুনা এ অসিদি লোইনা শিরেদো, রাজকুমারনা হায়বা সনাগী তেনৱাদুসু য়াওরে হায়রগা অমমমতা লৌথোক্লগা লৈপাক্তা থাদরম্মী। তেনাৱা ময়াম অদু লৌথোকপা হেক লোইবগা ফরং লাওনা চপ মান্ননা পাইখ্রে। নিংথৌ মনাইশিংদু ইঙক ঙক্লা তেনাৱাশিংদু শাইরোং কাপ্তুনা তান্নরম্মী ফংবা ঙমখিদ্রে।

মতম খর লৈরগা সনাগী তেনৱা অদুনা রাজকন্যাগী মনাক্তা পাইশিল্লক্লম্মী। রাজকন্যা অদু ইঙক-ঙক্লম্মী কদাইদগী সনাগী তেনৱানো অমুক্তসু উখিদ্রি ওস্থোক্লা ফজখ্রেদা হায়রিঙৈদা রাজকন্যাগী লেংবান্দা তোংলরে। তেনাৱাদু ৱা ঙাংলক্লম্মী। রাজকন্যা ঐ নঙগী রাজকুমারদুনা ওনবনি, ঐ সনাগী তেনৱা নত্তে হায়রগা ৱারী পুন্বা লীদুনা রাজকন্যাদা তাহল্লম্মী। রাজকন্যাদু ইঙক ঙক্লম্মী। অমুকসু মখা তানা তেনৱাদুনা হায়রকই, রাজকন্যা নঙনা হোরেল লৌনমচাউবা মন্ত্রী মচাদু হল্লক্লগা নঙদি শজি খুরাংয়াই ওনবা হৈ হায় অমুক্তা ওনবীয়ু হায়না নিঙাই তৌ। মহাক্লা শজী খুরাংয়াই ওল্লবা কান্দা মাগী হকচাং মনাক্তগী হেন্দোকউ হায়বা য়ারোই তাঞ্জাদুদা নঙনা হায়য়ু শজি খুরাংয়াইনা চেন চোংবা য়েংনিংই হায়দুনা মাবু নমদুনা খর থাপ্লা চেলহল্লু মহাক্লা চেনখ্রিঙৈদা নঙনা ঐবু নঙগী ফিনুংদগী পুথোক্লগা হকচাংদুদা থাদৌ অদুদগী ঐ অমুক হল্লক্কনি হায়রম্মী। ৱাফম খুদিংমক রাজকন্যানা মন্ত্রীগী মচানা শাবা রাজকুমার অদু হল্লক্লবা মতমদা নিঙাই তৌদুনা শজি খুরাংয়াই ওলহল্লম্মী। শজিদুনা হকচাংদুগী মনাক্তা লেপ্লগা লৈরম্মী। রাজকন্যানা ওস্থোক্লা ফজখ্রে চেন চোংবদু য়েংনিংই ঐখোয়গী কোনুংগী হোজং অসাইৱাই ফাওবা চেল্লো ওস্থোক্লা ফজখ্রে হায়দুনা থাপ্লা চেলহল্লম্মী। তাঞ্জা অদুদা রাজকন্যানা মাগী ফিনুংদা লোৎলগা থল্লিবা সনাগী তেনৱা অদু পুথোক্তুনা হকচাংদুদা থাদরম্মী। অদুদগী অশেংবা রাজকুমারগী থৱায় অদু হঞ্জিন্দুনা হৌগৎলম্মী। শজি খুরাংয়াই অদু হঞ্জিনফম লৈত্রে। মাগী হকচাং অদুদি মহাক্লা রাজকুমারগী হকচাংদা চংখিবা মতমদুদা

মৈ থাদোকখ্রবনি। রাজকুমারনা হায়রকই, ইতাও নঙনা তৌবনা নঙনা ফংবনি নবুক ফত্তবা নঙদি শজি খুরাংয়াই ওইদুনা উমংদা লৈখ্রো হায়দুনা মনাই মশনশিংদা শজি অসি ফাও হায়দুনা তান্নহনখ্রে। শজিদুসু উমংদা হিংননবা চেনখ্রে। অদুদগী রাজকন্যানা ঐসু শাপ অমতা তৌহৌগে হায়দুনা, "শজি খুরাংয়াই হায়বা জাৎ অসি লাবা অমোম ৱাইথুংনদবা ওইয়ু হায়রম্মী।" রাজকুমার রাজকন্যা অনী নুংশি ৱাইথুংনদুনা নুংঙাইনা পানখ্রে। ফত্তবা, মীগী নুপী মীহৌবা মন্ত্রী মচাদু মপুন্সি চুপ্পা শজি খুরাংয়াই ওইদুনা মাংখি।

ৱারী লীবিরকপা : থোকচোম ইবোতোম্বী সিংহ
তাং : ১১-১১-২০০৯
চহী : ৭৯
শিনফম : উশুবা
মফম : ঙাইখোং খুল্লেন।

মোনা পাঞ্জী

থায়না লুখ্রাবী মচা মোনা কৌবা অমা লৈরম্মী। অঙাং ওইরিবা মোনা লাই য়াম্না নিংজৈ। নোংমদি মমানা নাইবা লংদুম মরী মঙা মাংখ্রে। মীনা লংদুম হুখ্রে হায়না মমানা য়াম্না শাওনা ঙাংলম্মী; মদু তাবদা মোনানা হায়রম্মী "ইমা, ইমাগী মাংখ্রিবা লংদুমশিংদু হোত্তুনা য়েংগে।" মমানা এঃ ইচাদি হৈব্রা? য়েংউ য়েংউ হায়না মমানা হায়রম্মী। মোনানা হায়রম্মী ইমা ঐনা হোত্তুনা য়েংবদা ঐখোয় য়ুমগী কাচিন অমদা থুমোক অমগী মনুংদা লৈ হায়না হায়রি। অদুদগী মমানা য়েংউবদা থুমোক মনুংদা লংদুমশিংদু লৈরম্বা উরম্মী। মদু উবদা মমানা হায়রম্মী " ইবুংঙো ইচাদি পাঞ্জী ওইবা য়ারে, ইচানা হায়বা চুম্মী। মচাদুনা লোৎনা থম্লম্বনি হায়বদু মমাদুনদি খঙলমদে।

কালেন লৌ খোইবা মতমনি, নোংমা মোনানা লৌবুক্তা চৎলগা লাঙ্গোল অনীগী লোংখুম লৌথোক্লগা লাঙ্গোল লৈবা ফৈদোমগী কাচিন অমদা লৈপাক্লা কুপ্তুনা থম্লম্মী। লৌউবা নুপা অনীদু লৌ খোইবা চৎপদা মখোয় অনীমক্কী লাঙ্গোলগী লোংখুম য়াওরমদ্রে। লৌউবা অনীদুনা "এ! কনানা লৌবনো মীশিংসি ফত্তেদা হায়দুনা ময়ুমদা হল্লক্লে। লোংখুম মাংখ্রে নুংঙাইতেদা হায়না ঙাংবদু তাবদা মোনাগী মমানা ইবুংঙো ঐগী লংদুম মাংবদা ঐগী ইচানা য়েংবদা ফংই অমুক্তা য়েংহল্লু হায়রম্মী। লৌউবা অনীদু মোনাগী য়ুমদা লাক্লম্মী। ইবুংঙো মোনা ঐখোয় অনীগী লাঙ্গোলদগী লোংখুম হুখ্রে। নঙদি য়েংবদা চুম্মী হায়, অমুক্তা য়েংবীয়ু। মোনানা হোয় য়েংসি হায়রগা মহাক্লা নীংজবা ঈশ্বরবু খুরুম্লগা য়েংবা হৌরে। "এ! খুরা, খুরাখোয়গী লোংখুম অদু লাঙ্গোল লৈবা ফৈদোমগী কাচিন্দা লৈপাক্লা কুপ্তুনা লৈ" হায়না লাইফাও ফাওরম্মী।

লৌউবা অনীদু লৌদা চত্তুনা য়েংবদা লৈরম্লে। এঃ মোনা অসি অহৈবা পাঞ্জীনি মানা হায়বা অসি চুম্মী হায়না হায়নরম্মী। মোনা খুঙ্গংদুদা ফাওরম্মী।

তাঞ্জা অদুদা নক্লবা লৈপাক অমদা ইকং থোক্লুনা প্রজাশিং য়াম্না ৱানরম্মী। নিংথৌনা মাইবা পাঞ্জী কৌখত্লুনা য়েংবদা নোংগী প্রতিকার অমতা হায়বা ঙম্নদ্রে । নুপা অমনা মোনাগী ৱা তারুরে। ইনিংথৌ ইবুংঙো ঐনা পাঞ্জী অমা য়াম্না চুম্মী হায়না তাজে মমিংনা মোনা কৌই হায়না তাই। নিংথৌ অদুনা, "এঃ অদুদি মাবু, নখোয় খর চত্লুনা কৌরু; নিংথৌগী য়াথংনি লাক্লবা য়াদে", হায়য়ু হায়না হায়রম্মী। নিংথৌগী মনাইশিং অদু মোনাগী য়ুমদা লাক্লম্মী, অদুগা অসুম্না হায়রম্মী, - "ওজা পাঞ্জী ঐখোয়না লাক্লিবসে নিংথৌগী য়াথংনি, নিংথৌনা পাঞ্জীবু কৌখৎলু হায়না লাকপনি লেংঙসি ।" মোনানা মাগী লাই অদু খুরুম্লগা কোনুংদা য়ৌরক্লে। মোনানা, - "ইনিংথৌ ইবুংঙো ননাই লাকচরে করম্বা সনা য়াথংনো তাকপীয়ু হায়জরম্মী।"

নিংথৌ অদুনা মোনাদা হায়রক্লম্মী ঐ য়াম্না ৱারে, লৈপাক অসিদা ইকং থোকপদগী প্রজা য়াম্না ৱানরে, ঐগী মাইবা পাঞ্জীনা নোংগী মরমদা অমতা খঙবা ঙমদ্রে, ওজা পাঞ্জীনা য়েংবীয়ু। অদুদগী নিংথৌদা মোনানা হঙ্গৎচৈ, ননাই মপান অমুক্তা থোকচরুখিগে। নিংথৌনা মনাইশিং অদুদা নখোয় অমা-অনী ঙাইরুচো হায়রম্মী। মোনানা অসুম লাকপদা খোংবান অমদা পাংখোক য়াম্না হৌরম্মী । পাংখোকশিং অদুগী মরক্তা চংদুনা মাগী নীংজবা ঈশ্বরবু খুরুমজদুনা, ননাইবু নুংশিবিয়ু হায়না হায়জরম্মী। তাঞ্জা অদুদা হংঙোই বোরাবী অমনা মাগী নুপাদা হায় "ঐদি ইকুম ইথা য়ৌরে নোং তাদবসিদা ঐ য়াম্না ৱারে" ৱাহৈশিংসি তাবদা মাগী নুপানা হায়রকই "ঙসি তরেৎনি শুবদা নোং য়াম্না কন্না তারনি ৱাগনু"। হঙোই অনীনা ঙাংনরিবা ৱাফমসি তাবদা মোনা য়াম্না হরাউরম্মী। মোনাদি জীবশিংগী মরোল খঙলম্মী। মানা হল্লক্লগা নিংথৌদা ঙসিদগী তরেৎনি শুবা নুমিত্তা অকনবা নোং তারনি হায়না হঙ্গৎলম্মী। নিংথৌনা অদুদি নুমিৎ তরেৎনি ফাওবা মোনাবু কোনুংসিদা লৈরো হায়না য়াথং পীরম্মী। নুমিৎ তরেৎনি শুবদা নোং য়াম্না কন্না তারে, নিংথৌনা হরাউদুনা মোনাদা মতিক চাবা মনা পীরম্মী। মোনা নিংথৌগী মনাই কয়াগা লোয়নদুনা ময়ুমদা য়ৌরে, মমাদা মানা ফংলকপা মনা মথুম কয়াদু পীরম্মী। মমানা য়াম্না হরাউরম্মী। মোনা লাইরনা লৈরম্বদো হৌজিক্তি য়াম্না নুংঙাইনা লৈরম্মী।

মতম খর লৈরগা লৈবাক অমদা নিংথৌগী সনা লুপা ময়াম অমা হুরানবশিংনা হুখিরম্মী। নিংথৌনা মাইবা মাইবী কয়াদা য়েংবদা খঙবা ঙমদ্রে। মোনা পাঞ্জীগী মিং তাবদা নিংথৌনা মনাই কয়া থাদুনা কৌবা চৎহল্লম্মী। মোনাগী য়ুমদা নিংথৌ মনাইশিংনা থুংলম্মী। "ওজাগী মিং তাবদা ইনিংথৌনা কৌরু হায়না লাকপনি" হায়না নিংথৌ মনাইশিংদুনা হায়রম্মী। মোনানা অদুদি লেংঙসি হায়না অসুম দোলাই তোংদুনা লাকপদা মথন্তো হায়জৈ - "তোল্লিদা মোনা নঙসি" ৱাহৈ অসি দোলাই পুরিবা অদুনা তারম্মী। দোলাই পুরিবা নুপাশিংদুগী মরক্তা নিংথৌগী সনা লুপা হুরানবা অমা য়াওরম্মী। মহাকসু মোনা কৌরম্মী। মহাক্না অচীকপা মফম অমদা লাকমিন্নরিবা নিংথৌগী মনইশিং অদুদা ঙাইখো ঙাইহাক্তা পোথাখিসি হায়না হায়রকলম্মী। হুরানবা অদুনা মোনাদা ময়াম তাহন্দনা লোন্না হায়জরকই- "ওজানা ঐবু নুংশিবিয়ু ননাই ঐ মোনা কৌজৈ। ঐনা হুরানবনি সনা লুপা ময়ামদু, লৈপুং অমগী ময়াদা ফুমদুনা থল্লি। ননাই ঐবু কনবিয়ু। মোনা পাঞ্জীনা হুরানবদুদা হায়রকই, "নঙবু নুংশিদুনা হায়বনি য়ারে চৎলসি" অসুম্না লাকপনা কোনুং য়ৌরে। কোনুং য়ৌরবদা নিংথৌনা মোনা পাঞ্জীদা ওজা ঐগী সনা লুপা কয়া হুখ্রে অদুগী কৌজবনি য়েংবিয়ু হায়রকই। মোনানা হোৎতুনা য়েংলগা নিংথৌগী মফমদা হঙ্গৎচৈ "কোনুংগী মমাংদা লৈপুং অমগী ময়াদা মাংখ্রিবা সনা লুপাশিং অদু ফুমদুনা লৈরে" হায়না হায়রম্মী। নিংথৌনা মনাই ময়াম থাদুনা য়েংহনবদা সনা লুপাশিংদু লোইনা লৈরম্মী। মদু পুম্নমক্তু পুরক্তুনা নিংথৌদা পীররে। নিংথৌদু য়াম্না হরাউরম্মী। মোনাদা পীবা য়াবা মনা মথুম ময়াম অমা পীরম্মী। মোনা দোলাই তোংদুনা ময়ুমদা হল্লক্লম্মী। মমা লুখ্রাবীদা মনা ময়াম অদু পীবদা মমাদো য়াম্না হরাউরম্মী। লুখ্রাবী মমা মচাদু য়াম্না ইনাক খুনখ্রে। মানা হোৎনজবগী তৌজরুবগী মহৈ ফংদুনা মমা মচা নুংঙাইনা পানখ্রে।

ৱারী লীবিরকপা : থোকচোম ইবোতোম্বী সিংহ

তাং : ১১-১১-২০০৯

চহী : ৭৯

শিনফম : উশুবা

মফম : ঙাইখোং খুল্লেন।

অপুনবনা পাঙ্গলনি

মতম অমদা য়েনবা অমগা তোকপা অমগা মরুপ শানরম্মী। য়েনবাদু য়েনবীগা মচাশিংগা ইমুং অমা ফানা পাল্লম্মী। তোকপনা য়েনবাগী মচাশিংদু চানিংলম্মী। মরম অদুনা তোকপনা য়েনবাগী মনাক্তা য়াম্না তোইনা লাক্লম্মী। তোকপনা য়েনবাদা হংলম্মী, ইতাও ঙসি অহিং কদায়দা লেক্কনি। য়েনবানা তোকপগী মবুক খঙলম্মী। য়েনবানা হায়রম্মী- ইতাও ঐখোয় ফৌশুখোংদা লেক্কনি। অদুগা য়েনবানা মখোয় পুম্নমক য়েংগাইদা লেক্লম্মী। তোকপনা অহিংদা লাক্লম্মী অদুবু য়েনবানচিংবা পুম্নমক লৈরমদ্রে। নোংঙাল্লগা তোকপনা য়েনবাগী মনাক্তা অমুক লাক্লম্মী অমসুং হংলম্মী, ইতাও ঙসি অহিংদি অমুক কদাইদা লেক্কনি। য়েনবানা খুন্নম্মী ইতাও ঙসিদি কুরাওদা লেক্কনি। য়েনবানা য়েনখাদা লেক্লম্মী। তোকপনা অহিংদুদা কুরাওদা থীবা লাক্লম্মী অদুবু থিবা ফংলমদে। তোকপগী শাজৎ খঙবদগী য়েনবানা মচাশিং চাবিদনবা তোকপবু চাক্কৌগে খল্লম্মী। মরম অদুনা য়েনবানা - ইতাও তোকপা ইচাশিং অসি চাবিগনু। ইতাওবু ঐনা চাক কৌজগে হায়রম্মী। মদু তাবদা তোকপনা- ইতাওগী নৰচাসু ঐগী ইচানি। ঐনা কৈদৌঙৈদসু ইতাওগী নচাশিংবু চারোই হায়না খুন্নম্মী। য়েনবানা তোকপবু চাক্কৌরে। য়েনবানা মচাশিংদু য়েনখাদা থুম্মোক্না উপ্তুনা থল্লম্মী। তোকপনা চাক চাবা লাক্লম্মী। অদুগা য়েনখাদা তুমিন্না চৎখ্রগা য়েন মচাশিংদু লোয়না চাথোক্লম্মী। অদুগী মতুংদা চাক চামিন্নরগা তোকপা চৎখ্রে। য়েনবানা মচাশিংদু থাদোকপা চঙলুবদা মচাশিংগী শরু মচেৎ, মতুশিং ওইনা লৈরল্লে। য়েনবা মথ্বায় শোক্লম্মী। য়েনবানা তোকপবু লমন শীংগে হায়না ৱাশক্লম্মী। মরম অদুনা য়েনবানা মীচং খোল্লম্মী। য়েনবানা য়েরুম, য়েতুম, ঙাক্রা, শুক, ইশং, মাইরেলনচিংবশিংদা লান পাংবিয়ু হায়জরুরে মখোয়নসু য়াবিরক্লে। য়েনবানা লানওং শীল্লে। য়েনবানা ইতাও য়েরুম নংনা তোকপগী ফুঙ্গাদা

লৈবিয়ু। ইতাও য়েৎতুম নঙনা কাংখলদা লৈবিয়ু। ইতাও ঙাক্রা নঙনা ঈশাইফুদা, ইতাও শুক নঙনা মাঙ্গোলদা, ইতাও ঈশং নঙনা জুরি মখাদা, ইতাও মাইরেলনা মাঙ্গোলগী য়ুমথক্তা লৈবিয়ু। য়েনবা ঐনা তোকপগী য়ুমগী য়াঙলেন্দা লৈদুনা লাওরক্কনি। মতম অদুদা হায়নখিবা থবক পুন্নমক পাঙথোকপিয়ু। মখোয় পুন্নমক মিৎ না শিংনা মাগী মাগী লৈফমদা লৈনখ্রে। নুমিৎতু অহিং অথেংবদনি। য়েনবানা য়ুমথক্তগী ক্রে কে-কে তোকপা লান্দাসে হায়না অহুন্নক লাওরক্লে। মদু তাবদা তোকপনা শাওমনখ্রদুনা থাংমৈ চন্নবা ফুঙ্গাদা মৈ কান্বদা য়েরুম্না পোকখায়রক্কুনা তোকপগী মমিত্তা উৎ চঙলম্মী। মমায় তাথোক্কে হায়না ইশাইফুদা মখুৎ থিংজল্লুবদা ঙাক্রানা হায়দৎলে। কাংখলদা তৈথোক্কে হায়না তৈথোক্লুবদা য়েত্তুন্না চক, চক থিল্লম্মী। করি মতৌনো হায়না মপান থোক্লপদা মাঙ্গোলদা শুক্রা ফুদৎলম্মী। দারি মখাদা কুম্বদা ঈশংদা নাম্বুদুনা তুরম্মী। মতম অদুদা য়ুমথক্কী মাইরেলনা ওন্থরক্কুনা মকোক থুগাইরম্মী। তোকপা শীরে। মতৌ অসুন্না য়েনবানা মচাশিংগী লমন শীংলম্মী।

ৱারী লীবিরকপী	:	থোকচোম নিংঙোল মণিলৈমা দেবী
তাং	:	১১-১১-২০০৯
চহী	:	৬৭
শিনফম	:	স্কুলগী ওজা ওইরম্বদগী পোথারবী
মফম	:	ঙাইখোং খুল্লেন।

চানিংমল্লবদি লেক্তুনা তোকই

মতম অমদা উ পান্বী অমদা পেবেৎ মপী অমনা মচাশিং কোন্দুনা য়োক্লন্মী। পেবেৎনা নুমিৎ খুদিংগী মচাশিংদা মচিঞ্জাক ইনবদু হৌদোং অমনা উরন্মী অমসুং চানিংলন্মী। মরম অদুনা হৌদোংদুনা পেবেৎকী মনাক্তা লাক্লগা তাৎ তৌরন্মী। হৌদোংনা হায়-পেবেৎ ঐদি লম্বোইরবনি। অদুনা জীব পানবা অমত্তা ঐ চাদে। হীংসাগী থবক থাদোক্লবনি। নঙ ঐবু কীগনু, ঐবু থাজৌ হায়রন্মী। পেবেৎনা থাজে হায়না খুল্লন্মী। মতম খরা লৈরগা হৌদোং লম্বোইবদো লাক্লন্মী অদুগা পেবেৎপু কৌরন্মী। হায় পেবেৎ হায়না কৌরকই। পেবেৎনা কীমনখ্রদুনা ঐজ্ঞাবু হায়না খুল্লন্মী। হৌদোংনা ঐগী শকশি কয়াম ফজে হায়রমই। পেবেৎনা ঐজ্ঞাগী শক্তি ঙারি পরেং অচুম্বা, ফৌ শংবাই অচোনবা, ঈশিং পুল অথনবমুক ফজে হায়না খুল্লন্মী। অসুম হায়না হৌদোং লম্বোইবনা অনীরক অহুল্লক লাক্লন্মী অমসুং পেবেৎনসু হান্নগীগুম্না পাওখুমসি খুম্বদা হৌদোং লম্বোইবনা লাকপা খুদিংগী হরাউদুনা ঙ্যাও, ঙ্যাও হায়না খোংদুনা চৎখি। পেবেৎনা হৌদোংগী তৌশিন্নবদু খঙলন্মী। মরম অদুনা পেবেৎনা মচাশিংদু পাইবা তম্বীরমই। মচাশিংদু পাইবা ঙম্লে। নোংমা হৌদোং লম্বোইবদো লাক্লন্মী। পেবেৎপু কৌরন্মী। হায় পেবেৎ, পেবেৎনা খুল্লমদে। অমুকসু হায় পেবেৎ হায়না কৌরন্মী। পেবেৎনা করিনোহে হায়না খুল্লন্মী। হৌদোংনা হায়, 'ঐগী শকশি কয়াম ফজে' হায়রন্মী। নঙগী শক্তি হৌদোংগী হৌদোংনিদনা হায়না পেবেৎনা খুল্লন্মী। হৌদোং অদুনা শাওদুনা নচাশিং চাবা তারে হায়না পেবেৎনা লৈরিবা উপান্বীদুদা শর কাখৎলন্মী। পেবেৎনা ইচাশা পাইরসে হায়না মচাশিংগা লোয়ননা পাইথোকখ্রে। মচা অতোনবদুদি পাইবা ঙমদদুনা খরা পাইরগা তাহৌরে। হৌদোংনা পেবেৎ মচাদু ফারন্মী। হৌদোংনা পেবেৎতা করেম্নরদুনা হায়, নঙগী নচাসি করম্না চাগনি। পেবেৎনা হায়, 'ঐগী ইচাদি ফজনা

ঈরুজবিরগা খুবাক্তা হাপ্লগা হুন হুন্দুনা কংহল্লগা চাবিয়ু।' হৌদোংনা পেবেৎ মচাদু ঈরুজবিরে অদুগা খুবাক্তা হাপ্তুনা কংহল্লম্মী। পেবেৎ মচাদু মশা নুংঙাইরম্মী। চোকথবা ফরম্মী। পেবেৎ মচাদুনা হৌদোংগী মখুবাক্তা মথি বোৎ হায়না ফায়রম্লগা মমাগী মনাক্তা পাইখিরম্মী। হৌদোংনা পেবেৎ মচাগী মথিদু লেক্তুনা চারম্মী অমসুং হায়রম্মী। মথীমক্লসু অসুক হাওরসিনদি মশা চারম্লবদি কয়া হাওরমগবা!

ৱারী লীবিরকপী	:	থোকচোম নিংঙোল মণিলৈমা দেবী
তাং	:	১১-১১-২০০৯
চহী	:	৬৭
শিনফম	:	স্কুলগী ওজা ওইরম্বদগী পোথারবী
মফম	:	ঙাইখোং খুল্লেন।

হনুবা হনুবী পান থাবা

থায়না মমাংঙৈদা হনুবা হনুবী অনী লৈরম্মী। মখোয় মচা পোল্লমদে। নোংমা হনুবা হনুবী অনীনা পান থানবা হোৎনরম্মী। পান থারিঙৈদা মফমদুদা য়োং খরা লাক্লম্মী। য়োংশিংদুনা ইপু ইবেন্না পান থারিবা অদু শোয়রে হায়রম্মী। হনুবনা অদুদি করম হায়না থাগনি হায়না য়োংশিংদুদা হংলম্মী। য়োংশিংদুনা ইপু পানশিংদু য়াম্না মুন্না ফুৎলগা লানা ফজনা য়োল্লগা থাবিয়ু। নোংঙাল্লগা পান মকাশিংদু শাইজিন য়ৌনা ৱাংলমগদৌরিবনি। মদুদা হনুবা হনুবী অনীদু য়োংনা হায়বা ৱাদু থাজরম্মী। মরম অদুনা পানশিংদু ফুৎলগা য়োংনা হায়বা অদুমক তৌদুনা পানশিংদু থারম্মী। অহিংদুদা য়োংশিংদুনা পানশিংদু লৌথোক্কুনা চাথোক্লগা লমপান অৱাংবা ময়াম অমা পুরক্লগা য়ুংশিন্দুনা থন্নল্লগা চৎখিরম্মী। নোংঙাল্লগা হনুবনা পান থাফমদা য়েংলুবদা পানশিংদু য়াম্না ৱাংনা মকা লাম্না হৌদুনা লৈবদু উবদা হরাউরম্মী অমসুং ইশুশিংনা হায়বা চুম্মী হায়না য়োংশিংবু থাগৎলম্মী। হনুবনা হনুবীদা হায়রম্মী। হনুবী পান মকা অহুম হেক্লো। লাইদা অমা কৎলুরো। লৈকাইদা অমা পীরো। মকা অমনা ঐখোয়গী ইরোল্লু। হনুবীনা হায়রিবা থবকশিং অদু তৌরম্মী। চাক লোইরগা হনুবীনা হনুবদা চাক লোইরে চারসি হায়রম্মী। হনুবনা ঙসিগী য়েনশাং অসি ঐ হান্না চাগে হায়রম্মী। হনুবনা হেক চাবগা হনুবী লেংলে হেন্তাক হনুবী হেন্তাক হায়না লাওরম্মী। হেন্তাক চাবদগী লেংবা ফরম্মী। হনুবীনা মাসু চাদুনা য়েংগে হায়না চারম্মী। হনুবীনা হনুবা লেংলে হেন্তাক, হনুবা হেন্তাক হায়না হায়রম্মী। হেন্তাক চাদুনা মখোয় অনীমক লেংবা ফরে। অদুদগী হনুবনা শাওদুনা য়োংশিং হাৎকনি হায়রম্মী। হনুবী ঐ শুমাংদা হীপ্পগা ফি অঙৌবা অমনা কুপ্লগা লৈগে, নংনা হনুবা শিরে হায়না কপ্পু। অসি হায়রগা হনুবনা মনাক্তা উতুপ থল্লগা অশিবা শাদুনা লৈখ্রে। হনুবীনা হনুবা শীরে হায়না কপ্লম্মী। য়োংশিংনা হনুবীনা কপ্পা

তাবদগী ইবেন ইপু কৈদৌরে হায়না চেনশিনলক্লম্মী। হনুবা শিরে হায়না খুল্লম্মী। য়োংশিংনসু ইপু ইপু হায়না হনুবগী মনাক্তা কপ্লম্মী। হনুবনা উতুপ অদু পায়রগা ফুক হৌগৎলক্তুনা ফুবদা য়োং খরা শীরে। খরা অমা নাম্থোক্তুনা চেনখিরম্মী। চেনখিবা য়োংশিংদুনা য়োং অহলদা তাক্লুবদগী য়োং ময়াম হৌনদুনা য়োংগী লান লাক্লম্মী। হনুবা হনুবী অনীনা কিমন্দনা করম তৌনি হায়না ৱা তানরম্মী। মখোয়গী য়াম্না চাউবা মী লোৎপা য়াবা খরুং অমা লৈরম্মী। খরুং মনুংদা হনুবা হনুবী চঙদুনা লোৎখ্রে। য়োং ময়ামদুনা হনুবা, হনুবী থিরক্লে। মমৈথংদা মখোয় অনীগী লোৎফম চফুদু পুদুনা থোরক্লে। হনুবীনা হনুবদা হনুবা মোই থোক্লিংঙে হায়রম্মী। হনুবনা কিমনবদগী হনুবী তপ্লা থোকউ হায়রম্মী। হনুবীনা তপ্লা থাদোক্লম্মী। হনুবসু মোই থোক্লিংই হনুবী হায়রম্মী। হনুবীনা হনুবা তপ্লা থোকউ হায়রম্মী। হনুবনা খঙহৌদনা বাঙ হায়না থোক্লম্মী। মোই মখোন্দুদা য়োংশিংদু খঙপ্রেক খঙদুনা খরুংদু থাদরম্মগা চেনখিরম্মী। হনুবা হনুবী অনী অদু থোক্লক্লে অমসুং ময়ুমদা হল্লক্লম্মী। মখোয় অনী শিরমগনি অদুবু ঈশ্বরনা কনবীরে হায়না ঈশ্বরবু থাগৎলম্মী। মতৌ অসুম্না হনুবা হনুবী অনী নুংঙাইনা পানখিরম্মী।

ৱারী লীবিরকপী : থোকচোম নিংঙোল মণিলৈমা দেবী
তাং : ১১-১১-২০০৯
চহী : ৬৭
শিনফম : স্কুলগী ওজা ওইরম্বদগী পোথারবী
মফম : ঙাইখোং খুল্লেন।

তেনৱাগী ৱারী

থায়না মমাঙঙৈদা হনুবী অমগা হনুবা অমগা লৈরম্মী। হনুবা হনুবীসি মচা অমত্তা পোক্তে অদুনা তেনৱা অমা মচাদা মচাদৌনা য়োক্লম্মী। তেনৱাসি নোংম নোংমা চাউরক্তুনা শারেপ ফারকলে। নোংমদি তেনৱা শঙ্গু অমা হনুবা হনুবীনা লৈরিবা মফম অদুদা পায়রকএ। অদুগা হনুবা হনুবীদুনা য়োক্লিবা তেনৱাদুদা হায়রকলম্মী, "মরূপলোই নংনা তাইবঙ চীঞ্জাক চাদুনা য়ুমদগী লেঙথোক্তনা লৈরিবদুবু নুংঙাইহিরিব্রা, ঐখোয়দৌনা উমং কয়া, বোন কয়া লান্দুনা অহাওবা উহৈ ৱাহৈ চাদুনা, চীংগী হাওখ্রবা চীংজুম থক্তুনা হরাউনা ইনিং-তম্না অতিয়াদা পায়বা পামদ্রো?" হায়না হায়রম্মী। হনুবা হনুবীনা য়োক্লিবা তেনৱাদুনা খুল্লকই, "মরূপশা চৎপুদি য়াম্না চৎনিংই, অদুবু ঐ ইপু ইবেনগী ৱা তাদনা ঐ চৎপা চুমদে, ইপু ইবেনদা হঙখিগে করিগুম্বা ইপু ইবেন্না য়াবীরবদি ঐসু নখোয়গী নতুং ইন্দুনা চৎকে। হয়েং ঙসিগী মতম অসিমক্তদা মরূপশিং লাকপীয়ো"। ঙাইহাক লৈরমলগা তেনৱা ময়ামদু পায়খ্রে। তেনৱাদুনা চঙলক্লগা, ইপু ইবেন ঐসু ঐগী মরূপলোইশিংগা উমং কয়া, বন কয়া লান্দুনা পায়রুগে, বনগী অহাওবা উহৈ চারুগে অদুগা ইপু ইবেনগীসু পুরক্কে হায়না তেনৱাদুনা হনুবা হনুবীদুদা হায়রম্মী। হনুবা হনুবীদুনসু তেনৱা অদুনা হায়বা য়ারে। হনুবনা তেনৱাদুদা হায়রম্মী, ফরে অদুদি ইশুদি ঙন্তানা চৎলগা ঙন্তানা হল্লকউ।

নোংঙাল্লে ঙরাংগী মতমদু চপ-চানা তেনৱাশিংদু পায়রকলে অদুগা হনুবা হনুবীনা তেনৱাদুদা অমুক্কা হঙলকলে, "মরূপলোই ইপু ইবেন্না য়ারব্রা ?" তেনৱাদুনা খুমলকলম্মী, "হোয় য়ারে"। অসুম্না তেনৱা অদু তেনৱা শঙ্গু মরকতুদা য়াওখ্রে, পাইখ্রে। থাপ্লবা জঙ্গল, উমং ৱামং কয়া ফাওনা পাইখ্রে। কোয়বা য়াবা, চাবা য়াবা উহৈ ৱাহৈ চারুবা মতুংদা মপু মবেনগীসু ফজরবা উহৈ অমা মচিন্না চিক্লগা পুরক্কে। পুরক্লিবা উহৈদু মপু মবেনদা

পীরে। মপু মবেন্না হৈদু চারগা হায়রকলম্মী, “ইস! ইশুগী হৈসিদি য়াম্না হাওখ্রে অদুনা হয়েংসু চৎলু”। অসুম্না তেনৱা অদু নুমিৎ খুদিংগী চৎলম্মী অদুগা হনুবা হনুবীদুসু য়াম্না হরাউরম্মী। মশু তেনৱানা হল্লকপা ঙাইবনা মখোয় অনীগী নোংমগী মথৌ ওইজরম্মী। নোংমগী নুমিৎ অমা তেনৱা শঙ্গু অদুনা মরুপলোই ঙসিদি য়াম্না হাওবা মফম অমদা চৎসি, তেনৱা অদুসু য়ারম্মী। মফম অদুদা হৌরিবা উহৈসি য়াম্না হাওবা অদুগা হনুরবা মীবু নহা ওনথোকহনবা ঙম্বা উহৈনি হায়না তেনৱাদুদা হায়রম্মী। তেনৱাদু থেঙগদ্রা হায়বগী চীংনবদি লৈরম্মী অদুবু মপু মবেন নহা ওনগনি হায়বদুনা মাঙদা থমলগা মাসু ময়ামগা চৎমিন্নরম্মী। মফমদু য়ৌরবদা তেনৱা শঙ্গু অদুনা মরুপশা ঐখোয়না অতোপ্পা উহৈশিং চারসি হায়রিবা উহৈসিনা ঐখোয়গী ইমা ইপা চাননবা পুরসি হায়না হায়নরম্মী। অতৈ তেনৱাগুম্না তেনৱা অদুগীসু অতোপ্পা হাওর হাওরবা উহৈশিংদু চাবা লোইরগা হায়রিবা মগুণ লৈবা উহৈসি ফজবা অমা খল্লগা মপু মবেনগী পুরক্লম্মী। তেনৱা অদুগা পুন্না তেনৱা শঙ্গু অদু সুম পায়রক্লম্মী, মপু মবেন্না হরাউরনি খন্না ৱাখল নুংঙাইনা পায়রক্লগা লম্বীদা ঙসাই তেনৱা শঙ্গু অদুনা হায়রকপা, “উহৈ অসি চাবগা হনুবা হনুবী নহা হেক্তা ওল্লি অদুবু উহৈ অসি লৈবাক মখাদদি তাহনবা য়াদে, লৈবাক মখাদা তাখ্রবদি কান্নদে” হায়বা ৱাহৈদু নীংশিং নীংশিং লাকপদা উহৈদু খঙহৌদনা লৈবাক্তা তাথোকখ্রে। অস! মসিদি তাখ্রেদনা কমদৌনি হায়না তেনৱাদুনা শোল্লম্মী।

অমরোমদনা হনুবা হনুবীদি মশু তেনৱানা উহৈ অহাওবা পুরক্কনি হায়না খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরম্মী অদুবু তেনৱাদুদি য়াম্না নীংবা কায়না হল্লকলম্মী। তেনৱাদুনা হেক য়ৌরকপগা হনুবা হনুবীদুনা মখোয়গী উহৈ কদায় হায়না হঙলকলম্মী। তেনৱানা ৱারী পুম্বা মপু মবেন্দা লীরে। হনুবা হনুবীদুনা হায়রকই, ফরে ফরে ঙসিগীদি, হয়েংদি শোয়দনা পুরকউকো হায়রম্মী। নুমিৎতু হনুবা হনুবীদু য়াম্না নুংঙাইখিদে অদুবু ৱাখলদদি খল্লি হয়েংদি ইশুনা উহৈ পুরকলগা ইবানী নহা ওল্লদৌনি হায়না। নোংঙাল্লে, হান্নগী মতৌগুম্না তেনৱা অদু মরুপশিংগা চৎখ্রে, তেনৱাদুনা অতোপ্পা

তেনৱাশিংদুদা ঙরাংগী মফমদুদা চৎসি ঐগী ঙরাংগী উহৈদু লৈপাক মখাদা তাখিদনা অরেম্বা তারে অদুনা ঐগী ইপু ইবেন্দা ঙসি ওইনা হেকলক্কে হায়রমলে অদুনা চৎসি হায়দুনা তেনৱা শঙ্গুদুদা হায়রকলে। অদুবু তেনৱা শঙ্গু অদুনা নুমিৎ খরনি লৈরগা অমুক চৎসি ঐখোয়গীদি ইমা ইপাদা পীজরম্বদা ঙাইরি, ঙসিনা উহৈ অহাওবা খরা নকপা অমদা চৎসি হায়বদগী তেনৱাদু উপায় লৈত্রে মথন্তা চৎপা য়াদবনিনা।

অমরোমদনা হনুবা হনুবী অনীদু ঙসিদি নহা ওল্লদৌনি খল্লদুনা ঈরু মায়থজরদনা তেনৱানা হল্লকপা মায়কৈতবু য়েংদুনা লৈরে। মশু তেনৱানা হল্লকপদা মখোয় অনী হরাউখি। হংলকই, পুরক্কব্রা? অদুবু তেনৱাদুনা ঙসিদি মফমদুদা চৎসি হায়বা মরুপলোইশিংনা য়াদ্রে, খরা লৈরগা চৎসি হায়রে অদুনা ইপু ইবেন ঐবু ৱারৌবীগনু নশুনা শোয়দনা উহৈ অদু পুরক্কনি। ঙসিগীদি উহৈ অসি চাবীরো হায়না পীরম্মী। মপু মবেনদু নুংশুক নুংজান্নরম্মী অদুবু মশুনা হায়বদু য়াদুনা তুমিন্না লৈরম্মী। অসুম্না নোংম নোংমা য়েথোরকপনা নুমিৎ মশিং য়ামলকলে। সোমদনা হনুবা হনুবীদুনা তেনৱাদা করি নুমিৎতা চৎকদবনো হঙবদা লোইরে। নোংমদি তেনৱাদুনা তেনৱা শঙ্গুদুদা মরুপশা ঐ ইপু ইবেন্না হঙবদা লোইরে নহানগী উহৈ হৌফম মফমদুদা চৎসি হায়রম্মী। তেনৱা শঙ্গুদগী খরা অহন ওইবা তেনৱা অমনা অদুদি উহৈসু য়াম্না হাওবা নহানগী উহৈ অদুগা মান্নবা মফম অমা লৈ মদুদা চৎলসি, উহৈ অসি ঐখোয়নসু চাবা য়াবা অদুগা অতোপ্পনসু চাবা য়াবা, ঐনা চারসু মখোয়না চারসু নহা ওনবা উহৈনি চৎলসি হায়না মখোয় মফমদু য়ৌনা পায়খ্রে। মফমদুদা মখোয়না মবুক থন্নবা উহৈ কয়া চারে হায়রিবা উহৈ অসিসু চারে অদুগা তেনৱা অদুনা য়াম্না হরাউনা উহৈ অমসু পুরকলে। পুরকলিবা উহৈ অদু নহান তাখিবা মফমদুদা অমুক তাখ্রে। অসুম্না উহৈদু পুদনা তেনৱাদু হঞ্জিনলক্লে।

তেনৱাদুবু ঙাইবদা চোকথরবা হনুবা হনুবীদু উহৈ পুরকত্রে তাবদা শাওরম্মী অদুবু হনুবদুনা পুরকত্রবদি পুরকত্রেদনা মথংদা পুরকলগা লোয়রেদনা হায়না হায়রম্মী । অদুবু হনুবীদুদি অশাওবা ফাথবা ঙমদ্রে,

চাক থোংবগী পায়রম্বা খাবৈ অদুনা তেনৱা অদু মচীন থী, ওইদবা ঙাংই, উশিৎ থওইদে হায়না খাবৈনা থোম্লগা হাৎখ্রে অদুগা ইংখোল মতোন্দা ফুমজিল্লম্মী। অদুগা ফুমখ্রিবা মফম অদুদা হে় পান্বী অমা ওইনা হৌরকলে। হনুবদুনা হনুবী মসিদি ইশু তেনৱা ফুমখিবা মফম অসিদা পান্বী অমা ওইনা হৌরে করি পান্বী ওইরিজাৎনো থমসি, থমসি হায়না মপুং মরৈ ফাবা ফাওবা থমলে। পান্বী অসি অসুম অসুম মপুং মরৈ ফারক্তুনা য়াম্না ফজবা উহৈ অমা পাল্লে। হায়রিবা অমখক্তমক পানবা উহৈশি য়াম্না ফজৈ পুক্লিং হুনিংঙাই মচাক ওই। নোংমদি হনুবদুনা হনুবী উহৈ অসি লৈবাক্তা তাদনা হেকলকউ অদুগা ইবানি ঙসিদি চারসি হায়রকলম্মী। অসুম্না হনুবীদুনা হৈদু নীংথিনা লৈবাক্তা তাহন্দনা হেকলম্মী অদুগা অহানবদা হনুবদুনা হান্না চারে, হৈ অদু চারুবদগী হনুবদু নহা ওনথোকখ্রে, হনুবদুনা হায়রকই, "হনুবী ঐ নহা ওল্লে", মদু তাবদা হনুবীদুসু হৈ অদু চারে, হনুবীদুসু নহা ওল্লে। হনুবা হনুবী অনীদু হরাউবগী ঙমখৈ লৈত্রে অদুবু খঙহৌদনা মশু তেনৱাদু নীংশিংলকই, হনুবীদুনা তেংথারকই হো ইশু তেনৱা নবোক্লা ৱাখল থেল্লুবনা ইশুবু হাৎতোকপীখ্রেদো নীংঙমলকখিদ্রেদা হায়না কপলম্মী। হনুবদুনা খল্লম্মী, "ও ! ঐখোয় তাইবঙ মীওইনা পোক্লুবনা ৱাখল থেল্লুবদগী, মরাল লৈজদবা ইশুদো হাৎপীখিদা।"

ৱারী লীবিরকপী	:	থোকচোম নিংঙোল মণিলৈমা দেবী
তাং	:	১৩-১১-২০০৯
চহী	:	৬৭
শিনফম	:	স্কুলগী ওজা ওইরম্বদগী পোথারবী
মফম	:	ঙাইখোং খুল্লেন।

কবুই কৈওইবা

মথায় থায়না মমাংঙৈদা চীংয়া অমদা য়ুমদোমপোক অনী লৈরম্মী। য়ুমদোমপোক অমনা লুখ্রাবী অমদা লৈরম্মী অদুগা য়ুমদোমপোক অমনা মবুং তরেৎকা, মচননুপী অমগা লৈরম্মী। মচননুপীদুগী মমিং থবাতোন কৌই। নোংমদি মবুং তরেৎতুনা মচননুপীদা হায়রম্মী, "ইবেম্মা থবাতোন, নবুং তরেৎসে লংফৈ চৎলুগে, ইচনগী সনা-লুপা, লন-থুম য়ুমগী অৰাং-অপা তাল্লুগে নহাক নীংথিনা লৈরম্মু"। থবাতোনসি মবুং তরেৎনা ওন্থোক্লা কেনা-মৌনা, য়াম্না লুনা চান্না থমজবী অমত্তা পোকচবী মচননুপীনি। মানা হায়বদা মবুংশিংনা কদায়দা করি ৰাৎকদগে হায়না থমজরিবী মচননি। থবাতোন্না হায়রকই, "তাচৌখোয় ময়াম লোয়না চৎথ্রবদি 'ইথন্তা লৈবা ঙমলোই, ' কনাগা লৈহৌগনি"। মবুং অহনদুনা হায়রকই, "ইবেম্মা ইবুংশিং চৎতবা য়াদবনি, ফরে ইচন্না ইথন্তা লৈবা ঙমলোই হায়রবনিনা ইবুং ৰা হায়গে তাউ, থংনবদা নংগী নবোকসু লৈরি, ইবুংনা ইচনগী ৰাত্তনবা থমলমগে, মপানগী থোঙ অসিসু লোল্লমগে অদুগা নবোক্তা শো অসি পীরমগে। নংনা মনুংদা থোঙগী শো লোনশিল্লু। ইবুং তরেৎনা থোঙ অসি হাংঙু হায়দ্রিফাওবা হাংদোক্কনু। ইবুংশিংনা,"ইচন ইবেম্মা থবাতোন নবুং তরেৎ লাকলে, থোঙ হাংঙো চারগী পৌরোন শৎলো হায়রবা কান্দদা থোঙ হাংগদবনিকো" হায়রমলগা মবুং তরেৎ লংফৈ চৎখ্রে। হায়রিবা চীংসিগী লোকনুংদা শা অমা লৈরম্মী। শাসি মশানা মী ওইবা অদুগা মকোক্লা কৈ ওইবা জাৎনি। নোংমদি মহাক মবুক য়াম্না লামদনা শুম কোয়না চৎতুনা মচিঞ্জাক থিবা থোরকলম্মী। হায়রিবা শা অসিগী মমিং কবুই কৈওইবা কৌই। মহাক্লা অসুম্না মচীঞ্জাক থিবা থোকলকপদা য়ুমদোমপোক অনী লৈবদু উরে। অহানবা য়ুমদোমপোক্তা লৈরিবা হনুবী অদু হান্না ফারে। উপায় লৈত্রবা হনুবীদুনা তৌফম খঙদনা লৈরিঙৈদা কবুই

কৈওইবদুনা, "ঙসিদি হনুবী নং ঐগী খয়াত্তা তাবা তারে" হায়না মনাক্তা নকশিল্লকলম্মী, মরকসিদা হনুবীদুনা ৱাখল খজিক্তং খন্থরগা, "হে কবুই কৈওইবা ঐবু নহাকনা ফারিবা করিগীনো?" হায়রকলম্মী। হনুবী নংদি ঐনা চারদৌনি হায়না হৌনা হৌনা নোক্লম্মী। হনুবীদুনা, "ঐদি চাবা হাওররোইয়ে, মশক মতৌ ফজবী মবুং তরেৎকী থবাতোন অমা থংনবা য়ুমদোমপোক অসিদা লৈবনি মদু ওইনা চাও" হায়রম্মী। হনুবীনা খল্লি, থবাতোন্না মবুং তরেৎ নত্তনা অতোপ্পনা থোঙ হাংঙু হায়বদা হাংদোকলোই হায়না। কৈওইবনা হনুবীদুদা হংলকই, "কদাইদা লৈ অদুদি"। হনুবীদুনা তাক্লমই, "ঐগী মখাথংবদা লৈরিবা অসিদা লৈবনি। নংনা মবুং তরেৎকী খোন শারগা থোঙ হাংদোকউ হায়গদবনি অদুগা মানা থোং হাংলকলবা মতমদা ফাগদবনি"। মদু তাবদা কবুই কৈওইবদু য়াম্না হরাউরে, কবুই কৈওইবনা হায়রকই, "ইবেন অদুদি ফরে ঐ থবাতোনগী ময়ুমদা চৎলগে" অসি হায়রগা থবাতোনগী য়ুম য়ৌরকলে।

থবাতোনগী য়ুম শো লোল্লমবদু উবদা খঙশাউ শাউরদুনা হনুবীদুগী মনাক্তা অমুক লাক্লে। হনুবীনা পাখৎমনখিদুনা শো অদু কবুই কৈওইবদা পীখ্রে। কবুই কৈওইবনা শো অদু হাঙলগা খোঞ্জেন খরা হৌরপ্পা, "ইবুংগী থবাতোন ইবুং লাক্লে থোঙ হাংঙো" হায়না হায়রকলম্মী। থবাতোন্না, "ইবুং মখোন মান্দে থোঙ হাংলোয় হায়না হায়রকলম্মী"। কবুই কৈওইবনা খল্লম্মী, হায়স! মখোয়গী মবুংশিংদি খোঞ্জেল খরা মেংনা ৱাহৈ ফজবা হায়রগা থোঙ হাংদোকউ হায়বা মাল্লে; ঐসু ৱাহৈ ফজবা হায়দুনা খোন মেংহল্লগে। অসুমনা মেংনা হায়রকই, "ইবুংগী ইবেম্মা থবাতোন নবুং তরেৎ লাক্লে, থোঙ হাংঙো চারগী পৌরোন শৎলো"। ইস! মসিদি ইবুংশিংগী খোঞ্জেল মাল্লি থোঙ হাংলগে হায়না থবাতোন্না থোঙ অদু হাংদোকলুবদদি কবুই কৈওইবা ওইরমদুনা মহাকপু ফারে। কবুই কৈওইবনা খল্লি, অসুক ফজবা নুপীসিবু ঐনা করম্না চাগনি ঐগী তালোই ওইরগে খন্না উমং অমদা থবাতোন ফারগা পুদুনা চৎখ্রে। থবাতোন্না মবুংশিংনা মাবু খোঙ্গুল লীরকপদা খঙনবা মাগী ইন্নফি অদু মচেৎ মচেৎ লন্থীদা থাদরম্মী।

অসুম্না কবুই কৈওইবনা য়াম লুনা থমদুনা মতম খরা লৈরম্মী। মতম খরগী তুংদা থবাতোনগী মবুং তরেৎ লংফৈদগী হল্লকতুনা ময়ুম য়ৌরক্লে।

লংফৈদগী অহাও অথুম, সনা লুপা ময়াম অমা পুরকলে অদুবু য়ুম য়ৌবদদি থোঙ ইহাং হাংদুনা লৈরমলে। মবুংশিং অদুনা ইবুংগী ইবেন্মা থবাতোন, ইবুংগী ইবেন্মা থবাতোন কৌবদা তারকত্রবদা য়ুমথংনবদা লৈবা ইবেন অদুদগী ৱারি অকুপ্পা পুন্নমক খংলে। মবুংশিংদু শাওবনা লোইরে, মচনগী ৱাখলনা ককঙাওনরবা মবুংশিংদুনা মচননা থাদরম্বা ফি মচেৎশিং অদুনা লংলা লংজিন ওইরগা মচনগী মনাক য়ৌবা ঙমলে। থবাতোন য়াম্না নুংঙাইতনা জঙ্গল অমদা লৈরম্মী মদু উবদা মবুংশিংদুগী মীৎকী পী তাখিবা খঙহৌদে। থবাতোনগা মবুংশিংগা উন্নরে থবাতোন্না,"ইবুংশিং ঐ য়াম্না নুংঙাইরি, কবুই কৈওইবদি মচীঞ্জাক থীবা চৎখ্রি, মা হল্লকত্রিঙৈদা নখোয় চৎখ্রো অদু নৎত্রবদি মহাক্না লোয়না চাবীরনি"। মবুং অহলদুনা অদুদি ইবুংগী ইবেন্মা, নহাকপু মানা য়াম্না লুনা তৌই হায়রবনিনা, মসিগী উতোং মনিং মমাং হোবসে মঙোন্দা হয়েং পীরো অদুগা ঈশিং শোকপা চৎলু হায়রো মরক্তুদা ইবুংশিংনা ইচনবু লৌবা লাক্কে হায়রমলগা মবুংশিং চৎখ্রে। নোংঙাল্লে, থবাতোন্না কবুই কৈওইবদা তাৎ তৌরগা য়াম্না নুংশিনা, ইবুংঙো য়ুম অমা পাল্লবনিনা ঈশিং দরকার ওই অদুনা উতোং অসিদা ঈশিং খরা শোকপীয়ু, নুপীনা ঈশিং শোকনদে নুপানা শোক্কদবনি হায়রে, মদুদদি কবুই কৈওইবদু হরাউমনখিদুনা উতোং মনিং মমাং হোবদু পুরগা ঈশিং শোকপা চৎখ্রে। কবুই কৈওইবনা উতোং অহোবদুনা ঈশিং শোক্লবা হোৎনরিঙৈদা উথক্তা তোংবা ক্লাকনা হায়রকই, "হো কবুই কৈওইবা ননিং নমাঙ পুংহো হো নতু লৈমা কাঙকোক"। মসিগী ৱাহৈসি তাবদা কবুই কৈওইবদু থবাতোনবু মবুংশিংনা শোয়দনা পুরগা চৎলমলনি খঙলকপদগী তান্নরকই। অদুবু থবাতোনগী মবুং তরেৎনা কবুই কৈওইবদু তানা, থাঙনা থিন্দুনা হাৎখি। মসিদগী মবুং তরেৎকা থবাতোনগা নুংঙাইনা পানখ্রে।

ৱারী লীবিরকপা : থোকচোম ইবোতোম্বী সিংহ.

চহী : ৭৯

তাং : ১৩-১১-২০০৯

শিনফম : উশুবা

মফম : ঙাইখোং খুল্লেন।

কতন্না ইনাকখুনবা

থায়না মমাংঙৈদা খুল অমদা য়াম্না তনবা হায়বদি ময়াদা চাক হুকপফাও হেক তনবা নুপা অমা লৈরম্মী। হায়রিবা নুপা অসিগী মমিং কতন কৌই। মহাক্না তনবগী চাংসি হায়রুবদা কান্নদ্রে, শৈথাবদা লোইবা নাইররোই। অদুগা অমরোমদনা লৈবাক অমদা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। হায়রিবা নিংথৌ অদুগী মচানুপী অহুম পোকই। মচানুপীশিং অদু মশক মতৌ য়াম্না ফজে। নোংমদি নিংথৌদুনা মচাশিংদুদা ৱাহং অমা হংলম্মী, মদুদি “নখোয়না নুংঙাইরিবা, ননিং নখা তম্না লৈরিবসি কনাগী মপান্ননো? মচানুপী অহনদুনা খুন্নকই ঐখোয়না নুংঙাইরিবা, ইনিং-ইখা তম্না নুংঙাইরিবসি ইমা-ইপাগী ইরন্ননি। মচানুপী অহনগী পাউখুমদা পেনখ্রদনা নিংথৌদু মোমোন নোক্লম্মী। নিংথৌদুনা অমুক হৌজিক মমাংদা হংখিবা ৱাহংদুগা মান্ননা মচানুপী অনীশুবদুদা হংলম্মী। মচানুপী অনীশুবীদুনসু চপ মান্নবা পাউখুম পীরম্মী। অকোনবদা অহুমশুবা মচানুপী অতোনবীদুদা মপাদুনা চপ মান্নবা ৱাহং হংলম্মী। অদুবু মচানুপী অতোনবীনা খুন্নিবা পাউখুমসিদা অহানবগী অনীদগী তোঙাল্লি মদুদি, “ঐখোয়না নুংঙাইরিবা ইনিং তম্না চানিং চানিংবা চাদুনা, শেৎনিংবা শেৎতুনা লৈরিবসি ঐগী লাইবক্না নুংঙাইবনি” হায়না খুমলকই। মদু তাবদা মপা নিংথৌদু য়াম্না শাওরে। নিংথৌদুনা মনাইশিংদা, কনা কনা লৈ, লৈবাক খুদিংমক্তা চৎলগা খ্বাইদগী তনবা নুপা অমা থিরকউ মদুদা ঐগী ইচানুপী অতোনবী থাজগনি হায়না খঙহনখ্রে। মনাইশিং অদুনা অসুম-অসুম খ্বাইদগী তনবা মী থীরকপদা চাক চাবা ফাওবা তনবা, মমাংদা অহাওবা পোৎ ময়াম থমলবসু হুকচিনবা তনবা নুপাসিনা খ্বাইদগী তনবা নুপা ওইরনি খন্দুনা কতনবু পুরকলে। নিংথৌদুনা মচানুপী অতোন্বীদু কতনদা লুহোংবীরে অদুগা ঐগী লৈবাকসিদদি লৈবা য়াররোই অতোপ্পা লৈবাক্তা চৎখ্রো হায়না ইনথোরক্লে। নিংথৌগী মচানুপী অতোনবীসি লাইরেন্বীগী

শাইওননি অদুনা মহাক্না কতনদুবু মমায় ফজনা চুমদুনা অতনবা থাদোকহল্লে অদুগা নুপী ওইবীগী থোৎপা নৌবদুনা কতনবু শুনিংহল্লে। মতম খরা লৈরগা মহাক্না কতনদা, নুপা ঐখোয় অশুম্না লৈবনদি নুংঙাইবা য়াররোই অদুনা ঐখোয় নুংঙাইনবা তৌরসি হায়রম্মী। মদুদি করম হায়না তৌগদৌরিবনো হায়না কতননা মঙোন্দা হংলম্মী। নিংথৌগী মচানুপীদুনা হায়রকই, মাংদা হৌরিবা খোঙনাঙ পান্থীসিদা তোংলিবা ক্বাক অসি ফারক্কদবনি। অসুম্না মহাক্না লাং অমা শাদুনা কতনদা পিরে। কতন্না খোঙনাং অদু কারগা লাং অদু শেম শারে। অদুদগী কতন্না কন্না হোৎনদুনা ক্বাকতু ফারে। হায়রিবা ক্বাকসি করম্বা ক্বাকনো হায়বদা থোকউ হায়বতা থোকপা সনা খুদোপ য়াইওইবা পায়বা ক্বাকনি। নিংথৌগী মচানুপীদুনা কতনদা ক্বাকতু নীংথিনা শিহন্দনা পুরকউ হায়বদগী কতন্না পুরকলে। মহাক্না ক্বাকতুদা, ক্বাক পিতমবোরা নঙনা পায়রিবা সনা খুদোপ য়াইওইবদো ঐঙোন্দা পীরো অদু ওইরবদি ঐনা নহাকপু থাদোক্কনি হায়না হায়রকই। ক্বাকতুসু "ইবেম্মা ঐহাকসু নহাকপু ঙাইরকপা কুইরবনি অদুনা নহাক্কী অপোকপনা মমাংগী মপোকতা নঙোন্দা শিন্নৌ হায়না পীরকপা তম্ফা খুদোপ য়াইওইবসে লৌবিহৌরো"। অসুম্না থোকউদা থোকপা তম্ফা খুদোপ য়াইওইবনা মতেং ওইরগা কতন মতৈ মনাওসি নোংম নোংমগী ইনাক খুন্দুনা নিংথৌদগী হেন্না নুংঙাইনা লৈরে। খরা লৈরগা নিংথৌগী মচানুপীদুনা কতনদা ইবুংঙো ঐখোয়সে নুংঙাইরে অদুনা ইপা নিংথৌ চাক্কৌসি হায়না হায়নরে। মপা নিংথৌদা পাউ পীখ্রে। অমরোমদনা নিংথৌদুনা মচানুপীনা মাবু চাক্কৌরি হায়বদুদা য়েংঙুসি করিগুম্বা থৌওই উশিৎতদুনা হৌজিকসু লাইররমলবদি চৈরাক পীগনি খন্না চাক কৌবা অদু ইমুং মনুং অমদি মনাই মশল ময়াম পুরগা চৎলম্মী। অদুবু মানা খল্লিবদুগী ওন্ন তৈনবদা মচানুপী অদুদি য়াম্না নুংঙাই য়াইফনা মরাং কায়না পাল্লম্মী। মচানুপীদুগী য়ুমদু মাগী সনা কোনুংদগীসু হেন্না লংনা পাল্লম্মী। অদুগা মানা পুরিবা মাগী মনাই মশল অমদি ইমুং মনুংশিংবু য়াম্না চংখোন্না মচানুপীনা সেবা তৌরম্মী। মদু উবদা নিংথৌদু পুমপেন পেনখ্রে। হায়রিবা সনা খুদোপ অদুগী মপান্না কতন

অমদি নিংথৌ মচানুপী নুংঙাইনা পানখি। অদুবু নিংথৌদুনা চৎলমদাইদা অসুম্না হায়রমই, "নুংঙাইবা হায়বসে ইশাগী লাইবক্না নুংঙাইবনি"।

ৱারী লীবিরকপা : থোকচোম ইবোতোম্বী সিংহ
তাং : ১৩-১১-২০০৯
চহী : ৭৯
শিনফম : উশুবা
মফম : ঙাইখোং খুল্লেন।

তপ্তাগী ৱারী

থায়না মমাংঙৈদা য়াম্না ইনাক খুনবা শগোল য়াম্না লোইবা অমা লৈবোইরে। ইনাক খুনবদুগী চহী অহুম্মুক্তা ঙাইরিবা মচানুপা অমা লৈরম্মী। নোংমদি অঙাং অদু নিংঙাই তৌবদা তোকউ কৌবা য়াদ্রে। অঙাং অদু মমানা অসুম থেমবদা নুমিৎ তাশিনখ্রে। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা কৈ অমা ইনাক খুনবা অদুগী শগোল চাবা লাক্লম্মী। মহাকসু অঙাং অদুনা কপ্লিবা অদু তাই। মমাদুনা কপ্পা তোকমন্দবদুদা শামু লাকএ হায়না কিহল্লমই, মদুনা হেন্না কপলম্মী। নোংশা লাকই অমুক হায়, কৈ লাকএ অমুক হায় অদুবু হায়রু-হায়রুবা খুদিংগী হেন্না হেন্না অঙাং অদু কপ্লম্মী। মমানা উপায় লৈত্রদুনা মমৈথংদা 'তপ্তা' লাকএ হায়রম্মী। অঙাংদু তপ্তা হেক হায়বগা কপ্পা চপ তোক্লম্মী। কৈনা খল্লি, আইস! তপ্তা হায়বসি করম্বা শানোনে, শাগী মকোক ওইরিবা নোংশা, শামু, কৈ অসিনচিংবা ময়াম অমা পনবদা কপ্পা তোক্তগা তপ্তা হায়বদা তোক্লিসিবো? ঙাইহাক কৈদু ৱাখল খল্লিঙৈদা শগোল হুরানবা অমসু শগোল হুরানবা লাক্লম্মী। হুরানবদুনা খল্লি শগোল অশুক য়ামবসিদা অচৌবা খনবা ঙম্মরোই অদুনা মখোঙদা পায়রগা য়েংলগে হায়না হুরানবদুনা থাজে মদুদি মখোঙ চাউরবদি শগোলদু শোয়দনা চাউগনি হায়না। মদুদগীদি হুরানবদুনা শগোলশিংদুগী মখোঙ তাপ তাপ পায়রগা য়েংলকপদা কৈগী মখোঙ অচৌবদু থেংনরুরে। কৈদু তপ্তা লাকএ খন্না কিবনা থক থক নিকলম্মী। হুরানবা অদুনা কৈদু য়াচল চনশিল্লে অদুগা মথক্তা তোংলগা থৌদোরকলম্মী। কৈদু নোয়বনিনা থৌবদি নুংঙাইরে। হুরানবদুনা কৈদু শাজৈ থা থাদুনা থৌরকপনা নোং ঙানফুং-ঙানফুং তৌরক্লে, অমম অঙান শিন্নরকপা কান্দুদদি হুরানবদুনা মানা থৌরিবদু কৈনি খঙলকলে, মানা কৈদুদগী চোংথরগা উক্রোং অহোবা অমদা চঙলগা লৈখ্রে। কৈদু পাখৎপোই করিবোই জঙ্গল তম্না চেল্লকলে অদুদা লম্বীদা শামু থেংনরে। করিতৌরে

ইতাও? নহাক্লা ইপা পাখৎনা চেল্লকলিবদি শাদানবা লাকপ্রা? কৈদুনা খুমই, ইতাও ঐ ওন্থোকপা থৌদোক অমা থেংনরুরে, কৈদুনা মমাংদা থোকখিবা ৱারীশিংদু শামুদুদা লিরে। ইতাও তপ্পানা ঐবু য়াম্না ফুই। তু ! ঐগী নঙ্গলগী দাকফমশিংসে। মদুদগীদি শামুগা লোয়ননা হুরানবনা লৈহৌবা উক্রোং অহোবগী মনাক্তা লাকই। শামুদুনা উক্রোং অহোবদুদা মনাতোনদু থিংজিল্লগা করি শানো হায়না য়েংগদবগী তৌই অদুবু হুরানবনিনা মঙোন্দা য়াওবা কাতিদুনা শামুগী মনাতোনবু চপলম্মী। শামুদু নামনখিদুনা মসিদি নাতোন চপ্পীনি হায়রম্লগা চেনখ্রে। কৈসু শামুগী মতুং ইন্নরগা চেল্লকই, মখোয় অনীনা কন্না চেল্লকপদু শাশিংগী মকোক নোংশানা উরে, নোংশানা হংলকই, "কৈদৌরে নবানিনা য়াম্না তহা তহা চেল্লকলিবদি?" কৈগা শামুগনা নোংশাদা হায়রে, অথৌবা ঐখোয়বু তপ্পাদগী কনবিয়ু হায়ররে। কৈ অমদি শামুনা থোকখিবা থৌদোকশিং মরিক চুম্না নোংশাদা লিরে। নোংশানা অদুদি ফরে ঐখোয় অহুম য়েংলুরসি হায়না ৱারেপ্নরে। হুরানবদুদি মখোয়না লাকত্রিঙৈদা উক্রোং অহোবদগী থোক্লগা চৎখ্রে। মখোয় অহুম হুরানবনা লৈরম্বা উক্রোং অহোবদু য়ৌরে। নোংশানা খঙবা ঙমলে মসিদা লৈরমলিবসিদি তাইবং মীনি তপ্তা নত্তে, তপ্তা কৌবা শা লৈতে। নোংশাদুনা হায়রকই লান্না থাজবা হায়বসি ফত্তে মসিদা লৈরমলিবা অসিদি তাইবং মীনি, তাইবং মীগী মনমনি মফমসিদা নমলিবসি অদুনা মতুংদা অমুক কিগনু হায়না নোংশানা কৈগা, শামুগদা হায়রম্মী।

ৱারী লীবিরকপা	:	থোকচোম ইবোতোম্বী সিংহ
তাং	:	১৩-১১-২০০৯
চহী	:	৭৯
শিনফম	:	উশ্রুবা
মফম	:	ঙাইখোং খুল্লেন।

লাই খুৎশাংবী

থায়না মমাংঙৈদা মথৌনা লৈবা নুপা অমা লৈরম্মী। মহাকনা মাগী নুপী অমসুং অঙাং অদুবু ময়ুমদা থনম্লগা ইমুংগী লৈত লায়রা থিবা লংফৈদা থবক সুবা চৎখি। মখোয়গী লমদম অদুদা লাই খুৎশাংবী হায়বা হিংচাবী অমা লৈরম্মী। হিংচাবী অদুনা নুমিদাং নুমিৎ খুদিংগী সচিগী য়ুমদা লাকতুনা "সচিমা সচিমা সচিপা লৈব্রা" হায়না হংলম্মী। মদুদা লৌশিং চাউবী সচি মমানা সচি পা লৈ হায়দুনা অদুম খুমলম্মী। মথংগী নুমিদাং অদুদসু লাই খুৎশাংবী অদু অমুক লাক্তুনা "সচিমা সচিমা সচিপা লৈব্রা" হায়দুনা হংলম্মী মদুদসু সচিমানা লৈ হায়না অদুম্মক খুমখি। হিংচাবী লাইখুৎশাংবী অসিনা কিরিবসি সচিপাবুনি। সচিপা লৈ হায়রবদি মহাক অদুম্মক হনখি।

মথংগী নুমিত্তদি সচিপা লংফৈদগী ময়ুমদা হল্লকখি। সচিমা অমদি সচিগীদমক চান থক্লবা, ফিরোল কয়া অমা সচিপানা লৈবীরকখি। সচিমানা হিংচাবী লাই খুৎশাংবীগী ৱারী পুন্বা সচিপাদা তমলম্মী। অদুদা সচিপানা করিগুন্বা হোরেন নুমিদাংগা লাকপা তারবদি লৈতে হায়না খুন্মু হায়দুনা সচিমাদা হায়রম্মী।

নুমিদাংগী মতম ওইরকলবা মতমদা হিংচাবী লাইখুৎশাংবী অদু অমুক লাকলম্মী। লাইখুৎশাংবী অদুনা "সচিমা সচিমা সচিপা লৈব্রা" হায়না হংলকলম্মী, মদুদা সচিমানা লৈতে লংফৈ চৎখি হায়না খুমলবদা লাই খুৎশাংবী অদুনা হরাউরদুনা অদুদি ঙসিদি নমা নচা চাথোকলগে হায়দুনা লাই খুৎশাংবী অদুগী অশাংবা মখুৎ অদুনা ফকলাং হোগাইরগা থিংজিল্লকলম্মী। মদুদা হান্নদগী থাংজৌ পায়রগা লুমদুনা লৈরিবা সচিপানা হিংচাবী লাই খুৎশাংবীগী থিংজিল্লকলিবা অশাংবা মখুৎ অদু তুবৎ ককথৎলম্মী। মদুদা হিংচাবী অদুনা খাংবা ঙমদ্রবদা 'সচিমা চিনথিবী

চিনথিবী' হায়না লাওরদুনা চৎখি নুমিৎ অদুদগী লাই খুৎশাংবী অদু অমুক হন্না লাকখিদ্রে।

ৱারী লীবিরকপা	:	থোকচোম ইবোতোম্বী সিংহ
তাং	:	১৩-১১-২০০৯
চহী	:	৭৯
শিনফম	:	উশুৱা
মফম	:	ঙাইখোং খুল্লেন।

রাজকন্যাগী ৱারী

থায়না মমাংঙৈদা নিংথৌ মচানুপী অমা লৈরম্মী। নিংথৌগী মচানুপী রাজকন্যা অদু অতোপ্পা লৈবাক্কী নিংথৌ অমগা যাম্না নুংশিনরম্মী। নিংথৌ অদুনা রাজকন্যা অদুবু পুরক্কে। লম্বীদা নিংথৌ অদুনা রাজকন্যা অদুদা হায়রকই। নঙ মসিগী খোংনাং অসিদা কাখৎলগা লৈরম্মু নঙবু কোনুংদা পুশিন্নবগীদমক ঐ ইনায় ইশন ময়াম অমা লৌরুখিগে হায়দুনা রাজকন্যা অদু খোংনাং মথক অদুদা থাংগত্তুনা থনমলে। অমরোমদা পাঙল মতৈ-মনাও অমা থবক সুদুনা লৈরম্মী। পাঙল নুপা অদুনা মহাক্কী নুপী অমিনাদা ঈশিং শোকলুচো হায়দুনা পুন অমা পিরম্মী। অমিনা পুন পায়দুনা ঙশায়গী রাজকন্যা অদুনা কাখৎখিবা খোংনাং মখোংগী পুখ্রি অদুদা ঈশিং শোকপা লাকলে, অমিনানা ঈশিং শোক্কে হেক তৌবদা রাজকন্যাগী মমি অদু ঈশিংদা তারম্মী। অমিনানা মহাক্কী মমি ওইরবোই নিংদুনা ঐগী ইশক অসিদি ওন্থোক্লা ফজখ্রেদা। অসুক ফজবা ইশক অসিনা পুন অসি পুবা হৌনদে হায়দুনা পুন অদু থুগাইরমলগা মাগী নুপাগী মনাক্তা হনখ্রে। মহাক্কী নুপাদা ঐনা পুন পুবা পকচদে অদুনা সনাবুল অমা পিয়ু হায়দুনা সনাবুল অমা পুদুনা লাকলে। মদুদগী রাজকন্যাগী মমি অদুনা সনাবুলদগী ফজবা হেল্লি হায়দুনা সনাবুল অদু শুগাইদুনা অমুক হল্লকলে। মথংদা মাগী নুপানা শউনগী খাউ অমা পিদুনা ঈশিং শোকলকউ হায়দুনা পিরে মদুদসু শউনশিগা ঐগী শক্লা চান্নদে হায়দুনা হুন্দোকখ্রে। অমিনাগী মতৌ অদু উবদা রাজকন্যা অদু নোকথোরকলম্মী। রাজকন্যা অদুনা নোকলকপদা অমিনা অদু ঙকখ্রদুনা য়েংখৎলে অদুগা রাজকন্যাদা 'ইতা নঙদি উথক অদুদা কৈদৌরিনো' হায়না হায়রকই। ৱারী পুন্বা তারবা তুংদা নিংথৌ অদু ঙাইমিন্নরসি অদুনা নঙ উথক্তগী কুমথরকলো হায়দুনা রাজকন্যা অদুগী মখোঙ অদু পায়দুনা চিংথরল্লগা পুখ্রি মনুংদা নমশিনদুনা রাজকন্যা অদুবু অমিনানা হাৎতোকলে

অদুগা রাজকন্যাগী মফি মরোল, সনা লুপা ময়াম অদু অমিনানা শেৎচিন চাশিনদুনা উথক্তা কাখৎতুনা নিংথৌ লাকপা ঙাইদুনা লৈখ্রে। ঙাইহাক লৈরগা নিংথৌ মনায় মশল কয়াগা লোয়ননা রাজকন্যাবু লৌবা লাকলে। নিংথৌনা রাজকন্যা নঙদি অসুক য়াম্না মুশিল্লমলিবা, থিরমলিবা করিগীনো হায়না হংলবদা, অমিনানা রাজকন্যা শাদুনা ইনিংথৌবু ঙাইবদা নুংশাগী মৈশানা কাহৎখ্রে হায়না খুমলে। নিংথৌনা ফরে ফরে হায়দুনা কোনুংদা পুরকলে। মতম খরা লৈরগা নিংথৌগী মমঙদা রাজকন্যা অদু লাক্তুনা অশেংবা পুমনমক হায়দোক্লম্মী। অদুগা হয়েং নোংঙানদ্রিঙৈদা খোংনাং মখোঙগী পুখ্রিদা থম্বাল ওইনা শাৎলগা লৈরমগে অদুগা মদুবু হেকলগা লুবাক অমদা হাপলগা থম্বীয়ু হপ্তা অমগী মনুংদা ঐ অমুক হন্না তাইবং মী ওনগে হায়না ফাওরম্মী। নিংথৌ অদুনা নোংঙানদ্রিঙৈদা পুখ্রি অদুদা চত্তুনা য়েংলুবদা থম্বাল ওইনা শাৎতুনা লৈরমলে। থম্বাল অদুবু হেকলগা নিংথৌনা লুবাক অমদা হাপচিন্দুনা থমলে। হপ্তা অমগী মতুংদা থম্বাল অদু রাজকন্যা অমুক ওল্লকলে মদুদা নিংথৌনা অশেংবা পুম্নমক খঙলদুনা অমিনা অদু শিবগী দন্দি পিখি অদুগা নিংথৌ অদুগা রাজকন্যা অদুগা অমুক হন্না থুংনদুনা নুংঙাইনা পানখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	থোকচোম ইবোতোম্বী সিংহ
তাং	:	১৫-১২-২০০৯
চহী	:	৭৯
শিনফম	:	উশুবা
মফম	:	ঙাইখোং খুল্লেন

লাইফদিবীগী ৱারী

থায়না মমাংঙৈদা নুপী অমা মহাক্কী লাইফদিবী শান্নদুনা মতম পুন্বদা লৈরম্মী। নুপী অদুনা মহাক্কী লাইফদিবী অদুবু য়াম্না লুনা নুংশিনা তৌই। মহাক মপুং মরৈ ফারবা মতমদফাও মহাক্কী লাইফদিবী অদুবু শুংথা থানদনা শান্নদুনা লৈখি। ময়ুমগী মমা মপানা নুপী অদু মতম চারে হায়দুনা অতোপ্পা নুপা অমা হায়না শিংনদুনা লুহোংনবা শিনখ্রে। সোমদনা নুপী অদু লুহোংলদি মহাক্কী লাইফদিবীগা কায়নরনি হায়দুনা য়াম্না কপ্লম্মী।

মহাক্না লাইফদিবী অদুবু লুনা নুংশিনা তৌবীবগীদমক নুপী অদুদা মহাক্কী লাইফদিবী অদুনা শা ঙা, তিন কাং, উচেক ৱায়াশিংগী মরোল খঙনবগী শক্তি পিবিরম্মী। অদুগা নুপী অদুনা চৎলমদাইগী মতমদা লাইফদিবী অদুনা মাবু লফু মখোঙদা ফুম্বীরম্মু হায়রম্মী। লাইফদিবীনা হায়রম্বগী মতুং ইন্না নুপী অদু শা ঙা, তিন কাং, উচেক ৱায়াশিংগী মরোল খঙবা ঙমলে অদুগা মহাক্কী লাইফদিবী অদু লফু মখোঙদা ফুমখ্রে।

নুপী অদুনা নুপা ময়ুমদা লৈখ্রবা মতুং নোংমা তুরেলদা ঈশিং শোকপা কুমলকই। লৈকাইগী মীয়াম্না মৌ অনৌবীনী হায়দুনা তুমিন্না য়েংনৈ। নুপী অদুনা ঈশিং শোক্কে হেক তৌবা মতমদা ক্বাক অমনা তোইন তোইনা খোংলকলম্মী। ক্বাক অদুনা খোংলকপদগী তুরেলদা মী অশিবা অমা লৈরে মী অশিবা অদুগী মখুত্তা তমফা খুদোপ য়াইওইবা অমা য়াওই হায়বা খঙবা ঙমলমখি। মদুদা নুপী অদুনা ঈশিংদা কুমথরগা অশিবা মী অদুগী মখুত্তা পায়রিবা খুদোপ অদু লৌথোকনবা হোৎনৈ। ঈশিংনা পোপথোক্তুনা লৌথোকপা য়াদ্রবদা ময়ানা চিক্তুনা লৌথোক্লবা হোৎনরম্মী। থৌদোক অদু মীয়াম্না উরদুনা নুপী অদুবু মী অশিবা চাবী হিংচাবীনি হায়না পাউথোকপিরম্মী। মদুনা নুপী অদুগী নুপানা মহাকপু ফুদুনা য়ুমদগী

তান্থোকপিরম্মী। ৱাফম অসি নিংথৌ কোনুংদা ৱাকৎলুরে নিংথৌনা নুপী অদুবু কৌখৎলদুনা হংলবদা নুপী অদুনা অশেংবা পুন্নমক তমলদুনা খুদোপ অদু উৎলবদা নিংথৌনা থাজরদুনা নুপী অদুবু নিংথৌগী নুপী অতোনবী ওইনা লৌশিন্দুনা নুংঙাইনা পানখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	থোকচোম ইবোতোম্বী সিংহ
তাং	:	১৫-১২-২০০৯
চহী	:	৭৯
শিনফম	:	উশুবা
মফম	:	ঙাইখোং খুল্লেন।

সতী

থায়না মমাংঙৈদা চন্দান নুপা অমা লৈরম্মী। মতম অয়াম্বদা মীগী মপোৎ মুন্দুনা চারম্মী। মতম খরা লৈরগা মানা নুপী অমা থিরম্মী। মহাক্না নোংমা হুরানবা চৎলুরগা হল্লকপদা মাগী নুপীদুনা মখোয়গী ইশ্নোলদা হৌবা উজাও অমগী মখোঙদা ৱাই তৈরগা লাই খুরুম্লম্মী, অদুদা নুপাদুনা নঙ লাই য়াম্না নীংবা পাম্ব্রা হায়না হংলম্মী। নুপীদুনা ইবুংঙো ঐদি লাই নীংবা পাম্মী হায়না খুম্লম্মী। নুপাদুনা অদু ওইরবদি ঐগী গুরুদগী লাই অমা লৌরগে অদু নিংউ হায়রগা চৎখ্রে। গুরুগী য়ুম য়ৌবদা মাগী গুরুনা হে: চন্দান নঙ করিগী লাক্লিবনো হায়না হংলম্মী। চন্দান্দুনা গুরুদেব ঐগী ননাইদো লাইনিংবা য়াম্না পাম্মী লাই অমতা পীবিয়ু হায়গে লাকপনি। গুরুদুনা অদুদি মান্দোপ্ত্রা শুম্বল অহোবা অমা লৈবনি পুখ্রো চৎলু অদু লাইনি নীংঙু হায়রম্মী। চন্দান্দুনা ননাই ঐ চৎচরগে হায়রগা শুম্বলদু পুদুনা ময়ুমদা লাক্লম্মী। ময়ুম য়ৌরগা লাইশং অমা শারম্মী অদুগা শুম্বল অদু লাই ওইনা মাগী নুপীনা সেবা তৌরম্মী।

চন্দান অদুনা মাগী নুপীদা ঙসিদি চেং উতোং অহুম থোংউ হায়দুনা থোংহল্লম্মী। অদুগা লাইদা কৎলম্মী। ঙাইহাক লৈরগা চাক অদু লৌথোক্কে চংলুবদা চাক লৈরমদ্রে। এ: লাইসিদি চাক চারে হায়না নোংঙাল্লগা অমুক কৎপদসু চাক লৌথোকপা চংবদা চাক লৈরমদ্রে। চন্দান নুপাদুনা মসিগী লাই অসি চেং উতোং অমা অনী থোংবদা লোইনা চায় গুরুনা ঐবু মুৎননবা চাক চাবা লাই অসি ঐঙোন্দা পীরকলিবা ওইরে হায়দুনা গুরুদুগী মনাক্তা লাক্তুনা, করিগীনো চাক চাবা লাই পীবিরিবা হায়না হায়ররে। গুরুদুনা করি ৱানো চন্দান লাইনা চাক চাব্রা করম্বা অঙাওবনো হায়না চৈরে। চন্দান্দুনা অশেংবনি গুরু চেং উতোং অমা, অনী থোংবদা লোইনা চায় খুম্লম্মী। গুরুদুনা অদুদি ঐ লাক্কে চারম্লবদি ফৈ চারমদ্রবদি শাপ চৈগনি হায়দুনা

হায়রম্মী। নোংঙাল্লগা গুরুদু লাক্লে, চাক থোংদুনা কৎলে, ঙাইহাক লৈরগা য়েংউবদা চাক্তু চারমদ্রে। অমুকসু থোঙ থিংলগা চাব্রা য়েংবদা চারমদ্রে। অদুদগী চন্দান্দুনা থোঙদা ফম্লগা থাং পায়দুনা ৱাশক্লম্মী, ঙরাং নহান্দি চাক চাবীরগা গুরুনা শাপ তৌগনি লাকপদা চাবীদবা, থাংসিগী ময়াদা ঐ শিগনি হায়না ৱাশক্লম্মী। ঙাইহাক লৈরগা য়েংউবদা লাইদু থোক্লক্তুনা ফম্লগা চাক্তু চারগা লৈরম্লে। চন্দান্দুনা ইঙক ঙক্লা, এ! নঙ ওইরে নহান মখৈ চাক চারিবদো হায়না লাওই। গুরুনা মাগী মাঙ্গোলদা ফমদুনা লৈ অদুদা নোপুর খোংজি, গন্ধ মনম ফংখি, তাখি। গুরুনা ঙাইখো, ঙাইখো হায়না লাক্তুনা য়েংবদা উদ্রে কদাই নঙনা চাক চায় হায়রিবদো হায়না য়েংই, চন্দান্দুনা তু আদ ফমদুনা চারিসি হায়বদা লাইদুদি স্বায় মাংখ্রে। গুরুদুদি শেংনা উবা ফংহৌদ্রে। গুরুদুনা হায়রকই, নঙদি ঐনা চন্দান্নি হায়না লৈবনে, ইবুংঙো নঙদি মহাবৈষ্ণবনি, নহাক্কী নপান্দগী শ্রী হরিগী চরন ফংজরে হায়না গুরুনা মাবু য়াম্না ৱাংনা থাঙ্গৎপীরে। নুংঙাইরে নুংঙাইরে হায়দুনা ব্রাহ্মন্দু হনখ্রে। নুপাদুনা খনখি নহান শুম্বলসি চাক চায় নহাল পুরকপদা য়াংঙে গুরুদা থিল্লুরগে হায়দুনা থাঙ্গৎপদা লেংবানফাও থাঙ্গৎপা ঙমদ্রে। অশেংবমক লাই (ভগবান) ওইরে খনখি।

অসিগী মতুংদা মতম খর লৈরগা যম নিংথৌনা মাগী মনাই দুত অমা কৌরে। দুত লাক্তুনা যমরাজ ননাই লাকচরে য়াথং তাকপীরো হায়না খুরুম্লম্মী। যম নিংথৌনা মগধ লৈবাক্তা চৎলু খুঙ্গংদুদা নুপা অমা লৈবনি মাগী নুপীদু সতীনে হৈনা শিংনা চংলগা মখাইদু পুরকউ হায়না দুত অদুদা য়াথং পীরে। দুত অদুনা লাকপদা য়ুম অদুদা চংবা ঙমদ্রে সতীগীগুন্না কনবনা। দুতনা হী: করিনো তৌরিবসি চংবা য়াদ্রে ঐ ময়া তৌরগে মী ওল্লগা ইতাও শাসিন্নরগে অসি খন্দুনা নুমিদাং ৱাইরম কান্দা চংলক্লে। মানা (দুত) ইচুম তাফমদা লেপ্লগা য়ুমসি মী লৈব্রা? হংবদা সতীদুনা কনানো হংঙি? দুতনা ইতাওবু লৈব্রা? সতীনা হোয় লৈ হায়না খুম্মী। হা ইবুংঙো মী লাকএ লেংথোকপীরকউ হায়না মাগী নুপাবু কৌথোকই। নুপাদুনা কনা ওইরবনো হংই। মায়াগী মীদুনা এ: ইতাও ঐবু কাউবিরব্রা অঙাং ওইরিঙৈদা শান্নমিন্নবদু কুইবনা ইতাওনা কাউরবোইরে। নুপাদুনা মাঙ্গোলদা লেংশিনবীরকউ করি

থবক্কী ওইরবনো হংখি। দুতনা ইতাও ঙসি অহিংতদি লৈজগে লাকপনে খঙন চান্নবা মী লৈতে ইতাওবু নিংশিংলকপদা চংজরকপনি হায়রম্মী। নুপাদুনা ফরে হায়দুনা লৈহল্লম্মী। অহিংদুদা ফুঙ্গাদা ফম্মিন্নদুনা ৱারী ৱাতাই কয়া শান্নখি। নুপীদুনা চাক থোংই। করিনা সেবা তৌজগনি করি চাসিগে, দুতনা ওনবা মীদুনা ঐ চাক চাজরোই খুমখি। নুপীদুনা চাকখুমদগী থোক্লক্লগা ফুঙ্গা লপ্তুগী ঙারুবাকতগী ঙাদু লৌরগা অসিনা ঙসিগী, অসিনা হয়েংগী হায়না তপ্পা হায়বদু দুতনা তাবদা মোমোন নোকখি। মানা নোকফেৎ তৌখিবদো সতীনা উখি য়াম্না চিংনখি নুংঙাইখিদে য়ুমগী নুপাদু লাইগা মীগা লৈবা য়াদবনিনা হকচাং ঙমদ্রে, ফমুংদা হিপকে হায়রম্মী। দুতনা ওল্লিবা নুপাদুনা ফনি ইতাও হায়না খুমলম্মী। সতীনা চাক থোংবা লোইরদুনা মপুরোইবদা লুক হানবা হায়জে - ইতাও লুক হারসি হায়না সতীগী নুপানা দুতনা ওল্লিবা নুপাদুনা হায়রম্মী। ইতাও ঐ চাক চাজরোই খুমখি। মপুরোইবদি চাক চাবা লোইরগা ফমুংদা হিপখ্রে। মতমদুদা দুতনা, ইবেম্মা নঙসু চারো হায়বদা য়াদ্রে। করি তৌরে ইবেম্মা? ঙসি ঐনা লপ্তুগী ঙা লৌবদা তাদনা মোমোন তৌখিবা অদু - ও: অদুগী ওইরে, অদু হায়রগদি চাগদ্রা? চাগনি। অদুদি হায়রগে ঐ মী নত্তে যমগী দুতনি খুন্মী। ৱাহৈসি হায়বগা নুপা অদু দুত ওনখ্রে। খুদক্তা সতীনা হংই, করিগী লাকপনো? ঐ নংগী নুপা লৌবা লাকপনি সতীনা মপুরোইবগী খুয়াদা ফমদুনা মখোং পায়দুনা সেবা তৌদুনা লৈখ্রে। দুত উপাই লৈত্রে। দুতনা হায়রকই, ইবেম্মা ঐ ৱাশককে নঙগী নুপাসি ঙসিদগী নুমিৎ হুম্নি ফাওবা কাংখন মনুংদা থমউ কনা অমত্তা হায়দোক্কনু হুমনি শুবদা ঐ থারক্কে, ৱাশক্লিবসিনি। সতী তুমখিদ্রে। দুতনা নিদ্রা মন্ত্র (তুম্নবা মন্ত্র) কয়া শোল্লি কান্নদে অহিং মমৈ ওইবা কান্দা নিদ্রানা শুন্বা কনবনা সতীদো উইরুম তৌখি খুদক্তা দুতনা থৱায় শত্তুনা পুখি। মানা নুপাদুদা হায়, হায় নিপা হোরেন যম নিংথৌনা ঐবু কৌরক্কনি, নুপাদু পুরক্কব্রা, পুশিল্লকউ হায়বদা ঐনা নঙবু পুগনি, যম নিংথৌনা হায় নুপা হায়না কৌবদা ইকা অসিনা ননাতোন মনুংদা থিল্লো কাওগনু তাকখি।

যমনা দুতপু কৌরে, দুতনা নুপাদু পুশিল্লে। হায় নুপা কৌরকপদা ইকা মতোনদু নাতোন্দা থিনবদা হাকথি খনখি। মদুদা যমনা জিবন জিবা চহী চান্মাতরা পুন্সিযু হায়খি। দুতনা এঃ করিনো লৌরু হায়না লৌজরুরে অদুগা চহী চান্মাতরা পুন্সিযু তাকপীরে। কমদৌনি হাকথি খনবা হায়বসি পুন্সি শাংউ হায়না মপুনা সিন্থা পীযু হায়না পীবনি। ফরে নঙ চৎলো য়াথং পীরে। নুপাদু মায় হেক ওনবদা নুমিৎ হুমনি শিরুরবা অদু হরে কৃষ্ণ শোন্দুনা হৌগৎলে। সত্রী গী গুণনা কনবনা মপুরোইবদু যমদগী হল্লকপা ঙমখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	থোকচোম ইবোতোম্বী সিংহ.
তাং	:	১৫-১২-২০০৯
চহী	:	৭৯
শিনফম	:	উশুবা
মফম	:	ঙাইখোং খুল্লেন।

হুরানবা অচৌবা সুমত্তা

থায়না থায়না মমাংঙৈদা লম অমদা হুরানবা অচৌবা অমখক লৈরম্মী। মহাক্কী মমিং সুমত্তা হায়না কৌরম্মী সুমত্তা অসি লুখ্রাবী মচানি। মমা মচাখক্তং লৈজবনি। সুমত্তগী মথৌদি হুরানবা, হুরানলকপা পোৎ চৈ, অচা অথক অদুনা মমা মচাগী হিংনবা লম্বী ওই। সুমত্তাগী অতৈ শিনফম লৈতে। নোংম নোংমগী হুরানবসিনা মাগী থবক্নি। সুমত্তা হুরানবা অমা ওইজরবসু ঈশ্বর মাবুদি খক কাউথোক্তে। সুমত্তনা ঈশ্বর মাবু নীংজবনা মানা হুরানবা চংবা মতম অসি মীশিং অসি লোয়না তুমদুনা হিপনবা মতম ওই। সুমাত্তগী মশাদা মখোয়বু শুমনবা মন্ত্র পায়। মন্ত্র অদুগী মতেংনা মীশিং অসি ইপঙ পঙথদুনা তুমনখি।

নোংমদি সুমত্তনা হুরানবা লাকপা মতম অসিদা লাইরবা ইমুং কনা অমত্তা হন্না য়েংবদা লৈজদ্রবা মচিন মৌপ্পা খক্তং লৈজবা ইমুং অমদা থোকলুরে। সুমত্তনা ইমুং অদুদা চংলগা করি করি লৈগে হায়দনা য়েংবা মতম অদুদা চেং হাপ্লবা চেংফু অদু মিরাং ঙাক্তা কারম্মী, অমুক চফু য়েংবা মতম অদুদসু সুমত্তা মানা হুবা য়াবা অমত্তা লৈত্রবদা উপাক থক্তা তুমলিবা মচিন মৌপ্পা অনীরোমদা চংশল্লগা মপুক পায়রগা য়েংবা মতমদদি অঙাং অনীদু মপুকতো থবৎ তৎলম্মী, নুমিৎ অদুমদি সুমত্তা মথৱায় নুঙাইতনা হল্লকখি। মথং নুমিৎ অমদা সুমত্তা ইনাক খুনবা ইমুং অমদা তারুরে। ইমুং অদুগী মীশিং অদু সুমত্তা লাকপদা লোয়না তুমনখ্রে। সুমত্তা চান থক্লবা পোৎ চৈ কয়া হুরগা লাকলম্মী। সুমত্তা ইমুং চংদ্রিঙৈদা হায়বদি মাগী ময়ুম চংদ্রিঙৈদা অঙাং অনীদুগী মনাক্তা চংলকলম্মী। অঙাং অনীনা তুমলিঙৈদা সুমত্তনা পুরকপা চান থক্লবা অদু মখোয় অনীগী শরুক থমলমলগা চৎখ্রে। নোংঙাল্লে অঙাং অনীনা মিৎকপ থোকপা মতমদদি চানবা চাক লৈরম্বা

উবদা হরাউরে নুমিৎতুদগী অঙাং অনীনা ঈশ্বরনা পীরকপনি খন্দুনা মতুংদসু থন্বীরম্মু হায়দুনা ইশ্বরবু নীংজখি।

সুমত্তনা মথং মথং অসুম হুরান্দুনা লাকপা অসিদা লাইবক চুমলুবা হায়গদরা নিংথৌ অমগী মফমদা তারুরে মানা মাগী মন্ত্র অদু শোনবা মতমদা নিংথৌ মনাই পুন্নমক তুমথখ্রে। মসিদগী সুমত্তনা নিংথৌগী মশাদা শীবা লীক, সনা লুপা, মহারানীগী পুন্নমক্তু হুরাগা পুরগা লাকলে। সুমত্তনা হুরকপা সনা লুপা কয়া অদুগী শরুক খরা অঙাং অনীগী মফমদা তুমিন্না থমজিনবিরম্মী। মসিনা অঙাং অনী অদুবু হিংনবা লন্বী অমা পীরিবনি খন্দুনা থনম্লগা চৎখ্রে। নোংঙানবদা অঙাং অনীনা সনা লুপা লৈরম্বদু ঙকপগা লোয়ননা কৈথেলদা অচা অথক লৈনবা পুরকপা মতমদা নিংথৌ মনাই অমনা উরে অদুদগী অঙাং অনীদুবু ফুবীরে। মসিদা সুমত্তনা নুংঙাইমন্দদনা সুমত্তনা ঐনা হুরানবনি ঐবু ফুবিয়ু ফাবিয়ু হায়রকপা মতমদা মনাই অদুনা নিংথৌ মনাক্তা পুরকলম্মী। নিংথৌনা সুমত্তবু উবা মতমদা মহাক অসি হুরানলবসু থম্মোয় শেংবনি খংলদুনা সুমত্তনা লৈরিবা লম অসিগা য়ুমলোন্নবা লমদুদা থাং শোরি য়াইওইবা অমা লৈ মসি নহাক্না হুবা ঙম্লবদি ঐখোয়গী লম অসি নুংঙাই য়াইফগনি মসি নঙনা হুরগা পুরক্কদবনি হায়না তাকপিখি। সুমত্তনা য়ুমলোন্নবা লম অদুদা হুরানবা লাক্কনি হায়বসি য়ুমলোন্নবগী অখঙ-অহৈ পণ্ডিতশিংনা খঙখ্রে, মসিদগীদি সুমত্তনা থাং য়াইওইবা অসি হুবা য়াদে। মসি ফজনা ঙাক শেন্দুনা লৈগদবনি। নখোয় কনামত্তা তুমবা য়ারোই হায়দুনা লৈবাক প্রজা পুন্নমক্তা শেনবুঙ য়ৈদুনা পাউ পীরে। থাং য়াইওইবা অসিদি লম অদুগী নিংথৌ মশাদা শাগোন্নদুনা লৈ হায়না নিংথৌ অদুনা সুমত্তদা তাকলকখি। সুমত্তনা হুবা মথং-মথং চংলকলম্মী।

নিংথৌ মনাই পুন্নমক সুমত্তগী মন্ত্র অদুনা শুমখিদুনা লোয়না পঙথদুনা তারগা লৈখ্রে। নিংথৌ মাসু তুমখ্রে। সুমত্তা থাং অদু নিংথৌ মশাদগী লৌথোক্তুনা পুরকলে মানা কোনুং অদুদগী থোকলকপা মতমদদি নিংথৌ মনাই পুন্নমক মীকপ থোক্তুনা সুমত্তবু থিরকলে তানরকলে। মসিদদি

সুমত্তনা থাং অসি মখোয়না ফংবদি য়াদে হায়দুনা সুমত্তা মশাদা থিন্দুনা থাং অদুগী মখোক লোইবাফাওবা মশা থুম্না থিল্লগা থন্বা মতম অসিদা মশাদগী ঈগী মহুত্তা তিল থোক্লকপা উবদা নিংথৌ অসিনা ঙক্কুনা সুমত্তদা থাং অদু লৌজরো নহাক্তি ঈশ্বরগী মগুণ চেনবা হুরানবা অচৌবা অমনি হায়না মাবু খুরুমখি। সুমত্তদা নিংথৌনা লম কয়া পীদুনা মমা অমদি অঙাং অনী অদুগা নুংঙাইনা পানদুনা লৈখি।

ৱারী লীবিরকপী	:	সোরাইসম থরোশঙ দেবী
তাং	:	২০-১-২০১০
চহী	:	৭০
শিনফম	:	য়ুম কোইবী
লৈফম	:	কোংবা মখা নান্দেবম লৈকাই।

মুণি অমদি উচি

থায়না থায়না মমাংঙৈদা উমং অমগী মনুংদা লাই নীংদুনা মুণি অমা লৈরম্মী। মানা নুমিৎ খুদিংগী কৎপা চেং থোইদিংশিং অদু চাবিনবা লৈতবদগী অসুম অসুম য়ামখৎলকখি। মদু উবদা মানা চেং থোইদিংশিং অদুবু চাবিনবা হায়দুনা উচি অমা ওনহনখি।

নোংমদি উচি অদুনা উমং অদুদা শান্নদুনা লৈরিঙৈদা হৌদোং অমনা চাগদবগী তান্নরকপদা মানা মুণি অদুগী মনাক্তা চেনশিল্লক্কুনা হৌদোং অমনা মাবু চাগদবগী কনবিনবা হায়জখি। মুণিনা উচি অদুবু হৌদোং ওনহনখি। অসুম্না মথংদনা হৌদোং ওন্দুনা লৈবা মতমদা নোংমা হুই অমনা অমুক হৌদোং অদুবু চিক্কদবগী তান্নরকখি মদুদসু মানা মুণি অদুগী মনাক তম্না চেল্লক্লগা মা হুই অমুক ওনজরগে হায়না হায়জবদগী মুণি অদুনা হৌদোং অদুবু হুই ওলহনখি। অসুম্না হুই ওন্দুনা লৈরবগী তুংদা নোংমা অমুক কৈ অমনা অমুক চাগে তান্নরকপদগী হুই অদুনা অমুক মুণি অদুগী মনাক্তা চেল্লক্কুনা কৈ অমুক ওনজরগে হায়না হায়জবদগী হুই অদুবু মুণি অদুনা কৈ অমুক ওলহনখি। নোংমা খঙহৌদনা কৈ অদুনা মাবু য়োকপীবা মুণি অদুনা লাই নীংদুনা লৈরিঙৈদা মুণি অদুবু চাগে তৌরকখি। মদুদা মুণি অদুনা শাউরদুনা মাগী হান্নগী মফম উচিদা অমুক হনজিলহনখি।

অসুম্না ৱারী অসিনা তাকলিবদি মীগী তৌবিমল মশক খঙদবা অদুবু উৎপনি।

ৱারী লীবিরকপী : লাইরেঞ্জম নিংঙোল থৌদাম ওংবী মেম্মা দেবী
তাং : ২০-১-২০১০
চহী : ৬৪
শিনফম : থবক্তগী পোৎথারবী
লৈফম : খুরাই থৌদাম লৈকাই।

লুখ্রাবী মচা

থায়না থায়না মমাংঙৈদা খুল অমদা য়াম্না লাইরবা লুখ্রাবী মমা মচা অমা লৈরমবোইরে। নোংমদি লুখ্রাবী মমানা মচানুপা অসিদা অসুম্না হায়রম্মী- ইবুংঙো নহাক্না চৎথোকলুরগা হনজিল্লকপা মতমদা নখুৎতা করিগুম্বা পোৎশক অমা হেক্তা হায়বদি লন্বীদা তারম্বা শীং অকঙবা ওইরবসু পুশিল্লকউ নখূৎ হাঙনদি লাক্কনু হায়না তাকপীবোইরে। অসুম্না মচানুপা অসিনা মমানা হায়বা মতুং ইন্না নুংতিগী শীং অকঙবা পুরকলম্মী। নোংমদি মচানুপা অসিনা হল্লকপা মতমদা য়ুমদা পুরকনবা পোৎশক অমত্তা লৈত্রবদা মানা কোইয়েং য়েংবা মতম অসিদা লন্বী নাকল অমদা লিন অশিবা অমা তাদুনা লৈরম্বা থেংনরে। মদুদগী মচানুপা অসিনা মসি ওইনা পুশিল্লগে ইমানা চৈরবসু কঙহল্লগা শীং ওইনা থাজরসনু খন্দুনা চৈ অমনা কোৎলগা অসুম লন্বীদা লাকপা মতম অসিদা করি তৌরগে হায়ববু লুখ্রাবী মচা অসিগী কোকথক্তা ক্বাক শঙ্গু অমা পায়রগা লাকপা ক্বাক ক্বাক খোং-খোংলদুনা লাকলম্মী। মদুদগী লুখ্রাবী মচা অদুনা মখোয়গী মচিনঞ্জাক ওইবা লিন অদু পুরগা চৎপা উরম্মী।

অদুদগীদি ক্বাক শঙ্গু অদুগী মনুংদা ক্বাক নিংথৌ ওইবা ক্বাকনা মাগী লিন অদু পীরম্নবা হায়নবা, ক্বাক অমা পাইথরক্লগা থৎলম্মী অদুগা লুখ্রাবী মচা অদুদা অসুম্না হায়রম্মী 'হে লুখ্রাবী মচা নহাক্না পুরিবা লিন অশিবা অদুদি তাইবঙ মীওইবনা চাবা য়াবা নত্তে মদুদি ঐখোয়গী চিঞ্জাকনি ঐখোয়দা পীরম্মু হায়রম্মী'। ক্বাককী ৱাহৈ তাবদা লুখ্রাবী মচানা অসুম্না খুমলকখি 'মসি নখোয়গী চিঞ্জাক ওইরবসু ঙসিদি ঐহাক্না য়ুমদা পুদবা য়াদে। ক্বাক অসিনা লুখ্রাবীগী মচাগী ৱাহৈ তাবদা করি মরমগী পুগদোইনো মদুনা নঙগী করি কান্নবা লৈবগে। লুখ্রাবী মচানা অসুম্না খুমলকই- ঐনা করিগুম্বা পোৎশক অমা পুরগা য়ুমদা হল্লক্কদবনি হায়না ইমানা তাকপী।

অদুনা ঐহাক পলেম ইমাগী য়াথং হিক্তোকপা অসি ঙমদবনা ঐনা ঙসিদি য়ুমদা পুবা য়াবা পোৎ অমতা লৈতবদগী লিন অসি পুশিনজবনি।

ক্কাকনা লুখ্রাবী মচাগী ৱা তাবদা ও! লুখ্রাবী মচা অসি মমাবু কয়াদা নীংজবগে খঙলদুনা ক্কাক শঙ্খু অদুসু মতম কুইনা চাদনা লৈরকপগী ৱারবা মতম অদুদা লিন অদু উরকপনি। লুখ্রাবী মচানা লিন অদু পীয়ু য়াদ্রবদা ফরে নঙনা পুরিবা লিন অশিবা অসিদি ঐখোয়দা পীবিরম্মো অদুগা নঙোন্দা কান্নগদবা পোৎ অমা পীরবদি য়াগদরা হায়না হায়রকলম্মী। ক্কাক অদুগী ৱাদুদা লুখ্রাবী মচানা করি পোৎশকনো হায়না হংলম্মী। ক্কাক অদুনা অসুম্না হায়রম্মী খুদোপ য়াওইবা নঙনা হেক পাম্বা পোৎশক থোকউ হায়বদা থোকপা ঙম্বা পোৎশকনি। মসিগা শিন্নসি য়াবরা অদুদগী লুখ্রাবী মচানা মুন্না ৱাখল তৌরগা ফরে অদুদি কদায় খুদোপ য়াওইবা অদু পীরো হায়না হায়রকলম্মী। ক্কাক অদুনা ময়া মনুংদগী খুদোপ অদু ওথোক্তুনা পীরম্মী। অদুগা হায়রকলম্মী ‘খুদোপ অসি করিগুম্বা লা অমদা থারগা লাইগী মমাংদা থল্লগা অহিং অথেংবা মী কনা খঙদ্রবা তুমনা হিপনখ্রবা মতম অদুদা নঙনা অপাম্বা পোৎশক অদু নীবদা ফংগনি হায়না ক্কাক অদুনা তাকলমখি।

ক্কাক অদুগী ৱা তাবদগী লিন অশিবা অদু ক্কাক অদুদা পীরগা লুখ্রাবী মচা অদুনা খুদোপ অদু লৌহৌরে। লুখ্রাবী মচা অদু ময়ুমদা হল্লক্লে। মমানা ইবুংঙো ঙসিদি করি পুরকই হংলে। মমাদা ইমা ঙসিদি ঐ লিন অশিবা অমা পুরকপনি অদু ক্কাক শঙ্খু অমা থেংনদুনা মখোয়দা পীথোকখ্রে হায়না খুমলম্মী। মদুদগী মমানা ফরে অদুদি চাক চাথোকলুরো হায়রকলম্মী। লুখ্রাবী মচা অদু চাক ঈশিং চাবা লোইরদুনা নুমিদাং মতম ঙাইদুনা মমা হিপখিবা ঙাইরে। লুখ্রাবী মচা অদু মমা তুমখ্রবা মতম অদুদা ঙসাই ক্কাক অদুনা হায়রম্বা ৱা পুন্নমক নীংশিংদুনা লা অমদা খুদোপ অদু হাপ্পুনা লাইমাংদা কৎলে অদুগা খুরুম্লগা মানা অপাম্বা পোৎশক নীরগে খল্লদুনা লুখ্রাবী মচানা মপুক্লিংদা অসুম্না খল্লকখি- হে খুদোপ য়াওইবা ইমা ইচানা ৱানা লৈরিবা অসি কোক্লবা ফৌ, য়ুম, ফজবা ফি ইমা ইচাগী অৱাৎপা পোৎ খুদিংমক থোকহনবীরো হায়না হায়রকপা নীংলকপা অসিদা থোকখ্রে ওইহনখ্রে

লুখ্রাবী মচাগী য়ুম অদুসু ফজরবা চাউরবা য়ুম অমদি ফৌ, চেং কয়া পৈহনখ্রে অৱাৎপা লৈখিদ্রে। লুখ্রাবী মমা মচাগী য়ুমদো হান্নদগী পুমওন ওনখ্রে।

অসুন্না লুখ্রাবী মচা অসিনা য়ুমদগী চৎথোক্কনা লৈরগা নোংমদি অসুম চৎথোকলকপদা লম অদুগী নিংথৌ মচানুপীনা মাগী মতাশিংগা লম য়েংবা থোকলকপা উরুরে। নিংথৌ মচানুপী অদুগী ফজবা মশক উরুবদগী লুখ্রাবী মচা অদুগী পুক্নিংদা মাবু, মাগী নুপী ওইনা লৌরগে খনখ্রে। লুখ্রাবী মচানা ময়ুমদা প্রপ প্রপ লাক্কুনা মমাদা অসুন্না হায়রম্মী- ইমা নহাক্না ঐগী নুপী হায়নবা চৎপীয়ু হায়রবদা মমানা কনানা পীরক্কনো পীরকলোইদবা ৱানি ইবুংঙো কান্নরোই হায়রে। মচা অদুনা হন্না হন্না হায়রকপদগী মমা লুখ্রাবী অদো মমৌ হায়বা নিংথৌ মনাক্তা চৎখ্রে। লুখ্রাবী অদো নিংথৌ মনাক য়ৌরে। নিংথৌনদি মাগী প্রজানি খন্দুনা করি হায়নিংবা লৈবগে লুখ্রাবী ঐঙোন্দা তন্মুদো তাসি হায়রকপদা লুখ্রাবী মানা হায়গদবসি করিনো খন্দুনা লৈরে। লুখ্রাবীনা অসুন্না হায়রকই - ইনিংথৌ ননাই লুখ্রাবী ঐগী ইচানুপানা ইনিংথৌগী ইচানুপী ইমৌ ওইনবা হায়য়ু হায়রকপদগী লাকপনি। নিংথৌনা মাগী ৱা তাবদা নোক্লগা হায়রকই - করি নঙগুন্বী পীদৎ পাদৎপী, পু পাং শুদবী নঙনা ঐগী ইচানুপী পীয়ু হায়বদি নিংথৌ ঐবু উশিৎতবা থৌগললোন খঙদবা উৎপনি হায়দুনা থিনা চৈরগা থাদোকরকলেদো। লুখ্রাবী অদুনা কনা অমত্তগী মফমদা লান্দনা লৈজরকপা অদু মচাগী হাক্তক্তা ইকাইবা নঙবসিদা ইকাইরে। মচানা মমাদা হায়রকই- করি হায়রকই ইমা, পীগে হায়বরা। মমানা কদায়দগী পীবনো থিনা চৈরগা থাদোরকই। অদুদি ইমা অমুক্কা হন্না চৎপীয়ু শোয়দনা য়ারক্কনি। লুখ্রাবী অদো মচাগীদমক অমুক হন্না লাকলে নিংথৌ মনাক্তা অদুদগীদি নিংথৌ শাউদুনা মনাইদা মী উশিৎতবী লুখ্রাবী নুপী অসিগী মচিন অসি শিংচিৎনা শিৎলু হে! হায়দনা য়াথং পীবদগী মমা অদো ঈ তানা মচিন অদো শিংচিৎনা শিৎলে । মমানা মচিন্দা ঈনা পুমঙাং ঙাংলগা কপ কপ্পুনা হল্লকপা মতমদা মচানদি হরাউ হরাউ হল্লকই ইমাসে য়ারকলমালে ক্না ঙাংশঙ ঙাংনা চারগা হল্লকইসে খন্দুনা মমাবু কৌর কৌরদুনা হংজরুই মদুবু মমা অদুদি ঈ ঙাক্তা ওইরমলে। অদুবু মচানুপাগী ৱাখল হন্দে মমানা নিংথৌ মচানুপী নত্তবা

অতোপ্পা মশক মতৌ ফজবী অমা হায়রুরসি হায়বদা য়াখিদে। মমাবু অরোইবা ওইনা অমুক্তা চৎপীয়ু শোয়দনা য়ারক্কনি হায়রবদা লুখ্রাবী অদো মচাগীদমক শিরবসু শিরগে অসুক মচানা পাল্লবদবু খন্দুনা নিংথৌদা হায়ররে।

নিংথৌনা মসি লুখ্রাবী অসে য়াম্না উশিৎতে অদুনা দন্দি পীরগে খন্দুনা ফরে অদু ওইরবদি ঐগী সনা কোনুং অসিদগী নখোয়গী নয়ুম ফাওবসি সনা-লুপানা ইঙ্গ্রি শিৎহল্লু অদুগা মদু হয়েং নোংঙানবদা তৌবা ঙমলবদি ইচানুপী পীরগনি হায়রকপদা লুখ্রাবীদু কোক চাউবী কাখ্রে। ৱাখল তৌনা য়াম্না শুকথনা লাকপা উবদা মচানা করি হায়রকলবা জাৎনো খল্লি। মমাদো মচাদা ঐ হিংনিংদ্রে ঐনা শিরগা নঙ পেল্লোকো। অদো ইমা নিংথৌনা করি হায়রকলবগে তমলোদনা মমানা কপনা কপনা অসুম্না তমলমখি - সনা লুপানা ইঙ্গ্রি শিৎহল্লু কোনুংদগীনা য়ুম অসি ফাওবা হয়েং নোংঙানদ্রিঙৈদা লোইগদবনি হায়রকএ। মমাগী ৱা তাবদা মচানা নোকলদুনা এ! অদুগী ওইরে করিমত্তা খল্লুনু ইমা নচানা ফনবা শিল্লগে হায়রকখি।

মচাগী ৱা তাবদা মমাদো ঙকখ্রে। লুখ্রাবী মচানা মমানা তুমখিবা ঙায়রগা ক্কাক অদুনা পীরম্বা খুদোপ য়াওইবা অদু পুথোক্তুনা মানা পামজবা পোৎশক অদু নীরে - হে খুদোপ য়াওইবা নিংথৌ সনা কোনুংদগী ঐগী লৈফম অসি ফাওবা সনা লুপানা ইঙ্গ্রি শিৎহল্লু হায়রবদা - সনা কোনুং পুমলং লংখ্রে লুখ্রাবীময়ুম পুমলং লংখ্রে। নিংথৌনা নোংঙাল্লকপা মতমদা সনা কোনুংবু সনা লুপানা লংবা মতৌ অদু উবদা পেল্লদুনা মচানুপীবু লুখ্রাবী মচা অসিদা থাজবা য়ারদুনা অওং অউন চাওনা তমদুনা লুখ্রাবী মচা অদুগা লোয়ননা লুহোংদুনা মচানুপীদো নুংঙাইনা পান্দুনা লৈখিয়ে।

ৱারী লীবিরকপী : সোরাইসম থরোশঙ দেবী
তাং : ২১-১-২০১০
চহী : ৭০
শিনফম : য়ুম কোইবী
লৈফম : কোংবা মখা নান্দৈবম লৈকাই।

হঙোইদগী মী ওনবা

থায়না থায়না মমাংঙৈদা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমদা মচিন মৌপ্পা খক্তং লৈবা ইমুং অমা লৈরম্মী। ইমুং অসি লৌউ শিংউ তৌজরগা চাজবা য়াম্না চম্না হিংজবা ইমুংনি। ইমুং অসিগী হেক শুমাং মতোন্দা, থায়না মখোয় অনীগী মপু মবেননা থারম্বা খামেন পাম্বী অমখক হৌরম্মী। খামেন পাম্বী অদো শুপ্নতগী খামেন অমখক্তং পাল্লি। মদু মতোমদা কেল্লগা মাংখি। নোংমদি মৌপ্পানা খামেন পানবা অদো উরে, মদুদা মচেদা হায় - ইচে মসিগী খামেন অসি থোংলগা চাবা য়াদে করিগুম্বা চারবদি নচা হঙোই পোক্কনি থোংলুনুকো, মৌপ্পানা হায়বা ৱা অদো মচেদি তাহৌদ্রবা জাৎনি।

মচেনা ঈরুজরুরগা চাক থোংগে খন্দুনা ইঞ্চাং থিরকপদা লৈতবদগী শুমাং মতোন্দা পাল্লিবা খামেন অদো উরে অদুদগী মচেনা হেক্তুনা থোংলে। মাদি মৌপ্পানা হল্লকপা ঙাইবা ঙমদ্রদুনা চাথোকলে। ঙাইহাক পোৎথাবা মতমদা মশাদা খঙহৌদনা মপুক য়েক্তুনা মচা হঙোই অমা পোক্লে। হঙোই হেক পোকপগা খঙহৌদনা ইমা হায়না কৌরকপা মতমদা মচে অদো ঙকখ্রে। কনানো হায়না হংবদা হঙোইনা নচা হঙোইনি হায়রকপদা মচেনা ঙক্তুনা, ঐদি লৈশাবীনি ঐদি ইচা লৈতে হায়রে। মদু তাবদা হঙোইনা ৱারম পুন্নমক শুগাইনা তমলে মমাদা। মমা লৈশাবী অদুনা ফরে অদু ওইরবদি নঙগী মাম্মা লৌ শমপোক খোইবা চৎখিবা অদো কৌরুরো চাক চানবা হায়রবদা হঙোইনা ফরে ইমা হায়রগা চৎখ্রে। হঙোইনিনা ফন ফন চোং চোংদুনা অসুম লাকপনা মাম্মাগী মনাক য়ৌরে। হঙোই অদুনা অসুম্না কৌরকলে- মাম্মা, মাম্মা, কৌরকপা তাবদা মাম্মা অদুদি লৌবুক্তা কনা লৈতবনা কনানো কৌরিবসে হায়দুনা য়েংবদা কনা অমত্তা উদরে। হঙোই অমনা লৌরিদা চোং চোংদুনা কৌবদু উবদা, ও! ইচে নঙদি ননাউনা

হায়রন্বা ৱাদো তাহৌদ্রবোই হায়না শোল্লে। মাম্মানা ইমাক লাকও সিদা হায়দুনা মাগী শমপোক্কী ষন অদুগী মথক্তা চোংখৎতুনা তোংখৎলগা হঙোই অদুনা মমানা হায়রকপা ৱাদো তমলে। ফরে অদুদি নঙ কারমমো মাম্মা লাক্লগে হায়রবদা হঙোই অদু চোং চোংদুনা লাকলে।

হঙোইগী মপোক্তা পোক্লবা মচা অসিবু করি করম তৌবা হায়না মমাদো ৱাবা হৌখ্রে। হঙোইনা মানা হঙোই ওইনা পোক্লইবা অসে মাগী মপোক অমদা মুণি অমদা লাল্লুবদগী শাপ অদুনা তৌরিবা মতৌনি হায়না খন্দুনা লৈরম্মী। হঙোই অদুনা মাগী মাম্মাগী লৌ অদু শঙদুনা লৈবা মতমসিদা কৌজেং অমা লৌদা তাদুনা মহুম হাইরম্বা অদু উবদা অমদি লৌ অদু চীকথত্তুনা মাংহনবা উবদা শাওদুনা কৌজেং অদু হাৎলগে হায়দুনা ফন লাউনা চোংশিল্লকপা মতম অসিদা কৌজেং অদুনা ঐবু হাৎকনু নঙনবু ঐ হাৎতবা তারবদি নঙগী মপোক হান্নগীদা হনজিন্নবা ৱা অমা ঐ তাকপীগে অমদি নঙগী ইমুংসু য়াইফবা ওইনবা ‘য়াই’ অমা পীরমগে হায়না হায়বদগী হঙোইনা ফরে অদুদি মাবু মী ওইনবা মপোক অদুগী ৱাফম অদু হান্না তাকপীয়ু হায়রে। কৌজেংনা নঙনা করিগুম্বা লৈবাক অসিগী নিংথৌ অসিগী মচা নুপী অসি লৌবা ঙম্লবা মতমদা নঙগী লুহোংবা নুমিৎতা নঙ মী ওনবা হৌরক্কনি। করিগুম্বা লুহোংলবা মতুংদা হঙোইগী মউন অদু নহাক্না ঈরুজবা চৎখ্রিঙৈদা নিংথৌমচানুপীনা মৈ থাদোকখ্রবা; মতম অদুদা নহাক নঙগী হান্নগী মীওইবগী মপোক অদুদা লৈগনি। অসি হায়রদুনা কৌজেং অদুনা ‘য়াই’ অমা পীরম্লগা চৎখ্রে।

অসুম থোকউ তমবনা নোংমদি হঙোইনা মমাগী মতেং পাংলগে খন্দুনা মমাদা- ইমা ঐগী শিন অমতং পীবিয়ু হায়রবদা মমানা ফরে অদু ওইরবদি নঙ মাম্মাগী লৌদো শংলুরো ঙসিদি নঙগী মাম্মাদো থবক চৎখি। অসুম্না মমাগী য়াথং ফংদুনা লাকপা মতম অসিদা নিংথৌ মচানুপীদো থেংনরে উহৌরে, মাগী ফজবা মশক অসি মপাল নাইদে। অদুদগী হঙোইনা মমাদা নিংথৌ মচানুপী অসে হায়হল্লগে হায়না খন্দুনা মমাগী নাক্তা লাক্তুনা হায়ররে। হঙোইগী ৱা তাবদা মমানা চৈরকই- করি ৱানোদা

নঙোন্দবু? কনাগী নিংথৌ মচা নুপীদি লাইরদনা কনাগুম্বা নুপী অমত্তা য়ারকলোই। অদুবু মচাগী চক্রিদা চৎতবা য়াদদুনা চৎলে। মমানা মচা হঙোইগীদমক নিংথৌ মচানুপী পিবিয়ু হায়জরুবা মতমদনা থিনা ফুরগা থারকলে। অসুম্না মমা লৈশাবী অদুনা মচাগী নীংজবা থুংনবা হন্না হন্না চৎলে। মতমদুদদি নিংথৌনা অসুম্না হায়রকলে। ঐগী সনা কোনুংগী অকোইবা পূম্নমক অসে সনানা পুমলং লংবা ঙম্লবদি ইচানুপী পীগনি করিগুম্বা ঙমদ্রবা নমা নচা অনীমক শিবগী চৈরাক পীগনি।

নিংথৌগী ৱা অসি তাবদা মমা লৈশাবী অদু ঐখোয় ইমা ইচা অনীমক শিবা তারবা হায়না কপ কপ্তুনা লাক্লম্মী। মমানা হল্লকপা অদু হঙোই মচানা ঙাইরগা লৈরম্মী। ৱারম পুন্বা মমানা তমলবদা হঙোইনা কৌজেংনা পীরম্বা য়াই অদুগী চাংয়েং য়েংলগে খল্লম্মী। হঙোইনা অথেংবা অহিংদা চাংয়েং অদু পাঙথোকলে। মহাক্না য়াই অদুদা:- হে-'য়াই' নঙনা ঐগী অৱাবা অসে কোকপীদুনা ঐবু মীগী মপোক্তা অমুক লাক্লবা লম্বী পীয়ু; অদুগা নঙনা নিংথৌগী কোনুং অকোইবা পূম্নমক নোংঙান্দ্রিডৈদা সনানা পুমলং লংহল্লু হায়না 'য়াই' অদুদা নীজবা মতমদা 'য়াই' না থবক পুম্নমক লোইনমক পাঙথোকলে।

নিংথৌ অদুনা নোংঙানবদা কোনুংগী অকোইবা পূম্নমক সনানা পুমলং লংনা লৈবা উবদা ঙক্তুনা, হঙোই অসি অচম্বা নত্তে মহাক অসি ঐগী ঙাই ওইবদা ঐগী মতিক মগুণ হেনগৎকনি খনবদগী হঙোই অদুদা মচানুপী থাজরে। হঙোইনা নিংথৌ মচানুপী লুহোংগদৌরিবনি হায়দুনা শামু থক্তা তোংদুনা মনাই মশন কয়া লোয়নদুনা লাক্লে। নিংথৌনা মচানুপীবু কন্যাদান পীবগা লোয়ননা মমাকপু লৌশিন্দুনা মচা নুপীগা লোয়ননা ময়ুমদা পুরকলে। হঙোই মাগী মী ওনবগী মতম য়ৌরকপনা মশাদগী হঙোই মউন অদো কেনবা হৌরক্লে। মহাক্না মউন অদু লৌথোক্তুনা থমলগা ইরুজবা চৎখ্রিডৈদা নিংথৌ মচানুপী অদুনা হঙোই মউন অদু মৈ থাদোকলুরে। মানা মাগী মপুরোইবা হঙোইগী মহুত্তা মশক মতৌ ফজরবা চুং ফিরান চারবা নুপা অমা ওইনা মাগী মমাংদা লেপলরে। নুপা অসিনা ৱারম পুন্বা

তমদুনা হায়বদগী নিংথৌ মচানুপীনা পুন্নমক খণ্ডলে। মতৌ অসুম্না হঙোই অদু মী ওনবদগী নিংথৌ হাপলে। অদুগা নিংথৌ মচানুপী অদুনে মমা লৈশাবী অমদি মাম্মা পুন্না লৈবাক অদুদা হঙোইদগী ওনবা নুপা অদুনা নিংথৌ ওইদুনা নুংঙাই য়াইফনা, মরাং কাইনা পান্দুনা লৈখিয়ে।

ৱারী লীবিরকপী	:	সোরাইসম থরোশঙ দেবী
তাং	:	২১-১-২০১০
চহী	:	৭০
শিনফম	:	য়ুম কোইবী
লৈফম	:	কোংবা মখা নান্দৈবম লৈকাই।

নুপী মৱা লৌবা

থায়না থায়না মমাংঙৈদা য়াম্না পঙবা থম্মোয়দি য়াম্না শেংজবা নুপা অমা লৈরম্মী। মাগী নুপীনা নুপা অদুবু থবক য়াম্না শুহন্নীংলম্মী। নুপাদুনা শুরুরিবা থবক অদু নুপীদুনা পেনবা খন্বা লৈখিদে। শীং চল্লুবা মতমসু ময়ামদগী মাগী নুপা অদুনা হেন্না পুহল্লকখি। নুপা অদু য়াম্না ৱাজখি।

নোংমদি নুপা অদুনা উমংদা শীংজনবা চৎপদা মানা ৱাজবা অদু উমংগী লাইরেম্বী অদুনা উবদগী নুপা অদুবু নুংঙাইহনগে খন্দুনা চোংথোরকখি। অদুগা লাইরেম্বী অদুনা নুপা অদুদা নঙগী করি অপাম্বা লৈ অপাম্বা অদু হায়যু পীনবীগে হায়খি। লাইরেম্বী অদুনা নুপাদুদা সনা লুপা, মণি মুক্তা, খুদোপ য়াই ওইবা অসিনচিংবশিং অসিদগী নঙগী অপাম্বা অদু হায়যু পীনবিগে হায়না হংবদা নুপা অদুদি মাগী নুপীগী মৱা লৌবনিনা নুপী অদুগী অয়াবা য়াওদনা হায়বা ঙমখিদে। নুপা অদুনা লাইরেম্বী অদুদা মাগী নুপীদা অমুক্তা হংলুখিগে অদুগা অপাম্বা অদু হায়জগে হায়খি। মদুদা লাইরেম্বী অদুনসু য়াবিরদুনা নুপা অদু মাগী নুপীদা হংবা চেনখি। ময়ুম য়ৌরদুনা মাগী নুপীদা হংবদা নুপী অদুদি মাগী নুপা অদুবু থবক ইনখাং য়াম্না শুহন্নীংবনিনা থবক য়াম্না শুবা ঙম্নবা মখুৎ তরা পানজগে হায়যু হায়না হায়রকখি। খুৎ অমনা শীংবুল অমা চল্লবদি খুৎ তরা পাল্লবদি শীংবুল তরা চনবা ঙম্লগনি হায়না হায়বদগী নুপা অদুনা হরাউ হরাউনা উমং অদুদা অমুক হল্লক্তুনা লাইরেম্বী অদুগী মনাক্তা য়ৌরক্তুনা মখুৎ তরা পানজগে হায়না নুপাদুনা লাইরেম্বী অদুদা হায়জবদগী লাইরেম্বী অদুনা মাগী অপাম্বা অদু ফংজরো হায়না বর পীরকখি। খুদক অদুদা নুপা অদু মখুৎ তরা পীরকখি। খুদক অদুদা নুপা অদু মখুৎ তরা পান্দুনা উমংদগী মখুৎ অদু থরাক থরাক য়ান্দুনা থোরকখি। মদু উবদা মফমদুদা লৈরম্বা মীয়াম অদুনা মাবু উবদা হিংচাবা অমা থোরক্লে খন্দুনা মীয়াম অদুনা মাবু হাৎখি।

অসুম্না নুপীনা তাল্লগা লৌবা নুপাদি অপংবনি হায়বদা নত্তনা থবকপু কা হেন্না শুহন্নীংবদগী তাখিবা অৱাবা অদু ৱারীসিনা উৎলি।

ৱারী লীবিরকপা : ওইনাম নব সিংহ
তাং : ২২-১-২০১০
চহী : ৭০
শিনফম : স্কুলগী ওজা ওইরম্বদগী পোৎথারবা
লৈফম : খুরাই লমলোং, খুরাই।

অরিকপগী সনা মতুম

থায়না থায়না মমাংঙৈদা য়াম্না লীকপা নুপা অমা লৈরম্মী। মাগীনি হায়বদা কনামত্তা লৈরমদে। মথন্তা চাদ থক্তুনা য়াম্না কুপ্না পান্দুনা য়ুম অদুদা লৈ। নোংমদি মাগী লৈজবা মান চাং পূম্নমক কায়থোক্লগা মানা সনা মতুম অমা লেপশিনজরম্মী। সনা অদু মীনা খঙদ উদনবা হায়দুনা মাগী ইমুংগী কাচিন অমদা লৈবাক তৌথোক্লগা ফুম্লগা থম্লম্মী। নুংতিগী মাগী সনা অদু তৌথোক্লগা য়েংজরম্মী। অদুবু মানা নুংতিগী য়েংবা অদুদা নোংমদি হুরানবা অমনা উথোকখিদুনা নুপা অদুনা থবক শুবা চৎখ্রিঙৈদা হুরানবা অদুনা সনা অদুবু হুরাল্লগা মদুগী মহুত্তা নুং মতুম অমা ওইনা থম্লমখি। নুপা অদুনা ময়ুমদা হন্জিল্লকপদা লৈবাক অদু তৌথোক্তুনা য়েংবদা সনা অদু লৈরমদ্রে মদুগী মহুত্তা নুং মতুম অমা লৈরমখি। মদু উরুবদা নুপা অদুনা মখোং মখুৎ তিংথোক্তুনা কপ্পুনা লৈবা অদু উবদা মাগী মতাউ অমনা চংশিল্লক্তুনা করিগী কপ্লিবনো হায়না হংখি। মদুদা নুপা অদুনা থোকখিবা থৌদোক অদু তম্লম্মী। মদুদা মতাউ অদুনা অদুগীদমক্তা ওইরবদি করিমত্তা ৱাখল নুংঙাইতবা তৌগনু মদুগা চপ মান্নবা নুংদুম অমা লৈরিবা অদু নঙগী মাংখিবা সনা অদুনি হায়না খল্লগা য়েংঙু হায়না হায়খি।

মসিনা তাক্লিবদি পোৎ অমবু করিসু কান্নফম খঙদনা থম্লবদি পোৎ অদু করিসু মমল য়াওদে হায়না তাকপনি।

ৱারী লীবিরকপী : লাইরেঞ্জম নিংঙোল থৌদাম ওংবী মেম্মা দেবী

তাং : ২২-১-২০১০

চহী : ৬৪

শিনফম : থবক্তগী পোথারবী

লৈফম : খুরাই থৌদাম লৈকাই।

শীংজং

থায়না থায়না মমাংঙৈদা য়াম্না লাইরবা লুখ্রাবী মমা মচা অমা লৈরম্মী। মচানুপা অদুনা নুংতিগী উমংদা শীংচনবা চৎলি। নোংমদি মানা শীংচনবদা মাগী শীংজং মখোক নাম্থোকতুনা মনাক্তা লৈবা তুরেন অদুদা শীংজং অদু তাশিনখি। মদুদা মাগী শীংজং অদু লৈত্রবদি মাদি করম্না মমা থাক্কনি হায়না য়াম্না থৱায় ৱাজদুনা কপখি। মানা কপ্পা অদুদা তুরেন মনুংদুদগী লাইরেম্বী অমা ফাওগৎলকখি। লাইরেম্বী অদুনা করিগী কপ্লিবনো হায়না হংখি। মদুদা নুপা অদুনা ঐদি লাইরবা শীংজনবা নুপানি, ঐগী শীংজং অদু তুরেনগী ঈশিং মনুংদা তাখ্রে হায়না হায়জখি। মদু তাবদা লাইরেম্বী অদুনা নঙগী শীংজং অদু ঐনা পুখৎপীরক্কে হায়না হায়খি। অদুগা লাইরেম্বী অদুনা সনাগী শীংজং অমা পুখৎপীরক্তুনা নঙগী শীংজং অদু মসিরা হায়না হংবদা নুপা অদুনা নত্তে হায়না খুমখি। মথংদনা লাইরেম্বী অদুনা লুপাগী শীংজং অমা অমুক পুখৎপীরকখি, মদুদসু নুপা অদুনা মাগী নত্তে হায়না হায়খি। অকোনবদদি লাইরেম্বীদুনা নুপা অদুগী অশেংবা শীংজং অদু পুখৎলক্তুনা নুপা অদুদা উৎপদা নুপা অদুনা হরাউ হরাউনা মাগী অশেংবা শীংজংনি হায়না হায়খি। মদুদা লাইরেম্বী অদুনা পেনলদুনা নুপা অসি অশেংবা থম্মোয় চেনবা মপুকচেল শেংবা নুপানি হায়দুনা শীংজংশিং অদু লোয়না নুপাদুদা পীবিরম্মী। লাইরেম্বীদুনা নুংঙাই য়াইফনা পাল্লো হায়না নুপাদুদা বর পীরকখি।

নুপা অদুনা ময়ুমদা হল্লক্লগা মানা থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগী ৱারী পুন্বা মাগী মমাদা লীখি। মমা মচা অনী অদু নুংঙাই য়াইফনা ৱাত্ত পাদনা পাল্লকপা অদু উবদগী মখোয়গা য়ুমলোন্নবা ইনাকখুনবা ফত্তবা নুপা অমনা করম্না মখোয়না খংনুং নুংঙাইরক্লিবনো হায়না হংখি। মদুদা মপুকচেল শেংবা নুপা অদুনা মাগী অশেংবা ৱারী অদু লোয়না অমতা চিথদনা নুপা

অদুদা লীখি। মদুদগী মপুকচেল ফত্তবা নুপা অদুনা চৎখ্রগা মপুকচেল শেংবা নুপা অদুদা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মান্ননা তৌশিন্নদুনা শীংজং অদু ঈশিংদা থাদখি। মদুদগী ঈশিং মনুংদগী লাইরেন্বী অদুনা ফাওগৎলক্কুনা করি তৌরবগে হায়না হংবদা মাগী শীংজং তাখ্রে অমুক্তা খুনবীরকউ হায়না হায়খি। মদু তাবদা লাইরেন্বী অদুনা শাউরদুনা মপুকচেল ফত্তবা নুপানি নঙদি হায়না চৈ থাংলম্লগা লাইরেন্বী অদু অমুক হন্না ঈশিং মনুংদা লুপখি। নুপা অদুনা ওইদবা ঙাংলুবগীদমক্তা মাগী অশেংবা শীংজং অদু ফাওবা ফংখিদে।

অচুম্বা চত্তবা, পুকচেল শেংদবা মীহৌ চাউবা হায়বসি ফত্তে হায়দুনা ৱারীসিনা উৎলি।

ৱারী লীবিরকপী	:	লাইরেঞ্জম নিংঙোল থৌদাম ওংবী মেম্মা দেবী
তাং	:	২২-১-২০১০
চহী	:	৬৪
শিনফম	:	থবক্তগী পোৎথারবী
লৈফম	:	খুরাই থৌদাম লৈকাই।

লৈশাবী তরেৎ

থায়না মমাংঙৈদা খুল অমদা হিংচাবী অমখক লৈবা জাৎনি। হিংচাবী অসিনা খুল অদুগী মীশিং অসি মানা নুমিদাংগী মতমদা হিংচাবী ওইনা ওল্লগা চাবা জাৎনি। মানা নুংতিগী অসুম চাবনা খুল অদুদা চানবা অমত্তা লৈত্রবদা হিংচাবী অসে চারা কয়া হেন্দুনা লৈরম্মী।

হিংচাবী অসিনা লৈরিবা খুল অসিগী থংনবা খুল অসিদা মপা-মমা লৈত্রবা নুপী ঙাক্তা তরেৎ লৈবা ইমুং অমদি লৈরম্মী। নুপীশিং অদু লৈশাবী ঙাক্তনি মশক মতৌ লোয়না চঙখোল্লি। থবক শুবা নোম্বা য়াম্না কল্লি। মখোয় তরেৎ অসি থবক শুবা মতমদা লোইনমক চৎমিন্নে। মীশিংনা মখোয়বু কল্লকই মদুবু কনা অমত্তা মখোয়বু উশিৎতবা থওইদবা তৌবিদে মরমদি মখোয় তরেৎ অসি লমচৎ ফজবী ঙাক্তা ওই। অসুম্না লৈশাবী তরেৎ লৈ হায়বসি হিংচাবীসিনা তারবোইরে। মদুদগীদি লৈশাবী তরেৎ অসি মাগী মচিনজাক ওইরগে খন্দুনা থংনবা খুল অদুদা হিংচাবী অদো লাক্লে। মানা অঙাং অমগী শক্লোন লৌরগা লন্বীদা কপ্পুনা লৈবা অদো লৈশাবী তরেৎনা থেংনরে। মদুদগী মখোয়না অঙাং অসিবু কনাগী মচানো হংবদা কনা অমত্তনা মখোয়গীনি হায়দ্রবদা লৈশাবী তরেৎনা ঐখোয় য়োক্লসি হায়দুনা য়ুমদা পুরকলে।

লৈশাবী তরেৎ অদুনা নোংমা নোংমগী শিন্নদুনা অঙাং অদুবু য়োক্লসি হায়না য়ানরদুনা মখোয় তরেৎ হায়নরম্মী। অসুম্না অহানবগী মচেনা ঙসিদি ইনাও নখোয় চৎলো ইচে অঙাং অসে লৌহৌরগে নখোয়না চানবা পুম্নমক ইচেনা থোংলগা থমলমলগে হায়বদগী মনাওশিং অদো চৎখ্রে। মচেনা ঈরুজরুরগা চাক ঈশিং থোং থাক্তুনা মাগী মাগী শরুক থমলে। অদুগা মচেনা মপালদা থবক খরা তৌখিবা তানজা অসিদা হিংচাবী অঙাং

অদুনা হৌগৎলগা লোয়না চাথোকলে অসুম্না মচিন মনাও মথং মথংনা অঙাং অসি লৌদুনা নুমিৎ তরুক্নি হৌখ্রবা মতুংদা অরোইবা মনাওনুপী অতোম্বী অসিগী পাল্লি লাক্কুনা ঙসিদি ইচে ময়াম ননাও লৈজহৌরগে ঐনা ঙসি অঙাং শেন্নহৌরগে হায়দুনা লৈহৌখি।

মনাওনুপী অতোনবীনা চাক থোংবা লোইরগা চাক অদু চফুদা অদুম থম্লম্মী। অদুগা অতোম্বী অসিনা ঙসিদি কনানো চাক চারিবা মী অসি য়েংলগে হায়দুনা মানা হান্না চাক খরা থিদুনা চাথোক্লগা পোত্থারগে হায়দুনা ফমুংদা তুমশিন্নদুনা লৈরম্মী। মা তুমখ্রে খন্দুনা অঙাং অদুনা হিংচাবীগী মশক অদু লৌরগা চাক অদু চাথোক্কুনা লৈবা অদো উরে। মনাও অতোম্বী কিবগা লোয়ননা মচেশিং লাক্লগা তল্লগে খন্দুনা তুমিন্না লৈরে। মচেশিং অদু থবক হল্লক্লম্মী। মনাও অতোম্বীনা মচেশিংবু ঈরুজরুরসি পুখ্রিদা হায়না কৌরগা অঙাং অদু ফক্তা তুমহন্দুনা থনমলগা চৎখ্রে। মনাও অতোম্বীনা মচেদা অঙাং অসে অচম্বা নত্তে মসি হিংচাবীনা ওনবা অঙাংনি হায়রম্মী। করিগুম্বা মাগা লৈমিন্নবা তারবদি ঐখোয় লোয়না শিবা তারে অদুনা ঐখোয় মফমসি থাদোক্কুনা চৎলসি হায়না হিংচাবী অঙাংনা তুমলিঙৈ তানজা অসি ঙাইরগা মখোয় তরেৎমক য়াম্না থুনা য়ুম অদু থাদোক্কুনা চৎখিরম্মী।

হিংচাবী অদুনা মিৎকপ থোকলকপা মতমদা মখোয় তরেৎ লৈরমদবা উবদা কদায় চৎখ্রে হায়না কোয়থি থিরম্মী। হিংচাবী অসিনা থিবা ফংদ্রবদা য়ুম য়াংলেন কারগা য়েংবা মতমদা মখোয় তরেৎনা চৎপদু উরে। হিংচাবী অদুনা নখোয়না ঐবু হুন্দোক্কুনা চৎলবা, ফৈ খঙগনি লৈরম্মু। ঐনা নহানমখৈ নখোয়বু চাদবদি নখোয়না ঐবু লুনা থম্লকপা অদুদা চাদবনি। নখোয়না চেল্লবনিনা ঐ নখোয়বু চাবা তারে ফৈ খঙগনি হায়দুনা মখোয়বু তান্নরক্লম্মী।

লৈশাবী তরেৎ অসিনা অসুম অসুম লাকপনা ৱারদুনা অতোপ্পা মফম অমদা থুংলরে। মখোয় তরেৎনা থুংলুরিবা মফম অদুদা খাঙপোকশঙ

অমখক লৈরম্মী। মদুদা মখোয় তরেৎনা চঙলগা কনা কনা লৈবগে ইমুং অসিবু হায়না কৌবদা অহল ওইরবী হনুবী অমা থোক্লম্মী। হনুবী অদুনা ইবেম্মা নখোয়বু কনা কনানো হায়না হঙলম্মী। মখোয় তরেৎনা ইমা ঐখোয় অথাপ্পা খুল অমদগী লাকপনি ৱাদুনা ইমাগী য়ুমদগী ঈশিং খজিক্তা থকচগে হায়দুনা চংজরকপনি হায়না খুম্লম্মী। মখোয় তরেৎকী ৱাদো তাবদা হনুবীদুনা পেল্লদুনা করিগী ঈশিংদং থক্কনি চাকসু চাগদবনি অদুগা ইমাগী নাক্তা পোত্থাখো য়ুম অসিদা ইমা ইতোমতনি লৈরিবসি হায়না হায়রম্মী।

লৈশাবী তরেৎ অদো নুমিৎ অদুমদি অহলদুগী মনাক্তা পোৎথারে। মখোয়না অহল অদুগী য়ুম ইংখোল অদু শিৎ নান্না শেংদোক্কুনা থমলম্মী। অহল হনুবী অসি নিংথৌগী অচানবী মনাই ওইরম্মী। মানা নিংথৌগী মনাক্তা চৎখ্রিঙৈদা য়ুম অদো মশা নান্না থমলম্মী। হনুবী অদো হল্লকপা মতমদা ময়ুম খঙদদুনা লৈরিঙৈ অসিদা লৈশাবী তরেৎনা ইবেনগী য়ুম অদুনি হায়রবদা অহল অদু হরাউদুনা মঙোন্দা পীরকপা, কৎপীরকপা ফিগে ফনেক মুগাশিং অদু মচিন মনাও তরেৎতা পীরম্মী। অহল অদুনা নখোয় তরেৎপু মতৌ করম্না ইবেনগীদা লাকপনো হায়না হংবা মতমদা ইবেন নশু তরেৎ ঐখোয়না নোংমা থবক শুবা হল্লকপা মতমদা অঙাং অমা কপ্পুনা লৈরম্মী। অঙাং অদুবু য়োক্লগে হায়দুনা ঐখোয়না পুরগা লাকখি। অদুবু মাদি অচম্বা অঙাং ওইরমদরে হিংচাবীনা ওনবা অঙাং ওইরমলে, মদুদগী থৱাই কন্নবা ঐখোয় তরেৎ চেল্লকপনি। ফরে অদু ওইরবদি নখোয় তরেৎতা ৱা অমা হায়গে হিংচাবী অদুনা নখোয়বু শোয়দনা থিরক্কনি অদুনা নখোয় য়ুম অসিদা লৈরো অদুগা হিংচাবী অসি হাৎনবা ৱা অমা হায়রগে হায়না হনুবী অদুনা হায়রম্মী মদুদি করিগুম্বা হিংচাবী অসে নখোয়গী নাক্তা লাকপা মতমদা মানা নখোয়গী নাক্তা য়ৌবা ঙমদনবা য়ুম অসিগী মাইকৈ মরি অসে শাই তিংখঙ ঙাক্তা থারো অদুগা মসিনা নখোয় তরেৎপু শোয়দনা কনবীগনি। হনুবীগী ৱাসী তারবদা লৈশাবী তরেৎ অদুনা য়ুমগী অকোইবা মাইকৈ মরিদা শাই তিংখং থারে। য়ুমগী কোন্থোংদসু থেৎলে। অসুম্না

লৈবদগী হিংচাবী অদো মখোয় তরেৎ থিবা লাকপা মতমদা হনুবীগী য়ুমদা লৈবা উরে। মদুদগী মানা মখোয়বু ফাগে হায়না চঙলকপা মতমদদি শাই তিংখং অদুনা থিনবদগী হিংচাবী অদু মহু কাদুনা শিরে।

মসিদগী মচিন মনাও লৈশাবী তরেৎ অদু নুংঙাইনা ইংনা হান্নগী ফীভমদা লৈখিয়ে।

ৱারী লীবিরকপী : সোরাইসম থরোশঙ দেবী
তাং : ২৩-১-২০১০
চহী : ৭০
শিনফম : য়ুম কোইবী
লৈফম : কোংবা নান্দেবম লৈকাই।

হৌদোংদা তাবা দশা

থায়না থায়না মমাংঙৈদা অহল হনুবী অমখক লৈরম্মী। অহল অসিগী মানা য়াম্না লুনা তৌজবা হৌদোং অমা লৈবা জাৎনি। অহল ওইরবী হনুবী অসিনা নুংতিগী মাগী হৌদোংসিগা মীরোল খঙনা ৱারী শান্নদুনা, ৱারী লীবিদুনা নুংতিগী তাহল্লবা জাৎনি।

নোংমদি হনুবী অসিনা মাগী হৌদোং অসিদা, ৱা অমা হংগে নঙ খুমলকউ হায়বোইরে। হনুবী অসিনা- হৌদোং নমা কদায় চৎখি, হায়রকপা মতমদা হৌদোংনা অসুম্না খুমলকখি - ইমাদি খৌনুংদা চৎখি। হনুবী অসিনা খৌনুংদি কদায় লৈ হংবদা হৌদোংনা- খৌনুংদি য়েননা খোৎখ্রে, হায়না খুন্না জাৎনি। অমুকসু মথং মথং হংলে -

হনুবী- য়েনদি কদাই?
হৌদোং- উমাইবীনা লাকখ্রে।
হনুবী- উমাইবীনা কদাই?
হৌদোং- উজাওদা তোংখ্রে।
হনুবী- উজাওদি কদাই?
হৌদোং- শীংজংনা খায়খ্রে।
হনুবী- শীংজংদি কদাই ?
হৌদোং- লৈখোমনা ফুমখ্রে।
হনুবী- লৈখোমদি কদাই?
হৌদোং- ইরোইনা ৱাইখ্রে।
হনুবী- ইরোইদি কদাই?
হৌদোং- ইরোইদি ইতোকচীং লানখ্রে।
হনুবী- ইতোক্তি কদাই?
হৌদোং- উরিনা য়েৎতুনা লৈখ্রি।
হনুবী- উরিদি কদাই?

হৌদোং- ঊচিনা চিকথৎখ্রে।
হনুবী- ঊচিদি কদাই?
হৌদোং- য়াম শগাই শাবীগী ময়ুমদা চঙখ্রে।
হনুবী- য়াম শগাই শাবীদি কদাই?
হৌদোং- মৈনা কোক-কোক চাকখ্রে।

অসুম্না হনুবী অসিনা হংবা ৱাহং খুদিং হৌদোং অসিনা খুমলগা হনুবীসি অৱা পোত্থাজরম্মী। অদুদগীদি নোংমা হনুবী অসিনা মাগী মচা মশুশিংদা ঙসিদি ঐ উতি অশংবা চানিংই হায়না হায়বা জাৎনি। মচাশিংনা মমানা চানিংই হায়বা অদুদা হৱাই থরাক অশংবা অদু ফজনা উতি থোংলে। হনুবী অসি ঈরুজবা লোইরগা চন্দন চৱা থিন্দুনা নুংশাদা চাক থাংদোক্তুনা চারে। মাগী হৌদোং অসিসু মাগী মনাক্তা কুল্লগা চাক থারিবা অদু চামিন্নদুনা লৈ। হনুবী অসিনা চাক চাবা লোইদুনা, উতি চারুবগী মশাদু মোন্থরক্তুনা পোত্থানিংলকপা ওইরে।

অহল ওইরবী হনুবী অদু নুংশা য়াইদুনা ঙাইহাক পোত্থাবা অসিদা মশাদু উতি চারুবগী তন্থরকপা, অদুগা অহল ওইবগী হৌনবা মশাদু নুংশিৎ কাবা ওইরে। মাগী নুংশিনা থমজবা হৌদোং অদুসু মাগী মতুংদা উইরি-উইরি তৌদুনা লৈবা জাৎনি। হনুবী অদুনা খঙহৌদনা নুংশিৎ মপী অমা থাদোরকপা মতমদা হৌদোং অদুদা য়ৈরুরে।

অদুদগীদি হৌদোং অসি হনুবীনা থাদোরকপা নুংশিৎ অদুগী মনমদা ঙাওখিদুনা মাইগৈ শলাই খঙদনা চেনখ্রে। হনুবী অসিগী মচা মমৌনা হনুবী অসিগী কাংখা মখা শেংদোকলুবদা মনম নমথিবা অমা লৈ হায়দুনা য়েংলুবা মতমদদি হৌদোং অদু শিরগা লৈরমলে। অসুম্না হনুবী অদো মতোমতা লৈহৌখি।

ৱারী লীবিরকপী	:	সোরাইসম থরোশঙ দেবী
তাং	:	২৩-১-২০১০
চহী	:	৭০
শিনফম	:	য়ুম কোইবী
লৈফম	:	কোংবা নান্দৈবম লৈকাই।

পোইরৈতোন অমসুং পান্থোইবী

পোইরৈতোন্না অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা অহনশিংগী মনাক্তা চৎতুনা মখোয়গী সেবা তৌরম্মী। অদুগা ৱারী লিহন্দুনা য়াম্না পাম্না তারম্মী। মাগী মমা অমসুং মপাদি য়াম্না ৱারম্মী। পোইরৈতোন্না চাউরক্লবা মতমদসু ৱারী লিবিনবা অহল অমদা হায়জরম্মী।

হনুবদুনা ৱারী লিবা হৌরক্লম্মী। পোইরৈতোন্না হায়রক্লম্মী, ৱারী অদুদি হান্না তাখ্রবা ৱারীনি। মদু নত্তবা ৱারী অমা লিবিয়ু হায়রুবদা, হনুবা অদুনা শাওদুনা চৈ অমা পায়দুনা তান্নরক্লম্মী। হনুবা অদু চেনবদুদা চোকথরম্মী। মরম অদুনা পোইরৈতোন্দা চৈ অদু লংশিনখিরম্মী। পোইরৈতোন্না চৈ অদু পুদুনা য়াম্না থাপ্না চেনখিরম্মী। লম য়াম্না লাপ্না চেল্লকপদুদা অতোপ্পা দেশ অমদা য়ৌরকখিরম্মী। অদুগা খুঙ্গং অমগী মপান্দা মীয়াম অমা তিন্দুনা অশিবা নিংথৌ অমগী পোৎলোইনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরম্মী। মহাক্না মফম অদু তান্না চংশিন্দুনা হংবদা পোৎলোইরিবনি হায়বসি খঙখিরম্মী। পোইরৈতোন্না নিংথৌ অদুনা শিবগী মরম হংলম্মী। মীশিং অদুনা পাউ অদু তাকপা কিনরম্মী। অদুবু নুপা অমখক্তনদি কৌথোক্লগা অসুম্না হায়রক্লম্মী। নহাক্তি অতোপ্পা লৈবাক্তা লৈবা মীনিনা খঙলম্লোই। ঐখোয়গী লৈবাক অসিদদি নিংথৌ ওইবা অসি কনা অমত্তা পাম্নদে। নিংথৌ হেক ওইবগা নুমিদাং অদুমক্তদা নত্ত্রগা মথংগী অহিংদা নিংথৌ অদু হেক্তা শি। হৌজিক শিরিবা নিংথৌ অসিবুসু মতৌ অসুম্না শিরিবা নিংথৌনি। শিরিবা অদুগী মরমদি কনা অমত্তনা খঙনদে। রাজ কন্যা পান্থোইবীতনদি মদু খঙই। মদু তাবদা পোইরৈতোন্না হায়রক্লম্মী। ঐ মদুগী মরম অদু খঙদনদি যুমদা চৎপা তৌররোই। অতোপ্পা নুপাদুনা হায়রক্লম্মী। হে পাখং অরেম্বদা নথৱাই অদু মাঙদুনা তোকচগনি। য়াম্না থুনা নয়ুমদদুম হনখ্রো। মদু য়াদ্রগনা, ঐনা নংবু নিংথৌ হাপ্পা ঙমগনি।

অসি হায়দুনা কোনুংলোমদা মহাকপু পুদুনা চৎখ্রে। অসুম্না মহাকপু কোনুংদা পুশিল্লক্লবদা, মহাকপু (পোইরৈতোনবু) পুরোহিতশিংনা রাজঅভিষেক তৌরম্মী। পোইরৈতোন্না অনৌবা ফিজোন শেৎতুনা সিংহাসন্দা ফমখ্রে, নোংমা হৌখ্রে।

অকিবগী মশক ওইরবা অহিং চংলকখি। কোনুংদা থাউমৈ ঙাল্লম্মী। পোইরৈতোন্না অকিবা লৈতনা থাংশাং অমা পায়দুনা তুমদনা মপান্দা কোয়চৎ চৎতুনা য়েংলম্মী। অহিংগী অনীশুবা য়ুথক হৌখ্রে। থাউমৈগী মঙালসু য়াম্না তপথরক্লম্মী। মীপুম খুদিংমক তুমথনখিরম্মী। মরম অদুনা য়াম্না অচিকপা অহিং হায়বদু ওইরক্লম্মী। মফম অদুদা প্রকৃতিগী অকিবা শক্লোনসু ওইরম্মী। অসুম্না পোইরৈতোন্না থাংশাং অদু পায়দুনা লাকপনা লৈকোল অদু য়ৌরক্লম্মী। লৈকোল অদুগী য়াম্না লুবা পুখ্রি অমা লৈরম্মী। পুখ্রি অদুদগী চাউরবা লাইরেল অমা কাখৎলক্লগা কোনুংলোমদা চৎলম্মী। পোইরৈতোন্না মদু উবদা থাংশাং অদু শত্তোক্তুনা লাইরেল অদুবু তান্নরক্লম্মী। অসুম্না তান্নরকপনা কোনুংগী থোঙ্গাল য়ৌরক্লম্মী।

কোনুংগী থোঙ্গাল অদুমত্তদা পোইরৈতোন্না লাইরেল অদুগী মঙকশমদা ককথৎলম্মী। অসুম্না লাইরেল অদুবু মকক মকক ককথৎতুনা হাৎখ্রবদা মসিগী পাউ অসি মীয়ামনা খঙলক্লবা মতমদা পোইরৈতোনগা পান্থোইবীগা অনী অদু লুহোংবীখিরম্মী। পোইরৈতোন্না নিংথৌ ওই, পান্থোইবীনা মহারানী ওইদুনা য়াম্না নুংঙাইনা প্রজাশিংবু চিখোন নাওকোন্না কোন্দুনা মতম শাংনা পানখিরম্মী। লৈবাক প্রজাশিংদু থোইদোক্লা নুংঙাইজবা হায়বদু ওইখিরম্মী।

ৱারী লীবিরকপা	:	চিংথাম নিংথেমজাউ সিংহ
তাং	:	৩-২-২০১০
চহী	:	৮৬
শিনফম	:	হায়স্কুল ওজা (রীতায়ার্দ)
লৈফম	:	ক্বাকৈথেল হৈনৌখোংনেম্বী, থোকচোম লৈকাই।

কন থৌরবা য়াম্বেম লাবা

থায়না মমাংঙৈদা চীংঙারেন চীংদা হিয়াং অথৌবা অমা লৈরম্মী। হিয়াং অথৌবনা থোক্লক্লগা মীবু কীহনবা অঙাং নাহনবা, মী হাৎপনা মাগী অপেনবা থবক ওইনা তৌরম্মী। হিয়াং অথৌবা থোক্তুনা লমদমদুগী মীয়াম পুম্বা অকি তুজুংনরম্মী। চীংঙারেন মপাদু কনা অমত্তনা লান্দুনা চৎপা ঙমনরমদ্রে। মতৌ অসুম্না প্রজা মীয়াম্না ৱা তান্নদুনা করি তৌশিগে খল্লম্মী। মমৈথংদা নিংথৌগী মনাক্তা প্রজা মীয়াম চৎতুনা হিয়াং অথৌবনা মীবু হাৎপা তুপ্পা তৌরিবা, অঙাং নাহল্লিবা পুম্বগী ৱারী তন্নম্মী। নিংথৌসু ৱারীদু মুন্না তারবা তুংদা করি তৌসিগে হায়না ৱাখল খল্লম্মী। মমৈদা মীয়ামদা হংলম্মী- লৈবাকসিদা পাঙ্গল কনবা মথৌনা মরিংজেল ফবা তম্বা কনা কনা লৈবগে? মীয়ামদুদা অদুগুম্বা মীওইবু থিরক্লবা নিংথৌনা হায়রম্মী। ঙৈহাক লৈরবা তুংদা প্রজা অমনা হায়রকই - “ ইনিংথৌ, বামোন কম্পুদা য়াম্বেম লাবা কৌবা মপাঙ্গল মথৌনা লৈবা অকনবা নুপা অমা লৈ। নিংথৌনা মনাই মশল থাদুনা য়াম্বেম লাবা অদুবু কোনুংদা কৌখৎলম্মী। নিংথৌনা য়াম্বেম লাবদা চীংঙারেন্দা চৎতুনা হিয়াং অথৌবগা থেংনবা ঙমগদ্রা হংখি। য়াম্বেম লাবনা - “ননাই ঐহাক হিয়াং অথৌবগা লাম্বা তৌদুনা প্রজাশিংগী অৱাবা কোক্লবা হোৎনজগে” হায়না খুমখি। নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না য়াম্বেম লাবনা প্রজা খরগা চীংঙারেন তম্না চৎখিরম্মী। প্রজাশিংনা হিয়াং অথৌবা লৈবা মফমদু য়াম্বেম লাবদা তাক্লম্মী। মীয়াম্না খরা থাপ্না লৈহৌরগা য়াম্বেম লাবনা চীংঙারেন মনাক নক্লা চংশিল্লম্মী। অদুগা মানা লাউরম্মী - “হে হিয়াং অথৌবা নঙ হৌজিকমক থোরকউ লাও।” মাগী খোঞ্জেলসি তারবদা থুনমক হিয়াং অথৌবনা মফম অদুদা লাক্লম্মী। অদুগা মানা য়াম্বেম লাবদা হায়রকই - “লৈরম্মু নঙ ঙসিদি ঐগী ইতিক খঙহনগে” হায়না অকিবা শক্তম পুথোক্তুনা য়াম্বেম লাবগী

মনাক তম্না হোৎচিল্লকলম্মী। থুনমক য়াম্বেম লাবগা হিয়াং অথৌবগা মায়য়োক্লদুনা নম্নরম্মী। অমনা অমবু পাক ঙম্নরমদে। মমৈথংদা মথৌনা লৈরবা য়াম্বেম লাবনা হিয়াং অথৌবগী খৌরি চরম মেৎতুনা থমলবদা হিয়াং অথৌবদু ঙমখৈ লৈতনা ৱারম্মী। মরম অদুমক্লা মাবু থাদোকপীরো হায়না য়াম্বেম লাবদা হায়জরম্মী। য়াম্বেম লাবনা থাদোক্কে তৌবদা লৌশিং লৈবা প্রজা খরনা লাউরকই। হিয়াং অথৌববু থাদোকপীগনু থাদোকত্রিঙৈদা ৱাশক পরৈ শকহনবীয়ু মদুদি মতুং সিদা অঙাংশিংবু অমুক হন্না অনা অয়েক থোকহন্দবা, লম্বী চৎপা মীওই অমত্তদা হাৎপা তুপ্পা তৌদবা, য়াম্বেম লাবা লাকই হায়না পনবদা হিয়াং অথৌবনা অকি তুজুং লোয়ননা কিদুনা চেনগদবনি হায়বা ৱাশকশিং শকহনবীয়ু হায়না হায়রম্মী। য়াম্বেম লাবনা হায়রিবা ৱাশকশিং অসি হিয়াং অথৌবগী মচীনমক্লা শকহনখি অদুগা হিয়াং অথৌববু থাদোকপীখি। মদু উবদা মফমদুদা তিল্লিবা প্রজা মীয়াম পুন্নমক ঙমখৈ লৈতনা পেল্লম্মী। মীয়াম্না য়াম্বেম লাববু থাগৎনরম্মী। হিয়াং অথৌববু ঙম্বা মহাক্কী কনথৌবগী ৱারী অসি লৈবাক শিন থুংনা তান্নরম্মী।

অসিগুম্বা পাউ অসি নিংথৌগী নাকোং য়ৌরকপদগী নিংথৌনা কল্লক্তুনা য়াম্বেম লাববু অৱা লৈবাক্তা অঙম অথৌ খরগা লোয়ননা থাখিরম্মী। চিঠি অমা অৱা লৈবাক্কী নিংথৌদা ইদুনা পীখিরম্মী। চিঠি অদু পারগা অৱা লৈবাক্কী নিংথৌনা য়াম্বেম লাববু কৈ ঙাক্তো লৈবা শারং মনুংদা থাজিল্লম্মী। মপান্দগী থোঙদু কন্না লোনশিন্দুনা অহিং অমা থমখি। অৱা লৈবাক্কী নিংথৌনা ইখুৎ মক্লা হাৎপদি নত্তে কৈনা হাৎতুনা মরাইনা শিজরনি খন্দুনা নিংথৌনা শঙ্গাই মনুংদা চংদুনা পোৎথাখি। নোংঙাল্লগা থোঙ হাংলগা কৈগী শারং মনুংদা চংদুনা য়েংলুবদদি কৈজাওশিংদু শিদুনা লৈমাইদা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি। অদুগা পাঙ্গল্লবা য়াম্বেম লাবনা ফমদুনা লৈরম্বা থেংনখি। অদু উবদা অৱা নিংথৌদু ঙকপনা খম থেংলম্মী। মাগী মথৌনা মরিংজেল কন থৌবা অদু খঙলগা নিংথৌনা পেল্লম্মী। য়াম্বেম লাবদা অৱা নিংথৌনা হায়রম্মী নঙগী নরাল লৈতে, মীতৈ নিংথৌগী য়াথং ঙাকলুবনি নঙ ৱারৌগনু হায়না নিংথৌনা য়াম্বেম লাববু হরাউনা

কোনবিরম্মী। নিংথৌনা হরাউ হরাউনা য়াম্বেম লাবদা নীংথিরবা ফিজোল কয়া পীদুনা চান থক্লবা মমল য়াম্লবা পোৎ চৈ কয়া খুদোলপোৎ ওইনা পীরম্মী।

ৱারী লীবিরকপা	:	চিংথাম নিংথেমজাউ সিংহ
তাং	:	৩-২-২০১০
চহী	:	৮৬
শিনফম	:	হায়স্কুল ওজা (রীতায়ার্দ)
লৈফম	:	ৱাকৈথেল হৈনৌখোংনেম্বী, থোকচোম লৈকাই।

ঙা ফাবা অমসুং হিংচাবা

মতম অমদা ঙা ফাবা (দুম) অমা লৈরম্মী। মহাক য়াম্না অহল ওইরম্মী য়াম্নসু লাইররম্মী। মহাক্না মাগী ইমুং মনুং থাকপা ঙমলমদে। মহাক্না নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক ঙন্না ঙা ফারম্মী। নোংমদা মরিরক্তগী হেন্দনা ঈল লংবসি মহাক্না নিয়ম অমা ওইনা তৌরম্মী। অদুবু নোংমদি মহাক্না অহিংদা সমুদ্রদা চৎলম্মী। মতম অদু থাবল ফরম্মী। মহাক্না মাগী ঈল অদু লংলম্মী অদুগা কংফাল তান্না চিংখৎলম্মী। ঈল অদু য়াম্না লুম্লম্মী, ঙা য়াম্না ফাবা তারে হায়দুনা ঙা ফাবদু হরাউরম্মী। মহাক্না মদু তোর্বান্দা চিংখৎলে। ঙা অচৌবগী মহুত্তা ঈল অদুগী মনুংদা গধা অশিবা অমগী মশা য়াওরম্মী। মরাইবক ফত্তবদুদা ঙা ফাবদু ৱারম্মী। মহাক্না মাগী ঈল অদু অমুক্তা লংখি। হন্দকসু মহাক্না ফত্তহৌদিগী থুমোক অমখক ফংখি, 'ও! লাইবক ফৎখিদ্রেদা' মানা লাউরকখি, 'ঐনা হৌজিক ঐগী ইমুংবু করম্না থাক্কনি', মহাক্না অহুম্লকশুবা ওইনা হোৎনরে। হন্দক্তি মহাক্না নুংজাউ,নুং মচা অমসুং লৈখোম ফংখি। মহাক য়াম্না নুংঙাইখিদে, হৌজিক্তি মহাক্কী তাঞ্জা অমুক্তা মঙায়রে। 'ঐনা তাঞ্জা অসি মাংহল্লোইদবনি, ঐনা ঐগী ইমুংগীদমক চিঞ্জাক খরদি ফংদবা য়াদে', মহাক্না খনখি। মরম অদুনা মহাক্না ঈশ্বর খুরুমজখি। অদুগা ঈল অদু মরিরকশুবা ওইনা হুনখি। হন্দক্তি মহাক মরাইবক ফরম্মী, মহাক্না মাগী ঈল অদু চিংখৎলে অমসুং মদুগী মনুংদা নাপু মানবা চফু অমা ফংখি। চফু অদু মিশিনা মখুম মেনশিল্লম্মী, মদু লুম্লবা চফুনি। 'মমৈদা ঐ লাইবক ফরেদা', মহাক্না হরাউনা লাউরকখি, 'শোয়দ্রে চফু অসিদা সনা য়াওরম্বা তারে', মহাক্না চফু অদুগী মখুম অদু হাংদোকলম্মী। চফু অদুদগী থারবা অমুবা মৈখু থোরকপা উখি। মৈখু অদুনা মমৈদা হিংচাবা অমা ওইরক্লম্মী।

হিংচাবা অদুনা মাগী মমাংদা লেপ্পদু উবদা ঙা ফাবা নুপাদু কিবনা মশা পুম্বা নীক্লমই। হিংচাবা অদুনা হায়রকই, 'হনুবা হৌজিক ঐনা নঙবু হাৎকনি, মরম অদুনা নঙনা শিগদবা মীশিদো খল্লু' 'ওম্থোকপনি, ঐনা নঙবু থাদোকপিরগা করিগী হাৎকদৌরিবনো', ঙা ফাবনা লাউরকখি। হিংচাবনা হায়খি, 'অদু ওইরবসু ঐনা নঙবু হাৎকনি, থাঙ্গৈশেংনমক ঐবু থাদোকপা মী অদুবু হাৎকে হায়না ঐনা ৱাশকখ্রবনি, নঙনা শিগদবা মওঙদু নঙনা হৌজিক খঞ্জবা য়ারগনি'। থাঙ্গৈশেংনমক নঙগীদুদি অঙকপা ৱাশক্কি', ঙা ফাবনা হায়খি। মহাক্লা হংলকই, 'নঙনা অসুম্না ৱাশক্লিবদি করিগীনো ? 'মদু শাংখ্রবা ৱারীনি', হিংচাবনা হায়রকখি, চহী চামরিগী(৪০০) মমাংদা ঐনা হিংচাবগী নিংথৌগা খৎনখি। মহাক্লা ঐবু চফু মনুংদা খুমজিল্লগা লুরবা সমুদ্রদা হুন্থখিবনি'। ৱারীদু মখা শমথরদুনা হিংচাবদুনা হায়খি, 'ঐনা চফু মনুংদা লৈবা অহানবা চহী অহুম অদুদা ঐবু থাদোকপীবা মী অদুবু ঐনা মরম কয়ামুক্তা সেবা তৌগে খনখি। অহানবা ঐনা মহাকপু নিংথৌ ওইহন্নীংই। অদুগী মতুংদা ঐনা মহাকপু পৃথিবীগী খ্বাইদগী ঈনাকখুনবা মী ওইহনগে খনখি, ঐনা মাগী মনাই ওইগে ফাওবা খনখিবনি। কনাগুম্বা অমত্তনবু ঐবু নুংশিবিখিদে, চহী অহুম অদুগী মনুংদা কনামত্তনা থাদোক্লবা তৌবিখিদে, ঐ য়াম্লা শাউখি অদুবু নোংমদি শোয়দুনা তাঞ্জা থোক্লদুনা নিংতমগনি, মতম অদুদদি মী অদুবু ঐনা শোয়দনা হাৎকনি' মদুনি ঐগী ৱাশক। 'মরম অদুনা মদু নঙ ওইরেদো ঙা ফাবা, হিংচাবনা মখা তারকই, 'হৌজিক শিননবা শেম শারো, নঙনা নশাগী করিগুম্বা খরা পামদুনা চফু অসি হাংদোক্লুরে, থাঙ্গৈশেংনমক নঙনা চফু অসি শোয়রদুনা হাংদোক্লুবনি'। ঙা ফাবদু কপ্পা হৌরক্লম্মী, মহাক্লা মথ্বায়গীদমক হিংচাবদুদা হন্না হন্না হায়জখি, অদুবু অরেম্বা তাখি, 'ঐ মদু ঙম্লোই', হিংচাবনা খুল্লকই। 'নঙবু হাৎপা হায়বসে, ঐবু ঐগী ৱাশক্লা পুল্লবনি, হৌজিক নঙনা শিনিংবা অপাম্বা মওংদু খল্লো'। ঙা ফাবদুনা থৌরাং অমা তৌরকই অদুগা হায়রকই ''হিংচাবা ইবুংঙো, ঐ শিননবা শেম শারে, অদুবু নঙনা ঐঙোন্দা ইকোন কোনবা থৌজাল অমত্তদি তৌবিয়ু, নঙনা চফু মনুংদা লৈরম্বদু অমুক্তা ঐঙোন্দা উৎপীয়ু, মসি কয়াদা পীকখ্রবা মসিগী

মনুংদা নহাক্না করমতৌনা চল্লিবা?” মদুনা লোইরব্রা হিংচাবনা হংলকখি। হোয়, অদুনা লোইরে, ঙা ফাবনা খুন্নকখি। হিংচাবদু অদুগী মতুংদা মৈখু ওইরকখি অমসুং চফু মনুংদা অমুক হন্না চঙখি। 'ঙা ফাবা নঙ হৌজিক নঙগী নমীৎনা থাজরব্রা' মহাক্না হংলকই। 'হোয় ঐ থাজরে', ঙা ফাবনা হায়রকখি, অদুগা চফু অদু মখুম খুমজিল্লম্মী। মহাক্না হিংচাবদা হায়রম্মী, থাঙ্গেশেংনমক ঐনা নঙবু থাদোক্লরোই। মরম অদুনা হিংচাবা, য়ামদ্রবদা অতোপ্পা চহী চামরি(৪০০) অমগা নঙনা লৈবা মফম অদুদা লৈরুরো অদুগী মতুংদা মহাক্না চফু অদু সমুদ্রদা হুন্থখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	চিংথাম নিংথেমজাউ সিংহ
তাং	:	৩-২-২০১০
চহী	:	৮৬
শিনফম	:	হায়স্কুল ওজা (রীতায়ার্দ)
লৈফম	:	ক্বাকৈথেল হৈনৌখোংনেম্বী, থোকচোম লৈকাই।

শেন্বাংনা তাইবঙমীগী ময়ুমদা লৈবা

থায়না মমাংঙৈদা তাইবঙমীনা য়ুম কৈ লিংদুনা, লৌউ শিংউবা হৌরদুনা, খুন্দা লৈতাদুনা লৈরকপা মতমদা; নোংমা মপাঙ্গল শোনখ্রবা উমংদা লৈবা উচেক মতৈ মনাওনা ইফিং ফিংনা ইপা পাখৎনা য়াম্না য়াঙনা পাইরক্লগা তাইবঙ মীগী ময়ুম সনা শঙ্গায়দা, মাঙ্গোল লাইখনগী ফমেনগী নাক্থগী ফৈরাদা তোংদুনা তাইবঙমীদা কপ্পুনা হায়রকই- "হে তাইবঙমী ! তাইবঙপানবসিদা শোনবদগী শোনবা নখোয়নি। কনবদগী কনবসু নখোয়নি। শিংবদগী শিংবসু নখোয়নি। নখোয়গী লৌশিংতনা ঙমদবা লৈতবনি। ঐখোয়বু চঙজফম খরা পীবিয়ু । ঐখোয়বু অমুক্তা কনবিয়ু। ইরম উমংদা লঙজা, ক্লাক, উমাইবী, খুনুখরং নচিংবা উচেক হিংচাবা হিংচাবীশিংনা ইহুম পোঞ্জেন শীদোকপিখ্রে। নুংশিরবা ইচাশিংসু মখোয়না হাত্তুনা মখোয়গী মচিঞ্জাক ওইনা চাথোকখ্রে। ঐখোয় অনীবুসু মখোয়না ঙস্মী হায়দুনা হাৎকদৌবগী কোয়তান তান্নদুনা ঐখোয় লোৎফম হিংফম লৈতরে। নখোয়দি পুম্নমকপু ঙম্বনি। ঐখোয়গী থব্রায়বু অমুক্তা কনবিয়ু। ঐখোয়সু তাইবঙ মী নখোয়না হিংবদা অঙম্বা নতেং পাংজগে। নরৌ নশিঙ, ইঞ্জাং নাপী,মনা মশিংদা তাবা তিন কাং ফাদুনা নখোয়গী নতেং পাংজগে। হে তাইবঙমী ! নখোয়সু পাঙ্গল শোনবনি। ঐখোয়সু পাঙ্গল শোনবনি। অশোনবা মশেন ঙাক্তনি। নতেং ইতেং পাংনশী। ঐখোয়বু অমুক্তা কনবিয়ু।"

উমংগী উচেক মতৈ মনাওগী ৱাহৈদু তাবদা তাইবঙমীনা উচেক অনীদুবু য়েংলগা হায়রকই - "ফরে নখোয় অনী ঐগী সনা শঙ্গায়নুংশীদা নহুম পোঞ্জেন শাদুনা ঙসিদগী নখোয়সু নুংঙাইনা লৈরো। নখোয়নসু ঐগী ইরৌ ইশিঙদা তাবা তিন কাং ফাদুনা, মহৈ মরোং চুম্না পান্দুনা ফৌগৈ-চেঙ্গৈ থন্দুনা নখোয়গী নপান্দগী নুংঙাই য়াইফবা হায়বদু ওইরগে।" অসুম্না তাউবঙমীগী ৱাহৈ অদু তাবদা শেন্বাং মতৈ মনাও অনীদু হরাউবগী

পন্দোল লোমখ্রদুনা হায়রকই- "হে তাইবঙমী অথোয়বা ! ঐখোয় অনীগী মপুরেল ! ঐখোয়বু ইতেং পাংবীবগী নখোয়বু ঐখোয়না হিংলি মখৈ নতেং পাংজগনি।"

মতৌ অসুম্না তাইবঙ মীনা উমংগী উচেক অনীদুবু মীওইবগী মতেং পাংননবগীদমক লাকখিবনি হায়দুনা "শেন্বাং" হায়না মমিং থোনখি। মদুদগী মীওইবনা মখোয়বু চংজফম পীবিখি। মখোয়নসু তাইবঙ মীগী মতেং পাংদুনা নুংঙাইনা হিংমীন্নখি। ৱারী অসিনা তাক্লিবদী মহৌশা লাইরেন্বীগী খুশেমদা য়াওজরকপা মীওইবা অমসুং অতৈ শা উচেকশিং অসি ঙসিদগী চহী চা কয়াগী মমাংদগী হৌনা মীওইবগা লৈমীন্নদুনা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা ঙসি ফাওবদা লাক্লিবনি হায়বসি তাকই। ঐখোয়না ঙসি তাইবঙপানবদা অথোয়বা জীবনি হায়না চাউথোক্লা, নাপল তৌনা নুংঙাইনা হিংজরীবা অসি পীকখ্রবা শোনখ্রবা করিসু লৈত্রে খল্লীবা শা উচেকশিংগী মপান্দগীনি হায়বসিসু ৱারীসিনা উৎলী। মখোয়বু হাৎতোকপিবগী মহুত্তা ঙাকপী শেনবীদুনা থমগদবনি হায়বগী পাউতাক অমসু পীরি।

অৱা অনা তারবশিংবু কনবীবনা কনবীরিবা মীদুগী অফবা ওই হায়বা পাউজেল অমসু পীরি। পীক্লবসু লৌশিং শিংলবসু তাইবঙমীদা লৈরিবা থৱায়গা,থৱায় অনী অসি চপ মান্নে হায়বসু খঙহল্লী। অদুনা শোল্লে হায়দুনা অশোনববু তুহৎপীরোইদৌবনি। মখোয়গীশু তৌবা ঙন্বা শক্তি অমা লৈজে হায়বসি ফুংগৱারী অসিনা নীংথিনা ময়েক শেংনা তাকলি।

ৱারী লীবিরকপা	:	য়াইখোম ইবোচৌ সিংহ
তাং	:	৭-২-২০১০
চহী	:	৬৪
শিনফম	:	ঈশৈগী ওজা অমসুং অইবা
লৈফম	:	হিয়াংলম, লাই-পাঙ্গলবা মমাং।

লৌশিং তান্নবা

থায়না মমাংঙৈদা খুঙ্গং অমদা চাউবা, চাউভল, চাউনু, চাউতোন কৌবা মরুপ মরিখক লৈরম্বোইরে। মখোয় মরি অসি য়াম্না লুনা চান্না তিন্নরম্মী। ইতাও ইতাওসু কৌনরম্মী। মখোয়না লৈরিবা খুঙ্গং অদুদা লৌশিং শিংবী, মশক মতৌসু চঙখোনবী লুখ্রাবী মচা লৈশাবী অমসু লৈরম্বোইরে। মখোয় মরিমক্না লৈশাবী অদুবু য়াম্না পামজনা কোয়বোইরে। মখোয় মশেন অমত্তা হায়দোক্লদে। লৈশাবী অসিনদি খঙই। লৈশাবী অসিনা মখোয় মরিগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না শিংবা, লৌশিং লৈবা মীশক্তা মহাক লৈরগে খল্লে অদুনা হায়রকই- মখোয় মরিমক্তা অসুম্না "চান্নরবা ইবুং মরিমক! নচলনা ইবুংশিংবু চপ মান্ননা নুংশিজে। অদুবু খ্বাইদগী হেন্না লৌশিং লৈবা, শিংবা মীশক্তা লৈগনি" হায়রক্লে। ৱাহৈসি তাবদা মখোয় মরিমক পাউখোং চন্নরকই। অহানবদা চাউবনা - পাউখোং চল্লকই:

"ইতাও অহুম্মক তাবিয়ু! ঐগী ইপানা হৈনৌ পান্বী অমা থারম্মী। হৈনৌ পান্বী অদু ঐনা থা অমা চঙনা য়ানবদা তুরে। মতোন কক্লে হায়না চৎপদা ময়ায় য়ৌবদা নুমিৎ তাখরে। লেপ্তুনা অসুম চৎপদা নোংঙানবগী নুমিদাং ৱাইরমদা মতোন য়ৌই। উ অদু কয়াম চাওই?" ময়ামদু খুন্বা ঙম্নদ্রে। ঙক্তুনা লৈনরে।

মথংদা চাউনুনা অমুক চল্লকই - " তাবিয়ু ইতাওশিং ঐগী ইপানা শারম্বা য়ুম অদু ওন্থোক্লা চাউখ্রে। ঐনা ৱাই শীৎপদা য়ুময়াই য়ৌদ্রিঙৈদা নুমিৎ তাথোকখ্রে। লেপ্তুনা অসুম শীৎপদা অমুকসু নোংঙাল্লে। অদুসু লোয়বা ঙমহৌদে য়ুমদু কয়াম চাওবগে ইতাওশিং অমুক্তা হায়বিয়ু?"

মখোয়না খুমফম খঙদনা ঙক্তুনা লৈরিঙৈদা চাউভন্না অমুক চল্লকই - " ঐগী ইপানা ইরোই অমা লোইরম্মী। ইরোই অদুগী মচি নাকল অমদা উরোক অমা তোংই। উরোক্তুনা মচি নাকল অমদগী অমুক পাইরকপদা

য়ৌবা ঙমদ্রদুনা ইরোইগী কোকথক্তা অহীং অমা লেকই। নোংঙাল্লগা অমুক পাইরকপদা য়ৌদ্রিঙৈদা নুমিৎ তাথোকখ্রে। ইরোইদু কয়াম চাউবগে?" কনা অমত্তনা হায়বা ঙমদ্রে।

অরোয়বদা চাউতোন্না অমুক চল্লকই - " ইতাও অহুম্মক তাবীয়ু ! ঐবু পোকপা ইপানা, ঐগীদমক্তা চাউরবা পুঙ অমা তিংদুনা থন্বীরম্মী। পুঙ অদু য়ৈবদা মনাওদা তাং থারম্মগা, মরূদা য়ৈগে হায়দুনা চেনবদা পুঙয়াই য়ৌবদা নুমিৎ তাথোকখ্রে। নোংঙাল্লগা চেন্দুনা মরূ য়ৈরুবদা নুমিৎ তাবগা চপ মান্নে। পুঙদু কয়াম চাওবগে?"

মরুপ অহুম অদু চাউতোন্না ঙমহনবা য়াদে হায়দুনা মমিৎ খৎনরদুনা চাউবনা হংলকই। "ইতাওগী অদুক চাউবা পুঙদুবু কদায়দগীনো? চাউতোন্না খুল্লকই - ইতাও চাউবগী বাজিনা থারম্বা হৈনৌ পান্বীদুনা হুৎলগা ইতাও চাউভলগী বাজিনা লোইরম্বা ইরোইগী মউন্না তিংবনি।

অদুক চাওবা পূঙ অদুদি কদায়দা থম্মী? হায়না চাউনুনা হংলকই। চাউতোন্না খুম্মী। ইতাও চাওনুগী বাজিনা শারম্বা য়ুমজাও অদুগী মনুংদা থম্মী। ৱাশি তাবদা মতাও অহুম তুমিন্না লৈনখ্রে। অসুম্না চাউতোন্না মখোয় মরিগী মনুংদা লৌশিং শিংবা ওইদুনা লৈশাবী অদু লুহোংদুনা নুংঙাইনা পানখিয়ে।

মতৌ অসুম্না ঙম্ন ঙম্নবা হোৎনবদা ওইথোক্লরোইদবা ৱাদুসু প্রমান নাতৈ চারবদি ওইথোকহনবা য়াই হায়বদুনি। চাউখ্রবা উজাও, চাউখ্রবা য়ুমজাও চাউখ্রবা ইরোই, চাউতোন্না প্রমান নাতৈ চানা পুশিন্দুনা পুঙজাউ তিংলগা য়ুমজাউ মনুংদা থমজিন্দুনা লৌশিং শিংবা হেনবদু তাকখি।

ৱারী লীবিরকপী	:	সোইবম নিংঙোল ওইনাম ওংবী কুঞ্জরাশী দেবী
তাং	:	৭-৩-২০১০
চহী	:	৬৮
শিনফম	:	য়ুম কোইবী
লৈফম	:	থৌবাল অথোকপম খুন্নৌ ।

লাইফদিবীগী বর

থায়না মমাংঙৈদা লৈবাক অমদা নিংথৌ অমা পাল্লম্বোইরে। নিংথৌদুগী অমত্তা পোকচবা মচানুপাগীদমক্তা ফম্নাইবা অমগী মচানুপীগা লুহোংনবা হায়না শীঙনরে। নুমিৎ লেপ্নরে। লুহোংগদৌবা নোংমা ৱাৎলিঙৈগী নুমিদাংদা ফম্নাইবগী মচানুপীনা কুইনা লোয়ন তিন্নদুনা শান্নমিন্নরকখিবা মাগী মতা লাইফদিবীদুগা কপমিন্নরদুনা কায়নরমদাইগী ৱারী শান্নরম্মী। লাইফদিবীদুনা হায়রকই - "ইতা নঙদি হয়েং লুহোংদুনা ঐবু থাদোক্তুনা সনা কোনুংদা লৈখ্রনিদো। ঐদি ইতাগীদমক্তা করিসু পীনিংঙাই লৈতে। ঐগী হায়ববু ইতাদা বর অনীখক্তং পীগে। অমনা শা ঙা, উচেক ৱায়ানা খোংলিবা মখোলগী মরোল খঙবা ওইয়ু। অতোপ্পা অমনা - মীনা উবা ঙমদবা পুম্নমক উবা ঙম্বা ওইয়ু।"

নোংঙাল্লে, ফম্নাইবগী মচানুপীদু লুহোংদুনা সনা কোনুংদা লৈখ্রে। মতম খরা লৈরগা মকুবোক নিংথৌদু শিরে। নিংথৌ পোলোয়বগী মৈরি থোক্লা চাকখৎলকপা মতমদা নুপী অদুনা মুন্না য়েংলগা হৌনা হৌনা পংনোক্তা নোক্লম্মী। মাগী মতৌদুদা "নিংথৌগী মমৌনুপী অসি ঙাওরমাল্লে" হায়দুনা মীয়াম্না চিবোন চিবোন ঙাংনরম্মী। খরা লৈরগা অমুক কোনুংগী ফম্নাইবা বরমন্ত্রীদু শিরম্মী। বরমন্ত্রীদু শিবা মতমদদি নুপীদু মথৱায় নুংঙাইতনা পংকপ্তা কপলম্মী। মাগী মতৌ অদু উবদা ময়ামদু ঙক্লরে। শাউনিংমনবদগী ইকায় নুংশি য়ান্নরদুনা রাজকুমার অদুনা হায়রক্লম্মী- " নকু নিংথৌ শিবদনা নোকপা অদুগা বরমন্ত্রী শিবদনা কপ্পা, বরমন্ত্রীগা নঙগা অরোনবা মরী লৈনবদগী কপ্লিবা নৎত্রা? কোনুংদা লৈরনু, চৎখ্রো চৎলো।" হায়দুনা নুপীদুবু মঙক পায়দুনা ইনলম্মী। মতম অদুদা নুপীদুনা হায়রম্মী- "ঐগী ইতা লাইফদিবী অমা লৈ। ঐনা লুহোংলমদাইদা মহাক্না ঐঙোন্দা বর অনীখক পীবিরকই। বরদুগী

মপান্দগী ইকু নিংথৌবু ফত্তবনি, মিনুংশি খঙদবনি, হাৎপা তুপ্পনা মথৌ ওইবনি, মহা পাপীনি হায়দুনা মাগী থৱায় মঙানা কল্লক পেন্না খাক্লা খাক্লা নোক্কুনা হকু নিংথৌগী হকচাংবু চোংশিন চোংশিন কাওবদু ঐনা উজবা ঙম্মী। মতৌ অদু উবদা ঐসু নোকনিংমনখ্রদুনা নোকপনি। অদুগা বরমন্ত্রী শিবদা কপপগী মরমদি মাগী থৱায় মঙানা মহাক্তী পুকচেল ফজবা, অফবা মীনি। মাগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংঙাইনা লৈরকপনি। ঙসিদি কায়নবা তারেদো হায়দুনা বরমন্ত্রীগী থৱায় মঙাদুনা তেংথাবদু উবদা ঐসু নুংঙাইতদুনা কপ্লিবনি” হায়না খুমলম্মী।

নুপীদুনা ঙাঙলিবদু মাগী মরাল কুপশিন্নবা ঙাংলিবনি হায়দুনা রাজকুমারদুনা থাজবিদ্রে। মতম অসিদা তাঞ্জা চানা ক্লাক অমা পাইরক্কুনা তোইনা তোইনা খোংলরে। ফম্নাইবগী মচানুপীদুনা অমুকসু হায়রকই - “সনা কোনুংগী মী কনা কনা লৈবীবগে? তুরেন্দা মী অশিবা অমা তাউথরক্লে। মাগী খুৎনিংথৌদা সনা খুদোপ য়াইওইবা অমা শিরি। মসি লৌথোক্লগা সনা কোনুংদা থন্বীরবদি লৈবাক্কী অমদি সনা কোনুংগী য়াইফবা ওইগনি হায়না ক্লাকসিনা খোংলিবনি।” হায়না ক্লাক্কী মরোলদুগী অর্থ হন্দোক্লম্মী। ময়ামদু ঙক্লরে অমসুং রাজকুমারনা খুদক্তা মনাইশিং থাদুনা য়েংহল্লুবদা অচুম্বা ওইরম্লে। মদুদগীদি মতুং তাবদা রাজকুমারনা মাগী নুপীনা হায়বা থাজরে। অদুদগীদি সনাকোনুংদা অমুক হন্না পুশিন্দুনা মখোয় অনী নুংঙাইনা পানমিন্নখি। অদুনা থাজদবা থবক তৌথোরকপদা চিংনগনবা হায়বসি তাইবং মীগী হৌনশানী। অদুবু থাজদবা মফমদা ঙানা লৈবগুম্না করিগুম্বা মতমদা মী মরক্তসু মীনা তৌবা ঙমদবা শক্তি লৈবা মীসু অদুমক হিংলি হায়বসি ৱারীসিনা খঙহল্লী। অসিগুম্বা শক্তি লৈবা মীওইশিংবু লুনা চান্না তৌদুনা থাজবিরবদি পুন্সিদা য়াইফবা ওই হায়বসি ৱারীসিনা তাকই।

ফিজেৎ ফিগায়, ফদি মচেৎনা শাবা লাইফদিবীদু ফম্নাইবগী মচানুপীনা মাগী লোয়নবা মমান্নবী মতা অমগুম মতম পুন্নমক্তা নীংজবদগী লাইফদিবীদো লাই ওল্লকখি। তশেংবনি নীংবু নীংলবদি পোৎ চৈশিংসি লাই ওল্লী হায়বমক য়াই। পোৎ চৈবু লুনা চান্না তৌগদবনি হায়বগী

ইঙ্গীৎ অমসু পীরি। লাইফদিবীনা লাই ওল্লক্তুনা মমান্নবী ওইনা চোংথোরক্তুনা বর পীবদগী ফম্লাইবগী ইচম চমজবী মচানুপীদু সনা কোনুংদা মহারানী ওইদুনা নুংঙাইনা মপুন্সি লেনখি।

ৱারী লীবিরকপী	:	সোইবম নিংঙোল চোংথাম ওংবী থম্বালঙৌ দেবী
তাং	:	২১-৩-২০১০
চহী	:	৭১
শিনফম	:	মাইবী
লৈফম	:	ৱাংজিং, সোরোকখাইবম লৈকাই।

সনা থাবা

থায়না মমাংঙৈদা লৈবাক অমদা নিংথৌ অমা লৈরম্মী। নিংথৌ অসিনা হুরানবা অমা ফারে। হুরানবসি বিচার তৌবদা লৈবাক মীয়াম মমাংদা ফাঁশি তৌদুনা হাৎপা তারে। মীয়াম তিল্লে, ফাঁশি তৌরমদাইদা নিংথৌদুনা হুরানবদুদা হায়রম্মী - "হায় হুরানবা ! ঙাইহাক লৈরগা নঙ শোয়দনা শিরগনি। নঙনা হায়নিংবা হায়হৌরো য়াগনি" হুরানবদুনা হায়জরকই, "ইনিংথৌ ! ননাই ঐনা শিরমদাইশিদা ইনিংথৌদা পাঙথোকহঞ্জনিংবা থবক অমখক লৈজে। থবক অসিবু ইনিংথৌনা পাঙথোকপীরদি ননাই ঐহাক শিরবসু নুংঙাইনা হরাউনা নোক নোক্তুনা শিজগনি।" নিংথৌনা, "হায়য়ু হুরানবা করম্বা থবক্লো ? নহাক্লা হায়রিবদো?" "ইনিংথৌ অতৈ করিশু নত্তে। ইনিংথৌগী সনা সঙ্গায় শুমাংদুদা য়োৎলৈ অহুমদং তৌথোক্লগা সনা মোহোর অমতং ঙসি থাবিয়ু। হয়েং নোংঙাল্লকপদা সনা চরোং চরোং পাল্লমগনি। ইনিংথৌগী সনা কোনুং অসি সনানা পুল্লং লংলগনি লৈবাক প্রজাশিংসু লোইনা নুংঙাই য়াইফরগনি। অদুগা ইনিংথৌ ! সনা থাগদৌবা মী অদুদি হেক পোকপদগীনা মপুন্সিদা করিগুম্বা শিংদুম মফৈ অমফাওবা হুরান্দ্রিবা মীনা সনা পাম্বী অসি থাগদবনি। হুরানবনা থারবদি সনা শুকহৌ হৌরোই, ইনিংথৌ।"

হুরানবগী ৱা অসি তাবদা নিংথৌনা হরাউ না মীয়ামদা লাউদুনা হায়রকই, "হেক পোকপদগী ঙসি ফাওবদা করিগুম্বা অমত্তা হুরান্দ্রিবা কনা কনা য়াওই। নখুৎ থাঙ্গৎলু। হৌজিকমক সনা পাম্বী থাগদবনি। মনা চাউনা পীগনি।" তিল্লিবা মীয়াম পুম্নমক কনামত্তনা মখুৎ থাংগৎলক্তে। নিংথৌনা মখা তারকই, "তিল্লিবা মীয়াম পুম্নমক ! কনামত্তনা মখুৎ থাংগৎলক্তে। হুরান্দবা অমত্তা য়াওরমদরে। ফরে ফম্নাইবা নঙদি ঐগী

খ্বাইদগী পুকচেল শেংবা ফম্নাইবনি। নঙনা সনা অসি হেক্তা থারো।"

ফম্নাইবদুনা হায়জরকই, "ইনিংথৌ ননাই ঐবু ঙাকপীয়ু। ননাই ঐনা নহা ওইরিঙৈদা পাম্মনখ্রদুনা নুপীমচা অমগী মঙক্তগী সনাগী লিক অমা হুরাল্লুই। ইনিংথৌনা সনা অসি হেক্তা থাবিরো।" ফম্নাইবগী ৱাদু তাবদা নিংথৌদু ঙকচানৈ, অদুগা হায়রকই - "ফম্নাইবা নিংথৌ ঐসু কদায়দগী য়াগদগে? ঐসু লৈবাক্কী পুক্কে লনগৈদগী লোন্না লৌথোক্তুনা হুরাল্লগা মহারানীগী সনরিক পরেং শাদোক্লকই। অদুনা ঐসু সনা থাবা হৌরোই। অদুনা হৌজিক সনা থাবিনবা মীসু লৈত্রবনিনা হুরানবা অসি হৌজিমক ফাঁশি তৌননবা থৌরাং তৌরসি।"

হুরানবনা খুন্নকই, " করি ৱানো ইনিংথৌ ! হুরানবদি ইতোমতা ওইরমদ্রে। ইনিংথৌসু, ফম্নাইবশিংসু, প্রজাশিংসু হুরানবা ওইরমল্লে। ময়ামসি ফাঁশি তৌরবা মতুংদা ননাই ঐদি ইকোন কোন্না ফাঁশি তৌবিয়ু।" মতৌ অসুম্না হুরানবগী ককপা য়াদ্রবা লৌশিংগী পান্বে অদুনা লৈবাক্কী নিংথৌ মাইথিরে। ফম্নাইবা অমদি লৈবাক্কী অঙম অথৌ, প্রজা পুম্নমক চোপ্পা ইকাইবা নংহৌরে। হুরানবদু থাদোকখ্রে। অসুম্না ৱাখল লৈবা, লৌশিং শিংবা মীদি খুদোংথিবা কয়াদগী লায়না নাম্থোকপা ঙম্মী। হুরানবগী লাংলৌ খঙহৌদবদগী নিংথৌ মায়থিবা ফংহৌখি। অদুনা তাইবঙপান অসিদা হিংলিবা মীওইশিং অসি হেক মচাদগী অচৌবা ফাওবা লোয়না হুরাল্লি। অদুবু হুরাল্লিবা থবক অদুনা কা হেন্না মীঙোন্দা অকায়বা পীদ্রবদি করিসু কায়দে।

ৱারী লীবিরকপী	:	সোইবম নিংঙোল হৈক্রুজম ওংবী নন্দরাণী দেবী
তাং	:	২১-৩-২০১০
চহী	:	৭৮
শিনফম	:	মাইবী
লৈফম	:	ৱাংজিং, সোরোকখাইবম লৈকাই।

মরুপ তরেৎনা শীং চনবা চৎপা

থায়না মমাংঙৈদা খুঙ্গং অমদা য়াম্না তিনকি লাইকিদবা কিগন্দবা নুপা অমগা মীগী মপোৎ য়াম্না পামগনবা কল্লক মীহৌগনবা হুরানবা নুপা অমগা লৈরম্মী। নোংমদি মখোয় অনীনা চীংদা শীং চনবা চৎলুসি হায়না হৌনবদু তারদুনা য়াম্না পঙবা, শিনলম শিঙ্গোং খঙদবা অতোপ্পা নুপা অমনসু মাসু য়াওগে হায়রক্লম্মী। মথংদা য়াম্না কিগনবা নুপা অমনসু য়াওজগে হায়রে। মখোয়না মথং মথং হায়রকপদগী চাবগীদা খনবা, শুবগীদি খন্দবা য়াম্না চাগনবা নুপা অমগা, চং ফংখৈ তনবা কতন অমগা, য়াম্না মীঙমদবা নুপা অমা, অমনা হায়রবসু অমনা হায়ররসু ইয়াদা য়াবা নুপা অমগা মখোয় তরেৎ পুন্না শীং চনবা চৎননবগী ব্রাফম অদু য়ানরে। মথংগী নুমিত্তা চান থক্লবগী পোৎ চৈ ফিরোলনচিংবা পুদুনা লংফৈদা অথাপ্পা উমংদা শীং চনবা লাক্লে।

মফম অদু য়ৌরগা মাগী মাগী হৈনবা লীচৎ শাজৎশিং অদু ফুদোক্লরকলে। থবক অতৈ তৌদ্রিঙৈদা চাগনবা নুপাদুনা চাহৌ থকহৌনবা হায়দুনা চান্নবগী থৌরাং তৌরক্লে। কতন্দুনা থবক শুফমদি য়ৌরে শীং চল্লুরসি হায়রক্লনি, তনখ্রেদা খন্দুনা ফমদুনা লৈথোকখ্রে। হুরানবদুনা নোংমগী মীগী মপোৎ হুরান্দ্রবদি হৈনদবনিনা হুফমদি লৈতবনিনা লাকমিন্নরিবা মখোয় মশেনগী মরক্তগী খুগ্রাং অমা হুরাল্লগা লোৎশিনখ্রে। মদুদতা মহাক নুঙাইজরে। ঙাংগন্দবদুনা অমনা হায়রসু হোয়, অমনা হায়রসু হোয় হায়দুনা ময়ামগী পাখোন চৎপদতা মপুম থিৎপমখৈ থিৎতুনা মশাদু ব্রাজরে।

কিগনবদুনা মাদি কিগনবনিনা পাখৎতুনা নোং চুরদি চোৎকনি, শা কৈদগী শোক্তননবা পাখন হান্না নীংথিনা খনসি হায়দুনা লৈফম শাবা হৌরকলে। মহাক্না ময়ামদা হায়রকই - "হোরেন থবক শুবা চৎপদা উশাদু

তুংলোমদা চিংলগা পুরকপা য়াদে। কোন অমুবা লোক্কী ঈশিংদা চামশিনবা য়াদে। করিগুম্বা তৌরুরবদি নুমিদাং কৈ লাকই হায়দুনা ইধৌনা হায়” হায়দুনা ময়ামদা হায়জে। তিনকি লাইকিদবদুনা খুমলকই - “উশা তুংদা চিংববু কদাইদগী কৈনো ? কোন অমুবা চামশিনববু কদাইদগী কৈনো? কৈনা খঙবা উবপোৎ নত্তে হায়না হুরানবদুসু য়াওনা অমুক পাংশিল্লকই। কিগনবদুনা - “অদু ওইরসু য়াদে। চীংদা লৈবা কৈদি চীংনিংথৌগী শাদোঙনি। চীংদা থোক্লিবা তৌরিবা খুদিং মাদি লোইনা খঙবনি, লোইনা উবনি”, “কিগনবনিনা কিননবা নখোয়গী নধৌনা হায়জিল্লকইবনি ” হায়দুনা মখোয় অনীনা খুন্নকই। অদুবু মখোয় অনীনা মাগী ৱাদু অমনা অমদা হায়দোক্লদনা করেম্নবগা লোয়ননা চাংয়েং তৌনিংলকই। য়েংনিংবনা লোইরে। অশেংবমকসু চাংয়েং তৌরে। তিনকি লাইকিদবা কিগন্দবদুনা মাগী মাগী লম খায়দনা উদু পংয়ান্দা য়াম্ভৎলম্মী। অদুগা উসা অমা পায়দুনা তুংবুন্নরগা চিংলক্লে। হুরানবদুসু তুমিন্না ময়াম চানবগী কোন অমুবদু হুরাল্লগা পুথোকখ্রগা লোক্কী ঈশিংদা কৈ লাকপ্রা লাকতব্রা য়েংগে হায়দুনা শীঙনবগা লোয়ননা চাংয়েং তৌদুনা কোন অমুবদু চামশিল্লক্লে। সোমদনা, অপঙদুদি উনা তারক্কদবা উশা অদুদা তোংদুনা ফমদুনা শীং য়াল্লক্লে। উশাসি তেক্লক্লগা তারক্তুনা ননগনী হায়বা ফাওবা খঙজদে। অদুনা উনা নন্দুনা মখুৎ তেকলে মখোঙ শোক্লে।

ময়াম চাবা থকপা লোয়নরদুনা থবক লোইরদুনা তুমননবা শেম শানরে। হায়খিবগী মতুংইন্না মমিৎ মৈবুনগুমলবা, খুজিন অশাংবা পানবা, মশা ফরবা কৈজাও অমনা মকোই ফেরে ফেরে হাইরদুনা মখোয়না লৈরিবা তুমফম মনাক্তা মৈ হৌরিবা মৈজাও অদু তম্না চংশিল্লক্লম্মী। মমৈ অচৌবা অশাংবা অদুনা লৈমাইদা বোম বোম ফুরদুনা মৈ কামলকলম্মী। কৈদুগী মতৌ অদু উবদা মখোয় ময়াম অদু কিবনা থক থক নিকখরে। কিগনবদুনা হৌদোরক্লম্মী - “ঐখোয় চেলহৌরসি !” হায়রে। পাংদবদুনা “ঐদি ইয়াদা য়াই” হায়রে। কতন্দুনা “অস ! তনখ্রেদা” হায়রকলে। তিনকি লাইকিদবা কিগন্দবদুনা “অসিবুদি ঐ তৌগে” হায়রে। হুরানবদুনা “ঐ লোৎহৌরগে”

হায়রে। অপঙদুনা "কৈসু তৌরোইদা" হায়রে। চাগনবদুনা "হয়েংগী চাক থোংফম লৈত্রে। নুংঙাইখিদ্রেদা" হায়রে।

কিগনবদুনা চেনবা হৌরকপদা ময়ামসু লোয়না ইন্নখ্রে। হুরানবদুদি হুরাল্লগা ময়াম মরক্তগী তোখায়না তাদুনা মতোমতা কৈ কিদুনা চেনবগী মহুত্তা লোৎহৌরে। মখোয় তরুক অদু চীংনুংদগী চেন্থোরক্তুনা লমহাং অমদা পুল্লরে। কিগনবদুনা পাখৎমনখিদুনা হাথু হাথু মশিং থিবদা মশাদি শুকথা থাদনা "মী মঙাখক্তা ঙাইরে। অনী অমদি কৈনা চাহৌরে" হায়দুনা থরক হুনগৎনখ্রে। অমনসু মশা থাদনা মশিং থীরে। মঙাখক্তা অদুমক ঙাইরে। তশেংবদি মখোয় তরুক্তি। পাখৎমনখিদুনা অমদি মশিং থাবদা ৱাৎহৌবনী। তিনকি লাইকিদবা কিগন্দবদুনা মহাক য়েংলুগে হায়দুনা নাপন তৌদুনা কৈগী মনাক তপ্পা চঙশিনখ্রে। কিগন্দবা নাপল তৌবদু কৈনা চাথোকখ্রে। মতৌদু লুমদুনা লোৎহৌরবা হুরানবদুনা উরে। মহাক কিবনা লোইরে। কৈনা মনম খঙলদুনা থিরকপদা হুরানবদুসু কৈনা চাখ্রে। মখোয় মঙাদি অদুমক মফমদু থাদোক্তুনা চেনখ্রে। অসুম্না লাঞ্জদবা লম হেন্দবা অহনগী পাউতাক লৌবা মখোয় মঙাদুদি কৈনা চাখিদ্রে। লমহেনবা মতাং চাদনা থৌনা ফবা, মবুক ফত্তবা হুরানবা মখোয় অনীদি কৈগী মচিঞ্জাক তাখি। অদুনা ঐখোয়, মীনা করিগুম্বা ৱাফম অমা পুখৎলকপা তারবদি পুখৎলকলিবা ৱাফম অদুবু করি লৈবগে হায়বসি খজিক্তং ওইরবসু হান্ননা খন্থহৌগদবনি। মসিনা তুংদা থোরক্কদৌবা খুদোংথিবা অৱাবা কয়াদগী কনবা ঙম্মী। খন্থহৌদবা হে তোংবা লমহেনবা মখোয় অনী অদুদি লমহেল্লুবগী দন্দী ওইনা কৈনা চাখি। অরেম্বদা মথৱায় মাঙখি। কাহেন্না কিবা পাখৎপা ফত্তে। পাখৎমনবদগী হোবে হোবে মশা থাদনা থিরুবদগী মী ৱাৎহৌরে, কৈনা চারমলগনি খন্দুনা অমুক হন্না থিবা লাকপদা কিগনদবা মী উশিৎতবা, নাপল চাউবা লমহেনবদু কৈনা চখ্রিবনি। কৈদা হৈ শীংবা উৎলুবগী ফলনি হায়বসু য়াই। হুরানবদুনা মবুক ফত্তবদগী মতোমতা তোখায়না তারগা লোৎলুবদগী কৈনা মনমদা খঙদুনা চাখ্রিবনি। মসিনা লংফৈদা চৎলবদি চৎমীন্নরিবা মখোয় মশেনগী মরক্তা মত মান্নদবা য়াদে হায়বা তাকই। কৈদৌনুংদা তোখায় তাবগী ৱাখল

খল্লোইদবনি হায়বগী ঈংগীৎ অমসু পীরি। মশাগী ফিরেপ লৈজদবা মীনা হায়রগা হোয় হোয় হায়দুনা কোয়চেন চেনবদগী শীং য়ানবা লাক্লগা শীংদি য়ান্দ্রদুনা ময়ামগী পাখোন চৎলিঙৈদা মশাগী অপাম পামদা মোত পীজবা ঙমদবদগী মপুম থিৎনা ৱাজখ্রিবনি হায়বসিসু ৱারী অসিনা তাকই। তল্লী খন্দুনা অদুম লৈথোক্লমলবদি কতনদুসু অদুম শিরমগনি। অদুগা লৌশিং শিংলমলবদি য়াল্লিবা উসিনা সোমদা তারকপা য়াই খঙলমলবদি অপঙদুসু শোকলমদবসু য়াই। অদুনা পঙবা ফত্তে হায়না পাউতাক অমসু পীরি।

ৱারী লীবিরকপা : য়াইখোম ইবোচৌ সিংহ
তাং : ৪-৪-২০১০
চহী : ৬৪
শিনফম : ঈশৈগী ওঝা অমসুং অইবা
লৈফম : হিয়াংলম, লাই-পাঙ্গলবা মমাং।

পৈশাদগী মহৈ হৈবনা কান্নে

থায়না মমাংঙৈদা নিংথৌগী মচানুপা অমগা মন্ত্রীগী মচানুপা অমগা লুনা তিন্নরম্মী। নোংমা মখোয় অনী মরৈ য়াম্না কন্না য়েৎনরম্মী। মরৈ তৌনরমলিবগী মরমনা পৈশা পায়বনা ফৈ, মহৈ হৈবনা ফৈ হায়বা অসিদনি। নিংথৌগী মচানুপা অদুনা পৈশা পায়বনা ফৈ হায়খি অদুগা মন্ত্রীগী মচানুপা অদুনা মহৈ হৈবনা কান্নে হায়দুনা কন্না মরৈ য়েৎখি। মদুদগী মখোয় অনীনা চাংয়েং অমা তৌরশি হায়রম্মী। মখোয় অনী চাংয়েং অদুগীদমক থোরক্লগা অসুম অসুম লাকমিন্নরম্মী। সুম সুম লাকমিন্নবা অদুদা মন্ত্রী মচানুপাসিনা হায়রকই ইতাও ঐখোয় অনী অসুম্না অদুম চৎমিন্নদুনা লৈরবদি চাংয়েং অসি করম্না খঙবা ঙমগনি। মরম অদুনা ঐখোয় অনীসি মাইকৈ তোঙান তোঙান্না চৎনরশি হায়দুনা হায়রম্মী। মদুদা নিংথৌ মচানুপা অদুসু য়ারম্মী। মখোয় অনী অদু অমনা মখা পাঙনা অমনা অৱাং পাঙনা চৎনরশি হায়দুনা হায়রম্মী। মখোয় অনীনা কায়নগদৌরিবা মফম অসিদা পান্বী অমমম থানশি হায়না মন্ত্রী মচানুপানা হায়রম্মী। অদুগা মখোয় অনীনা থানরিবা পান্বী অসি মখোয়না হল্লকপা মতমদা ঐখোয়না থারিবা পান্বী অসিনা করিগুম্বা কঙবা থোক্লবদি অৱাফমদা তারম্লগনি হায়বা খঙনশিকো হায়নরম্মী। অৱাফমদা তারম্লবদি কনবা লাকনসিকো হায়নদুনা পান্বী অমমম থানরগা লম্বী তোঙান তোঙান্না চৎনখ্রে। নিংথৌগী মচানুপা অসিনা সুম লাকপা মতমদা মচিন মনাও অনীখক য়াইওইরবা 'যুবি খুজাই' অমা মুন্নদুনা কন্না খৎনরম্মী। মদুদা মহাকনা হংলুবা মতমদা অহল অদুনা ঐনা অহনিনা ঐনা ফঙগদৌবনি হায়রকই। অদুগা অতোম্বা অদুনা অমুক ঐনা অতোম্বনিনা ঐনা ফঙগদৌবনি হায়দুনা অমুক হেন্না মুন্নরক্লম্মী। মদুদা মানা হায়রম্মী – ফরে অদুদি ঐ করিনোমা হায়রগে তারো হায়দুনা মখোয় মচিন মনাও অনীমক খৎনবা অদু ঙহাক লেপহল্লম্মী। নিংথৌ মচানুপা অদুনা

হায়রকই, য়ুবী খুজাই অসি ঈশিংদা ঐ থাধবীরমলগে মদুদা খুনবা হানবা মীদুনা মপু ওইহনলশি। মহাক্না য়ুবী খুজাই শাদুনা নুঙদুম অচৌবা অমা থাধরগা য়ুবী খুজাই অদু পায়দুনা চেলক্লে। অসুম অসুম চেল্লকপদগী লৈবাক অমদা থুংলরে। মফমদুদা নিংথৌ মচানুপীগী 'সয়ম্বর' তৌদুনা লৈরম্মী। সয়ম্বরগী মওংদি নিংথৌ মচানুপী অদুনা নুমিৎ মঙানি পীয়ু হায়বা মখৈ পীবা ঙম্বা নুপাদা নিংথৌ মচানুপীদু থাজগনি অদুগা করিগুম্বা পীবা ঙমদবা তারগনা নুপা অদু মচানুপীগী পুন্সী চুপ্পা মীনাই ওইহনগনি হায়বসিনি। নিংথৌ মচানুপা অদুনা মাসু লৈবাক অমগী নিংথৌগী মচানুপা অমনি হায়দুনা সয়ম্বর অদু য়াওগে হায়রম্মী। নিংথৌনা য়ারদুনা মহাক্না নিংথৌ মচানুপীদুগী সয়ম্বর অদু য়াওরম্মী। নিংথৌগী মচানুপী অদুনা পীয়ু হায়বা খুদিংমক মাগী য়াইওইবা য়ুবী খুজাই অদুদগী নুমিৎ হুমনি ফাওবা পীরম্মী। মদুদা নিংথৌনা করম হায়না তৌরিবনো মাদি কনা অমত্তগা লাকমিন্নবসু নৎতে, মতৌ করম্না মহাকনা পীবা ঙমলিবনো হায়দুনা মানা ঈরুজবা চৎখ্রিঙৈগী মতমদা নিংথৌগী মনাই মশনশিংনা মাগী কাদু ফাক্কুনা য়েংবা মতমদা য়ুবী খুজাই অদু থেংনরে। নিংথৌগী মনাই অমনা য়ুবী খুজাই অদুবু হুরানদুনা চেনখ্রে। মানা ঈরুজবা হল্লকপা মতমদদি য়ুবী খুজাই অদু লৈরমদ্রে। য়ুবী খুজাই অদু লৈত্রবনিনা নিংথৌ মচানুপীনা হায়বা খুদিংমক অমত্তা পীবা ঙমদ্রে। মদুদগী মাবু মরু কোকতুনা নিংথৌ মচানুপীগী মীনাই ওইখি, নুপী অদুগী ঈরু মাইথজনবা, নুপী অদুনা শিজিন্নগদৌবা ঈশিং শোক্তুনা ৱানা লেনখি।

মাইকৈ অমরোমদনা মন্ত্রী মচানুপা অদুনা সুম সুম লাকপদা খুল অমখক থেংনরে। খুল অসি মী অমত্তা ফাওবা লৈবা থেংনখিদে। মানা করিগীনো মী অমত্তা ফাওবা থেংনদ্রিবসিবু হায়দুনা খন খনদুনা অসুম অসুম লাকলিঙৈদা ঙংবগী মখোন অমা তারকলম্মী। কন্না ঙংবগী মখোনগা লোয়ননা হিংচাবা অমা পাইদুনা লাকপা অদু উরবদা মানা পুখ্রিদা চোংথদুনা থোঙ্গ্রাগী মরুমদা লুপতুনা লৈরম্মী। হিংচাবা অদুনা উথক্তা পুনদুনা লৈরিবা য়োং অমা লৌথদুনা পুখ্রিদগী ঈশিং শোকতুনা য়োং অদুদা হৈজিনবীরে।

মদুদগী য়োং অদু নুপী মশক মতৌ ফজখ্রবী অমা ওল্লম্মী মদু উবদা মন্ত্রী মচানুপা অদুদি পুমঙক ঙকলম্মী। নুপী অদু হিংচাবা অদুগী সেবা তৌহনলে অদুগা মদু লোইরগা নুপী অদুবু অতোপ্পা পুখ্রি অমদগী ঈশিং লৌরগা অমুক হৈজিনবীরে অদুদগী নুপী অদু য়োং অমুক ওনখিরম্মী।

য়োং অদুবু উথক্তা থাঙ্গৎতুনা থনম্লগা হিংচাবা অদু মচিঞ্জাক থিবা ঙংদুনা পাইরগা চৎখ্রে। লোৎলিবা নুপা অদুনা থোরক্কুনা য়োং অদুদা মী ওনবা ঈশিং অদু হৈজিনবীরে, অদুদগী য়োং অদু মী ওন্থোরকলম্মী। লৈশাবী অদুদা মন্ত্রী মচানা মতৌ করম্না অসুম্না লৈরিবনো হংলম্মী। মদুদা নুপী অদুনা হায়রকলম্মী - খুল অসিদা লৈরিবা মী পুম্নমক হিংচাবা অসিনা লোইনা চাখ্রে, ঐদি মাগী সেবা তৌনবনি হায়দুনা হিংহনহৌরিবনি। মদুদা নুপা অদুনা হায়রম্মী, হিংচাবা অদুনা হল্লকপা মতমদা নঙ কপশিন্নৌ। মনা হংলকপা মতমদা করিগুম্বা নঙনা চাকতাবা চৎপদা শীখিবা থোকলবদি ঐদি করম্না লৈহৌগদৌরিবনো হায়দুনা কপ্পু ইনশিনলম্মী। নুপী অদুসু মানা হায়রিবদু য়ারম্মী। অদুদগী নুপাদুনা অমুক নুপীদুদা য়োং ওন্নবা ঈশিং অদু হৈজিনবীরে, য়োং ওল্লগা উথক্তা থন্বীরে। হিংচাবদুনা মচিঞ্জাক থিরুরগা অমুক ঙংদুনা হল্লকলে হান্নগী মতৌগুম য়োং অদুবু মী ওলহল্লে অদুদগী নুপীদু কপলকই, হিংচাবদুনা করিগী কপ্লিবনো হংলম্মী। নুপীদুনা খুন্নকখি- করিগুম্বা নঙনা চাকতাবা চৎপা মতমদা নঙোন্দগী হেন্না কনবা অমনা নঙবু হাৎখিবা থোক্লবদি ঐদি কমায়না লৈহৌগনি হায়দুনা নুপীদুনা পংকপ্তা কপলম্মী। মদুদা হিংচাবা অদুনা হায়রকই, 'ঐদি শিবা নাইরোই ঐনা চাকতাবা চৎপা মতমদা ঐগী থৱাইমি পুরগা চত্তে। ঐগী থৱাইমিদি উথক্তা থনম্লগা চৎলি। উদা য়ান্দুনা লৈরিবা তুম্বা অসিনা ঐগী কোকনি, লীরুং তেন অসিনা খ্বাংনি, শেনদ্রাং মচা মানবা খপ খপ চোংলিবা অসিনা ঐগী থৱাইনি। মখোয়শিং অসিনা করিমতা তৌদ্রিবা মখৈ ঐদি কনা অমত্তনা হাৎপা ঙমলোই হায়না হায়রম্মী। নেংঙাল্লগা হিংচাবা অদু মাগী মচিঞ্জাক থিবা চৎখ্রে। নুপী অদুবুনা য়োং ওলহল্লগা উদা থাঙ্গৎতুনা থনল্লে। মন্ত্রী মচানুপাদুনা য়োং অদুবু হান্নগী মতৌগুম্না নুপি ওন্থোকহল্লে অদুগা নুপাদুনা

হিংচাবগী থৱাই মি থল্লিবা উথক্তা কাখৎখ্রে। হিংচাবা অদুবু হাৎলগে হায়দুনা নুপা অদুনা উদা অসুম কাখৎপা মতমদা হীংচাবা অদুনা চাকতাদুনা লৈবা মফম অদুদা মকোক ঙাওবা হৌরক্তুনা করিগী মকোক ঙাওরিবনো হায়না খনদুনা পাইদুনা লাকলম্মী। মদুদা নুপাদুনা হীংচাবা পাইরকলে হায়দুনা লীরুং তেনদু থুদেকলম্মী। হিংচাবদু মখ্বাং তেকলম্মী। অদু ফাওবদা শোরো শোরো চিঙদুনা অসুম অসুম লাকলম্মী। অদুদগী মন্ত্রী মচানুপাদুনা তুম্বাদো অমুক থুগাইরম্মী অদু ফাওবদা হিংচাবা অদুদি অদুম হিঙলম্মী। ইকোন কোনবদা মাগী থৱাই ওইরিবা শেন্দ্রাং মচা মানবা অদু মেৎখাইরম্মী। অদুদগীদি হিংচাবা অদু শীরম্মী।

মন্ত্রী মচানুপা অদুনা নুপীদুদা হায়রম্মী ঐখোয় অনী চৎলসি অদুবু নঙদি নুপীনিনা ঐগা লমশাং চৎমিন্নবা নুংঙাইরোই অদুনা য়োং ওনহল্লগা ঐনা পুগে, মী ওন্নিংলক্লবা মতমদা মী অমুক ওন্নবা ঐ ঈশিংসু পুরক্কে হায়দুনা মখোয় অনী চৎমিন্নরম্মী। অসুম অসুম লাকপদগী মাগী মরুপকা কায়নখিবা মফম অদু য়ৌরে। পাম্বী অমমম থারম্বা অদুদা মমান্নবগী পাম্বী অদুদি পুংকঙ কঙদুনা লৈরম্মী। মদু উবদা হায়রকই - ইতাওদো অৱাফমদা শোয়দনা তারমলগনি কনবিরুশি হায়দুনা য়োংদুগা লাকমিন্নরম্মী। অসুম অসুম লাকপদা নুপা অমা য়াম্না ফীবম কাইনা ঈশিং হোনদুনা লৈরম্বা থেঙনরম্মী। মদুদা মন্ত্রী মচানুপা অদুনা ইতাও নত্রবরা হায়দুনা কৌরকই নঙদি কৈদৌরে নশক নচুগা পুমওন ওনদুনা লৈরমলবদি হায়দুনা হঙলম্মী। মদুদা নিংথৌ মচানুপা অদুনা মানা তৌবা ময়াম অদু ৱারী লীরে মদুদগী মন্ত্রী মচানুপা অদুনা হায়রম্মী। ফরে অদুদি ইতাও নুপী অদুনা ঈরুগদৌরিবা ঈসিং অদুদা ঐনা পীরিবা ঈশিং অসি খজিকতং হাপচিনলু হায়দুনা পীরম্মী। নিংথৌগী মচানুপী অদুনা ঈরুজবা থোকরকপদা ঈশিং অদু হাপচিল্লম্মী। ঈরুজবা লৌইরগা থোরকপদা নিংথৌগী মচানুপী অদু য়োং ওল্লম্মী। নিংথৌ মচানুপী য়োং ওল্লে হায়দুনা লৈবাক ৱাথোক ওইরম্মী। লৈবাক্কী অখঙ অহৈ, মাইবা মাইবী থীদুনা নিংথৌনা য়োং ওল্লিবা মচানুপী অসিবু করম্না মী ওলহনগনি হায়দুনা হোৎনরম্মী। থিবা য়াবা থিরে কনা অমত্তনা মী ওলহনবা ঙমদ্রে।

অদুদগী মন্ত্রী মচানুপা অদুনা ঐনা ঙমগনি হায়দুনা কোনুংদা লাক্কুনা নিংথৌ মচানুপী অদুবু লয়েংলম্মী। নিংথৌ মচানুপীদু মী ওল্লম্মী। নিংথৌনা পেল্লদুনা মন্ত্রী মচানুপাদা মচানুপীবু মাগী নুপী ওইজরো হায়দুনা পীথোরকলম্মী। মতম অদুদা নিংথৌগী মচানুপা অদুনা- ইতাও পৈশা পায়ববুদি মহৈ হৈবনা হেন্না ফৈ হায়দুনা হায়রকলম্মী। মখোয়নিগী চাংয়েংদুদা মন্ত্রী মচানুপা অদুনা মাই পাকখি। অসুন্না মখোয় অনী নুংঙাইনা পানখ্রে।

ৱারী লীবিরকপা	:	মোইরাংথেম বুধ মৈতৈ
তাং	:	১১-৪-২০১০
চহী	:	৪৮
শিনফম	:	ফার্ম তৌবা
লৈফম	:	খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকাই।

মীগী মরন তোনবা

থায়না মমাংঙৈদা মতন য়াম্না তনবা নুপা অমা লৈরম্মী। থবকসু শুংসু শুনীংদবা জুল্লারদা শান্নদুনা লৈবা নুপা অমনি। নোংমা মাগী নুপীনা য়াম্না শাওনা ঙাংবদগী নুপা অদুনা হায়রকই - 'নুপী নঙগী লৈজবা সনা লুপা কায়থোকও, ঐ থবক শুরগে ষণ অমা হান্না লৈরশি। অদুদগী নুপী অদুনা লৈজরিবা সনা লুপা অদু কায়থোকতুনা মাগী নুপাদা পৈশা অদু পীরম্মী। নুপা অদুনা পৈশা অদু পায়রগা ষণ লৈবা লাকলম্মী। মানা পুরকপা পৈশা অদুনা য়ামদবদগী ষণ লৈবা ফঙলমদে। নুমিৎ থেংজিনলক্তুনা য়ুম অমদা লেকচগে হায়দুনা চঙলুবদা হনুবী অমা লৈরম্মী। হনুবী অদুদা, 'ইমা ঐ ষণ লৈবা লাকপনি অদুদা নুমিৎ তাথোকখ্রে, ঙসি নোংমতদি লেকচগে হায়দুনা হায়রুরে। হনুবী অদুনা, ঐগী ষণ অমা লৈ হোৎনবা ঙমদ্রে নঙ লৈজরো। ষণ অদু মশক্তী থি পীজ পীথক্তবদগীনি ষণ মচা ওইরিঙৈগী মতমদদি মশক অদুম ফজবনি হায়রম্মী। নুংদাং অদুদা চাক থোংদুনা চামিন্নরে। নোংঙাল্লবক্লগা ষণ অদু য়েংনরে অদুদগী লৈজরগে হায়দুনা ষণ অদু চীং-চীংদুনা পুরকই, ষণ অদু তীঙ্গং য়াঙ্গংবা ওইরম্মী। অসুম অসুম লাকপদা নিংথৌগী শামু অমা থেংনরে। ষণ অদুনা তীঙ্গং য়াঙ্গং তৌদুনা লাকলম্বদগী শামু অদু উবা মতমদা ষণ অদুনা মচি ফেংগত্তুনা শামু অদুবু কোয়তান তান্নবা হৌরকলম্মী। শামু অদু কোয়চেন চেনখি। অসুম তৌদুনা ময়ুমদা ষণ অদু পুদুনা লাকখি। নুপা অদুনা জুল্লার শানরকপা নুপা ওইবনিনা কদর খরা হৈবনিনা মহাক্লা অসুম অসুম খনবা হৌরকই। নিংথৌগী শামু অদুনা ষণ অসি উবা মতমদা করিদৌবগী চেল্লিবনো হায়দুনা সুম সুম খল্লম্মী। নোংমা মানা ৱাখল অমা খল্লকতুনা মাগী নুপীদা হায়রকলম্মী - 'নিংথৌগী মনাক্তা চৎতুনা নিংথৌগী শামু অদুগা ঐগী ষণ অসিগা ৱাইনহনসি' হায়রুসি। মদু তাবদা মাগী নুপীনা, 'করম্না হেকতা

হায়রুদোইনো ষণগা শামুগবু করম্না ৱাইনহনগদৌরীবনো’ হায়দুনা কন্না হেক্তা য়াখিদরে। মদুদা নুপা অদুনা নুপীদুদা হায়রকই- ঐনা নঙোন্দা হায়দরা ঐ থবক শুবা হৌরনি, ঐ তৌগে য়েংউ হায়রগা নিংথৌগী মনাক্তা চৎখ্রে।

নিংথৌদা ৱারম পুন্বা হংগৎচরুরে মদুদা নিংথৌনা হায়রকই - অদুদি ফরে নঙগী ষণনা ঙমলবদি ফৈ করিগুম্বা শামুনা ঙম্বা থোকলবদি নঙ করি তৌগনি করি চৈরাক পীগনি খঙলবরা নঙ হায়রকখি। মদুদা নুপা অদুনা নিংথৌদা হায়রকই, ‘করিগুম্বা শামুনা ঙম্বা থোক্লবদি ইনিংথৌগী মীনাই ওইনা পুন্সি চুপ্পা লৈজগে অদুগা করিগুম্বা ষণনা ঙম্বা থোক্লবদি ইনিংথৌনা করি পীবিগনি’ হায়না হঙখি। মদুদা নিংথৌনা হায়রম্মী - ‘করিগুম্বা ষণনা ঙম্বা থোক্লবদি লৈবাক তঙ্খাই অমা পীগনি’। নুপাদুনা পাউখুম অসি মাগী নুপীদা তম্লম্মী। মদু তাবদা মাগী নুপীনা - মদুবু করি তৌবগী হায়রুরিনো, নঙদি মতম চুপ্পা নিংথৌগী মীনাই ওইনা নপুন্সিদু লেনবা তারেদনা হায়খি। নুপাদুনা খুন্নকই - ‘নঙনা খঙবা পোৎ নত্তেনে ঐনা খঙবা খরা লৈদনা হায়রিবনিনে, ষণ পুরকপা নুমিৎতা নিংথৌগী শামু অদু ষণ অসিনা কোইতান তান্নখ্রবনিনে মদুগী ঐনা হায়রিবনিনে’। নুপা অদুনা মাগী ষণ অদুবু পীজ পীথক্কুনা হোৎনবদগী মচু মমেন খরদি ফজরকএ। নিংথৌগী শামুগা ষণগা ৱাইনবগী নুমিৎ অদু য়ৌরকলম্মী। লৈবাক মীয়াম তিনদুনা অচৌবা লমপাক অমদা ষণ, শামু পুথোকনরকই, মতম অদুদা ষন অদুনা শামু অদুবু কোয়তান তানরকই। নুপা অদুনা নিংথৌদা হায়রকই ইনিংথৌ ষন্না শমু তানরকলে, হায়নখিবগী মতুং ইন্না থবক তৌবিরো হায়রকই। নিংথৌনা হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্কুনা লৈবাক তঙ্খাই অমা পীরে। মদুদগী নুপা অদু নুংঙাইনা পানখ্রে। নিংথৌ অদুনা ৱাখল অদুম তৌদুনা অঙম্বা মন্ত্রীশিংগা লোয়নদুনা করম্না শামুবু ষণনা ঙমলিবনো হায়দুনা নৈনরকপা মতমদা; ষণ অদুগা শামু অদুগা নহানমুক্কী মপোকতা মী ওইনা পোকলম্মী, ষন ওইনা পোক্লিবা মী অদুগী মপোৎ মরন অদু শামু ওইনা পোক্লিবা মী অদুদা তোনখি। অদুগা হনদক্কী মপোক্তা ষণ, শামু ওইনা পোকলকপা অসিদা ষণ অদুনা মাগী মপোৎ- মরন অদু

শামু অদুদা থৌরিবনি হায়দুনা অখঙ অহৈশিংনা হায়রকখি। মতৌ অসুম্না ৱারী অসিদগী খঙবদি মীগী মপোৎ মরন তোলহনগনু হন্দক মপোকতসু নৎতনা মথংগী মপোক ফাওবা থৌই হায়বসি তাকই।

ৱারী লীবিরকপা	:	মোইরাংথেম বুধ মৈতৈ
তাং	:	১১-০৪-২০১০
চহী	:	৪৮
শিনফম	:	ফার্ম তৌবা
লৈফম	:	খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকাই।

লানদবনা জয়নি

খুঙ্গং অমদা নুপা অনী য়ুম থংননা লৈরম্মী। অমনা মপুকচেল শেংই, ব্যাহার কায়দে, মীঙোনদা লানদবা নুপানি অদুগা অমনা মপুকচেল শেংদবা লৌনম তৌবা, মীনম্বা ঙাংবা নুপানি। মখোয় অনী নোংমা থবক শুবা চৎশি হায়দুনা হৌনরে অদুগা অরাপ্পা লমদম অমদা চত্তুনা থবক শুরুরশি হায়দুনা চৎলম্মী। লমদম অদুদা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। মখোয় অনীনা নিংথৌগী কোনুংদা চংলদুনা থবক ইনখাং কন্না শু নোম্লম্মী। মদুদা নিংথৌনা পেনবীদুনা মখোয় অনীদা পৈশা চপ চপ মান্নবা পীবীরে। মদুদগী মখোয় অনী হরাউদুনা অসুম হল্লকপদা নুমিৎ তাখিবনা হানখিরম্মী। উপাই লৈত্রদুনা মখোয় অনীমক য়ুম অমদা চংদুনা চাক থোংদুনা চামিন্নরে। চাক তোক্লবা মতুংদা মপুকচেল শেংদবা নুপা অদুনা অতোপ্পা নুপা অদুগী পোৎয়োম ফাকতোকলম্মী অদুগা পৈশা অদু লৌথোক্তুনা করি অমত্তা খঙদবা শাদুনা লৈথোকলম্মী অসুম্না পুকচেল শেংবা নুপা অদু হলক্লগা তুম্মীনরম্মী। নোংঙাল্লগা মখোয় অনীমক ময়ুমদা হন্নবা তৌনরকপা মতমদা মপুকচেল শেংবা নুপা অদুনা মাগী পোৎয়োম অদু হাংদোকলুবা মতমদদি মাগী পৈশা অমফাও য়াওরমদ্রে। মদুদা মহাক্না মাগী পৈশা অদুবু তাহৌরে হায়দুনা খনখি। মাগী পৈশা অমত্তা য়াওদ্রবা অদুদা, ঐদি য়ুমদা করম্না হনগনি পৈশা অমত্তা য়াওদনা পৈশা তানবনি হায়দুনা অশুক কুইনা চৎলুরগা পৈশা অমত্তা পুদনা করম্না য়ুমদা হনগদৌরিবা হায়না মরুপকী মফমদা হায়খি। মপুকচেল শেংদবা নুপা অদুদি ময়ুমদা হল্লগে হায়দুনা হরাও হরাও হনখ্রে। মপুকচেল শেংবা নুপা অদুদি অফংবা থবক অমা তৌরুরগে হায়দুনা অমুক হন্না চৎখি। মানা অসুম অসুম লাকপদা থবক শুফম অমতা ফংদবদগী তুরেন অমগী মপানদা লাকলম্মী, মতমদুদা ব্রাইখু অচৌবা অমা থেংনরে। থেংনরিবা ব্রাইখু অদু মানা ফাদুনা পুরকই। অসুম অসুম লাকপদুনা নুমিৎ

তাখিরম্মী, মরমদুনা মাগী চংফম লৈতদুনা কৈথেলগী মচি অমদা লেকখি। মহাক্না কৈথেলদুদা মৈ থারগা লৈরিঙৈদা নিংথৌগী কোনুংদগী ফমনাইবা মন্ত্রী অমা লাকলম্মী, মন্ত্রী অদুনা নুপা অমা কৈথেলগী মচিদা মৈ থাদুনা লৈরিবা অদু উরে। নুপা অদুগী মনাক্তা চংলকলগা মন্ত্রী অদুনা হংলক্লম্মী - "নুপা নঙবু কনানো মফমসিদা করি তৌরিবনো?" মদুদা পুকচেল শেংবা নুপা অদুনা- থবক শুবা লাকপনি অতোপ্পা অরাপ্পা খুঙ্গং অমদগীনি, নুমিদাং ওইশিল্লকপসিদা চঙজফম লৈতদুনা কৈথেন মচি অসিদা লেকচগে হায়দুনা লৈরমলিবনি, করিগুম্বা থবক ইঙ্খাংগা লৈরবদি শুজগে হায়দুনা হায়রকই। মদুদা মন্ত্রী অদুনা হায়রকই, " নঙবু ঐনা হায়বা য়াগদরা, মদু য়ারবদি ঙসি অহিং অসি ঐখোয়দা লেকহনগনি "। মপুকচেল শেংবা নুপা অদুনা, "করি ওইরবনো হায়বীরকউ হায়দুনা হায়রে। মদুদা মন্ত্রী অদুনা, নঙ নিংথৌগী মচা নুপীগা লুহোংবা ঙমগদ্রা হায়দুনা হায়রকই। নুপা অদুনা, মদুদি ঐ ঙমজরোই ঐদি নুপী অঙাং লৈবা মীশক অমনি করম্না নিংথৌগী মচানুপীগা লুহোংগনি হায়দুনা হায়রকই। মদুদা মন্ত্রীদুনা মাগা লুহোংলবদি নঙ পৈশা য়াম্না পায়রগনি হায়দুনা হায়রকই। ৱাদু তাবদা নুপা অদুনা ঐবু লাইবক য়েংলশিরা হায়দুনা খনখি অদুগা মন্ত্রিদুদা হোয় ঐ হোংজরগে হায়দুনা হায়রকই। মন্ত্রীদুনা নুপা অদুবু ময়ুমদা পুরকলে অদুগা নিংথৌগী মচানুপী অদুগী মরমদা ৱারী লীরকই। নিংথৌগী মচানুপী অসিনা লুহোংগদৌরিবা নুপা অদু , হয়েং লুহোংগদৌবনি হায়বা নুমীদাং অদুদা হেক্তা শিখি। অসুম তৌদুনা শিখিবা নুপা মশিং অসি য়ামশিল্লক্লে অদুনা নিংথৌগী মচানুপী লৌবিনবা নুপা অমতা লৈতরে। মদুদগী নিংথৌনা হয়েংগী নুমিৎতা মচানুপীগা লুহোংনবা বর অমা পুরক্তবা য়াদে হায়দুনা হায়রকপদগী মথা শাদুনা লাকপদা ইবুংঙো নঙগা থেংনরিবসিনি হায়না মন্ত্রীদুনা অশেংবা ৱারী পুন্না নুপা অদুদা শিৎ নান্না লিখি। মন্ত্রী অদুসু মপুকচেন শেংবা নুপা অমনি। মানা নুপা অদুদ মীনম্বা থবক তৌখিদে। তশেং তশেংবা ৱারী অসি লীবিখি। মপুকচেল শেংবা নুপা অদুনা খনলি - ঐদি শিখ্রবসু য়ারে, অদুক ৱানা থবক শুরুরগা পৈশাসু তাহৌবা কৈদৌরুগনো ঐতা শিগে শিজখ্রশনু হায়দুনা খনলে।

অশোমদনা মপুকচেল শেংদবা নুপা অদুনা মাগী পৈশা য়াম্না ফংঙে হায়দুনা নুংঙাইরে। মাগী ফঙফম থোকপা অদুদগী অমগসু হেন্না শরুক অনী থোক্লা ফংলে। ফংলিবা পৈশা অদুদগী মানা হল্লকপদা ষণ.পাবোত অনী লৈরক্তুনা ষণদুনা পৈশা তানদুনা নুংঙাইনা লৈরে। মপুকচেল শেংবা নুপা অদুগী নুপীনা মাগী নুপাদি কৈদৌবগী হল্লক্লিবনো হায়না কয়ারক হন্না হঙজখি। মদুদা মপুকচেল শেংদবা নুপা অদুনা মাদি পৈশা য়াম্না তানগনি হায়দুনা লমখাংদগী অমুক হনখ্রে হায়দুনা হায়বীখি। মাগী নুপীদি পীক্লীবা মচা অদুগা ৱানা পুন্সি লেললে, হিংলি হায়বদা মঙাইরে। মপুকচেল শেংদবা নুপা অদুদি নুংঙাইরে হায়দুনা পোংদুনা লৈরে।

শোমদনা মপুকচেল শেংবা নুপাদু মন্ত্রীদুগা লৈরী। মন্ত্রীনা নিংথৌদা নুপা অমা লৈরে বর ওইবীনবা হায়দুনা হঙ্গৎলুরে। মদু তাবদা নিংথৌনা, মচানুপীগী ওইবীনবা নুপা অমদি লৈরে হায়দুনা হরাউরে। নিংথৌনা মন্ত্রীদুদা হয়েং অসি লুহোংলশি হায়দুনা হায়রকই। মপুকচেল শেংবা নুপা অদুবু নিংথৌগী মনাই মশনশিং অদুনা ফজখ্রবা কা অমদা পুশিনদুনা মফম অসিদা অহিং লেকউ হায়দুনা থমবীরে। অচা অথক ময়াম পুশিন্দুনা থনল্লে। নুমিদাংগী মতম য়ৌশিনলক্লে নুপা অদু ফমুংদা হিপলম্মী। মানা ফারকপা ৱাইখু অদুদি মানা শুংথা থাদোকতে মাগী মনাক্তা অদুম থম্মী। ফমুংদা মহাক্লা ৱাখল শুম খল্লী, “করিগীনো নিংথৌগী মচানুপীগা লুহোংগনি হায়রগা হেক্তা শি হায়রিবসি” অসুম্না ৱাখল খন্না খন্না অদুম তুমথখ্রে। অহিং নোংয়াই ওইরকপা মতমদা ৱাইখু অদুনা খোরো খোরো খোৎলকই মদুদা নুপাদু মমিৎ খঙপাঙ পাঙথোরকই মানা খনলি করিগীনো ৱাইখু অসিনা খোৎলীবা অসিবু হায়দুনা ৱাইখু অদুবু থাদোকই, মদুদগী ৱাইখু অদু ফনদোরক্তুনা মওং অমা তৌরকই । নুপাদুনা য়েংথোকলুবা মতমদা লীন অচৌবা অমনা মাবু চিক্নদবগী তৌরম্বা অদু উরে মদুদগী নুপা অদুনা লীন অদুবু হাৎতোকলম্মী, হাৎপা লোইরবা মতুংদসু অমুকসু লাকপায়াই হায়দুনা ৱাইখু অদুবু থাদোকতুনা থমলগা তুমখি।

নোংঙাল্লকলে, মন্ত্রীনা নুপা অদুবু হিঙলিবরা শিরবরা হায়দুনা য়েংবদা নুপা অদু শিরমদ্রে। লৈবাক মীয়াম হরাউনরে নিংথৌগী মচানুপী অদুগা

লুহোংঙে, লুহোংলবা মতুংদা নুপা অদুদি থবক্তা শুদুনতা লৈ, মাদি হান্না থবক্তা শুদনা লৈরকপনিনা থবক অদুম শুনিংই। মদুদা নিংথৌগী মচানুপী অদুনা করিগী শুরীবনো হায়দুনা শাওই, মাগী নুপানী হায়বদা লেমথোকহন্নীংদুনা শাওজিন্নে। মতম খরা লৈরগা নুপাদুনা নিংথৌগী মচানুপী অদুদা ইবেন্মা ঐদি চৎচরগে হায়দুনা হায়রকই। মদুদা নিংথৌগী মচানুপী অদুনা করিগীনো হায়না হংবদা নুপাদুনা ইবেন্মা ঐদি নুপী অঙাং লৈরবা নুপানি ঐনা মফমশিদা নুংঙাইনা অশুন্মক লৈথোকলবদি ঐগী নুপীগা ইচাগদো করম্না লৈরমগনি অদুনা ইবেন্মা ঐ চৎচরগে হায়দুনা হায়রকই। মদুদা নিংথৌগী মচানুপী অদুনা নঙনা ঐবু থাদোক্তুনা চৎখিবা তারবদি ঐদি করম্না লৈহৌগনি অদুনা ইচেগা অঙাংগদো লৌরুরসি মফমশিদা নুংঙাইনা পুন্না লৈমিন্নরসি হায়রম্মী।

অসুম্না মদুদগী মনাই মশন ময়ামগা নুপী অদুবু লৌবা লাকলম্মী। মতমদুদা মপুকচেল শেংদবা নুপা অদুনা করিগীনো অসুক য়ামখ্রবা মীয়াম লাকলিবসিদি হায়দুনা খনখি। অসুম খনলিঙৈ মাগা থবক শুবা চৎমিননবা নুপা অদুগা নিংথৌগী মচানুপীগা মনাই মশনগা লোয়ননা মাগী নুপী লৌবা লাকপা অদু উবদা কল্লকপা পোকলম্মী। ঐসু অসুম্না তৌরবদি নুংঙাইগনি হায়দুনা মতিন য়োৎতুনা লৈখি। নিংথৌ মচানুপী অদুনা হান্নগী নুপী অদুদা ৱারী পুমনমক লীখি অদুগা হায়রকই, ইচেশু ঐখোয়গা পুন্না লৈমিন্নরুরশি হায়দুনা লৌবা লাকলিবনি ইচে চৎলশি হায়দুনা হায়জরে। মদুদগী নুপীদুসু হরাওনা য়ারে। মখোয় পুন্না লৈমীন্নদুনা নুপাদুনা নিংথৌ ওইদুনা নুংঙাইনা পানখি।

ৱারী লীবিরকপা : মোইরাংথেম বুধ মৈতৈ
তাং : ১১-৪-২০১০
চহী : ৪৮
শিনফম : ফার্ম তৌবা
লৈফম : খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকাই।

য়েনখা পাওদাবী

মথায় থায়না মমাংঙৈদা মমা মচা মখোয় মরি লৈরম্মী। মমা অদুনা কৈথেলদা পোৎ চৈ য়োন্দুনা মখোয়বু থাকলম্মী। নোংমদি মমা অদো কৈথেল কাখিবদগী হল্লকলমদে। অতোপ্পা নুপা অমদা ময়ুম পানখিরম্মী। অসুম্না মমানা হল্লকত্রবদা য়েনখা পাওদাবী হায়রিবী হিংচাবী অসিনা মমাগী শক্তম লৌরদুনা, "ইমাগী ইবেম্মা ইমা লাক্লে থোং হাংদোক্লো" হায়না হায়রকখি। মদুদগী থোং হাংদোক্তুনা ইমুংদা চংলকখি। হিংচাবী অদুনা ইমাদি য়াম্না ৱারে নঙ চাক থোংদোকলো অঙাং অতোনবসে শুমবীরগে হায়দুনা ফমুংদা পুশিনখিরম্মী। মদুদগী অঙাং অদুগী মখুৎ মশা থুদেকতুনা চারম্মী। মৌপ্পা অদুনা ইমানা চারিবদু করিনো? ঐসু চাগে হায়না হায়রম্মী। হিংচাবীদুনা করিসু নত্তে কৈথেলদগী লৈরকপা থম্বৌ চাবনি হায়না খুমলম্মী। অঙাং অদুনা ইমা ঐসু চাগে হায়না হনজিন হনজিন হায়রম্মী। মদুদগী হিংচাবীদুনা অঙাংগী খূদোম্বী অমা থুদেক্তুনা হুনদোরকলম্মী। অঙাং অদুনা মচেগী মনাক্তা লাক্তুনা ইচে মসিবু করিনো হায়না হংলম্মী। মদুদা মচেনা ইস ! মসিদি ইমা নত্তে, হিংচাবীনি, মসিদি অঙাংগী খুদোম্বীনি হায়না হায়রম্মী। মদুদগী মচেনা মৌপ্পাদুদা "ইচেগী ইবুংঙো নঙ থী ফায়নিংই হায়জিন্নরো হায়না হায়রম্মী। মদুদগী মৌপ্পাদুনা ইচে থী ফায়নিংঙে, থী ফায়নিংঙে হায়না হায়রকখি। মচেদুনা, 'ইমা অঙাংসে থী ফায়নিংঙে হায় অদুনা অমুক্তা ফায়হল্লুগে হায়না হায়রকখি। মদুদা হিংচাবীদুনা ফম্মাংদা ফায়য়ু হায়না হায়রকখি, মদুদা অঙাংদুনা ঙম্মোই হায়না হায়খি। মদুদগী লৈমায়দা ফায়য়ু হায়না অমুক হায়রকখি, মদুদসু অঙাং অদুনা য়ারমদে। মদুদগী কুইরক্তনু হায়দুনা মপান্দা ফায়রুরো হায়না মখ্বাংদা থৌরি অমা কিশিনবীখি। অসুম্না মচিন মৌপ্পাদু মপান্দা থোরকখি। মচেনা খনফম খঙদবদগী মকোক হোৎলম্মী মদুদা হিকপী অমা থেংনখি। হিকপী অদু ফাদুনা মঙোন্দা ওইনা থৌরি অদু কিশিন্দুনা, "হিকপী অদুদা লোইদ্রি লোইদ্রি হায়না খুম্মু" হায়না শিন্নরমখি। মদুদগী মচিন মৌপ্পা অদু

কন্না চেনখিরম্মী। হিংচাবী অদুনা লোইরব্রা হায়না হংবদা হিকপীদুনা লোইদ্রি লোইদ্রি হায়না খুমখি। মচিন মৌপ্বা অনীদু কন্না চেনখিদুনা তুরেল অমগী মনাক্তা য়ৌরম্মী। তানজাসিদা হিংচাবী অদুনা কুইমনখ্রে হায়দুনা, লোইরব্রা হায়না হংলকখি মদুদসু হিকপী অদুনা লোইদ্রি হায়না খুম্মকখি। হিংচাবী অদুনা কুইমনখ্রে খন্দুনা মপান্দা থোকলকখি। ঙসাইদগী খুমলকলিবসিদি হিকপীনি হায়বা খঙবদগী শাওদুনা খুজিন্না শিক্কাইদুনা হিকপী অদু চাথোকলম্মী।

সোমদা মচেনা মৌপ্বাদুবু পোরদুনা তুরেল অদু লান্থোকলম্মী। অসুম অসুম লাকপনা খুঙ্গং অমা থেংনরম্মী। খুঙ্গং অদুদা হনুবী হনুবা অমগী ময়ুম অমদা মখোয় অনী থুংলম্মী। ইমুং অদুদা মচে অদুনা ইমুংগী থবক ইনখাং তৌজগে ইমাগী লৈফম তাকপীয়ু হায়না হায়জখি। মদুদগী মচেদুনা চেং খপতোকখি অসুম্না ইমুংগী থবক ইংখাং পুন্নমক তৌবীখি। থবকশিংদু লোইরবা মতমদা ইমাগী লৈফম তাকপীরো হায়না হায়খি। হনুবী অদুনা নখোয়না অসুম চৎখিবদা ষণ অমা লৈরমগনি, ষণদুনা খোংবা মায়কৈদা নমা শোয়দনা লৈরমগনি হায়না তাকপীরকখি। অসুম্না মচিন মৌপ্বানা সুম লাকপা মতমদা ষণ অমা লৈরমখি। ষণ অদুনা মো হায়না খোংবা মায়কৈদুদা মখোয়না লাকলম্মী। মদুদগী য়ুম অদুদা চংখিবা মতমদা মমাদু লৈরমখি। মচিন মৌপ্বা অনী চংদুনা ইমা নহান মখৈ কদাইদা চৎলুই হায়না কপখি। মমাদুগী নুপাদুনা অঙাং অনী অদু পুন্না য়োকপদি ঙল্লোই অদুনা অমখকতং য়োক্কনি হায়না হায়রকখি। মদুদগী মমাদুনা শুক অমগা শুম্বল অমগা পুথোরকতুনা মচেদুদা শুক অদু পীরম্মী অদুগা মনাওনিপাদুদনা শুম্বল অদু পীরম্মী। অদুগা শঙ্গোই ৱাংমা লান্না লংবা ঙম্বদু ইচানি ঙমদবদুনা ইচা নত্তে হায়না হায়রম্মী। মচে অদুনা শুক অদু ইরাই লায়না শঙ্গোই ৱাংমা লান্না লংখিরম্মী। মৌপ্বা নুপাদুদি অঙাং ওইবনিনা শুমবল অদু থাংগৎপা ঙমলমদে। মদুদগী মচেদুদি য়ুমদুদা লৈহল্লম্মী। অদুগা মৌপ্বাদুদি তান্থোকখিরম্মী।

মচেনা মৌপ্বাদুবু মফম অমদা লৈহল্লম্মী। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী মচেনা চাক শরুক পুরকতুনামৌপ্বাদা পীজরম্মী। মৌপ্বাদা চাক পীজৈ হায়বা খঙবদগী মচেবু ফুবীরম্মী। অসুম্না তৌরবদা মৌপ্বাদুনা ইচে ঐ চৎলগে

হায়দুনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিরম্মী। মৌপ্বাদুনা মথ্বায় নুংঙাইতনা অসুম লাকপা মতমদা লম্বীদা লিন অশিবা অমা থেংনরম্মী। মহাক্না লিন অদু উগী উশা অমদা য়ানখৎতুনা থমলম্মী। তানজা অদুদা উচেক অমখকনা মচিন্দা খুদোপ য়াইওইবা অমা পুরগা পাইরকপা মতমদা লিন অদু উবদগী খুদোপ অদু থাদরল্লগা লিন অদু পুদুনা পাইখিরম্মী। অদুদগী মৌপ্বাদুনা খুদোপ অদু খুল্লগা লম্বীদা অসুম চৎলম্মী। অসুম অসুম লাকপদা মহাক ৱারদুনা চাক লামলে হায়দুনা হায়বা মতমদা চাক থোকলকখি। অসুম্না খুদোপ য়াইওইবা পায়বদগী মৌপ্বাদু য়াম্না নুংঙাই য়াইফরম্মী।

নোংমদি মহাক্না মপা মমা, অমসুং মচেবু চাক্নৌগে হায়না হায়রম্মী। মমা মপানসু য়ারদুনা মচেগা লোয়ননা লাকলম্মী। মৌপ্বাদুনা হাওর হাওরবা মথেল লুকোয় কয়া লাংদুনা লৈরম্মী। মদুদগী মপা মমা, মচেগা লোয়ননা পুন্না চামিন্নরম্মী। চাক তোকলবা মতুংদা মপা মমাদা ইচেসে মতম খরা ঐগা লৈমিন্নগে হায়দুনা হায়রম্মী। মপা মমানসু য়ারম্মী। মৌপ্বসিনা উতোং অনীখকতা খোই ময়াম অমা হাপচিন্দুনা থমলম্মী। মহাক্না মচেদা মপা মমাসে হাৎতোকলগে, লমন খুমলগে হায়না হায়রম্মী। মচেনসু য়ারম্মী। মমা মপানা চৎলমদাইদা ঙসাইগী খোই হানবা উতোং অনী অদু অমমম পীরম্মী অদুগা ইমা বাবানা হোরেন লম্বীদা চৎপদা ৱারবা মতমদা থকউ হায়না হায়রম্মী। মমা মপানা হরাও হরাও লৌরদুনা লাকলম্মী। অসুম অসুম লাকপদা লম্বীদা মখোয় অনীদু ৱারে হায়দুনা ঙাইহাকতং পোৎথাখিসি হায়নরম্মী। মদুদগী ইচানুপানা ঙসাই পীরকপদু লৌথোকলগা থকসি হায়দুনা মখুম হাংদোক্লগা থকচিনবা মতমদা খোই ময়ামশিং অদুনা চিকতুনা মপা মমা অনীমক শিখিরম্মী। অসুম্না মচিন মৌপ্বা অনী অদো য়াম্না নুংঙাইনা পানখিরম্মী।

ৱারী লীবিরকপী	:	অকোইজম ওংবী লোইদাংচা দেবী
তাং	:	২৫-৪-২০১০
চহী	:	৭০
শিনফম	:	ফিশাবী
লৈফম	:	থৌবাল ৱাংমতাবা, থৌবাল।

শন্দ্রেমবী চৈস্ত্রা

থায়না থায়না মমাংঙৈদা শন্দ্রেমবী অমসুং চৈস্ত্রা কৌবা মচিন মনাও অনী লৈরম্মী। শন্দ্রেমবীনা মচেনি অদুগা চৈস্ত্রানা মনাও নুপীনি। শন্দ্রেমবীগী মমাদি য়াম্না ফরম্মী অদুগা চৈস্ত্রাগী মমাদি য়াম্না ফৎলমদে। নোংমা চৈস্ত্রাগী মমাগা শন্দ্রেমবীগী মমাগা ঙা ফাবা চৎমিন্নরম্মী, শন্দ্রেমবীগী মমাদি ঙা ঙাক্তা ফারম্মী অদুগা চৈস্ত্রাগী মমানা লিন ঙাক্তা লকলম্মী। লিনশিং অদু মাগী তুংগোন্দা হাপচিল্লম্মী। মবুক ফত্ত্রবা চৈস্ত্রাগী মমানা ইন চিংবা হল্লকপদা শন্দ্রেমবীগী মমাদা হায়রকলম্মী ইচে হৈবোং মখাদা ঙাইহাক্তা পোৎথাখিসি। অদুদগী চৈস্ত্রাগী মমানা ইচে হৈবোং চাসি হায়দুনা হৈবোং পাম্বীদু কাখৎলম্মী মানা কাবদা লিন য়াওবা তুংগোল অদু য়াওরম্মী। অহানবদা ইচে মীৎ উইশিল্লু হৈবোং থাধরক্কে হায়দুনা হৈবোং হেকলগা মচেগী ময়াদা থাদরকখি। ইচে হৈবোংদো হাওবরা হায়না হংখি মদুদা শন্দ্রেমবীগী মমানা হাওই হায়দুনা ময়া কাথোক্কুনা লৈরিঙৈদা ঙসাইগী মানা ফারকপা লিনশিং অদু ওইনা হৈথরকখি। লিনশিংদুনা মখনাও মনুংদা চংলম্মী অমদি লিনশিং অদুনা চিকতুনা শন্দ্রেমবীগী মমাদো শিরম্মী।

চৈস্ত্রাগী মমানা শন্দ্রেমবীগী মমানা ফারকপা ঙা ময়ামশিং অদু পুরগা হল্লকলম্মী। মতমদুদা শন্দ্রেমবীনা ঐখোয়গী ইমাদি কদাইদা লৈহৌরে হায়না হংবা মতমদা চৈস্ত্রাগী মমানা নমাদি ঙা ফাদুনা লৈহৌরি চৎসি হায়বা য়াদে হায়না খুমলম্মী। শন্দ্রেমবীনা মমা হল্লকপা ঙাইরম্মী অদুবু মমাদু সুকহন হল্লকত্রে। মহাক্কী মৌপ্পাবু ঙাখা খরা লৌদুনা পীজরম্মী অদুগা মখোয় অনী তুমলম্মী। শন্দ্রেমবীগী মমঙদা মমানা অসুম্না হায়রম্মী- 'ইমাগী ইবেম্মা ইমাদি চৈস্ত্রাগী মমানা হৈবোং থাধরকপগী মহুত্তা লিন ওইনা হৈথরকতুনা খনাওদা লিননা চিকতুনা শিরে, ইমা থোংগ্রা মখাদা থেঙ্গু ওনদুনা লৈরমগে,

নহাক্লা থেঙ্গু অদু নুমিৎ তরেৎনি ইসাইফুদা য়োকতুনা থম্মু, ইমা মী ওনবা ঙমব্রা য়েংগে'। শন্দ্রেমবীনা নোং ঙান্দ্রিগৈদা মৌপ্পাবু থনমলগা লোং খোনবা চৎলম্মী। অহানবা খোনবদা ঙাখা অমা লকখি অদুবু থাদোকখিরম্মী। মথং অমুক খোনবদনা ঙাক্রা অমমুক লকলম্মী। অদুসু থাদোকখিরম্মী। অদুদগী শন্দ্রেমবীনা থোংগ্রা মখাদা লোং খোনলম্মী মদুদা থেঙ্গু অমা লকলম্মী। থেঙ্গু অদু চেৎনা কোল্লগা পুরকতুনা ইসাইফুদা মমানি খন্না য়োকলম্মী।

অসুম্না থেঙ্গু অসি য়োক্তুনা থমলিগৈ নুমিৎ তরেৎনি শুদ্রিগৈদা চৈশ্রানা ইশিং থক্কে হায়না চংলকপা মতমদা থেঙ্গু অদুবু উরম্মী। মদুদগী মমাদা ইমা থেঙ্গু চাগে, থেঙ্গু চাগে হায়দুনা নিংঙাই তৌরম্মী। চৈশ্রাগী মমানা কদাইদগী থেঙ্গুনো হায়না চৈরকখি মদুদা চৈশ্রানা ইচেখোইদা লৈ হায়না হায়খি। মদুদগী মমা মচা চংদুনা শন্দ্রেমবীদা থেঙ্গু লোৎশিন্দুনা থম্মী হায়দুনা চৈবগা লোয়ননা থেঙ্গু অদুবু মৈদা ফুৎলু হায়দুনা হায়রম্মী। শন্দ্রেমবীনা য়ারমদে অদুবু চৈশ্রাগী মমানা শন্দ্রেমবীবু ফুরম্মী। অসুমনা থেঙ্গু অদুবু শন্দ্রেমবীদা নমদুনা ফুৎহল্লম্মী। থেঙ্গু অদুনা শন্দ্রেমবীদা ইমাদি খুউ য়ৌরে হায়না হায়রকখি, অদুদগী শন্দ্রেমবীনা শীং অদু শৎতোকলম্মী। শীং শৎতোকপদা করিগী শৎতোকলিবনো হায়না ঙাংলকপা মতমদা শীং অদু অমুক ইনশিল্লম্মী। মমানা অমুক ইমাদি খ্বাং য়ৌরে হায়না অমুক হায়রকখি অমুকসু শন্দ্রেমবীনা শীং অদু শৎতোকখি মদুদা চৈশ্রাগী মমানা মঙকশমদা চেগপনা চপখি। শন্দ্রেমবীনা খাঙবা ঙমদ্রদুনা শীং অমুক ইনশিল্লম্মী মদুদগী ইমাদি ঙক য়ৌরে হায়দুনা মমাদো শিরম্মী। চৈশ্রানা থেঙ্গু অদু চাথোকলম্মী। থেঙ্গুদুগী শরু শয়াংশিংদু ফুঙ্গা লাইরুদা ফুম্মু নুমিৎ হুমনিদা ইমা মী ওনবা ঙমব্রা য়েংগে হায়না শন্দ্রেমবীগী মমঙদা মমানা হায়রম্মী। শন্দ্রেমবীনা শরু শয়াংশিং অদু ফুঙ্গা লাইরুদা ফুমলম্মী অদুবু মহাক্লা য়েংনিংমনখ্রদুনা নুমিৎ হুমনি শুদ্রিগৈদা য়েংলুবদা লমখুনু ওন্দুনা পাইথোকখিরম্মী।

মতম খরগী মতুংদা শন্দ্রেমবী চৈশ্রা লৈশাবী ফারকলম্মী। নোংমা মখোয় অনীমক ঈশিং শোকপা লাকলম্মী। শন্দ্রেমবীনা পুন পুরম্মী অদুগা

চৈথ্রানা সনাবুন পুরম্মী। মতমদুদা নিংথৌ অমা মনাইশিংগা লোয়ননা কোয়বা লাকলম্মী। নিংথৌ অদুনা পুন পুবী ঈশিং খিৎতা থক্কে হায়রম্মী। শন্দ্রেমবীনা নিংথৌদা ঈশিং পিথকলম্মী। চৈথ্রানা হল্লকলগা মমাদা তমলম্মী মদুদগী মথংগী নুমিৎতা মবান্নী ওম্থোক্লরম্মী। চৈথ্রানা সনা লুপা, লিক-কোল ফজবা ফিরোল শেৎতুনা পুন অদু পুরম্মী অদুগা শন্দ্রেমবীনা সনাবুন অমুক পুরম্মী। নিংথৌ অদুনা থেংনবা মতমদা অমুকসু সনাবুন পুবী ঈশিং খরা থক্কে হায়দুনা হায়রকখি। শন্দ্রেমবীগী ফজবদু উবদা নিংথৌনা ঙাওদুনা ফাদুনা পুরগা চৎখিরম্মী। শন্দ্রেমবী নিংথৌদুগী মহারাণি ওইদুনা মচানুপা অমসু ফংদুনা নুংঙাইনা লৈরম্মী।

নোংমদি শন্দ্রেমবীবু চৈথ্রা অমদি চৈথ্রাগী মমানা চাক কৌরম্মী। শন্দ্রেমবী মপামদা লাকলম্মী। শন্দ্রেমবীনা শেৎলক চারকপা ফিরোল, সনা লুপা পুম্নমক চৈথ্রানা শেৎতুনা লৈরম্মী। শন্দ্রেমবীনা ইচেগী ফিরোলশিংদু পিরক্লো ইচে থেংলে চৎলগে হায়না হায়রকখি মদুদা চৈথ্রানা শাওশিন্নদুনা ফিরোলশিং অদু কাংখা মখাদা লংশিনখি। ফিরোলশিং অদু শন্দ্রেমবীনা খুল্লিঙৈদা চৈথ্রানা ঈশিং অশৌবনা শন্দ্রেমবীদা হৈজিন্দুনা হাৎতোকখি। শন্দ্রেমবীদু লমখুনু ওন্দুনা পাইখিরম্মী।

শন্দ্রেমবীগী ফিজোলশিং অদু চৈথ্রানা শেৎচিন্দুনা কোনুংদা লাক্লম্মী। নিংথৌনা শন্দ্রেমবী মানদে হায়না চিংনরম্মী। অদুবু চৈথ্রানা মহাক অসি শন্দ্রেমবীনি হায়না হায়খি। নিংথৌনা নমিৎ কুৎলকইদুনা করিগীনো হায়না হংবা মতমদা চৈথ্রানা ইপাম লমদম চৎতবা কুইবনা কুইনা কাইনখ্রবা ইচিল ইনাও, ইমা ইপাবু নিংশিংদুনা কপ্পদা তৌরিবনি হায়না হায়খি। নিংথৌনা খুনিং কায়রকইবদুনা করিগীনো হায়না হংবা মতমদা কপ্পা মতমদা লৈবাকতা নৈবদগী কায়রিবনি হায়না হায়জিল্লম্মী।

নোংমা নিংথৌগী মনাই শজিক ফানবা অমনা শজিক ফানবা লাকতুনা শজিক ফাল্লিঙৈদা লমখুনু অমনা হনজিন হনজিন খোংলম্মী। উচেক্লা খোংলিবগী মরোলনা নিংথৌগী মনাক্তা লৈরিবা শন্দ্রেমবীদু অশেংবা নত্তে। ঐগী ইচানুপাদু লুনা তৌবীয়ু হায়না খোংলম্মী। শজিক ফানবা

নুপা অদুনা য়াম্না চিংনরম্মী। মহাক্না নিংথৌদা উচেক্না খোংবা মওংদু তমলম্মী। অদুদগী নিংথৌনা মফম অদুদা লাকলম্মী। নিংথৌনা লাকপদসু উচেক অদু খোংলম্মী। নিংথৌনা মাগী খুবাক ময়ায়দা চেং মরু অহুম হাপলগা করিগুম্বা শন্দ্রেমবী ওইরবদি ঐগী খুবাক ময়ায়দা য়াওরিবা চেং মরু অহুম অসি চারো লাও হায়না হায়রম্মী। মদুদা উচেক অদুনা পাইথরকতুনা চেঙ অদু চারম্মী। মদুদগী নিংথৌনা লমখুনু অদুবু ফারগা পুরকলম্মী। উচেক অদু পোলাংনা উপ্পগা থমলম্মী। চৈস্রানা উচেক অদুবু চগেম পোমলম্মী। মহাক্কী মপুরোইবগীসু চগেমপোম্বা তেংগোৎ অমা খাকলম্মী নিংথৌনা হল্লকলবা মতুংদা উচেক অদু চগেম পোমখ্রে তাবদা নিংথৌনা শাওদুনা য়েনখাদা হৈদোকখিরম্মী। মদুদগী য়েনখা অদুদা হৈজাং পাম্বী ওইনা হৌরকলম্মী। হৌরকলিবা হৈজাং পাম্বী অদুদা শুপনতগী হৈজাং অমখকতং পাল্লম্মী। চৈস্রানা হৈজাং অমখকতং পাল্লিবদু য়াম্না চিংনরম্মী। নিংথৌগী শজিক ফানবা নুপা অদুনা লাকপা মতমদা চৈস্রানা অমখকতং পাল্লিবা হৈজাং অদু হেকখো অদুগা চারুচো হায়না হায়রম্মী। নিংথৌগী শজিক ফানবা নুপা অদুনা হৈজাং অদু হেকলগা ময়ুমদা পুরকলম্মী। অদুগা মহাক্না হৈজাং অদু চেংফুদা হাপলগা থমলম্মী। মানা হৈজাং অদু চাগে হায়দুনা থাঙ থিবা মতমদা থাঙ অদু থিবা খঙলমদে, ঙাইহাক লৈরগা থাঙ অদু লৈরম্মী অদুদগী থাঙ অদু লৈরবনিনা হৈজাং অদু লৌথোক্কে তৌবদা হৈজাং অদু থিবা ফংলমদে, সুমাইনা হৈ লৈরগা থাঙ লৈতবা অদুগা থাঙ লৈরগা হৈ লৈতবা তৌরম্মী। অদুদগী মানা শাওদুনা তোকলম্মী। শজিক ফানবা নুপা অদুনা শজিক ফাল্লুরগা ময়ুমদা হল্লকপা মতমদা মহাক্কী চাক-ইন্সাং লোইদুনা হেক হেক থম্বীরম্মী। অসুম্ন । অসুম তৌরমবদগী নোংমদি মানা লূম্লগা য়েংলম্মী। নুপী অমনা মাগী চাক থোংদুনা লৈবদু উরম্মী। অদুদগী মানা তুমিন্না চংদুনা নুপী অদুবু ফারম্মী। শজিক ফানবা নুপাদুনা নুপী অদুগা ৱারী শান্নরম্মী। শন্দ্রেমবীনা ঐ নিংথৌগী নুপী শন্দ্রেমবীনি হায়দুনা ৱারী পুন্নমক লিরম্মী। শজিক ফানবা নুপাদুনা নিংথৌগী মনাক্তা চৎতুনা ৱারীশিং অদু তমলম্মী। নিংথৌগা

লোয়ননা শজিক ফানবা নুপাদুগা মহাক্কী ময়ুমদা লাকলম্মী। শজিক ফানবা নুপাদুনা শন্দ্রেমবী থোকলক ও নহুম পোনজেন শাবীগে হায়না খুবাক অহুমলক খুরম্মী। মদুদগী শন্দ্রেমবী মী ওল্লগা থোরকলম্মী। নিংথৌনা শন্দ্রেমবীবু মাগী কোনুংদা পুরকলম্মী। শন্দ্রেমবীগা চৈস্রাগা ঐনা শন্দ্রেমবীনি, ঐনা শন্দ্রেমবীনি হায়দুনা খৎনরম্মী। অদুদগী নিংথৌনা মাগী শন্দ্রেমবী অশেংবা মশক খঙগে হায়দুনা থাঙ অনী পুথোরকতুনা নুপী অনী অদুদা পীরম্মী। করিগুবা থাঙ অদুনা য়ান্নবদা হিংবা নুপীদো মাগী শন্দ্রেমবীনি হায়না নিংথৌনা হায়রম্মী। চৈস্রানা ঐ হান্না য়ানগে হায়দুনা থাঙ অদুনা শন্দ্রেমবীদা য়াল্লম্মী অদুবু শন্দ্রেমবীদি শিরমদে। মদুদগী শন্দ্রেমবীনা চৈস্রাদা য়ানবা মতমদা চৈস্রাদু শিরম্মী। অসুম্না নিংথৌনা মাগী শন্দ্রেমবী অশেংবা অদু ফংজদুনা মখোয় অনীগী মচানুপাদুগা লোয়ননা নুংঙাইনা পানখিরম্মী।

ৱারী লীবিরকপী	:	অকোইজম ওংবী লোইদাংচা দেবী
তাং	:	২৫-৪-২০১০
চহী	:	৭০
শিনফম	:	ফিশাবী
লৈফম	:	থৌবাল ৱাংমতাবা, থৌবাল।

লমহুই লৌশিং

থায়না মমাংঙৈদা উমং অমদা লমহুই মতৈ মনাও অমা লৈরম্মী। লমহুই লাবা অদু লৌশিং য়াম্না শিংলম্মী। মহাক্কী নুপী অদু মকুম মথা শুরম্মী। নোংমদি লমহুই অমোমনা লমহুই লাবদা নুপা ঙসিদি ঙা য়াম্না চানিংই ঙা খরা পুবিরকউ হায়না হায়রম্মী। লমহুই লাবা অদুনা মাগী নুপীনা চানিংই হায়রিবা ঙা থিবা কোইনা চৎখিরম্মী। লমহুই লাবা অদুনা অসুম লাকপদা পাৎ অমা থেংনরম্মী। পাৎ অদুদা য়াম্না চাউবা লাইরেন অমসু লৈরম্মী। লমহুই লাবা অদুনা লাইরেন্না ঈশিংদা তাওবা অদু ফুমনি খন্দুনা লাইরেন অদুগী মনঙ্গন্দা চোংথদুনা ফম্লগা ঙা ফারম্মী। লাইরেন্না লমহুইগী মতৌ অদুদা ঙকতুনা লৈরিঙৈদা লমহুইনা মানা ফারকপা ঙাদু পুরগা কংফালদা চোংখৎলগা চেন্দুনা মাগী নুপীদা পীজরম্মী। অসোমদনা লমহুইগী মতৌ অদুদা লাইরেন্না মাবু উশিং থওইদবনি হায়দুনা য়াম্না শাওরম্মী।

মথংগী নুমিৎতা লমহুইনা পাৎ অদুদা অমুক হন্না লাকপদা লাইরেনদুনা লমহুই লাকলে খঙবদগী ষণ অশিবা শাদুনা লৈরম্মী। লমহুইনা তাওরিবা অদু ষণ অশিবা নত্তে লাইরেননি খঙলকপদগী লুশমদা তাপ লাক্কে হায়দুনা চেনশিল্লকপদা লাইরেনসু শাউমনখিদুনা লমহুইগী মচিন চীরক অদুদা মমৈনা থোমগে হায়না হোৎনরকপদা পান্নরমদে। থৌদোক পুম্নমক অদু লমহুই লাবনা মাগী নুপীদা তমদুনা মখোয়গী হান্নগী লৈফম অদুদা লৈবা য়াররোই লাইরেন্না মখোয়বু শোইদনা থিবা লাক্লগনি হায়না হায়রম্মী। মখোয়গী য়াইফনবনি খন্দুনা মফম অদু থাদোকতুনা চৎখিরম্মী।

মখোয় অনীনা অসুম লাকপদা লম্বীদা লমহুই অমোমদু মচা পোকনিংলকপদগী খরা শুকপা জগা অমদা মচা পোক্লম্মী। অদুবু মখোয়না

মচা পোক্লিবা জগা অসিদি কৈগী মকোল ওইরম্মী। কৈ মকোল অদুগী মনাক্তা হৌবা উজাও অমগী মথক্তা য়োং অমসু লৈরম্মী। লৌশিং লৈবা লমহুইনা কৈ অদুবু হাৎনিংবদগী য়োংগা মরুপ শানরম্মী। মখোয় অনীনা করি করম্বা উপাই তৌদুনা কৈ অদুবু হাৎসিগে খন্নরিঙৈদা কৈ অদু য়ৌরকলমই। মখোয় অনীনা তান্নখিবা মতুংইন্না কৈনা য়ৌশিল্লকপা তানজা অদুদা নারক অমদগী লমহুইনা য়োংদু কৌরদুনা "হো ইতাও নঙগী নচা পোকপদা কৈ তরা কোংই, ঐগী ইচা পোকপদদি কৈ কয়া কোংনি" হায়না হায়রম্মী। লমহুইগী ৱাসি তাবদা কৈদু কিখিদুনা য়োং লৈবা মাইকৈদা চেনশিনবদগী য়োংগা য়ৈখাইনদুনা য়োং অদু শিরম্মী। য়োংগী অশিবা মশাদু কৈনা চাথোকলম্মী। অদুবু কৈনা মফম অদুদা লমহুই লাক্কনি কিবদগী মফম অমদা লোৎখিরম্মী।

লৌশিং লৈবা লমহুইনা মাগী নুপী অঙাংগা পুন্না লৈমিন্নদুনা নুংঙাই য়াইফনা পানখিরম্মী।

ৱারী লীবিরকপা	:	ঙাশেপ্পম বিরচন্দ্র সিংহ
তাং	:	২-৫-২০১০
চহী	:	৭৭
শিনফম	:	ৱারী লীবা
লৈফম	:	ঙাকচ্রৌপোকপী।

হিংচাবা অমসুং অঙাং অহুম

থায়না মমাংঙৈদা লায়রবী লুখ্রাবী অমগা মাগী মচানুপা অহুমখক্কা লৈরম্মী। অহল অদুনা চহী তরামাথোই(১১), য়াইমা অদুনা চহী মাপল(৯) অদুগা অতোম্বা অদুনা চহী তরেৎ(৭) শুরম্মী। লুখ্রাবীদু লৈমন্দবদগী অঙাংশিং অদুবু নীংথিজনা য়োক থাকপা ঙল্লকত্রে। মরম অদুনা মহাক্না মপুক্লিংদা অসুম্না খল্লক্লম্মী। ঐহাক ইতোমতা ফাওবা হিংবদা ৱারবনিনা অঙাংশিং অসিগী পোৎলুমসু পুবা ঙমশিল্লক্ত্রে। অদুনা মখোয়বু অতোপ্পা মফম অমদা থাদোক্লুরগে হায়দুনা, মখোয়বু পুরগা চীংদোন অমদা লাকমিন্নরে অদুগা হায়রকই ইবুংঙোখোয় নখোয় অহুম মফম অসিদা ঐবু ঙাইদুনা লৈরম্মু, ঐহাক নখোয়না চানবা চীঞ্জাক, ঙাম্মোক্লচিংবা লৈরুখিগে হায়রল্লগা চৎখ্রে। অঙাংশিংদুনা মমাবু ঙাইরম্বদু কুইমনখিবদগী মমশিল্লক্লম্মী। মতম অদুদা অঙাং অহল অদুগা য়াইমা অদুগা অনী অদু কপ্লক্লে। মদু তাবদা অতোম্বা অঙাংদুনা মখোয়বু থেমজিল্লে, অদুগা হায়রকই - ঐহাক উ কাখৎতুনা য়েংগে অসি হায়দুনা উপাম্বী অমদা কাখৎতুনা য়েংবদা মৈঙাল অমা উরম্মী। অদুদগী মখোয়না মাইকৈ অদোমদা অঙাং অতোম্বদুনা লমজিংদুনা মফম অদু য়ৌরে। মফমদুদা খাঙপোকশং অমগী মনুংদা হনুবী অমনা মৈ ঙ্ঙং ঙ্ঙং হৌগৎতুনা ফম্লম্বা অদু উরে। মদু উবদা মখোয়না হায়রকই - 'ইমা ঐখোয় ঙসি অহিং অসিদদি মফম অসিদা লেকচখিগে' হায়রুবদা হনুবীনা পাউখুম পীরকই, 'নখোয়বু য়াম্না লৈহন্নীংঙি, অদুবু মফম অসিদি ওনি হিংচাবগী ময়ুমনি ঙাইহাক্তং লৈরগদি মহাক শোয়দনা য়ৌরক্লগনি। মরম অদুনা পন্থরগনু নখোয় চৎহৌরো। মহাক লাক্লবদি নখোয়বু চাথোকপিখ্রগনি' মসি হায়নরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা হিংচাবদু লাকপগী শউম তারক্লম্মী। হনুবীদুনা পাখৎখিদুনা অঙাংশিং অদুদা য়াম্না শাউনা চৈ থাংলদুনা হায়রকই, 'ফরে হৌজিক নখোয়বু লোৎপিরগে',

হায়দুনা খাংপোকশং অদুগী দারী মখাদা পোৎ চৈ থম্লনবা তৌবা কোম অদুদা অঙাংশিং অদু লোন্না লৈহল্লে। ওনি হিংচাবনা হেক য়ৌরকপগা হনুবীদা হংলকই। হনুবী তাইবঙ মীগী মনম য়াম্না নম্মী লাক্লন্ব্রা হংলকপদা হনুবীনা খুন্নক্লম্মী, উম লাক্লম্মী অদুবু মখোয়দি অদুম চৎখ্রে হায়না খুমখিরম্মী।

হিংচাবনা হনুবীদা, ফরে মখোয় অমুক লাক্লবদি নহাক্না মখোয়বু ফাজিন্দুনা থম্লম্মু হায়রম্লগা মহাক্কী খোঙথাং অমুক্তা রি লিশিং অমা কানবা ঙম্বা খোংউপ অদু তোংদুনা অঙাংশিং অদুবু তান্নখিরম্মী। মহাক্না ফনা য়াংনা তান্নরবদসু অঙাংশিং অদুবুদি ফংবা মরৈখেদ্রে। 'উম ঐনা য়াম্না য়াংনা চেনমল্লে, মখোয়দুদি তুংদা লৈহৌরম্বা তারে, অসি খল্লদুনা হিংচাবদুনা ঙাইহাক্তং ঙাইদুনা লৈবনা ফরগনি খন্দুনা পোথারম্বদগী ৱামনখ্রদুনা গোগো নাখোক্তুনা তুমথখ্রে। ওনি হিংচাবনা হেক চৎখিবগা নুপা মচা অহুমদুবু কোমদগী কৌখৎলগা অসুম্না হায়রম্মী 'ইবুংঙোখোয় তাউ হিংচাবা অদু মহাক্কী খোংউপ রি লিশিং কানবা ঙম্বা অদু তোংশিল্লগা নখোয়বু তান্নবা চৎখ্রবনি। অদুনা নখোয়না হিংবা ঙম্লনবা মফম অসিদগী চৎখ্রো' হায়দুনা অঙাংশিং অদু চৎহনখ্রে। অঙাংশিং অদুনা অসুম লাকপদা নোংখাকপদৌনা তৌবা গো গো হায়না ঙংবা মখোল অমা তারক্লম্মী। করিনো য়েংউসি হায়দুনা য়েংউবদা, হিংচাবা অদু ফৈগাক ফৈনা হিপতুনা লম্বীদা নাখোক্তুনা তুল্লম্বদু উবদা য়াইমদুগা অহলদুগা অঙাং অনীদুনা কপ্লক্লে। মতমদুদা অতোম্বা অঙাংদুনা মখোয়বু থেমজিন্দুনা তুমিন্না লৈহল্লগা মহাক্না লোন্না চংশিন্দুনা হনুবীদুনা তাক্লকপা হিংচাবদুগী রি লিশিং অমা অমুক কানবদা চৎলি হায়বা খোংউপ বুট অদু লৌথোরক্লগা ময়াম্বা অহলদা খোংউপতু তোংহল্লগা মখোয় অনিনা মনঙ্গন্দা পোহল্লগা মফম অদুদগী য়াম্না থাপ্না চৎখিরম্মী। হিংচাবদুনা মিৎকপ থোক্লকপদদি মাগী খোংউপ অদু য়াওরমদ্রে, মানা য়াম্না শাউনা অঙাংশিং অদুবু ময়া খিগত্তুনা তান্নরম্মী। অদুবু অঙাংশিং অদুবুদি তানবা অদুম মফংদ্রে। অদুগী মতুংদা মহাক ময়ুমদা তকশি শোন শোন্দুনা হল্লক্লে। অদুগা হনুবীদা তাইবঙ মী অদু অমুক

লাকত্রবরা হায়দুনা হংখিরম্মী। হনুবীনা লাকখিদ্রে হায়না খুন্নল্লম্মী। অঙাংশিং অদু নাম্ভোকখিবগী পাউসি তাবদা হনুবীদু মথৱায় নুংঙাইজরম্মী।

অঙাংশিং অদু ময়ুম য়ৌরক্লম্মী, অদুগা মমাদা থৌদোকশিংদু হায়দোক্কুনা তাহল্লম্মী। অদুগী মতুং অদুদদি মমাসু য়াম্না হরাওরম্মী। মচাশিংদুদা মমানা হায়রম্মী, 'ইবুংঙোখোই ননাওনুপা অতোম্বগী থৌনা লিংজেল অদু চেনবা ঙম্নবা হোৎনৌ' হায়না মচাশিংদা তাক্লম্মী অদুগা মচাশিংদুগা লোয়ননা য়াম্না হৈশিংনা শু নোমদুনা নুংঙাই য়াইফনা পানখিরম্মী।

ৱারী লীবিরকপা : ঙাশেপ্পম বিরচন্দ্র সিংহ
তাং : ২-৫-২০১০
চহী : ৭৭
শিনফম : ৱারী লীবা
লৈফম : ঙাকচ্রৌপোকপী।

থুমলোৎপা অপঙ

থায়না মমাংঙৈদা খুঙ্গং অমদা লুখ্রাবী অমা লৈরম্মী। লুখ্রাবী অসিগী মচা নুপা অনীখক লৈরম্মী। মচানুপা অহল অদুদি য়াম্না শিংলম্মী অদুগা অতোম্বা অদুনা য়াম্না পংলম্মী। মতম খরা লৈরগা মমা অদু শিখিরম্মী। মমানা লৈখিদ্রবা মতুংদদি মচীন মনাওদং লৈরম্মী।

নোংমদি ময়াম্বনা মনাওদা লল্লোনবা চৎলুগে য়ুম শংদুনা লৈরম্মু হায়না হায়রম্মী। ময়াম্বনা শিন্নরম্বগী মতুংইন্না মনাও অপংবদু য়ুম শংলম্মী।

মতম খরা লৈরগা লল্লোনবা চৎখিবা ময়াম্বা অদুনা য়োন্নবা থুম বোরাশিং অদু অপঙবা মনাওদা চেকশিন্না থম্মু হায়না শিনরমলগা চৎথোকখিরম্মী। অপঙবা মনাও নুপাদুনা থুমশিংদু ইমুংদা থল্লবদি মীনা হুরানখিবা শোয়রোই, কাচিন্দা থম্মে মীনা উখিনি, কাঙ্খদা থম্মে চল্লোই অদুনদি কদাইদা থমসিগে হায়না ৱাখল তৌরম্মী। মমৈথংদা ৱাখল অমা লাক্কুনা থুম বোরাশিং অদু পুখ্রি তান্না শোরো শোরো চিংদুনা পুরগা ঈশিং মনুংদা লোৎলম্মী।

ময়াম্বনা হনজিল্লকপদা মনাও নুপাদা থুম বোরাশিং অদু চেকশিন্না থমবরা হায়না হংলম্মী। মনাওনুপানা কনা অমত্তা উরোইদবা মফমদা থমলি হায়বদগী মচিন মনাও চাক ঈশিং চাথোকমিন্নরগা মহৈ মহৈ পোৎথানখি।

মতম খরা লৈরগা নোংমা ময়াম্বনা মনাওদা থুম বোরাশিং অদু য়োনথোক্কুরসি পুথোরকলো হায়না হায়রম্মী। মনাও নুপানা ঈশিংদগী থুম বোরাশিং অদু মথং মথং চিংখৎলুবদা থুম অমত্তা য়াওরমদ্রে। বোড়া অদুদা ঙাসেপ অচৌবা অমা য়াওরম্মী। ঙাসেপ অদু উবদা অপঙবা নুপা অদুনা ঙাসেপনা থুম লোইনা চাথোকখরে হায়না খলম্মী। অদুদগী ঙাসেপতু পুরগা ময়াম্বগী মনাক তান্না লাক্লগা ময়াম্বদা হায়রম্মী। থুমশিং অদু ঈশিংদা

লোৎপনি অদুবু ঙাসেপসিনা লোইনা চাবদগী মবুকসে য়াম্না নোয়রে। মনাওগী ৱা অদু তাবাদা ময়াম্বা অদু খুমফম খঙলমদে। অপঙবা মনাওবু ফু-চৈদুনা তৌরুরবসু কান্নররোই খল্লদুনা "হায় অপঙবা থুম্বু ঈশিংদা লোৎলবদি তুমখিবা তাবনি।" থুমদি ঈশিংদা তুম্বনি ঙাসেপ্পা চাখিবা নত্তে হায়না মনাও অপঙবা অদুদা হায়রম্মী। মনাওনুপানা শাওদুনা ঙাসেপ হায়বা নখোয়সে হয়েং চারোল শুরোন ফাওবা নবুক কংবা ওইয়ু হায়না শাপ তৌখিরম্মী।

থৌদোক অসিগী মতুংদগী অপঙবা নুপা অদু অমুক হন্না থুম ঈশিংদা লোৎখিদ্রে।

ৱারী লীবিরকপী	:	লিকমাবম ওংবী তম্ফা দেবী
তাং	:	২১-৫-২০১০
চহী	:	৫৯
শিনফম	:	য়ুম কোইবী
লৈফম	:	খুরাই চিংঙ্গাবম লৈকাই।

কবোক্কী নোং

থায়না মমাংঙৈদা খুঙ্গং অমদা অচুম্বা ৱা ঙাংবা নুপামচা অমা লৈরম্মী। নুপামচা অসি নোংমত্তা মীনম্বা ৱা ঙাংলমদে অচুম্বদা ঙাংলম্মী। অদুনা লৈকাইগী মীশিংনা মাবু নুংশিনা "পরীংতিং" হায়না কৌবীরম্মী। নুপামচা অসি পংলপসু তৌই। নোংমদি নুপামচা অসিনা চাক ইশিং চাবা লোইরগা লৈকাইদা কৌইথোক্লম্মী। লৈকাইদুগী ইমুং অমদা মানা চঙলক্তুনা ফমফম য়েংলম্মী। ইমুং অদুগী মী অমতা লৈবা উরমদে। অদুবু মাদি চঙশিন্দুনা মাঙ্গোনদা অঙাং অমা ফিনা খুমজিল্লগা তুমহল্লগা লৈরম্বদু খঙদদুনা ফমজিল্লম্মী। মহাক্কী চাউরবা মশাদুনা পীক্লিবা অঙাং অদুগী মথক্তা ফমজিনবদদি অঙাং অদু 'ইক' হায়না শোর থিংলম্মী। নুপামচা অদুসু করিনো ঐনা ফমথবসিদা মখোল অমা থোকই খন্দুনা হৌগৎলগা ফিদু হাইদোক্তুনা য়েংবদা অঙাং অমা শীরগা লৈরম্বা থেংনরম্মী। তানজা অদুদা ইমুং অদুগী মী কনাসু লৈরমদে। অদুনা নুপামচা অসি করিসু হায়রমদনা য়াম্না নুংঙাইতনা ময়ুমদা হল্লকলম্মী।

ময়ুম য়ৌরগা নুপামচা অদুনা মমাদা অৱাংগী ইনেতোনহোয়গী অঙাংদু ফিনা কুপশিল্লগা শুমদুনা থনম্বদু খঙদদুনা ঐনা ফি মানদুনা ফমথরুবদা 'ইক' লাওই হায়দুনা য়েংলুবদা অঙাংদু শিরগা লৈরম্লে হায়না তম্লম্মী। মচাগী ৱাসি তাবদা মমা অদু য়াম্না নুংশা থিরম্মী। মচাদি অচুম্বতা ঙাংবনিনা শোয়দনা ৱাফম অসি হায়দোরক্কনি হায়বা খঙলম্মী। মচাবু অঙাং হাৎপগী মরালদগী কন্নবা মমানা লৌশিং অমা পুথোক্লম্মী।

মচানুপা অদুনা নুংথিল তুমখ্রিঙৈদা মমানা ইঙ্খোলদা কবোক অফাবা ময়াম অমা চাইথোক্লম্মী। মচানুপানা তুম্বা হৌগৎলকপদা ইঙ্খোলদা কবোক ময়াম ইচাই চাইদুনা লৈরম্বদু উবদা মমাদা করিগীনো কবোক অফাবা ময়াম

অমা চাইরিবসিবু হায়না হংলমই। মমানা ইবুংঙো ঙসি নঙনা তুম্লীঙৈদা কবোক্কী নোং চুখি হায়না হায়রম্মী। মমানা হায়বদু থাজরম্মী।

নুমিৎ খরনি লৈরগা নুপামচাদু অঙাং শিবা ইমুং অদুদা লাক্লমই অদুগা অঙাং অদু মানা হাৎখিবনি হায়না হায়দোক্লম্মী। করি নুমিৎতা হাৎপনো হায়না হংবদা নুপামচা অদুনা কবোক্কী নোং চুবা নুমিৎতা হাৎপনি হায়না হায়রম্মী। নুপামচা অদুগী ৱাদু তাবদা ময়াম ৱা লাওনা নোকতুনা মানা ঙাংলিবা ৱা অদু অঙাও অফৈগী ৱানি খন্দোক্তুনা নুপামচা অদুনা অঙাং হাৎলি হায়বা ৱাফমদু থাজনখিদে। অসুম্না লৌশিং শিংবী মমানা মচাবু অঙাং হাৎপগী অচৌবা দণ্ডি ফংগদবদগী কনবীখি।

ৱারী লীবিরকপী	:	লিকমাবম ওংবী তম্ফা দেবী
তাং	:	২১-৫-২০১০
চহী	:	৫৯
শিনফম	:	য়ুম কোইবী
লৈফম	:	খুরাই চিংঙ্গাবম লৈকাই।

ইতা থাউমৈ

থায়না মমাংঙৈদা খুল অমদা য়াম্না শুনোম্বা কনবী হনুবী অমা মতোমতা লৈরম্মী। মহাক অযুক নুংথিলদা খ্বাংগী ফি শাই। নুমিদাংদা অহিং অথেংবদা তুমদবমখৈ মোইথাপ হেক-হেক নাই। অসুম্না নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা শুরকপনা মরল মথুম মরাং কায়রে। শুবা নোম্বনা হেনবা চাবীনবা শরুক্তি মতোমতা চাবনিনা নোংমা নোংমগী শেল খর খরা তুংশিনবনা অৱাৎ অপা লৈতবী ইনাক খুনবী হনুবী ওইরক্লে। "মৈবু ফিনা কুপ্পা য়াদবনিনা" খুল অদুদা ইনাক খুনবী হনুবী হায়না মমিং চৎপা হৌরক্লে। খুল অদুদা লৈবা হুরানবা অমগী মনাকোংদা পাউ অদু তারে। হুরানবনা হনুবীগী মপোৎ মচৈশিং অসি করম্না হুসিগে ৱাখল তৌরক্লে।

নোংমা অমম্বা থাশিগী সন্ধ্যাদা হুরানবা অদু ফিমু শেত্তুনা হনুবীনা লাই খুরুম্মীঙৈদা য়ুমদা লোন্না চঙলক্লগা ইমুং লময়াইদা মখোঙ পানবা থাউমৈ অমা থাল্লিবদুগী মরুমদা লোন্না চঙলক্লগা ইমুং অদুদা লোত্তুনা লৈখ্রে। মোইথাপ নাইরীবী হনুবী অদু তুম্বা ঙাইদুনা লৈরে। হনুবী অদু মোইথাপ নাইবদা পুক্লিং চঙখিবনা থাউমৈ মখোঙদা লোৎলিবা হুরানবা অদু হনুবীদুনা খঙলমদে। অহিং থেংলবা মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা মতম অদুদদি হুরানবা অদুনা স্বর হোনবা, লেংলকপা শহুম ফংবদা হনুবী অদু হুরানবা চঙলে হায়বা খঙলে। অদুবু হনুবী অদু খঙশিন্নদনা অদুমক মোইথাপ নাইদুনা লৈরে। ঙসি ঐগী ইমুংদা চঙলক্লিবা হুরানবসি মতৌ করম তৌরগা ফাসিগে, মোইথাপ নাইনা নাইনা ৱাখল খনবা হৌরক্লে। ঐদি ইমুংসিদা ইতোমতা লৈবনি অদুদগী অহল ওইবগী পাঙ্গল শোল্লবী হায়বদু ওইরবনি। ঐনা কৈরোই লৈকাইগী মী তানবা কোয়লাও লাউরুরে ঐবু মানা হাত্তোক্লমগনি। করম তৌসিগে খন্না খন্না মোইথাপ নাইবদি মখুত্তো খক লেপখিদে। লৌশিং শিংবী হনুবীনিনা লৌশিং অমা লাক্লে। থাউমৈ অসিদা

ইতা হায়না কৌরগা ৱা ঙাংনরগে খল্লে, অদুনা থাউমৈদা ওনশিল্লগা -

"ও ! ইতা থাউমৈ!

ইতা থাউমৈ!

ইতা থাউমৈ!"

হায়না অহুমলক হন্না কৌরে, থাউমৈনদি খুন্নকপা হৌনব্রা ? খুন্নক্তে হনুবীনা অমুক হায়রকই "ঙসিদি ইতা করি তৌরে খুমদ্রদি? নুংতি নুমিৎ খুদিংগীদি ঐনা কৌবদা করি হায়বগে ইতা হায়না হেক্তা খুন্নকপদাই ঐনা তুম্নিংলবা মতমদসু ঐখোয় অনী ৱারী শাদুনা মতম লেল্লিবনি, ঐনা তুম্নিংবা কোঙ্গাই কোল্লিবনি। ঙসি ঐনা কৌবদা ইতানা খুমদ্রিবা অসিবু ঐগা ঙাংনখিবা অদুগী হুরানবা চঙলদুনা খুমদ্রিব্রা? "

হনুবীগী ৱাদু তাবদা থাউমৈ মখোঙ মরুমদা লোত্তুনা লৈরিবা হুরানবা অদুনা ৱাখল খল্লকই। "নুমিৎ খুদিংগী হনুবীগা থাউমৈ অসিগা ৱারী হেক হেক শান্নবরা। ঙসি ঐনা মাগী মনাক্তা লোত্তুনা লৈবসিদা ঐবু ইকাইদুনা খুমদবা ওইরমগনি। থাউমৈ অসিনা অসুম খুমদনা লৈরবদি হনুবীগী মপুক্লিংদা হুরানবা ঐ লৈরে হায়বা খঙখিবা তারে। হনদক হনুবীনা অমুক হন্না কৌরক্লবদি থাউমৈনা খুমদ্রবসু ঐনা থাউমৈ শাদুনা হেক্তা খুন্নগে" হায়না ৱাখল খনখ্রে। হুরানবদু হনুবীনা অমুক হন্না কৌরকপা ঙাইদুনা তুমিন্না লৈখ্রে। ঙাইহাক লৈরগা হনুবীদুনা হান্নগী অদুগুম্না "হা ইতা থাউমৈ!", হায়না অহুমলক কৌরক্লে। হনুবীনা ইতা থাউমৈ হায়না হেক কৌরকপদা থাউমৈ মখোঙদা লুল্লিবা হুরানবা অদুনা খুম্মী "করি হায়বগে ইতা" মখোন চাউমল্লে খনদুনা অমুক মখোল পিক্লা খুম্মী। হুরানবা অদুগী পাউখুম অদু তাবদা হনুবীগী মপুক্লিংদা ঙসিদি হুরানবা অসি লায়না ফাবা য়ারগনি খল্লে। হনুবীনা "ইতা ঐনা ঙসাই কৌবদা খুন্নক্তবদি নঙবু তুমলুরব্রা?" হংলক্লবদা থাউমৈ মখোঙদা লৈরিবা হুরানবা অদুনা "ঐ তুম্নিংদুনা ঙাইহাক উইরুরে ইতানা কৌবা তাহৌদ্রে" খুন্নকই। হনুবীনা ঙসিদি ইতা ঐসু য়াম্না তুম্নিংলে অদুবু ঐনা মোইথাপ নাইরিবা অসি লংদুম

মপুং ফাদ্রিবা ফাওবা ইতাগা ৱারী শান্নসি। নঙসু তুম্নিংদনবা ঐসু তুম্নিংদনবা ইতা ঐ ৱারী অমা লিরক্কে পুক্লিং চঙনা তাউ। হনুবীগী ৱাদু তাবদা হুরানবনা "লীবিয়ু ইতা তাজগে খুন্নকই।" অদুদি ইতা হৌরগে তারো।

থায়না মমাংঙৈদা খুল অমদা হনুবী অমা মমিৎ নামা উদবী মনা নামা তাদবী অশোনবী অমা লৈরম্মী। হনুবী অদুগী মনাক্তা থাউমৈ অমা ঙান্না থাল্লম্মী। থাউমৈগী মৈঙাল অদুদা মহাক ঐগুম্না মোইথাপ নাইরম্মী। মোইথাপ নাইনা নাইনা হনুবী অদু তুমনিংবনা উইরে মমৈথংদা তুমথখ্রে। হনুবী অদুগী মমঙদা মাগী ইমুং অদুদা হুরানবা অমা চঙলক্কে। হুরানবা অদুনা হনুবী অদুগী লৈজবা কোললিক, মফি মরোল অদু য়োমশিল্লগা পুগদবগী থৌরাং তৌদুনা লৈরিঙৈদা তুন্লিবী হনুবী অদু মিৎকপ থোরক্কে। হনুবী অদুনা লৈকাই তানবা "হো লৈকাই লৈকাই হুরানবা চঙলে, হুরানবা চঙলে" হায়না ৱারী লীবগী মওংদা হনুবী অদুনা মানা হেক ঙমজবমখৈ হন্না হন্না লাউরক্কে। হনুবী অদুগী মখোন তাবদা লৈকাইগী য়ুম্লোন্নবা মীয়াম চেল্লক্তুনা হনুবীগী য়ুম অদু কোইশিল্লগা ইমুংদা থাউমৈ মখোংদা লুমদুনা লৈরিবা ফিমু শেত্তুনা ৱারী তারিবা হুরানবা অদু মীয়াম চঙদুনা ফারে। মপাঙ্গল কল্লবা হুরানবা অদুবু মপাঙ্গল শোল্লবী হনুবী অদুগী মরৌশিংনা লাইনা ফাখি। হুরানবা অদু লৈকাই মীয়াম্না মখুৎ পুল্লগা অঙম্বগী মফমদা মতিক চাবা চৈরাক পীনবা পুখি। পাউ অসি তাবদা লৌশিং শিংবী হনুবী অদুবু মীয়াম্না য়াম্না থাগৎনখি।

ৱারী লীবিরকপী : লিকমাবম ওংবী তম্ফা দেবী
তাং : ২১-৫-২০১০
চহী : ৫৯
শিনফম : য়ুম কোইবী
লৈফম : খুরাই চিংঙ্গাবম লৈকাই।

নুপা অহুম

থায়না মমাংঙৈদা লৈবাক অমমমদগী নুপা অহুমখক লম কোয়নরকপদা লল্লোং অহুম ফাংবা অমদা মখোয় অহুম থেংনরম্মী। মখোয় অহুম্না মাগী মাগী অপাম্বনা করিনো, অদুগা কদায়দা চৎনগদৌরিবনো হায়না হংনরম্মী। মদুদা অমনা হায়রকই "ঐদি চাবা য়াম্না পাম্মী অদুনা ঐনা চাগে হায়বদা পীজবা ঙম্বা মী অদুগী মফমদা থবক কন্না শুগে হায়দুনা লাকচবনি। অদুদগী অমনা অমুক হায়রকই "ঐদি শেৎপা য়াম্না পাম্মী, অদুনা ঐনা শেৎকে হায়বদা পীবা ঙম্বা মী অদুগী মফমদা থবক কন্না শুগে" হায়দুনা লাকচবনি। অদুদগী অতোপ্পা নুপা অদুনা অমুক হায়রকই "ঐদি জুৱার শান্নবা য়াম্না পাম্মী অদুনা ঐবু নুমিৎ মঙানিদং জুৱার শান্নহনবা ঙম্বা মী অদুদা থবক কন্না শুগে হায়দুনা লাকচবনি"। অসুম্না মখোয় মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা হায়দোক্লরবা মতুংদা মখোয় অহুম অসি মরুপ শান্নরসি হায়নদুনা মরুপ শান্নরে। অদুদগী মখোয়না পাম্মিবা অসি পীবা ঙম্বা মী থিরসি হায়দুনা মখোয় অহুম লৈবাক মথং মথং কোয়রক্লে।

মখোয়না অসুম লাকপদা লৈবাক অমা য়ৌরক্লে। মদুদা লৈবাক অদুগী নিংথৌগী মতিক মগুণ হংবদা নিংথৌ অসি মখোয়না পাম্বা পীবা ঙম্বা য়াম্না মতিক মগুণ লৈবা নিংথৌ ওইরম্লে। মফম অদুদা মখোয় লৈরসি হায়না খন্নদুনা নিংথৌ অদুগী মনাক্তা চংলক্লে। মদুদা নিংথৌনা মখোয়দা করি করি পাম্বগে হায়না হংলম্মী। নিংথৌগী ৱা অসি তাবদা মখোয়না মথং মথং মাগী মাগী অপাম্বা অদু হায়জরম্মী। অমনা হায়রকই 'ইনিংথৌ ঐদি চাবা য়াম্না পাম্মী অদুনা ঐনা চাগে হায়বদা ৱাত্তনা পীবিয়ু। অদুগা ঐ থবক কন্না শুজগে।' অদুদগী অমনা অমুক হায়রকই 'ইনিংথৌ ঐদি শেৎপা য়াম্না পাম্মী অদুনা ঐনা শেৎকে হায়বদা ৱাত্তনা পীবিয়ু। অদুগা ঐসু থবক কন্না শুজগে।' অদুদগী অতোপ্পা নুপা অদুনা অমুক হায়রকই

'ইনিংথৌ ঐদি জুৱার শান্নবা য়াম্না পাম্মী, অদুনা নুমিৎ মঙানিদং ইনিংতৌনা জুৱার শান্নজগে। অদুগা মখোয় অনীনা শুরিবা চাংদগী শরুক অনী হেন্না অহিং নুংথিল নাইদনা শুজগে'। মখোয় অহুম্না হায়জবদু নিংথৌনা য়াদুনা মখোয় অহুম অসি নিংথৌগী মনাক্তা লৈখ্রে। য়াম্না চাগনবা অসিনা নিংথৌগী অরৈবা থবক খুদিংমক নুমিৎ খুদিংগী কন্না শুরম্মী। অদুগা নিংথৌদুনসু মানা চাগে হায়বদা অৱাৎপা লৈতনা নুমিৎ খুদিংগী পীরম্মী। য়াম্না শেৎকনবা নুপা অসিসু নিংথৌগী অরৈবা থবক খুদিংমক নুমিৎ খুদিংগী কন্না শুরম্মী। নিংথৌনসু মানা শেৎকে হায়বা খুদিংমক অৱাৎপা লৈতনা মঙোনদা পীরম্মী। অদুদগী জুৱার শান্নবা নুপা অদুসু অহিং নুংথিল নাইদনা ঙাইহাক্তা ফাওবা পোত্থাদবমখৈ থবক অসি মখোয় অনীদগী শরুক অনী হেন্না শুরম্মী।

অসুম্না মতম খরা লৈরক্লবা মতুংদা নেংমদি জুৱার শান্নবা পান্বা নুপা অসিনা নুমিৎ মঙানি অসি জুৱার শান্নজরগে হায়না নিংথৌদা হায়জরম্মী। নিংথৌনা য়াবীরদুনা নুপা অসিগা নুমিৎ মঙানি জুৱার শান্নবা হৌরক্লে। অহানবা নুমিৎতা নিংথৌগী অরৈবা সনা, লুপা, মণি মুক্তা থাবা হৌরক্লে। অদুদগী অনীশুবা নুমিৎতা সনা, মণি মুক্তা লৈরক্তুদুনা অরৈবা ফিরোল পুম্নমক থাবা হৌরক্লে। মদুদসু শেৎলিবা ফি অদুগা নিংথৌ লৈমশিং অমসুং মচাশিংনা শেৎলিবা ফিশিংতা মঙাইরে। অতৈ লোইনা থাদোকখ্রে। অদুদগী অহুমশুবা নুমিৎতা নিংথৌগী অরৈবা ফৌ চেং থাবা হৌরক্লে। মদুদা নিংথৌগী ফৌগৈ চেংগৈ পুম্নমক লোইশিল্লক্লে, কোনুংদা মঙাইরে। মতম অসিদা নিংথৌ অসি য়াম্না শাওরক্লে। অদুনা নিংথৌনা মনাইশিংদা হায়রকই, ইনাইশা মসিগী নুপা অসি য়াম্না ফত্তবা নুপানি। নিংথৌ ঐগী ইপোৎ ইরল অমত্তা লৈরক্ত্রে অদুনা মসি কুইনা থম্বা য়াবা মী নত্তে। নুমিৎ হুম্নিদা শান্নরিঙৈদা কোনুংদা মঙাইরে। ইপোৎ ইরল পুম্নমক লোইখ্রে। মসিদা নুমিৎ মঙানিগা শান্নহল্লবদি ইসু ইচা নিংথৌ ঐমক জুৱারদা লোইনা থাদোকখিবা য়াই। অদুনা নুমিৎ মঙানি শুদ্রিঙৈদা মাবু হাত্তবা য়াদ্রে।

অসুম্না নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না নিংথৌগী মনাইশিংনা নুপা অদুবু নুমিৎ হুম্নিগী নুমিৎ তাশিল্লকপা অদুৱাইদা থাঙনা মঙক কক্কুনা মথৱাই লৌরে।

অসুম তৌদুনা নুপা অসিগী নুমিৎ হুম্নিগী জুৱারদা মরল মথুম লৈখ্রবা নিংথৌ অসি খাঙবা ঙমদ্রদুনা নুপা অদুবু মনাইশিংনা নুমিৎ মঙানি য়ৌদ্রিঙৈদা হাত্তোকহনখি। অদুগা জুৱার হায়বা মশান্না অসি মী মুৎপা য়াবা মশান্ননি, মসি লৈবাক অসিদা কনা অমত্তা শান্নবা য়ারোই হায়দুনা নিংথৌ অসিনা লৈবাক মীয়ামদা লাউথোকখি। অদুগা য়াম্না চাগনবা অমসুং য়াম্না শেৎকনবা মখোয় অনীদি চাবা শেৎপনা মুৎপা লৈতবনিনা নিংথৌনা মখোয় অনীবু চানিংবদা চাহন্দুনা শেৎনিংবদা শেৎহন্দুনা মপুন্সি চুপ্পা নুংঙাইনা থম্বীখি।

ৱারী লীবিরকপী	:	লিকমাবম ওংবী তম্ফা দেবী
তাং	:	২৬-৫-২০১০
চহী	:	৫৯
শিনফম	:	য়ুম কোইবী
লৈফম	:	খুরাই চিংঙ্গাবম লৈকাই।

য়োং অমসুং অঙাং

থায়না মমাংঙৈদা মতৈ-মনাও অমনা য়োং অমা লোইরম্মী। য়োং অসিসু য়াম্না শিংই। মরম অসিনা মখোয় মতৈ মনাওনা য়োং অসিদা মচা শিন্নরল্লগা থবক ইনখাং শুবা নোম্বা চৎলি। অদুগা য়োং অসিনা নুমিৎ খুদিংগী অঙাং অসিবু পিজ পিথক তৌবা অসিনা মহাক্কী মথৌনি।

অসুম্না মতম খরা লৈরক্লবা অসিদা নোংমদি য়োং অসিনা অঙাং অসিবু ঈরুজবিগে হায়দুনা খুদেং অমদা ঈশিং খরা হৈরগা ফমহল্লম্মী। মদুদা অঙাং অসিনা হেক ফম্বগা ঈশিং অদুদা মখুৎনা পোপ, পোপ থাদুনা শান্নরম্মী। মদু উবদা য়োং অসিসু ঙাইহাক শান্নজরসনু খন্দুনা য়েংদুনা লৈরে। ঙাইহাক অসুম য়েংলম্বদগী য়োং অসিনা উইনিংলক্তুনা উইদুনা লৈথোক্লে। মতম অসিদা মখোয়গী ইংখোলদা লিন লাবা অমগা মশা লুম্লবী অমোম অমগা লৈরম্মী। মতম অদুদা লিন অমোম অসিনা ঈশিং য়াম্না খৌরাংলক্তুনা লাবা অদুদা হায়রম্মী "ইবুংঙো ঐ ঈশিং য়াম্না খৌরাংলে। অদুনা অঙাং অসিনা ঈরুজরিবা খুদেং অসিদগী ঈশিং খজিক্তো থকচরুগে"। অসুম্না হায়রকলবদা লিন অসিনা হায়রকই "ইবেম্মা নঙ নশাগা লুম্বনে, অঙাং অসিনা নঙবু পায়দুনা শান্নরক্লবদি নঙ শাউদুনা চিকপিরুগনি। য়ারবদি অতোপ্পা মফম অমদগী থকউচো"। অসুম্না হায়রকপা অসিদা লিন অমোমনা অমুক খুল্লকই, ইবুংঙো ঐ করিসু তৌজরোই, থকচরুগে। অসুম্না হায়রক্লবদা লিন অমোম অদু অঙাং অদুগী মনাক্তা ঈশিং থকপা লাক্লে। লিন অমোম অদুনা খুদেং অদুদা কাখৎলক্লগা ঈশিং থক্কে তৌবদা অঙাং অদুনা লিন অদুবু পায়রগা খুদেং মপান্দা তাক তাক থাদুনা শান্নরে। মতম অসিদা লিন অমোম অসি খাঙবা ঙমদদুনা অঙাং অদুদা কোক চিক্লুরে। অদুদগী অঙাং

অদু মুশুক মুনা কাহত্তুনা শিদুনা লৈরে। অদুগা লিন অমোম অদু ঈশিং থক্লগা হনখ্রে। মতম অসিমক্তদা য়োং অসিসু মীৎকপ থোক্লক্লে। মহাক্না মীকপ হেক থোক্লকপদা খঙনিং নীংশিংলক্তুনা অঙাং অদুবু য়েংলুবদা অঙাং অদুদি মুশুক মুনা কাহত্তুনা শিদুনা লৈরম্লে। মদু উবদা য়োং অসিনা খল্লি। অঙাং অসি লিননা শোয়দনা চিক্লম্বা তারে। অদুনদি মপা মমা লাক্ক্রিঙৈদা অঙাং অসি হিংহন্দবা য়াদে। অসুম্না খল্লদুনা য়োং অদুনা শিদয়াই থিবা চৎখ্রে। মমা মপানা হেক য়ৌরকপদা অঙাং অদু মুশুক মুনা কাহত্তুনা শিদুনা লৈবা উরে। অদুগা য়োং অদুদি লৈরমদ্রে। অদুদগীদি মখোয় মতৈ মনাওনা মচা অদুবু কোন্দুনা নোং খোংবগুম কপ্তুনা লৈরে।

অসুম্না কপ্লিঙৈ অসিদা য়োং অসিসু য়াই অমা উন্নগা ময়ুম তম্না পরপ পরপ চেল্লক্লে। মদুদা নুপা অসিগা নুপী অসিগনা য়োং অদুবু হেক উবদা শাউমনখিদুনা উতুপ্না থাদুনা হাত্তোক্লে। মতম অসিদা য়োং অসিগী ময়াদগী ইরং লংবা পোৎ অমা চোংথোরক্লে। মদু উবদা মখোয় মতৈ মনাওনা য়াই অদুবু খুল্লগা অঙাং অদুগী ময়াদা হাপচিনবা মতমদদি অঙাং অদু তুম্মুবগী মতৌগুম্না হৌগৎলক্তুনা ঈশিং অদুদা শান্নদুনা লৈখ্রে।

অদুগা মখোয় মতৈ মনাওনা খন্নে অঙাং অসি করিগুম্বা লিন অমনা চিক্তুনা শিরম্বা তারে। মদুদা য়োং অসিনা শিদয়াই থিবা চৎলম্বা তাই। ঐখোয় অসি ৱাখল ওস্থোক্না থেনখ্রেদা অসুক কান্নখ্রবা য়োং অসিবু ৱাহং পাউহংদবা মখৈ শাউবনা হেনমন্দুনা হাত্তোকপীরে। কোন্না অচুম্বদু খঙলক্লবসু অশিবদুদি হিংগৎলকউ য়াদবনিনা মতৈ মনাও য়াম্না নীংঙমদনা পুন্সি লেনখি।

ৱারী লীবিরকপী : লিকমাবম ওংবী তম্ফা দেবী
তাং : ২৬-৫-২০১০
চহী : ৫৯
শিনফম : য়ুম কোইবী
লৈফম : খুরাই চিংঙ্গাবম লৈকাই।

অপঙবা ময়াম্বা

থায়না মমাংঙৈদা খুল অমদা লাইরবা ব্রাহ্মণ অহল অমগী মচানিপা অনীখক লৈরম্মী। মচানুপা অহলদি পংই, অদুগা অতোমবদি য়াম্না শিংঙি। অহল ওইরবা মপা অদু ফমুংদা কুইনা নাদুনা লৈরে। মচা নিপা অহলনা মপাগী সেবা ফি শুবা, ঈরুথোকপিবা, চাক থোঙবা মপাগী মনিং থুঙনবা সেবা তৌরি। মতম খরা লৈরগা মপা অদু শিখ্রে। শ্রদ্ধ কর্ম্ম লোইখ্রবা মতুংদা মচিল মনাউ অনী অদু মপানা থম্বীরমবা ষনবী, হৈনৌ পাম্বী, কাঙখল, য়াইপুবা খুজাইনে পোৎশক মখল মরি অসি য়েন্নরসি হায়দুনা মনাউ নুপানা “ তাদনা অহলনি, অহলনা মকোক লৌফম থোকই ” হায়না মপানা থম্বীরম্বা যনবী অদু মকোক্তগী তঙখায় অদু ময়াম্বদা পীরে, লেমহৌবা তঙখায় মমৈ ফাওবা অদু মাগী ওইরে। হৈনৌ পাম্বী অদুসু মখোঙদগী ময়াই ফাওবা তঙখায় অমা ময়াম্বদা পীরে। লেমহৌবা তঙখায় মশা মরেং য়াওবা শরুক অদু মানা লৌরে। কাঙখল অদুদি অয়ুক নুংথিলদা ময়াম্বা শিজিন্নৌ হায়দুনা পীরে, নুমিদাং মতমদনা কাঙ ক্তনবা মানা খল্লি। খুজাই অদু মানা লৌনিংদুনা ময়াম্বদা তাদা খুজাই অসিদি ননাউনা অতোম্বনি ইপানা থম্বীরম্বনি ইপা য়েংবগুম য়েংজদুনা থমজগে অসিমদি ননাউনা ফংজরগে হায়দুনা মানা লৌরে। অসুম্না মপানা থম্বীরম্বা পোৎ চৈশিং অদু য়েন্থোক্লরে ময়াম্বা অদুদি অপঙবনিনা মনাউ নুপানা হায়বতা হরাউ হরাউ অদুমক য়াই। মনাউনা হায়বা অদু অচুম্বনি খল্লি। মরক মরক্তা অসিমা পুরকউ, অসিমা থাঙলকউ হায়বদু অদুমক য়াই।

নোংমদি ষনবী অদুনা মীগী ইখ্খোলদা চঙদুনা য়েঙ্খাং নাপী চারুরে, ষনবী মপু থিরকপদা ব্রাহ্মণ মচিল মনাউগীনি খঙলদুনা,

ঐগী য়েঙ্গাং নাপী চাখিবসি নখোয় নচিল ননাউনা শিংফম থোকই, শিংঙু হায়রবদা মনাউ নুপানা তাদগী শরুক মকোক্কা চারুবনি ঐনা শিংফম থোক্কে, তাদনা শিংফম থোকই হায়দুনা মনাউ নুপানা শিংঙু য়াদ্রবদা ময়াম্বনা শিংখি। নুমিৎ খুদিংগী নোং হেক ঙানবগা ষনবী অদুনা চানবা শজিক ফানবা ময়াম্বগীনি, মরমদি মাগী মকোক থংবা শরুক্তা মচিন য়াউবনিনা, মচিন্না শজিক চাবনিনা। অদুগা ষনবী অদুনা মচা পোল্লকপনা মনাউ নুপানা মাগী শরুকনি হায়দুনা লৌই। শঙ্গোমসু মাগী শরুক তঙখায়দগী থোকপনি হায়দুনা ময়াম্বদা পীজদে। হৈনৌ অদুসু মশাদগী মনা কেল্লকপা মানা খুন্দুনা মৈ থাই, হৈনৌ পাল্লবসু মাগী শরুক্তা পানবনি হায়দুনা মানা চাই। নুমিদাংদা কাঙ চিকপা মতমদা কাঙখল অদুসু মানা খল্লি।

অসুম্না চহী অনী অহুম হৌখ্রে। মনাউ নুপা অশিংবগী ফত্তবা পুকচেল অদু কৈরোল লৈকাইনা অপঙবা ময়াম্ববু মনাউনা শিজিন্নরিবা অদু উবদা মীয়াম্না ময়াম্বসি নুংঙাইতেনে, ময়াম্বসিদা তৌবিরিবা অসিবু করি মতৌনো? অসুম্না চিবোন চিবোন ঙাংনৈ। নোংমা লৈপুং ফমবদা অহল লমন্না অপঙবা ময়াম্বা অদুদা লৌশিং তাকপীরে। অহলশিংনা লৌশিং তাকপীবদগী ময়াম্বা অদুনা মনাউ নুপা অদুদা শাউনিংলে। মবুক ফত্তবা, ঐসু কুমৈ হৌরগেদো হায়দুনা মনাউ নুপানা শঙ্গোম শুল্লিঙৈদা ময়াম্বা অদুনা ষনবীদুগী মঙক্তা পুল্লিবা থৌরীদু পায়রগা চিংদুনা পুরক্লে, মনাউ নুপা অদুনা "তাদনা যনবীদু চিংলিবা করিগীনো"? ময়াম্বা অদুনা মনাউদা "নঙগী নথৌ করি লৈবগে, ঐগী শরুক চিংজবনি। নবুক ফত্তবা নঙনা পোৎয়েল ফজদবা, ইয়াম্বগী শরুক মকোক অসিগী চানবা নুমিৎ খুদিংগী শজিক ফানবদা ৱারে। মীগী ইঙ্খোলদা চঙদুনা য়েঙ্গাং নাপী চারুবসু ইয়াম্বগী শরুকনি হায়দুনা ঐনা শিংবা। ইয়াম্বগী শরুকসি মীঙোনদা শান্দোকলুরগে, নত্রগা মীঙোন্দা য়োন্থোকখ্রগে" হায়রকপদা ময়াম্বগী ৱাদু তাবদা মনাউ নুপা অদু নুংশা থিদুনা "তাদগী শরুক মকোক

অদুনা চাগদবা শজিক অদু ঙসিদগী ঐখোয় অনীনা ফানমিন্নরসি ষনবী অমদি শনাও অসিসু ঐখোয় অনীগী ওইরসি শঙ্গোমসু চামিন্নরসি” হায়দুনা মনাউ নুপানা থেল্লবদুদা ময়াম্বদু য়ানিংলে।

অদুগা অমুক নোংঙানবগা ময়াম্বনা লৈকাইদগী শীংজং পুরক্লগা মাগী শরুক হৈনৌ পাম্বীগী মখোঙ অদু য়ান্থৎলগা শীং ওইরগা লোইরে পোৎয়েল ফজদবা, হায়রম্লগা শীংজং অদুনা হৈনৌ পাম্বী অদু য়ানগে তৌরম্মী। ময়াম্বগী মতৌ অদু উবদা মনাউ নুপা অদু নুংশা থিদুনা তাদগী মখোঙগী শরুক অসি কক্লগনু ঐগী শরুক মশা অদুসু ঐখোয় অনী শীং থামিন্নরসি, অদুগা অপানবা হৈনৌদু চামিন্নরসি ঙসিদগী ঐখোয় অনীগী ওইরসি। মনাউ নুপা অদুগী ৱাদু তাবদা ময়াম্বসু য়ারে। কাঙখল অদুসু নোংঙানবগা ময়াম্বনা মাগী মতমদা ঈশিংদা তিংলগা থম্লে। নুমিদাংদা মনাউ নুপানা থাগে হায়রকপদা ময়াম্বনা খুম্মী “কাঙখল অদু মোৎলে শুদোক্কে হায়দুনা ঈশিংদা তিংলগা লৈরে।” মনাউ নুপা অদু কাঙখল খনদ্রবনিনা অহিং অদু কাঙনা চিক্লে। নোংঙানবগা মনাউ নুপানা তাদনা নুমিৎ খুদিংগী ঈশিংদা তিংলবদি খনবসু য়াররোই, থুনা শেগায়রনি। অদুনা ঐখোয় অনীনা কাঙখল অসি নোংমা নোংমা খন্নরসি হায়রবদা ময়াম্বা অদুসু হরাউ হরাউ য়ারে। অসুম্না মমৈথংদা মচিল মনাউ অনী শিংবা মান্নদুনা পুন্না তিন্নদুনা লৈমিন্নদুনা নুংঙাইনা পানখি।

ৱারী লীবিরকপী : লিকমাবম ওংবী তম্ফা দেবী
তাং : ২৬-৫-২০১০
চহী : ৫৯
শিনফম : য়ুম কোইবী
লৈফম : খুরাই চিংঙ্গাবম লৈকাই।

নিঙোল মন্বা অপঙ

থায়না মমাংঙৈদা য়াম্লা শাথিনা পঙবা নুপা অমা লৈরম্মী। মহাক পঙবগী মতিক মপাঙ্গল শাথিনা কল্লি অদুগা মবুকসু ফৈ। মীনা ঙাংলবসু চৈরবসু শাউদে, মাবু মীনা নেক্তুনা থবক হেক হেক শিজিন্নবী। মীনা থাগৎলগা মাগী মপাঙ্গল অরৈবা পুথোকতুনা থবক শুই। নোংমা ইনাক খুনবা অহল অমনা মাগী মবুক তিংবা পঙজবা অদুদা মচানুপী লৈশাবী অমা পীদুনা নিঙোল মন্বা ওইহনগে খন্দুনা অপঙবা নুপাদু অহলগী ময়ুমদা পুদুনা লাক্লগা মাগী মচানুপীগা লুহোংবীরে। ইনাক খুনবা মনেম, মকুগী য়ুম ফজবা অদু উবদা ইঙক ঙক্লা য়েংদুনা লৈরম্মী। মনেমনা চাক থোংবা লোইরদুনা মহৈ মহৈ চাক চানরে। অপঙদা মনেমনা "অঙাং নঙসু চাক চারো" হায়দুনা কৌরে। চাক অদু অহানবা নুমিৎনিনা ইকাইদুনা য়াম্লা চারোই খন্দুনা মনেম অদুনা চাক্কু পুখমদা য়াম্লা হাপ্তুরে। অপঙনা চাক্কো লোইনা চারে, পুখম অদুদা চাক য়াওদ্রে অদুগা অদুম ফমদুনা লৈরে, হৌগত্তে। মনেমনা চাক ওক্ত্রমাল্লে হায়দুনা অমুক হাপ্লে। অদুসু অপঙনা লোইনা চারে, মথং-মথং হাপ্লকপা খুদিং অপঙনা পঙচাদা চারে, মমৈথংদদি মবুক পিক থল্লবদুদা পঙহাপ্তা হাপ্লকই, হায়রগা ফুক হৌগত্তুনা মখুৎ হাল্লে, মচিন ময়া মখুৎ তৈথোক তৈথোক্লা ফমুংদা চঙশিল্লক্লগা য়েংবদা অমুক্তসু উখিদ্রিবা ফমুং অমদি খল্লিবা কাঙখল অদুনা জোম-জোম ফজনা থাদবা অদু উবদা করম্লা তুমগদগে খনবদা ঙকখি। ইমুংগী অরু-অহেন ময়ামদু অপঙগী পুন্সিদা অমুক ফাউবা উখিদ্রিবনিনা ঙক্তুনা কোয়চৎ চৎলগা অমদা অমুক য়েং অমদা অমুক চৎ তৌরিঙৈদা ময়ামদি চাক চাবা লোইনরদুনা তুম্নবা মাগী মাগী ফমুংদা হীপ্লখ্রে। অদুবু অপঙদি হঙ্গৎ হন্দা চৎলি ময়ামদি মিকপ অমমম তানখ্রে।

অপঙদি করম্না তুমগদগে খনবমখৈ খল্লগা মসিদি খাঙেন মথক্তা কারগা ফমুং ময়ায়দা চোংথরগে খন্দুনা খাঙেন মথক্তা কাখৎখ্রে মদুদগী ফমুং ময়ায়দা চোংথরকপদা কাঙখল অদু শেগায়দুনা তারগা মহাক হিপথখ্রে। মানা তারকপগী 'দুপ' লাউবা মখোল অদুনা মনেম মকু মখোয় পুন্নমক খংদুনা হৌগৎনরকই। অপঙদি খ্রো খ্রো নাখোক্তুনা তুমখ্রে।

নোংমা মনেম্মা ময়ানুপা অপঙদা লৌ খাওরুচো হায়রবদা অপঙনা মখুত্তা থাঙ্গোল পায়দুনা লৌ খাওবা লৌবুক্তা লাকখি। লৌবুক য়ৌরগা লৌ খাওগে য়েংলুবদা ফৌ পান্বীশিংনা অমগা অমগা পঙয়েত্তা য়েৎশিন্নদুনা লৈবদু উবদা অপঙদি লৌ খাওফম খঙদদুনা ময়ুমদা হল্লক্লে। মনেম্মা অপঙদা " অঙাং ! লৌ খাওরম্লব্রা?" হংবদা অপঙনা " অবোক ঐনা লৌ খাওগে তৌবদা ফৌ পান্বীশিংদু য়েৎশিন্নবদুনা খাওফম খঙদদুনা খাওরক্ত্রে " হায়না খুম্লে। নুমিৎ অদু মনেম্মা চাক্কী মহুৎ তল হৌরগা মরোল মরোল লোল্লগা পুখমদা পীরে। মদু চাবা লোইরবা মতুংদা মনেমনা অমুক " অঙাং ঙসিগী তলগা য়েঞ্জাংগা অদুবু করম তৌবগে হাওব্রা?" অপঙনা " ওস্থোক্লা হাওখ্রে অবোক " " তলদু ইনেম্মা মরোল মরোল লোল্লগা পুখমদা থম্লম্বনি, মদু করম্না চায়। " অপঙনা " মথক থংবা থংবদু লৌরগা চায় খুম্লম্মী। মনেম্মা "হয়েং লৌ খাওবদা মথক থংবা থংবদু থাঙ্গোন্না কোৎলগা হেক খাও" হায়খিরম্মী। চহী অমগা লৈরগা পোইনু লৌরোক য়ৌরদুনা হন্দক্তি মনেম মকু অনীনা ময়া নুপা অপঙবু পুদুনা লৌবুক্তা চৎলম্মী। লম্বীদা অপঙ মখোঙ য়াম্না হামনিংলে, মহাক্না হেক ঙম্বমখৈ চপশিন্দুনা খাঙবনি। অদুবু অপঙ মখোঙ থাংদুনা চৎপা ঙমশিল্লক্ত্রে। লম্বী মপান্দা তুরেল মচা অমা থেংনরম্মী। মফম অদু খোঙ হামবদা মতা চারে খন্দুনা মনেম মকুগা চৎমিন্নবদগী লৈথহৌরে। অদুগা মহাক্লা তুরেল মপান্দা মী উবা উদবা য়েংদনা হেক্তা ফমথরগা মখোঙ হামখিরম্মী। অদুগা অপঙনা " ইস হৌজিক্তা ৱাই শংলেদা " খনখি।

মানা মখোঙ হাল্লিবা অদু থেঙ্গু অমা নুংশা য়াইরম্বদগী মপা থোক্তুনা অমাংবগী ফোঙ-ফোঙ শাবা অদুদা থেঙ্গুদু তুরেল লোমদা চৎলম্মী। অপঙনা মদু উবদা "ও! ঐগী অমাংবসিদি চৎপোয়রে, ঐদি নহানমখৈ খঙদেনা ঐগী অমাংবসিদি ওস্থোক্লা মরম মোকপোয়রে" খনখি।

নোংমদি অহিং অথেংবদা নুংঙাইনা তুম্লম্বদগী অপঙদু মখোঙ হামনিংদুনা মিৎকপ থোকখি। মাগী নুপী হৌদোক্কদবসু নুংঙাইনা তুম্বা অদুদা হৌদোক্ত্রে মানা খল্লি "ঐগী অমাংবদি মখোঙনা থোংনা চৎলি অদুনা অরাপ্পদা চৎলরোই নুপীসু খঙহল্লরোই, ফম্মাংসিদা হেক্তো হাল্লগে খন্দুনা ফম্মাংদা হামদোকলে" ময়ামনা নোংঙাল্লগা হৌগৎলকপদা ইমুংদু অমাংবগী মনমনা খাঙবা ঙম্লমদে। অপঙগী ফম্মাংদা মখোঙ হাল্লন্বা উবদা মনেম্না "অপঙ নঙদি ফম্মাংদা নখোঙ হাল্লবোইরেকো ওস্থোকপনিদা" হায়খি। মনেমগী ৱা তাবদা অপঙনা "হাইমা! মহৌশাদি হেক হেক চৎপনি, ঙসিদি কৈদৌরবনো? হায়দুনা অপঙনা ইকাইরদুনা মাগী লুখুমদা থম্বা কাঙজৈ অদু তাপ পায়খৎলগা অমাংবদা য়েংলগা হায়খি। "ঙসিদি নঙ চৎত্রবদি করি তৌরে? ফরে ঙসাই মখৈ নঙনা চৎত্রবসু ঐনা নঙবু ঙাকপিরগে। হৌজিক থুনা য়াঙনা চৎলো, নৎত্রবদি নঙ চৈ চাবা তারে ঐগী কাঙজৈ অসি উরেদনা হায়খি। অদুবু অমাংবদি মফম অদুদা অদুমক লেংদনা লৈরে অপঙদি শাউবনা লুতোন কাখ্রে। ফরে নঙ ঐনা হায়বা তাদ্রে, নঙ খঙহুকো? ঐগী ইতিক খঙদবা শারি" হায়রম্লগা কাঙজৈনা অমাংবদা 'পোপ' লাউনা থোল্লে অদুগা "কমদৌরে হৌজিক্তি করিগী চেল্লি কিরব্রা?" হায়খি। অমাংবনা পুমচাই চাইদুনা ফিরোল, কাংথোল উপু ফল্লাংদা চোংদুনা পুমতৈ তৈরে মদুদা মনেম্না "করিনো তৌরিবা সিবু লোইরেদনা ইমুংসি পুমতৈ তৈরে, লোইনা মাংথোক্লেদনা" হায়রগা মকোক্তা মখুৎ হাপ্লগা ফমথখি। অদুবু নিংঙোল মৱা অসি পঙই খঙনা খঙনা মনেম মকুনা অদুমক লুনা চান্না তৌরি। শাউনিংবা কয়া শাউখিদে কান্নররোই খল্লদুনা ময়া নুপা অপঙ অদু অঙাং মচাদা পারা

তাকপিবা অদুগুম্না মনেম মকু চংদুনা ইনৌ নৌনা পোৎকী মশক মমিং খুদিংমক অদুগা চৎনরোলনা অসিনা হায়গদবনি অসিদনা হায়রোইদবনি চৎনৈ চৎনদে পুন্বা তন্বিদুনা মমৈথংদা অশিংবা অফবা ময়া হায়বা ইনবা অমা ওইদুনা নুংঙাইনা পানখিরম্মী।

ৱারী লীবিরকপী : অঙোম অঙৌবী দেবী
তাং : ৩০-৫-২০১০
চহী : ৭৯
শিনফম : ওল ইন্দিয়া রেডিওগী শৈশকপী
লৈফম : বামোন কমপু অৱাং লৈকাই।

উচেকশিংগা ৱারী শান্নবা ঙম্বা নুপামচা

থায়না লৌউবা নুপা অমগী মচানুপা য়াম্না হৈথোই শিংথোইবা অমা লৈরম্মী। মপা মচানা নুমিৎ খুদিংগী লৌবুক্তা কুমদুনা লৌউ শিংউ তৌরগা মমানা য়ুমগী অকুপ অতা নোমদুনা ইমুং অসি য়াম্না নুংঙাইনা লৈরম্মী। মখোয়গী লৌবুক্কুগী মনাক্তা তুরেল অমা লৈরম্মী। তুরেলদু নিংথমথাদা হেক হেক কংবা মরম্না মচানুপা অদুনা অথাপ্পা মফমদগী ঈশিং শোকপা চৎলম্মী। ঈশিং শোকপা চৎপদা উমং ৱামংদা লৈরম্বা উচেক ৱায়াশিংনা খোংবসি অসুম তাবদগী মমৈথংদদি নুপামচা অসি উচেক্কী মরোল খঙলক্লে। উচেকশিং অসি ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম য়াম্না মুন্না খঙই। নুপামচা অদুনা মপাদা উচেক্কী মরোল খঙবা ঙম্লে হায়জরুবদা মপানা থবক শুনিংদদুনা উমংদা কোয়দুনা লৈগদবগী তাৎ তৌরিবনি হায়দুনা থওইবিরমদে।

নোংমদি মপানা লৌবুক্তা লৈরিঙৈদা মচানুপা অসিনা উমংদগী স্বর থবেৎ থবেৎ হোনবমখৈ চেল্লক্লগা উচেকশিংনা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অকনবা অমা তৌগদৌরে হায়হৌই অদুনা ঐখোয় য়ুমদা থুনা চৎহৌরসি হায়খিরম্মী। মচানা হায়জরিবদু মপানা থওইনা তাবিরমদে। ঙৈহাক লৈরগা নোংলৈ নুংশিৎ অকনবা অমা লাক্কুনা মপা মচাদু লৌতাংশঙ মচা অমদা য়াম্না ৱানা অহিং থেঙলফাওবা লৈখিরম্মী। অসুম্না লৈরকপসিনা নোংজু থা চঙলক্কুনা মহৈ মরোং লিংনবা মতমদা লৌউবা অদুসু মহৈ-মরোং হুনগদবগী লৌবুক্তা লৌ খোইবা চৎলম্মী। মপানা তৌরিবদু উবদা মচানুপানা " হন্দক্তি ঐনা হায়জরিবসি তাবীয়ু উচেকশিংনা নোং য়াম্না থেঙনা চুগনি হায়নহৌই, অদুনা ঐখোয়না হুনগদৌরিবা মরু-মরাংশিংসি খরা থেঙনা হুল্লসি নৎত্রবদি অরেম্বদা লোইনা মাঙলগনি হায়জখিরম্মী। মচানা হায়জরিবদু থৌওইদনা মপানা মরু-মরাংশিং অদু হুনজিল্লম্মী। নুমিদাংৱাইরম মপা মচা ময়ুমদা হল্লকপা

মতমদা লমখুনু মতৈ মনাও অনীখক য়াম্না হৱাউনা খোংবা তাখিরম্মী। মপানা করি হায়রিবনো হংবদা মচানা হায়রম্মী - "ঐখোয়না হুল্লিবা মরু মরাংশিং অসি লোইনা কংলগনি, অদুনা মখোয় মবুক পেন্না চাবা ফংলগনি হায়দুনা হৱাওরিবনি হায়রম্মী। ময়ুমদা হল্লক্লগা লৌউবা অদুনা মাগী নুপীদা থৌদোকশিং অদু তন্নগা মচানুপা অসি থবক শুনীংদ্রে, উচেক ৱায়ানা খোংবা মখোল তাদুনা লৈথোকলে হায়দুনা শাউরম্মী। মমাদি মচানুপা অদু পাঞ্জি ওইখিবা তারে হায়দুনা মথৱায় ৱাজরম্মী। মচানা পাঞ্জি ওইখিবা হায়বসি মমা মপা অনীমক্না পামজরমদে অদুনা মতৈ মনাও করি তৌসিগে হায়দুনা কুপনা তান্নরম্মী। মথংগী অয়ুক অঙনবদা লৌউবা নুপা অদুনা লাং অমা পুদুনা চৎখ্রগা মখোয়না ঙরাং থেংনখিবা লমখুনু অনীদু ফাদুনা পুরক্লে।

মথং নুমিৎকী অয়ুক্তা মচানুপানা তুমদুনা লৈরিঙৈদা মতৈ মনাও অনীনা লমখুনু অনীদু থোংদোক্লগা মচানুপানা হৌগৎলকপা মতমদা য়েন থোংবা মহীনি থকউ হায়রম্মী। মচানুপানা তেঙ্গোৎতা য়াওরিবা মহীদু উবদা অসুম্না হায়খিরম্মী "নখোয়না থোংলিবসিদি য়েন নত্তে, ঙরাং ঐখোয়না থেংনখিবা লমখুনু মতৈ মনাও অনীদুনি হায়দুনা থকউ য়ারমদে। অদুবু মমা মপানা লাও খোংদুনা চৈ থাংবদগী কিনা কিনা মচানুপা অদুনা মমীৎ উইশিল্লগা লমখুনু মহীদু থক্লম্মী।

মতম খরা লৈরবা মতুংদা মচানুপা অদু অঙাওবগী মতৌ ওনখ্রে উচেককী মরোলসু খঙখিদ্রে, থবক শু হায়রবসু য়াখিদ্রে, ফমদুনতা লৈখ্রে। মমা মপাসু মচাগী মতৌ উবদা করিনুংগী পীথক্লুবনো হায়দুনা য়াম্না নুংঙাইরমদে লৌবুক্তসু মচানুপানা হায়রম্বা মতুংইন্না ইকং থোক্তুনা মহৈ-মরোং ইরোক লোকখিদ্রে।

ৱারী লীবিরকপী	:	অঙোম অঙৌবী দেবী
তাং	:	৩০-৫-২০১০
চহী	:	৭৯
শিনফম	:	ওল ইন্দিয়া রেডিওগী শৈশকপী।
লৈফম	:	বামোন কমপু অৱাং লৈকাই।

য়ু ঙাওবগা কানি চাবগা

থায়না মমাংঙৈদা খুঙ্গং অমদা য়ু ঙাওবা অমগা কানি চাবা অমগা লৈরম্মী। কনা অমতনা তিন্নবিদবদগী মখোয় অনী মরুপ ওইদুনা লৈমিন্নরম্মী। মখোয় অনীগী ময়ুম লৈজদদুনা খুঙ্গং অদুদা লৈবা মীথুংশঙনচিংবা অহাংবা মফম থি থিদুনা অহিং য়ারেক্লম্মী। অদুবু খুঙ্গংদুগী মোংফম ময়াদা লৈবা মীথুং শঙদুদি অমুক্তা লেক্লমদে। মরমদি ময়াম্না মীথুংশঙ অদু ভুট ময়ামগী পুনফমনি হায়নবা মফম ওইরম্মী। নোংমা অহিং অমদি য়ু ঙাওবসি য়ু ঙাওমনখিদুনা মাগী মরুপ কানি চাবনা হায়বা তাদবমখৈ য়ু খরুং ময়াম অমা পুরগা ময়াম্না কিনরিবা মোংফম মনাক্কী মীথুংশঙ অদুদা চঙখিরম্মী। মীথুংশঙ অদুদা মহাক য়ু থক্কুনা লৈরম্মী। য়ু অদু অসুম থকপদা মশা অদু অসুম অসুম তেকখৎলক্কুনা মমীৎ মনা শিংগৎলক্কুনা তুম্মীংবগা অমত্তা ফাওখিদ্রে। নোংয়ায় য়ৌরকপা মতমদা ভুট অনী অহুমখক লাকপা উবদা য়ু ঙাওবনা মাবু তাইবং মীনি চিংনখ্রনি খন্দুনা "মরুপশা নখোয় ঙসিদি য়াম্না থেঙইনা" হায়রম্মী। অতোপ্পা ভুট কয়া অমসু মথং মথং মীথুংশঙদা লাক্কুনা মীথুংশঙ অদু পুমথল থনখিরম্মী। অদুদগী ভুট অমনা কোয়লৈ লৈদুনা য়েংলগা "তাইবঙ মী মনম নম্মী ঐখোয়গীসিদা য়াওরমাল্লে" হায়রকই। ভুট অমনা "অদুদি ঐখোয় ময়ামসি মশীং থীদোক্লগা চুন্থ্রা য়েংসিদনা খুল্লকই"। মদু তাবদা য়ু ঙাওবনা ফুক লাউনা হৌগৎলগা "অমা, অনী , অহুম, মরি, লোইনা চুল্লে লোইনা চুল্লে" হায়দুনা লাওরম্মী। ভুটশিং অদু মানা হায়বদু থাজদুনা তুমিন্না লৈনখ্রে অদুগা অমগা অমগা ৱারী ৱাতায় শান্নবা হৌনখ্রে। মদুদগী ৱা খরা ঙাঙ্গনবা ভুট অমনা "মরুপশা নখোয় ময়াম ঐনা ফমলিবা মফমসিদা সনাগী চফু তরেৎ

ফুমদুনা লৈ হায়বসি খঙব্রা হায়রকই। য়ু ঙাওবনা ভুটনা ফল্লিবা মফম অদু খঙজিলে মখোয় ময়াম ৱারী শান্নদুনা নোংঙানবফাও লৈরে। নোংঙাল্লগা মখোয় চৎখ্রগা য়ু ঙাওবনা সনা চফু তরেৎতু লৌথোক্লে মহাক্না ময়ুম ফজখ্রবা অমা লৈদুনা মাগী মরুপ কানি চাবদুগা নুংঙাইনা লৈরে।

কানি চাবা নুপা অদুসু মীথুংশঙ অদুদা চৎখ্রে। মাদি কানি পিক থন্না চাশিল্লুবদগী তুম্নীংমনখিদুনা ভুট ময়াম লাকপা মতমদা তুমদুনা লৈরে। ভুট ময়াম্না "ঙসিসু মী মনম নম্মী নহালসু অতোপ্পা মী য়াওরমদুনা ঐখোয়গী সনা চফুশিংদু পুখ্রে ঙসিসু মশীং থীসি" হায়রে। অমনা হৌগৎলগা মশীং থীবদা অমা হেল্লে। চিংনদুনা ভুট অমনা কানি চাবগী মনাক্তা চঙশিল্লগা য়েংবদা তাইবঙ মীনী হায়বা খঙলক্লে। মখোয় ময়াম চঙদুনা কানি চাবগী মনাতোন অদু অসুম চিংবদগী থাগায় অহুম শাংদোকখ্রে। অদুদগী কানি চাবদু মতোমদা হুন্দোক্লকল্লগা ভুটশিংদু চৎখিরম্মী।

মথংগী অয়ুক্তা য়ু ঙাওবা নুপাদুনা মাগী মরুপ থিরকপা মতমদদি মীথুংশঙ মনুংদা শিরুম নারুম তৌদুনা লৈরম্বা থেংনরে। লম্বীদা কানি চাবগী মনাতোন অশাংবদু উবদা অউবা পুম্নমক্না নোকখিরম্মী। য়ু ঙাওবনা ৱারুনু নঙগী ফনবা হীদাক ঐনা চত্তুনা থিরুনি হায়দুনা মাগী মরুপপু থেমজিনবীরম্মী। য়ু ঙাওবনা হান্নগী মতৌগুম মীথুংশঙদা অমুক লৈরম্মী। মানা ভুট ময়াম য়ৌরকপগা হায়রম্মী "ঐদি ঙসিসু তাইবং মী লৈরমগদ্রা হায়দুনা ঙন্না লাক্লবনি" অদুদগী ভুট অমনা "ঙসিসু তাইবং মী মনম নম্মিনে" হায়রকই। য়ু ঙাওবনা হান্নগী মতৌগুম মশীং থীবদা ভুট ময়ামদু থাজরদুনা ৱারী শান্নবা হৌনখ্রে। তাঞ্জা য়েংলগা য়ু ঙাওবনা হায় "ঐনা ঙকলিবদী ঙরাংগী মনাতোন অশাংবদু তেনশিল্লকখিদ্রা" মদুদা লৌশিং শিংবা মানবা ভুট অমনা খুমলকখি "পরপ পরপ নুংগী ওক মচা অমনা মনাতোন মতোলদা তকহৌরবদি ফরক্কনি" মদু য়ু ঙাওবনা খঙজিনখি ভুট ময়াম চৎনখ্রবদা

য়ু ঙাওবা ময়ুমদা হল্লক্তুনা মাগী মরুপ কানি চাবদুদা নুংঙাইবা পাউ অদু তমখি। কানি চাবনা য়াম্না চেকশিন্না নুংওক মচা অমনা ৱমনাতোন্দু তক্লে। মদুদগী মনাতোনদু হান্নগী মওং অদুদা হঞ্জিনখ্রবদা নুংঙাইনা লৈখ্রে।

ৱারী লীবিরকপী : কাংঙুজম ইবেনী দেবী
তাং : ৩০-৫-২০১০
চহী : ৬৮
শিনফম : ফি য়োনবী
লৈফম : বামোন কমপু মনিং লৈকাই।

শজিগা ক্লাকক মতা শান্নবা

থায়না মমাংঙৈদা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমদা শজি অমোম অমা লৈরম্মী। মহাক্কী শজি লাবা মপুরোইবদুসু নহা ওইনা য়াম্না ঙন্না শিখিরম্মী। শজি অমোম অসিনা মপুরোইবা শিখিবগী য়াম্না মথ্বায় নুংঙাইতনা মোংশোং অমদা ৱাখল তৌরদুনা লৈরিঙৈদা ক্লাক অমনা লাক্লগা হায়রকই “হা ইতা নঙ করি তৌরিবনো” হংলিবা ৱাহংদুদগী শজি অমোম অদুনা ৱারী পুম্নমক ক্লাক্তা লীরম্মী। ক্লাক অসিনসু হায়রকই মদুদি মখোয় অনীমক চপ মান্নরে। মাগীসু মপুরোইবা শিখ্রে হায়রম্মী। অদুনা নুমিৎ অসিদগী হৌনা মতা শান্নরসি হায়দুনা মখোয় অনী মতা শান্নমিন্নরে। নোংমগী নুমিৎ অমদা ক্লাক অসিনা শজিদা হায়রকই “ইতা নঙ শংবদগী করিমতা অনৌ অপেন চাবা ফংদরে অদুনা উহৈ ৱাহৈ পানবা মফম অমদা কোয়রুখিগে। ইতা নঙনা করিগুম্বা অৱাবা তারক্লবা মতমদা নতা ঐবু কৌরকউ।” ৱাফম অসি হায়রল্লগা ক্লাক অদু চৎখরে। তাঞ্জা অসিদা লমহুই অমোম অমনা শজি অমোম অসি হেক উবা মতমদা হরাউবগা লোয়ননা চাবা য়ারনি খনবদগী মখোয় অনী মতা শান্নরসি হায়না লমহুইনা হায়বদগী মখোয় অনীসু নুমিৎ অদুদগী হৌনা মতা শান্নরম্মী। লমহুইনা শজি অমোম অসিদা ফত্তবা ৱাখল তৌরদুনা হায়রকই “ইতা শজি নখোয়দি য়াম্না চাগনবনি অদুনা হৈক্রু হৌবা মফম থিরুসি অদুগা ইতা ঐখোয় অনী চামিন্নসি।” লমহুইদু হৈক্রু হৌবা মফম থিবা চৎখিরম্মী। লমহুইনা খল্লি করিগুম্বা শজি অসি মানা পুদুনা লাকপা মতমদা লাং অমদা হেক মখোঙদুদা থুদুনা লৈরিঙৈ তাঞ্জা অদুদা মানা চংশিন্দুনা চারবদি হাওখ্রনিদা হায়না খল্লগা লাকপা মতমসিদা লাং থাক্লগা থল্লম্বা মফম অমা থেংনরে। লমহুইনা ফরেদা

মহাক্লা নিংদুনা লাকপসিদি মফমসিদা লৈরেদনা খল্লকই। হৌজিকমক ইতা শজি লৌরুদবা য়াদে হায়দুনা শজি অদুগী মনাক্তা লাক্তুনা হৈক্রু চারুসি হায়দুনা শজি অদুবু তাৎ তৌদুনা পুবিরক্লে। লমহুই অদুনা লাং লৈবা মায়কৈলোমদা শজি অদুবু পুদুনা লাক্লে। লাইবক থিবদগী শজি অদু লাং অদুনা থুবদগী মখোঙ মখুৎ অদু ফনা কন্না হোৎনরবসু নাম্থোকপা ঙমদরে। লাং অদুসু হাইগৎলাং ওইরম্বদগী উ কাচি অমগী মথক্তা হাইগৎখিদুনা লৈখ্রবোইরে। লমহুই অসিনসু চাবা ফংদরে মানা নিংবা পুন্নমক লোইনা কায়রে। লমহুইনা অমুক খল্লকই লাং থাক্লিবা নিপা অসিনা লাংদগী শজি অসিবু লৌথোক্লগা শেল্লকপা মতমদা মহাক্লা চেনশিল্লগা লাক্তুনা চাথোক্কে খল্লদুনা নাথৈদুনা মফমদুদা লৈরম্মী। শজি অসিনা মতা ৱাক অসিবু নিংশিংলক্তুনা হন্না-হন্না কৌজরম্মী। ৱাক অসিনা শজিদুনা কৌবা তারদুনা মনাক তম্না পাইশিল্লকপদা হাইগৎলাং অমনা শজিদুবু থুদুনা লৈরম্বা উবদা য়াম্না মথ্বায় ৱানা শজিদুদা হংলম্মী। ৱারী পুন্নমক শজিদুনা লিবদগী মহাক্লা লোইনা খঙলম্মী। ৱাক্লা ৱাখল তৌরগা হায়রকই "ইতা শজি ঐদি নঙগী নথ্বায় কনবা ঙমগনি হায়বসু থাজদে অদুবু ইতা লাংগী মপু অসিনা লাকপা মতমদা ঐনা ইতা নঙগী নিঙ্গোং অসিদা ইচিল অতুম্বা অসিনা হন-হনদুনা চাগে। লাং মপু অসিনা ঙরাং শিবা ওইরমগনি অদুনা পুন্নম্লগনি খন্দুনা লৌথোক্লগা লৈবাক্তা থম্বা মতমদা ঐনা 'ইতা' হায়না কৌরকপা মতম অদুদা হৌগত্তুনা চেনখরো। ইতা নঙ ঐগী ইচিল অসিনা হনবা মতমদা নারবসু লেংদনা লৈয়ু।" অসুম্না শরৌ শিন্নরবা মতুংদা মখোয় অনীমক লাং মপু লাকপা ঙাইদুনা লৈখিরমই। লাং কায়বা লাকপা উবদা ঙসাই ৱাকনা হায়বা অদুম্না শজিদুদা তৌরম্মী। মদু উবদা লাং মপু অদুনা ঙরাং শিবা ওইরম্লনি অদুনা পুন্নম্লনী খল্লম্মী। মতমদুদা ৱাকনা ইতা হায়না কৌরকপগা শজি অদু ফুক হৌগৎতুনা লমহুইনা লোৎলগা লৈবা মফমলোমদা চেনশিনখিদুনা লোক তম্না চেনখিরম্মী। মতম অদুদা লাং

মপু অদুনা শজি অদুবু তান্নরকপদা লুমদুনা লৈরিবা লমহুই অদুবু থেংনদুনা লাং মপুদুনা পায়রিবা তা অদুনা লংদুনা হাৎলগা লাইনা তম্বীরক্লবনি খনদুনা ময়ুমদা মদুবু পুদুনা হনখিরমই। লানজদবা শজি অমোম অদু য়েক্লবশিংগী মখুৎতগী নানথোক্তুনা নুংঙাইনা পানখিরম্মী।

ৱারী লীবিরকপী : নিংথৌজম তোম্বী দেবী
তাং : ২১-৬-২০১০
চহী : ৭৪
শিনফম : পোৎফম ফম্বী (মনা মশিং য়োনবী)
লৈফম : ঘরী অৱাং লৈকাই।

থেবা লৌশিং

থায়না চাউখ্রবা চীংমায় অমদা থেবনা পুল্লে অমদি য়াইপল হেল্লগা চারিঙৈদা কৈ চাউখ্রবা অমনা থেবদু হেক উবদা চানিংমনখ্রদুনা মহাক্লা চারিবদো করিনো হায়না হংলম্মী। থেবনা পুল্লে অমসুং য়াইপল অনৌবা মতোন্নি হায়না কিনা খুমলম্মী। কৈনা অদু ওইরবদি মাসু খজিক্তা চাগে হায়খি। থেবনা চাবিয়ু য়াগনি ঙাইহাক্তা পোৎথাবীয়ু অদুগা অনৌ-অনৌবা হেল্লগা অদোমগী য়াদা ইঞ্জরক্কে হায়বদা কৈদু তুমিন্না য়ারদুনা লৈরম্মী। থেবনা পুল্লে অমসুং য়াইপল মতোন ইন ইন্দুনা পীজবদা কৈদু নুংঙাইমন্দুনা তুমথখরে। তাঞ্জা অসিদা থেবনা চেন্দুনা শিংমিৎ অমদি তৌ মতোন অদুদা তোংদুনা শান্নরগা নুংঙাইনা লৈরে। কৈনা মিকপ থোক্লকপদা থেবদু লৈরমদ্রবদা শাওদুনা থির-থিরদুনা লাকপদা তৌ মতোন্দা শান্নদুনা লৈবদু মহাক্লা উরম্মী। ঙসিদি খংগনি ঙরাংসু তাৎ তৌদুনা চেনখি হায়না হায়রকপা তাবদা থেবদুনা খুমলকই "ঐদি ঙরাংগী থেবদু নৎচদে। ঐদি তৌ মতোন্দা তোংবা থেবা হায়বদুনি থেবদা জাৎ খায়দোকই।" থেবগী পাউখুম তাবদা কৈদুনা মাসু তৌ মতোন্দা অমুক্তা তোংহল্লু হায়রবদা থেবনা কৈ অদুবু তৌ মতোন্দা তোংহল্লে। কৈনা তোংলগা থেবনা অসুম নোম্বদা নুংঙাইমনখ্রদুনা কৈদু তুমথখরে। থেবনা কৈগী মতু অশাংবশিংদুনা তৌগা পান্নদুনা পুনশিন্দুনা থম্বীরল্লগা থেবা চেনখরে। কৈনা মীৎকপ থোরকপদা থেবদু লৈরমদরে। কৈনা চৎকে তৌবদা মতু ময়ামদু পুনবীরল্লবদা চৎননবা হোৎনরকপদা মশা পুম্বা মতু কেল্লে।

মথংগী নুমিৎ অমদা কৈনা থেবা অদুবু অসুম থীরকপদা খোং অমদা ঈশিংতুনা ঙা ফারগা চাদুনা লৈরিঙৈদা অমুক থেংনরে। কৈনা

থেবনা মঙোন্দা ঙাইহাক লৈতনা উশিংতবগী চাথোক্লগে হায়দুনা চেনশিল্লকপদা থেবনা কপশিন্নদুনা কৈদা হায়রকই - ঐদি ঙাইহাক লৈতনা তাৎ তৌবা থেবা অদুদি নত্তে। মখোয়দুদি জাৎ অমনি ঐদি থেবা ঈশিংপা হায়বদুনি। ঐদি ইচা ইশু অমদি ইমুং মনুং পুন্নমক লোয়না থাক্তুনা লৈরিবনি। ঐহাক লৈত্রবদি কনানা য়ুম পুবিহৌগনি। ঐবু হাৎতোকপীগনু ফারিবা ঙা ময়ামসি অমমমতা ওইনা ইঞ্জরক্কে লোইনা চাবিয়ু। থেবনা ঙা ময়াম অদু অমা, অনী, অহুম, অসুম অসুম ইনশিল্লকপদা হাওমনখ্রদুনা কৈ অদু তুমথখরে। থেবনা খল্লি "মহাকসি হাৎত্রবদি ঐনা চৎপা মফম খুদিংগী য়েৎতুনা লৈরগনি। অদুনা মফম অদুদা লৈরিবা লৌতাংশং অমদগী শীংজং অমা লৌরগা মৈনুংদা ফুমজিন্দুনা ঙাংশং ঙাংহল্লে অদুগা ময়া কাদুনা তুমলিবা কৈ অদুগী মখনাউদা শীংজং অদুবু ইনশিনলে। কৈনা শামনখ্রদুনা খংদুনা চেল্লগা গুহা অমদা তাশিনখরে। কৈ অদু খুদক্তা মথ্বাই থাখরে। মতৌ অসুম্না থেবদু নুংঙাইনা লৈখিরম্মী।

ৱারী লীবিরকপী	:	নিংথৌজম তোন্বী দেবী
তাং	:	২১-৬-২০১০
চহী	:	৭৪
শিনফম	:	পোৎফম ফন্বী (মনা মশিং য়োনবী)
লৈফম	:	ঘরী অৱাং লৈকাই।

লুখ্রাবী অনী মতা শান্নবা

থায়না মমাংঙৈদা লুখ্রাবী অনীখক মতা শান্নদনা নুংশিননা লৈমিন্নরন্মী। নুপী অমনা হায়রন্মী “ইতা নঙসে, নচানুপা অমা পোকই। ঐগীসু ইচানুপা অমা লৈ। হয়েং চারোন শুরোন ফাওবা মরী তৎনগুমসি।” লুখ্রাবী অমনা হায়রকই “ইতা নিংথৌগী মচানুপী অমা লৈ, নঙ ঐ চংদুনা ইচাগীদমক লৌনবা হোৎনসি।” নুপী মচা অসিদি অসুক্কী মতিক ফজবদা লম্বা লৈরমদে। মাদি লাইফদিবী নত্তনা কনাগসু তিন্নদে ।

নিংথৌ মচানুপী অসি ময়ুম মকৈ পানবা মতম ওইরদুনা লুখ্রাবী মচা অসিদা থাজরে। লুহোংগদবা হয়েংদা ঙাইরবদা লাইফদিবী অদু পুথোক্তুনা মহাক্না কপচৈ “ইতা নঙদি ঐগা লৈমিননৌ হায়না তমলমদ্রে।” হায়না কোন্দুনা ময়াদা চাক ঈশিং অমতা তাদবমখৈ লৈরমই। মচানুপীগী মতৌ উবদা লাইফদিবী অদুনা খুমলকই “ইতা নঙগী মতেং ঙসি ফাওবদা করিমত্তা তৌবা ঙমদে অদুনা বর অমদি পিরমগে মদুদি নহাক উচেক ব্রায়া পুন্নমক্না খোংবা মখোন অসি খঙবা ওইয়ু। অদুগা ইবানি থানগুমসি, নঙগী তরঙদা মাসু চংলগে হায়না চংখিরন্মী।

নিংথৌ মচানুপী অসি লুখ্রাবী মচা অসিদা লৈরকপা ফনা মকুইরে অদুবু ঙসি ফাওবদা মনেমগী মমাং থাদুনা নোংমতা পুবীবা লৈখিদে অমদি ইংখোলগী থারিবা মনা মশিং ময়াম অদুবু চাবসু লৈতে নান নানদুনা থন্মী। পৈশা মতেক অমগী ঙাখা লৈরগা চহী অমা চানবা থন্মী। অসোমদা লুখ্রাবী মচা অমগী মমৌ নুপী অদুদি হরাউ কুম্মৈ চিৎথদনা মনেমগী মমাং থাদুনা অমদি মনিং মখা তৌদুনা

থন্মী। মমৌ অদুনসু মপুরোইবা অমদি মনেমগী সেবাদা কায়বা লৈরমদে। নিংথৌগী মচানুপীদুসু মনেম মপুরোইবগী সেবাদা লৈকাইগী তমজনফম ওইরন্মী। নিংথৌ মচানুপীগী মনেম অসি য়াম্না কন্না নারে। মতমদুদা মমৌ নুপী অদুবু চাক চখোম অমতা ইল্লুলাউ হায়দুনা কৌরগা, থোংবা থাকপা পুম্নমক তৌহল্লগা নিংথৌগী মচানুপী অদুবু মনেমদা চাক ইলহল্লন্মী। অদুবু মনেম অদুনা চাবা য়াননবা অহাও অথুম ঙা চাক্তি থোংহল্লমদে। মদুদা মচানুপা অদুনা ইমানা তৌরিবসি করিনো হায়দুনা খনখিরন্মী। নারিবা মনেম অদুগী থৱায়না কংবনা শিরমদায় ফাওবা চানিংবা অমতা পিজদ্রিবসিবু করিগীনো মঙোন্দা অমুক হনজিন্দুনা পোকপা হৌনদে হায়দুনা হকচাংগী থোঙ খুদিংদা কাওশিনখি। মনাতোন্দা কাওশিনবনা মনাতোন ফৈরে, মমিৎতা কাওশিনবনা মমিৎ তাংলে, মচিন্দা কাওশিনবনা মচিন ফৈদুনা ৱা ঙাংবা থোক্তরে, মনাদা কাওশিনবনা মনা পঙলে, অসুম্না ঙাংলিবা, কাওশিল্লিবা ময়াম অদু মমৌ সতী অদুনা ঙাংবা ওইনা মনেমদুনা তাবগা লোয়ননা থৱায় পাইথোকখিদুনা মসিদগী মপি তাদুনা কপচরগা শিখিরমই।

খরা লৈরগা অসোমগী মতা লুখ্রাবী অদুসু নাদুনা শিরে। শিবা মতমদা অতোপা লুখ্রাবীগী মমৌ অদুবুদি নিংথৌগী মচানুপী অদুনা হেন্না কপলন্মী। মরমদি মাগী ফরম্বা ময়ামদু খল্লুবদগীনি। মযুমদা লাক্লগা মপুরোইবা অদুনা ইতাওগা নঙগা মরী লৈনরবনি। মরমদি ইমা শিবদনা করিমতা কপত্রগা ইতাওগী মমা শিবদনা য়াম্না কপ্পী হায়দুনা চৈখিরন্মী। নিংথৌ মচানুপী অদুদি মপুরোইবা অদুদা লমচৎ করিমতা কায়জরমদে।

নোংঙাল্লকপদা নিংথৌগী মচানুপী অদুনা থোক্লকপা উবদা উচেক অমনা হায়রকই - নখোয়গী অৱাং থংবা তুরেল অসিদা নিংথৌগী মচানুপী কন্যা অমা মখুত্তা সনা খুদোপ য়াইওইবা থোকউ হায়বদা থোকপা অমা শিরগা তুরেলদা তাওদুনা লৈরে, পরপ পরপ

লৌহৌরু। মদু তাবদা নিংথৌ মচানুপী অদুনা চেনখিদুনা খুদোপ য়াইওইবা অদু লৌথোকনবা হোৎনবদা অশিবা মীগী মশাদগী লৌথোকপা ওইবনা য়ানা চিকলম্মী। মানা ফি থারগা ময়ানা শৎতোকনবা হোৎনবা অদুদা মপুরোইবনা মাগী নুপী অসিদি মী অশিবা চারে, লৈমিন্নবা ঙমলরোই হায়দুনা নিংথৌদা ৱাকৎলম্মী। নিংথৌনা মচানুপী অদুবু কৌখৎলগা হংবদা মানা অঙাং ওইরিঙৈদা লোয়নরকপদগী শা-উচেক্কী মরোল খঙবা ঙম্মু হায়না বর পীরম্বদগী লাই ফদিবীগা তমফা য়াই খুদোপ ফংখিবনি হায়বগী মরম পুন্নমক তমলিঙৈদা ক্কাক অমনা অমুক পাইরক্কুনা খোংলরে। "নিংথৌগী শগোল শঙ অসিদা সনানা শামু মখোঙমুক চাউনা ফুমদুনা লৈরে ফংজরু।" উচেকশিংনা খোংবগী মরোল খঙবনিনা মচানুপী অদুনা মপা নিংথৌদা তল্লে। মচানা হায়বগী মতুংইন্না মনাইশিং থাদুনা য়েংহল্লুবদা সনা লৈরম্বদো উবদা ঙকখি। নিংথৌগী মচানুপী অসি অচম্বা নত্তে হায়বসি খঙলক্কুনা মহাক্কী নুপানা অমুক হন্না লৌশিল্লম্মী। মতৌ অসুম্না মখোয় অনীমক খুদোপ অদুগী মতেংদগী য়াম্না নুংঙাই য়াইফনা পানখিরম্মী।

ৱারী লীবিরকপী	:	নিংথৌজম তোম্বী দেবী
তাং	:	২২-৭-২০১০
চহী	:	৭৪
শিনফম	:	পোৎফম ফম্বী (মনা মশিং য়োনবী)
লৈফম	:	ঘরী অৱাং লৈকাই।

শামু অঙৌবগী মচানুপী

থায়না মমাংঙৈদা চীংয়া অমদা খুঙ্গং অমা লৈরম্মী। হায়রিবা লমদম অসিদা শামু অঙৌবা অচৌবা অমা লৈরমবোইরে। লুখ্রাবী অমনা লৈত-লায়রা তানবা চৎপসিদা শামু অঙৌবা অসি নুংতিগী থেংনরম্মী। নোংমদি লুখ্রাবী অসিগী থোঙ্গান্দা কুন্দুনা লন্বী থৎলে। লুখ্রাবী অসিনা চৎকে হন্দোকউ কন্না হায়জে। অদুবু শামু অঙৌবনা মাগী মথক্তা লাল্লগা চৎলু হায়মনবদগী কারগা চৎলকপদা নুমিৎ মঙানি শুরক্লে অদুদগী শামুদু উমংদা অমুক চৎখরে। লুখ্রাবীসি মীরোল্লদুনা মচানুপী ফজখ্রবা অমা পোকলমই। অঙাংশিনা মমান্নবা ময়ামগা শান্নমিন্নবদা মপা মশক খংদবগী মচানি হায়না লক্লবদগী কপতুনা চাক চাও হায়বা য়াদবমখৈ মমাদা হংলবদা মমানা মাগী মপা অশেংবদি শামু অঙৌবনি উমংদা লৈবনি হায়না তাক্লমই। অঙাং অদুনা শামু অঙৌবদু থিবা চৎকনি হায়মনবদগী মমানা অসুম্না তাক্লমই। উমংদা শা কৈনা পিক থনবনি করিগুম্বা অৰা অনা তারক্লবদি 'ইপা শামু অঙৌবা' হায়না কৌকো। অঙাং অসিনা উমং ফাওরগা মপা থিরকপদা শা ময়াম্না চাগদবগী তান্নরকপদা 'ইপা শামু অঙৌবা' হায়না কৌরকপদা শামু অসিনা অঙাংনা কৌখিবা তম্না চেল্লক্লগা অঙাংদুবু কনখিরমই। শামুনা অঙাংসিগী লৈফম অমদি মফমসিদা করিগী লাকইবনো হায়না হংবদা মাগী মপাদি শামু অঙৌবনি হায়না তাক্লকপদগী থিরকপনি তম্লবদা মাগী মপাদি মহাক্কি মপাগা লৈমিন্নরসি হায়দুনা মপা মচা লৈমিন্নরে।

নোংমা লম অসিগী রাজকুমার অমনা জঙ্গলদা শা তানবা লাকপদা নুপীমচাসিগা কোক হেক থেংনবদগী মাগী ফজবা মশকসি উবদা রাজকুমার অদুনা পামলমই। জঙ্গল অসিদা লৈরিবসিবু মীরা

লাইরা, লাই ওইরে থেংনরগে, মী ওইরে ফারগা পুখ্রগে হায়দুনা নুপীমচাদুগী মৱা হংবদা মাদি মীনি শামু অঙৌবগী মচানুপীনি হায়না তাকলমই। মথংদা অমুক রাজকুমারসি লাক্কুনা কন্যাসিগা লুহোংলসি হায়বদগী য়ান্নরে। লুহোংবদা তাইবঙ মীদৌনা লুহোংবা য়াদে মপা শামুনা মাবু সোয়দনমক্কী হাৎকনি হায়রে। ফরে মহাক্কা হায়বদো তৌগনি হায়না য়ান্নরে। মপা শামুনা লাক্লবা মতমদা তাইবঙ মীনম নমবদগী কনা লাক্লম্বগে হংবদসু কনাসু লাক্লমদে মাসু মীনি অদুনা নম্বা ওইরমনি হায়না মপাদা মীনম্বা ঙাংখি। মপা শামুনা মঙোনদা শাপ তৌখিরমই, "নপাদা মীনম্বা ঙাংবা করিগীনো, মফম অসিদা উন্নরিবা নখোয় অনী লৈমিন্নবা ফংদবা ওইয়ু।"

নোংঙানবগা মপা শামুসি চৎখিবা তাঞ্জা য়েংলগা রাজকুমারদু লাক্কুনা নুপী মচাদু পুদুনা চৎখিরম্মী। শামুনা হল্লকপদা মচানুপীসি লৈরমদ্রবদুদা লাপ্না য়েংবদা মখোয় অনী চৎমিন্নবা উবদা ফরে চৎখ্রসনু খন্দুনা ৱা অমতা হায়দনা লৈহৌরে। রাজকুমারনা নুপীসি য়ুমদা পুশিন্দনা খোংনাং মখোঙদা ফমহন্দুনা থম্লম্লগা মপা নিংথৌদা মশক মতৌ ফজবী অমা পুরক্লে নুংঙাইবা ইমুংগী মচানুপীনি লুহোংবিয়ু হায়বদগী নিংথৌনসু য়াবিরমই।

সোমদনা লম অসিগী মশক থীখ্রবা য়াম্না ফত্তবী নুপী অমা লৈরমই। মহাক্কা ঈশিং শোকপা থোরকপা উবদগী নুপীমচাদু খোংনাং মখোঙদা ফম্লম্বদগী উথক্তা কাখত্তুনা লৈখরে। মানা ঈশিং শোকপগী ঈশিং হায়দোকপদা খোংনাং মথক্তা ফমলিবী অদুগী মমি ঈশিংদা তাবা উবদা মশাগী মমি ওইরবোই নিংদুনা মতোমতা খঞ্জরমই, 'অসুক ফজখ্রবা ঐগী শকসিবু মীনা য়েংনদ্রিবসিবো করিগীনো? অমুক্কা ঈশিং হায়দোক্কুনা য়েংবদা মশাদি ওইরমদ্রদুনা ঙসাইগী খোংনাং মথক্তা ফমলিবীগী ওইরম্মী। অমুক্তা কুমথরকউ ঈশিং থোংগৎপীয়ু হায়না কৌথরগা করিগী লৈরিবনো হংবদা ৱারম পুন্নমক তন্নবদা পুখ্রিদুদা নমশিন্দুনা হাৎতোকলে অদুগা মহাক্কা ফিরুক খুমজিল্লগা খোংনাং মথক্তা কাখত্তুনা লৈখরে।

নিংথৌনা মচাগী লুহোংনবগীদমক মনাই মশল ময়ামগা লোয়ননা নুপীদুবু লৌবা থোক্লকপদা নুপীদুগী মশক্তু উবদা রাজকুমারসিবু মমিৎ তাংলবরা হায়না শোন্নখি। রাজকুমারসু চিংনখি মহাক্লা উমংদগী পুরকপা নুপীদুগা তৌরমলিবসিবু করিনো হায়না? অদুবু মখোয় অনী লুহোংদুনা লৈখরে। নোংমা রাজকুমারগী মমঙদা হায়রৈ। ননাক্তা লৈরিবা নুপীদুনা মমাংগী পুখ্রিদুদা মাবু নমশিনবিদুনা হাৎপদগী শিরগা থম্বাল ওইনা শাৎতুনা পুখ্রিসিদা লৈরে। অদুনা থম্বাল অসি হেকপীরগা মোন মখাদা থন্বীয়ু তাইবঙ মী ওনবা ঙম্ব্রা য়েংগে কনা অমত্তা খংহনবীগনু। রাজকুমারনা হায়রম্বা পুম্নমক অমতা চিথদনা পাংথোক্লে। মাগী নুপীনদি তৌরিবসিবু করিনো হায়না চিংনদুনা থম্বালদু লৌথোক্তুনা শেগাইরগা খোঙবান্দা হুন্দোকখরে। রাজকুমারনা থম্বাল লৈরমদবদগী কদাইদা চৎখ্রবগে হায়না হংবদসু অশেংবা তাকপীদরে। অমুকসু নুপী অদুগী থৱায়না মমঙদা অমুক লাক্লগা মাদি হৌজিক ফাত্তবা শিদনা লৈরি অদুনা খোঙবালদগী শেগায়বা থম্বাল ময়ামশি খুনজিনবিরগা ফুরিৎখাওদা কনাসু খংহন্দনা থন্বীয়ু মদুনা তাইবঙমী ওনবা ঙমব্রা য়েংগে হায়না হায়রম্মী। রাজকুমারনা মাগী নুপীসি খংদনা থম্বাল শেগাইবা মচেৎশিং ফুরিৎখাওদা য়োমশিল্লগা হাপ্তুনা থম্লে। নুপী অসিনা মসিদি মওং অমনিনা হায়দুনা শেগাইরবা থম্বাল অদুবু লৌথোক্লগা মৈ থাদোক্লগা উৎ ওলহনখিরম্মী। মসিদগী থম্বালদু মমঙদা অমুক হন্না লাক্তুনা নিংথৌদা হায়রদ্রে। অহানবদা মপাদা মহাক্লা লৌনম নমথাক তৌদুনা ওইদবা ৱা ঙাংখিবদুগী মহে ওইবনা মপুরোইবা ওইগদৌরিবা অদুগা লৈমিন্নবা ফংদনা মাংখিরমই। নিংথৌ মচা অদুসু নুপী অদুগা নুংঙাই য়াইফনা লৈখিরমই।

ৱারী লীবিরকপী : নিংথৌজম তোম্বী দেবী
তাং : ২২-৭-২০১০
চহী : ৭৪
শিনফম : পোৎফম ফম্বী (মনা মশিং য়োনবী)
লৈফম : ঘরী অৱাং লৈকাই।

পেবেৎ অমসুং হৌদোং লম্বোইবা

থায়না মমাংঙৈদা উমং অমদা পেবেৎ মপী মচা খরা লৈরমই। অদুগা মফম অদুদা হৌদোং লম্বোইবা অমসু লৈরমই। পেবেৎ মপীনা মচাশিং অদু পাইবা শানহনবা অদু হৌদোং লম্বোইবা অদুনা উরম্মী। মদুদগী হৌদোং লম্বোইবা অদুনা পেবেৎ মচাশিং অদু চানিংলম্মী। অদুগা হায়রম্মী "হায় পেবেৎ ঐগী ইশকসে কয়াম ফজে?" অদুদগী পেবেৎ মপী অদুনা হৌদোং লম্বোইবদুগী তৌশিন্নবা মতৌদু খঙলদুনা পেবেৎ মপীনা খুমলকই "অয়ো অয়ো ইবুংঙো, ইবুংঙোগী মশক্তি ফৌ শংবাই অথনবা, ঙারি পরেং অচুম্বা, ৱারক্কী তয়াল অঙাংবা মুক ফজে হায়খি। অদুদগী হৌদোংদু হরাউ হরাউনা হনখিরম্মী।

অদুদগী মথংগী নুমিৎতসু মখুত্তা মালা পায়রদুনা মচিন্দা মুরুম মুরুম শোন্দুনা পেবেৎকী লৈফমদা অমুক লাক্লম্মী। অদুগা অমুক হংলমই "হায় পেবেৎ ঐগী ইশকসি কয়াম্মুক য়াম্না ফজে?" অদুদসু পেবেৎ মপী অদুনা হান্নগুম্না হায়রম্মী "অয়ো অয়ো ইবুংঙো ইবুংঙোগী মশক্তি ফৌ শংবাই অথনবা, ঙারি পরেং অচুম্বা, ৱারক্কী তয়াল অঙাংবা মুক ফজে" হায়না খুল্লম্মী। মসিদগী হৌদোং লম্বোইবা অদুসু হনখ্রে। মহাকসু তাঞ্জা লুম্লদুনা নুংতিগী লাক্লম্মী। পেবেৎ মপী অদুসু হৌদোংগী মতাৎ অদু খঙলদুনা মচাশিং চাউবা ঙাইদুনা পাইবা ঙমদ্রিফাওবা হৌদোং লম্বোইবা অদুবু থেম থেমদুনা নুমিৎ কয়ানি হৌখিরমই। মচাশিং অদুনা পাইবা হৈরক্লবা মতমদদি পেবেৎ মপীদুনা হৌদোং লম্বোইবা অদুবু থিনা চৈরগে নিংলে। অদুদগী হৌদোং লম্বোইবা অদু অমুক লাকলে অদুগা পেবেৎ মপীদা হংলরে "হায় হায় পেবেৎ ঐগী ইশকসে কয়াম ফজে?" মসিদা পেবেৎ মপীদু শাওরদুনা খুল্লকই "হৌদোংনবু কয়াম ফজনি হায়গে, হৌদোংদি

হৌদোংমুক ফজৈ। অসি হায়রম্লগা ইচাশা ফ্রুং হায়বগা পাইখ্রে। মদুদা হৌদোংদু শাওরদুনা ঙরং-ঙরং ঙংলে। অদুগা পেবেৎ মচাশিংদু চাথোক্লগে খল্লে। মসিদগী পাইবা ঙমফাৎত্রিবা পেবেৎ মচা অমা তাপ হেক ফাই অদুগা চারগে তৌই। মদু উবদা পেবেৎ মপীনা ৱাতোন্দগী হায়রকই–পেবেৎ ঐখোয়বু চাগে হায়রবদি অহানবদা ইরু ফজনা লুথোকপিরো অদুগা লা লাতোন অমদা হাপ্লগা মতু মমান খিংতোকপিরগা চাবিয়ু হায়রম্মী। পেবেৎমপীগী ৱাদু লৌরদুনা হৌদোং লম্বোইবনা পেবেৎ মচা অদু ঈরু ফজনা লুজথোকপীরে, মতু মমান খিংতোকপিরে অদুগা মখুবাক ময়ায়দা চেং খরা হাপ্পীরে। মসিদগী পেবেৎ মচা অদু মতু মমান খিংলদুনা মপীনা "ইচা তোম্বী ফ্রুং" হায়বদগী মথী পেৎ চিৎলগা পাইথোকখ্রে। হৌদোং লম্বোইবনা ফাবা নংহৌদরে। মসিদা শাওনিংলদুনা পেবেৎ মচাগী মথী অদু ওইনা সর সর লেকশিল্লে অদুগা মথন্তা হায়জরম্মী "মথীনা অসুক হাওরসিনদি মশাদি করি ওইরমগনি।" মসি হায়রগা নিংঙমদনা লৈহৌরে হৌদোং লম্বোইবা অদু।

ৱারী লীবিরকপা : থোকচোম চাউথোই সিংহ
তাং : ৬-৮-২০১০
চহী : ৮০
শিনফম : লৌউবা
লৈফম : বামোন কম্পু ময়ায় লৈকায়, ইরিলবুং।

তেক তেক পাল

থায়না মমাংঙৈদা য়াম্না লাইরবা নিপা অমা লৈরম্মী। মহাক মচা নুপা তরেৎ পোকলম্মী। মতম খরা লৈরগা নিপা অদু শিদোকখ্রে। মসিদগী মচা তরেৎ অদুনা মপাগী কম্মগীদমক জঙ্গলদা শীং চনবা লাক্লমই। মখোয় তরেৎনা জঙ্গলদগী থোকলকপদা ঐখোয়সি জঙ্গলদা চংলুবনিনা মশিং শুরবরা হায়দুনা মশিং থিরম্মী। মশিং থিবা খুদিংমক্কী থিরিবা মশাদি থাদবনা মখোয় তরুক্তগী হেন্দে। অমা ব্রাৎলে হায়দুনা পংকপতা কপনরে। মফম অদুদা ব্রার্ম্মণ অমা লাক্লমই। অদুগা মহাক্না হায়রম্মী মখোয়না কপলিবা করিগীনো? মসিদা মখোয়না জঙ্গলদা চৎলুবগী মশিংশুদবা অদু তমলে। মসিদগী ব্রার্ম্মণ অদুনা ঐনা থিবা মতমদা শুরবদি নখোয় ঐগী মীনাই ওইবা য়াবরা হায়বদা মখোয়না য়ারম্মী। ব্রার্ম্মণ অদুনা থিবদা মখোয় তরেৎ শুবদগী হায়নখিবগী মতুংইন্না ব্রার্ম্মণগী ময়ুমদা মীনাই ওইরে। নুমিৎ কয়ানি হৌখ্রবদা মশা-মউ ফরকপদু উবদা খল্লকলে, মখোয়বু অসুম থাক্লবদি ঐগী লন-থুম পুন্নমক মাংবা তারে, মখোয়সি হাৎতবা য়াদ্রে হায়দনা চীং অমদা নুংজাও লৈবা মফম অমদা পুরকখি। ঐখোয়না সিদা লাকলিবসি উয়ানবা লাকপনি। উসি লৈবাক্তা তাহনবা য়াদে ওক্কদবনি হায়দনা উজাওদু ওকলে। মখোয় তরেৎকী মনুংদা তরুক্তি শিরে। ইতোন তোনবা তেকতেকপালদুদি হিংহৌরে, ইবুংঙো অসিদি কমদৌনি হায়রবদা, তেকতেকপালনা তুরকপা উবু ওক্কনি খনলিবা মখোয়দি অপঙবনি শিনিং শীজসনু হায়রগা ব্রার্ম্মণগা পুন্না হল্লকলমই। অদুদগী ব্রার্ম্মণনা অমুক খল্লে মসিবু মতৌ করম্না হাৎশিগে হায়না খনখি। অদুদগী মাগী মচন হিংচাবীদুগী মনাক্তা থারগে লেপলে। চিঠি অমা ইরে ব্রারোলদুদি মসিগী তেকতেকপালসে য়ুমদা অমুক

হল্লকহল্লগনু চাথোকখরো হায়না ইরে। মসি তেকতেকপালদা মচন্নুপীগী মনাক্তা থিল্লুচো হায়দনা হায়রে। তেকতেকপালদি লাইরিক পাবা থোক্তে, ইরিবদুসু খঙদে। মাদি মকোক্তদুম থেৎতুনা চিঠিদু পুরগা চৎখ্রে।

তেক তেকপালনা লন্বীদা অসুম লাকপদা ৱারদুনা পোৎথাবদগী তুমথোকখরে। লন্বীদা চৎপা নুপা অমনা চিঠিদু য়েংলম্মী। মহাক্না ইস! সিদি শোইরেদনা হায়দুনা চিঠিগী ৱারোলদু শেমদোকপীরে। তেকতেকপালনা মীকপ থোক্লদুনা অমুক চৎলম্মী। হিংচাবিদুগী মফমদু য়ৌরম্মী অদুগা হো ইবেন, হো ইবেন হায়না কৌরম্মী। হনুবী অমা থোক্লকই মহাক্না তেকতেকপাল হেক উবদা চানিংলম্মী, হিংচাবিদু ঙরং ঙরং ঙংলদনা য়েংবদা অকিবগী মশক ফংলম্মী। তেকতেকপালনা কিরদুনা ঐদি কোন্না চাবীয়ু চিঠিশি হান্না পাবীয়ু হায়রমই। হিংচাবীদুনা ও! সিদি ঐগী ইয়াম্বনা থারকপনি খঙলে। অদুগা তেক তেক পালবু য়ুমদুদা লৈহল্লম্মী। হিংচাবী হনুবী অদুগী ময়ুম মনাক্তা য়ুম অতৈ অমত্তা তাদে। হিংচাবী অসি মঙানি, তরানিদি য়ুমদা হেক হেক হনজিল্লক্তে। নোংমা নিনি য়ুমদা লৈরম্লগা অমুক হেক চৎখি। নোংমদি মাগী ইংখোলদা তেক তেকপালগা হিংচাবিদুগা কোয়না চৎতুনা য়েংমিন্নে। মানা হংই, ইবেন সি করি মনানো? হিংচাবিনা খুল্লকই ঈশিংচাউবী মনানি, অসুম্না মথং মথং অসিনা করিনো ? চীংওনবীনি, সিনা করিনো ? মৈ ওনবীনি, সিনা করিনো ? নুংশিৎ শিৎপী মনানি খুন্নকই। মহাক্না মনাশিংদু হেকহৌরে। তেক তেকপালনা ঐ সিদা লৈরগদি শিরনি হায়দনা চেনথোরকলে। হিংচাবী অদুনা অঙাং অসি ৱাহৈ অমা তৌই হায়দুনা পরপ পরপ ময়ুমদা হনলকপদা তেক তেকপাল লৈরমদরে। অদুদগী হিংচাবি অদুনা ইয়াম্বনা হায়গেরা অমা ওইগেরা ঐনা নংবু চানিংবা কুইরবনি হায়দুনা তান্নরকলে। মসিদা তেক তেকপালনা মনামশিংশিং অদু শিজিন্নদুনা হিংচাবী অদুগী লন্বী অদু থৎতুনা মহাক ব্রাহ্মণগী ময়ুম য়ৌরে। মদুদা ব্রাহ্মণ অদু খঙপ্রেক

খঙই। ব্রাহ্মণনা মুন্না খল্লগা তেকতেপালদা হায়রম্মী। হৌজিক অসি হুরানবা যাম্না কনলে মরম অদুনা নঙ ঐগী ষণ অসি শংউ হায়রে। মসিদা মহাকসু য়ারে। নুমিদাংদা তেক তেকপালনা লৌশিং তৌদুনা ষণবী অদুদা ফি কুপশিল্লগা মানা মফম অমদা তুমথোকলে। অহিংদা ব্রাহ্মণ অদুনা তেক তেকপাল ওইরবোই নিংদুনা ষণ অদুগী মঙক ককথৎখি। তেক তেকপালনা হৌগৎলগা 'ইস সিদি করি মতৌনো', মসিদা ব্রাহ্মণ অদুনা খুমখি, 'ঐসু খঙদে মঙলা তাইবংলা অদুনা নঙ মসি কনাদসু হায়দোক্কনু' হায়দুনা ষণ হাৎপা কোক্লনবা ব্রাহ্মণ ময়াম চাক কৌরম্মী। ব্রাহ্মণ ময়ামদুনা লৈরিঙৈদা তেক তেকপালনা হো হায়য়ু হৈহা ঐনা হাৎপা নত্তে, ঐখোয় ঐজ্ঞানা হাৎপনিদা হায়দুনা ষণগী মখোঙ অদু চিংখৎলকলে। মসিদা অতৈ ব্রাহ্মণশিং অদু শাওরদুনা পাপ্পীসিদি হায়দুনা চৎখ্রে। মসিদি কদায়দা ফুমগনি হায়দুনা খন্নরগা ইংখোলগী মতোনদা অমুক ফুমলে। মফম অদুদা লফু পাম্বী অমা হৌরকই। মসিবু গেরা হায়না খঙনৈ। গেরা অসি লাইদা কৎনদে মরমদি ষণ অদু মদুদা য়াওই হায়দুনা। মতম খরা লৈরগা ব্রাহ্মণদু শিখ্রে। মহাক্কী লন থুম খরা লৈহৌবা অদু লান্দবা তেক তেকপালনা ফংহৌদুনা নুংঙাইনা পানখ্রে।

ৱারী লীবিরকপা : হৈখাম তোম্বা সিংহ
তাং : ৬-৮-২০১০
চহী : ৮৬
শিনফম : লৌউবা
লৈফম : ইরিলবুং মচাহল, ইরিলবুং।

নুপী ফত্তবা

থায়না মমাংঙৈদা খুরাই খুনফম লেনদা লমগাং লৈমা কৌবী নুপী অমা পোকই। মশক ফজৈ, শাবান ফজৈ, মথিক মথা নোংশাগুন্মী। খ্বাং পনশিফম অদু লাংবল উচিখোইগুন্মী। ফৈরু তাবু য়েংলগা লফু লেমব্রা গুন্মী; খুবোম তাবু য়েংলগসু চংবী থরোগুন্মী। মখোং খুরুম খোংদানে খুনিং ঙাতেন চিন্দানে। চিনবান ব্রারক তায়ান মাল্লি, য়াতাদি কফোই মরুগুম অচৌ পিশক নাইদে। পামবোমদি তাঙজা মরুম পুগুন্মী। খুৎকী খুবোম খুদাংদি লৈরোননুংগী থমবৌগুন্মী। মানা চাউবা মপুং ফারবদা পলেম পনথৌনা ইমোম অসিবু কনাদা থাজসিগে হায়না খন্নরম্মী। খুরাই খুনফমদা লমগাং নিংথৌ কৌবা অমা লৈরম্মী। লমগাং নিংথৌদি মশক য়াম্না থি, মরমদি য়াম্না মোৎলম্মী। মহাক লাইরিক য়ামনা হৈরম্মী, লায়রদি লায়ররম্মী ললদি মাংখি লাইরিকতি মাংবা লৈতে; অসি খন্দুনা লমগাং নিংথৌদা লমগাং লৈমবু পলেম পনথৌনা পীরে। লমগাং লৈমনদি নিংথৌদুবু মশক থিবগী পামখিদে অদুবু পামদ পামদ লৈখিরম্মী। লমগাং লৈমদি পামদবা নুপাদা লৈরবনি হায়দুনা থবক শুদে লৈকায় কোয়দুনা লৈ মাগী নুপাবু থৌশারমদে। অশুম্না পামদ পামদ লৈরকপনা মমোম অমা পোকলে। মমিংদি লংমাই পুরাবি হায়না কৌরে। লংমাই পুরাবিনা চহী মঙা শুরকপদা মপারী অমগা পোকলে মমিং লংমাই পুরাবা হায়না কৌখি। লংমাই পুরাবনা চহী অনী শুরকপা মতমদা পন্থৌ মপাদো য়াম্না কন্না নাদুনা শিখিরম্মী। নুমিৎতুদা লমগাং নিংথৌগী মমানা হায়রকই। ইমৌ ইবেম্মা লমগাং লৈমা নপুরোইবগী মৈকোই চফু লৈতে নঙ খরা লৈরু হায়বদা লৈগে হায়না লাকপদা লন্বীদা ঈশিং মপান্দা শামু ঈরুবা উরম্মী। লমগাং লৈমদি শামু ঈরুবা য়েংদুনা

লৈথোকলে। অসুম্না কুম্মৈ য়েংদুনা লৈরিঙৈদা চফু লৈহৌদরে। মানা ময়ুমদা হল্লকপদা মনেমবোক্না লৈকাইদগী লৌরুদুনা পোৎলোইবা লোইরমলে। অদুগী মতুং থা অহুম শুবদা মকুগা মনেমগা শিখিরম্মি। লমগাং লৈমদো থবক শুদনা অরৈবা লল য়োন্দুনা চারম্মী। মমৈদদি য়োন্নিংঙাই পোৎ অমত্তা লৈত্রদুনা লৈকাইদা ফৌশু লংদুনা হিংখিরম্মী। মচা অনীদো পামদবা নুপাগী মচানি হায়দুনা পিজ পিথকখিদে। অদুনা লৈকাইনা মচা পিজনিংদে হায়দুনা ফৌশু লংহনখিদে। ফৎতবা মরম মরিনি। লৈমিন্নবা নুংঙাইতবা নুপী ফত্তবা, ময়ুম চংবা শাওবা খোই, হিপমিন্নবা নুংঙাইতবা মা, মরুপ ওইবা য়াদবা লিননি। অসুম্না মশক মতৌ ফজবী নুপী ওইরবসু মবুকচেল ফত্তবদগী ৱানা মপুন্সি লেনখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	থৌনাওজম মণি মৈতৈ
তাং	:	২৩-৮-২০১০
চহী	:	৭৪
শিনফম	:	মৈতৈ মাইবা
লৈফম	:	ৱাংজিং ৱাংখৈ লৈকাই, থৌবাল।

য়োং

থায়না মমাংঙৈদা মমা মপা কনামতা লৈজদ্রবা নুপা অমখক লৈরম্মী। নুপা অসিনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা য়োং অমখক লোইজরম্মী। য়োং অদু তৌ হায়বমখে তৌই। নুপা অদুনা য়োং অসিগা য়াম্না নুংশিননা লৈমিন্নরম্মী। অদুবু মতমগী মতুংইন্না নুপা অসি লুহোংলে মচা নুপা অমসু ফংজরে। য়োং অসিসু নুপী অমদি নুপাদুনা হায়রীবমখে তৌই। নুপী অদুনা য়ুমগী ওইবা পোৎচৈ লৈবা হেক হেক কৈথেলদা চৎলম্মী। নুপা অসি য়াম্না লীকচবা মী ওইবনা নুপীদুনা কৈথেলদা চৎলুরগা হল্লকপদা পোৎতি য়াওদে পৈশাদমক লোইশল্লি হায়না খল্লম্মী। নোংমদি নুপাশিনা নুপীদুনা কৈথেল চৎলগা পোৎ লৈবদু মাগা লোয়ননা চৎমিন্নসি হায়বদা নুপীদুনা অঙাংশিগা চৎপা নুংঙাইরোই ঐ লৈহৌরগে হায়রকপা মতমদা অঙাং অদু য়োংদা শিন্নরম্মসি থুনা হল্লকশি হায়না য়ানদুনা অঙাং অসি য়োংদা শিনরমলগা মতৈ মনাও কৈথেল চৎখিরম্মী। কালেনগী মতম ওইবনা অঙাং অসি শাগৎলক্কুনা কপ্পদা থেন্বা য়াদ্রে। নুমিৎ য়ুংবা মতম ওইবনা অঙাং অসি শাগৎলক্কুনা কপ্পীবনি হায়বসি য়োংদুনা খঙলদুনা শুমাংগী উরুম খরা ফংবা মফম অমদা খুদেংদা ঈশিং হৈজিল্লগা অঙাং অদু ঈশিংদা থম্বদা কপ্পা ফরম্মী। য়োংনা অঙাং অসি কপ্পা ফরে খঙবদা ৱাখল নুংঙাইরম্মী। অঙাং অদু ঈশিংদুদা শান্নবা হৌরে। য়োংনা অঙাং অসিনা শান্নরিঙৈদা ঈশিং খরা শোকউখিগে খন্দুনা ঈশিং শোকপা চৎখিরম্মী। য়োংনা ঈশিং অমুক অনীরক শোকলগা হল্লকপা ফাওবদা অঙাং অদু শান্নদুনা অদুমক লৈরম্মী। য়োংনা অমুক্তংগা শোকলুখিগে খন্দুনা চৎখিরম্মী। অশোমদনা অঙাং অদুনা লৈরিবা মফমদুদা খারৌ মতৈ মনাও ঈশিং থিবা থোরকলম্মী। খারৌ অমোমদুনা ঐদি গর্ভ পুবনিনা ঈশিং খৌরাংবনা খাংবা ঙমদ্রে। ঈশিং খরা থিরগা ঐঙোন্দা

পীথকউ হায়রক্লন্মী। খারৌ লাবা অসিনা মনাক নকপদা ঈশিং অমতা লৈতে খরা চৎলগা থিরুসি হায়বা মতমদা খারৌ অমোমদুনা অঙাংদুনা ঈশিং শান্নদুনা লৈবদু উরদুনা ঐদি চৎপা ঙমলরোই আদা অঙাং অমা ঈশিং শান্নরিবা অসিদগী লৌরুনবা হায়রবদা, খারৌ লাবা অদু লাকলন্মী। খারৌ লাবা অদুনা ঈশিং লৌবা অঙাংগী মনাক তম্না লাক্লন্মী। অঙাং অদুনা নুংশাগী মঙাল অদুদা খারৌ অদুবু উরমদে। অঙাংদুনা লৈরিবা খুদেং অদুগী অকোইবদা চংশিল্লক্তুনা ঈশিং লৌনবা হোৎনরকপদা অঙাংগী ঈশিং শান্নরিবা মখুৎনা মকোকতা হেক থা, খারৌ লাবনা অমুক হন্দোক অদুগা অতোপ্পা নাকন্দা লৌনবা মকোক্তু থিংজিনবগা অঙাংগী মখুৎনা ঈশিংদা থারকপদা মপা চানরুদুনা মকোক্তা অমুক পান তৌদুনা ঈশিং লৌবা ঙমদ্রে। খারৌ লাবা অসি হল্লকলগা খারৌ অমোমদুদা পীকলিবা অঙাং অসিনা শান্নবসিনা মরম ওইদুনা ঈশিং লৌবা ঙমদ্রে হায়রন্মী। খারৌ অমোমদু মাগী নুপাদুদা শাওরদুনা ঐনা ঈশিং খৌরাংবগী মৈচাক্লা অশুক ৱানা খাংলিবসি নংদি করিমত্তা খঙদে। ঈশিং খৌরাংমন্দুনা গর্ভ পুবা অসিনা ঐ চৎপা ঙমদবদগী নঙোন্দা হায়বনি। ঐ চৎলগা থকচরুরগে হায়দুনা লাক্লন্মী। খারৌ অমোম অদুনা অঙাংনা শান্নরিবা খুদেংদুদা ঈশিং লৌনবা মকোক থিংজিনবদা অঙাংগী মখুৎনা ঈশিংদা পোপ পোপ থাদুনা শান্নবা অদুদা খারৌ অমোমগী মকোক্তা অঙাংগী মখুৎনা থারুরে। শাওরবা খারৌ অমোম অদুনা অঙাং অদু চিকখ্রে। অমদি মবুক পেন্না ঈশিং থক্লগা চৎখ্রে। অশোমদনা য়োং অদু হল্লকপা মতমদা অঙাং অদু মুশিন্দুনা খুদেংদা তাওরগা লৈরমলে।

য়োং অদুনা অঙাং অদু খারৌনা চিকলে হায়বসি খংলন্মী। মহাক্লা খল্লন্মী, অঙাংদুগী মমা মপা হল্লক্লগা ঐবু অঙাং অসিবু নিংথিনা শেন্নরমদে হায়দুনা হাৎকে হায়রনি অদুনা অঙাং অসি মাংগোলদা তুমহন্দুনা থমলগে অদুগা লিনগী মহুদগী কোকনবা য়াই অদু মতৈ মনাও হল্লক্রিঙৈদা ঐ লৌরুখিগে খন্দুনা অঙাং অদু ফক্তা তুমহন্দুনা থমলল্লগা য়োং অদু চৎখিরন্মী। য়োং অদু চীংদা চৎতুনা য়াই অদু ফংলবা মতুং হল্লকপদা নুমিৎ তাশিল্লকলন্মী। মতৈ মনাও হল্লকপনা হানবা তারে খন্দুনা প্রপ প্রপ লাক্লন্মী।

অশোমদনা মতৌ মনাও অদু হল্লকপদা অঙাং অদু মাঙ্গোলগী ফক্তা মুশিন মুনা লৈরমবদু উবদা চংশিন্দুনা য়েংবদা অঙাং অদু শিরে হায়বা খঙলম্মী। নুপা অদু শাওবনা মৈ হৌখ্রে। নুপী অদুনা শা অসিবু ঐখোয়না থাজরুবগী দশা অসি নংলিবনি হায়না ওন্না থোইনা কপখ্রে। নুপা অদুনা নহাক কপ্লগনু নহাক্লা কপ্লা মখোন তারবদি অমুক হন্না চংলক্কবা য়াই অদুনা কপকনু ঐ থোংগান্দা শীংজংখোক অসি পায়দুনা ঙাইগে অদুগা মহাক হেক চংলকপগা মকোক্তা থোমদুনা হাৎকনি হায়দুনা থোঙ্গালদা লুমদুনা নুপা অদু লৈখ্রে।

অশোমদনা য়োং অদু থুনা প্রপ-প্রপ লাক্কুনা থোঙ্গাল হেক লানশিল্লকপদা নুপাদুনা শীংজংখোক্লা থোমদুনা য়োংদু হাৎলে। য়োংদু শাংনা তাদুনা লৈরে। মাগী ময়াদা নাপী অমা চিকলকলিবদু নুপাদুনা উরম্মী। করিনো অসিদি হায়না নাপী অদু পায়রগা হিদাক ওইবজাৎলা খন্দুনা নাপী অদু পুরকলগা অঙাংদুগী মশাদা নানবীরম্মী। নাপী অদুনা নানবা মফম মফম খুদিংদা মুশিন মুনা লৈরম্বা অদু ঙৌথোরকলক্লম্মী। অঙাং অদুদা নাপীদুনা মশা পুম্বা নানবদা লিনগী মহু অদু মাংদুনা মশা অদু ঙৌরকলম্মী অদুগা অঙাং অদু হিংগৎলক্লম্মী। নুপা অদুনা নাপী অদু অমুক পুরক্কুনা য়োংগী মশাদা নানবীবা মতমদা য়োংদুদী হিংগৎলক্ত্রে। নুপা অদু কপ্লা হৌরকলম্মী। য়োং নংদি অঙাং অসিগী হিদাক লৌবা চৎলুরিবা ওইরে। ঐনা করি কমদৌবনো হায়বা ৱাহং পাওহং তৌহৌদবদগী ঐগী ইখুৎশিনা নুংশিরবা নংগী থৱায় লৌখ্রেদো। ঐগী ঙাইহাক্কী অশাওবনা নুংশিরবা নংবু ইফমদগী মাংহনখ্রে হায়না কপ্পুনা লৈহৌরে।

ৱারী লীবিরকপা	:	ডা: অঙোম শ্যাম সিংহ
তাং	:	০৮-৯-২০১০
চহী	:	৪৭
শিনফম	:	ওজা
লৈফম	:	তৌবুল অৱাং লৈকাই।

চুচুকোম

থায়না মমাংঙৈদা চুচু কৌবা মোইরাং লৈবাক্কী নুপা অমা মাগী নুপীগা লোয়ননা, ঙা য়োকলগা ফার্ম তৌদুনা তৌবুল মমাং পাৎতা লৈরম্মী। চহী লিশাং শিৎনা চুচুনা মোইরাং কোমদা লৈরকপনা মফমদুগী মনা মশিং লোইনা খঙলম্মী। মফমদুদা মনা মশিং থাদুনা নুংঙাইনা পুন্সি লেল্লম্মী। চহী খরগী মতুংদা চুচু য়াম্না কন্না নারম্মী। মাগী নুপীসু মোইরাং লৈবাক্তা চৎখিবা মতাংনি। মহাক মপান ইপান থোকপা ফাওবা ঙমলমদে। নুমিদাংগী মতমদা ফুঙ্গাদা মৈ হৌদুনা মখ্বাং য়াইদুনা লৈরম্মী। নোংমা মহাক্না মখ্বাং য়াইদুনা লৈরিঙৈদা অথাপ্পা মফমদগী মাগী মমিং চুচু, চুচু হায়না শোনথাংননা তোয়না তোয়না কৌরকখি। অহিংগী থেংলবা মতমনি মদুগীসু মথক্তা পাৎ অদুদা মথন্তা লৈবনা কনাগুম্বা অমত্তনা মাগী মনাক্তা লাকখিদে। অথাপ্পদগী কৌরকখিবা অদু চুচুনা খুমমন্দবদগী মাগী লুখুমদা ঙাদুনা লৈবা লিচৈনা হাও হায়না খুল্লম্মী। লিচৈদু চুচুনা মৈদা থাদোকলম্মী। মথং মথং মাগী থাং য়োপাক্লচিংবা মাগী মহুৎ শিন্দুনা খুম্বদা, মৈদা লোইনা থাদোকলম্মী। অমুকসু তোয়না তোয়না অথাপ্পদগী লাইনা কৌরকপদা চুচুগী মহুৎ শিন্দুনা খুন্বীনবা লৈত্রবদা লাইনা লাকলগা চুচুবু মফমদুমক্তদা হাৎখি। করিগুম্বা থাং য়োৎশবীনচিংবা লৈরগা খুমলল্লবদি চুচু শিরমদবা য়াবনি।

অসুম্না ঐখোয় ইপা ইপুশিংনা ঐখোয়গী মতেং ওইরিবা পোৎ-চৈশিংবু লুনা তৌবীরুদবা অমসুং তরু-তন্নান্না থন্বীদবনা চুচুনা অসিগুম্বা খুদোংথিবা দশা অসি নংলিবনি হায়দুনা তুংগী মীরোলশিংদা

চেকশিন্নবা অমসুং তরু তনান্না খুৎজু খুৎলাইশিং থম্নবা পাওজেল পীরি।

ৱারী লীবিরকপা : ডা: অঙোম শ্যাম সিংহ
তাং : ০৮-৯-২০১০
চহী : ৪৭
শিনফম : ওজা
লৈফম : তৌবুল অৱাং লৈকাই।

তোমপোক

থায়না মামাংঙৈদা য়ুম অমদা হনুবা হনুবী মতৈ মনাওখক্তা লৈরম্মী। মখোয়গী মচা অমতা পোকতে। হনুবা হনুবী অদুগী য়ুমদা তেনৱা অমসু লোইরম্মী। হনুবা অদুনা তমবীদুনা তেনৱা অদু মীরোল খঙলম্মী। হনুবা হনুবী অনীদুনা তেনৱা অদুবু য়াম্না নুংশিনা তোমপোক হায়না কৌরম্মী। তেনৱা অদু মীরোল থোকপগা লোয়ননা হনুবা-হনুবী অদুগী অৱাবা পোথাফম ওইরম্মী। নোংমদি শংবান্নরবা অতিয়াসিদা তেনৱা শঙ্গু অমা পাইরক্লম্মী। তেনৱা ময়াম অদুগী মরক্তগী তে-তে হায়না খোংলকই, তোমপোকসু তে-তে হায়না খোংলকই, তোমপোক্না খোংবা অদু তারদুনা হনুবী অদু লাক্লগা করি হায়নরিবনো হংবদা তোমপোক্না অন্ত্রাপুরদা হৈ চাবা চৎলি ঐবু লাকউ হায়রকপদা ঐদি খোংদা য়োৎহ্লিং থাংলি লাকপা ঙমলোই হায়বনি হায়না খুম্মী। হনুবী অদুনা ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী হৈ মখল-মখল নংগী পীরীবসি নং নুংঙাইত্রবরা। নং ঐখোয়বু থাদোক্কুনা চৎনিংলব্রা তোমপোক হায়না কপলম্মী। হনুবী অদুনা কপ্পদু উবদা হনুবা অদু চংশিল্লক্কুনা হনুবী অদুবু থেমলম্মী। তোমপোক্না ঐনা অদু খনখিবা লৈতে ইপু ইবেন, অন্ত্রাপুরগী হৈশি চারবদি নহা তগৎ তগৎ তেকপা ওন্থোকই অদুননি হায়রম্মী। অদুবু অশেংব্রনে তোমপোক হায়না হনুবীদুনা হংলম্মী। অসেংবনি ইপু ইবেন। হনুবীনা ঐ নংবু থাদোক্কে নং মফম অসিদা অমুক হল্লক্কদ্রা? হল্লক্কনি ইপু ইবেন। অদুদি নুমিৎ কয়ানি চংগনি? ঙসি চৎলগা হয়েং য়ৌরক্কনি। নং শোইদনদি হল্লকউকো হায়রগা মখোংদা পুল্লিবা য়োৎহ্লিং অদু হনুবী অদুনা লৌথোকপীরে। ঐ চৎলুখিগে ইপু-ইবেন হায়রম্লগা তোমপোক চৎখ্রে। তোমপোক্না তে-তে খোংদুনা তেনৱা ময়াম অদু তান্নখ্রে। তেনৱা ময়াম অদু অন্ত্রাপুরগী হৈকোল অদু

য়ৌরে। হৈকোল অদু মপুনা লাং লোয়না থাক্তুনা লৈরমলে। তেনৱা ময়াম অদুনা হৈ অসিদি কমদৌনা চাগনি হায়না খন্নরিঙৈদা তোমপোক য়ৌরকলে। তোমপোক্না কৈদৌরে হৈ চাদ্রবদি হংবদা লাং থাক্লগা লৈরম্বা অদু উরে। তোপোকতি মীগা পুন্না লৈবনিনা তেনৱা ময়ামদুদগী তোমপোক্না শিংবা হেল্লি। তোপোক্না হায়রম্মী - "ঐখোয় মমশিল্লকপদা হৈশিং অসি চারগা শিশিন্নদুনা লৈরসি, অদুগা লাং মপুদুনা ঐখোয়বু শিরে হায়না অমমতা ওইনা পোপ পোপ লাওনা উথক্তগী থাদরকপদু ঐ মশিং থিরগে অদুগা মশিং শুরে হায়বা মতমদা ঐনা ফ্রং হায়না লাওরক্কে অদুগা ঐখোয় পুন্না চপ মাননা পাইখৎমিননখিসি, লমসু লাপ্না লাক্লগা চাদবীদা হনবদু নুংঙাইতে" হায়বদা তেনৱা ময়ামদুনা শোইনদবী, শোইনদবী হায়নরে। মমশিল্লক্লবা মতমদা তেনৱা ময়ামদু মাগী মাগী থোকপা পাইশিন্দুনা হৈশিং অদু চানরে। তোমপোকশু মাগী অমা চারগা অমনা ইপু-ইবেনগীনি হায়দুনা খাক্তুনা থমলে। নোংঙাল্লবদা মপু অদু লাকপদা তেনৱা ময়াম অমা লাংদা থুরগা লৈরম্বা অদু উবদা মপুদুনা তেনৱাশিংশে শিরমলেনে ঐনা খরা ঙন্না লাং অসি কাইজরল্লবদি হায়না তকশি শোন্দুনা লৈরে। নুপা অদু তেনৱাশিং অসি শিরেদো হায়না উথক্তা কাখৎলগা অমমমতা ওইনা পোপ পোপ থাদরকলম্মী। তোমপোক্না মশিং অশুম থিরম্মী মশিং শুরবা ইরোয় লোইবা মশিং অদু হেক থাদরকপগা তোমপোক্না ফ্রং হায়না লাওরকপদা তেনৱা ময়াম অদু পুল্লপ অমতা ওইনা পাইখৎমীন্নরকলে। তোমপোকসু মপু-মবেনগী হৈ অমা ময়াদা চিকলগা পাইদুনা লাকলে।

তেনৱা ময়াম অদুনা তোমপোকতা নংদি নখোংদা য়োৎহ্লিং থাংদুনা লৈবনা সমুদ্রদা ইরোইরগা শান্নবদো ফংলল্লরোই অদুনা ঙসিদি শান্নখিসি অদুগা নুংঙাইনা কোইখিশি হায়বদা, তোমপোক্না ঐ কুইথবদি য়ারোই ইপু-ইবেন্দা ঐ হল্লক্কনি হায়রম্মী হায়রবদা তেনৱা অমনা হল্লুরনু হায়রকই। তোমপোক্না ঐ হন্দবা য়ারোই অদুনা সমুদ্রদা ঙাইহাক্তং

শান্নসি হায়না য়ানরে। তোমপোকনা মাগী মচিন্দা চিক্লীবা হৈ অদু উজাও পান্বী অমগী কারোংদা থল্লগা শান্নরে। কারোং অদুদা লিন খারৌ অমা লৈরমদুনা হৈ অদুগী মহি লোইনা চুপথোকলম্মী। তোপোক্লা শান্নবা লোইরগা হৈ অদু ময়ানা চিক্লগা ময়ুমদা লাক্লম্মী। ইপু-ইবেন ঐ লাকএ হায়না লাওদুনা কৌরম্মী। হনুবা হনুবী অদু চেনশিল্লক্তুনা তোমপোক্কী মখোংদা য়োৎহ্লিংনা পুনশিনবীরে। হনুবী অদুনা তোমপোকতা মসিগী হৈ অসি চারগা শোয়দনা নহা ওন্থোক্কদ্রা হায়না হংবদা তোমপোক্লা ঐখোয় তেনৱা অমতা অহল ওইদুনা শিখিবা থেংনব্রা? তেনৱাশিংদি হৈ অসি চারগা নহা লোইনা ওন্থোকই ঐসু ইতুগসি অঙাং মতু পাল্লিসিনি হায়রে। হনুবদুনা শা ঙা হায়বসিদি থাজবা য়াবা নৎতে অদুনা হৈ অসি হৌদোংদা হান্না পীজসি হায়দুনা, হৈ অদু মচেৎ অমা হৌদোংদা থারে, হৌদোংনা হৈ অদু চারুবদদি ঙসাইগী লিনগী মহু অদু য়াওরমদুনা হৌদোং অদু খুদক্তা শিরে। হনুবা অদুনা শাওমনখ্রদুনা ঐখোয়বু হাৎনবা শিল্লিবা নং হান্না হাৎলগা লোইরে হায়না তোমপোক্কী মখোংদা পুল্লীবা য়োৎহ্লিং অদু তাপ পায়রগা তোমপোকপু লৈবাক্তা পোপ লাওনা থারগা হাৎতোক্লে। অসুম্না তোমপোক শিরে। হৈ অসি চাবা য়াবা হৈ নৎতে হায়না হুন্দোকপদা য়েনখাগী চোৎ চোৎ লাওবা শুমাং মতোনওইনা তৌবা মফমদা তাদুনা লৈখ্রে।

অসুম্না মতম কয়া হৌখ্রবা মতুংদা হৈ অদু অসুম অসুম চাউখৎলক্তুনা পান্বী অদু মহৈ পাল্লে। হনুবা অদুনা চাবা য়াবা হৈ নত্তে হায়না কোইনা শম্বল খাজিল্লগা থল্লে। হৈশিং অদু হৈজিং ফাদুনা কেনবদা মখোংদুদা হৈগী হৈ ঙাক্তা ঙাইরে। নোংমা হনুবা হনুবী অদু শাওনরে, হনুবা অদু শাওবা হেনমনখিবনা হনুবী অদুগী ময়াংলেন্দা মাগী লিচৈনা কনথরে। হনুবী অদু শাওরদুনা অসুক য়াম্না অহল ওইরবা ঐবু নংনা চৈনা ফুরবা, ঐমক্তা শিজরুরগে হায়দুনা ইমুংদগী থোকখ্রে। হনুবনা ৱাখল লাকপদা ঐগীনি হায়বদা মা নৎতনা কনাসু

লৈতে। হনুবী অসিবু খামহৌরুদবা য়াদে, মা হৈসি চাদুনা শিখিবনা হাল্লনি হায়না হনুবনা প্রপ প্রপ থোক্লকপদা লৈশাবী মচা অমনা হনুবা, হনুবা হায়না কৌরক্লম্মী। হনুবা অদুনা কদাইদগী লৈশাবীনো ঐনা হনুবী শিখিবা তারে হায়না পাখৎনা থোকলকলিঙৈদা মানা কারন তারকলিশিনা হায়রগা হনুবা প্রপ প্রপ চৎখি। লৈশাবী মচা অদুনা হনুবা নংবু ঙাইখো হায়না ফারম্মী। অদুগা ঐ হনুবীদুনে হায়না মশক তাকলে। হনুবা অদু ঙকখ্রে। হনুবী অদুনা হায়রকলম্মী নংনা চৈনা কনবদগী ঐ শিরগে হায়না থোকখিবা অদুদা ঐনা মী শিবা হৈ অসি চারগা শিরগে হায়দুনা চাবনি অদুবু হৈ অসি চারুবদা নহা ওনথোরকপনি হায়দুনা তাকলে। মদুনা অশেংবা ওইরদি ঐসু চাগে হায়দুনা হনুবা অদুনা হৈ পাম্বী মখোংদা চংশিন্দুনা অমা তাপ লাওনা খুনগৎলগা চারে, হনুবা অদু নহা ওন্থোকলে। হনুবা হনুবী অদু হৱাওরে অদুগা তোমপোক্লা হায়রম্বা অদু চুম্মী। মানা ৱাখল খন্থরুবা তৌদনা তোমপোকপু থাদুনা হাৎতোকলুবদো হায়না মথৱায় নুংঙাইতনা, অচা-চা পামুখ্রেদা হায়না তোমপোকপু শোন্দুনা কপ্পা কপ্পা লেনখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	ঙাশেপ্পম বিরচন্দ্র সিংহ
তাং	:	২২-১১-২০১০
চহী	:	৭৭
শিনফম	:	ৱারী লীবা
লৈফম	:	ঙাকট্রৌপোকপী।

য়েক্লবা

থায়না মমাংঙৈদা খুঙ্গং অমদা লাইরবা মতৈ মনাও অমা লৈরম্মী। লাইরবা নুপা অসিনা শীং চললুরগা ময়ুমদা পুরকই, অদুগা মাগী নুপীনা শীংশিং অদু কৈথেলদা য়োল্লগা ফংলকপা পৈশাদুনা য়ুম পুরম্মী। নোংমা লৈবাক অদুগী নিংথৌ অদু শাদানবা লাকপদা লাইরবা নুপাদুনা শীং চল্লগা লৈরম্বা অদু উরদুনা 'লৈবাক অসিদা ইংনা চিক্না নুংঙাইনা শান্তি লৈনা হিংবা মী থিবা তারগদি শীং চল্লিবা নুপা অসি ওইফম থোকই' খন্দুনা লাইরবা নুপাদুগী মনাক তম্না হাথু-হাথু চংলকলম্মী। লাইরবা নুপা অদুগা নিংথৌ অদুগা থেংনরে। নিংথৌনা হায় শীংজনবা নুপা নঙদি য়াম্না নুংঙাইনা অকিবা অমতা য়াওদনা মফম অসিদা শীং চন্দুনা লৈরমলি। নঙগী পুন্সি অসি নুংঙাইরমগনি। ঐগী পুন্সিদি নিংথৌনি হায়বখক্কী ৱানি অকিবনা পীক থল্লি, নঙগী চানিংবা চাবা, চৎনিংবা চৎপা, নথন্তা শান্তি লৈনা ৱাখল খন্দুনা লৈরিবা পুন্সি অদু কল্লকখ্রেদা। নহাক্না চল্লিবা শীংসি য়াম্না য়াম্মী, করি তৌনবনো হংবদা লাইরবা নুপাদুনা ইনিংথৌ ননাইদি লাইরবনিনা চল্লিবা শীং অসি ননাইগী য়ুমদা লৈহৌরিবা নুপী অদুনা কৈথেলদা য়োল্লবা মতুংদা ফংলকপা পৈশা অদুনা য়ুম পুজরি অদুগীনি হায়না পাওখুম পীরকখি। নিংথৌনা অমুক হায়রকই নোংমদা পৈশা কয়াদি ফংই। লাইরবা নুপাদুনা চাম্মা ফংবা চাম্মায়াঙখৈ ফংবা নোংমা নোংমগী দাওনি খুমলম্মী। নিংথৌনা নঙদি নোংমগী অদুমনা ফংলবদি পৈশা ময়ামদুদি কদাইদা থম্মী, করিদা শীজিন্নে, নঙদি পৈশা য়াম্না পায়রমগদবা মাল্লি হায়রম্মী। লাইরবা নুপাদুনা কদাইদগী পায়বনো ননাইদি য়েক্লবা অমসু লোয়জরি, অরিবা লমনসু শিংদোকচরি, অনৌবা লন খরসু পুথোকচরি, সমুদ্রদসু খরা থাদরি। ময়াম অসি শিজিন্নখিবদা ফংলিবা পৈশা অসি কোন্নবা

ঙমজদে। নিংথৌনা শীংজনবা নুপা নঙনা হায়রিবসি করি হায়রিবনো ঐ খঙবা ঙমদরে অদুনা নঙগী পাওখোং অসি ঐগী মন্ত্রীশিংদা ফোঙহনগনি করিগুম্বা মখোয়না ফোঙবা ঙমদ্রবা মখোয়বু মন্ত্রী ফমদগী লৌথোকলগা নঙবু মন্ত্রী হাপকনি অদুনা পাওখোং অসি কনাগীসু মফমদা ফোঙলুগনু হায়না নিংথৌগা লাইরবা নুপা অসিগা ৱাশকনরে। মসিগী মতুংদগী নিংথৌসু মাগী খোংমী লান্মী পুদুনা চৎখ্রে, লাইরবা নুপাসু শীং অসি য়োনবা নংলরোই মাগী নুপীনা ঙাইদুনা লৈরমলগনি খন্দুনা শীংশিং অদু পুরগা ময়ুম তম্না প্রপ-প্রপ চৎখ্রে।

লাইরবা নুপাদুনা ময়ুম য়ৌনবা থুনা লাকপনা মাগী ময়ুম য়ৌরদুনা থোঙ্গাল হেক চঙলকপদা, মাগী নুপীনা ঙাইদুনা লৈরম্বদু উরে। নুপীদুনা শাওনা ঙসিদি য়াম্না থেংলকই কনাগা উনদুনা লৈবীরকপনো, শীং চনফমদা অতোপ্পা নুপী লৈরদুনা পুকমেন পাওমেননরকপরা হায়না হংলকই। লাইরবা নুপা অদুনা শীং ফংদদুনা থিরকপদা থেংদোকখিবনি হায়না খুম্বদা নুপী অদুনা থাজদে হায়না অশেংবা হায়দ্রিফাওবা ঐ শীং য়োনবা চৎলোই হায়না য়াদদুনা লৈরে। লাইরবা নুপা অসিনা নুপী অসিনা শীং য়োনবা চৎত্রবদি হোরেনদি করি চাগনি, ইচাশিংসি চানিংঙাই লৈতদুনা নিংঙাই তৌবা তারে অদুনা হায়দোকলগে খল্লদুনা নুপী ঐ ঙসি শীং চল্লিঙৈদা লৈবাক অসিগী নিংথৌ লাক্তুনা থেংনরে। নিংথৌদুনা ঐগী ফংলিবা পৈশাশিং অসি কদাইদা থম্বনো হংবদা ঐনা ঐদি য়েক্লবা অমসু লোইরি, অরিবা লমনসু শিংদোক্লী, অনৌবা লনসু পুথোকলি, সমুদ্রদা খরসু থাদরি হায়না পাওখোং চল্লুবদা মসিগী মতাংদা ৱারী-ৱাতাই খরা শান্নরকপদা থেংলকপনি খুল্লে।

ঐ অতোপ্পা মীগা ফমিননদুনা মতম মাংহল্লকপা নত্তে হায়না হায়রবদা নুপী অদুনা পাওখোং অসিদি করি হায়রিবনো হংবদা নুপাদুনা পাওখোং অসিদি হংলনু নিংথৌনা পাওখোং অসি কনাগী মফমদা ফোঙদোক্কনু হায়না ৱাশকহলম্মী অদুনা হায়বা য়াররোই হায়রম্মী। নুপীদুনা পাওখোং অসি হায়দ্রবদি ঐ শীং য়োনবা চৎলোই হায়না

নিংঙাই তৌদুনা লৈরে। নুপা অসিনা য়াররোই খঙদুনা নুপীদুদা পাওখোং অসি কনাগী মফমদা ফোঙদোকলুনু ইবানিখক্তং খঙনসি। য়েক্লবা অমা লোইরি হায়বদি ঐগী নুপীগা ঐগা য়েক্লবনি মরমদি ঐনা অসুক কন্না শু-নোমদুনা হোৎনরীবা অসি ঐগী নুপীদা পুন্নমক তুমখি, মাগী খূৎনা পুন্নমক মাংহল্লি মরম অসিনা ঐগী নুপীগা ঐগা য়েকনবনি। অরিবা লমন শিংদোকলি হায়বদি, ঐনা ঐগী ইমা ইপাগী উসব তৌরি। অনৌবা লন পুথোক্লী হায়বনা ঐনা ঐগী মমল নাইদ্রবা ইচা য়োকলি। অদুগা সমুদ্রদা খরা থাদরি হায়বদি, চারি থক্লীবা ময়াম অসি মাংহল্লীবনি হায়বনি। অসুম্না লাইরবা নুপা অদুনা মাগী নুপীবু থেমদুনা কৈথেল চৎহনখ্রে। লাইরবা নুপা অদুনা খলহৌই, নুপী হায়বসি থাজবা য়াব নত্তে। ঐগী নুপী অসিনা হায়দোক্লম্লবদি ঐ নিংথৌগী চৈরাক ফংগনি।

অশোমদনা নিংথৌগী মন্ত্রীশিং অদুদা পাওখোং অসি হংবদা ফোঙবা ঙমদ্রবদা নুমিৎ মঙানিগী মতম পীরি, মঙানি অসিদা পাওখোং অসি ফোঙবা ঙমদ্রবা নখোয় লোয়না মন্ত্রী ফম অসি লৌথোক্কনি হায়রে। মন্ত্রীশিং অদু ময়ুমদা হল্লক্লগা মাগী মাগী ইমুং মনুংগা তান্নদুনা পাওখোং ফোঙবা হৈবা মী থিদুনা পাওখোং অসি ফোঙনবা হংবদা খোইরেন মশা পাইরে। লাইরবগী নুপী অসিনা কৈথেলদা পোৎ য়োল্লকইবসি ঙসিগা নুমিৎ হুমনি শুরে পোৎ অমতা শিৎত্রে হোরেলদি চানিংঙাইশু লৈহৌদ্রে হায়না মথা শারে। অশোমদনা পাওখোং অসি ফোঙবা ঙম্বা মীদা পৈশা, সনা, লুপা পীগনি হায়বদুদা পাওখোং ফোঙবা ঙম্বা মী থিনবদা মীশিং অদু কৈথেল কারক্লদবনা কৈথেল অদু পুংতাক তাক্লম্মী। মন্ত্রী অমদি নিংথৌগী সনা কোনুংদগী য়াম্না মথৱায় নুংঙাইতনা ময়ুমদা হল্লক্লম্মী। মন্ত্রীগী মচানুপীনা পাওখোং ফোঙবা ঙম্বা মী য়াওরব্রা হায়না হংবদা, মপাদুনা ফংদ্রি হায়রম্মী মচানুপীদুনা অদুদি ঙসিদি ঐগী লৈজবা সনা লুপা ময়াম অসি পুরগা চৎলগে ঐ পাওখোং অদু ফোংবা ঙম্বা মী থীরুখিগে হায়না মপা অদু য়ুম শংহন্দুনা থনম্লগা মচানুপী অদু চৎখিরম্মী।

লাইরবগী নুপী অদুনা পোৎ শিৎত্রে হায়দুনা মথা শানা লৈরিঙৈদা মন্ত্রী মচানুপী অদু চঙলক্লগা পাওখোং অসি ফোঙবা ঙম্লবদি মাগী য়াওরক্লিবা সনা-লুপা ময়াম অদু উৎলগা মসি পীগনি হায়রম্মী। লাইরবগী নুপী অদুসু য়ারম্মী। মন্ত্রীমচানুপী অদুনা পাওখোংশিং অদু চল্লম্মী। লাইরবগী নুপী অদুনা ৱাখল ইতৌ তৌদনা পাওখোং অদু ফোঙদোক্লগা সনা-লুপা ময়াম অদু ফংলদুনা মদুনা লৈগদবা পোৎচৈশিং লৈদুনা মচাগী ফিরোলকা লৈরদুনা য়াম্না মোন্দা নুংঙাইনা ময়ুমদা হল্লক্লম্মী। লাইরবা নুপা অদুনা মাগী নুপীনা লৈরকলিবা পোৎচৈশিং অমদি চানবা অথুম-অহাওশিং অদু উবদা পাওখোং অদু মাগী নুপীনা শোইদনা ফোঙলম্লগনি হায়বা খঙলে। অশোমদনা মন্ত্রী অদুনা নোং হেক ঙানবগা নিংথৌকোন্দা কারক্তুনা পাওখোং অদু ফোংলরে। নিংথৌনা হায়নখিবা ৱা ঙাক্তে হায়না শাওরদুনা লাইরবা নুপা অদু কৌরুনবা মনাইশিংদা য়াথং পীখ্রে অদুগা মন্ত্রী অদুদা পাওখোং অসি কনানা ফোঙলকই হায়না হংবদা শীং য়োনবী নুপী অমদা ইচানুপীনা হংলুবদা ফোঙলকপনি হায়না তমলে। লাইরবা নুপা অদু কৌরুদুনা মনাইশিংগা লাকলে অদুগা নিংথৌনা ইবান্নিনা হায়নখিবা ৱা অদু ঙাক্লবনিনা নঙ মন্ত্রী হাপকে নঙগী নুপীবু থাঙনা ককলগা হাৎলু নৎত্রবদি নংবু হাৎকনি হায়রে। লাইরবা নুপা অদু মথৱায় নুংঙাইতনা ময়ুমদা হল্লক্লে অদুগা মাগী নুপীবু মতৌ করম তৌদুনা হাৎকনি হায়বগী ৱাখল খন্দুনা লৈরে। লাইরবা ইমুংদুগী মতৈ-মনাওদু নুংশিনা চামিন থকমীন্নবা লোইরবা মতুংদা তুম্নরে। লাইরবা নুপাদুনা অহিং নোংয়াই চবুক্তা মাগী নুপীনা নুংঙাইনা তুমলীবা অদু হাৎকে তৌরুবদা মাগী পীকলীবা মচানা মমাদুগী খোল্লাং চিংদুনা লৈরম্বা অদু উবদা হাৎপা ঙমদ্রে। লাইরবা নুপা অদু নোং ঙানবগা চেল্লক্তুনা মাগী নুপীবু হাৎপা ঙমদ্রে অদুনা ঐবু ওইনা হাৎপীরো হায়না নিংথৌদা হায়ররে। নিংথৌনা মথংগী নুমিৎতা লাইরবগী নুপী অদু কৌখৎতুনা নঙগী নুপা অসি ঙসি হাৎলু করিগুম্বা নঙগী নুপা অসি নংনা হাৎপা ঙম্লবদি নঙ মহারাণী হাপকনি হায়রে। নুপীদুনা ময়ুম য়ৌরকপদা মাগী নুপা অদু

মথৱায় ৱানা ৱাখল খল্লুবগী ঙাইহাক অৱা পোথাবা ওইনা উইথদুনা লৈরম্বা থেংনরে, তাঙ্গা অদু মাঙহন্নিংদ্রদুনা ইমুং চংদুনা মৱাদুনা শিজিন্নবা থাং অদু পুথোকলগা নুপাদুগী মঙকশমদা য়ানবদা, নুপা অদু শোকপদি থিনা শোক্লগা শিবদি শিহৌদ্রে। খুঞ্জা ময়াম অদুনা লাইরবা মতৈ-মনাও অদু ফারদুনা নিংথৌগী মনাক্তা পুরক্লম্মী। নিংথৌনা ৱারী অদুদি খঙবনিনা লাইরবা নুপা অদুদা হংলম্মী- "নুপা নঙ নুপী অসি অমুক লৌদুনা নয়ুম ফুঙ্গা লিংদুনা লৈমিননবা পামব্রা" হায়বদা নুপা অদুনা ঐ নুপী অসি লৌবা ঙমলোই হায়রে। নিংথৌনা নুপী অদু মীহাৎপগী ফংফম থোকপা দন্দী পীদুনা ফাঁশি তৌদুনা হাৎখ্রে অদুগা লাইরবা নুপা অদুনা মন্ত্রী হাপতুনা অমদি নিংথৌগী মচানুপী পীদুনা লৈহৌরিবা মচাশিং অদুগা নুংঙাইনা পানখ্রে।

ৱারী লীবিরকপা	:	ঙাশেপ্পম বিরচন্দ্র সিংহ
তাং	:	২২-১১-২০১০
চহী	:	৭৭
শিনফম	:	ৱারী লীবা
লৈফম	:	ঙাকচ্রৌপোকপী।

লুখ্রাবী মচা চন্দ্রকংনাল

থায়না মমাংঙৈদা লুখ্রাবী মমা মচা খাংপোক শঙ অমদা লৈরম্মী। লুখ্রাবীদুগী মচাগী মমিং চন্দ্রকংনাল কৌই। নোংমা লুখ্রাবী মমা অদুদা চন্দ্রকংনালনা হায়রম্মী। ইমা ঐ তুরেলদা খোই চোপ্পা চৎলুগে। মমানা থেংনদি হল্লক্কনু হায়দুনা মচাবু থারম্মী। চন্দ্রকংনালনা খোই চোপ্পদা সনাগী থম্বাল মখোক অমা থুরে। মহাক্লা ময়ুমদা পুরক্লগা মমাদা পীরে। মমানা নিংথৌদা কৎলবদি মনা মথুম য়াম্না ফংগনি হায়রম্মী। লুখ্রাবী অদুনা থম্বাল মখোক অদু নিংথৌদা কৎলুরে। মদুদা থম্বাল মখোক অদুতা নত্তনা থম্বাল অদু হপ্পা অমগী মনুংদা পুরক্ত্রবদি লুখ্রাবী মমা মচা অনীমক অঙাং ওলহনগনি হায়না নিংথৌনা য়াথং পীরকলে। লুখ্রাবী মমানা হল্লকপদা চন্দ্রকংনালনা হরাউনা ইমা নিংথৌনা করি হায়বীরকপগে হায়না হংবদা, মমানা "থম্বাল অদু হপ্পা অমগী মনুংদা পুরক্ত্রবদি ইমা ইচাবু হাৎকনি হায়রক্লে" হায়না মচাদা তমলম্মী। চন্দ্রকংনালনা থম্বাল অদু থিবা তুরেলদুদা চৎকনি হায়রে। নোং ঙানবগা মমানা চান থক্লবা য়োম্বীরগা মচাদা পীরে। চন্দ্রকংনাল থম্বাল থিবা চৎলে। তুরেল অদুদা অসুম অসুম লাকপদা খুনুলৈমা হিদেন থেংনরে। খুনুলৈমনা কনানো হংবদা চন্দ্রকংনালনা ৱারী পুম্বা লীরম্মী। অদুগা অহিং অসিমতং অসিদা লেনজগে হায়বদা খুনুলৈমনা য়ারম্মী। অহিং অদুমা লেল্লগা নোংঙাল্লকপগা চন্দ্রকংনাল অমুক চুমদ্রিং লাকলম্মী।

চন্দ্রকংনালনা অসুম অসুম লাকপদা ঙানুলৈমা হিদেন য়ৌরে। ঙানুলৈমদা হায়জদুনা অহিং অমা লেল্লবা মতুংদা মহাক অমুকসু তুরেল মরু অদুদা অসুম অসুম লাকপদা শবীলৈমা হিদেন থেংনরে। শবীলৈমদা ৱারী পুম্বা লীরবা মতুংদা শবীলৈমনা অসুম্না তাকপীরম্মী। সোরারেনগী মচানুপীশিংনা তুরেলদা ঈরুজরিবসি উব্রা হংবদা

চন্দ্রাকংনালনা উই হায়না খুন্মী। মখোয়না ঈরুজরিঙৈ অসিদা মখোয়না শেৎনবা ফিশিং অসি পুরগা চেল্লকউ অদুগা তুং হন্নদি য়েংলুগনু। মখোয়না ফিশিং অদু পীয়ু হায়না তান্নরকপদা পীরুগনু অদুগা ফি অসি পীয়ু হায়রবদি সনাগী থম্বাল অমা পীয়ু নৎত্রবদি ফিশিং অসি পীরোই মৈ থাদোক্কনি হায়য়ু হায়না তাকপীরে।

অশোমদনা লুখ্রাবী অদু নিংথৌনা কৌখৎতুনা হপ্তা অমা হেল্লে থম্বালদি কদায় হায়না হংলকপা মতমদা লুখ্রাবী অদুনা মচা হল্লকপা ফাওবদং ঙাইবীয়ু হায়না হায়জরবদা হপ্তা অমগা মতম পীনি মসিদা থম্বাল অদু পীদ্রবদি হাৎকনি হায়রকলে। অশোমদনা শবীলৈমনা তাকপদুমক চন্দ্রকংনালনা তৌরুরে। সোরারেনগী মচানুপী তরেৎ অদুনা কদাইদগী অঙাওবনো ফিদু পীরম্মু হায়না হায়বদা চন্দ্রকংনালনা য়াদ্রে। অদুগা ফি অসি পীয়ু হায়রবদি সনাগী থম্বাল অমা পীয়ু নৎত্রবদি ফি অসি মৈ থাগনি হায়রে। সোরারেনগী মচানুপীশিং অদুনা য়াররোই হায়বা খঙলদুনা মপা সোরারেন্দা সনাগী থম্বাল অমা নিজদুনা মপানা সনাগী থম্বাল অমা থাদবীরকলে। সনাগী থম্বাল অদুগা ফি ময়াম অদুগা ওন্নরে। অসুম্না সনাগী থম্বাল অদু ফংলবা মতুংদা লুখ্রাবী মচা চন্দ্রকংনাল ময়ুম য়ৌনবা হল্লকলে। ময়ুম য়ৌনবা লাকপদা শবীলৈমনা ঐদি লৈহৌবা ঙমলোই ইবুংঙোগী নতুং ইনলক্কনি হায়দুনা চন্দ্রকংনালগী মতুং ইন্দুনা লাকলে। অদুম লাকপদা ঙানুলৈমা অমদি খুনুলৈমসু লৈহৌবা ঙমলোই হায়না মতুং ইন্দুনা লাকলে।

লুখ্রাবী মচা চন্দ্রকংনাল ময়ুম য়ৌরকলবা মতুংদা সনাগী থম্বাল অদু মমাদা পীরগা নিংথৌদা কৎলুনবা হায়রে। লুখ্রাবীদুনা সনাগী থম্বাল অদু পুরগা নিংথৌদা কৎলুরে। নিংথৌনা লুখ্রাবী মচা অসি শক্তি লৈবা মীনি মতম অমদা ঐগী খুভম অসি মানা মুনখিবা য়াই, অদুনা লুখ্রাবী মচা অসি হাৎতোকহৌদবা য়াদে হায়না ৱাখল তৌবা হৌখ্রে। নিংথৌনা মনাই থাদুনা চন্দ্রকংনালবু কৌহল্লুরে। নিংথৌগী মনাই অদুনা চন্দ্রকংনাল কৌবা চৎলুরগা নিংথৌদা- চন্দ্রকংনাল হায়বা

লুখ্রাবী মচা অদুদি মশক মতৌ ফজবী লৈমা অহুম্না শেবা তৌদুনা লৈহৌই, মাদি ইনিংথৌদগী যাম্না হেন্না নুংঙাইনা লৈ হায়না তমলে। পাউসি তাবদা নিংথৌ অসি হেন্না শাওনিংলে। লুখ্রাবী মচা অসি করম্না হাৎকনি হায়বা ৱাখলদা নিংথৌ অদু উংদুনা লৈরে।

চন্দ্রকংনালনা নিংথৌগী মনাক্তা লাকপদা সনাগী থম্বাল অসি কদাইদগী পুরকপনো হায়না হংবদা চন্দ্রকংনালনা থোকখিবা ৱারী পুম্বা লীরম্মী। ৱারীশিং অদু তারবা মতুংদা নিংথৌনা চন্দ্রকংনালবু ওইদবা ঙাংঙি হায়না মনাইদা য়াথং পিদুনা ফুহল্লে অমদি শাইগী তিংখং মরক্তা থোইদিং শংবাই অমা হৈদোক্লগা মসি হয়েং নোংঙানবফাওবগী মনুংদা মরু অমফাওবা চিৎথদনা খুনগদবনি নৎত্রবদি অঙাং ওলহনগনি হায়রকলে। চন্দ্রকংনাল মযুমদা কপ্প কপ্পগা হল্লক্লে। লুখ্রাবী অমদি মাগী তালোইশিংনা কৈদৌরবনো হায়না হংবদা চন্দ্রকংনালনা ৱারী পুম্বা লীরে। ৱারী অদু তাবদা খুনুলৈমনা অদুগীদমক্তা ওইরবদি করিমতা ৱাবীরুগনু ঐ খুনজগে, নুংশা থিবীরুগনু নুংঙাইনা পোৎথাবীরুরো হায়রে। চন্দ্রকংনালনা ঙমগদ্রা হায়বদা খুনুলৈমনা ঙমগনি হায়রে। লুখ্রাবী মচা অদু তুমখ্রবা মতুং অহিং নোংয়াইদা মপা সোরারেন্দা মশিং থিঙমদ্রবা খুনু পীনবিয়ু হায়না নিবদা সোরারেননা মশিং থিঙমদ্রবা খুনু থাদবীরকলে। খুনুশিং অদুদা খুনুলৈমনা মখোয়না তৌগদবা থবকশিং অদু হায়রবা মতুংদা থোইদিং মরু অমতং য়াতোন তংগে নিংলবদি ঐবু হাৎপা পাপ পু হায়না শাপ তৌরে। খুনুশিং অদুনা থোইদিংশিং অদু মরু অমতা মাংহন্দনা খুল্লগা থনমলে। নোংঙালকপদা থোইদিং শংবাইদু লৈরম্বা উবদা নিংথৌ অমদি মাগী মনাইশিং অদু ঙকপদা লোইখ্রে। মসিগী মতুংদা লুখ্রাবী মচাদু অমুক কৌখৎতুনা তুরেল মনুংদা ফৌপোৎ অমা হৈদোকলগা মসি মরু অমতা ৱাৎতনা হয়েং নোংঙাল্লকপফাওবগী মনুংদা খুনলগা থনমগদবনি হায়রে। চন্দ্রকংনাল অমুক মথৱায় নুংঙাইতনা হল্লকলে। পাউসি মাগী মমা অমদি নুপীশিংদা তমবদা ঙানুলৈমনা করিমতা নুংশা থিবীরুগনু ননাই ঙম্নবা হোৎনজগে হায়রবদা

চন্দ্রকংনাল নুংঙাইনা পোৎথারে। ঙানুলৈমনা অহিং নোংয়াইদা মপা সোরারেনদা মশিং থিঙমদ্রবা ঙানু পীবিরক্লবা নিবদা মপা সোরারেন্না পীবিরে। ঙানুলৈমনা ঙানুশিং অদুদা তৌগদবা থবক তাক্লবা মতুংদা ফৌশিং অসি মরু অমতং তংগে হায়না নীংলবা ঐনা শাপ তৌগনি হায়না কীহল্লে। অহিং অদুদা ফৌশিং অদু অমতা চিৎথদনা খুনলগা থমলমলে। নিংথৌ অমদি মাগী মনাইশিং অদু অমুক্কা হেন্না ঙকখ্রে। নিংথৌনা লুখ্রাবী মচা অসি হাৎপা ঙমলোইদৌরে অদুনা মহাক কমদৌনা হাৎকনি হায়বা ৱাখল খন্দুনা লৈখ্রে। লুখ্রাবী মচা চন্দ্রকংনাল অসি অমুক কৌখৎলে। হয়েং কোমদা থাদরগা মৈ থাগনি হায়রকলে। চন্দ্রকংনাল মথৱায় নুংঙাইতনা কপ্প কপ্পাগা ময়ুমদা হল্লকলে। মাগী মমা অমদি তালোইশিংদা পাউ অসি তম্বদা শবীলৈমনা ননাইনা ফনবা শিনজগে করিমতা নুংশা থিবীগনু নুংঙাইনা পোৎথাবীরুরো হায়রে। কোম তৌহৈবগী পাউদু তম্লবদা মাগী তালোই অহুম্না থেমদুনা নুংঙাইনা পোৎথানবা সেবা তৌদুনা থমলে। শবীলৈমনা অহিং নোংয়াইদা মপা সোরারেন্দা মশিং থিঙমদ্রবা শবী পীবীরক্লবা হায়জবদা মপানা পীবিরে। শবীলৈমনা শবীশিং অদুদা ঐনা শিন্নরিবা থবকশিং অসি লোইরমদনা নমাই লৈরগা চেল্লবদি ঐনা শাপ তৌগনি হায়না কীহল্লে। অহিং অদুদা শবীশিং অদুনা কুমথদুনা লুখ্রাবী মচাগী ফুক্লাক মপান ফাওবা হুৎলগা থমলমলে। নোং ঙানবগা লুখ্রাবী মচা অদু নিংথৌ মনাই অচানবশিংনা ফাদুনা পুরক্লগা কোম অদুদা থাদরে। লুখ্রাবী মচাদু কোম মনুংদা থাদখ্রবা মতুংদা মথক্তা শিং লোন্নদুনা মৈ থানবা হোৎনরীঙৈ লুখ্রাবী মচাদুদি ময়ুম য়ৌনবা হুৎতোক্লীবা অদুদা চেল্লক্লগা; ময়ুম য়ৌরগা মাগী নুপীশিংদুনা চাক ইনবীদুনা নুংঙাইনা পোৎথাদুনা লৈরে। অশোমদা মৈ থাখ্রবা মতুংদা লুখ্রাবী মচা অদু শিরমলনি হায়দুনা নিংথৌনা মনাইশিং অদু থাদুনা ময়ুমদা লৈব্রা হায়না য়েঙহল্লুবদা চন্দ্রকংনাল লৈরম্বদু উবদা পুংঙক ঙকখ্রে। মনাইশিং অদুনা লুখ্রাবী মচা অদু অমুক ফাদুনা পুরকলে। অদুগা মানা লৈরল্লিবা মওং অদু মনাইশিং

অদুনা নিংথৌদা তম্বদা নিংথৌদি ঙকপগা লোয়ননা নহাক করম্না হিংলকই হায়না হংবদা চন্দ্রকংনাললনা ঐগী লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংগা উনবদা মখোয় হরাউবনা লোইখ্রে অদুগা মখোয় উনরবা মতুংদা ঐ অমুক হল্লকপনি। ইনিংথৌগী ইমা পাবুংনা ইনিংথৌবু অমুক্তং উননিংই হায়না ওন্না থোইনা কপহৌই অদুনা পাউসি ইনিংথৌদা তম্বীয়ু হায়না তম্মীবনি হায়না হায়জিল্লে। অদুদি ঐবু মখোয়গী মনাক্তা চৎলগা অমুক হল্লকপা য়াগদ্রা হায়না নিংথৌনা হংবদা চন্দ্রকংনাললনা য়াগনি হায়না হায়জিল্লবদা নিংথৌনা মশাবু মৈ থানবা কোম তৌরো হায়না মনাইশিংদা য়াথং তৌখ্রে।

নোং ঙাল্লবদা নিংথৌ মশানা কোম অদুদা কুমথদুনা মৈ থাখ্রে। চন্দ্রকংনাললনা নিংথৌ অপংবা মীগী মাঙনবা শিল্লবদি নশা নথন্তা শিজরেদো কমদৌই, নহাকপু হৌজিক মৈনুংদগী কনানা কনবিগনি হায়না খাক্লা খাক্লা নোকলে। নিংথৌ অদু শিরে। অসুম্না লুখ্রাবী মচা চন্দ্রকংনাল অসি ৱাখল লৈবা শক্তি চেনবা মীনি হায়দুনা নিংথৌ খুভম পীদুনা নিংথৌ ওইদুনা নুংঙাইনা পানখ্রে।

ৱারী লীবিরকপা	:	ঙাশেপ্পম বিরচন্দ্র সিংহ
তাং	:	২২-১১-২০১০
চহী	:	৭৭
শিনফম	:	ৱারী লীবা
লৈফম	:	ঙাকচৌপোকপী।

কতনগী লাইবক

থায়না য়াম্না ঙল্লিঙৈগী মতমদা মৈত্রবাক্তা লুখ্রাবী অমা লৈরম্মী। লুখ্রাবী অসিগী য়াম্না তনবা য়াম্না শুনিংদবা মচানুপা মশা মউ য়াম্না ফবা অমখক লৈরম্মী। লুখ্রাবী অদুনা মচানুপা অদুবু ভিক্ষা নিদুনা ফংলকপা খরদুনা থাকলম্মী। অদুবু লুখ্রাবী অদুদি নোংমা নোংমগী শোনজিল্লকখি। অদুফাওবা মচা শুনিংদবা অদুদি শুনোমদুনা মমাবু থাক্কনি হায়বগী ৱাখল লৈরমদে। তুম্বগা চাবগা নত্তনা অতৈ করিসু তৌরমদে।

নোংমদি খুল অদুগী মীয়াম অদুনা নিংথৌদা ৱাকৎলম্মী। মদুদি লুখ্রাবী মচা কতন মশা মউ অদুক ফখ্রবা অমা লৈনা লৈনা লুখ্রাবীনা ভিক্ষা নিবদু য়ানিংদে লেপহল্লু হায়রম্মী।

অদুদগী নিংথৌগী য়াথং মতুংইন্না লুখ্রাবী মচা কতনগী মমাদা ভিক্ষা পীবা য়ারোই, করিগুম্বা পীরম্বা থেংনরবদি শাগৈ তুম্না হৎকনি হায়না শগোল পাউ থাদুনা খুন খুদিং, লৈকাই খুদিং পাউজেনখি। মদুগী নুমিৎতুদগী লুখ্রাবীনা ভিক্ষা নিবা চৎলুবদা কনানসু ভিক্ষা হাপলকখিদ্রে। অদুদগী মমানা কতনদা ইবুংঙো ঙসিদি ভিক্ষা ফংদ্রে কমদৌসিগে চরা হেল্লসি হায়রম্মী। কতন্না উপায় লৈত্রদুনা লৌবুক্তা লাকলম্মী অদুগা থেম্বুং খুন্দুনা চারম্মী। অদুদগী কতনদো মবুক থল্লবনিনা অমুক তল্লকতুনা লৌরিদুদা ফমদুনা নুংশা য়াইদুনা লৈথোকলম্মী। কতন্না ফমলীবা লৌফমদুদা মীওই খরা লৌ খোয়দুনা লৈরম্মী। মখোয়না হয়েংসু অমুক লাক্কুনা খোয়রগদৌরিবনিনা লাঙ্গোলশিংসে মফমসিদা অদুমক থমলমলসি হয়েং ঙন্না লাক্করসি হায়রদুনা মাগী মাগী লাঙ্গোলশিংদো লৌফমদুদা থমলমদুনা চৎনখ্রে। অদুদগীদি কতন্না

লাঙ্গোলশিংদো মফম চানা চানা অমমমতা ওইনা লোৎশিন্দুনা থমলম্মী অদুগা হান্নগী মফমদুদা অমুক ফমদুনা লৈখি।

মথংগী অয়ুক্তা লৌমীশিংদো লৌখোয়বা লাকলম্মী অদুবু মখোয় মখোয়গী লাঙ্গোলশিংদু লৈরমদ্রবদা য়াম্না শাওরম্মী অমদি মথৱায়সু নুংঙাইরমদে। অদুদগী অমনা আদা ফমলিবা কতনসিদা হংলুসি হায়রম্মী। অদুদগী অমনা অমুক কতনসিনা করম্না লৌরমদোইনো হায়রকখি। মখোয়না ঙাঙনরিবদু মুন্না তারবা মতুংদা কতন্না য়াম্না চীঙলেম্না ঈশ্বরগী মপাউ পুবা অমাইবা অমগী মতৌগুম ঙাইখো নখোয়গী পোৎশিংদো ঐনা ঈশ্বরগী মফমদা হংবিগে অদুগা কদায়ৱায়দা লৈ হায়বদু তাক্কে নখোয় চেং শের অমমমগা লুপা অমমমগা ঐগী মাংদা থমদুনা ঈশ্বরদা কৎলুলাও হায়না হায়রকলম্মী। অদুদগী লৌমীশিং অদুনা ময়ুম ময়ুমদা চৎতুনা চেংগা শেলগা লৌরদুনা কতনদা কৎলম্মী অদুদগী কতন্না মানা মফম চানা থমলিবা লাঙ্গোলশিংদো অমমমতা ওইনা মাইবী লাই তোংবগুম মথং-মথং তাকলকখি। অদুদগী লৌমীশিং অদুনা কতনবু ঈশ্বরগী শক্তি চেনবা মীশক অমগুম খনখি।

অদুদগীদি কতনদো নোংম নোংমগী মাগী অঙকপা মপাউ অদু মৈত্রবাক শিনবা থুংনা শন্দোকখি। অদুদগী কতনবু মীয়াম্না কতন মাইবা অফাওবা হায়না খঙনবা হৌরকখি। মহাক মৈত্রবাক শীনবা থুংনা মমিং শেগাক কায়না চৎখি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা আগ্রা হায়বা লৈবাক অদুদা নিংথৌগী মচা ইবেম্মগী সনাগী লীকফাং অচৌবা অমা মফম খংদনা মাঙখিরম্মী। মদুবু মতৌ করম্না ফংগদগে হায়না নিংথৌনা দরবার ফমদুনা ৱা তান্নরম্মী। মতমদুদা অঙম্বা অমনা মৈত্রবাক কৌবা লমদুদা কতন মাইবা কৌবা অফাওবা ওজা অমা লৈ। মাবু কৌদুনা থিহনসি হায়রকখি।

অদুদগী আগ্রাগী ফম্নাইবশিংনা শগোল-গাড়ী দোলাই তোংদুনা কতনবু লৌবা মৈত্রবাক্তা লাকখি। কতননা মাবু লৌবা লাকপা অদুদা পাখৎতুনা করি তৌসিগে খনখি। হান্নদি মানা লোৎশিনজরগা মানা

অদুমক ফোঙদোকচবনি অদুবু হন্দকমুক্তি তশেংনমক্কী মাংখ্রবা পোৎ অমবু থিননবা মাবু লৌবা লাকপনি। কতন মশাগী ইজৎ য়েংদুনা মমাগী খুয়াদা মখোঙ শোক্লা খুরুমদুনা আগ্রাদা চৎখিরম্মী। আগ্রা য়ৌরগা কতননা তৌফম খঙদদুনা ৱারে ঙসি অহিং অসিদদি পোত্থাহনবীয়ু হায়জখি। কতননা হায়জবদগী নিংথৌনা য়াবিদুনা অতিথি থম্ফমগী কাদা কতনবু নুংঙাইনা থম্লবা শিনখি। অদুবু কতনদি নিংথৌগী কোনুংদুদা নিংথৌনা পীবা অহাও-অথুম, নুংঙাইরবা লৈফম অদুবু মঙোন্দদি কান্নফম খঙদনা ইপা পাখৎনা লৈরম্মী। হয়েং নোং ঙানবগা সনা অদু থিয়ু হায়রকলনি করিগুম্বা থিবা ফংদ্রগনা ঐবু মফম অসিদা শোয়দনা ইঙক অসি ককখিবা তারে। ঐবু আগ্রা হায়বা লৈবাকসিদা ইঙক অসি ককতুনা তুপ্পা তারবা হায়দুনা কতন্না মথন্তা শোন্দুনা অহিং অদুমা তুমদবমখৈ কা মনুংদুদা শোন্দুনা লৈরম্মী। ককনিদো তুপলনিদো, কক্লনি তুপ্লনি, ককপা তুপ্পা, ককপা তুপ্পা, ককপা তুপ্পা হায়না অসুন্না অদুম শোন্দুনা লৈরম্মী।

অদুগা সোমদনা নিংথৌ মচানুপীগী সনা হুরানবদু মীওই অনীখক মান্নরগা হুরানবা ওইরম্মী। তান চারুবদগী মখোয় অনীগী মমিংসু অমনা ককপা অদুগা অমদুনা তুপ্পা কৌরম্মী। মখোয় অনীদুসু মৈত্রবাক্তগী কতন মাইবা কৌবা অফাওবা নুপা অমা লাক্তুনা সনা থিদৌরি তাবদগী তুম্বা য়াদনা লৈরম্মী। অদুদগী ককপনা মতাউ তুপ্পদা ইতাউ কতন মাইবা অফাওবা অদু হয়েংগীদমক হৌজিক করি তৌরিগে য়েংলুসি হায়না তুমিন্না লাক্তুনা থোঙদা লুমদুনা মনা থাঙ্গৎতুনা লৈরম্মী। মনুংদদি কতননা ককপা তুপ্পা, ককপা তুপ্পা হায়না অদুম শোন্দুনা লৈরম্মী। মদু তাবদা হুরানবা অনীদুনা মখোয় অনীগী মমিং পন্দুনা লৈরে হয়েং ইনিংথৌগী মমাংদা হায়দোরকলবদি ঐখোয় অনী শোয়দনা শিবা তারে অদুনা হৌজিক মখোঙ কোন্দুনা থৱায় হীংনবা হায়জরুরসি হায়দুনা হুরানবা অনীদুনা কতনগী মখোঙদা কোন্দুনা মখোয় অনীগী মমিংবু নিংথৌগী মমাংদা হায়দোকপিরক্তনবা হায়জখি। অদুদগী মখোয়

অনীনা কমদৌনা হুরানবা অদুগা কদায়দা লোৎশন্দুনা থমলি হায়বা লোয়না হায়দোরকখি। মদুদগী কতনদো চাউরবা পোৎলুম অমা মথক্তগী থাংথবগুম ইয়াং য়াংখি। কতন্না মখোয় অনীবু ঙাকপিরে হায়দুনা চৎহনখি।

নোংঙাল্লে কতন মায়থোং মকা লাম্না নিংথৌগী মনাক্তা লাকখি অদুগা সনাদুগী লৈফম তাকখি। নিংথৌনা মনাই থাদুনা মফমদুদা সনাদু লৈব্রা য়েংহল্লুই। মনাইশিংনা সনাদো পুদুনা লাকখি। অদুগা হুরানবা অনীদুদি কতন্না হায়দোকখিদে। সনা অদুবু ফংলকপদা নিংথৌনা হরাওমনখিদুনা সনা লুপা, লন থুম কয়া কতনদা মনা ওইনা পীখি। অসিদা নত্তনা মচানুপী ফাওবা পীরকখি। অদুদগী কতনদো মৈত্রবাক্তা লন থুম ময়াম পুদুনা মাগী নুপীগা লোয়ননা লাকখি। কতনদো থবক শুনিংদ্রবসু মাগী সুরোন ফাওবা চাবা কোন্নবা মখৈ লৈদুনা মমা অমদি মাগী নুপীগা লোয়ননা নুংঙাইনা পানখি। মতৌ অসুম্না শুনিংদবা কতনদো দাউ য়াদুনা লাইবক্কা চান্নরুবদগী থবক শুকসু শুদনা মপুন্সিচুপ্পা নুংঙাইনা লেনখি।

ৱারী লীবিরকপী	:	নিংঙোম্বম ইবেতোন দেবী
তাং	:	৫-২-২০১০
চহী	:	৮০
শিনফম	:	য়ুম কোইবী
লৈফম	:	বাশিখোং বাজার।

ভাবনা দোলান শাবা

থায়না মমাংঙৈদা য়াম্না লায়রবা নুপা অমা লৈরম্মী। মাগীনি হায়দুনা মমা মপানা করিগুম্বা অমত্তা থম্বীরমদে। অদুগা অমুকসু নুপা অদু য়াম্না শুনিংদবা, ৱাদনা নুংঙাইবা পামলম্মী। মরমদুনা মমাগা মপাগনা সুপ্নগী য়ুম্ফম অফবা অমগা খাঙপোকশঙ অমখক্তা থম্বীরম্বা অদু মতৌ করম্না মদুদগী নুংঙাইনা হিংগদগে হায়বগী ৱাখন্দা তাউদুনা নুংতিগী শুগনি নোমগনি হায়বা কাউথোকপা মখৈ লৈরম্মী।

নোংমদি ইখঙ খঙহৌদনা শুনিংদবা নুপা অদুনা য়ুমগী অকোয়বদা সুম চত্তুনা করি য়োন্দুনা চাবা য়াবা লৈবগে হায়না থিরম্মী। মতমদুদা ইখঙ খঙহৌদনা মাগী মীৎফম অদু য়ুমদুগী য়েন্নখাদা ঙাদুনা লৈবা চুহী চফু অথনবা অমখক্তা তারুই। অদুদগী মহাক্না চফু অদুগী মনাক্তা ফমদুনা অমুক ৱাখল তৌবা হৌরকলম্মী।

মহাক্না মতমদুদা য়াম্না নুংঙাইরবা মংলান অমা শাগৎলম্মী। মদুদি চুহী চফু অদু বজারদা পুদুনা য়োনথোকলম্মী। চুহী চফু অদু লুপা ১.৫০ দা মহাক্না য়োল্লম্মী। অদুদগী লুপা ১.৫০ দু পুদুনা মহাক্না য়েন্নাউ য়োনবা দুকান অমদগী য়েননাউ খরা লৈরম্মী অদুগা য়েন্নাউশিং অদু নীংথিনা লোইরম্মী। য়েন্নাউশিং অদু নোংমা নোংমগী চাউরক্তুনা মপুঙ মরৈ ফারকলে। মরুম কোক্লে অদুদগী মচা অমুক কোন্দুনা মচা ময়াম ওল্লে। মচা ময়ামদুনা অমুক চাউরকতুনা মরুম ময়াম কোকলম্মী। মরুমশিংদু মহাক্না নুংতিগী কৈথেলদা য়োল্লম্মী। মদুদগী শীৎলকপা পৈশাশিং অদু মানা নোংমদি লোটরি ককলম্মী। লোটরিদো লুপা লাখ ৫ মঙোন্দা ফাওরম্মী।

অদুদগী মহাক্না লুপা লাখ ১ চংবা ফজরবা য়ুম অমা শারম্মী। লাখ ১ পীবা কার ১ লৈরগা তোংলম্মী। মীনাই কয়া অমসু মাগী থবক ইঙ্খাং শুনবা থমলম্মী।

নোংমদি মহাক্না থবক চৎলুরগা ৱানা হল্লকপদা মাগী মীনাই অমদা ঈশিং গিলাস অমা পুরকউ হায়না থৌদারম্মী। মীনাই অদুদা মহাক্না খোঙপাক্না দিক লাওনা কাওরম্মী। মতৌ অসুম্না মহাক্না মীনাইদা খোঙপাক্না কাওবগী মতৌ অদু মঙলানদগী তাইবংদা ফাওরকতুনা ফম্না ফম্না খোঙপাক্না কাওবগী মওং অদু তৌরম্মী। মতমদুদা মহাক্না মীনাইনি খন্দুনা খোঙপাক্না কাওরুরিবা অদু মীনাইদি ওইরমদনা মাগী পুন্সিবু নুংঙাইহনগনি খল্লিবা চুহী চফু অদু ওইরম্মে। অদুদগী চুহী চফুদো লৈবাক্তা হৈদোক্কুনা মাংখি।

মতৌ অসুম্না শুনিংদবা লাইরবা নুপাদো ভাবনা দোলান শারুবদগী চুহী চফু কায়দুনা মানা শাগৎচরুবা মঙলানশিংদো মঙফাওনখিদে।

ৱারী লীবিরকপী : নিংঙোম্থম ইবেতোন দেবী
তাং : ৫-২-২০১১
চহী : ৮০
শিনফম : য়ুম কোইবী
লৈফম : বাশিখোং বাজার।

ওজাগী থৌজাল

মমাংঙৈগী মতমদা সহরদগী খরা তাম্বা মফম অমদা মরুপ অনীখক য়াম্না নুংশিননা লৈরম্মী। মখোয়গী মমিং তোম্বা অমসুং চাউভল কৌরম্মী। নোংমদি মখোয় অনীনা ভাই ঐখোয় থবকসু লৈতে অদুনা পুং থিনবা তমসি অদুগা হৈরবকান্দা পুন্না থিন্দুনা শেল তানসি হায়নদুনা পুং থিনবা তমবিনবা পুং থিনবা ওজা অমা থিবা লাকখি।

মখোয় অনীনা কোয়থি থিদুনা মমৈথংদা মখোয়গী খুন্দুগা লোন্নবা খুন অমদা মখোয়গী ওজাদু ফংখি। ওজানা হায়বা মতুংইন্না মখোয় অনীনা থৱায় য়াওনা পুং থিনবা তমলম্মী। অদুবু মখোয় অনীদো বিদ্যাদসু পুক্লিং চংদবনা মহৈদো হৈয়ু কৌবা য়ারমদ্রে।

অদুদগী নোংমদি ওজা অদুনা করম তৌসিগে খন্দুনা মখোয় অনীদা মায়রেন মরু খুবাম অমমম পীদুনা ঙসিদগী নখোয় অনী ঐগী নাক্তা লাক্লনু হায়দুনা হায়রকখি। মায়রেন মরুসিনা পাল্লবা মতমদা লাকউ হায়দুনা থারকখি। তোম্বগা চাউভলগদো ওজানা পীরকপা মায়রেন মরুশিংদু পুদুনা ময়ুমদা লাকখি। তোম্বদি ওজানা হায়রকপা মতুংইন্না মায়রেন মরুদো মফম চানা থারম্মী। অদুবু চাউভলদি মসিবু হায়দুনা খোংবান্দা লাক্তুনা লংথোকখি।

মতমগী মতুংইন্না তোম্বগী মায়রেল হৌরকলম্মী। মপুং মরৈ ফারকতুনা মায়রেন পানবা হৌরকলম্মী। অদুগা চাউভলগীদি খোংবান্দা লিখৎপা ঙমদনা য়াম্না ৱানা মতোন থিনগৎলকখি।

তোম্বগী মায়রেনদো মতাং খুদিং তমদুনা তেকথবা মখৈ পানবা হৌরকলম্মী। লৈকাইগী মীশিংনা তোম্বগী মায়রেনদুবু কল্লক্লখি। অদুদগী মায়রেনদো মপুঙ মরৈ ফাদুনা য়োনবা য়াবগী থাক য়ৌরকলম্মী।

তোম্বনা মায়রেনদু হেকতুনা কৈথেলদা য়োল্লন্মী। মদুদগী ফংলকপা পৈশাদুনা ইমুং-মনুং ফাওবা থাকপা কোন্নবা হৌরকলন্মী।

অদুবু চাউভলগীদি কদায় মাগী মাইরেনদি খোঙবান্দা ময়োন থিংগৎলকপা ঙমদনা অদুমক মপুন্সি লোইখ্রে। তোম্বনা মাইরেন য়োনবগী শেলশিংদু তুংশিন্দুনা মাগী ওজাগী ফজরবা ফৈজোম অমা লৈদুনা মাবু পুং থিনবা তম্বীরকখিবা অদুগীদমক ওজাগী দক্ষিনা কৎপা লাকখি। মতমদুদা ওজানা তোম্ববু থৌজালবীখি অমদি মখা তানা পুং থিনবা তম্বিখি। ওজানা হোৎনবীবদগী তোম্বদো অফাওবা পুং থিনবা অমা ওইদুনা লৈবাক্কী সেবা তৌবা ফংজখি। অদুগা চাউভলদি ওজাগী য়াথংবু থওইদবদগী ওজাগী থৌজাল ফংদনা মাংদুনা তোকখি।

মতৌ অসুম্না ওজাবু লুনা খনবা, ওজাগী য়াথংবু ঈশ্বরমক্কী য়াথংনি খন্দুনা পাংথোকলুবদগী তোম্বদো মীয়াম্না শকখংলবা ওজা অমা ওইরকখি।

ৱারী লীবিরকপী : নিংঙোম্বম ইবেতোন দেবী
তাং : ৫-২-২০১১
চহী : ৮০
শিনফম : য়ুম কোইবী
লৈফম : বাশিখোং বাজার।

পোমভ্রি হিকমাবী মোমপাক য়াহৌথেং

থায়না মমাংঙৈদা খুঙ্গং অমদা থংননা লৈবা য়ুম অনীখক লৈরম্মী। য়ুম অনী অদুদা নুপী অমমম লৈরম্মী। মমিংনা পোমভ্রি হিকমাবী কৌরম্মী অদুগা অমদুনা মোমপাক য়াহৌথেং কৌরম্মী। মমিংশিং অসি মখোয়গী মমা মপানা পিক্লীঙৈদগী থোনবীরকপা নত্তে। লৈকাইগী মীশিংনা মখোয় অনীগী মওংদুদা থোনবিবনি।

পোমভ্রি হিকমাবী হায়বী নুপী অসি য়াহৌ য়াম্না ঙন্না হৌগৎলী। অদুবু য়াহৌ ঙনজরবসু থবক মনা অমফাও শুদনা মাঙ্গোনগী উখোকতেন্দা ফমদুনা হিক মাদুনা নুমিৎ চুপ্পা অমা অদুম লৈরম্মী। মাগী মতৌ অদুদা লৈকাইগী মীয়াম্না মাবু পোমভ্রি হিকমাবী থোনবিরিবনি।

অদুগা মোমপাক য়াহৌথেং হায়বী নুপী অসিদি থবক ইনখাংদি য়াম্না তৌজবা, শিনফম খুদিং শৎ-শৎ তৌদুনা শিনবা লাংবা য়াম্না হৈ। অদুবু মাগী অশোয়বা হায়ববু য়াহৌ য়াম্না থেংবা অসিনি। য়াহৌ থেংবনা মরম ওইদুনা লৈকাইগী মীনা মাবু মোমপাক য়াহৌথেং হায়না মমিং থোনবি। মোমপাক য়াহৌথেংদি য়াহৌ থেংজরবসু মথৌ মশক খঙবনিনা করিমত্তসু ৱাবিরমদে। অদুবু পোমভ্রি হিকমাবীদি হিক অদুম মাদুনা লৈবদগী থবক অমত্তা নংদে।

নোংমদি মাগী মাগী নুপানা লং লৈদুনা নাইনবা মাগী মাগী নুপীদা পীরম্মী। মোনপাক য়াহৌথেংদি মথৌ মশক খঙবীনিনা লং নাইবা শৎ শৎ লোইশিনখি। অদুগা পোমভ্রি হিকমাবীদি হিক মারিঙৈদা লং নাইবা লোইরমদে। মাগী নুপানা লং নাইবা লোইরব্রা য়েংগে হায়রম্মী, মদুদা পোমভ্রি হিকমাবীনা অমখক নাইবদু খরুং মনুংদগী লৌখৎতুনা

তু হায়দুনা উৎলম্মী। অদুগা অমুক হাপচিন্দুনা অমুক থাংগৎলদুনা তু হায়না অমুকসু উৎলম্মী। অসুম্না হিকমাবীনা লংদুম অমদুনা অমুক থাঙ্গৎ অমুক থাদ তৌদুনা ময়াম নাইরে হায়না খুমলম্মী।

অদুদগী মাগী নুপানা চিংনদুনা ফরে অদু ওইরবদি ঐ লংফৈ চৎলুগে নও লংশিংদু লোইনা তাবা লোইশিল্লম্মুকো হায়রম্লগা চৎখ্রে। অদুবু নুপা অদুদি লংফৈ চৎপগী মহুৎতা লুমদুনা মাগী নুপীনা করি করি তৌরি হায়বা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরম্মী। মাগী নুপী অদুদি থবক অমত্তা শুদনা হিক মাদুনা অদুম লৈরম্মী। অদুদগী মাগী নুপানা উচেক শাদুনা পাইরকলম্মী অদুগা ‘নৱা চাওরা লংদুম চাওরা’ হায়না খোংলম্মী। অদুদা পোমভ্রি হিকমাবীনা লংদুম চাও হায়না খুমলকখি।

অদুদগী মাগী নুপানা হল্লকতুনা নুপীদুদা, মানা নাইবা লংদুমশিংদি হংলুবদা লংদুমদি উচেক্কা লোইনা চাথোকখ্রে হায়না খুমলকখি। অদুদগী নুপাদুনা শাওনিংমনখিদুনা মাগী নুপীদুবু ময়ুমদগী তানথোকখি। অসুম্না শুনিংদবী নুপী লৌরুবদগী নুপাদো অৱাবা কয়া মায়োক্লখি।

ৱারী লীবিরকপী	:	নিংঙোম্বম ইন্দ্রানি দেবী
তাং	:	৫-২-২০১১
চহী	:	৭০
শিনফম	:	য়ুম কোইবী
লৈফম	:	বাশিখোং বাজার।

লৌশিং তান্নবা

থায়না মমাংঙৈদা খুঙ্গং অমদা লুনা চান্না তীন্নজবা মরুপ মরিখক লৈরম্মী। মমিংনা চাউবা, চাউভল, চাউনু, চাউতোন কৌই। পীকলিঙৈদগী হৌনা ইতাও ইতাও হায়না কৌনদুনা লোয়নৈ। নোংমা মখোয় মরিনা খুঙ্গং লান্না কোইমিন্নবদা মশক মতৌ ফজবী লৈশাবী অমা তুরেন্দা ঈশিং শোকতুনা লৈরম্বদু থেংনরুরে; মখোয় মরিমক মপান্দদি ফোংনা হায়দোকনদে মচিন্দা ফজৈ ফজৈ হায়না শোন্নরম্মী। লৈশাবী অদু মখোয় মখোয়গী থম্মোয়দা লৌগে খন্নরবসু মচিন্দদি হায়দোক্লখিদে। মথংগী নুমিত্তগী মখোয় মরি পুন্না চৎমীন্নবা তোকতুনা মোয় মশেল অমগা অমগা খঙহন্দনা লোন্না লৈশাবী অদুগী যুমদা লাক্তুনা কোয়রম্মী। অসুম্না সুম তৌদুনা থা অহুম হৌখিরম্মী। লৈশাবী অদু নোংমদি ৱাখল তৌরকলে। ঐবু কোয়রিবশিং অসি য়াম্না লুনা তীন্নজবা মরুপ ঙাক্তনি, মখোয় মশেল অমনা অমবু খঙহননদনা ঐবু কোয়বা লাকলিবসে নোংমা নত্রগা নোংমদি খঙনরকলগা ঐঙোন্দা শোইদনা শাউরনী অদুনা শাউনদ্রিঙৈদা ঐনা লৌশিং তৌরগা নোংমা খঙনহল্লগে। মখোয় মরিগী মনুংদা খ্বায়দগী লৌশিং শিংবদু খল্লগা ঐ লৈগে। অসি খল্লদুনা লৌশিং শিংবী লৈশাবী অদুনা নোংমদি মাবু কোইবা চাউবা কৌবা অদুনা অয়ুকতা লাকপদা "হা তাদা চাউবা! নচলবু নুংশিবীদুনা কোইরকলিবসি থা অহুম ফাজিল্লক্লে, ঐবু তুমীন্না লৈথোকপা ইকায়রে অদুনা থাঙ্গৈশেংনা লৌবিগে খল্লবদি হংচিৎ নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা ঐগী য়ুমগী মনিংগী লৈকোল

ৱাংমদা লোন্না লুমদুনা লৈবীয়ু। মী তুম্নখ্রবা অহীংদা মী খঙহন্দনা ঐনা শুমাংদা থোক্লককলগা তাদা থোকপীরকলো হায়জরকপা মতমদুদা থোকপীরকউ তাদাগী নতুং ইনজগে। অসুম্না লৈশাবী অদুনা মাবু কোইরিবা অতোপ্পা মতাও অহুমদসু মাইকৈ অমমমদা তোঙান তোঙান্না নুমিৎ অদুদা লুম্নবা হায়খ্রে। মরুপ মরি অদু লৈশাবী অদু পামবনা ফনা লুনা তীন্নরবসু অমনা অমদা হায়দোকনদনা ঙাইনরে। নুমিৎ অদুদা নুপা মরি অদুনা মাগী মাগী মমাদা মপানা কদায় চৎখি হংলদি খঙদে হায়না খুম্মু হায়না পাউমেল্লমলগা লৈশাবী অদুনা থারকপা মায়কৈ মায়কৈ অদুদা লুমদুনা লৈনরে। ইকোন কোন্না লাকপা চাউতোনদি খরা থেংখিদুনা থোঙান্দা হেক থুংলবগা খৌদেমলকই। চাউতোনগী মখোল তাবদা ইমুংদা মতম ঙাইদুনা লৈরিবী অদু শুমাং ময়াইদা লেপ্লগা হো তাদা থোকপিরকলো মতম ওইরে নচলগা চৎমিন্নরসি হায়না লাওরকপদা, লৈশাবীগী মখোল তাবদা মাগী মাগী হায়নবা মফমদা লুমদুনা লৈরিবা নুপা মরি অদু শুমাং তান্না চেনশীল্লকতুনা লৈশাবী অদুগী মখুদাং মুন্নরকলে। মতম অসিদা মচানুপীগা হান্না ৱা তান্নদুনা লৈরিবী মমা লুখ্রাবী অদুসু মপান্দা থোরকলে। মতাও মরিদো মশক উন্নরকপদুদা নোকনরে। অদুগা চাউবনা মতাও অহুম অদুদা লৈশাবী অসিগী মরৌশিং অসি য়াম্না শিংই অদুনা ঐখোয় মরিগী মনুংদা অমনদি লৌদবা য়াদে হায়দুনা মখোয় হায়নরক্লে। লৈশাবীদুনা য়াম্না ইংনা তাদা শাউগৎপিখিনু নখোয় মরিমক নচলনা লোয়না নুংশি অদুবু ঐনা নখোয় মরিগী মনুংদা খ্বাইদগী শিংবা নুপা খল্লগা লৈজগে। তাদা মরিনা লৌশিং তান্নদুনা পাউখোং চন্নবিয়ু অদুদা খ্বায়দগী শিংবা অদুদা লৈরগে হায়না য়ানরে। মতাও মরিদুসু লৈশাবী অদুগী মাঙ্গোন্দা কারকলে অদুগা লৈকায়গী অহল খরসু কৌরুদুনা থুংলরে।

চাউবনা ইহান হান্না পাউখোং চল্লকই। "ইতাও অহুম্মক ! ঐবু পোকপা ইপানা ইঙ্খোন্দা চাউরবা হৈনৌ পান্বী অমা থারম্মী। ইপানা শিখ্রবদা ঐনা হি অমা শাগে খন্দুনা ইপানা থারম্বা হৈনৌ পান্বী অদু য়ানবদা থা অমা চঙই। হৈনৌ পান্বী অদুনা তুদুনা লৈপাক্তা তারবদা শাংমল্লি মতোল ককথৎকে খন্দুনা ঐনা অয়ুক অঙনবদগী চাকঙল চারগা, শীংজং অমা পায়রগা উকোক্তগী উতোন য়ৌনবা চৎপদা উয়াই য়ৌরকপদা নুমিৎ তাথোকখিদুনা উদা ঙাদুনা অহীং অদু লেল্লে। নোং হেক ঙানবগা শীংজং অদু পায়দুনা অমুক উতোন তান্না চৎপদা নুমিৎ তারমদাইদা উতোন য়ৌরে ককপদি ঙমহৌদে। নোংঙাল্লগা উতোন অদু ককলে। হৈনৌ পান্বী অদু য়ানবদগীনা উতোন ককপা ফাওবদা থা অমগা মখায় চঙই। হৈনৌ পান্বী অদুগী চাউবা শাংবদি ইতাও অহুম্না খন্নরগা লেপ্লিরো। মতাও চাউবগী পাউখোংদু তাবদা মখোয় অহুম ঙকপগা লোয়ননা অদুক চাউবা উদি অমুক্তা উদ্রি হায়নরকলে। মতাও চাউবগী পাউখোং তারগা চাউভলনা পাউখোং অমা চনগে খল্লদুনা ইতাও অহুম্মক ! ঐবু পোকপা ইপানা ইরোই অমা লোইরম্মী ইরোই অদু য়াম্না চাউই মচী অনীদুসু শাংবগী মতিক লাপনৈ। নোংমা ইরোইগী য়েৎথংবা মচী মতোন্দা তোংবা উরোক অমনা অয়ুক অঙনবদগী ওইথংবা মচী মতোল তান্না পাইবদা য়ৌবা ঙমদদুনা ইরোইগী মকোক্কী চীরক্তা অহীং অদু লেকই। নোংঙাল্লগা অমুক পাইবদা ওইথংবা মচী মতোনদা হেক থুংবগা নুমিৎ তাখি। মচী অমগা মচী অমগা লাপ্পরিবা অদু খনবিরগা ইতাও অহুম্না ইরোইগী চাউবা শাংবা ৱাংবা লেপ্লিয়ু হায়রকলে। মতাও চাউভলগী পাউখোংদু তাবদা মরুপ অহুম ঙকলে। ইতাওগী বাজীনা লোইরম্বা ইরোই অদু ওম্থোক্লা চাউখ্রেদা হায়নরকলে।

ঙাইহাক লৈরগা চাউনুনা পাউখোং অমা চল্লক্লে। ইতাও অহুম্মক! ঐবু পোকপা ইপানসু ঐগী লৈননবা কা তরানিথোই শাংবা চাউরবা য়ুমজাউ অমা শাবিরম্মী। নোংমদি ঐনা শুমচিং অমা পায়রগা অয়ুক অঙনবদা হৌগৎতুনা মাঙ্গোন্দগী ইমুং তান্না ৱাই শিংপদা য়ুমজাউ অদুগী য়ুময়াই য়ৌরকপদা নুমিৎ তাথোকখিদুনা মফম অদুদা ঐ অহীং লেকলে। নোংঙাল্লগা য়ুময়াইদগী লেপ্তুনা অমুক শিংপনা মনীং থংবা চাকখুম কা য়ৌবদা নুমিৎ তাশিল্লক্লদুনা ৱাই শিংপা থুংবা ঙমহৌদে। বাজিনা শাবিরম্বা য়ুমজাউ অসিগী মরাক ময়ুং ৱাংবা চাউবদি ইতাও অহুম্না খন্নবিরগা লেপ্পিয়ু হায়রকপা মতাও চাউনুগী ৱাদু তাবদা মখোয় অহুম্না য়ুমজাউদু ওন্থোক্না চাউখ্রেদা ঙাঙনৈ।

লৈশাবী অদুনা খ্বায়দগী নীংজবশি খ্বায়দগী পংজবা চাউতোন্নি। চাউতোন মতাউ অহুমগী পাউখোং তারগা তুমীন লুকথদুনা ঙাইহাক লৈরগা চাউতোন্না পাউখোং চল্লগে খল্লদুনা মতাও অহুম য়েংলগা ইতাও অহুম্মক! তাবিরো ঐ পাউখোং চল্লগে ইতাও অহুমবু পোকপা বাজি অহুম্না থম্বিরম্বগুম ঐবু পোকপা ইপানসু ঐগীদমক্তা চাউরবা পুংজাউ অমা তিংদুনা থম্বিরম্মী। পুংজাউ অদু অসুক্কী মতিক চাউখ্রে। ঐনা নোং হেক ঙানবগা পুংগী পুংনাউদা খুৎনা তাং থাদুনা য়ৈরল্লগা পুংলুদা অমুক য়ৈগে চৎপদা পুংগী পুংয়াই য়ৌরকপদা নুমিৎ তাখি। নোংঙাল্লগা লেপ্তুনা চৎতুনা পুংলুদা খুৎনা য়ৈবদা নুমিৎ তাবগা চপ মান্নে। মতাও চাউতোনগী ৱাদু তাবদা মরুপ অহুমদো মমিৎ খৎনদুনা হংসি লেপ্লরে। ইতাওগী বাজীনা শারম্বা অদুক চাউরবা পুংজাউ অদুবু কদায়দগী উ লৌরুরগা হুৎতুনা শাবা পুংনো হায়না চাউবনা হংলক্লে। চাউতোন্না থৌনা ফনা পাউখুম পীরকই। ইতাও চাউবগী বাজিনা থারম্বা চাউরবা হৈনৌ পাম্বী অদু হুৎলগা ইতাও চাউভলগী বাজিনা লোইরম্বা ইরোই অদুগী মউন্না তিংবা পুংনি। পুং অদু তিংবদা চহী অমা চঙই। অদুক চাউবা পুংজাউ অদু লমহাংদা হুন্দোক্তুনা থম্বরা

কদায়দা থম্বগে হায়না চাউনুনা হংলক্লবদা, চাউতোন্না ইশি শিনা নোক্লগা খুম্লকই। ঐগী বাজিনা থম্বিরম্বা পুংজাউ অদু ইতাও চাউনুগী বাজিনা শাবিরম্বা য়ুমজাউ অদুদা খুলগী মীয়াম্না চিংশিন্দুনা থম্মী।

মতাও চাউতোনগী পাউখুমদু তাবদা মরুপ অহুমদো ৱা মখা তাবা ঙমদদুনা মরু লুক্কুনা লৈনখি। পাউখোং তারিবা খুলগী অহল লমনশিংনা খন্নবদা লৌশিং তান্নবগী পাউখোং চন্নবদা চাউতোনগী পাউখোংনা হেল্লে লেপনরদুনা মশক মতৌ ফজবী লৈশাবী অদু খুদক্তা চাউতোন্দা লুহোংবিরে অদুগা চাউতোন অদু য়াওং ইন্দুনা নুংঙাইনা পানমিন্নখি।

ৱারী লীবিরকপা : সরাংথেম বরমণী সিংহ
তাং : ২১-১১-২০১১
চহী : ৮৩
শিনফম : অইবা।
লৈফম : শিংজমৈ চনম পুখ্রি মপাল, ইম্ফাল।

কৈগী মকোন্দা লমহুইনা মচা পোকশিনবা

থায়না মমাংঙৈদা উমং অমদা লমহুই মতৌ মনাও লৈরম্মী। থাশুরক্লবদা নোংমা লমহুই অমোম্না মপুরোইবা লমহুই লাবদা "ইকুম ইথা শুজীল্লকলে ইচা পোকফমনা কদায়দা ওইনি নঙনা নুংতিগী কোয় লংদুনা লৈথোকই" হায়রকপদা, মাগী নুপীগী ৱাদুদা লাবনা কৈসু খল্লুনু ঐ লৈরি হায়না খুমলকলে। মপুরোইবগী ৱাদু থাজদুনা অমোমদু নুংঙাইনা লৈথোক্লে। মতম খরা লৈরগা থাশিং, নুমিৎ মশিং শুরবী লমহুই অমোম্না মৱাদা মচা পোক্লবা মফম পীরো হায়রে। খুদক্তা মকোল শাবা য়াদবনিনা লমহুই লাবনা মাং থারগা অমোম্না মতুং ইন্দুনা মচা পোকফম থিরকপদা; থিবা ফংলক্ত্রবদা লমহুই লাবদু নুংশা থিরক্লে। মমৈথংদা কৈগী মকোল অমা থেংনরে। নুমিৎ অদু কৈদি মকোল থাদোক্তুনা উমংদা মচিঞ্জাক থিবা চৎখি। কৈনা চৎখ্রিঙৈদা লমহুই অমোম্না কৈগী মকোন্দা চঙশিল্লগা মচা পোকলে। লাবদুদি মনাক্তা লৈবা কিদুনা লাপ্পা লৈবা লৈতোংদা ফমদুনা লৈখি। ঙাইহাক লৈরগা কৈদুনা মকোল তান্না লাকপদা মকোল মনুংদা শা অমনা মচা পোক্তুনা মচানা খোংবগী মখোল তারে। ঐগী ইকোন্দা চঙশিল্লগা উশিৎ থওইদনা মচা পোকলিবা শা অসি করম্বা মথৌনা লৈবা শা ওইরিগবা? অসুম্না তরেৎ তরা থোক্লা ৱাখল তৌদুনা কৈদু পাক হেক মকোন্দা চঙশিনবা ঙমদদুনা লৈরে। ঐনা কনাদা হংলগা অশেঙবা খঙবা ঙমগদগে ৱাখল তৌর-তৌরদুনা লাকপদা লমখাংদা য়োং অমা থেংনরে। য়োং হায়বসি পিকচরবসু লৌশিং শিংবা শানি। মাগা তান্নরগা অশেঙবা খঙবা ঙমগনি খল্লদুনা য়োংগী মনাক তান্না চঙশিল্লে। "ইশেল ইবুংঙো ঐগী ইকোন্দা কনাগুম্বা মথৌনা লৈবা শা অমনা মচা পোকশিন্দুনা লৈরে। মহাক অসি অচম্বা শাদি ওইরমলোই, খল্লি।

মতিক মথৌনা লৈবা মপাঙ্গল কনবা শা ওইরমগনি। মতিক মথৌনা লৈত্রবদি কৈ ঐগী ইকোন্দা মচা পোকশিল্লবা ওইথোক্তে। অদুনা ইশেলনা চৎতুনা অমুক্তা য়েংবিয়ু, ঐসু নতুং ইনজরক্কে।” কৈগী ৱাদু তাবদা য়োংদু য়াবিরে, ফরে য়েংঙুরসি হায়নরদুনা য়োংনা মাঙ থারগা মখোয় অনী কৈগী মকোল তান্না লাকলে। য়োংগা কৈগা অনীনা লাকপদু কৈগী মকোল মনুংদা মচা পোকলিবী লমহুই অমোমদুনা উরে। করম তৌরগা মখোয় অনীসি হলহনখিসিগে ৱাখল তৌবা হৌরকলে। লৈতোংদা ফমদুনা লৈরিবা লমহুই লাবা অদু নুংশা থিরে, মচাগা মাগী নুপীগা হাৎতোকপিরগদ্রা মপুকনিংদা চিংনরে।

য়োংনা মাং থারগা কৈনা মতুংদা ইন্নদুনা মকোল তম্না চঙশিল্লক্লগা য়োংনা কৈগী মকোল মনুংদা নোম্থরগা চেপথদুনা য়েংবদা লমহুই অমোম মাল্লিদা ৱাখল খন্দুনা লৈরিঙৈদা লমহুই অমোম্না অয়াকপা খোনজেনদা লাওরকই “হায় শকথিবা য়োং! নঙগী নচা পোকপদদি নঙোন্দা ঐনা কৈ অহুম পুদুনা পোৎয়েংবা লাক্লগা ঙসি ঐনা ইচা অসিমত্তা পোকপদা নঙনা কৈ অমা পুদুনা পোৎয়েংবা লাকলিবসে ঐবু উশিংতব্রা, নমায় ইকায়গেদি হায়দনা নয়া ইখি খিগৎতুনা ঐবু য়েংলিবদু ইকায়দ্রা, নশক অদু য়েংনিংদে, পোৎপাংগা পামজদে। নঙগী পোৎপাংদু পুদুনা থুনা মফম অসিদগী চৎপিখ্রো।” অসুম্না অথিবা ৱাহৈনা চৈরকপা লমহুই অমোমগী ৱাদু তাবদা য়োং অদু ঙক্তুনা লৈরে, মতুংদা লেপলিবা কৈগী মপুকনিংদা চিংনবা পোকলে। ঐনা ঙসাই হায়বদা য়োংনা হরাও হরাও য়াদুনা ঐবু পুদুনা মফম অসিদা লাকমিন্নবসিনদি শা অসিগী মচা পোকপগী পোৎয়েংবগী পোৎপাং ওইনবা ঐবু পুরকপা ওইরম্বা তারে।

খল্লু খল্লুরগা কৈ অদু শাউনিংলক্তুনা য়োং অদু হাৎকদবগী ঙংলকলে। কৈগী অশাউবা মওংদু উবদা য়োং অদু কিরদুনা মনাক্তা হৌবা উজাও অমদা চোংখৎলগা উতোনদা লোৎতুনা লৈখ্রে। কৈ অদু ঙংলদুনা মকোল থাদোক্লগা চৎখি। কৈনা চৎখ্রবদা লৈতোংদা ফল্লগা

কুম্মে য়েংলিবা লমহুই লাবদু কুমথরক্লগা মাগী নুপীগী মনাক্তা লাক্লম্মী। লমহুই লাবনা মাগী নুপী লমহুই অমোম য়েংলগা “হা পেম্মা শকহেনবী, পুকফবী নহাক্কী নবুধি নরৌশিংদা নত্তনা নতিক নথৌনা লৈবদু উবদা ঐ পেল্লে। নহাক অসি নশক নতৌনা ফজবনে নতিক নথৌনানা লৈবনে, লৌশিং শিংবা লমহুই লাবা ঐগী নুপীনি হায়বদা মতিক চপ চায়” হায়না লমহুই লাবনা মাগী নুপী লমহুই অমোমবু থাগৎপা ৱাহৈ তাবদা লমহুই অমোমদু মথৱাই নুংঙাইজখি।”

ৱারী লীবিরকপা : সরাংথেম বরমণী সিংহ
তাং : ২১-১১-২০১১
চহী : ৮৩
শিনফম : অইবা।
লৈফম : শিংজমৈ চনম পুখ্রি মপাল, ইম্ফাল।

খমব্রাংচাক্লা মপাম চৎপা

থায়না মমাংঙৈদা খমব্রাংচাক মতৈ মনাও লৈরম্মী, মখোয় অনী য়াম্না নুংশিনৈ। নোংমদি অমোমনা মপামদা চৎলুগে হায়না লাবদা হায়জবদা মতুগী ফজরবা ৱাহৈ তাবদা চৎলুচো নপামদগী পোৎচৈ ময়াম পুরগা লাকউ হায়না য়াবিরকলে। মৱাগী য়াথং ফংলবদা খমব্রাংচাকনা হরাউরে। নুপীনা মপাম চৎলমদাইদা কেনিংবসিদি, তাইবঙ মীদা নত্তে শা উচেকসু য়াওমানে। খমব্রাংচাক্লা নুরা ননগে, ঈরুজগে হায়দুনা তুরেলদা কুমলকপদা; ৱাইখু অমা লৈরাইদা নুংশা য়াইদুনা লৈবদু নুংপাক ওইরবোই নীংদুনা ৱাইখুদুগী মথক্তা মানা চোং চোংদুনা ইশৈ শকতুনা শান্নরে।

অসুম্না খুনিং কাংনা কাংনা ৱাইখু মথক্তা চোং ফন্দুনা ঈরুজবা অসিদা ৱাইখুনা শাউদুনা মাগী মখোং কাজপ্লি অদু লামখৎলক্কুনা খমব্রাংচাক্কী তনৌ তনৌরবা মখোং অদুদা কক হেক চপলুরে। খমব্রাংচাক্কু নামনখ্রদুনা অয়ো ইমা ! শিরে হায়না খঙলাউ লাউরগা পাইরক্কুনা য়ুম অমগী মখা থংবা য়েনখাদা হৌরীবা হৈনিং পান্বী অদুদা তোংলুরে। মদুদা হৈনিং অমা কেন্দুনা ককচেং নীংদুমবীগী মহুমদা তাশিল্লুরে। মহুমদগী ককচেং চবুল অমা থোরকতুনা য়েনখাদা নুংশা য়াইদুনা লৈরিবী হনুবী অদুদা শাউদুনা খংচিক চিকলুরে। হনুবী অদুনা নামনখ্রদুনা থরো থরো ওনবদা শম্বলদা মহুম শাদুনা লৈজবা শেকপী মহুম অদু থুগাইরুরে। শেকপী অদু মাবু ফাগদৌরমাল্লে খনদুনা কিবদগী পাইথোকখ্রে। অয়ুক নুংথিলদি শেকপীদি মমীৎ উদবনিনা কুন্দুনা লৈজবা নিংথৌগী শামু য়াইশাগী মনাতোন মনুংদা পাইশিনখ্রে। থোরকফম খঙদদুনা শেকপীদু শামুগী মনাতোন মনুংদা অদুম লৈখ্রে। নুমিৎ অদুদগী শামু অদু করিমত্তা চাউ থকউ য়াদনা অনাবগুম কুন্দুনা

লৈরে। মানা মনাতোল কামবদসু নপতুনা লৈখ্রে, তারকত্রে। শামু য়াইশা নারে তাবদা নিংথৌনা লৈবাক্কী অখণ্ড অহে মাইবা মাইবী কৌদুনা লায়েংহনবদা মাইবগী হীদাক মনমদু হৈনদদুনা শেকপীদু পাইথোরকপদা মনাইশিংনা ফারগা নিংথৌদা কৎলে।

নিংথৌনা শেকপী অদুদা- "হায় শেকপী মাচেনবী! নহাক্না মফম ইরৈ লৈতবদৌনা ঐগী শামু য়াইশাগী মনাতোন মনুংদা চণ্ডুনা লৈরিবা করিগীনো, নিংথৌ ঐবু উশিৎতবরা" হায়না চৈবিরে। শেকপীনা কিবনা মশা থক থক নিক্তুনা ইনিংথৌ ঐগী ইরাল ঙাকপিয়ু। ঐগী ইহুমদি শম্বলদা শাজবনি। হনুবী অমনা ঐগী ইহুম থুগাইবিরবদা ঐবু ফাবিগদৌরমাল্লে খন্দুনা কিদুনা পাইবদা অঙানবদদি ইমিৎ অসি উদদুনা শামুগী মনাতোননি খংদবদগী চংলুবনি, থোরকফম খংদবগী মতম খরা লৈবনি। শেকপীগী ৱাদু তাবদা মরাল লৈতে খল্লদুনা শেকপী অদু থাদোকপিরে। হনুবী অদু অমুক কৌখৎলে। নিংথৌনা হনুবীদা-"ইবেন নহাক্না শম্বনদা নপতুনা শাজবা শেকপী মকোল থুগাইবিরে হায়বসি চুমব্রা" হংলক্লবদা, "হনুবীনা চুমই ইনিংথৌ! ঐনা থুগাইগে খন্দুনা থুগাইবা নৎচদে। ঐনা নুংশা য়াইদুনা ফমলিঙৈদা ককচেং ময়াম্না ঐবু চিকলে মদুদা নামনদুনা ঐনা থরো-থরো ওনবদা শেকপী মকোন্দু থেংদুনা কায়খিবনি।" হনুবীগী ৱাদুদা মরাল লৈতে হায়না থাদোকপীরে। ককচেং নীংদুম্বী ময়াম অদু কৌখৎলে। ককচেং ময়াম্নসু ঐখোয়না চীক্কে চীকপা নত্তে হৈনিং কেল্লক্তুনা ঐখোয়গী ইহুম থুগাইবদা হনুবীনা ওইরবোই নীংদুনা শাউবদগী চীকখিবনি। ককচেংসু মরাল লৈতে খল্লদুনা থাদোকপিরে। হৈনিং কৌখৎতুনা হংবদসু মানা কেননিংদুনা কেনবা নত্তে, মমুন ফানা মুন্দুনা লৈজবা ঐবু খমব্রাংচাক্না তফিং তফিংনা পাইরক্তুনা তোংবিরৈ। উশা নোমলকপদা কেন্দবা য়াদদুনা কেনবনি খুমলকলবদা মাবুসু মরাল লৈতে খন্দুনা থাদোক্লে। মরাল থিবা ফংলক্রুবদা মমৈথংদা নিংথৌনা খমব্রাংচাক কৌখৎলে। "খমব্রাংচাক! নহাক্না করিগী হৈনিং অমুনবদা তফিং

তফিং পাইরক্তুনা তোংলুরিবনো? " হায়না নিংথৌনা হংলক্লবদা খমব্রাংচাক্লা মশা অনী অদু শারুং থুপলগা হঙ্গৎলকই, - " ইনিংথৌ ! ঐনা ইপাম চৎচগে খনবদগী তুরেন্দা কুমদুনা নুংপাকথক্তা ঈরুজবদা ৱাইখু লাকতুনা খোঙদা চপলকই। মদুদা নামনখ্রদুনা পাইবদা অনকপদা হৌরম্বা হৈনিং পাম্বীদা তোংলুবনি। মাগী ৱাদু তাবদা নিংথৌদো নোকলে। নুপীনা মপাম চৎলমদাইদা কেবসিদি তাইবংমীদা নত্তবোইরে শা উচেক নখোয়সু কেনিংবোইরে। অসি হায়রল্লগা খমব্রাংচাক অদুসু মরাল লৈতে খল্লদুনা থাদোকপিরে। অসুম্না খমব্রাংচাক্লা মপাম চৎপসি লৈবাক ৱাথোক ওইনখি।

ৱারী লীবিরকপা : সরাংথেম বরমণী সিংহ
তাং : ২১-১১-২০১১
চহী : ৮৩
শিনফম : অইবা।
লৈফম : শিংজমৈ চনম পুখ্রি মপাল, ইম্ফাল।

মানা মানা তৌজবদি মানা মানা ফংই

খুঙ্গং অমদা য়াম্না লায়রবা ব্রাহ্মণ অমা লৈরম্মী। মহাক লাইরিক হৈতে। মাগী শিনফম হায়ববু মীগী থোঙজিন খুদিংদা চঙদুনা ভিক্ষা নিবনি। মীশিংনা নুংশিবীদুনা হাপ্পীরকপা পোৎ চৈশিংদুনা চরা নোংখন্নে অদুবু মাগী মচা মরিনিনা মখোয়বু মবুক থন্না পীজবদি ওল্লমদে। নোংমদি মাগী নুপীদুনা ব্রাহ্মণদুদা হায়রম্মী "ঐজ্ঞা, নহাক্না নুংতিগী পুরকলিবা পোৎ-চৈ খরা অসিনা চরা অনীশুনা চাবা ফংদ্রে মরম অদুনা নিংথৌগী মনাক্তা চৎপীয়ু, মহাক থৌজাল য়াম্না হৈবনি, মহাক্না করিনো খরা শোয়দনা পীরক্কনি।" অসুম্না মহাক্কী নুপীনা হায়রম্মী। মদুদা ব্রাহ্মণ অদুনা -"অদুবু ঐহাক্না করি হায়রগা মহাক্না থৌজানবীরক্কদগে?" "নঙোন্দা নিংথৌনা হংলকপা হায়রকপা অদুগী মতুং ইন্না পাউখুম পীয়ু" হায়না মাগী নুপীদুনা পাউতাক পীরদুনা হায়রম্মী।

মথংগী অয়ুক্তা ব্রাহ্মণদুনা নিংথৌগী মনাক্তা চৎলম্মী। নিংথৌনা মহাকপু তরাম্না কৌশিনবিরদুনা করি পাম্বগে হংলম্মী। মদুদা ব্রাহ্মণদুনা- "ঐহাক য়াম্না লায়রবা ব্রাহ্মণ অমনি অদুবু নহাক্না থৌজানবীরবদি...," ব্রাহ্মণদুনা মখা তানা হায়রম্মী, "হে নিংথৌ, অফবা হায়বসি অফবনি অদুগা ফত্তবা হায়বসি ফত্তবনি।"

নিংথৌদু মাগী ৱাঙাঙদুদা পেল্লম্মী অমসুং মঙোন্দা অইবা চে অমা পীরদুনা কেশিয়ারদগী লুপা অমা লৌরুনবা হায়রম্মী। ব্রাহ্মণদুনা কেশিয়ারগী মনাক্তা চৎতুনা চেদু পীশিল্লুবদা লুপা অমা পীরক্লম্মী। অসুম্না ব্রাহ্মণদুনা নুংতিগী নিংথৌগী মফমদগী লুপা অমমম ফংলম্মী। নিংথৌগী মনাই অমনা নুংতিগী ব্রাহ্মণ অসিনা লাক্তুনা নিংথৌদগী লুপা অমমম ফংবসি মহাক্না য়ানিংলমদে অদুনা নোংমদি ব্রাহ্মণ অসিনা

নিংথৌগী মফমদগী পৈশা ফংদুনা থোক্লকপা মতমদা মঙোন্দসু বকসিস খরা (পৈশা খরা) পীয়ু হায়রম্মী। অদুবু ব্রাহ্মণ অদুনদি ৱাহৈ অমত্তা হায়রমদনা চৎখিরম্মী।

মথংগী অয়ুক্তসু ব্রাহ্মণ অদু কোনুংদা লাক্কুনা নিংথৌগী মফমদগী পৈশা পুদুনা হল্লকপদা নিংথৌগী মনাই অদুনা ব্রাহ্মণদুবু খাল্লদুনা হায়রম্মী - "ঙরাংদি নিংথৌনা নহাকপু য়াম্না শাউখ্রে, ৱাফমসে ঐ নঙোন্দা তমগে হায়দুনা ঙাইরিবনি।" ব্রাহ্মণদু ৱাফমদু তাবদা ইঙক ঙক্লম্মী। মহাক্না নুংশা থিরদুনা হায়রম্মী - " ঐহাক্তি নিংথৌদা নুংঙাইতবা ৱাফম অমত্তা হায়রমদে, করি থৌদোক থোকখ্রবগে?" নিংথৌগী মনাই অদুনা হায়রম্মী " নিংথৌনা ঐঙোন্দা তম্মী, নহাক্না নিংথৌগী মনাক নক্না আশীবর্বাদ পীবদা নহাক্কী নচীন্দগী নমথীবা মনম থোরকই।" "অদু ওইরবদি ঐহাক্না নিংথৌগী মফমদা ৱা ঙাঙবদা চিন অমসুং নাতোন অসি ফিনা খুমজিল্লগনি। নহাক্না মসি হায়বিরকপগীদমক থাগৎচরি। নিংথৌনা পেনবিদ্রবদি ঐঙোন্দা পৈশা পীরকপসি লেপখিগনি।" হায়না নুপাদুদা খুল্লম্মী।

মথংগী অয়ুক্তা ব্রাহ্মণদুনা মচিন অমসুং মনাতোন অদু ফিনা খুমজিল্লদুনা নিংথৌদু আশীবর্বাদ পীরম্মী। অদুগা মহৌশাগুম মঙোন্দা অইবা চেজেৎতু পীরম্মী।

নুমিদাং ৱাইরমদা নিংথৌগী মনাই অদু নিংথৌগী মনাক্তা লাক্লম্মী অদুনা ব্রাহ্মণদুনা নুংতিগী লাক্কুনা পৈশা লৌরিবদু চুমদবনি মতুংদদি মখা তানা পীবিরুগনু হায়রম্মী। অদুবু নিংথৌদুনা মাগী ৱাদু মখা তাহন্দনা হায়রম্মী "মহাক য়াম্না চুম্বা মপূকচেল শেংবা মী মাল্লি।" অদুবু ইনিংথৌ, মহাক্না মনাতোন অমদি মচিন্দা ফিনা মেল্লিবদু করিগীনো?" "হোয়, মঙোন্দা অনাবা অমা লৈরম্বা য়াই নৎত্রগা ময়া নারম্বসু য়াই" হায়না নিংথৌদুনা খুল্লম্মী। মনাইদুনা মখা তারকই, "পুন্নমক অমত্তা নত্তে মহাক্না ঐঙোন্দা হায়বদি ইনিংথৌগী নাকোং অসিদগী নমথীবা মনম থোরকপনা মচিন অমসুং মনাতোন ফিনা মেনশিল্লিবনি।"

মথংগী নুমিত্তা ব্রাহ্মণ অদু মহৌশাগুম লাক্কুনা নিংথৌগী মফমদগী অইবা চেজেৎতু পুরদুনা লাক্লম্মী। মনাই অদুনা মঙোন্দা বকসিস অমত্তা পীররোইদ্রা হায়রম্মী। ব্রাহ্মণদুনা মাগী পৈশাদু নুপাদুদা লোইনমক পীথোকপদি পাল্লমদে অদুবু ঙসিগী ওইনদি পীথোকলমলগে খল্লদুনা নীংথৌনা পীরকপা চেজেৎতু নুপাদুদা পীরম্মী। মদুদা নুপাদুনা হৱাউরদুনা কেশিয়ারগী মনাক্তা চেজেৎতু পুশিন্দুনা পী মদুদা কেশিয়ারনা চেজেৎতু পারবা মতুংদা শম ককপা মী কৌরুনবা থারম্মী। মহাক্না নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না নুপাদুগী মনাতোন অমসুং মনাদু ককথৎলম্মী। মনাতোন অমসুং মনাদগী চেন্থরকপা ঈনা লুপ্লবা নুপাদুনা নিংথৌগী মনাক্তা চেনশিল্লক্লম্মী। মহাকপু উবদা নিংথৌনা ঙক্লদুনা হায়রম্মী, "নহাক্না কমদৌনা ব্রাহ্মণদা পীখিবা চেজেৎ অদু ফংলিবনো?" "ইনিংথৌ ইবুংঙো, ব্রাহ্মণদগী ঐনা মদু বকসিস ওইনা ফংবনি হায়না হায়দোরকখি। মদুদা নিংথৌদুনা ব্রাহ্মণদা মীনম্বা ঙাঙদুনা অচৌবা নমথাক অমা তৌরে। মদুগী পাপতু নহাক্না ফংবনি, নঙনা তৌজবা কম্মগী ফল নহাক্না চাবনি" অসি হায়রম্লগা নিংথৌদু চৎখিরম্মী।

ৱারী লীবিরকপী : থৌনাউজম ওংবী ইবেতোম্বী দেবী
তাং : ২৮-১১-২০১২
চহী : ৬৭
শিনফম : পোৎফম ফম্বী।
লৈফম : নোংপোক সেকমাই।

পারা অমা তন্বীবা

থায়না মমাংঙৈদা খুঙ্গং অমদা লৌউবা নুপা অমা লৈরম্মী। মহাক্কী মচানুপা অহুম লৈরম্মী মখোয়না ফনা হোৎনদুনসু ইমুং অদু নুংঙাইবা ঙমলমদে অদুমক ৱানা লেল্লম্মী। নোংমদি লৌউবা নুপাদুনা মচানুপা অহুমবু কৌশিল্লগা থংনবা খুন্দা থবক শুরুনবা হায়রম্মী। থংনবা খুঙ্গং অদুদা শিন্নী থন্বা পান্বা লৌয়ামচাবা নুপা অমা লৈ মদুগী মনাক্তা থবক শুরুনবা হায়বদগী মচানুপা অহলদু হান্না চৎননবা হায়রম্মী। অদুবু নুমিৎ খরনিগী তুংদা মাগী মচানুপা অহলদু থবক ফজনা তৌবা ঙমদে হায়দুনা তোকহল্লকতুনা মথৱায় নুংঙাইতনা হল্লক্লম্মী অদুগা মহাক্কী খুৎশুমনসু অমত্তা পীবিরকখিদে। মদুদগীদি অনীশুবা মচানুপাদু অমুক থারম্মী অদুবু ইকুই কুইদনা মহাকসু অমুক লৌয়ামচাবদুদগী পৈশা অমত্তা ফংদনা হল্লকলম্মী। লৌয়াম চাবদু মবুকচেল ফৎতবা, মতম পুন্নমক্তা ফত্তবা লৌশিং মরৌশিং তৌবা মী ওইরম্মী। ময়াম্বা অনীনা থবক শুবা চৎখ্রগা থুনা হেক হেক হল্লকপসিদা অহুমশুবা মচানুপাদুনা লৌয়াম চাবা নুপাদুনা তৌরিবা মওংদু তাবদা য়াম্না শাওনিংলম্মী অমদি মাবু পারা অমা তন্বীবা চুম্মী হায়না খল্লম্মী। অসুম তৌনা মপাগী য়াথং লৌদুনা অহুমশুবা মচানুপাদু অমুক লৌয়াম চাবগী মনাক্তা থবক শুবা চৎলম্মী। লৌয়ামচাবদুনা নুপামচাদুবু কোক্তগী তোন (খোঙ) ফাওবা য়েংলদুনা হায়রম্মী "হৌজিক নঙ নয়াম্বা অনীনা ঙমখিদ্রবদু নঙগী নরায়বক য়েংনবা অমুক লাক্লেদনা ইরাই লায়নদি খনগনু" মদুদা নুপামচাদুনা হোৎনগে হায়না হায়রম্মী। লৌয়ামচাবদুনা অমুকসু হায়রম্মী "নঙ হোৎনবা য়ানি, অদুবু নীংশিংগদবা অমদি নঙ ঐগী থবক লোইনমক পাঙথোক্কদবনি। নহাক্না অমত্তং হেক ঙমদবদা নঙ ঐঙোন্দগী পৈশা অমফাওবা ফংলোই। মসিগী ৱাসি কাউগনু।" অদুদগী লৌয়াম চাবদুগী থবক শুবা হৌরম্মী। নোং হেক ঙানবদগী

নুমিৎ তাবা ফাওবা লবুক্তা চৎতুনা থবক শুরম্মী। নোংমদি লৌয়ামচাবদুনা মঙোন্দা চীংথক্তা ৱাগী উমংদা চৎতুনা মহাক্কী ষণ লাবদুবু পানখৎলকপদা ঙায়রিবা ৱানাশিংদুবু পীজরুনবা হায়রম্মী। লৌয়ামচাবদুনা নুপামচাদুবু অদুম্না তৌদুনা মহাক্কী খুৎশুমল মীনম্নবা খলম্মী। মথংগী অয়ুকতা নুপামচাদুনা ষণদুবু ফুবা হৌরকলম্মী। “মথক্তা কাউনে, অপঙবা শা।” উপায় লৈত্রবা ষণদু মনঙ্গনগী চৈফুদুদা নারদুনা খোংবা হৌরম্মী। ৱাশিংদুগী অকোয়বদা কোইবা হৌরম্মী। মাগী মতৌদুদা মীশিংনা য়েংবা লাক্লরম্মী নোক্লরম্মী। অদুবু মখোয়না ঙাঙলিবশিংদু মহাক্না তাশিন্নদে। মহাক্না তৌরিবা পূম্নমকতু লৌয়ামচাবদুনা উরম্মী। মহাক্না নুপাদুদা ষণদুদা ফুরিবদু লেপ্নবা হায়রম্মী অদুবু নুপামচাদুনা খঙশিন্নরমদে ষণদুদা অদুমক ফুরম্মী। অদুদগী লৌয়ামচাবদুদা য়েংলগা হায়রম্মী “য়েংউ মসে কয়াদা পঙখ্রবনো ঐহাক্না মাবু ফুদ্রবদি মহাক মতোন য়ৌবা য়াররোই।” লৌয়ামচাবদু মায়থিরবসু মহাক্না নুপামচাদুবু শুকপাম পাল্লমদে। অহীং নুংথিল চূপ্পা মহাক্না নুপামচাদুগী মতিকচাবা খুৎশুমলদুবু মীনম্নবা কৈদৌসিগে হায়দুনা মুন্না ৱাখল খল্লম্মী। নোংমদি মহাক্না নুপামচাদুদা য়ুমগী য়ুমথক মতোন্দা মনা-মশিং থাননবা হায়রম্মী। নুপামচাদুদগী হেন্না শিংনা হান্না ৱামাঙ য়ানবদুদা মহাক য়াম্না নুংঙাইরম্মী।

মথংগী অয়ুক্তা মহাক ঙন্না হৌগৎতুনা থাঙজৌ অমা পুরদুনা য়ুমথক্তা কারম্মী। মহাক্না লৌবুক্তা তৌবা অদুম্মাইনা য়ুমথক্তুদা তৌবা হৌরম্মী। লৌয়ামচাবদু মখোল অমা তারদুনা ফমুংদগী চোংথরদুনা চেনথোকলকপদা নুপামচা অদুনা তৌরিবদু উরম্মি। মদুদা মহাক শাউবনা লোয়রম্মী অমদি কুমথরক্লবা হায়রম্মী। লৌয়ামচাবদুনা নুপামচাদুবু কুমথরক্লবা লাউরকপদা নুপামচাদুনা তপ্পা খুম্লক্লম্মী “ঐহাক্তি নহাক্কী য়াথং ইন্দুনা য়ুমথক্তা মনা মশিং থানবা হোৎনবনি।” অসুম্না তৌদ্রবদি মতৌ করম্না মনা মশিংশিংদু হৌগদগে? লৌয়ামচাবদু নুপামচাদুনা ঙাঙলিবদু তাবদা তশেঙনা ঙকচরম্মী। মহাক্না মহাক্কী থৌদাদু লৌথোক্লে হায়না নুপামচাদুদা হায়রম্মী। নুপামচাদু অনীরকশুবা ওইনা ফৎত্রবা নুপাদুবু মায়থিবা পীবদুদা পেঞ্জরম্মী। হৌজিক লৌয়ামচাবদু ৱারম্মী।

তৌইগুমবসুং মহাক নুপামচাদুবু মহাক্কী খুৎশুমল মীনম্নবা অনৌবা থৌরাং খরা মখা তানা খল্লম্মী। অসুম্না মতম কয়া হৌখিদুনা লৌখাওবা মতম নকশিল্লক্লম্মী। কুমদু নোং চুরমদে য়াম্না শারম্মী। ঈশিং ৱাৎতুনা মহৈ পাল্লমদে। নোংমদি লৌয়ামচাবদুনা নুপামচাদুদা "ঈকং থোকপসিদা ঐহাক্কী মহৈ মরোংশিংদু শিরগনি মরম অদুনা মখোয়দু য়ুমদা পুরকপা তারে অদুনা হয়েং নহাক লবুক্তু ঐহাক্কী য়ুমদা পুরকউ।" অদুদগীদি নুপামচাদুদা হন্দক্তি মহাকপু মায়থিবা পীবা শোয়দনা ঙমলগনি খন্দুনা মরৌ লৈনা য়েংলম্মী। নুপামচাদুদি হান্নগুম করিসু থৌশারমদে।

মথংগী অয়ুক্তা ঙন্না হৌগৎতুনা মমাঙথোঙদা চৎলগা থোঙদু থুগায়রম্মী অমদি ফক্লাংসু য়ানথৎপা হৌরম্মী। মদুদগী করি মতৌনো খন্দুনা লৌয়ামচাবদুনা নুপামচাদুদা মানা তৌরিবদু লেপনবা হায়রম্মী অদুবু মহাক্লা তাশিন্নদনা মহাক্লা তৌগদবা অদুতমক তৌদুনা লৈরম্মী। মহাক্কী লৈজবী থাদুনা ফক্লাংদু শীথরম্মী। মদুনা লৌয়ামচাবদুবু খোয়শাওনহল্লম্মী অমসুং মহাক্লা লাউ খোংদুনা অঙাওবা মীদৌনা মঙোন্দা চৈরম্মী। ইতপ তপ্পা নুপামচাদুনা মাগী মপুদুদা করিগী অঙাওবদৌনা ঙাঙলিবনো, হৌনা লাউরিবনো ঐহাক্লা মতৌ করম্না চাউখ্রবা লমদুবু য়ুমশিগী পীকখ্রবা থোঙসি লাল্লগা পুরক্কদৌরিবনো হায়রম্মী। লৌয়ামচাবদু মাগী ৱাদু তাবদা ঙকচরম্মী অমসুং ৱা ঙাঙবা থোক্লমদে মমীত্তা ইরা চেল্লদুনা মহাক্লা মহাক্কী থৌদাদু লৌথোক্লম্মী।

ফৎত্রবা লৌয়ামচাবদু অহুমলক শুবা মাগী লৌশিংদু কান্নরমদে। অদুগী মতুংদগীদি মহাক্লা লৌমীদুগী খুৎশুমল মীনম্বগী থৌনা লৈরমদে। চহী লোইরকপদা মহাক্লা নুপা মচাদুগী খুৎশুমল লোয়না পীরম্মী। মদুগী মতুংদগীদি মহাক কনামত্তদা অমুক হন্না মরৌ তৌখিদ্রে।

ৱারী লীবিরকপী	:	থৌনাউজম ওংবী ইবেতোম্বী দেবী
তাং	:	২৮-১১-২০১২
চহী	:	৬৭
শিনফম	:	পোৎফম ফম্বী।
লৈফম	:	নোংপোক সেকমাই।

ঙা ফাবা নুপা

থায়না মমাং ঙৈদা লাইরবা মতৈ মনাউ অমখক লৈরম্মী। মখোয় অনীশু নোম্বা য়াম্না কল্লি। চীংদা চৎতুনা শীং চল্লি, পাৎতা কুমদুনা লোং খোল্লি, অমুকসু লৌ উবা য়াওদুনা য়েংই অদুবু নুংঙাইবা হায়বা লৈরমদে। চাক চরা অমফাওবা মবুক থন্না চাবা ফংখিদে। অসুম্না লৈরকপনা নোংমদি নুপা অদুনা পুখ্রি অমদা ঙা ফাবা লাকলম্মী। মহাক্না পুখ্রি অদুদা লাং থাক্কুনা থমলমই। অদুবু ঙা ফজনা ফাবা ঙম্লমদে। মহাক নীংবা কায়রম্মী। কোন্নথংদা অমুক্তুংগা য়েংখিগে খন্দুনা লাং অদু অমুক থাদরগা থমলম্মী। মতম অসুম হৌখিদুনা নুমিৎ তাশিল্লকলম্মী। মদুদা মহাক্না থেংজিলক্কে হায়দুনা য়েংবদা চাউরবা ফজখ্রবা ঙা অমখক ঙৌরোক ঙৌনা ফ্রিং ফ্রিং চোংলদুনা য়াওরম্মী, মদু উবদা লাইরবা নুপা অদু ঙমখৈ লৈতনা হরাউজরম্মী। মদুদগী মহাক্না ঙা অদু পুদুনা কাখৎলকপদা চাউরবা ঙা অদুনা হায়রকই - "হে নুপা ঐবু থাদোকউ" অহানবদা ঙা ফাবা নুপা অদুনা কদাইদগী খোঞ্জেলনো খন্দুনা কোইয়েং য়েংলম্মী অদুবু কোন্নথংদা ৱা অদু অনী অহুমলক তারকলবা মতমদদি ঙা অদুনা হায়রকপনি হায়বা খঙলদুনা নুপা অদুনা হায়রকই "নঙবু করম্না থাদোক্কদৌরিবনো। ঐদি লায়রবনিনা নঙবু য়োন্দুনা মদুদগী ফংলকপা পৈশাদুনা চেং হৱাই লৈদুনা চাগদৌরিবনি অদুনা ঐ নঙবু থাদোকপা ঙমলোই।" নুপাদুগী ৱাদু তাবদা ঙা অদুনা হায়রকই ঐবু ফাবা মীবু ঐনা নুংঙাইহনবা, ৱাহনবা হায়বসি ঐগী খুৎতা লৈ অদুবু ঐ নঙগী লাংদা থুরুরে, ঐ অৱাবা তারে অদুবু নহাক্না ঐবু থাদোকপীরম্লবদি নঙবু নুংঙাইহনগে অদুনা নঙগী অপাম্বা বর অমা নীয়ু হায়রকই। ঙা ফাবা নুপা অদুনা "ঐগী য়ুম শেগাইবদু ফজবা য়ুম অমা ওইহনবীয়ু হায়না নীখি" ঙা অদুনা অদুমক ওইজরো

হায়দুনা বর পীরকই। মতুংদা অমুকসু মহাক্কী নুপীনা ঙাদুদা বর অমুক নিরুনবা হায়রকই। মদুদগী ঙাদু "অমুক ফাবা চৎলে, ঙাদু অমুক ফারে। ঙা অদুনা "ঐবু থাদোকউ, ঐনা নঙবু নপুন্সি চুপ্পা চাবা থকপা ৱাৎতনবা, নুংঙাইনবা পোৎ অমা পীগে হায়রদুনা, "ঐগী ইমৈ অসি পায়দুনা নীকউ" হায়রকই। নুপাদুনা ঙাগী মমৈদু পায়দুনা নীকপদা ঙাদুগী মচিনদগী খুদোপ য়াই-ওইবা অমা তারক্লে। ঙাদুনা হায়রকই নঙনা থোকহনবিংবা পোৎ খুদোপসি লংবদা থোরক্কনি। মদুদা ঙা অদু থাদোকপীরম্লগা নুপা অদু হল্লক্লে। অদুগা মাগী নুপীদা ৱারম পূন্বা তমদুনা য়াম্না হরাউরে। খুদোপ অদু চাং য়েংশি হায়দুনা খুদোপ অদুদা সনা লুপা খরা থোকউ হায়দুনা হুনবদা মমল য়াম্লবা সনা লুপা ময়াম অমা থোরক্লে অসুম্না মখোয় অনী চাবা থকপা ৱাৎতনা নুংঙাইনা পাল্লে। ইনাক খুনবা মী অমা ওইরে। অসুম্না চাবা থকপা ৱাৎতনা লৈরকপনা নোংমদি নুপীদু ৱাখল অমা তৌরকই। নুপাদুনা মহাক্কী নুপীগী নুংঙাইতবা ৱাখল অদুবু খংলদুনা করি তৌরবগে হংবদা মাগী নুপীদুনা হায়রকই - 'ঐখোয়সু মী অতৈগুম্না নোক খেনা লৈনবা ইচানুপা অমতা নঙগী ইলিশাদুদা(ঙা) হায়জদুনা নীরকউ' হায়রকপদা, নুপাদুনা ফরে হায়দুনা ঙা অদুগী মনাক্তা অমুক লাক্লে। মাগী লাংদা ঙা অদু অমুক্কা হন্না থুরে। মদুদা ঙা অদুনা নহাক্কী করি অমুক ৱাৎতুনা ফারিবনো? মদুদা নুপাদুনা হায়রকই - ঐখোয় চাবা থকপা অমত্তা ৱাৎতরে অদুবু ঐখোয়গী অৱাৎপা অমা লৈরে ঐখোয়গী ইচা অমত্তা য়াওদে মরমদুনা ইচানুপা অমত্তা পীনবীয়ু। নচানুপা ফংজরো হায়দুনা বর পীরক্লে মদুদগী নুপা অদুনা ঙাদু থাদোকলম্লগা অমুক লাক্লে। মহাক্কী মচানুপা অমা ফংজরে। মতম কুইনগী তুংদা অঙাং অমা ফংবদুদা য়াম্না হরাউরে।

খরা লৈরগা নুপী অদুগী ৱাখলদা করিগুম্বা খরা পান্বগী ৱাখল লাকই মদুদা নুপাদুনা হংবদা মখোয়গী নুংঙাইরিঙৈসিদগী হেন্না নুংঙাইনবা মীনাই-মশন, শগোল-শামু অমুক পামলকখি। মদু নীরুনবা হায়দনা ঙা

অদুগী মনাক্তা নুপা অদু অমুক লাকখি। ঙা অদু অমুক ফারুরে হন্দক্তি করি অমুক ৱাৎলে হায়দুনা হংলকপদা মাগী নুপীগী অপাম্বদু হায়দুনা নুপা অদুনা নীরম্মি মদুদা ঙা অদুনা "হে মীওইবা পীরিমখৈ অপেনবা লৈতবা, নঙদি হান্নগী লায়রবা ফীভমদুদা হনজল্লো হায়দুনা শাপ তৌরকই। মহাক্কী ফজরবা য়ুম, সনা লুপা, খুদোপ য়াইওইবা পুম্নমক মাংখ্রে। অঙাং অদুসু লৈখিদ্রে, অসুম্না মখোয় অনী হান্নগী শেগায়রবা য়ুমদুদা হান্নগুম্না লৈখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	কোন্থৌজম থম্বৌ সিংহ
তাং	:	১৫-১২-২০১২
চহী	:	৮০
শিনফম	:	লৌউবা
লৈফম	:	উচিৱা, ইম্ফাল।

অপঙবা মনাউ

থায়না মমাংঙৈদা লুখ্রাবী অমা লৈরম্মী। মাগী মচানুপা অনী লৈরম্মী। অহল অদুদি শিংই অদুগা অতোনবদুদি য়াম্না পঙলম্মী। মনাউ অতোম্বা অদু পঙজরবসু ময়াম্বনা হায়বা য়াম্না ইল্লি। লুখ্রাবী অদু শোঞ্জিল্লকক্লে। ইমুংগী থবক শু-নোম্বা ঙমশিল্লকতরে মরম অদুনা ময়াম্বনা থবক শুবা চৎলি অদুগা মনাউ অপঙনা মমা অনাবীদু শঙই। নোংমদি ময়াম্বনা মনাউ অপঙদা ইবুংঙো ইয়াম্বা লৌবুক্তা লৌ কুমলুগে, নহাক য়ুমদা লেংদনা লৈরম্মু অদুগা নুমিৎনা ৱাতোন য়ৌরকপা মতমদুদা ষণ অসি শজিক পীজরম্মু পুথোকলম্মু অদুগা ইমা অনাবসি ঈশিং অশাবা লুম্বিরগা খুদেংদা হৈরগা ঈরুজথোকপীরম্মু। অসুম্না শীন্নরল্লগা ময়াম্বা অদু চৎখি। অপঙনা ময়াম্বনা হায়রম্বগী মতুং ইন্না শঙ্গোন্দগী ষণ অদু পুথোরক্তুনা মনা পুঙবা ৱা পাম্বী অমদা প্রপ প্রপ কাখৎলগা ৱাতোনদু লামথদুনা ষণ অদু পুনশিল্লে, মানা পুল্লিবা ৱাতোন অদু থাদোকপদদি ৱাতোন অদুনা হাইগৎখিদুনা ষণ অদু নোংথক্তা থরাক-থরাক য়ান্দুনা শিরে। মথংদা ময়াম্বনা হায়রম্বগী মতুং ইন্না ঈশিং অদু ব্রোং ব্রোং শৌবমখে শাহল্লে অদুগা মমা অনাবীদু পুথোরক্লদুনা খুদেংদা ফজনা ফমহল্লে অদুগা মাগী ঈশিং অশাবদু লৌরুদুনা মমাবু ঈরুজবীরিবনি হায়দুনা ঈশিং অশাবা অদু মমাগী মথক্তা হৈজিনবীরে। মদুদগী মমা অদু ময়া কাদুনা মমিৎ ওনখৎতুনা শিরে। মমানা ময়া কাদুনা লৈবদুদা অপঙনা ইমাসি চু চানীংবা মাল্লে খন্দুনা মমাগী ময়াদা চু নমশীল্লি। অপঙনা ময়াম্বনা হায়রম্বা থবক খুদিংমক লোয়রে হায়দুনা হরাউনা লৈরম্মী। ঙাইহাক লৈরগা ময়াম্বনা হল্লকলগা অপঙদা য়েংলগা ইবুংঙো ইয়াম্বনা হায়রম্বা থবকশিং অদু পাঙথোক্লব্রা হংবদা মনাউনা পাঙথোকচরে নুমিৎনা ৱাতোন হেক য়ৌরকপগা ষণ অদু ৱাতোন্দা

পুঞ্জরে হায়দুনা থরাক থরাক য়ান্দুনা লৈরিবা ষণ অদু য়েংহল্লকই। মদুদগী তাদনা হায়রম্বা ইমাবু ঈশিং অশাবনা ঈরুবিয়ু হায়বদু ঐনা ঈরুজবিবদা নুংঙাইরমাল্লে হরাউনা ফ্রিং ফ্রিং হেক চোংঙি। অদুদগী ইমাদু চু চানিংঙি হায়দুনা হৌজিক ফাওবা খুদেংদা ঙারদুনা চু চারিবসিনি হায়না য়েংহল্লি। ময়াম্বনা ওন্থোক্লা পঙখ্রেদা হায়রগা মমাবু কোন্দুনা কপ্লক্লে মদুদা ময়াম্বা কপ্পী হায়দুনা অপঙসু কপ্পী। মদুদগী মমাগী পোৎলোইফম শেম্লবা হায়দুনা মনাউ অপঙদা থৌদারে মদুদা অপঙনা মমাগী পোৎলোইফম শেল্লিবনি হায়দুনা মখোয় লৈকায়গী ষণ কাথোক কাশিন তৌনবা লম্বী ময়ায় অমদা কোম অমা চাওনা লুনা তৌরে অদুগা মহাক্তি ময়াম্বনা হায়বা তৌরে হায়দুনা হরাউ হরাউ লাক্লে অদুগা অসোমদনা নুমিৎ তারমদাই ষণ কারকপা মতম ওইরদুনা খুল অদুগী ষণ পুম্নমক মরী মরী কারকপদা অপঙনা তৌরম্বা কোম অদুদা তাদুনা ষণ অয়াম্বা শিরে। মদুদা শঞ্জেন্নহাশিংনা ঙসাই অয়ুকতদি কোম অসি লৈহৌদে, কমদৌননো হায়না থীগৎলুবদা কোম অদু অপঙনা তৌরমবনি হায়বা খঙলে। ময়াম শাউনরে, ৱায়েন চৈরাক তৌদবা য়াদে, মখোয় অনীনা শিংফম থোকই হায়দুনা নিংথৌদা ৱাকৎলুরে। ময়াম্বনা, “থোঙ্গান্দা নিংথৌ মনাইশিংনা ঐবু হংলকপা তারবদি ঐ লৈতে হায়য়ু কো! ইয়াম্বদি কাংখদা লোৎকেকো” হায়রম্লগা ময়াম্বা অদু কাংখদা লোৎখ্রে। নিংথৌ মনাইশিং চঙলক্তুনা অপঙদা নয়াম্বা লৈব্রা হংলকপদা অপঙনা ঐখোয় তাদদি লৈতে, কাংখদা লোত্তে হায়দুনা খুমদোক্লম্মী। ৱাদু তাবদগী ময়াম্বা অদু ফারে মদুদগী নিংথৌনা ৱাহং কয়া হংলকলবদা ময়াম্বনা মখুৎ অনী লোন্নদুনা ৱারী পূম্বা হায়জরবদা নিংথৌনা মরান লৈতে হায়বা খঙলম্মী। মদুদগী ময়ামদা শাওরনু হায়জরদুনা নিংথৌগী ষণগোন্দগী মাগী মাগী ষণ শিখিবা অদুগী মহুৎ পুদুনা ময়ুমদা হলহনখি।

মতম খরা লৈরগা মমাগী শ্রাদ্ধ কম্মগীদমক মচীন মনাউ কৈথেলদা পোৎ লৈবা চৎলি। য়েঞ্চাং নাপী, হৱাই, থাউ, থুম মপাক লৈরগা

পোলাং অমদা হাপ্লগা মনাউ অপঙদা নহাক পোৎ অসি য়ুমদা পুরগা চৎলম্মো হায়রে। মনাউ অপঙনা পোৎতু পুরগা লাকপদা মখোঙ হামনিংদুনা মহাক্লা পুরকপা পোলাং অদু মীনা লৌখিবা য়াই হায়দুনা লোৎশিনগে খন্দুনা খোঙবান্দা থাদখি। মহাক্লা মখোঙ হান্বা লোয়রগা পোলাং অদুদা য়েংবা মতমদা থুম মপাক অদু অমত্তা য়াওরমদরে। মদুদা ময়াম্বনা চৈগনি কিবদগী খোঙবান অদুদা কুমদুনা থিবদা থুম মপাক অদু থিবা ফংদরে থুম মপাক মপাক মাঙহনবগী ময়াম্বনা ফুগনি কিবদগী অপঙ অদু ময়ুমদা হনজিনখিদে। ৱাফম অসিদগী অপঙবা মী লোয়নগদবগী শরুক চৈশু অমা লোয়নবনা হেন্না ফৈ হায়বা পাউরৌ ফাওবা লৈখিবনি।

ৱারী লীবিরকপী : লাইফ্রাকপম ওংবী অঙৌবী দেবী
তাং : ২০-১২-২০১২
চহী : ৬৭
শিনফম : ফী য়োনবী।
লৈফম : লাংমৈদোং, ইম্ফাল।

পান থাবগী ৱারী

থায়না মমাংঙৈদা লায়রখ্রবা হনুবা হনুবী মতৈ মনাও অনীখক লৈরম্মী। মখোয়না পান থারিঙৈদা য়োং ময়াম লাক্কুনা মখোয়না থারিবদু শোয়রে হায়না হায়খি। ফজনা ফুৎতোক্লগা লা লাতোন্দা য়োল্লগা থাও হায়রম্মী মদুমক হনুবা হনুবীনা তৌরম্মী। য়োংশিংনা অহিংদা মদুবু চাথোক্লগা খোংবান্দগী অরেংবা পাংখোক ওইনা থাজল্লম্মী। নোংঙাল্লগা হনুবা-হনুবী অনীনা হরাউনা পান ইরোল্লম্মী। মখোয়না অহানবদা লাইদা কৎলম্মী অমুক য়ুমথংনবশিংদা য়েল্লম্মী। অদুগা মখোয় অনী চারম্মী। চাবা হৌরকপদা লেংদুনা হনুবনা হনুবীদা হনুবী হেন্তাক, হনুবী হেন্তাক, হেন্তাক পীয়ু হায়রম্মী। মদুদগী হনুবা হনুবী শাওদুনা য়োংদা লমন খুম্নবা শিল্লম্মী। হনুবা শিরে তাবদা য়োংশিং লাকপদা হনুবনা লিচৈনা য়োংশিংদু থোমদুনা তানখি। অসুম্না য়োংশিংনা অমুক য়োং নিংথৌদা তমদুনা হনুবা-হনুবী ফুবা লাকখি। অহল অনিনা খরুং অচৌবা অমদা লোৎলম্মী। হনুবনা নুংশিৎ খায়দোক্লম্মী মদুগী মতুং হনুবীনসু খায়দোক্লম্মী, মখোল হৌমনখিদুনা খরুং অদু কায়রম্মী, মদুদা য়োংশিংদু কায়দুনা চেন্নরম্মী। অসুম্না য়োংশিংদু অমুক হন্না লাকত্রে, হনুবা হনুবী নুঙাইনা পানখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	ময়েংবম নিলমনি সিংহ
তাং	:	১৬-৪-২০১৩
চহী	:	৬৫
শিনফম	:	ওজা ওরন্বদগী পোৎথারবা
লৈফম	:	চীঙ্গারম, শিসুরিয়া, ৱেস্ট - ত্রিপুরা।

তপ্তাবী

মথায় থায়নগী মমাংঙৈদা য়ুম অমদা অঙাং অমা য়াম্না কন্না কপ্লন্মী। কপলিবা অঙাং অদু তোক্লনবা মমানা কন্না থেল্লন্মী। মতম অসি নুমিদাং ওইরন্মী, শগোল হুরানবা অমসু য়ুম অদুদা লাক্লন্মী। য়ুম অদু শগোল য়াম্না লোয়বা য়ুম ওইরন্মী। শগোল য়াম্না লৈবা মরমনা নুমিদাংগা ওইবনা; হুরানবা অদুনা শগোল অচৌবা খনবদা খরা লুনা থোক্লন্মী। শগোল অদুগী মখোঙ পায় পায়দুনা খল্লিঙৈদা, কৈ অমসু শগোল চাবা মফম অদুদা লাক্লন্মী। শোমদনা মমানা অঙাং অদু কপ্পা ফনবগী থেন্নবদা থেম্লিংঙাই লৈরক্তদুনা নোঙ চুবা লেপখিবগী ঈশিংনা তপ তপ তাবগী মখোল অমা তাবদগী মমা অদুনা ভাবনা শাজিন্দুনা 'তপ্তাবী'* লাক্লে হায়না থেন্না হৌরক্লন্মী।

কৈ অদুনা অঙাংগী মমানা হায়বদু তারন্মী। অদুদগী কিদুনা লৈরিঙৈদা হুরানবনা কৈ অদুগী মখোঙদা তাপ পায়বগা মপা চান্নরন্মী। হুরানবা অদুনা মসিদি শগোল অচৌবনি হায়না খন্দুনা তোংখৎলন্মী। কৈ অদুনদি 'তপ্তাবী' হায়রিবদু অসি ওইরমাল্লে হায়না কিদুনা কন্না চেল্লন্মী। হুরানবা অদুসু শগোলনি খন্না অদুম তোংদুনা চৎলন্মী। হুরানবনা কৈনি হায়না মশক খঙলক্লবদা, কিরদুনা কৈ অদুনা চেল্লিঙৈ তাঞ্জাদা, লন্মীদা হৌরন্না উগী উশা অমদা য়াল্লগা লৈহৌখি। মতৌ অসুম্না হুরানবা অমসুং কৈ অনি অদু অমনা অমদগী নাম্থোকখি।

* তপ্তাবী হায়বসি ত্রিপুরাগী মৈতৈশিংগী থাজনবীদা মশক মওং লৈতবা লাই অমা ওইনা লৌনৈ।

হ্বারী লীবিরকপা	:	ময়েংবম নিলমনি সিংহ
তাং	:	১৬-৪-২০১৩
চহী	:	৬৫
শিনফম	:	ওজা ওরম্বদগী পোৎথারবা
লৈফম	:	চীঙ্গারম, শিসুরিয়া, হ্বেষ্ট - ত্রিপুরা।

চুহী চাবগী ৱারী

মমাংঙৈদা নিঙোল মৱা অপঙ অমা লৈরম্মী। অপঙ অদুনা নোংমা মনেমনা চাক কৌদুনা মনেমগী যুমদা চাক চাবা লাক্লম্মী। মথেন লুকোই ময়াম হাপ্তুনা মনেমনা ময়ানুপা অপঙবু চাক পীজরম্মী। অপঙ অদুনা চাক চাবা লোইরমদাইদা মনেমনা চুহী হাপ্পীরককে হায়না মাগী চাকলুক্তা চুহী হাপকে তৌবদা অপঙনা য়ারনি - য়ারনি হায়দুনা হাপহন্দবদা চুহী খাবৈ অদুদগী মরিক অমা মহাক্কী চাকলুক্তা তাহৌরম্মী। মহাক্না মদুবু লেক্তুনা তংলুবদা য়াম্না হাওবা অমা ফাওখিরম্মী। অপঙনা হাওখ্রেদা চানিংখ্রেদা হায়না তকশি শোন্দুনা লৈহৌখি। অপঙদুনা মহাও অদু কাওবা ঙমদদুনা অমুক্তা চারুগে কদায়দা লৈরিবজাৎনো হায়না থিরক্লম্মী। সুম থিরকপদা শিকাদা য়ান্দুনা থল্লম্বা থেংনখি। (শিকা - শগাইদৌনা য়াল্লগা থম্বা ৱানা শেম্বা) মহাক্না মদুবু লাম্লবা কন্না হোৎনবদা ফংবা কৌবা লৈরমদে। মদুদগী চৈ অমনা লামদুনা চফু অদু থিংগৎপদা চফু মনিং অদু হোদুনা চুহী অদু অতৎ অখম লৈতনা তারক্লম্মী। অপঙনা চুহী চফুদগী চেন্থরকপা চুহী অদু চানিংমনখ্রদুনা ময়া কাথোক্লগা য়ারম্মী। চুহী অদু চাবদা হাওমনখ্রদুনা অপঙ অদু য়াম্না হরাউরম্মী। অদুবু অহোবা চফুদগী চেন্থরকপা চুহীনিনা লেপ্পা লৈতনা চেন্থরকপদগী অপঙদু মমাই মমিৎ খংদবমখৈ মশাপুন্বা চুহীনা পুমতৈ তৈরম্মী। মদুদগীদি তৌফম লাকফম খঙদদুনা চুহী চফু অদুদা অসুম্না হায়রক্লম্মী -

"ওক্লেনে, ওক্লেনে ! ওক্লেনে নঙবু য়ারেনে।"

অদুবু চুহী চফু অদুদি হোরবনিনা লেপ্তুনা অদুম তারক্লম্মী। অপঙ অদু তৌফম খঙদদুনা য়ুমগী মী লাক্লবদি শোয়বা তারে খনদুনা চুহী অদু তৈথোক্লবা হোৎনবদা, য়ুমগী কাচিন্দা লশিং কাপথোক্লগা থমলিবা মফম অমা লৈবদু উরক্লম্মী। অদুদগী লশিং মরক অদুদা ওল্লগা লৈরুবদা চুহী অদু তৈথোকপদি লায়রদুনা লশিংনা মশা পুন্বা নপশিল্লকখি। অদুগা লশিংশিং অদু লৌথোক্লবা কন্না হোৎনরিঙৈদা মীখোল অমা তারকপদগী য়ুমগী মী লাক্লবোই খন্দুনা মানা তৌরিবদু খঙখিবা তারে হায়দুনা ইমুংদগী চেন্থোরক্লগা য়াওগী শঙ লৈরিবা অদোমদা চেনশিনদুনা লোৎতুনা লৈরগা নোংঙানবা ঙাইরম্মী। তানজা অসিদা য়াও হুরানবা নুপা অমা য়াওগী শঙ অদুদা লাক্লম্মী। মহাক্না য়াও ফজবা অমা খনবদা অপঙ অদুবু য়াও মপী ফজবা অমনি খন্দুনা ফারগা থোংগৎলগা পুখিরম্মী। হুরানবা অদুনা অসুম লাকপদা তুরেল অমা লানবা তারম্মী। হুরানবা অদু লম্বী অদোমদা নৌনা লাকপা ওইবনা তুরেল অদু কদোমদনা লুই, কদোমদনা থেনবগে হায়বা খঙলমদে। মরম অদুনা হুরানবদুনা তুরেলদু লানবদা ঈশিংসিবু কদোমদনা লুবনো, কদোমদনা থেনবনো হায়না মতোমতা শোনজরম্মী। মদু তাবদা অপঙ অদুনা "নোংচুপতগী নোংপোকনা খরা থেনবনি" হায়রক্লম্মী। য়াওনি খল্লগা পুরক্লিবা নুপাদুনা অপঙনা ঙাংবদু তাবদা, খঙপ্রেক খঙবগা লোয়ননা মাবু ফাবা তারে খন্দুনা ঈশিং মনুংদা অপঙদু থাদরম্লগা চেনখিরম্মী। মতৌ অসুম্না অপঙদু হুরানবগী মখুৎতগী নান্থোকহৌখি। অদুগা অপঙদু শেংনা তুরেলগী ঈশিংদা ঈরুজথোক্লগা, হুরানবগী তাহৌরবা ঙবোং অদু হোংদোক্লগা অপঙনা ময়ুম য়ৌরকপদা মনেমনা উদুনা, করিনো জমাই অসুক ঙন্না ঈরু মাইথজরগা লাক্লিবসিবো হায়রম্মী। ময়ানুপা অদুনা মনেমদা ইনেমবোক য়াও হুরানবা তান্নরুবনি, হুরানবদুদি কিদুনা চেনখ্রে, অদুদগী

ঐসু ঈরুমাইথজরগা মানা কিদুনা চেনবদা তাহৌরবা ঙবোং অসি শেৎলগা লাক্লিবনি হায়না অপঙনা মনেমদা খুমখিরম্মী।

ৱারী লীবিরকপা : মায়েংবম নিলমণি সিংহ
তাং : ১৬-৪-২০১৩
চহী : ৬৫
শিনফম : ওজা ওরম্বদগী পোৎথারবা
লৈফম : চীঙ্গারম, শিসুরিয়া, ৱেষ্ট- ত্রিপুরা।

অপঙগী ৱারী

থায়না মমাংঙৈদা খোংহামশঙ শান্নদ্রিবা মতম অমদা অপঙ অমনা যুমগী মপান্দা থোক্লগা মখোঙ হান্বা চৎলম্মী। মহাক্না সুম লাকপদা চীংদা য়ৌরক্তুনা চীংদা ওইনা মখোঙ হামলম্মী। ঙাইহাক লৈরগা অমাঙবা অদুদা য়েংথরুবদা লৈরমদ্রে। মহাক্না ঙশাই মখোং হামলুরিবা মফম অদুদা থেংঙ্গু অমা লৈরম্মী। মদুগী মথক্তা হামজিল্লুবনা মহাক্কী অমাঙবা অদু লৈরমদবনি। অদুদগী মহাক্নদি খঙদবনিনা মাগী অমাঙবা অসি চৎলেনা হায়না খনখি।

মথংগী নুমিৎকী নুমিদাংদসু অপঙদু মখোং হাম্নিংলক্লম্মী। অদুবু মাগী অমাঙবদি মখোঙ পাল্লগা মথন্তা চৎপনি খল্লগা, মপান্দা মখোং হান্বা চৎতরে। মরম অদুনা অপঙনা ফম্মাংদা মখোং হামজিল্লম্মী। মখোং হান্বা লোইরবা মতুংদা অমাঙবদু চৎখ্রব্রা য়েংলম্মী। অমাঙবদুনা মচি লেঙদনা সুম লৈবদু উবদা অপঙনা অসুম্না হায়রম্মী - "হে অমাঙবা ! নঙ ঙসিদি চৎত্রেনা, চৎলু ইমুংসিদা লৈবা য়ারোই। অমাঙবা নঙ চৎলু" অসুম্না হায়দুনা য়েংলবদা চৎত্রদুনা; অপঙনা শাওরদুনা নঙ ঙসিদি খঙগনিদো হায়দুনা মকুবোক্কী হিদাকফু থক্লবা তোংজৈ মরী অদু পুথোরক্লগা অমাঙবা অদুদা হায়রক্লম্মী -

"হে অমাঙবা নঙ ঙসিদি চৎত্রেনা। চৎলু ইমুংসিদা লৈবা য়ারোই। অমাঙবা নঙ চৎলু।"

অসুম্না হায়দুনা য়েংবদসু চৎত্রবদা অপঙনা শাওরদুনা নঙ ঙসিদি খঙগনিদো হায়দুনা মকুবোক্কী হিদাকফু থক্লবা তোংজৈ মরী অদুনা অমাঙবা অদুদা ফুবা হৌরক্লম্মী। "নঙ চৎত্রিব্রা চৎলুনে" হায় হায়দুনা ফুরম্মী। অদুদগী ইরোই লোইবদদি অমাঙবা অদু অমত্তা লৈত্রে লোয়না চাইখায়খ্রে। অমাঙবা অমত্তা লৈত্রবদুদদি অপঙনা অসুম্না হায়রকখি -

"তস কমদৌই ! চৎত্রব্রা নঙ ! নঙনা ঙন্থ্রা ঐনা ঙন্থ্রা হায়বদো খঙলেদনা।"

অসুম্না অপঙ অদুনা মানা ঙমলে খন্দুনা তোংজৈ মরী অদু হান্নগী মফমদা য়ানশিন্দুনা থল্লম্মী। অদুগা মানা ফমুংদা কাখৎলগা নুংঙাইনা তুমখিরম্মী। অপঙগী নুপীনা নোংঙান্দুনা হৌগৎলকপা মতমদদি ইমুং অদু নমথিবা মনম্না খাঙবা ঙমদ্রদুনা কোয়েং য়েংলকপদা অমাঙবনা পুমচাই চাইদুনা লৈরম্বদু থেংনখি। করিনো তৌরিসিবু হায়না হঙবদা অপঙনা অসুম্না খুল্লম্মী- "নহানমখৈ ঐগী অমাঙবসে চৎপনি। ঙসিদি চৎলু হায়বা য়াদ্রে। অদুনা ঐনা শাওনিংদুনা ফুরগা তাল্লমলিবনি।"

মসি তাবদা অপঙগী নুপী অদু করিনো হায়রিসিবু হায়দুনা ঙকপোই, শাওনিংবোই অমুকসু নোক্লিংবোই তৌফম খঙদদুনা লৈরম্মী। তাঞ্জা অদুদা মনেম অদুসু হৌগৎলক্লম্মী। মনেম অদুনা তৌরিবা মতৌ অদু উবদা অপঙদা অপান্ননা ঙাংবদি য়াদবনিনা মচানুপীদা চৈরগা ঙাংলম্মী। সোমদনা মকুবোক্লা হৌগৎলক্কুনা মাগী হিদাকফুদা হাপলিবা হিদাক্কু থক্লবা ইয়েং য়েংদনা তোংজৈ মরীদু পানশিল্লগা চিংলম্মী। তোংজৈ মরীদু হেক চিংলুবদুদা নমথিবা মনমদুগা, তোংজৈ মরীদুদা তৈরল্লিবা অমাঙবদুগা উবদা হাই কৈনো তৌরিবসিবো হায়না তৌফম খঙদনা লৈখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	ময়েংবম নিলমণি সিংহ
তাং	:	১৬-৪-২০১৩
চহী	:	৬৫
শিনফম	:	ওজা ওরম্বদগী পোৎথারবা
লৈফম	:	চীঙ্গারম, শিসুরিয়া, ৱেষ্ট- ত্রিপুরা।

উচেক লাংমৈদোং মতুগী থাজনবা ৱারী

(থাদৌগী ৱারী)

থায়না মমাংঙৈদা খুঙ্গং অমদা মচানুপা অনীগা লোয়ননা পাখ্রা অমা লৈরমই। খুঙ্গংদুমক্তদা লৈবা লুখ্রাবী অমনা মমা লৈত্রবা নুপামচা অনীদুদা মীনুংশি উত্তুনা মশাগী ওইজবা তানগে খনখি। নুপামচা অনীদুনা মপাদা লুখ্রাবীদুগা লুহোংনবা কন্না তকশিল্লমই। তকমনবদগী লুহোংবদা তাখি। লুখ্রবী নুপী অদুনা হান্না ওইরম্বা মওংদগী ওন্নতৈনবদা নুপামচা অনীদুবু তাথি তাওইনা তৌবা হৌরকখি। শেমজিন শাজিনবা ৱারী কয়া তমশিন্দুনা মচাশিংদু ফত্তবা থবক কয়া তৌরে তাম্থোকখ্রসি হায়না মপাদা কন্না তকশিনখিরমই। অদুবু মহাক্কী মপুরোইবনদি মাগী নুপীগী অপাম্বদু থবক ওইনা পাংথোক্লিংখিদে। মাগী নুপীগী পাউদমশিংদু থাজরমদে। মমৈদদি নুপীদুনা অশিংবা থৌরাং অমা লৌখৎখি। মহাক্না য়ুমদা য়োকপা য়েন অমা ফারগা লৈমাই অহোবদা থমজিল্লগা মদুগী মথক্তা মহাক্না ফমথখি। য়েন অদুনা নাম্থোক্কবা হোৎনবদা নুপীদুগী মথুন্নচিংবা মফমশিংদা চিকথৎতুনা ঈনা পুমঙাং ঙাংখি। অশোকপদু মাগী নুপাদা উৎলদুনা হায়খি মদুদি অঙাং অনীদুনা ফমপাক মখাদা চৈনা থিন্দৎতুনা থবকশুনবা ফমথরূবদা মহাক্কী মথুন্দু ঈ থোকহল্লিবনি। ৱাফম অদু তারগা নুপাদুনা খনখি কা হেনজিনখ্রে অদুনা মখোয় অনী য়ুমদগী থাদোক্কবা ফিরেপ শেমখ্রে। মহাক্না নুপামচা অনীদু অথাপ্পদা পুথোরকখি; লম্বীদা লৈরম্বা মফমশিং অঙাং অনীদুদা খঙব্রা হায়দুনা চাংয়েং তৌর তৌরদুনা লাকখি। মমৈদা মখোয় মাইকৈ খঙলক্ত্রবা মফমদা ৱাংখৎপা লৈমাই অমা শেম্মগা, অঙাং অনীদুবু শুমদুনা তুমহল্লগা লংথোক্লম্মবা থৌরাং তৌখি। অদুম ওইনমক খাইনবগী অৱাবদু পুবা ঙমদ্রদুনা উখোং অমদা থৌরি অমা কিরদুনা অদুগা থৌরিদুগী মচিন অমা মহাক্না পায়দুনা অঙাং অনীদুনা মপা থিজরকপা ঙম্নবা শিল্লম্মগা

ময়ুমদা হল্লকখি। অদুনা অঙাং অনীদুনা থৌরিদু ইন্নদুনা লাকপনা ময়ুম য়ৌরকখি। মখোয় অনী যুমগী ফমপাক মখাদা লোত্তুনা লৈখি। মপানা মচাশিং লৈবদু খঙবদগী নুমিদাং চাক চদুম খরা মখাদা থাদখি। মাগী নুপীনা খঙলক্তুনা য়াম্না শাউনা মাগী নুপাদা ঙাংবা চৈবা তৌখি। মহাক্না অমুক অঙাং অনীদু অথাপ্পা মফমদা পুদুনা লঙথোক্লমখি। হন্দক্তি মখোয় হল্লকপা ঙমদনবা শিল্লমখি।

অঙাং অনীদুনা হৌগৎলকপদা মপা লৈরমদবদুদা য়াম্না হৌনা মপাবু কৌবা হৌরকখি। মখোয়না কৌবদু লম অদুবু কোনবা লমলাই অমনা খুম্মকখি। অসুম্না খুম্নবসু মপানা লমলাইদুদা শিন্নরম্বনি।

ময়ুম তাবা লম্বী থিনবা হোৎনবদা মখোয়না উমংদু কোইনা চৎপা হৌরকখি। উমংগী অশুকপা মনুংদুদা মখোয়না অকোইবদা য়েংবদা উশিল্লকখিদ্রে। মরম অদুনা নুপামচা অদুনা উথক্তা কাখৎলগা য়েঙ্গুগে খনখ্রে। উপাল মথক্তা মরূম কয়ামরুম য়াওবা লাংমৈদোং মহুম (মকোন) অমা থেংনরমই। মহাক্কী মনাওনুপাগীদমকসু উচেক মরুম কয়া অমা থুগাইদুনা লৈমাইরোমদা মনাওগী মচিন্দা তাননবা হৈথখি।

অদুবু খরখক্তমক মনাওগী য়ানুংদা তাখি। তপ্না তপ্না মখোয় অনীগী মশাদা উচেক মতু পানবা হৌরকখি। মনাওদুনা উচেক মরুম ৱাৎনা থকখিবনা মতুশিং পানা হৌরমই। হাকৎচবনা, হোৎতত্তুনা হৌরকখিবা মতুশিংসু লোইনা ফোইদৎখি। অদুবু ময়াম্বদুনা মপুং ফানা উচেক মতু হৌরকপদগি উচেক লাংমৈদোং ওইখ্রে। মনাওনুপাদুদি নুংঙাইতনা কপ্পা হৌরকখি। ময়াম্বনা থেমজিল্লদুনা মহাক্কী লৈমাইদা তাবা মমিদুবু মতুং ইন্দুনা লাক্লবা তাকপীখি। মনাওদুনা ময়াম্বগী মমিদা মতুং ইল্লকখি। অদুবু ইকুই কুইদনা ময়াম্বা লাংমৈদোংগী মমিদুদি মাংখিরম্মী। মাইগৈ খঙদনা কোইচৎ চত্তুনা ৱারবা মতুংদা মমৈদা উহৈ অমুনবনা য়োল্লবা হৈবোং (Fig) পাম্বী অমা থেংনখি। মহাক্না উপালদুদা কাখৎতুনা উহৈ চারবা মতুংদা উশাদা হিপ্তুনা পোৎথাখি।পুংজা অদুদা শুমতুম্না সনাগী খাংঙেল অচৌবা অমা অপিকপা থৌরি অমনা চিংদুনা

লাকখি। চাউরবা সনাগী খাঙেলদু লাইৱাসি 'শুমতুম কাইপা, পাইতুম কাকাই' হায়বা মীনা তাদনবা নুংশাশ্বর মমৈদা শোল্লগা য়াম্না কোম্না সনা খাঙেলদু চিংলগা লাক্লম্মী। সনা চিংবা শুমতুম কাইপা অদুনা উথক্তা লৈবা নুপামচাদুদগী উহৈ খরা নিজখি। নুপামচাদুনা 'লাইৱাদু' তাকথোক্লবা তক্লখি। পুকলাম্বনা পাম্বে লৈত্রবা সনাচিংবদুনা হায়দোকপদা তাখি। নুপামচাদুনা সনাচিংবদুগী তা মতোন্দা হৈবোং লেংঙগা মখাদা পিরকপা য়ানবা তা অদু মথক্তা লানখৎলক্লবা হায়জখি। উথক্তা তা অদু ফংলবদা নুপামচাদুনা তা মতোন্দা হৈবোং লেংশিল্লগা সনাচিংবদুবু ময়া কাথোক্লবা হায়খি। অসুম্না সনাচিংবদুনা ময়া কাথোক্লবদা নুপামচাদুনা তানা থিন্দৎতুনা মহাকপু হাৎতোকখি। অসুম্না সনাগী চাউরবা খাংঙেলদু চিংলগা লমশাং চৎলবা মতুংদা য়াম্না পাঙ্গল লৈবা ইনাকখুনবা নিংথৌ অমনা কোনবা খুঙ্গং অমদা য়ৌরকখি। খুঙ্গংগী মপান্দা সনাগী খাংঙেলদু থন্নম্মগা নুপামচাদুনা চানা থক্লবা অমদি লৈফম থিনবা চংলকখি। অসুম্না কোইথি থিরকপদুদা মহাকপু লাইরবী লুখ্রাবী অমনা ময়ুমদা পুশিনবিখি। তাঞ্জাদুদা খুঙ্গংগী মীওই খরনা সনাগী খাঙেলদু থেংনরদুনা মখোয়গী নিংথৌদা পাউদমখি। সনাগী মপু কোইথি থিবা হৌরকখি। মীতোপ অমত্তা ফঙদ্রবদা মমৈদা লুখ্রাবীদুনা ফংবদা তাখি। লুখ্রাবীদুনা মহাক্কী নুপামচা অমদি লৈ হায়না খুমখি। মশা কল কল্লবা মীওই কয়ামরুম্না সনাগী খাঙেলদুবু নিংথৌগী মনাক্তা চিংনবা ফনা হোৎনবসু ঙম্বদি লৈখিদ্রে। নিংথৌদুনা অসুম্না লাউথোকখি মদুদি সনাগী খাঙেলদু মহাক্কী ময়ুমতান্না চিংলকপা ঙম্বা মীওইদা লৈবাক তঙ্খায় অমা লোয়ননা মহাক্কী মচানুপী মরক্তগী খ্বাইদগী শকহেনবীসু পীগনি। নুপামচাদুনা চোংথোরক্তুনা সনাগী খাঙেলদু লাইৱাদু নুংশাশ্বর মমৈদা শোল্ল শোল্লদুনা নিংথৌগী ময়ুম তান্না চিংলকখি। লাইরবী লুখ্রাবিদুনা নুপামচাদুদা ফিজেৎ ফিগাই শেৎপী মৈনাক্তা ফমলিবী নুপীমচাদুবু মাগী ওইনা খন্নবা হায়খি মরমদি ফিজোল নিংথিনা শেৎলিবীশিংদুদি শাজিন্নবী ঙাক্তনি, মখোয় নিংথৌগী মিনাইনুবীশিংনি। মঙোন্দা তাকপীবা মতুং ইন্না নুপামচাদুনা থবক পাংথোকখি। চহী খরগী মনুংদা মহাক য়াম্না ইনাক কৈরাক খুনবা মী ওইখি। মহাক্না চোন কুম্মে

পাংথোক্কে নীংখি। মহাকপু ময়াম্না দাপা হায়না মীংগৌনখি। লমদমদুগী মীওই কয়ামরুম বার্তন তৌদুনা লাকপীনবা হায়জখি। মহাক্কী লাংমৈদোং ময়াম্বসু লাক্লবা মহাক্না লমদমদুগী শা-উচেক পুম্নমকপুসু কৌখি। অদুবু মাগী ময়াম্বা লাংমৈদোংদি মনুং হঞ্জিনবা উমংদা লৈখিবনা মনাওনুপানা লাকপীনবা হায়জবদু খঙখিদে।

দাপানা উচেক মরক্তগী মহাক্কী ময়াম্ববু থিবীরকপা ঙন্বা উচেক হংলকখি। ইহান হানবা ওইনা খোইনিং কৌবা উচেক্না মহাক থিগে থোক্লকখি। করম্না লাংমৈদোংদা লাকপীনবা হায়জগদগে হংবদা খোইনিংনা কোইচোং চোংবা হৌরকখি অদুগা তুশিন্দুনা মহাক্কী অথিফমদু শোক্তুনা ঈনা পুমঙাং ঙাংখি। মরম অসিনা খোইনিংগী মথুন হৌজিকফাওবা অঙাংবা মচু ওইরিবসিনি। (Bcibeleh, Bul bul) খোইনিংগী মতৌদুদা নোক্লিংবনা মীপুম খুদিং পেন্না নোক্লখি। বুইপুই তুজোম্বা লৈনুংদা লৈবা উচি (শবী) অদুদি অসুক্কী মতিক নোকখ্রে মদুদি মহাক্কী মমিত্তু মতম পুম্নমক্কী ওইনা খুজিনখ্রে। মমৈদদি লমখুনুবু ওইনা খনখি। মরমদি লমখুনুনা ৱাহৈ পরেং অমা থিবা ঙমখি। ৱাহৈ পরেংদুদি "লাংমৈদোং নঙগী ননাওনা চোন কুম্মো লাংলে, ঐবু নঙ কৌনবা থারকপনি"।

অসুম্না মীওইবনা চোন কুম্মো অসিদা চাবা থকপা, ঈশৈ শকপা অমদি জগোই শাদুনা 'চোন' কুম্মোদা নুংঙাইনা শরুক য়াখি। উচেকশিংনা মালংদা জগোই শাখি। কুকীশিংগী লাংমৈদোং জগোই অসি পুদাপাগী চোন মতমদা উচেক লাংমৈদোংনা শাখিবা জগোইদুগী মতৌতম্বনি থাজনৈ।

চোন কুম্মো হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পাংথোকখি। অদুবু লোইশিল্লকপা মতম ওইরকখি। 'পুদাপা' না মহাক্কী ময়াম্বা লাংমৈদোং অমদি মাগী লোয়নবীবু মতম খরা লৈথদুনা হরাউ তয়াম্না লৈমিন্ননবা হায়জখি। অদুবু ময়াম্বা লাংমৈদোংনা য়াখিদে। চান থক্লবা চিঙ্গাক খোমজিনবগী মতমদু মখোয়না নাম্থোকখ্রবদি মখোয় মমৈদা চরা হেনগনি হায়খি। কায়নবগী খুদোল ওইনা ময়াম্বা লাংমৈদোংনা মনাওদা মহাক্কী নীংথিরবা মতু পীরমখি। পুদাপাগী মপা অমদি মমাপোক্তবীসু হায়জখিবা

মতুং ইন্না চোন কুপ্পো য়াওখি। মমা পোক্তবীদুনা পুদাপাদা পীখিবা ফজরবা মতু অদুগুম্বা অমা পামজখি। অসুন্না পুদাপাদা হায়রূবদা লাংমৈদোংনা ময়া কাথোক্লবা হায়খি। ময়া কাথোক্লবদা লাংমৈদোংনা ময়াদা মথি ফাইজিনখি, মমা পোক্তবীদু শিখি।

ৱারী লীবিরকপা : মাংভেং অমাং হাওকীপ

তাং : ৮-৫-২০১৩

চহী : ৪৯

শিনফম : জগোই ঈশৈ তম্বীবা

মফম : হাওকীপ ভেং পেলেস কম্পাউন্দ।

লাং – লপকী ৱারী

(থাদৌগী ৱারী)

গমঙাই কৌবা খুঙ্গং অমা ভারত অমদি ম্যানমারগী তাইনফম, তুইসন অমদি ত্রিজাল ঈচেল অনীগী মরক্তা লৈরম্মী। খুঙ্গংদুদা পুমাংবুং খুন্দা লৈতাদুনা লৈরম্মী হায়নৈ। মহাক্কী মিংচৎ অমদি মীয়াম্না য়াবা মতৌ অসিনা মরম ওইদুনা অফবা নুমিৎ অমদা (Chon-pi) চোনপি কুম্মে পাংথোকখি। চোন থৌরম লোইরবা মতুংদা মহাক্না তুরেলদা কুমদুনা ঙা ফানবা হোৎনরম্মী। ঙা ফারিঙৈ তাল্লক্তুদা য়াম্না ঙকপা মওংদা সাজো শজি মানবা শা অমা উকং অমগী মথক্তা তোংদুনা তাউথরকপা উখি। পুমাংবুংনা শা অদুবু অৱাবদুদগী কল্লগে চপ য়ুংনা খনখি। অদুবু অকনবা ঈরৈ ঈচেল মরক্তা মহাক্না হোৎনজবা পুন্নমক অরেম্বদা তাখি। উপায় লৈত্রবা শা অদুদা মীনুংশি পোক্লবা মনিং থুংদ্রবা পুমাংবুং না ঈশৈ অমা শাগত্তুনা ময়ুম মাইকৈ পাংলকখি। ময়ুম য়ৌরবদা পুমাংবুংনা মহাক্না থেংনরকপা থৌদোক্তুবু মাগী ইমুং মনুং নক্লবা মরি মতাশিংদা তমদুনা তাহনখি। অদুগা অসুম্নসু হায়জখি মদুদি মহাক্না শিরবদা মহাকপু মখোঙপানবা দোলাইগুম্বা 'কু' অমদা হাপ্তুনা সাজো না ঈশিংদা তাউরকখিবগুম পুবীয়ু। অসুম্না মহাক্না শিরবদা মহাক্না পামজরম্বা মওংদা মঙম মথৌ পাংথোকখি। মহাক্কী অশিবা মশাদু মখোঙনাইবা 'কু'দা নোংমদা তরেৎলক থাঙ্গত্তুনা নুমিৎ তরেৎনি থমখি। নিতিগী শন্দং (Mithun) অমমম হাত্তুনা চাকলেন খাংখি। মতম অদুদগী (Langlap) লাংলপ কৌবা অশিবগী শৈথারোল চৎনবা হৌরক্তুনা কুকিশিংনা পাকশন্না চৎনদুনা লাকখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	মাংভেং অমাং হাওকীপ
তাং	:	৮–৫–২০১৩
চহী	:	৪৯
শিনফম	:	জগোই ঈশৈ তন্বীবা
মফম	:	হাওকীপ ভেং পেলেস কম্পাউন্দ।

অশিজোলনেং

(থাদৌগী ৱারী)

মতম অমদা অশিজোলনেং কৌবী মশক মতৌ ফজবী লুহোংদ্রিবী নুপী অমা লৈরম্মী। মহাক অসুক্কী মতিক মশক মতৌ চংখোল্লম্মী মদুদি অনকপা অথাপ্পদগী মীশিং মাগী মশকখক য়েংজনবা মাগী মনাক্তা লাক্লখি। মহাক্তি খুঙ্গংদুদা লৈবী লুখ্রাবী অমগী মচানুপাগা নুংশিনরম্মী। ইচম চম্না তোন্না হিংজরবসু মখোয় অনীদি অমগা অমগা য়াম্নমক নুংশিনজরম্মী। খুঙ্গং অমদা মচিন মনাউ তরেৎ লৈরম্মী। মখোয়সু আশিজোলনেংগী মশক মতৌ ফজবগী ৱারী তাবদা খুঙ্গংদুদা লাক্লম্মী। মচিন মনাও তরেৎমক্না খুঙ্গংগী মকোকসু ওইরিবা অশিজোলনেংগী অপোকপদা মখোয়গী মরক্তগী অহন ওইবা খ্বাইদগী পাখংদুদা অশিজোলনেংবু থাজ-য়োঞ্জনবা হায়নসি লেপ্লখি। থৌরাংসিগা লোয়ননা মখোয় খুঙ্গংদুদা থুংলখি। লম্বীদা চোংঙা (মকোক ঙৌবা) ময়াম অমা মচিন্তগী পাম্বৈনা ঈখোং অমা শেম্লম্বা থেংনখি। ময়ামদুগী মকোক ওইবা উচেক অদুনা হায়রকখি "হে মীওইবশা! নখোয় কদায়দা চৎলিবগে?" "আশিজোলনেং কৌবী মশক ফজবী নুপী অমা নখোয়গী খুঙ্গংদা লৈ হায়নৈ। ঐখোয় মহাক্কী মশক য়েংনবা অদুগা লুহোংবগী ৱাফম হৌদোক্লবা লাকপনি।" অদুদা উচেক অদুনা হায়রকখি। " নখোয় লৈশাবীদুবু পাম্লবদি ঈখোং অসি নখোয়গী নশাগী পাঙ্গলনা ঈশিং থন্না হাপচিল্লু অদুগা নখোয়সু ঈশিংদুনা ইরুজরগা লৈশাবীদু উনবা চৎলবদি মহাক্না নখোয়বু তরাম্না ওকপীগনি।" মচিন-মনাও তরেৎ মক্না উচেক্কী ৱাফমদু থওইনা তাবীরমদে অদুগা ঈখোংদু লৈবাক মেনশিল্লম্লগা চৎখিরম্মী। তুংওইননা লুখ্রাবী মচাদু লম্বীদুদা লাক্লম্মী। লৌখোংদু অমুক তৌথোকপীনবা হায়জরকপা উচেকশিংদুগী অৱাবদু মহাক্না খঙবীরম্মী। অদুনা লুখ্রাবী মচাদুনা উচেকশিংগী ৱাদু তাবীদুনা লৌখোং অদু অমুক হন্না

তৌথোকপীরম্মী। অদুগা মনাক নকপা ঈচেলদগী ঈশিং পুশিন্দুনা ঈশিংনা পীক থন্না থন্বীরম্মী। মহাক্কী চানবী হৈবা থৌওং অদুদা উচেক অহন অদুনা লুখ্রাবী মচাদুবু থাগৎলদুনা অসুম্না য়াইফরোল পীবীরম্মী "হে তাইবং মীওইবা ! লৌখোং অসিগী লাইজদা ঈরুজখো, অসুম্না তৌরবদি নহাক্কী নীংজবা পুম্নমক থুংলগনি।" উচেকনা হায়বদুমক পাংথোক্লবা মতুং লুখ্রাবী মচাদু চৎখিরম্মী। মাংওইননা চৎখিবা মচিন-মনাও তরেৎ অদুনা তেনৱা শঙ্খু অমনা তিংখংগী মোংশোং মরক্তা হৌবা উপাল অমদগী অমুনবা উহৈ চানবা হোৎনরম্বা থেংনখি। তেনৱাশিংদুনা তিংখংগী মোংশোংদু তেমথোক্লবা হোৎনরম্মী। মখোয়না মচিন মনাওশিংদু উবদা মতেং পাংবীনবা হায়জরম্মী। অদুবু মচিন মনাওশিংদুনদি তেনৱাশিংদুবু করেম কথাইনবীরদুনা চিনগোনবা-অতনবা উচেকশিংনিসু হায়বিরম্লগা চৎখিরম্মী।

ঙাইহাক্কী মতুংদা লুখ্রাবী মচাদুসু লম্বীদুদা লাকপদা তেনৱাশিংনা মোংশোংদু থুগাইবীদুনা মখোয়না অমুনবা উহৈ কোম্না চাবা য়াহন্নবা হায়জখি। লুখ্রাবী মচাদুনা তরাম্না য়াবীদুনা মোংশোংদু থুগাইবীরম্মী। তেনৱাশিংদুনা লুখ্রাবী মচাদুদা পুন্সিগী খোংথাং খুদিংমক্তা মাইপাকপা ওইনবা য়াইফরোল পীবগা লোয়ননা মহাক্লা অৱাবা তারবা মতমদা মখোয় (তেনৱা) বু কৌরক্লবা হায়খি।

মথংদা লুখ্রাবী মচাদুনা মাগী নুংশিনজবীদুগী ময়ুমলোমদা লাকপদা 'নুংশিৎ' (মালংবা) থেংনখি। মালংবনা মঙোন্দা হায়খি, "ও লুখ্রাবী মচা ঐখোয় মরুপ ওইশি, ঐগী লৈফমসি নহাক্লা তাকপীরবদি ঐ নঙগী লমন তোল্লবনি।" লুখ্রাবী মচাদুনা পাউখুম্লম্মী, "ইতাও মালংবা ! নহাক্লা নিংথমথাদনা অৱাংদগী মখারোমদা অদুগা কালেন্থাদনা মখারোমদগী অৱাংলোমদা শিৎলবদি খ্বাইদগী অফবা ওইগনি।" অদুদগী মখা তারকপদা লুখ্রাবী মচাদুগা 'লৈচিন' গা উনরম্মী। লৈচিন্না হায়রম্মী, লুখ্রাবীগী মচানুপা, ঐখোয় ইতাও শান্নশি। ঐহাক করম করম্বা মফমদা লৈফম ওইগদগে তাকপীরবদি লমন তোনশিঞ্জরে খঞ্জগনি। পাউখুম ওইনা লুখ্রাবীগী পারীদুনা

হায়খি, "ইতাও লৈচিন, কালেন্থাদনা চীংজাও মতোন্দা অদুগা নিংথমথাদনা চীংখোং-চীংয়াদা লৈবনা হেন্না ফগনি।" অফবা ৱাফমদুগীদমক থাগৎলম্লগা লৈচিন পাইখিরম্মী। নুমিত্তুমক্তদা আশিজোলনেং চীংমাইদা হনুবীগী ফিজোল অমদি শক্তম লৌরদুনা লৈরম্মী। মহাক অসুক হৈনা শকলোৎখ্রে মদুদি কনামত্তনা মাগী অশেংবা মশক খঙবা ঙমখিদ্রে। তাঞ্জাদুদা মচিন-মনাও তরেৎ অদু মাইকৈ অদোমদা লাকখি। আশিজোলনেংনা মখোয়দা অসুম্না কৌখি, "ঈশ্বুা! নখোয়বু তারিবরো!, নখোয় কদায়দা চৎলিবনো?" মচিন-মনাও তরেৎনা পাউখুম ওইনা লৈশাবী আশিজোলনেংগী শক্তম য়েংবা চৎলিবনি। মহাক্কী ময়ুমগী লম্বী তাকপীগদ্রা হায়রকখি। হনুবীগী শক্তম লৌরিবীদুনা হায়খি "হায়বীগে অদুবু ঐগী শিংজাশিং ককপীরমউ।" মচিন-মনাও তরেৎ অদু শিং ককপগী ৱাদুদা নোকথোক্লম্মী। মখোয়দি মপা লৈতনা ফজরবী লৈশাবীদুবু হায়নশিংনবনা মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি। অদুনা ইপন-পন্দনা মফমদু থাদোকখি। তাল্লক অদুদা লুখ্রাবীগী মচাদু লাকখি। মহাক্না আশিজোলনেংনা হনুবীগী ফিজোলদা লৈরম্বনা মশক লাকশিনবা ঙম্লমদে। অদুবু নুপী মচাদুনদি মহাকপু খঙলদুনা মাগী নুংশিবা পাখংদু কয়া য়াম্না পুকচেল ফবনো চাংয়েংনিংলম্মী। অদুনা মহাক্না মহাক্কী নুংশিজবা পাখংদুদা হায়রম্মী "ও নুপামচা নহাক কদায়দা চৎলিবনো?" লুখ্রাবী মচা অদুনা পাউখুম্লম্মী, "অহল ওইরবী ইমা, ঐহাক ঐগী নুংশিবী ইবেম্মদুগী য়ুমদা চৎলিবনি।" অদু ওইরবদি নহাক ঐগী ইতেং তৌবীরম্মু।" লুখ্রাবীগী মচাদুনা মহাক্কী ৱাদু য়ারদুনা আশিজোলনেংদগী থাংজৌদু লৌরগা শিংজা শমপোৎ থন্না ককপীদুনা আশিজোলনেংগী মনমদা থোংগৎপীরম্মী।

আশিজোলনেংনা খোংলৈ থুনা চৎখিদুনা মাগী ময়ুমদা ফিজোল পরপ পরপ হোংদোক্তুনা মাগী কা মনুংদা মহৌশাগুম লৈরম্মী। অমরোমদা মচিন-মনাও তরেৎমক্তুসু খুঞ্জাশিংদা হংদুনা আশিজোলনেংগী ময়ুম য়ৌরক্লম্মী। আশিজোলনেংগী মপা খুঙ্গংগীনা নিংথৌ ওইরিবা মহাক্না মখোয়গী মশক মমিং অমদি করি মরমগীদমক মাগী মনাক্তা লাকপনো হায়বনচিংবা হংখি। মচিন-মনাও তরেৎ তুনা মখোয়গী মশক তাক্লদুনা মখোয়না লাকপগী মরমদি আশিজোলনেং পীবীনবা হায়জবনি হায়খি।

তাল্লক অদুদা লুখ্রাবীগী মচাদুসু য়ৌরকখি। নিংথৌদুনা লুখ্রাবীগী মচাদুবুদি হান্ননা মশক খঙই মরমদি মহাক্তি মচানুপীগীদমক কয়ারক হন্না হান্না লাক্লম্লবনি। পাখংশিংদুদা খুঙ্গংদুগী নিংথৌনা হায়খি, "ফরে ইচাশা নখোয় ঐগী ইচানুপীগীদমক লাকপনি। অহানবা নখোয়গী থৌনা অমদি পাঙ্গল হান্না য়েঙবা তারি। ঐগী ইচানুপী আশিজোলনেংশি চাংয়েংশিদা মায় পাকপা পাখংদুদা লুহোংদুনা পীগনি। ঐগী লৌদা চৎলু অদুগা উশিংদু লোয়নমক নুমিৎ তাদ্রিঙৈদা য়াম্থৎলু।"

নিংথৌগী ৱাফমদু য়ারদুনা মচিন মনাও তরেৎ অদুনা লৌবুক মাইকৈ পাঙলকখি। লুখ্রাবীগী মচাদুদি তুমিন ফমদুনা লৈখি। নিংথৌগী লৌফমদু য়াম্না পাকচাউবনি খন্দুনা মাদি থোইনদুম পাখৎখি। নাপলগা লোয়ননা চৎখিবা মচিন মনাও তরেৎ অদুদি উ য়ানবা ঙমদ্রদুনা পোত্থাখ্রে। লুখ্রাবীগী মচাদুদি হেন্নদুম ৱারে। মতৌ করম্না মথন্তনা ঊশিংদু মথংগী নুমিত্তা য়ানগনি খনবদা মহাক্তি হেন্নদুম অৱাবা ওইখ্রে। অহিং মংলানচাদা মালংবা লাক্কুনা হায়রম্মী, "হে ইতাও নহাক ৱাগনু নঙগী থবক্কু ঐনা মতেং পাংগনি। তৌবতদি উশিংদু নহাক্না থাংফম অমমমদি থারকউ। মখাতারকপদি ঐগীনি।" মথংগী নুমিত্তা লুখ্রাবীগী মচাদুনা মালংবনা হায়বদুমক পাংথোকখি অদুগা মালংবনা অহিংদুমক্তদা উশিংদু হুমদোক্কুনা লৈমাইদা ঙম্লমক তুহনখি। অসুম তৌনা ইহান হানবা থবক্কুমদি পাংথোকখ্রে। মখাতারকপদা খুঙ্গংগী নিংথৌদুনা হঙ্গাম মরু ময়াম অমা তুন্বা অমদগী হৈদোকখি অদুগা মচানুপী হঙবা লাক্লিবা মচিন মনাওশিংদুদা নুমিৎ লৈরিঙৈদা খুনগৎনবা হায়খি। মচিন-মনাও তরেৎনা খুনগৎপা ঙমখিদ্রে, মখোয় মাইথিখ্রে। মথংগী নুমিত্তা লুখ্রাবী মচাগী মতাং লাক্লবদা মহাক্না মরুপ শান্নখিবা উচেক তেনৱাশিং লাক্কুনা মরুশিংদু লোইনমক মহাক্কীদমক খুনগৎপীরম্মী। অসুম্না মহাক মাই পাকপা ওইখি। মমৈথংদা খুঙ্গংগী নিংথৌদুনা হায়খি, " ইচাশা! ঐগী য়ুমগী থোংগান্দা অচৌবা নুংপাক অমা লৈ। নুংজাও অসি ঐগী চাকশংদা পুশিন্দুনা মদুগী মথক্তা ফমদুনা ঐহাক চাক চাবা পাম্মী। নখোয়গী মরক্তা নুংপাক্কু মফমচানা থম্বা ঙন্বা মীওইদা ইচানুপী থাজগনি।"

অহানবদা মচিন মনাও তরেৎ অদুনা কন্না হোৎনরবসু নুংপাক অদুবুদি খজিক্তং ফাওবা মফম লেংহনবা ঙমখিদ্রে। লুখ্রাবী মচাদুগী মতাং লাক্লবদা মহাক্তি থোইনদুম ৱারম্মী করম্না নুংপাক্তা থাংগৎকনি খল্লম্মী, অদুবু মহাক্কী মরুপ 'লৈচিন' লাক্তুনা মতেং পাংলম্মী। লৈচিন্না হায়খি, "ৱাগনু! নঙগী হিদাকফুদা হিদাকমনাগী ঙাস্থক থক্তুনা মৈখুনা পুম্মম মমহল্লু। মখা তারকপদদি নুং থাংবগী থবক্তু ঐহাক পাঙথোক্কে।" লুখ্রাবীদুগী মচাদুনা মহাক্কী মরুপ লৈচিননা হায়বদুমক পাংথোকখি। মহাক্না মৈখু থক্তুনা কামথোরকপা মৈখুনা মফমদু পুমকুপ কুপশিনখি। মৈখু মরক্তগী মহাক্কী মরুপ লৈচিন্না মহাক্কী শুমহৎপগী মতেংনা নুংপাক অদু হান্নগী মফমদগী চাকশং য়ৌনা থাংজিনবীখি। অমরোমদা মচিন মনাও তরেৎ অদুদি মখোয়না লৈশাবীদু ফংনবা হোৎনজবদু মাইথিরদুনা য়াল্লবা য়ু অমদি শন্দং কয়া কোংলবা মতুংদা মশাগী খুঙ্গংদা হনখি।

লুখ্রাবী মচাদুনা নাকন অমরোমদা লৈশাবীদুগী মতীক চারবা নুপা থোক্লবনিনা, নিংথৌ মচানুপী আশিজোলনেংগা অচা অথক য়ুনচিংবা য়াওনা, কুম্মৈ হরাউ কয়াগা লোইননা, খুঞ্জা পুম্নমকসু য়াওনা নুংঙাইমিন্নরগা লুহোংবগী থৌরম পাংথোকখি।

মখোয়না ময়ুম মাইকৈ পাংলকপা মতমদা আশিজোলনেংনা মহাক্কী মপুরোইবা নুংশিনজরকপা লুখ্রাবীগী মচাদুদা অসুম্না হায়খি। "পামুবা! ঐহাক অকাউবা অমা লৈরে, ঐগী ফিনুংগী ফিজোল য়ুমদা লৈহৌরে। নহাক চানবীদুনা য়ুমদা অমুক হন্দুনা ফিজোল অদু অমুক্তা লৌবীরো, ঐহাক মফমসিদা অসুম ঙাইরমগে।" লুখ্রাবী মচানা মহাক্না হায়বদু য়াদবা ঙল্লমদে। "হোয়! ঐহাক চত্তুনা নঙগী ফিজোলদু লৌরুগে" হায়রম্মী অদুগা মরকসিদা নহাক উপাল অসি কাদুনা, উপাল অসিগী মশাদা ফমদুনা মীনা ফঙলোইদবা মওংদা লৈরম্মু হায়নসু হায়খি।"

আশিজোলনেংনা পাউতাক অদু ইল্লদুনা উপাল কাখত্তুনা উশা অমদা ফমখি। উপালদু ঈচেল অমগী মনাক্তা হৌবা উ ওইরম্মী। লুখ্রাবীগী মচাদুনা মহাক্না, মহাক্কী নুংশিবীগী ফিজোল লৌবা হেক চৎখিবগা হীংচাবী

অমা ঈচেলদুদগী ঈশিং শোকপা লাকখি। আশিজোলনেংগী ফজরবা শক্তমগী মমি ঈশিংদা তাবদু উবদা হিংচাবীদুনা মহাক মশামক্কী শক্তম মমিনি খনখি। হরাউমনখিদুনা লাওখি "ঐহাকসি কয়াদা ফজখ্রবনো?" হীংচাবীদুগী মশানা মশাবু লান্না হায়জিনবা ৱাহৈশিংদু তাবদা আশিজোলনেং নোক্লিংবনা ফাথবা ঙমদনা মখোল থোক্লা হৌনা নোকথোকখি। নোকপদু তাবদুদা হিংচাবীদুনা মথক্তা য়েংখৎপদা অশিজোলনেংবু উখি।

হিংচাবীদুনা আশিজোলনেংদা চিরোল তৌশিন্দুনা খোইথুল্লবা ৱাহৈ কয়া হায়দুনা মখোয় অনী মতা শান্নশি (ওইশি) থেমখি। হীংচাবীদুনা শরৌ তৌদুনা আশিজোলনেংবু হীক কাইনশি হায়দুনা উথক্তগী কুমথরক্লবা হায়খি। অপঙবী নুপীদুনা হীংচাবীদুগী ফত্তবা শরৌদুদা থুদুনা উথক্তগী কুমথরক্তুনা মকোক্তগী হীক কায়নশি হায়বদু য়াখি। অসুম তৌনা মাগী নুপা হল্লকপা ঙাইরবদি মতম হৌখিবা খঙহৌরোই হায়না অশিজোলনেংনা খনখি। হীংচাবীদুগী শমদগী হীকপীশিংদু খুবী-খুবীমুক চাউখি অদুনা অশিজোলনেং হীক কাইবা তোকখি। অসুম্না হীংচাবীদুনা অশিজোলনেংগী শমদগী অমুক হীক কাইবা তাখি। হীংচাবীগী খুজিলশিংদু য়াম্না শাংলম্মী অমদি থৌরম্মী। আশিজোলনেংগী শমখোংদু মহাক্লা খোত্তৎপদগী ঈহিং নাহিং শারম্মী অমদি ঈ য়াম্না থোকখিবনা মহাক ৱান্থখি। ৱান্থরিঙৈ তাঞ্জা অদুদা হীংচাবীদুনা মহাকপু (আশিজোলনেংবু) লুহোংবা নুমিত্তা শেৎপা মফি-মরোল পুন্নমক লৌথোক্লবা মতুং য়াম্না কারাম্না অথুবা মওংদা চাথোকপীখি। অদুদগীদি হীংচাবীদুনা লুহোংবা নুমিৎকী নুপীগী ফিজোলদু শেৎচিল্লগা উপালদুদা কাখত্তুনা উশাদা ফম্মগা লুখ্রাবীগী মচাদুনা হল্লকপা ঙাইখি।

ফিজোল লৌরুরগা হল্লকপদা নুপাদুনা হীংচাবীদুবু মাগী নুপীনি অদুম খনখি। অদুবু মহাক্লা অসুম্না হঙখি, "আশিজোলনেং, নঙ অসুক য়াম্না মুশিল্লিবসি করিগীনো?" পামুবা! পাউখুমখি হীংচাবীদুনা, নহাক্লা ফিজোল লৌবা চৎখ্রিঙৈদা কাহৎপীরে ঐবুদি নুংশাগী মৈশানা।" "অদু ওইরবদি নহাক্কী মীৎকী পাশিংসি করিগী অসুক শাংলম্লিবা?" মখা তাখি লুখ্রাবী

মচাদুনা। "নুংশিবা, নহাক হল্লকপ্রা তোইনা-তোইনা য়েংমনবদা ঐগী মীৎকী পাশিংশিসু শাংদোকহনবিরে।" হায়না হীংচাবীদুনা খুমলকখি। অদুম ওইনমক লুখ্রাবী মচাদুনা হীংচাবীদুগী শেমজিন শাজিনবা মশা ঙাকথোকচনবা ৱাহৈশিংদুবু থাজখিদে। অহোইনদুম মহাকপু মহাক্কী (নুপাদুগী) নুংশিবী নুপী মাঙহনখিবী মীতোপ অদুনি চীংনখি। মখোয় অনী পুন্না লাকমিন্নদুনা লুখ্রাবী মচাদুগী য়ুমদা থুংলখি। হীংচাবীদুনা মশা শেংদোক্লিংই (মখোং হামগে, মনিং চংগে) হায়খি। লুখ্রাবী মচাদুনা মহাক্কী ময়ুম মনাক্কী অচীকপা মফম অমদা মহাকপু মখোং হামহনখি। মফমদুমক্তুদগী থা খরগী মনুংদা খোংদ্রুম পান্বী অমা হৌরক্তুনা অসুম অসুম চাউখৎলকখি। লুখ্রাবীগী মচাদুনা হীংচাবীদুদা খোংদ্রুম মরীদু থেংউদনবা য়াম্না কন্না হায়খি। মতমগী খোংলৈ মতুং ইন্না খোংদ্রুম পাল্লকখি। খোংদ্রুম অদু য়াম্না চেকশিন্না অরোনবা মওংদা মখোয়গী ইমুংগী (য়ুমগী) কা অমদা থমখি।

মতম খরগী তুংদদি লুখ্রাবীগী মচা অমদি মাগী নুপী ওইরবী হীংচাবীদুগা লৌবুক্তা থবক শুবা চৎখ্রিঙৈ, অশিজোলনেংনা খোংদ্রুম অদুদগী থোরক্লগা মখোয়গী চান্নবা চাক থোংদোক্তুনা থমবীরম্মী। চাক থোংবা লোইরগা আশিজোলনেংনা অমুক হন্না তুম্বা (খোংদ্রুম) মনুংদা চঙশিনখিরম্মী। লুখ্রাবী মচাদুগা হীংচাবীদুগা লৌবুক্তগী হল্লক্কবদা মখোয়না মখোয়গী চাক থোংদোকপীরম্বদু উবদা অঙকপা পোকখি। মখোয়না মখোয়গী য়ুমলোন কৈরোন্নবদা ফনা হংদুনসু কনা লাক্লম্বগে হায়বগী লঙলা লঙজিন অমত্তা ফঙখিদে। লুখ্রাবী মচাদুনা মহাক মশামক্কা থিজিল্লগে লেপখি। মথংগী নুমিৎমক্তদা মহাক্কা হীংচাবীদুবু লৌবুক্তা থাদোক্লম্লগা মহাক অসুম কোইথোরক্তুনা মহাক্কী য়ুম মনাক্তা তুমিন্না য়ৌরকখি। অদুগা ফক্লাং অহোবদগী য়ুম মনুংলোমদা য়েংখি। মহাক্কা অশিজোলনেংনা খোংদ্রুমগী তুম্বা মনুংদগী হান্নগুম য়ুমগী থবক ইনখাং তৌনবা মওংদা থোরকপদু উখি। লুখ্রাবী মচাদুনা চঙশিন্দুনা মাগী নুংশিবী নুপী আশিজোলনেংগী মখুদাং পায়খি। আশিজোলনেং কপ্ল-কপ্লদুনা মতৌ করম্না তমথিবী হীংচাবীদুনা মহাকপু চাথোকখি হায়বদু ঙম্নমক লীথোকচখি। লুখ্রাবীগী মচাদুনা মহাক্কী

থাংজৌ ফেংলদুনা মাগী শাশিন্নবী নুপী হীংচাবীদুদা লমন খুন্নবা থৌরাংখি। হীংচাবীদুনা য়ুমদা হেক হল্লকপগা মকক মকক ককথৎতুনা কোম অমদা ফুমজিনখি। অদুবু য়াম্না থুনা হীংচাবীদুগী মশা ফুমফম অদুদগী হৈনৌ পান্বী অমা হৌরকখি। মহাক্কী মপুরোইবনা হৈনৌ পান্বী মনাক্তা চঙদনবা কন্না হায়রবসু নোংমদি আশিজোলনেংনা হৈনৌ পান্বী মনাক্তা চঙলুবদা উপালদুনা মহাকপু য়োৎশিনবিখি। লুখ্রাবী মচাদুনা শাউমনখিদুনা হৈনৌ পান্বীদু য়ান্থৎখি। আশিজোলনেং উপালদুগী উক্রোং অহোবদগী থোরকখি। মখা তারকপদদি মাগী মপুরোইবনা য়ান্থৎলবা উপালদু উৎ ওইনা তুম্না মৈ থাদোকখি। অহিং তাল্লক মখোয়না তুমখুন তাল্লিঙৈ, উৎশিংদুনা পুনশিন্দুনা অচৌবা নুংপাক অমা ওনখি। অয়ুক ওইরকপদা অশিজোলনেংনা নুংপাক অদু নুংঙাইগদবা ঈরুজফমনি খন্দুনা নুংপাকথক্তুদা ঈরুজখি। থুনমক নুংপাক্তু মথন্তা চেকখাইরকখি অদুগা আশিজোলনেংবু য়োৎশিনখি। হন্দক্তি লুখ্রাবী মচাদুনা খুৎলায় কয়া শিজিন্নদুনসু নুংপাক্তু থুগাইবা ঙমখিদ্রে। অদুনা মহাক্না নুংপাক্তু মৈ থাদোকখিরম্মী। লাইবক থিবা হায়বদো থোকখিরম্মী, আশিজোলনেং নুংপাক্লুংদগী থোক্লকপা ঙমদনা মৈনা চাকথেক্তুনা মথৱায় থাখি। অৱাবগী পোলোইদুদা লুখ্রাবীগী মচাদুসু মৈনুংদা মথন্তা চোংশিন্দুনা শিজখি। হৌজিক ফাওবদা থাদৌশিংনা থাজনৈ মদুদি নুংশিনজবা মখোয় অনীগী থৱায়না শাইওন ওইদুনা থৱানমিচাকশিং লঙনা নোংথক্তা ঙাল্লি।

ৱারী লীবিরকপা	:	মাংভেং অমাং হাওকীপ
তাং	:	৮-৫-২০১৩
চহী	:	৪৯
শিনফম	:	জগোই ঈশৈ তন্বীবা
মফম	:	হাওকীপ ভেং পেলেস কম্পাউন্দ।

গালঙম

(থাদৌগী ৱারী)

'গালঙম' থাদৌশিংদা মহাক্কী মফম অসুম লৈ। মহাক্কী মথৌনা মপাঙ্গল, শাদানবা ময়ামসি থাদৌগী মশক নাইবা ৱারীশিংদা শৈথারি। কুকি লমশিংদা মহাক্কা মরী লৈনরম্বা মফমশিং শুরুংশিং, চীংদুম কয়া অমসু লৈরি। মহাক্কী ৱারী অসি মখাগী অসুম্না লিনরি।

মমাংঙৈদা সেলে কৌবা কতন অমা লৈরমই। মহাক তুম্বা চাবা, নুমিৎ চুপ্পা কোইবা লাংবা নত্তনা করিগুম্বা মখলগী থবক অমত্তা শুরমদে। মখোয়গী খুলগী খুল্লাকপগী মচানুপী অদু খ্বাইদগী মশক মতৌ হেনবী লৈশাবী ওইরমই সেলেনা মহাকপু খোইদাজরমই, অদুবু লৈশা অদুনদি সেলেবু মহাক্কী শুনিংদবা অমদি শোঞ্জুনবা মতৌদুদা পান্নমদে। অয়ুক খুদিংগী খুনগী নিংথৌগী মচানুপীদু চীংগী ঈচেলদগী ঈশিং শোকপা চৎলমই। ঈশিং শোকপা চৎনরিবা লৈশা খুদিংসু লিক্লানা মচুম তানা চোৎলমই। মরকসিদা খুনগী নিংথৌগী মচানুপীদি মফি মরোল কংনা লিক্লা মরিক অমত্তা থাংদনা হল্লকপদা সেলেদি পুমঙক ঙকখিরমই। ঙকপগী পনখৈ ফংলবা সেলেনা নোংমদি শকহেল্লবী নিংথৌগী মচানুপীদুগী ঈশিং শোকফম মনাকমত্তদা চত্তুনা মোংশোং মরক্তগী নারোন্দা য়েংলমই। পুকনোপ্তা চফু য়েপ্তুনা চংশিল্লকখিবা লৈশাবী অদুনা মফি মরোন লোইনা লৌথোক্তুনা অকংবা মফমদা থমদুনা ঈশিং শোকপা চঙশিল্লমই। মফি মরোল অমত্তা য়াওদনা ঈশিং শোক্লবা মতুংদা মফি অমুক শেৎচিন্দুনা ঈশিং চফুদু পুদুনা হনখিরমই। মহাক্কী মফি থোংদবা হকচাংদু উবদগী খোইরাংলবা সেলেনা অপাম্বনা থুমহৎখিদুনা মথংগী য়েন্দা অয়ুক্তা লৈশাবীদুনা থম্বা মফি মরোলদু লৌশিন্দুনা নারক মোংশোং মরক্তা লোৎলমই। চরৈ ফঙদ্রবদা কোইঙাওনরবা উপাই লৈত্রবী লৈশাদু মায়কৈ খুদিং কোইয়েং য়েং মপী ঈরা শিন্থনা মখোল

থোক্লা কপ্পা হৌরকখি। তাঞ্জা ফংলবা সেলেনা পুংজাদুদা নারক্তা থোক্লক্তুনা নুজাদুবু চাংয়েং তৌবা হৌরকখি। হকতিন্নসি য়ারবদি নফি নরোল পীগনি হায়খি। অতোপ্পা পাম্বে অমা লৈতদুনা নুজাদু সেলেগী অপাম্বদা শরুক য়াখি। নুমিৎ অদুদগী হৌরদুনা খুনদুগী নিংথৌগী মচানুপীদু সেলেগী অরোনবা নুপী ওইখি। অসুমনা মতম্না হৌখিবনা নুজাদু খোইজি খাদা মীহুল তম্লকখি লোয়ননা মহাক্কী মতৌদু মপানা খঙখি। মচানুপী অসি লোঞ্জা লোনথুপনরম্বা মতৌদুদা শাউবগী পনখৈ লোম্লবা মপানা, মচাদা মহাকপু মৌগী শিংদা চলহনবা তম্বদু কনানো তাক্লবা ফনা তকশিল্লবসু মচানুপীনা হায়দোকঊ শুকয়া য়াখিদ্রে। মপাগী মমাক ওইবদা মতিক চাদে খনবনা মচানুপীনা ঙম্লমক নুপাদুগী মশক্তদি লোৎখ্রে।

মতমগী খোংলৈ মতুং ইন্না মচানুপা অমা ফঙজরে। অদুবু চহী অহুম চুপ্লা মপা খঙদবা মচা ওইনা য়োক্লকখি। অঙাংদুনা চহী অহুম মপুঙ ফারক্লবদা খুনগী নিংথৌদুনা খুঙ্গংদুগী নুপা নহা খুদিংমক মহাক্কী ময়ুমদা কৌরমই অদুগা অঙাংদুবু ময়াম মরক্তুদগী মপা মশক তাক্লবা হায়রকই। ঈপন পন্দনা অঙাং অদুনা সেলেদা মখুৎ থিন্দুনা মপানি তাক্লমই। অসুম ওইরকপসিদা নিংথৌদু হেন্নদুম খোয়শাউনখিরমই। মহাক্লা সেলেগুমবা শুনিংদবা নুপা অমবু ময়ানুপা ওইনা লৌশিনবা শুকঙম ঙম্লমদে। মরম অদুনা মহাক্লা সেলে, মহাকমক্কী মচানুপী অমদি অঙাংদুবুসু খুঙ্গংদগী তন্থোকখিরমই।

সেলে মহাক্কী নুপী অমদি মচাগা লোয়ননা পন্থুংফম নাইদনা লবুক লমহাংদা কোয়না চৎলবা মতুংদা মী লৈনদ্রবা খাঙপোকশঙ অমা থেংনখি অদুগা খাঙপোকশঙ অদুদা লৈবা হৌরকখি। সেলে হান্নগুম অতনবা মী অমা ওইনা লেনবা য়ারক্ত্রে। য়ুম পুবা মী অমা ওইরবনিনা নুপী অঙাং থাক্লবা থবক কন্না শুদবা য়ারক্ত্রে। চীংদা উ-ৱা য়ান্দুনা পামলৌ উদুনা হিংনবা হোৎনবা হৌরকখিরমই। নোংমদি মানা য়াল্লম্বা উপালশিং মৈ থাদোক্লবা চৎপদা উপালশিংদু অমুক হিংগত্তুনা হৌরম্বা উবদা মহাক ঙক্লা থোকখি। ৱাফম অদু মহাক্কী নুপীদা লীখি। অহানবদদি মাগী নুপীনা মাগী ৱাদু থাজবা ঙমখিদে। মহাক্কী নুপানা লীরিবা অঙকপা থৌদোক্তু চুম্রা য়েংনবা

মহাক্কী নুপাগা মখোয়গী হুইগা লোয়ননা লৌবুক্তা লাকখি। মখোয়না উশিংদু অমুক য়াল্লগা তুহল্লবা মতুংদা মফমচানা লোত্তুনা তুমিন্না করি ওইরকপগে য়েংলকখি। অয়ুক অঙনবদা মনাক নকপা উমংদগী য়োংজাউ অমা থোরকখি মঙক্তা খোং (Drum) অমা য়ানবা য়োংজাউদুনা খোং থিন্দুনা "হৌরো" "হৌরো" লাওখি। অদুদগীদি য়াম্থৎখ্রবা উপালশিং অদু হান্নগুম্ম অমুক হৌগৎখিরমই। অঙকপসি উবদা সেলেনা মহাক্কী হুইদু থাদুনা য়োংজাউ অদু ফাননবা হোৎনহনখি। মমৈ পায়দুনা য়ানবদা কিবনা নিক্লদুনা য়োংজাউদুনা মহাকপু থাদোকপিনবা হায়জখি। থাদোকপীমল ওইনা মমল নাইদ্রবা খোংদু শিন্নগে হায়খি। হুইদুনা য়োংজাওদু থাদোক্লল্লগা খোংদু পুদুনা হল্লকখি। ময়ুম য়ৌরবদা সেলেনা খোংদুগী মতীক মগুণ মানা পান্থা পোৎ-চৈ কয়ামরুম পুথোকহন্দুনা চাংয়েং তৌখি। খোংদু থিনবদা সেলেনা অপান্থা পোৎশক খুদিংমক লোইনা ফংলমই। অসুম্না সেলে অমদি থবকশুবা মীওই নুপা নুপী কয়ামরুম অমসু লৈরমই। হায়রিবা পুম্নমক অসি মিত্রংগী খোং অদুখক্কী মপান্না ওইথোকখিবনি। হায়রিবা ময়ামসি পুল্লগা খুঙ্গং অমা হায়বদু ওইখি। সেলেনা খুঙ্গংদুগী মকোক ওইখি। নোংমদি সেলে অমদি মাগী খুঞ্জা ময়াম মরক্তা কুমহৈ অমা পাংথোক্তুনা তুরেলদা কুমদুনা ঈরোইবনচিংবা তৌদুনা ঈশিং ঈচেলদু নৈহল্লমই। সেলেবু তানথোকপিরকপা মকুবোক্কী খুঙ্গং অদু ঈচেলদুগী মখাথংবদা লৈরমই। শিজিন্নবা য়াদনা নৈরকপা ঈশিংদু উবদা মহাক্লা মী থাদুনা ঈশিং নৈরকপগী মরম থিগৎহনখি। লোয়ননা মখোয়না সেলেগী খুঙ্গংদা লান্দাখি। লানফমদুদা মাগী মকুবোক্কী মীশিংদু লোয়না শিখি। সেলেগীদি শিখিবা মীয়ামদু মাগী মিত্রংগী খোংদুগী মতেংনা হিঙ্গৎহনখি। অসুম্না মহাক লানফমদুদা মাই পাকখি। মহাক্কী মপা অমদি মপাগী মীওই পুম্নমক শিখিবদু সেলেগী নুপী অদু য়াম্না নুংঙাইরমদে মহাক্লা সেলেদা মখোয়বুসু হিঙ্গৎহনবীনবা হায়জখি। সেলেনা য়াবীদুনা মাগী নুপী মপা মহাক্কী মকুবোক অমদি মখোয়গী মীওইশিংবুসু হিংঙ্গৎহন্দুনা নাকল অনীমক শন্দাইন্দুনা হরাউ তয়াম লোইনরবা মতুংদা মশা মশাগী মাইকৈদা চৎনখি।

থৌদোকশিগী তুংওইননা সেলে লমদমদুগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা অমদি মীয়াম্না ঈকাইখুম্নবা মীশক অমা ওাইখি। মহাক শামু অঙৌবা অমা তোংনিংলমখি। মরম অদুনা উমংদা চত্তুনা অচৌবা কোম অমা তৌদুনা শামু ফানবা থৌরাং তৌখি। তাঞ্জাসিদা য়ুমলোমদগী মাগী নুপী অমদি মচা য়াম্না কন্না নাবগী পাউ লাকখিরমই। অদু ওইরবসু সেলেনা কোম তৌবগী থবক লেপ্তুনা চৎথখি। মহাক্না খল্লমই মদুদি মহাক্কী মচাদু মিত্রংগী খোনগী মতেংনা নাবা ফহনবা ঙমগনি হায়না। তাঞ্জাদুদা শামু অঙৌবদু ফাবা অসিনা হেন্না মরু ওইনা সেলেনা খল্লমই। মমৈথংদদি মহাক্কী মচা শিরে হায়বগী পাউ লাক্লমই। সেলেদু অসি ফাওবদা থৌশাদনা কোম তৌবগী থবক্তু লেপ্তুনা চৎথরমই। মমৈথংদদি শামু ফাবগী থৌরাংদু থাদোক্তুনা সেলে ময়ুম হল্লমই। মহাক্না মাগী মচাগী হকচাংদু পুমথরম্বনা মরম ওইদুনা মাগী মিত্রংগী পাঙ্গলনা হিঙ্গৎহনবা ঙমখিদে খোয়শাউনরবা সেলেনা মিত্রংগী খোনদু থুগাইরমই।

মখাতারকপদা সেলেনা মাগী মচাবু থিনবা অশি লৈবাক্তা খোঙশাল্লমই। অশি-লৈবাক্তা সেলেনা মাগী মচাগা উনরমই। মচানা হায়রম্মী মদুদি অশিলৈবাক্তগী হল্লকপা য়াররোই। অশি-লৈবাক্কী নিংথৌনা মাবু অমুক হলহল্লরোইসু হায়রমই। মখাতানা মচানা সেলেদা হায়রমই মাগী মমানা মচা অমগা অমুক পোক্কনি। অঙাংদুগী মমিংদু “খোখোন” কৌবিয়ুসু হায়খি। সেলেনা হল্লক্লবা মতুং মতম খরগী মনুংদা মাগী নুপীদু মশা ৱাই শংখিরমদে। মশক মতৌ চংখোনবা মচানুপা অমা ফঙজখি। সেলেনা অঙাংদু খোখোন হায়না মীংথোনখি। অসুম চাউখৎলকপনা অঙাংদু মশা মউ ফবা মশক-মতৌ ফজবা, মীওই মীতৌ ফজবা, মপাঙ্গল কনবা পাখং অমা ওইরকখি। তৌইগুমবসুং মহাক সু মপানা তৌখিবগুম অতনবা শুনিংদবা মী অমদি ওইখি। থবক অমত্তা শুখিদে। মপানা “খোখোন নহাক্কী নপাঙ্গলদু অরেম্বদা মাংহনগনু, শাদানবা চৎলু, ঐনা নঙোন্দা খুৎশু-খুৎলাই অমদি মিত্রংগী পাঙ্গল পীগে” হায়খি। খুৎলাই অমদি মিত্রংনা তমথিরবা উমংগী শা কয়াবু নহাক্না মাইথিবা পীবা ঙমগনিসু হায়খি। অসুম্না মচাবু মপানা মখল কয়াগী মিত্রং তন্বীখি অদুগা শাদান্নবা খুৎলাই কয়াসু পীবীখি।

খোখোন উমংদা শাদানবা লাকখি। ইহান হানবা ওইনা খোখোননা কৈ অমা থেংনখি অমসুং কৈদু হাৎনবা হোৎনখি। কৈদুনা খোখোনবু মৈগী মৈবুল ওইনা উখি। মসি সেলেগী মিত্রংগী পাঙ্গলননি। কৈদুনা খোখোনবু কীমন্দুনা মাবু কনবীনবা হায়জখি অদুগা কৈদুনা মখোয় অনী মরুপ ওইনবসু হায়জখি। কৈগী ৱাফমদু খোখোন্না য়াবিখি। থৌদোক্তুদগী হৌরদুনা খোখোন অসি "গালঙম" হায়না খঙনখি। গালঙম হায়বগী অর্থদি অথাপ্পদগী মীশোন ওইনা উরবসু অনকপদদি অকিবগী মশক ওইবা হায়বনি। গালঙম হায়বা মীং অসি নোংশানা মীওইবা (Hongsai) হায়না থোনখিবনি।

নোংশামী Loinman (Hongsai) গা লোয়ননা গালঙম শাদান্দুনা শা কয়া অমা ফাখি। কৈগা গালঙমগা মরুপ ওইজরবসু মপান্থোংগী ওইনা তৌরমই। মনুংদদি মখোয় অনী অমনা অমবু থাজনরমদে। মখোয়না হাৎপা ফাবা শা অদু মফমদুদা য়েন্থোক্লবা পাল্লমই। কৈদুনা য়েন্নবগী ৱাফমদু হৌদোকখি অদুগা গালঙমনসু য়াখি। অদুবু অদুক য়ান্বা শাশিংদু মখোয় মশা-মশাগী যুমদা করম্না পুগনি হায়বা অরুবা মতাং অমা ওইরকখি। কৈদুনা থৌরাং অমা তৌখি। থৌরাংদুগী মতুংইন্না গালঙমদা ৱাগী উতোং অনী কক্লবা কৈনা হায়খি। গালঙমনা মহাক্কী মরুপকী ৱাফমদু য়াদুনা ৱাগী উতোং অনী পুরকখি। অদুদগী কৈদুনা লাইৱা (মন্ত্র) খরা শোনখি অদুগা শাশিংদু ঙম্ন মক হঙ্গাম মরুমুক চাউবা শাশিং ওইখি। মখোয়শিংদু ৱাগী উতোং অনীদুদা হাপচিনখি। গালঙমনা শোনখিবা লাইৱাশিংদু তুমিন্না তাহৌখি। মহাকসু লাইৱাদু ফাখি। অসুম্না মখোয় অনী ময়ুমদা হন্নখি।

যুম য়ৌরবদা গালঙমনা মমাবু কৌদুনা মানা ফারকপা শাদু থম্নবা ফক অমা পুরক্লবা হায়জখি মমানা পুরকপা ফক অদুদা উতোং অদু হৈদোকখি। শা খুদিংমক হান্নগী মশাগী চাংদা অমুক হনজিন্দুনা চাউখৎলকখি। মচাগী মিত্রং হৈবা মতৌদুদা মপা মমা অনীমক য়াম্না হৱাউজখি।

নোংমসু সেলে অমসুং মচা গালঙম পুন্না লৌবুক্তা থবক শুরমই। গালঙমনা মহাক হান্না হঞ্জরমগে লন্বী নাকন্দা শিংজংখোক অমা শাদুনা থল্লমগে, শিংজংখোক্তু মপানা হল্লকপদা পায়বীরকউ হায়খি। অসি হায়দুনা

গালঙম হনখি। পুংজা খরা লৈরগা সেলে ময়ুম মাইকৈ পাংলকখি। লম্বী নাকন্দা লৈরম্বা শিংজংখোক্তু থেংনদুনা পুরকখি। শিংজংখোক্তু হেক থম্বগা, গালঙম ওইনা চোংথোরকখি গালঙমনা নোক্লদুনা "ঐহাক্নি" হায়না মপাদা ঙকহনখি। মচাগী মিত্রং হৈবা মতৌদুনা সেলে য়াম্না পেঞ্জখি।

অতোপ্পা নুমিৎ অমদা সেলেনা মচাদা মহাক পান্লৌদা হান্না চৎলম্লগে শুমাংদা তাদুনা লৈবা ৱাকক অমা মহাক্না কোন্না লাকপদা পায়রক্লবা হায়খি ঙাইহাক লৈবগা গালঙমসু ৱাকক অদু পুদুনা পান্লৌ তান্না চৎখি। ৱাকক অদু থাদবদা মপা সেলে ওইনা চোংথোরকখি। ঐনি নঙগী অপোকপা হায়দুনা মচাবু লঙনখি। অসুম্না মপা মচা অনিমক ভুৎ শান্নবা, মিত্রং ষাদুনচিংবদা হৈথোই শিংথোইবা ওইখি।

নোংমদি গালঙমদা মহাক্কী মরুপশিংনা মাগী মপাগী য়েক্লবা, মাবু মিত্রংদা মাইথিবা পীখিবা মীওই অদু লমন খুম্লবা হায়খি। ৱারী পুম্নমক খঙনবা মপাদা হংজরুগে হায়খি। মরুপ মপীজাগী ৱাশিংদু তারবদা গালঙমনা মপাদগী ৱারী খঙদোক্লবা হোৎনরকখি। থংনবা খুঙ্গংদা দোইকোংপু কৌবা মপাদগী হেন্না মীত্রং হৈবা মীওই অমা লৈরমই। সেলেনা দোইকোংপুগী মিথুন্দু পান্লবসু দোইকোংপুদগী লৌবা ঙল্লমদে। গালঙমনা দোইকোংপুদগী হেন্না মিত্রং অমদি পাঙ্গল শীজিন্নদুনা মিথুন্দু পুরক্কনি হায়না মপাদা ৱাশকলম্মী। মচাগী ৱাশক্তু সেলে য়াম্না পেনখিরমই।

গালঙমনা দোইকোংপুগী খুঙ্গংদা চত্তুনা দোইকোংপুগী ময়ুমদা থুংখি। দোইকোংপুনা গালঙমবু ইচম-চম্বা মীথুং ওইনা তরাম্না ওকখি। গালঙমনা মচি মরি লোংবা মিথুন্দু য়েংনা য়েংনা চাক চাবা ফমথরম্মী অদুগা দোইকোংপুনা উদ্রিভৈঁদা মানা চাগদবা চাক অদুদা মন্ত্র শোনজিনখি। মিত্রংগী শৈরেং থিদুনা শেমজিল্লবা চাক অদু চারুবদগী দোইকোংপু ৱান্থখি। অসুম্না মহাক্না ৱান্থরিভৈঁদা গালঙমনা মিথুন অদু থৌরি হুক্তোক্তুনা মাগী খুঙ্গং তান্না পুদুনা চৎখি। দোইকোংপুনা মমিৎ মনা শিংলকপদা থোকখিবা থৌদোক্তু খঙখি। অদুগা গালঙম অমদি মিথুন অনীমক থিবা থোরকখি। গালঙম মাগী য়ুমগী লম্বীদা লৈবা তুরেল অমা লান্থোক্লবা মিথুন অদুদা তোংদুনা

চৎলিঙৈদা তুরেল ৱাংমদগী দোইকোংপু চেন্না-চেন্না লাকখি অদুগা গালঙম্বু চৈখি (শাপ তৌখি)। শাপ অদুনা মরম ওইদুনা গালঙম মমিৎ উখিদে অদুগা মাগী খুৎ অদুসু মিথুন পুনবা থৌরিদুনা নপশিনখি। গালঙমনসু দোইকোংপুবু শাপ তৌখি। শাপ অদুগী মহৈ ওইনা দোইকোংপুগী মখোংদুসু মানা লেপ্পা নুংপাক্কুদা নপশিনখি। মমৈদা মখোয় অনীমক য়ানবা পুরক্কুনা শাপ অনীমক হন্দোকখি। অদুম ওইনমক গালঙমনা মাইপাকপা হায়বদু ওইরবনিনা মিথুন অদু মানা ওইনা পুরক্কুনা মপাদা কৎখি। মপা সেলে পুমপেন পেনখি।

গালঙম অসি খুঙ্গংদুগী খ্বাইদগী ইকাইখুম্নবা মী ওইখি অদুগা খ্বাইদগী মশক মতৌ ফজবা নুপী লুহোংদুনা মাগী নুপী ওইখি। নাকল অমরোমদা দোইকোংপুদি গালঙমগী মখুত্তা মাইথিবা নংবদা য়াম্না নুংঙাইরমখিদে। লমন খুম্নবা থৌরাং তৌবা হৌরকখি। নীংথিনা য়াৎথোক্লবা থৌরাং অমগী মখাদা দোইকোংপুনা মাগী মশক ফজবী মচানুপী অমবু গালঙমগী নুপী ওইনবা থাখি। গালঙম মশাগী হান্নগী নুপী অমা লৈজরবসু দোইকোংপুগী মচানুপীগী মশক মতৌদুদা ঙাওখি। অদুগা দোইকোংপুগী মচানুপীদু মহাক্কী অনীশুবা নুপী ওইখি। অনীশুবা নুপী অদুনা মাগী মশক মতৌ অমদি হৈথোই শিংথোইবা মতৌনা গালঙমবু পুমশুম শুমহৎখি। মাগী মপাগী থৌরাং মতুং ইন্না, মহাক নাবা শাশিন্নখি। গালঙমনা লমওক অমা হাৎলগা লাইথৌ তিনথৌ (Ritual) গা লোয়ননা কৎলবদি মহাক নাবা ফগনি হায়নসু হায়খি।গালঙমনা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লরসু মাগী নুপীগী অপাম্বদু পাংথোক্কনি ৱাশকখি। লমওকশিং অসি অশোংবদা থোকফম মখুন কয়া অমা হাপ্তুনা মকোন শাই। শাদানবা খরনা লমওক মকোন অসি কোইশিল্লবসু মখুন অমদগী হেক্তা থোরক্কুনা শাদানবদুবু হাৎনবা খুদোং চাবা লৌই। অসিগুম্বা খুদোংথিবা কয়ামরুম লৈরবসু লমওক ফাগনি খনখি। মাগী অনীশুবা নুপীগীদমক কৎকনি লেপখি।

মাগী অনীশুবা নুপীগীদমক শাদান্নবা য়ুম থাদোক্লমদাইদা নুপী অদুনা শাদানবা চৎকদবা হুইশিং অদুবু লোন্না লৌতুনবা হোৎনখি। অসুম্না মাগী ফত্ত খুজিল অদু পাংথোকপা হৌরকখি। অহাওবা শাগী ইনশাং অমা থোংদুনা

মদু উহল্লগা হুইশিংদুদা হায়খি মদুদি নখোয়না শাদানবদা শরুক য়ারোই হায়রবদি ঈনশাংশি পীজগনি নৎত্রবদি নখোয় অহাওবা শা থোংবসি চাবা ফঙলোই। নখোয় গালঙমনা লমওক ফাবদা মতেং তৌবা য়ারোই হায়না কীহল্লমই। অসুম্না গালঙমগা চৎমিন্নরবসু লমওক ফাবদা মাগী মতেং তৌরোই হায়না হুইশিংদুনা ৱাশকখি। হুইশিং অদুনা অসুম্না য়াবগী মরমদি মখোয়দি চাক য়াম্না লাল্লমই। অসুম্না অহাওবা শা থোংবদু হুইশিংদুনা চারমই। অদুবু "তাংসি" কৌবা অপীকপা হুই অমদি য়াম্না হায়বা ইনবা ওইবনা তুমিন্না লৈরমই। মহাক য়াম্না লাল্লবসু অহাওবা য়েনশাংদু চারমদে। অসুম্না গালঙম অমদি মাগী হুইশিং শাদান্নবগীদমক উমং তম্না খোংশাল্লমই। কুইনা থিরবা মতুংদা লমওক্কী মকোন অমা থেংনরমই। মহাক্না হুইশিংদুবু খোংদুনা লমওকতুবু মকোন্দগী তাম্থোক্লবা য়াথং তৌরমই। তাংসি নত্তবা অতৈ হুই পুম্বদি তুমিন্না লৈরমই খোংলমদে, চেনখিরমই। মমৈদদি লমওক অদু মকোন্দগী থোরক্কুনা গালঙম তম্না হোৎচিন্দুনা য়ৈনরমই। গালঙমসু অঙম্বা মপাঙ্গল পুথোক্কুনা লমওক্কুগা ফুনরমই। তাংসিদি (হুই) মপুগী মনাক্তা লৈদুনা মাগী মতেং পাংলমই। অদবু ওন্থোকপনি ! মমৈদদি গালঙমদু লমওক্লা লাকশিনখ্রে, লৈমাইদা হাইথুখ্রে। মীকুপ্তুদা লমওক্কুনা গালঙমগী মথবাক্তা ৱাইদুনা শোকহল্লগা চেনখিরমই। গালঙম য়াম্না থিনা শোক্লমই। মহাক লেপ্তুনা ঈ-থোক্লমই মাগী হিংবগী মপাঙ্গল তপ্না-তপ্না হন্থরক্লমই। গালগমনা মাগী নুংশিরবা হুইদুদা হায়রমই "তাংসি ঐ শিবা শোইদ্রবনি, হুই নুপী, দাইকোংপুগী মচানুপী অদু য়াম্না ফত্তবা নুপীনি। নঙ মহাকপু য়ুমদা হল্লগা হাৎকদবনি। অদুগা মাগী থিরিন অমদি চাকখাওদু চিংথোক্লক্কদবনি অদুগা নঙনা চাথোক্কদবনি। অদুবু মাগী থম্মোয় অমদি ফিরাকপুদি ঐগীদমক খাকউ।" অসি হায়রম্লগা গালঙম মাগী অরোইবা নুংশা শ্বর হোনখি। পাম্বৈ লৈত্রবা হুই মচাদুনা কুইনা কপ্পমখৈ কপ্লগা মাগী মপুগী অশিবা হকচাংদু লৈপাক্লা কুপশিল্লম্লগা ময়ুমদা হল্লকখি। মাগী মপুনা শিন্নরকখিবা থবক অদু পাংথোক্লবা হোৎনখি। লম্বীদা তাংসিনা দাইকোংপুগী মচানুপীদুনা মিথুন পুদুনা মপামদা চৎনবা থোরকপা থেংনখি। তাংসিনা

শুবাইকেনু (তমথিবা নুপী) দুবু মাগী চরমদা চিকথত্তুনা হাত্তোকখি। মিথুন অদুবুসু মানা হক্কী ঈশিং চাইশিন্দুনা মমিৎ উহন্দ্রবা মতুংদা হাত্তোকখি। তাংসিনা মিথুন্দুগী মনুংশাদু চিংথোক্তুনা শাদুম খরা চারবা মতুংদা মহাক্না মিথুনগী থম্মোয় অমদি ফিরাক অদু উ মনা অমদা হাপ্লগা মাগী শিখ্রবা মপুগী থৱায়গী মফমদা কৎখি। মতুং তারকপদা তাংসি মপু য়াওদ্রবা হুই ওইনা উমং ৱামংদা কোইচৎ চৎখি। মমৈদা অঙাওবা হুই ওইখি।

হৌজিক ফাওবদসু কনাগুম্বনা শা হাৎলবদি ফিরাক অমদি থম্মোয়দি গালঙমগীদমক খাকই। (অসুম্না গালঙম হায়বা অসি থদৌশিংগী মশক নাইবা অকন-অথৌনি শিংথানৈ।)

ৱারী লীবিরকপা	:	মাংভেং অমাং হাওকীপ
তাং	:	৮-৫-২০১৩
চহী	:	৪৯
শিনফম	:	জগোই ঈশৈ তন্বীবা
মফম	:	হাওকীপ ভেং পেলেস কম্পাউন্দ।

খুপতিংলে ঙন্বোম (খুপতিং অমসুং ঙন্বোম)

(থাদৌগী ৱারী)

য়াম্না কুইরবগী ৱানি, খুঙ্গং অমদা ঙন্বোম কৌবা নহা অমা লৈরম্মী। খুঙ্গংদুমক্তদা মশক মতৌ নিংথিবী খুপতিং কৌবী নুপী মচা অমসু লৈরম্মী। খুপতিংগী মমা ঙন্না নোঙ্গাখি অদুনা খুপতিংদি পু-পাং শুদবী হায়বদো ওইখি। মহাক্কী মপা অমুক হন্না লুহোংদুনা অতোনবী নুপীদগী মচানুপী অমসু ফংজখি। নুপী মচাদুসু অদুম অদুম চাউরকখি। অদুবু মঙোন্দগীদি মচে খুপতিংনা হেন্না মশক ফজরম্মী। মতমগী খোংলৈ মতুংইন্না মখোয় অনীমক থাজ য়োঞ্জবা মতম য়ৌরকখি। ঙন্বোম খুঙ্গংদুগী খ্বাইদগী মতিক চাবা পাখং হায়বদো ওইখি। মহাক্না খুপতিংবু অদুক্কী মতিক নুংশিজখি অদুবু মহাক্কী মমা অতোম্বী অদুনদি মখোয় অনীগী লুহোংবা অদু অয়েৎপা পীখি। মরমদি মমা অতোম্বীদুনদি মহাকমক্কী মচানুপীবু ঙন্বোমদা পীবা পামখি। মসিগী মহৈ ওইনা খুপতিং অমদি ঙন্বোম মমা-মপাগী অয়াবা য়াওদবনা লুহোংবদি ঙমখিদ্রে। অদুবু মখোয় অনী কায়নবদি ঙমদবনিনা, মখোয় অনী য়ুম থাদোক্লুনা চেনখি। মফম অমদা য়ুম্বানমিনন্দুনা মতৈ মনাও ওইনা লৈমিন্নখি। অদুম ওইনমক খুপতিংদি ঙসি ফাওবদা হায়বা ইনবী লাঞ্জদবী, ফত্তবা থবক তৌদবী ওইবনা মপুক্লিংদা মরাল লৈবগী নুংঙাইতবা মতৌ তত্তনা ফাওরম্মী। লৈপুন ওইবগী হরাও নুংঙাইফম থোকপা পুম্নমক মহাক মশানা ফঙজদুনা নুংঙাইথোকপা ঙল্লমদে। অদুবু মহাক্তি মহাক্কী নুংগী ৱাখল অদু মহাক্কী মপুরোইবদা হায়দোকচবগী মপাঙ্গল লৈজরমদে। নোংম-নোংমগী অসুম অসুম মশা শোঞ্জিল্লক্লম্মী অমদি চাক ঈশিং অমত্তা চাবা ঙমদবা মতম য়ৌশিল্লকখি। অসুম্না মহাক অরোইবা মঙম তানখি। মহাক্কী অরোয়বা পুংজাদদি মহাক মপামদা লৈদুনা পুন্সি লোমখি। ঙন্বোমনা খুপতিং লৈখিদবদা য়াম্না থম্মোয় শোক্না তেংথাখি। মহাক শ্নানি, চাগনি,

থক্কনি কাওদুনা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী অশোংবা উমং নারক মোংশোং, অহাংবা লমপাক শিনবা থুংনা খুপতিংগী থৱাইবু থিবা হৌখিরম্মী। মহাক্লা উমং-ৱামং অমদি লৌবুক-লমহাংদা কোইচৎ চৎপদা তৌদ্রি খোংদুনা চৎলম্মী।

খুপতিংগী পোক্তবী মমানা ঙম্বোমদা মহাক্কী মচানুপী পীনিংবগী ৱাখল থাদোক্লমদে। মখোয়না ঙম্বোম্সু মখোয়গী পাল্লৌ ময়াইদা হৌবা খোংনাং পাম্বী অচৌবদু মশা থাদোক্লবা কৌরম্মী। নুমিত্তু মখোয়না মচানুপী মথন্তা পাল্লৌদা থারম্মী। মহাক্লা ঙম্বোমগীদমক খ্বাইদগী হাওবা মথেল মরাং ময়ামগা লোয়ননা অখন্নবা পুকয়ুসু শেম-শাদুনা মচানুপীনা শমদা পুহল্লম্মী। ঙম্বোম্না উজাও অদু অথৌবা শিংজং অমা পুখত্তুনা কাখিরম্মী। মহাক্লা মহাক্কী থবক্তু হেক লোইবগা উশাথক্তা ফমদুনা কুমথদনা মাগী তৌদ্রি খোংবা হৌরম্মী। মহাক্লা য়েংলু-য়েংলুবা মাইকৈ খুদিংদা খুপতিংগী শক্তমতবু মমি শামি উখিরম্মী। মহাক কনা লৈজদ্রবগুম্বা খনখি। খুপতিংবু নুংশিজবনা থুমহৎখি। মহাক্লা অসুম তৌদ্রি খোংদুনা লৈখি। ঙংলিবা খোইমুদুবু মহাক্কী লৈখিদ্রবী খুপতিংগী থৱায়নি খনখিবনা নুমিৎ চুপ্পা খোইদুগা লোয়ননা লৈখি। মহাক্কী অচা-অথক কয়াগা লোয়ননা মহাকপু উখাদা ঙাইজরিবী নুপীমচাদুবুসু পুমকাউ কাউখি। নুপীমচাদুনদি হঞ্জিন-হঞ্জিন চাক ঈশিং চানবা হায়জখিবনি। মমৈদদি নুমিৎ তারদুনা য়ুম হনবা মতম ওইরকখি। মহাক্লা উদগী কুমথরক্লবদা নুপীমচাদুনা অচা অথক খরা চানবা হায়জরবসু য়াখিদে চাক চাখোম অমা ফাওবা চাদনা অসুম ময়ুম মাইকৈ পাংখি।

নুপী মচাদু ইকাই নুংশি য়ান্নখি, খোয়শাওনখি। ময়ুম হেক য়ৌবগা মহাক অচা অথক্কী শমপোৎ অদু লৈমাইদা থাদরগা কপখি। পুরুরিবা চাক অমসুং য়ু অদুবু য়েংলগা -"নংগী চাক ইকাইবা নংহনবা চাক, নংগী য়ু, ইকাইপীবা য়ু" হায়দুনা নুপী মচাদুনা কপঙাং ঙাংখি। খুপতিংনা লৈখিদবা মতমদা ঙম্বোম্না খুপতিংগী খুজিলশিংদু ককথত্তুনা মাগী লৈকোন্দা ফুমজিনখিবনি। ফুমজিনখিবা খুজিলশিংদু ময়োল চোংদুনা ফজরবা লৈরাং ওইনা শাৎলকখি নুংতিগী অয়ুক্তা ঙম্বোম্না লৈশিংদু য়েংজখি। অদুবু য়ামদ্রবদা

লৈনা অমা অনীদি হেক্তা য়াওরমদবা থেংনখি। কনানা হেকখিৱবনো খঙবা ঙমলমদে। মমৈদদি মহাক অহিং মিংশেল খাঙদুনা য়েংলম্মী। অহিং নোংয়াইমক্তদা লমহৌদোং অমা তুমিন্না হুরান লান্নাদা লাক্কুনা লৈ হেক্লম্মী। ঙম্বোম্না হৌদোংদু কোইতান তান্নদুনা ফারম্মী। "ঐগী লৈ হুরানবা নঙ কনানো? করিগী হুরাল্লিবনো ?" শাউনা লাউখি ঙম্বোম্না হৌদোংবু চাথোক্লগে মতাঙ্গম। "ঐবু ফাবিগনু, ঐনা তৌরিবসে ঐ ইশাগী নত্তে" ইংনা খুমখি হৌদোংদুনা। শাউরপ্পা হংখি " নঙ কনানা থারকপনো?" "ইবেম্মা খুপতিংনা থারকপনি " খুমখি হৌদোংদুনা। "ও! অদু ওইরবদি ঐসু নঙগা লোয়ননা চৎকনি " হায়খি তপ্লপ্পা ঙম্বোম্না। হৌদোংদুনা হায়খি "নহাক লাকপা য়ারোই অহিংবা মীগী ওইনদি লম্বী অদু য়াম্না তমথিবা অমদি খুদোংথিনিংঙাই ওই।" "নঙনা চৎপদা ঙল্লবদি ঐদি করিগী ঙল্লোই, ঐহাক নমৈ পায়দুনা য়ান্নগনি" তকশিল্লম্মী ঙম্বোম্না। "অদু ওইরবদি নহাক চাংয়েংজরো" হায়খি হৌদোংদুনা অসুম্না মখোয় অনী অশি লৈবাক্কী খোঙচৎতু চৎপা হৌখি।

লম্বী অদু তশেংনমক য়াম্না লুবা লম্বী ওইখি। মখোয়না চীংদোল কয়া, খুর-খুরবা লম্বী কয়া চীংজাও মরক্তা লানবা তাখি। মমৈদা মখোয় অশি খুঙ্গং অদুদা য়ৌবা ঙমখি। খুঙ্গংদুগী চিদাইদা মীয়াম অমা উ কক্কুনা লৈবা থেংনখি উয়াম অদু করিগী কক্লিবনো ঙম্বোম্না হংখি। মখোয়না কক্লিবা উশিংদু খুপতিংগী য়ুমগী য়ুম্বী ওইনবনি খুমখি। ঙম্বোমগীদমক্তদি উ ককপগী থবক অদু য়াম্না লাইনা থোক্লম্মী অদুনা মহাক মখুৎমক্না ইৰা-ৰাদনা উশিংদু কক্লম্মী। মখোয় ময়াম্না ঙাম্বোমগী মপাঙ্গলদুবু থাগৎনখি। ঙম্বোমনা খুঙ্গংদু য়ৌবদা খুপতিংগী য়ুমদা থুংখি। খুঙ্গংগী মীওই পুম্নমক ময়াম পুন্না শুমিন্নদুনা নিংতিগী থবক চিন্না লৈরম্মী। নোংমদি খুঙ্গংগী পাউ লাউবনা লাউথোকখি মদুদি ময়াম পুম্নমক শওম অচৌবা ফাৰা চৎকদবনি। মখোয় পুম্নমক থাংজৌ, তা নচিংবা পায়দুনা থোরকখি। ঙম্বোমসু মখোয়গী মরক্তা য়াওখি। মখোয় ময়ামদি শওমগী অকোয়বদা কোইশিনখি, খরনা তানশিনখি, খরনা হিপ্পগা ঙাইখি। ঙম্বোমদি শওম লৈবগী শানিল অমত্তা

ফঙখিদে। মহাক্না হঙ্গৎহন্দা চৎপদা, মতু চোম্বা তিনখাক অমদা নেৎশিনখিরম্মী। খুদক্তুদা মখোয় ময়াম্না ঙম্বোম্না শওম অচৌবদু হাৎতোকখ্রে লাউনরকখি। মখোয় শাদানবদা মায় পাকপা ওইখি। মখোয়না পুবা য়াবমখৈ পুদুনা চৎখি। মথংগী নুমিত্তসু পাউজেনবদুনা ময়াম পুন্নমক ঙা ফাবা চৎনবা লাউথোককখি। অয়ুক্কী চাকলেন চারদুনা মখোয় ঙা ফাবা হৌনরকখি। ঙম্বোম্না ঙক্না থোকখি মদুদি মখোয় ময়াম তুরেলদা চৎপগী মহুত্তা ৱাগী ৱামং উমং অমদা চৎখি। মফমদুদা, মখোয়না উনা খুনবা হৌরকখি। ঙম্বোম তৌফম খঙলমদে, ঙাদি লাইরদনা তুরেলফাওবা থেংনখিদে। অদুম ওইনমক, মহাকসু ৱাগী ৱানা খরা থৎলগা শমগী মনিং মেন্নবা হাপ্লকখি। কোইচৎ চত্তুনা লেনখি। নুমিৎ তাশিল্লক্লবদা ময়াম পুন্নমক য়ুম চৎনবা থৌরাং তৌরকখি। মখোয় পুন্না ফম্মিন্নরগা য়ুমদা হন্নবা মওং মতৌ খন্নখি। খরনা হায় "খুকউ না চৎশি", খরনা হায় "খোঙনা চৎশি", "অপাইবা তিলগুম পাইদুনা চৎশি" ঙম্বোমদি মখোয়না হায়নরিবদু খঙদবনা অসুম্না হায়দোকখি "খুকউ না চৎলবসু হয়িং লাবদৌনা চৎলবসু ঐগীদি অয়েৎপা লৈতে।" অদুনা ময়াম পুন্নমক্না তন্দন লাবদৌনা চোংলগা চৎপদা য়ানখি। মীৎনা কুপ্পদা মখোয় পুন্নমক তন্দন ওন্দুনা পাইবা হৌখি। ঙম্বোমদি মথন্ত ঙাইহৌরম্মী। চৎকদবা মাইকৈ খঙলমদে অহিংচুপ্পা কোইমা মারবা মতুংদা মমৈদা য়ুম য়ৌখি।

খুপতিংনা মহাকপু অহিং চুপ্পা খৌরাংনা ঙাইখি। ঙম্বোমদি নুমিত্তুগী থৌদোকশিংদু অরেম্বা ঙাক্তা ওইখি হায়বদু তম্লীংবনা য়াম্না খোয়রাংলম্মী। ঙা ফাবদি লাইরদনা তুরেলফাওবা উরক্তে হায়নিংখি। অদুম ওইনমক খুপতিংনা মাগী শম অদু য়েংলগা লাউরকখি,"আহ ! নঙদি করিমত্তা কান্নরক্তে হায় অদুগা নঙদি চরা ফানবা ঙা চপ চানা পুরক্লিবসিদি "। অসি হায়রদুনা শম মনিংগী ৱাগী মনাশিংদু লৌখৎলম্মী। মহাক্না ৱানাশিংদু মৈদা লৌরম্মী অদুগা ঙা অরৌবা ওইনা ফঙখি। অদুবু ঙম্বোম্না থবক্তুমক তৌনবা হোৎনবদদি মৈনা লোয়না চাকথোকখিরম্মী। ঙম্বোম্না ৱাকৎলম্মী মহাক মথন্ত হল্লকপা তাখি মহাক্কী লোইনবশিংদুনা মহাক্কী করিমত্তা খনবিখিদে।

মহাক্না অসুম্না হায়রম্মী মদুদি তন্দন ময়াম অমসু থেংনখি। তন্দনশিংদুগী মরক্তা খরদি মঙোন্দা অয়েৎপা পীখি অদুগা মখোয় অমমমতা ওইনা মখুৎনা কন্থখি। "ও ! মখোয়শিংদু নঙগা লোয়ননা চৎখিবশিংদুনি, মখোয় খরদি শিরম্মনিদো" অসি হায়দুনা খুপতিংনা কপখি।

খুপতিংনা অসুম্না খল্লম্মী মদুদি, হকচাং পোলাং অমদি থৱায় কৈদৌনুংদা পুন্না লৈমিনবা য়ারোই। অদুনা মহাক্না ঙন্বোমদা অসুম্না হায়খি "ঐখোয় অনী নুংশিনজরবসু অমদি পুন্না য়ুম্বান্দুনা লৈমিন্নবা পাল্লবসু তোঙান তোঙানবা তাইবংদা লৈবনা লৈপুনগী নুংঙাইবদুদি ফংবা ঙম্লোই। নহাক্না ঐবু তশেংনা নুংশিরবদি, নহাক নঙগী ওইবা তাইবংদা হনখরো নঙনা নয়ুম য়ৌরগা শেন্দ্রাং অনী হাৎতোকউ। শেন্দ্রাংশিংদু মৈদা লৌথোক্লবা মতুংদা য়োৎচৈ অমনা লেঙলগা য়োৎকী মচিন অতুম্বদুনা লৈমায়দা ওল্লগা য়ুমথক্তা কোন্নপ্না য়ান্দুনা থম্মু। অদুগা নহাক্না লৈমায়দা হিপ্তুনা লৈয়ু। য়েন চঙলকপা য়াননবা থোঙ হাংদুনা থম্মু।" ঙন্বোমদি ময়ুম হন্নিংদনা হনবা তাখি অদুগা হায়রকপা পুন্নমক থবক ওইনা পাংথোকখি। য়েনবীদুনা য়াল্লিবা শেন্দ্রাংদু উবদা পাইখৎখি। অদুগা য়োৎচৈদু য়ুংনা তারক্তুনা ঙন্বোমগী থম্মোয়দা ফাওনা লেংখি। ঙন্বোমসু অসিবখক্কী খুঙ্গংদুদা চৎখি। মহাক্না খুপতিংগী য়ুম য়ৌবগা ঙক্লদুনা লাউখি "কয়াদা ফরবা য়ুম্বীনা শারিবা য়ুমনো, কয়াদা ফরবা উপাক ঙাক্তগী য়ুমনো ! কনানা হাৎপা শওমগী মকোকশিংনো নঙগী থোংবাশিংদা য়াল্লিবশিংসে?" "নহাক্না হান্না লাক্লম্বদুদা তৌরম্বা ঙাক্তনি" ইংনা পাউখুমখি খুপতিংনা।

ৱারী লীবিরকপা	:	মাংভেং অমাং হাওকীপ
তাং	:	৮-৫-২০১৩
চহী	:	৪৯
শিনফম	:	জগোই ঈশৈ তন্বীবা
মফম	:	হাওকীপ ভেং পেলেস কম্পাউন।

চেমতাওপা (থাংজৌ ফেংবা)

(থাদৌগী ৱারী)

থাংজৌ ফেংবানা থাং ফেংলিৱৈদা, ঙাচিং (crawfish) লাক্লম্মী অদুগা থেংজিল্লম্মী। থাংফেংবদুনা ৱা মতোন অমা ককথৎলগা মতোন তুমহল্লম্মী অদুগা মতোন্দুনা লময়েন (Junglefowl - Chanai) অমগী খজাইদা থিন্দৎলম্মী। লময়েন অদুনা খোংলৈ থুনা চেনবদা ককচেং অঙাংবা অমা চেল্লম্মী অদুদা খোয়শাওনরবা ককচেং অঙাংবদুনা অখং-অরাক ওইনা চেনদুনা লমওক অমগী অথিফমদা চীক্লম্মী। লমওক অদুসু নামনখ্রদুনা চেনবদা লফু পান্বী অমা ইন্থুরম্মী। লফু পান্বী অদু ইন্থুবদা লফুদুদা মকোন শাজবা শেকপী অমা পাইথোকহল্লম্মী। অসুম্না পাইথোকখিবা শেকপীদুনা শামুগী মনাকোংদা থেংজিল্লম্মী। হৈনদবনা খোইশাউনরবা শামু অদুনা লুখ্রাবীদুগী য়ুম ইন্থুরম্মী। হে শামু নংনা ঐগী য়ুম ইন্থুরিবা করিগীনো? "ঐগী নাকোংদা শেকপী পাইশিল্লম্মী।" শেকপী নংদি করিগী শামুগী মনাকোংদা পাইশিল্লুরি ? ঐগী মকোলদি লমওক্না ইন্থুখ্রে। লমওক নঙদি করিগী শেকপী মকোন ইন্থুরিবা ? ঐগী অথিফমদা ককচেং অঙাংবনা চিকথৎলম্মী অদুননি। ককচেং নংদি করিগী চিকলুরি? লময়েন্না ককচেং ঐঙোন্দা খোৎতলম্মী। লময়েন নঙদি করিগী ককচেং খোৎতৎলুরি ? ৱাতোন্না ঐগী খজাইদা থিন্দৎলম্মী। ৱাতোন নঙদি করিগী মীগী খজাইদা থিন্দৎলুরি। থাংফেংবনা ঐগী মতোন ককথৎলম্মী। থাংফেংবা নঙদি করিগী ৱাতোন ককথৎলুরি ? ঙাচিংনা ঐবু মখারোমদগী ৱাইরক্লম্মী। ঙাচিং নঙদি করিগী থাংফেংবদা থিন্দৎলুরি? ঙাচিং অদু করি হায়গদবনো খঙলমদে। মৈদা ঐবু লৌরগা করিমত্তা কান্নবা ফঙলোই ঐবু পুখ্রি

অরব্বা অমদা থাদরবদি ঐগী মচু অসি পুমঙাং ঙাংগনি অদুনা পুখ্রিদুদা চোংথখিরম্মী। মানা লৈরিবা পুখ্রি অদু যাম্না লুই। পুখ্রিদুদা মহাক অদুম লৈখ্রে।

ৱারী লীবিরকপা : মাংভেং অমাং হাওকীপ
তাং : ৮-৫-২০১৩
চহী : ৪৯
শীনফম : জগোই ঈশৈ তম্বীবা
মফম : হাওকীপ ভেং পেলেস কম্পাউন।

লুংতুন মেথানু
(চোথেগী ৱারী)

মথায় থায়না মমাংঙৈদা লুংতুন মেথানু কৌবী মশক মতৌ য়াম্না ফজবী অনাল নিঙোল অমা লৈরম্মী। মহাক মশক ফজবদা খুল অদুতা নত্তনা অতোপ্পা খুলশিংদসু মমিং চৎলম্মী। মখোয়গী খুল অদুগী পাখং পূম্নমক্না মাবু পামদবা অমতা য়াওরমদে। নুমিৎ খুদিংগী মহাকপু পামজবা নুপা কয়া মাবু কোয়বা লাক্লম্মী। অদুবু মহাক্না মিৎচিনা ফাওবা হন্না য়েংলমদে। মাগী ফি শাফম থোকপা শাদুনা অদুম লৈরম্মী। খুল অদুগী অহল লমন নুপী অঙাং পূম্নমক্না লুংতুন মেথানুদি মাবু কোয়বা লাকপা পাখংশিংদা মিৎচিনা ফাওবা হন্না য়েংদবনি হায়না ৱারী লীনরম্মী।

য়াংঙী অমসুং শন্দেহোই হায়বা মরুপ অনী অসি মশক ফজবা অমসুং কনথৌবদা চোথেদা মমিং চৎপা পাখংশিংনি। মখোয় অনীনা লুংতুন মেথানুগী ৱারী তারদুনা, "মরুপ কয়াম্মুক ফজবা জাৎনো মাবু কোয়বা লাকপা মীশিংদু ফিদা ফাওবা থাদে হায় ঐখোয় অনী য়েংথোক্লসি" হায়না হায়নরম্মী। মখোয় অনীনা লুংতুন মেথানুনা পামগদ্রা পাল্লোইদ্রা হায়না খুলৌ য়েংনরম্মী। খুলৌ য়েংবদা মায় পাক্কনি হায়বদগী কেবা য়াবা কেদুনা শমহাৎনচিংবসু শেম্নরম্মী। অমনা অমগী অশোয়বসু শেম্নরম্মী। মশা-মশানা মশাগী শকফমদি উনদবনিনা ষণ খোঙ্গুলগী ঈশিংদা মশা-মশাগী মমি য়েংনরম্মী অদুগা ইতাউ নঙোন্দা ওইনা য়ারক্কনি হায়না য়াংঙীনা শন্দেহোইদা হায়। শন্দেহোইনা ইতাও নঙগী চৎকদবা থবকনি, ঐঙোন্দগী নঙনা ফজবা হেল্লি নঙোন্দা অদুম য়ারক্কনি হায়না হায়নদুনা লাকপনা লুংতুন মেথানুগী খুল য়ৌরক্লম্মী।

মখোয় অনীনা লুংতুন মেথানুগী খুল হেক য়ৌবদা অঙাংশিংদা মখোয়গী য়ুমদু (লুংতুন মেথানুগী) নামুংবা লৈব্রা হায়না হংলম্মী।

নামুংবা লৈরবদি অফবা থবক তৌনরমদে, চংনরমদে। মখোয়গী চৎনবীদা য়েন মচা কোকলবসু কোকইবা ইমুংদু নামুংলম্মী। ওক মচা পোক্লবসু, ষণ মচা পোক্লবসু নামুংই। য়েন মচা কোকই মখোয়গী ইমুংদি নামুংই হায়না অঙাংশিংদুনা খুল্লম্মী। অদুদগী মখোয় অনী চংলমদনা ময়ুমদা হল্লক্লম্মী। মখোয় অনিনা খরা লৈরগা অমুক চৎলি ওক মচা পোকই নামুংবা লৈ হায়। মথং অমুক চৎলি ষণ মচা পোকই নামুংবা লৈ হায়না চংদনা অসুম হল্লকপদগী নোংমদি চান্নরুদুনা নামুংবা লৈতে, হায়বদগী মখোয় অনী লুংতুন মেথানুগী য়ুমদা চংলম্মী। তাঞ্জাদুদা লুংতুন মেথানু মাঙ্গোলদা ফী শাদুনা লৈরম্মী। মখোয় অনীনা থোঙ্গাল হেক চংলকপদা নোকফেৎ তৌরম্মী। মখোয় অনী লুংতুন মেথানুগী ফী শাফম মনাক্তুদা চংশিল্লক্লম্মী। লুংতুন মেথানুনা ফিদা লৌথোক্তুনা থারম্মী। ঙাইহাক ফম্মিন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শারগা লুংতুন মেথানুনা পুথোরক্লিবা য়ুনচিংবা থক্লবা মতুংদা মখোয় অনী ময়ুমদা হন্ননবা থোক্লক্লম্মী।

মখোয় অনীনা থোক্লকপদা শীং চন্দুনা লৈরম্বী হনুবী অমা থেংনরম্মী, হনুবীদুনা মখোয় অনীদু উবদা মশক ফজমনখ্রদনা, "নখোয় অনীবু কদায় চৎলুবনো, করি লমদগীনো" হায়না হংলম্মী। মরুপ অনীদুনা নুপী য়েংবা লাকপনি হায়না খুমখি। হনুবী অদুনা লুংতুন মেথানু য়েংবা লাকপনি হায়বা খঙলদুনা নখোয় অনীনা চৎলুবদুবু মিৎচিনা য়েংলকপ্রো, ফিদা থারকপ্রো হায়না হংলম্মী। চোথে লোন্দা তুংশাং লাংমো নয়া লাংমা হায়। মখোয় অনীনা ফিদা থারকই হায়না খুল্লম্মী, অদুদগী হনুবী অদুনা মখোয়গী খুন্দা ঙসি লাকপা পাখং অনীদুদদি ফিদা থাই হায়, ঈশিংসু পীথকখিহায় হায়না খুল অদু থুংনা শন্দোকলম্মী। মখোয় খুলগী লুংতুন মেথানুবু পামজবা পাখংশিংদু শাওদুনা কলক মীহৌবদগী লুংতুন মেথানুবু হাৎননবা হোৎনরম্মী। লুংতুন মেথানুগা নুংশিনরিবদি মরুপ অনীদুগী মনুংদা য়াংঙীগনি, য়াংঙীনা লুংতুন মেথানুবু শেন্ননবা মাগী মরুপ শন্দেহোইবু মখোয়গী খুলদা লৈহৌহল্লম্মী। য়াংঙীনা শন্দেহোই মখোয় অনীনা লুংতুন মেথানুবু কোয়বা লাকপদা, মাগী ফি শাবদা শীজিন্ননবা ৱানা শাবা পোৎ-চৈশিংদা লুংতুন মেথানুবু নুংশিবা ফোংদোকপগী খুদম হক্লগা হেক-হেক পুরক্লম্মী। লুংতুন

মেথানুসু ঈশিং শোকপা শাদুনা মখোয় অনী লাকপদা হেক-হেক থিন্দোকপা থোক্লম্মী। মখোয় অনীনা থিন্দোকত্রবসু য়ারে হায়বসু লুংতুন মেথানুনা, মখোয়বু নুংশিবদগী অসুম থিন্দোরক্লম্মী। লুংতুন মেথানুনা মখোয় অনীনা লাকপা মতমদা হেক-হেক থিন্দোকপা অসিদা মাবু পামজবা খুলগী পাখংশিংদুনা য়াম্না লান্না লৌরম্মী অমসুং মীহৌবা পোক্লম্মী।

লুংতুন মেথানু মখোয় খুলগী পাখং ময়াম্না হাৎননবা থাং তেন পায়দুনা কোইশিল্লম্মী। শন্দেহোইনা পাউ তারদুনা, খুনগী পাখংশিংনা হান্না লুংতুন মেথানুগী ইজৎ অমদি মথ্বায় লৌখিবা তারে খন্দুনা কন্ননবা চেল্লক্লম্মী। ময়াম্না লুংতুন মেথানুবু মশম পায়রগা মঙক কক্লবা হোৎনবা তাঞ্জাদুদা শন্দেহোইনা মফমদুদা থুংলম্মী। মদুদগী শন্দেহোইনা মখোয়না হাৎখিগদবগী শরুক হায়দুনা মহাক্লা ওইনা মঙক কক্লগা, অককপা মকোক অদু পুরগা লাক্লম্মী। লুংতুন মেথানুগী মমিৎ অদু অহীংবদৌনা পাংলগা মোমোন নোক্তুনা লৈরম্মী। শন্দেহোইনা মাগী মরুপ য়াংঙীদা ৱারী পুন্বা লীদুনা লুংতুন মেথানুগী অককপা মকোক অদু শিনরম্মী। য়াংঙীনা থম্মোয় শোক্লা কপ্লদুনা লুংতুন মেথানুগী মমায় অদু নাম্থবিরম্মী। লুংতুন মেথানুগী পাংলম্বা মমিৎ, মোমোন নোক্লম্বা মতৌদু অশিবা অমগুম লৈখি। অককপা মকোক অদু য়াংঙীনা লৌরগা মখোয় অনী থুংনবা শকখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	য়ুলুং তোমাল চোথে (মুলচোং)
তাং	:	২৫.৫.২০১৩
চহী	:	৫৯
শিনফম	:	লুপলাকপা
মফম	:	চোথে খুন, বিষ্ণুপুর।

মবুঙ তরেৎকী মচলনুপী

(চোথেগী ৱারী)

মতম অমদা নুংমু থৈশাংজুই কৌবী মবুঙ তরেৎকী মনুংদা মথন্তা পোকপী চোথে নিঙোল অমা লৈরম্মী। মহাক অসি মবুঙ তরেৎ অদুনা মথন্তা য়াওবনিনা লৌগী থবক শুবা য়াওহল্লমদে। মবুঙ তরেৎতুনা লৌ শুবা চৎখ্রিঙৈদা চাক থোংবা, ফি শাবা তৌদুনা ময়ুম শংদুনা লৈরম্মী। নোংমদি শাংপুপা (ফৌরুংবা) হায়বা ফৌগী লাই অসিনা মবুঙ তরেৎনা লৌ শুবা চৎখ্রিঙৈদা নুংমু থৈশাংজুইনা ফিশাদুনা লৈরিঙৈদা তাইবং মী ওল্লগা মাগী তালোই ওইনিংবদগী ফাদুনা পুখিরম্মী। নুংমু থৈশাংজুইনা উপাই লৈত্রদুনা মাগী ফি শাবগী লংদুম অমা পুদুনা চৎলম্মী অদুগা মবুঙ তরেৎনা খোঙ্গুল লীরক্লবা মতৎ-মতৎ থাদরম্মী।

মবুঙ তরেৎনা লৌদগী হল্লক্লবা মতমদা মচলনুপী অদু ময়ুমদা লৈরমদ্রে। কদায় চৎখ্রবনো হায়দুনা লৈকাইদা হংবদসু খঙদে, উদে হায়বদগী লম্বীদা অসুম থিদুনা লাকপদা মচলনুপীনা থাদরম্বা লং মতৎ মতৎতু থেংনরম্মী। অদুদগী মবুঙ তরেৎ অদুনা লং অদুগী খোঙ্গুল লীরদুনা লাকপদা শুরুং অমদা লং অদু চংখিবগী মরম থেংনরম্মী। মখোয় তরেৎনা শুরুং অসিদা লৈরে হায়না শুরুং অদু তৌখায়রগা চংলম্মী। শাংপুপানা মখোয় তরেৎ চংবা ঙমদনবা মৈখু কামথোক্লম্মী। মবুঙ তরেৎ অদু চংবা ঙল্লমদে, তাঞ্জা অদুদা মচলনুপীনা লাউরক্লম্মী, "হা ইবুঙ তরেৎমক নচলগী খোঙ্গুল লীরক্লগনো, নচলসু নাম্থোক্লবা কন্না হোৎনবনি নাম্থোরকপা ঙমদ্রে। য়ুমদা হনখ্রো, নখোয়না ঙল্লরোই। নখোয়না য়ুমদা হল্লগা য়েন অমুবী অমনা ফৌ কৌও, অদুগা ফৌরুংবরোমদা (নোংচুপ) ওল্লগা য়েন অঙৌবী অমনা য়েলহৌং থাপী ও, চাবা থকপা ৱাৎহল্লোই, মীশি মীনা থোকহল্লোই" হায়না লাউরক্লম্মী। অদুদগী মবুঙ তরেৎ অদু ময়ুমদা হল্লক্লগা ফৌ কৌবগী থবক

তৌরম্মী। শাংপুপা (নোংচুপ) ওল্লগা ইরাৎ থৌনিনচিংবা-মচলনা হায়রকপদু পাংথোক্লম্মী। মবুঙ তরেৎ অদু চাবা থকপা ৱাত্তনা নুংঙাইনা পানখি। মচলনুপী নুংমু থৈশাংজুইনা ফৌরুংবগী নুপী ওইদুনা লাইগী মরক্তা তিনখি।

হায়রিবা ফৌ কৌবগী থবক (শাংকোকপা) অসি হৌজিক হৌজিকমকসু চোথে খুলদা, লাংবন থাদা য়ুলুং শাগৈনা তৌনরি, য়েলহৌংসু থানরি। মসি তৌরবদি চাবা থকপা ৱাৎতে হায়নসু থাজনরি।

ৱারী লীবিরকপা	:	য়ুলুং তোমাল চোথে (মুলচোং)
তাং	:	১২.৫.২০১৩
চহী	:	৫৯
শিনফম	:	লুপলাকপা
মফম	:	চোথে খুন, বিষ্ণুপুর।

নাওনিয়া (অঙাংনিবা)

(চোথেগী ৱারী)

মতম অমদা মচা পোক্তবী চোথে নুপী অমা লৈরম্মী। মহাক অসি ময়ুম মকৈ পাল্লবা মতুংদা মচা শুকপোক পোল্লমদে। মহাক্না লুহোংমিন্নখিবী মশুং মমান্নবীশিংনা মচা পোক্নুনা মচা পোরগা লাকপা উবদা মহাক অশুক্কী মতিক নুংঙাইরমদে। মতম পুম্নমক্তা মচা ফংনিংবগী ৱাখলদা কপ্তুনা লৈরম্মী। মহাক্কী নুপানা ফনয়াম্না থেল্লবসু অয়াম্বা মতমদা মহাক্তি নুংঙাইনা, হরাউথোক্লা খক লৈরমদে। মচা ফংনিংবনা ঙাওরম্মী।

নোংমা মহাক্কী মমান্নবী অমনা মচা পোদুনা কপ্পা থেল্লগা লাকপা উরুবদগী মহাকসু মাগী মচা হায়বদু অমতং লৈজদুনা পোরবদি নুংঙাইগনি খল্লম্মী। মদুদগী মহাক্না থম্মোয় শোক্লা নুং অমা মনঙ্গলদা পোরগা কপ্পা থেমদুনা লৈরম্মী। য়াচংলকপদুদা মহাক্লা হীক্লা হীক্লা কপ্লগা নুংদু পোরগা থেম্বদুদা ইবুধৌ পাখঙবা চোথে থাঙৱাই পাখঙবা মপু সোরারেন্না তারম্মী। ইবুধৌ পাখঙবনা হী: করিনো নুপী অমা কপ্লগা মচা থেল্লিবসিবো? অঙাং থেম্বদবু কপ্লগা থেম্বসিবো হায়দুনা নুপীদুগী মনাক্তা লাক্লম্মী অদুগা ইবেম্মা নঙনা অঙাং থেম্ববু কপ্লগা থেল্লিবদি করিগীনো হায়না হংলম্মী। নুপীদুনা কপ্পা থেল্লিবসি অঙাং নত্তে নুংনি, ঐদি ইচা পোক্তে অদুনা ইচা পোরগা থেম্লিংবদু থেম্বা ফংদবনিনা নুং অসি পোরগা কপ্তুনা থেল্লল্লিবনি হায়না খুন্নম্মী। ইবুধৌ পাখঙবনা অদুদি নঙ নচা অমা ফংজরো হায়না থৌজাল পীবিরম্মী, অদুগা চৎখ্রে। মতম খরা লৈরগা নুপী অদু মচা অমা ফংজরম্মী। মচা অদু য়োক্তুনা হরাউ নুংঙাইনা পানখ্রে। নুপীদুনা নুং পোরগা অঙাং থেমখিবা মফম অদু "নুংশুকচীং" হায়না খঙনদুনা ঙসি ফাওবদা লৈরি।

হৌজিকসু কনাগুম্বা মচা ফংজদবা মীওইনা মফমসিদা ইরাৎ থৌনি তৌজরগা মচা নিরবদি মচা ফংই হায়না থাজনৈ।

ৱারী লীবিরকপা : য়ুলুং তোমাল চোথে (মুলচোং)
তাং : ১২.৫.২০১৩
চহী : ৫৯
শিনফম : লুপলাকপা
মফম : চোথে খুন, বিষ্ণুপুর।

লুখ্রাবী য়ুম্ফম (আরোংনো ইনফম)

(চোথেগী ৱারী)

লুখ্রাবী য়ুম্ফম (আরোংনো ইনফম) হায়রিবা মফম অসি লৈমতাক হায়রিবা মফম অদুদা হৌজিকসু লৈরি। মতম অমদা চোথে জাতি অসি খুঞ্জাও লৈচাওনা পাল্লম্মী হায়না থাজনরি। করম্না খুঞ্জাও লৈচাওনা পাল্লল্লিবনো হায়বদা মতম অমদা চোথেগী নিংথৌ অমা লৈরম্মী। নোংমা নিংথৌদুগী য়ুমদা খংহৌদনা মখুন অমা থোক্লক্লম্মী। মখুন অদুবু উচি মখুন্নি খন্দুনা মহাক্না উচি ফাননবা লাং অমা থাক্লুবদা লাইরেন অমা ওইনা থুরম্মী। থুরল্লিবা লাইরেন অদু ইবুধৌ পাখঙবনা ওনবা শাইওন্নি। লাইরেন অদুবু ইবুধৌনি খংদবনা খুঞ্জা ময়াম চংদুনা চিংথোক্লবা হোৎনবদা অরোই-অখম নাইবা কৌবা লৈরমদে। মদুদগী লাইরেন অদুবু ময়াইদা ককথৎলে অদুগা মশাদু খুল অদুগী য়ুম্নাক খুদিংদা য়েন্থোক্লম্মী। খুল অদুমক্তদা লুখ্রাবী নুপী অমা লৈরম্মী। শরুক অমা মহাক্কীনি হায়দুনা পুরকপা মতম অদুদা লুখ্রাবী অদুনা হায়রক্লম্মী "এ! অঙাংশা নখোয়না পুরক্লিবা শা অদু ঐগীদি পোলাংখোক্তা ওইনা য়াল্লম্মু"। মদুদগীদি শা অদু পোল্লাংখোক অদুদা য়ান্দুনা থল্লম্মী। নুমিৎ তারক্লে, অহিং নোংয়াই য়ৌরক্লে, থেংলক্লবা মতম অদুৱাইদা খংহৌদনা লৈনুংদগী গ্রো গ্রো লাওনা লৈমায়দু চীংখায়রকপদগীদি লুখ্রাবী অদুগী য়ুম্ফম অদুখক খাল্লগা লোয়না কিন্থখিদুনা লৈমতাক অসি পুরা ফুমজিনখিরম্মী।

মতাং অদুদগীদি লৈমতাক্কী ঈশিং ময়াম অদু লোক্তাকলোমদা ওইনা লোয়না হাদোরক্লম্মী। মদুদগী করম তৌগদগে হায়না ময়াম খন্নরিঙৈ, মফমদুদা ৱাইখু অচৌবা থেঙ্গুমুক চাওবা অমা লৈরম্মী। হায়রিবা ৱাইখু অদুনা মখুন অমা হুৎলকপদগীদি লৈমতাক অসে অমুক্কা মখুন অমা হোদুনা অসুম্না অনৌবা ঈচেল অমা অমুক চেনখিরম্মী। হায়রিবা ঈচেল অদুগী

মপান্দা ইবুধৌ পাখঙবনা ফজখ্রবা উ পান্বী অমা ওইনা হৌরম্মী। মতাংদুদা নিংথৌদুনা উ পান্বী অদুবু মাগী য়ুমগী য়াংগী লোই (খাংলবু) ওইবা য়াগনি খন্দুনা উ অদু য়ান্দুনা পুরক্লগা মহাক্কী য়ুমগী য়াংগী লোই ওইরম্মী। মদুদগীদি নিংথৌদুগী য়ুমগী য়াংগী লোই অসে পুমঙাল ঙানবদগীদি মৈ থানবগা চপ মান্নখরে।

মতম অদুদা নিংথৌ অদুগী মচানুপী মশক মতৌ য়াম্না ফজবী অমা লৈরম্মী। মচানুপী অদুবু মোইরাং নিংথৌগী মচা অমনা য়াম্না পান্বদগী মহাকপু মহাক্কী নুপী ওইনা লুহোংদুনা লৌরম্মী। অওং-অউন অসি করি তমসিগে খন্নরিঙৈ তাল্লকসিদা নিংথৌ মচানুপীদুনা নিংথৌগী য়াংগী লোই অদুগী মতিক মগুণ অদু খংবনিনা, অউনপোৎ পিগে হায়রক্লবদি করি অমত্তা লৌরক্কনু য়ুমগী য়াংগী লোই ওইরিবা উ অদুবু পীবিয়ু হায়য়ু হায়না তাক্লম্মী। মদুদগী মোইরাংদগী মী ময়াম অমগা লোয়ননা লাক্তুনা নিংথৌদুগী মচানুপী অদুনা হায়বা ৱাফম অদু ইন্দুনা হায়রিবা উ অদু পিবিয়ু হায়না হায়রম্মী। নিংথৌ অদুনা নখোয়নবু পাল্লবদি হায়দুনা হরাউ-হরাউ উ অদুবু পিথোরক্লম্মী। ময়াম চংদুনা উ অদুবু চীংদুনা লাকপদা উ অদুদি ঈবুধৌনিনা খংহৌদনা পাইরগা লোক্তাক ময়াইদা তাশিনখ্রে। মরম অদুনা হৌজিকফাওবা লোক্তাক ময়াই অসি ইবুধৌগী মফমনি লানগনু, হি তোংদুনা মফম অসিদা চৎকনু হি লাক্কনি হায়না হায়নরি। হায়রিবা ৱাফম অসিনা চোথে জাতি অসি ইবুধৌ পাখঙবনা লৈবিরম্বা জাতি অমা ওইবনা য়াম্না শক্তি লৈবা, মতিক-মগুণ লৈবা অমা ওইরম্বনি হায়দুনা হৌজিকফাওবদা ইবুধৌ পাখঙবগী খুভম অসি লৈরি অমসুং ইবুধৌগী অশেংবা মফমনি হায়না থাজনরি।

ৱারী লীবিরকপা	:	মেরাজাও চোথে
তাং	:	১২-৫-২০১৩
চহী	:	৬৩
শিনফম	:	লাই য়োকপা (লাই পান্নবা)
মফম	:	চোথে খুন, বিষ্ণুপুর।

জুমোং

(চোথেগী ৱারী)

থায়না মমাংঙৈদা চোথে খুঙ্গং অমদা জুমোং হায়বা নুপা অমখক লৈরম্মী। মহাক অসি য়াম্না তনবা মোইরাং কতনগুম্বা জাৎনি। মহাক অসি য়ুম কৈদি পাল্লগা নুপা থোক্লা লমদা চত্তুনা, চীং কাদুনা, থবক ইনখাং তৌনিংদবা মীদা ওইরম্মী। য়ুমদা অসুম নৈসিন্দুনা লৈবা, মাগী নুপীনা পুরক্লগা চাবা অতনবা নুপা অমা ওইরম্মী। অসুম্না মতৈ মনাও অনী অসি লৈরকপা মতমসিদা অঙাং অমসু পোক্লে। নুপী অদুনা শু নোল্লগা চাবনিনা য়ুম অদু অৱাৎ-অপানা থল্লম্মী। য়ুমগী কুপলিবা ই শিনবীদবনা য়ুম অদুসু কিন্থরবা নোং য়ুরবা ওইরে। নোংজু থা লাকপা মতমদা নোং য়ুরে। নোংনা অসুম য়ুশিল্লক্তুনা য়ুম অসিদা লৈফম মওং চাশিলললকত্রে। তুম্বা ফাওবদা ফমুংদা নোং চোৎশিল্লক্তুনা তুম্বা য়াদ্রে। মাগী নুপীনা হায়, "নুপা হৌগৎলো, হৌগৎলো নঙ ঙসিদি ই ফানবা চৎলু য়ুমসি কুপ্পনবা।" নুপাদুনা চৎনিংমন্দদুনা করি হায়না হায়গে হায়ববু, "ঐ, ই-ফানবা লমদা থাপ্না চৎথোকপা য়াদে য়েক্লবা ময়াম অমা লৈ। ঐ চৎথোকপা কী, শোয়দনা ঐবু ফাখিগনি অদুনা ঐ চৎথোকপা কী, চৎথোকপা ঙম্লোই" হায়না লৈথোক্লম্মী। অদুদগী চাক থোংননবা শিংসু ৱাৎশিল্লক্লে, লৈশিল্লক্ত্রে। অদুনা শিং খরা থিরুরো চৎলো হায়রে। অদুদসু অমুক য়েক্লবা লৈ, ঐ চৎপা ঙম্লোই ঐবু শোয়দনা ফাখিগনি হায়দুনা য়াদ্রে। চাদ থক্তবদি য়াদে লৈত্রবসু চাদবদি য়াদে; মীওইবা কৌবনিনা য়ুম পানমিন্নরিবা কৌবনিনা মাগী নুপীনা, ফরে অদুদি নঙ চৎপা ঙম্লোই হায়বা তারবদি অঙাং অসি লৌরম্মো, অদুগা ঐ, ই ফানবা চৎলগে হায়। নুপী অসিনা ই ফানবা চৎখ্রে। মতমদুদদি খুন অমগা অমগা য়েংথিনবা, লান শোক্লবা, অকল শিংনবা তৌনরম্বা জাৎনি। মতমদুদা মাগী নুপীদুনা ই ফানবা চৎপা

কান্দা য়েক্লবশিংনা থেংনদুনা ফাখিরম্মী। নুপীসি শুকহন হল্লক্রে। হল্লক্কদবা মতমসিদা হল্লক্ক্রবদদি, অঙাং অসি মানা লৌদুনা লৈরে। অঙাং অসি খোম-লামদুনা কপখৎলকপদগী থেন্বা য়াদ্রে। মানা খল্লি, ঐগী নুপীসি শোয়দনা য়েক্লবনা ফারম্লগনি, অঙাং অসি ঐনা য়োকপা হায়সু ঐ ঙল্লোই হায়দুনা অঙাং অদু পোদুনা মাগী নুপীগী খোঙ্গুল লীরগে হায়দুনা প্রপ প্রপ চৎলম্মী। মানা অসুম মাগী নুপীগী খোঙ্গুল লীগে হায়দুনা চেন চেন্দুনা চৎপদা য়েক্লবনা ফাদুনা পুবদু থেংনরম্মী।

মানা য়েক্লবশিংদুদা হায়জরে, "ইয়াম্বা অকন অথৌবশিংও ঐ, ঐগী নুপীবু তান্নজরকপনি মরমদি করিগীনো হায়বদা ঐনা পোদুনা পুরক্লিবা অঙাং অসি মমা য়াওদনা ঐ য়োকপা ঙল্লোইদবনিনা; ঐগী নুপীগী মহুৎ ওইনা, ঐ নখোয়গী নতুং ইন্নজরগে, নখোয়গী লানফা ওইজরগে, ঐগী নুপী অসি থাদোকপীয়ু অদুগা অঙাং অসি পুরগা মহাক্না য়ুমদা হল্লগা অঙাং অসি য়োক্তুনা লৈরসনু" হায়না পুকচেল শেংনা হায়জরে।

অদুদা মখোয় ময়াম্লসু য়াবিরে। ফরে হায়দুনা মাগী নুপী, অঙাং অপীকপসু চেল্লিবনি, থাদোকপীরসি হায়দুনা নুপীদুদা অঙাং অদু শিন্নরগা হলহনখ্রে। অদুগা জুমোং হায়রিবসিনা মাগী নুপীগী মহুৎ শিন্দুনা লানফা ওইনা চৎখ্রে। অদুদগীদি অকনবশিং অদুনা মখোয়গী খুনগী খুল্লাকপদা হংকৎলে, "ঐখোয়না লানফা অসি পুরক্লে।" খুনগী অহল লমনশিংনা খন্নরে মাগী শিন্থাসি করি পীসিগে হায়না। ফরে অদুদি মাবু খুনগী ইরোই ময়াম অসি শেলহল্লসি হায়না থৌদা অসি পীরে। অদুনা খুনগী ষন ইরোইশিং অসি নুংতিগী নঙনা শেনগদবনি হায়রে, মহাকসু য়ারে। মহাক্না অসুম ষনশিং অদু শেল্লম্মী। অসুম্না মহাক্না মতম শাংনা ষন শেন্দুনা লৈরকপদগী, খুল অদুদগী নুপী অমা লৌরে। মখোয় অনী য়ুম পানমিন্নদুনা খুল অদুদা লৈরে। নুপীদুনদি খল্লি, মসিগী নুপা অসি শোয়দনা মাগী নুপী অঙাং লৈরমগনি। অদুনা নোংমদি শোয়দনা মখুল (মাগী খুল) নীংশিংলক্তুনা, ময়ুম নীংশিংলক্তুনা, নুপী অঙাং নীংশিংলক্তুনা চৎখিগনি হায়দুনা মবুক্লিংদা খল্লে। অদুদি মহাক চেনখিদনবা করি তৌবা তাই হায়বসি খল্লগা

মাগী নুপীসিনা হায়রকই, "নহাক ষন শেনবা চৎপা মতমদা ইরোই মথক্তা কাবা য়ারোই, ইরোই তোংবা য়ারোই, উপাল অৱাংবদা কাবা য়ারোই, অদুদগী চীং অৱাংবসু কাবা য়ারোই অৱাংবা হায়বসি মখে নঙ কাবা য়ারোই" হায়না থিংলম্মী। জুমোংনসু, "হোই ঐ কারোই" হায়না ইল্লম্মী। অদুম ষন শেন্দুনা লৈমিন্নবদগীদি নুপী অতোন্বীগীসু মচা অমা পোক্লে। অসুম্না লৈমিন্নবদগী নোংমদি ষন শেনবা চৎপদা মবুক্লিংদা ৱাখল অমা খল্লক্তুনা মাগী খুঙ্গং লৈকাই, ময়ুম, মাগী নুপী অঙাংদু করম তৌনা লৈরমগদগে হায়দুনা অৱাংবা চীংদোন্দা কাখৎলে। য়েংবদা মাগী মরমদম খুঙ্গংদু উরে। মাগী নুপী অঙাং নীংশিংলক্লে। হেন্না নুংশিরক্লে, কান্নপোৎ নত্তে মী লৈত্রিঙৈদা চেলহৌরগে হায়দুনা ষন শেল্লম্বদু থাদোক্লম্লগা লোন্না চেল্লক্লম্মী। মহাক্না লোন্না চেল্লকপদগী ময়ুম য়ৌরে। মাগী নুপীসু লৈরম্মী, মাগী মচানুপীসু লৈরম্মী। মাগী নুপীনা "নঙ করমহাইনা চেল্লকপনো" হংই। "ঐ মখোয়গী ষন ময়াম শেন্দুনা লেনবনিনে, মখোয়না থৌদা পীদুনা। ঙসিদি ষন শেনবদা ঐ, ঐগী খুঙ্গংসি নুংশিমন্দুনা অৱাংবা চীং কাদুনা য়েংবদা উরে, অথাপ্পদা; মখোয় কনা অমত্তা লৈত্রিঙৈ উদ্রিঙৈদা ঐ চেল্লক্লবনি" হায়না হায়। মাগী নুপী অহন্দুনা হংলকই "নঙনা অসুক কুইনা মীরমদা লৈবসি নুপী অতোনবীগা লৌবা লৈব্রা?" হায়না হংই। অদুদা মহাক্না, "হুং লৈমিন্নদে, ঐ নুপী লৌদে," হায়না খুম্মী। ফরে-ফরে, হায়দুনা লৈমিন্নরে। অসুম হায়না লৈমিন্নরকপসিদা নোংমদি মাগী নুপীনা মাঙ্গোন্দা ফি শাদুনা লৈবা, জুমোং হায়বা অতনবা অসিসু নাকন অমদা থুম্মোক শাদুনা লৈবা, থুম্মোক শানা শানা মানা নীংশিংলক্লম্মী। মফমদুদা মচাসু পোক্লম্লিবনিদো, অদুনা মপুক্লিংদা মতু-মচাবু নুংশিবা ফাওরকলম্মী। মপুক্লিংদা নুংশিবা ফাওরকপদগী ঈশৈ ওইনা শৈথারকই, "ঐনা থুম্মোক অহানবা শারিবা অসিনা ঐগী নুপী অতোনবীগী, মহাক্না শিজিন্নবগী অদুগা মথং অমা শারিবসিনা ইচা নুপীগী,"অসুমনা মহাক্না ভাব অসি অসুম শাগৎলক্তুনা মাগী নুপী অহল লৈ, হায়বসি পুমকাও হেক কাওথোক্লে। অদুনা ৱাখলনা ঈশৈ ওইনা ফোংদোক্তুনা শৈথারকপদগী মাগী নুপী অহন্দুদি ফি শানা শানা, তাদুনা লৈরম্বদগী; হাইস ! মসিগী নুপাসি কয়া মচিন থিরিবনোসে, মানা

চেল্লকপা মতমদা ঐনা হংবদদি নুপী থিদে হায়রগা মাদি নুপীকাকা থিদুনা মচাগা পোক্লন্লিবা জাৎনিনে। মসিগী চীন্থিবসি হায়দুনা মাগী নুপীনা য়াম্না শাওনা ফিশা তেমনা লংলকপদা, জুমোংগী মবুক্তা পান্দুনা শিরে। অদুনা চোথেগী ৱারিদা নুপা নুপী য়ুম পানমিন্নবদা মবুকচেন শেংদ্রবদি নৌনা মপুন্সি লোন্মী হায়বা ৱারী অসি লিনৈ।

ৱারী লীবিরকপা	:	য়ুলুং মৈপাক চোথে।
তাং	:	১২-৫-২০১৩
চহী	:	৬২
শিনফম	:	খুনগী সেক্রেটরি
মফম	:	চোথে খুন, বিষ্ণুপুর।

ঙমথা

(চোথেগী ৱারী)

থায়না মমাংঙৈদা মশক মতৌ য়াম্না ফজবা, মাগীনি হায়বদা হন্না য়েংবদা কনাসু লৈত্রবা; য়াম্না লায়রবা 'ঙমথা' কৌবা চোথে পাখং অমা লৈরম্মী। মহাক্না পাখং মথোৎ কারক্লবা মতমদা করন্বা নুপীগা নুংশিনসিগে হায়না খল্লম্মী। মখোয়গী খুল অদুমক্তদা মশক মতৌ ফজবদা হায়নিংঙাই লৈতবী, লোংলিপ কৌবী চোথে লৈশা অমসু লৈরম্মী। মখোয় অনী অসি খুন্থক খুনখানি। মশাগী চহি তরা অদুৱাইদগী খঙনরক্লম্মী। মমৈথংদা লোংলিপ হায়বিসিসু ঙমথা নত্তনা অতোপ্পা পাখংশিংনা নুংশি হায়রকপদা শুকয়া য়ারমদে। ঙমথা নত্তনা মাগী মীৎতা অতোপ্পা কনাবুসু য়েংবা পাল্লমদে। মমৈথংদা ঈশ্বরগী নোংদমদগী মখোয় অনী লুহোংদুনা লৈমিন্নরে। মদুদগী ঙমথাগী মমান্নবশিংনা লোংলিপ অসি লৌবা ফংদ্রবনিনা; মপান্দদি মরুপ-মপাং, ইশেন-ইবাই হায়না তিন্নৈ অদুবু নুংদদি নুপী অদুগী ফজবদা কল্লক মীহৌবা পোক্লম্মী। মমান্নবা অমা তিন্নৈ, উ-য়ানবা চৎলুসি হায়; অমা তিন্নৈ, চীং তৌবা থুগাইবা চৎলুসি হায় অসুম্না নুমিৎ খুদিংগী হৌরকপনা, নোংমদি মমান্নবশিংনা ঙা ফাবা চৎলুসি হায়দুনা মাসু ঈশ্বরগী নোংদমদগী লোক্তা ঙা ফাবা চৎলে। ঙা ফামিন্নবা মতমদা মমান্নবশিংনা ঙা লৈসু লৈতনা লৈরে-লৈরে, চংখ্রে-চংখ্রে হায়দুনা হায়বীরম্মী। মপাঙ্গল ফবদা, মশক ফজবদা ঙমথানি, মাসু লৈরায়দুদা চংলম্মী। লৈরায় অদুদি নমথবা য়াবা, কীন্থবা য়াবা লৈরায়নি। লাইগী নোংদমদগী হায়না হায়না অসুম চংখিবদগী লৈরাই অদু ময়ামদুনা নিংখায়হল্লে। অদুদগী ঙমথা অদু থোকপা য়াদ্রে, শুরুংগুম্বা অমদা তারে। চুম্নগী শুরুং ওইরবদি নুংঙাইনা শ্বর হোন্দুনা লৈবা য়াবনি। মদুদি নএে নুং ঙাক্তগী মরক্তনি মহাক্না তারিবসি। অসুম্না ঙমথাসি মমান্নবশিংনা মাগী নুপী কল্লকপদগী, ফঙহৌদবদগী

লৈরায়দা ইস্থদুনা, নুং মথক্তা তাদুনা শিরে। মদুদগীদি লোংলিপ মেথানো হায়বসিনা মাগী মৰাসে করম্না তৌখিবনো হায়না তুম্বা চাবদা কাওবা ঙমদনা খল্লে। চৎমিন্নখিবা মমান্নবশিং অদুদা হংলগা মফমদু তান্না চৎলম্মি। লাইগী নোংদমদগী লোংলিপ হায়বী নুপী অসিনা নুংপাকথক্তা ফল্লগা ফি শানা শানা অসুম ৱাখল খল্লকপা জাৎনি। থায়নদি খ্বাংদা ফি শাবসি তৌনরম্মী। মানা ফি শানা-শানা ঈশৈ ওইনা শৈথাদুনা শকপদা জিবশিং অসিনা খর-খরদি খঙবা অদুবু ৱাইখু নৎতনা অতৈ জিবশিংদি চংবা য়াদ্রবনিনা মহাক্না ঙমথাগী খোঙগী খুজিল, খুৎকী খুজিল গুম্বা পোৎশিং অসি অসুম অসুম পুথোক্লক্লম্মী। অসুম তৌদুনা মানা শাবা ফি অসি ৱাইখুগী মতৌ লৌরদুনা ‘আইকাং’ হায়বা চোথেগী মরু ওইবা ফি অসি শাখি। অদুগা খুজিল, খোঙজিল পুথোক্লকপশিং অদুগী মওং লৌদুনা ‘হংশা-হংশেৎ’ হায়বদি ফি শাবগী হৎপগী মওং অসি শেমখি। চোথেগী ফি ‘আইকাং হংশেৎ’ অসি য়াম্না মমল য়াম্বা নাৎকী ওইবা মশক নাইবা ফিনি, মসি অসুম্না শাখিবনি। অদুনা ফজবগী নুপা ওইরুবা অসি চেকশিন্দবা য়াদে, দশা তাই হায়বা ৱারী অসি হৌজিক ফাওবা লীনরী।

ৱারী লীবিরকপা	:	হিয়াং থম্বালজাও চোথে
তাং	:	১৮-৫-২০১৩
চহী	:	৭৭
শিনফম	:	খুল্লাকপা
মফম	:	চোথে খুন, বিষ্ণুপুর।

চোথে থাঙৱায় পাখঙবনা চোথেদা

মরু হুল্লম্বগী ৱারী

(চোথেগী ৱারী)

চোথে থাঙৱায় পাখঙবগী মচাসি মৈঙাই কৌই। মৈঙাইগী মমাগী মমিং দাইসিন কৌই। দাইসিনবু পোকপনা নুংঙারাকপা কৌই। নুংঙারাকপা খুনগী খুল্লাকপনি। মাগী মচা নুপী অনী পোকই, পিবা য়াওদে। থায়না মমাংঙৈদা নুংঙারাকপনা খুনগী খুল্লাকপা ওইরিঙৈদা, মচানুপী দাইসিন্না মপা মশক খঙদনা লমজা শরা ওইনা মচা পোকপদগী; খুলগী মীয়াম অমদি মাগী মখাদা লৈবা ফমনাইবশিংনা মাগী মৱা লৌবিরমদে। মহাকসু মাগী ইজৎ ঙাক্লবগীদমক্তা, মহাক্কী মশুনুপা মৈঙাই অসি হাৎননবা হোৎনরম্মী। অহানবদা মহাক্না মৈঙাই অসি করম তৌনা হাৎসিগে হায়না অসুম খনবদা, ফরে লম্মাংনরগা পুরগে হায়না খল্লে। মহাক্না লমহাংদা মৈঙাইসিবু পুদুনা চৎপা কানসিদা, অহানবা নুমিত্তা চীংথক্তগী নুং ওন্থহল্লে; নঙ মখাদা লৈয়ু হায়রগা নুংজাও ওন্থরকপদা মশু নুপাদুনা উরবনিনা তাপ লাওনা ফাখরে। মপুদু ঙকখ্রে। ইপুনা ওন্থহল্লকপা নুং অসি থাররোই পুরনি হায়দুনা অঙাং অদুনা পুথরকপদুদা মপুদু ঙকখ্রে। নুং অদু পুদুনা লাকপদা কদাইদা থাসিগে ইপু হায়না মপুদা হংই। শুমাং মতোন্দা থাও হায়না শুমাং মতোন্দা থাই। নোংমনা মমান্নবা ময়াম মুক্না শান্নসি হায়দুনা মুক্না শান্নে, মদুদসু মানা ঙম্মী। কাংজৈ শান্নরে মানা হেক্তা ঙম্মী। লাইগী শক্তি চেনবা মচানিনা মানা ঙমদবা লৈরমদে। মসিবু করম্না হাৎশিগে হায়না খনবদা নোংমসু অনীরক শুবা ওইনা মমানা লৌকুম্বা চৎখিঙৈদা মপুদুনা পুরগা উজাও অমা য়াল্লম্মী। করিগীনো ইপু হংবদা মসি চাওরে য়ানসি হায়। মাদি অঙাংনিনা খঙদবনি মানা উ তুরোইদবা নাকন্দা ফমদুনা লৈরিঙৈদা মপুনা উ তুদৌরে তুদৌরে হায়দুনা উ তুগদবা মাইকৈদা লাকহল্লগা উদু তুহন্দুনা অঙাংদু ননশিনখ্রে, শিরে। অদুদগী মমা হল্লকএ, মপুদা হংই, "নশুনুপাদি কদাইদা চৎখ্রে পাবা" হায়। "এ খঙদেনা মমান্নবগা শানরমগনি মমান্নবগা

শান্নহৌবনে। ঐদি লমকোইরুবনে খঙদে" খুন্মী। মমাদুনা মচাদু হল্লকমন্দবদুদা কপ্তুনা তুমখিবা কান্দা ইবুধৌ পাখঙবনা মঙতাক ওইনা পাউতাকপী, "নচা নুপাদু উনা ননদুনা শিদুনা লৈরে অদুনা নঙ নুমিৎ তাবা নাকলদা মনিং ওল্লগা য়েন অঙৌবা লাবা অমা য়েলহৌং থাউ নচাদু হিংকৎলক্কনি" হায়না মমাদা তাকই। মমাসিনা মপুদা তাক্লে। মহাক্না য়েলহৌং অদু থারে অদুদগী মচাদু হিংকৎলে অদুগা চাওরবা উ অদু থাঙ্গৎলগা ময়ুমদা পুরকলন্মী। অদুগা মপুদা হায়, "ইপুনা ঙরাং য়ানবা পুবা ঙমদবা উ অদু ঙসি ঐনা পুরকএ কদায়দা থন্মুগে" হায়বদা মপুদো খুমদ্রে। উদু শুমাংদা থারে উদু থাবদা মপুগী য়ুমদু নীকখ্রে। মপুদু ঙক্লন্মী অঙাং অসি করমতৌনা হাৎকনি হায়না খল্লন্মী। মহাক্তি ঈশ্বরগী মচানিনা হাৎপা ঙমদ্রে। চোথে খুলদুগী অকল অথৌ পাখঙ ময়াম পুন্দুনা তিন্নরে অদুগা মপুদুনা হায়, "ঐদি মাবু হাৎপা ঙমদ্রে মাবু হাৎননবা য়াম্না তৌরবনি ঙমদ্রে নখোয়না থোকপা তৌরো। শুমাংসিদা তারিবা উ অসে অঙাং অসিনা পুরকপনি ঐ হাৎপা ঙমদ্রে অঙম্বনা হাৎচরো" হায়না খুলসিদা য়াথং তৌখ্রে। খুনসিদা লৈরিবা মী ময়াম অসিনা য়োৎ থাং পায়দুনা মৈঙাইবু তানরক্লে। মৈঙাইসি চেল্লে। চেনবদগী মহাক্না ক্বাকসিফাই তম্না চেল্লে মানা চেল্লিবদুগী মাঙওইননা পাখঙবনা লমওক ওল্লগা চেল্লে। অদুদগী তান্নরিবা ময়াম অসিনা মমা মচাবু তান্নদ্রে; ওক্তুদি চীঙাক্লিনা মদু হান্না তান্নদুনা ওক্তু হাৎলে। ওক্তু হাৎতুনা শেল্লিঙৈদা মমামচাদু য়াঙ্গোই কারোং লান্না চেনখ্রে। ওক অদু ৱাং খুদেংদা শেমদোকএ অদুগা অশেন্বা ওক অদু পুদুনা চৎকে তৌবদা লাইগী শক্তিনিনা পুবা ঙমদ্রে। ওক্তু শেন্বগী ঈ চেন্থবদুনা উ ওইনা হৌখ্রে অদুগা শদন্দুনা মীশি হায়বা উদু ওইখ্রে। মীশিদুসু অদুম উ ওইনা হৌখ্রে। মফম অদু হৌজিক হৌজিক "ক্বাকসিফাই উ ৱাং মখোং" হায়দুনা ইরাৎনরিবা অসিনি।

ৱারী লীবিরকপা : য়ুলুং তোমাল চোথে (মুলচোং)
তাং : ১৮-৫-২০১৩
চহী : ৫৯
শিনফম : লুপলাকপা
মফম : চোথে খুন, বিষ্ণুপুর।

অশিংবশিংনা অপঙবা লাক্লবগী ৱারী

(অশিংপনা অপংপতা লাক্লবা)

(চোথেগী ৱারী)

থায়না মমাংঙৈদা য়াম্না পঙবা চোথে নুপা অমখক লৈরম্মী। মহাক্কী অপঙবা মতৌ অদুদা খুল অদুদা লৈবা মাগী মরেং-মমান্নবশিংনা উশিত্তনা লক্লবিবা অসি তোয়না তৌরম্মী। মদুদা মহাক করিমত্তা খুন্বা ঙল্লমদে। মহাকপু লক্করগা, শাওহল্লগা, ৱাহল্লগা মখোয় ময়ামগী অপেনবা পোল্লম্মী; অৱা পোৎথানফম ওইরম্মী। নোংমদি অশিংবশিং অদুনা অপঙবা নুপা অদুবু ফাদুনা পুরগা, লাইফম য়াম্না কনবা মীনা চংবদা কীনবা মফম অমদা মখোঙ মখুৎ পুনশিল্লগা থন্বীখি। মহাক নাম্থোকপা ঙমদনা অহিংচুপ্পদু মফমদুদা ৱানা লেনখি। মহাক হাকথি খন্নিংলম্মী। হাকথি খনবা খূদিংগী হাকথি কপু লোইহু লুংচুংপা (চোথে থাঙৱায় পাখঙবা) হায়না শোল্লম্মী। ঙাইহাক লৈরে "হাকথি কপু সোরারেন" (সোরারেন) হায়না শোল্লম্মী। মহাক অসি য়াম্না কিনা অহীংদু লাই ময়ামদু শোন্দুনা লৈরম্মী। অহিং অদুদা লাইয়ামসু লাইফমদুদা লাক্লম্মী। লাইয়াম অদুনা করিনো মসিগী নুপা অসিনা ঐখোয়গী মীং অসুম সোন্দুনা লৈরিসিবো য়েংউসি হায়না লাই ময়ামদু অপঙবদুগী মনাক্তা চংশিল্লম্মী। অপঙবা নুপা অদু মখোঙ মখুৎ পুনশিনলগা তাদুনা লৈরম্বদু থেংনখি। লাই ময়ামদুনা করিগীনো নঙনা মফমসিদা লৈরল্লিবদি হায়না হংলম্মী। অপঙবদুনা ইমান্নবা ময়াম্না ঐবু খোং খুৎ পুল্লগা মফমসিদা থন্বীরম্বনি, অদুদগী নাম্থোকপা ঙমদনা মফমসিদা লৈরল্লিবনি হায়না খুল্লম্মী। লাইয়ামদুনা মাগী পুল্লিবা অদু থাদোকপীরম্মী অদুগা অপংবা নুপাদুদা নঙনা পাম্বা অমা নিয়ু হায়রম্মী। অপঙবদুনা ঐদি বর নিবসু হৈতে, নখোয়না পীনিংবা বর অমা হেক্তা পীবিয়ু হায়না খুল্লম্মী। লাইয়ামদুনা অপঙবদুদা সনা লুপা ময়াম অমা পীবিরম্মী। অপঙবা নুপা অদু ময়ুমদা হল্লক্তুনা লাইয়াম্না পীরকপা সনা লুপা ময়ামদুনা ইনাক খুনবা মী অমা ওইরে।

মমান্নবা অশিংবা ময়ামদুনা মসিগী নুপাসি শিদেনে, করম্মা হল্লকইবনোহংলুসি লাউ হায়না অপঙবগী মনাক্তা চংলম্মী। মখোয়না নঙদি করম্মা হল্লকই হায়না হংলম্মী। অপঙবনা,“ নখোয়না ঐবু খোঙ-খুৎ পুল্লগা থনম্বা মতমদুদা ঐনা হাকথি খনবদা কপু লুংচুংপা, হাকথি কপু সোরারেন হায়না অসুম সোনবদগী লাই ময়াম লাক্কুনা খোং খুৎ পুল্লিবদু থাদোকপীরম্মী। ঐনা অপাম্বা বর অমা নিয়ু হায় মদুদা ঐদি বর নিবসু হৈতে, নখোয়না পীনিংবা অমা পীয়ু হায়বদগী মখোয়না সনা লুপা ময়াম অমা পীরক্লম্মী। মরম অদুনা ঐ হৌজিক ইনাক খুল্লিবসিনি” হায়না ৱারী লিরম্মী। অশিংবা ময়াম অদু, অপঙবগী ৱারী তারুরগা ইনাক খুননিংমন্দুনা ঐবু পুনবীয়ু, ঐবু পুনবীয়ু হায়রম্মী। অশিংবদুগী মরক্তগী অমবু হান্না মখোং-মখুৎ পুল্লগা, অপঙবা থনম্বা মফমদুদা থল্লম্মী। অহিংদুদা অশিংবদুনা হাকথি নমা মকোক-নপা মকোক, হাকথি নমা মকোক নপা মকোক হায়না শোন্দুনা লৈবদা, লাইয়ামদুনা ঙসিসু নুপা অমা লৈরে করিগী মফমসিদা লৈরিবনো হংশি হায়দুনা লাইয়ামদু চংলক্লম্মী। লাইয়ামদুনা মফমসিদা নঙ করি তৌরল্লীবনো হংবদা, “অপঙবা নুপা অমা ঐখোয়না মখোং মখুৎ পুল্লগা থন্বদা লাইয়াম্না থাদোক্লগা সনা লুপা ময়াম অমা পীবদগী ইনাক খুল্লি, অদুদগী ঐসু খোঙ খুৎ পুল্লগা মফমসিদা লৈরল্লীবনি” হায়না অশিংবদুনা খুল্লম্মী। লাইয়ামদুনা, শাওদুনা অপঙবা মী অদুবু নখোয়না লাক্লবা, মসি নুপাসি নুংশিদে শিদ্রিফাও মখোঙ মখুৎ পুল্লিবসি শুকথা থাদোক্কনু হায়না থল্লম্মী। চাদ থক্তবনা অশিংবদু কংদুনা শিখি। লায়রবা, অপঙবা নুপাদু লাঞ্জদবনা অশিংবশিংনা হাৎনবা হোৎনবদা ইনাকতুম খুন্দুনা নুংঙাইনা পানখি। অশিংবা, মীবু লাক্লবা পাম্বা, ইনাক খুন্নিংবা মীওইদুদি অরেম্বদা মপুন্সি মাঙদুনা শিখি।

ৱারী লীবিরকপা : য়ুলুং তোমাল চোথে (মুলচোং)
তাং : ১৮-৫-২০১৩
চহী : ৫৯
শিনফম : লুপলাকপা
মফম : চোথে খুন, বিষ্ণুপুর।

পাখ্রাগী মচা (অরোং পুশনাও)

(চোথেগী ৱারী)

মথায় থায়না মমাংঙৈদা দিরেংলু কৌবী অমগা পুদুন কৌবা অমগা চোথে মতৈ মনাও পাল্লম্মী। মখোয় অনীগী মচা নুপী অমা নুপা অমা পোক্লম্মী। দিরেংলুদি মচা নুপা অদু পোক্লবা মতুং মতম খর লৈরগা শিখিরম্মী। পুদুন পাখ্রা হায়বদু ওইহৌরে। মচানুপী অদুদি অশুম চাউশিল্লক্তুনা ময়ুম পানখ্রে। মচা নুপা অতোম্বদুদি চাউজনথিবা ওইরম্মী। অঙাং অদু মপা পুদুন নত্তনা য়েংশিনবীনবা লৈতবদগী ঈরুজরমদে, মফিসু শেৎলমদে অদুগা মোৎসু য়াম্না মোৎলম্মী। পুদুনসু নৌনা নুপী কায়নখিবনা অতোপ্পা নুপী অতোম্বী অমা থিগে হায়না খল্লম্মী। মরম অদুনা মহাক্না মখোয়গী খুল অদুদগী নুপী অমা কোয়রম্মী। নুপীদুনা নঙগী নচাদু লৈরবদি নঙোন্দা লৈবা ঙম্লোই নচাদু লৈত্রবকান্দা ঐ নঙোন্দা লৈগে হায়রম্মী। অদুদগী পুদুন্না মচাদু হাৎকে খল্লম্মী অদুবু মচানিনা হেক হাত্তোকপসু ঙম্লমদে। মরম অদুনা মহাক্না মচাদুবু হুন্তোক্লুগে হায়না লেপ্লম্মী। মচাদুবু অথাপ-অথাপ্পা মফমদা পুদুনা চৎলম্মী। মহাক্না অসুম অঙাং অদুদা, " ইবুংঙো অসি করি লম্নো" হায়না হংলম্মী। অঙাং অদুনা," ইপা অসিদি ঐখোয়গী লফু লৌনি" হায়না খুম্লম্মী। মফম অমদা অমুক পুরে, "ইবুংঙো অসিদি করি লম্নো হায়না হংই" অঙাং অদুনা "অসিদি ঐখোয়গী পাল লৌনি" হায়না খুম্লম্মী। মথংদা খর অমুক পুবা য়াবা পুরে অদুগা অমুক হংলম্মী, "ইবুংঙো অসিদি করি লমনো?" ইপা অসিদি ঐখোয়গী ফৌ লৌনি" হায়না খুমলম্মী। অদুদগী মপাদুনা অঙাং অসিদি লম লোয়না খঙইনা; লংথোকপা য়ারোই, লম্বী খঙদুনা অমুক হল্লক্কনি খন্দুনা ময়ুমদা পুদুনা লাক্লম্মী। অদুগা মচাদুদা অসুম্না হায়রম্মী, "ইচা ইবুংঙো নঙ ঙসিদগী ঐখোয়গী কাংথক অসিদা লৈরো নুমিৎ খুদিংগী ইপানা নঙগী য়ু, চাকয়োম

লোয়না লংখৎলক্কনি, ৱা ঙাংলকপা য়াদে তুমিন্না লৈগদবনি" হায়না ৱাফমশিং অদু শিন্নরগা মচা অদু কাংথক্তা থল্লম্মী। পুদুন্না মচা লৈত্রে হায়দুনা মমা অতোম্বীদু চেল্লক্লম্মী। পাখ্রাদু নুপী অতোম্বীদু লৌদুনা লৈমিন্নরে। নুমিৎ খুদিংগী পাখ্রাদুনা চাকয়োম, য়ুনচিংবা ময়োম-ময়োম লংখৎলম্মী। নোংমদি নুপী অতোম্বী অদুনা, "নুপা নঙনা নুমিৎ খুদিংগী চাকয়োম লংখৎলিবদু করিগীনো" হায়না হংলম্মী। নুপাদুনা, "ঐখোয়গী য়ুমসি উচী কনবনি উচীগী মচিঞ্জাক্নি" হায়না খুল্লম্মী। নোংমদি মপাদুনা চাকয়োম লংখৎপদা মোরোক শাবা য়েনশাং য়াওরমদুনা অঙাং অদু মোরোক শাদুনা," ইপা মোরোক শারে ঈশিং পীয়ো" হায়রকপদগী অতোম্বীদুনা, " নুপা নঙ নচা লৈত্রে হায়বদাই করিগী নচা লৈরল্লি" হায়দুনা নুপীদু মপামদা চৎখ্রে। অদুদগী পুদুন্না মতৌ করম্না মচাদুবু হাৎসিগে হায়না খল্লম্মী। নোংমা মহাক্না মচাদুবু অথাপ্পা মফম অমদা পুদুনা লাক্লম্মী। অসুম লাকপদা উমং অমদা উজাও অমগী মথক্তা উচেক লাংমৈদোং মচা ওন্দুনা লৈবা উরম্মী। পুদুন্না মদুদা, "ইচা ইবুংঙো নঙ উচেক মচা অসি পান্থ্রা ফাবীয়ুরা" হায়না হংলম্মী। মচাদুনা পাম্মী হায়বদগী ৱানা কৈরাক শেল্লগা মপা মচা উথক্তুদা কাখৎলম্মী। উচেক লাংমৈদোং মকোন য়ৌরবা মতমদা মপাদুনা,"এ: ইচা ইবুংঙো ঐ থি ফায়নিংই। নঙ লৈরম্মু থুনা লাক্কে" হায়রল্লগা কুমথরক্লম্মী।

মপাদুনা মখা হেক য়ৌবগা মচাদু কুল্লকপা ঙমদনবা কৈরাক অদু থবৎ থবৎ ককথৎলম্মী। মচাদুনা, "ইপা অশোমদা অমুক্তা য়েংলকখো ঐবু হুনে দাকপীরমগনু, ঐবু হুন্দোকপীরমগনু" হায়না হন্না হন্না কৌজে মপাদুনা হন্না ফাওবা য়েংলমদনা চৎখিরম্মী। ঙাইহাক লৈরগা উচেক লাংমৈদোং মতৈ মনাওদু হল্লক্লম্মী। মখোয় অনীনা হল্লকপা মতমদা লাংমৈদোং মচাশিংদুগা অঙাং অদুগা নুংশিনা হীক কায়নদুনা, শান্নমিন্নদুনা লৈরম্বদু উবদা ঙক্লম্মী অমদি মতৌ করম্না অঙাংদু মখোয়গী মকোন্দা লৈরল্লিবনো হায়না হংলম্মী। অঙাং অদুনা ৱারী পুম্বা লীরম্মী। ৱারীশিং অদু তারগা উচেক লাংমৈদোং মতৈ মনাও অনীদুনা, "ফরে নঙ নুংতিগী ননাওশিং অসি শংউ হায়না থম্বীরে। উচেক লাংমৈদোং মতৈ মনাও অনীদুনা তাইবং মীগী

চীঞ্জাক্তি করম্না থাক্কদ্রা হায়না খল্লম্মী। মখোয় অনী তান্নরগা চীংলৌ কুন্বা মীওইশিংগী চাকয়োম য়ুখোম্নচিংবা অদু লাকউরগা অঙাং অদুদা পীজরম্মী। অসুম্না অসুম লৈরকপনা লাংমৈদোং মচাশিং অদু চাউরে, শারেপ ফারক্লে। উচেক মপী মপা অনীদুনা পাইবা তম্বীরম্মী। মদুদা অঙাং অদুনা উচেক লাংমৈদোং মতৈ মনাও অদুদা, " ইপা ইমা ঐদি পাইবসু হৈতে নখোয় হল্লকখো" হায়না কৌরম্মী; মদুদা লাংমৈদোং অনীদুনা ঐখোয় হল্লকখিগদবনে হায়না খুমলম্মী। উচেক লাংমৈদোং অনীদু মচাশিংদু পাইবা তম্বীবা লোইরদুনা মকোন্দা হঞ্জিল্লক্লে। অঙাং অদুদা হায়রম্মী, "ইচা ইবুংঙো হৌজিক্তি ননাওশিং অসিসু চাউবা মপুং ফারে, পাইবসু হৈরে, মচিঞ্জাক থাকপগী মতমসু লোইরে, মশানা তাল্লগা চারসনো, নঙ কদায়দা থিনবিয়ুগে" হায়না হংলম্মী। অঙাং অদুনা, "পাবা, ইমা আদা চীং অথাপ্পা মৈখু খুরিবা লম অসিদা থিনবিয়ু" হায়না খুল্লম্মী। উচেক লাংমৈদোং অনীদুনা, " ফরে অদুদি নঙ ঐখোয় অনীগী ইমৈ অসি নখুৎ য়েৎ ওই অনীদু নাম্মা নাম্মা চেৎনা পায়গদবনিকো নঙ তাদনবা" হায়না হায়রম্মী। অদুদগী উচেক অনীদুগী মমৈ পায়দুনা পাইরগা লাক্লম্মী। কনাগী য়ুমদা থিনগদবনো হায়বসু খঙলমদে মচেগী ময়ুম পানফম মনাক্তা থিল্লম্মী। মচেগী ময়ুমসু খঙলমদে মমিংসু হায়দোক্লমদে। খুল অদুগী ঈশিং খোং ময়াদা থনল্লগা উচেক অনীদু নঙনা হয়েং নয়ুম শাদুনা, নয়ুম নকৈ পাল্লগে খল্লবদি ওক ৱাই মঙা হাৎলগা ফকলেন অমা থারগা শদুম মচেৎ মচেৎ কক্লগা ফৌদুনা থম্মু। শারিবা য়ুমগী য়ুমথক অদুদি কুপকনু হায়রল্লগা পাইখ্রে।

ঙাইহাক লৈরগা মচে অদু ঈশিংখোং অদুদা ঈশিং শোকপা লাক্লম্মী, মচেদুদি মাগী মৌপ্পানি হায়বা খঙলমদে, মহাক্কী ঈশিং অদু শোক্লগা," ইবুংঙো ঐগী ঈশিং পুল অসি অমুক্তা থাংকৎপীয়ো " হায়না কৌরম্মী। ঈশিং অদু থাংকৎপা লোইরগা," কনাগী অঙাংনো মশক্লা থিরিবা" হায়না কোকশি হৎলগা মতিন শিৎলম্লগা চৎখ্রে। অতোপ্পা মী লাকই ঈশিংদি থাংকৎহল্লগা, মতিন শিৎলম শিৎলম্লগা চৎখিরম্মী। ঙাইহাক লৈরগা মচে অদু অমুক থোক্লক্লম্মী , অঙাং অদু অমুক থেংনরে। মচেদুনা ইবুংঙো নঙবু

কনানো হায়না হংলম্মী অদুদা অঙাং অদুনা উচেক লাংমৈনা থিল্লকপগী ৱারীদু লীরম্মী, মচেগী মমিংসু তাক্তে, মমা মপাগী মমিংসু তাক্লমদে। মচে অদুনা মাগী অঙাং লৌননবা হায়দুনা ময়ুমদা পুশিন্দুনা থল্লম্মী। মহাকপু মোৎলি থি হায়দুনা, তিন শিৎচিনখিবা মরম ময়াম অসিনা অঙাং অদুনা মচে অদুদা নোংমতা ইচে হায়না কৌরমদে। মচেদুনা লৌ কুমখ্রিঙৈদা মানা অঙাং লৌবা, চাক ইনবা তৌদুনা লৈরম্মী। নোংমদি মচেনা লৌ চৎপদা পোৎ চৈ কাওহৌরে হায়দুনা হল্লকপদা, য়েন্নখাদা অঙাং পোরগা, মমা-মপাগী মমিং পন্দুনা ঈশৈ ওইনা শক্লগা অঙাং থেল্লম্বদু হাইফেৎ তারম্মী। মচেদু স্বাই লাওবা অমা ফাওরম্মী। অদুগা ইবুংঙো হৌজিক্কী ঈশৈদু অমুক্কা শকউ হায়রম্মী। অঙাং অদুনা হৈতেদা হায়না শকউ য়ারমদে। মচেদুনা ঈশৈদু শকউ য়াদ্রবনিনা ঐ চৎলে চৎলে হায়রগা চৎতবীদা ঈশৈ অদু তানিংদুনা মফম অমদা থৈরগা লৈরম্মী। অঙাং অদুনা মচেদু চৎখ্রবোই নিংদুনা মমা মপাগী মমিংদু পন্দুনা ঈশৈদু শক্লগা অঙাং থেল্লম্মী।

"অপুইদরেংলু অপুদুন, দুন"। মচেদুনা মৌপ্পাবু নিংশিংলক্লম্মী। অমদি মাগীদা লৈরিবদু মৌপ্পানি হায়বা খঙলকলম্মী। চেনশিল্লক্তুনা মৌপ্পাবু কোন্দুনা কপমীন্নরম্মী। মচেনা মৌপ্পাদুবু শেংনা ইরুজবীরে অদুগা মফি মরোলনচিংবসু থোনবীরম্মী। মৌপ্পাদু লু নাল্লবনিনা খঙহৌদনা (চাউফম খঙদনা) চাউরম্মী। খরা লৈরগা মচেদুনা নুপী থিবীরে, ময়ুম মকৈ পালহল্লে, ময়ুমসু তোঙান্না শাহল্লম্মী। ময়ুম শাবা লোইশিল্লকপদা মৌপ্পাদুনা উচেক লাংমৈদোং মতৈ মনাওনা হায়রম্বদু নিংশিংলক্লম্মী। মহাক্লা ওক ৱাই মঙা হাৎলগা, ফক্লেন অমা থারগা মচেৎ-মচেৎ কক্তুনা থল্লগা, উচেক লাংমৈদোং অনীবু, "ইপা ইমা উচেক লাংমৈদোং নচাগী য়ুম শারে ওকশা মচেৎ মচেৎ কক্তুনা থল্লে অসি চারো লাও" হায়না কৌরম্মী। উচেক লাংমৈদোং মতৈ মনাওদুনা পাখ্রাগী মচাদুনা কৌবদু তারদুনা মচা ময়ামদু পুদুনা লাক্লম্মী। শদুম অমা পুদুনা য়ুমথক্তা পাইখৎখি, উচেক মতু অমা থেৎলম্মী। উচেক ময়ামদুনা শদূম অমা পুখিবা খুদিং উচেক মতু অমমম থেৎলম্বদগী পাখ্রা মচাদুগী য়ুম অদু ইগী মহুৎতা উচেক মতুনা কুপ্তুনা পুল্লং লংখ্রে। অদুদগী

ময়ুমদু শঙ্গাননবা শেম শাবা পুম্নমক লোইখ্রে। মাগী মমা অতোন্বীগা মপাগা লাক্লম্মী। মচাদুনা সেবা ফজনা তৌরম্মী। মখোয় ময়াম পুন্না ফম্মিন্নদুনা য়ুনচিংবা থকমিন্নরগা হৌখিবা ৱারী পুন্বা মচাদুনা লীরম্মী। ৱারীশিং অদু তানা-তানা মপাদু ঈকাইমন্দুনা য়ু থক্লিবা তোংজৈদুনা মখনাওদা থিন্দত্তুনা শিজখি। মমা অতোন্বীদুসু ঈকাইমন্দুনা মনিংথোংদা চেন্থোক্কে তৌবদা হৌদোং চাক থাফম উখোংতেন্দা মকোক য়ৈশিন্দুনা শিখি। পাখ্রাগী মচাদু ময়ুম মকৈ শাদুনা নুংঙাইনা পানখি। মমা মপা অনীদু ঈকাইদুনা শিখি। মমা পোক্তবীনা মচা নুংশিদবা অসি ৱারী অসিনা খুদম ওইনরি।

ৱারী লীবিরকপা	:	য়ুলুং তোমাল চোথে (মুলচোং)
তাং	:	১৮-৫-২০১৩
চহী	:	৭৫
শিনফম	:	লৌউবা
মফম	:	চোথে খুন, বিষ্ণুপুর।

লাইরবা মচানা ইনাক খুনখিবগী ৱারী
(শরাপুসনাও অচোংপু)
(চোথেগী ৱারী)

মথায় থায়না মমাংঙৈদা মপা মমা অনিমক শিখ্রবা নুপা মচা অমা লৈরম্মী। হায়রিবা নুপা মচাসি খুল্লং চৎপা খুদিংগী ফৌ পীগনি হায়দুনা খুল্লং চৎহল্লগা; মাগী অৱামন ফৌদি শুকপী পীবিরমদে। লায়রবনিনা মশমসু সুক্কক কল্লমদে। মশম কক্তবনিনা লৌ য়ৈবগী ফৌ অদু মশমদা অদুম চংলম্মী। মহাক্না মকোক্কী মশম মরক্তা লৈবা ফৌ অদু অসুম খিকথ খিকথরগা মশম মতোন্দা অসুম তাশিল্লম্মী। মাদি লায়রবনিনা থাং, থুম্মোক, শিংজং, য়োৎ করিমত্তা লৈতে। মপা-মমানা অমতা থন্বীরমদে। মতমদুদা থুম্মোক শাবা অহনশিং য়াম্না লৈরম্মী। থুম্মোক শাবা অহনশিংগী মনাক্তা থাং অথৌবা লৈনরম্মী। মহাক্না মখোয়গী মনাক্তা চৎলগা ৱা অরিবা ইৎলগা মদুনা লৈবাক তৌরম্মী। মহাকসু মাগী চাবা ওকননবা খল্লক্লে। মহাক্না, "ইপু অসিমতা ইৎকে" হায় মদুদা অহনশিং অদুনা নুংশিদুনা, "এ! ইৎলু ইৎলু" হায়দুনা ইৎহল্লম্মী। মহাক্না লৌবূক্তা তৌবসি করম্বা খুৎতৌ তৌবগে হায়বদা- মাগী লৌ অদুদা য়াম্না মরূ চাউবা উরী অমা লৈরম্মী, মদু ফুকপা তারবদি কংলগা লম্মৈ থাবা মতমদা ফজনা চাক্কনি অদুনা মহাক্না উরূ অদু ফুক্কনবা অসুম নুমিৎ মরি মঙানি তৌরম্মী। মহাক্কী তুল্লম্বা খুৎলায় মচিন (ৱা অরীবনা ইৎলগা শাবা) অদু তুমদ্রবনিনা অহনশিংগী মনাক্তা অমুক লাকই। ইপু ৱা অসি অমুক্তা ইৎকে হায়রম্মী। ইৎলু ইৎলু হায়দুনা অসুম ইৎহল্লম্মী। মানা লৈবাক্তু অসুম অসুম তৌবদগী ঙসাইগী উরূ অদু ফুক্তৎখ্রে। উরীশিং অদু মরূ ফুকখ্রবনিনা মরীদু লোইনা কংখ্রে। খুন ময়ামসু লৌ য়ানবা লোইনখ্রে। ময়াম্না নঙবু লৌ য়াল্লে হায়বদাই কদাইদা য়াল্লিবা হায়না ফাগী তৌদুনা

হংলম্মী। মদুদা মহাক্না অসুম্না খুন্নম্মী " অস ঐদি লৌ তৌরিবনি হায়দুনা তৌরিবসি য়োৎসু লৈতে থাংসু লৈতে অসুম তৌরিবা হায়বদুনিদা " হায়না খুম্মী।

অসুম লৈরকপনা ময়াম লম্মে থানবা মতম য়ৌরক্লম্মী। থায়নদি খুন অমগী লম্মে থাবসি নোংমতদা পুন্না থারম্মী। লম্মে থারসি হায়দুনা ময়াম পুন্না লম্মে থানরে। মহাক্না মাগী উরীদু থাবা মতমদদি মাগী পামদুনা ময়ামদগী হেন্না ঙৌরোক ঙৌনা চাকখ্রে।

মহাক্না করি থাগনি খনলম্মী। মকোক্তা লৈবা ফৌদি খরদনিদো। খরদুনা থাবা চৎলে। ময়াম্না ফাগী ওইনা "ওই! নঙনা ফৌ থানি হায়বদুদি কদাই", হায়না ফাগি তৌদুনা লক্লরম্মী। মহাকনসু, "হোই ফৌ থাবনি হায়না থারিবসি অসুম থারিবজাৎনিদা" হায়না খুন্নম্মী। মাগী ফৌদু খজিক্তনিনা য়াম্না লন্না থারম্মী। কুংনা থানবদি লৈতবনিনা লন্না থারে। মাগী লম অদু কোন্নদ্রে। অদুদগী মহাক্না অঙাং নুপা মচা পীশক-পীশকশিংদা হৌরে "হায় নখোয় লাওনে ঐ উচি ফাবিগে।" অঙাংনিনা উচি ফাবিগে হায়বদুদা মাগী মতুং ইন্নরক্লে। মহাক্না য়ুম অমমমদা চংদুনা, " ইবোক, ইপু নখোয়গী কৈসে ঐ উচি ফাবিগে" হায়। উচিদি য়াম্না লৈবনিনা "হো-হো ফাও-ফাও" হায়রম্মী। মহাক্না," অঙাং মচাশা নখোয় য়ুমথক্তা কাখৎলো য়ুমথক্তা থিল্লোকো অদুদগী চেন্থরকপা উচিদুনা ঐনা মখাদা ফাগদবনে হায়রে "। অদুদগী অঙাং মখৈদু য়ুমথক্তা কাখৎলে কৈনুংদদি মথন্দনি চংলিবা অদুদগী ফৌশিং অদু মকোক্তা হাপচিল্লে। মকোক্তা হাপত্রবদি ফৌ ওইনা পুথোক্লবদি মপুদুনা শাওগদৌরিবনিদো, চেন্থোরকপা উচিশিং হাৎপা য়াবা খরা হাৎলগা," অঙাংশা সে নখোয় চারুরোকো" হায়না পীখ্রে। অদুমহায় তৌদুনা মাগী লমদু থুংনবা ফৌ থাখ্রে। অঙকপদি মাগী লৌসি ফৌগী মহুত্তা তুম্বা পাম্বী ওইনা হৌরে। ঈশ্বরনা তুম্বা পাম্বী ওইনা হৌহনবিরে। খুল অদুগী মীয়াম্না,"ওই ! নঙগী লৌদি ফৌ থাবনি হায়না থারগা তুম্বা (জুখোম) পাম্বী ওইনা হৌরে" হায়না নোক্লবিরে। মাসু উপাই লৈতবনিনা

খঙদ্রেদা হায়না শোন্থাংননা খুন্মী। মরমদি ফৌ থারগা তুম্বা পান্বী ওইনা হৌরক্লবনিনা মাসু হায়ফম খঙদ্রে। অদুনা অসুম্না খুন্মী,“ ঈশ্বরনা পীবা হায়বদুনি। ফৌ থারিবনি হায়না তৌরিসি ফৌদিসু লৈতবনিনা লন্নসু থারুরে লন্না থাবদা ফৌশক উদ্রব্রা খঙদেদা”। ঈশ্বরনা মঙোন্দা পীবিবা তুম্বা অদু চাউনা ফজ-ফজনা পাল্লক্লে। মহাক্না লৌ চৎলুবা মতমদদি তুম্বাসিদা উচিনা চিকথৎলম্বদু উরম্মী। উচিনা চিকথৎপা তুম্বাগী মনুংদা ফৌ ওইনা লৈবদুসু মহাক্না উরে। মহাক্না,“হাইস ! করি মওং-মতৌনো” হায়না খল্লম্মী। মীনা হেক্লুরবদি তুম্বাগী তুম্বা অদুম ওইবা অদুগা মানা হেক্লুরবদি তুম্বাশিং অদুগী মনুংদা ফৌ ওইনা লৈবা ওইরম্মী। অদুদগী মানা কৈ শানি হায়দুনা কৈ শাগৎলক্লে। লৈকাই মীয়াম্না, হাইস কৈদৌনবা নঙনা কৈ শাগদৌরিবনো হায়না নোক্লুরে। মহাক্না,“ তুম্বাতা ওইরবসু থম্লনবগীদমক ঐগী কৈ শাবনে” হায়না ফাগী তৌরদুনা খুল্লম্মী। মহাক্না হায়রিবদু ফাগী তৌবা নত্তে অচুম্বা হায়জবনি। কৈ শাবা লোইরে। মহাক্না ফৌনা পীক থন্না য়াওবা তুম্বা ময়ামদু পুরক্লগা কৈনুংদা থুগাইরে। কৈদু ফৌনা পীক থনখ্রে। তুম্বা মউ ফজবা মখৈনা মখোক্তা ককথৎলগা তুম্বা ওইনা লৌরে অদু নত্তবা মখৈনা থুগাই থুগাইদুনা ফৌ লৌথোক্লুনা কৈ অদু ফৌনা পীক থনখ্রে। অদুদগী মহাক নুপী থিনবা হোৎনরম্মী।

লৈকাই অমদা মশক্তি য়াম্না থিবী নুপী অমা লৈরম্মী। মহাকসু লাইরবা মচানিনা মঙোন্দা লৈবিনবা নুপীদি লৈবপোৎ নত্তে । মশক থিবা নুপী অসি লক্ষমীদি য়াম্না চেনবা ওইরম্মী। মশক থিবনিনা কনানসু মাবু কোয়বিদে। নুপী অদু মহাক্না লৌরে। নুপীদুনা মঙোন্দা হায়, “হে নুপা ঐগী অউনপোৎ পীয়ু হায়বা তারবদি ঐগী ইপাগী লপ (শগাই) মথক্তা থৌরি অমা লৈয়ে, থৌরীদু ঐগী ইপাদা পীয়ু হায়য়ু।” মৱাসিনা চৎতুনা হায়রুরে, “ইকুবোক ঐদি অউনপোৎ পামদে, ঐদি ইকুবোক্কী লপ (শগাই) মথক্তা লৈবা থৌরিসি ওইনা পাম্মী” হায়রে। মকুবোক্না এ ! নঙনবু পাল্লবদি পীনি হায়না পীরে। থৌরী অদু মহাক্না পুদুনা লাক এ অদুগা মাগী নুপীদা হায়, “ইকুবোক্না

থৌরীসে পীরক্লে।" মাগী নুপীনা ফরে অদু ওইরবদি থৌরী অদু মকক-মকক ককথৎলু অদুগা থুমখোঙদা চাইশিল্লু অদুদগী কোর খাজিল্লু হায়রম্মী। মহৌশা শন্দংনা ঈশিং থকপসি থুমখোঙদা থকই। মহাক্না থুমখোঙদা থৌরীশিং অদু মকক মকক কল্লগা চাইশিল্লে অদুগা কোর খাজিন্দুনা থম্লম্মী। নুমিৎ হুম্নি লৈরগা য়েংলুবদা থৌরী মতৎশিং অদুনা খজিং ওল্লম্মী। নোংমা অমুক লাকপদনা জাৎ জাৎ কী পোৎ অসুম ওনবদগী নোংমদি শন্দং ওনখ্রে।

ৱারী লীবিরকপা	:	য়ুলুং তোমাল চোথে (মুলচোং)
চহী	:	৫৯
শিনফম	:	লুপলাকপা
মফম	:	চোথে খুন, বিষ্ণুপুর ।
তাং	:	১৮.৫.২০১৩

দাঙহুই

(কোমগী ৱারী)

দাঙহুই ইবেম্মনা চহী ৬-৭ (তরুক-তরেৎ) ফারকপা মতমদা অপোকপী মমাগা কায়নখি। মতম খরা লৈরগা দাঙহুইগী মমা অতোম্বী অমা পুরকখি। মতম অদুদা দাঙহুই ইবেম্মনা তাইবঙগী মীরোল শুদ্রিগৈ মতম ওইবনা পোক্তবী মমা অতোম্বীনা দাঙহুইবু অদুকী মতিক ওৎনৈবীখি, শা-ষণগুম্না শীজিন্নখি। মমান্নবা মমান্নবীশিংগসু তিন্নহনখিদে। অসুম্না নোংমা নোংমা হৌখিবনা হৌজিক্তি দাঙহুই যৌবনগী মতম য়ৌরক্লে, মতমগী ঈরাং য়াওরক্লে। কোম জাতিগী নুমিৎ মঙানি চুপ্না পাঙথোকপা জগোইগী কুম্মৈ অমা লৈ। অসিগুম্বা নাৎকী কুম্মৈ অসিদা দাঙহুইসু য়াওনিংদুনা থোরক্লম্মী।

থায়না মমাংঙৈদগী চৎনরকপা নাৎকী ওইবা কোম জাতিশিংনা মপা মপুশিংদগী হৌনা নুমিৎ মঙানি চুপ্না পাঙথোক্লরম্বা জগোইগী কুম্মৈ অমদা দাঙহুই ইবেম্মা মতমগী ইরাং অমদি যৌবনগী মতম য়ৌরকপদা চহীগী কুম্মৈ অসিদা য়াওনবা থোকলম্মী। পোক্তবী মমানা দাঙহুই ইবেম্মবু থিরকতুনা মীয়াম মরক্তগী চীংথোকলক্তুনা পুরকখি। তুংদা ঐনা হায়বা ইনগদ্রা ইল্লোইদ্রা হায়না মমা পোক্তবীনা হংখি। দাঙহুই ইবেম্মা অদুকী মতিক অৱাবা চৈথেঙ মায়য়োক্লখি।

অমুকসু দাঙহুইবু মমা পোক্তবীনা থাংজিং চীংখোঙগী লাইরম অমদা থোঙনবা এঙ্গাং লৈতে, নঙ খুদক্তা এঙ্গাং হেকপা চৎকদবনি হায়না থৌদাখি। তৌফম লাকফম খঙদবমখৈ দাঙহুই ইবেম্মা, থাংজিং চীংখোঙগী

পুলৈ পান্বী হৌফম লাইরম অসিদা পুলৈ হেকপা চৎপা তাখি। মতম অদুদা দাঙহুইগী মপুবোক থোকপশিংগী হুই অমনা দাঙহুইবু মাগী চৎফম অদুদা লোয়নবিরম্মী। পুলৈ হৌবা মফম অদু য়ৌরকপদা কৈনা হুই অদু তান্নরকখি, অদুগা হুই অদু দাঙহুইগী মখোঙ অনীগী কারক্তা নাম্থোক্তুনা চেনখি অদুগা দাঙহুইবুদি কৈনা হাৎখি।

দাঙহুইনা পুলৈ হেকপা চৎপদগী হল্লক্ত্রবদা মীয়াম্না থিনরকখি। মহাক্না পুলৈ হেকপা চৎপা মফম থাংজিং চীংখোঙ তম্না মীয়াম অদু লাক্লম্মী। মতম অদুদা দাঙহুইনা পুলৈ হেকইবা লাইরম অদুমক্তদা হুই অদুনা শোর থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা চেল্লকখি অদুগা দাঙহুইসু মফম অদুদা তাদুনা লৈরমখি। অদুগা কৈ অদুনা দাঙহুইগী মখৌরিদা ঈ চুপ্পগী কৈগী য়াখুলসু তারম্মি। দাঙহুইগী অশিবা হকচাং অদু নাৎকী চৎনবীগী মতুং ইন্না খুনগী পম্থোঙ অমদা পোৎলোইখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	হেনৈচুং লৈফোন
তাং	:	২৪-৫-২০১৩
চহী	:	৭৯
শিনফম	:	সোসিএল ৱার্কর
মফম	:	কোম কৈরাক, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট ।

শা-উচেক্কী ৱারী

(কোমগী ৱারী)

নোংমা কৈনা ঐখোয় চহীগী ওইবা খুৎলং শেমদুনা য়ুম য়ুমগী ওইনা ঐখোয় ময়াম থবক শুগদবনি হায়না লাউথোকলম্মী। মদুদা থরোই, তোকপা, লম উচেক হায়রিবা মখোয় অহুম্না চুম্মি হায়না কৈবু মতেং পাঙলম্মী। অদুদি কনাগীদা ইহান হান্না শুবা হৌসিগে হায়না হংনরকপদা থরোইগীদা হান্না শুরসি হায়না য়ান্নরে। অদুগা থরোই নঙনা চাক এঙ্গাং অহাওবা অমা থোঙদুনা পুরক্কদবনি হায়নসু ময়ামনা য়ান্নরে। মদুদা থরোইনা চাক্কী মথক্তা মনপ শিংচিল্লক্তুনা পুরক্লে, মখোয় ময়াম্নদি হাউই-হাউই হায়দুনা চারে। কৈনা অমুক্কা হয়েংদি কনাগীদা থবক শুসিরা হায়নরকপদা লম উচেক্কী লৌফমদা হায়না য়ানরে, অদুগা লম উচেক অদুনা মখোয় ময়ামগীদমক মহাক্কী মরুম অদু হাউনা থোঙদুনা পুরক্লম্মী, অদুগা ময়াম্নসু হাউনা চারে।

চাবা লোইরবা মতুংদা তোকপনা, নঙ কদাইদগী মরুমশিং অসি পুরকই হায়না হঙলে মদুদা লম উচেক অদুনা খোই ময়ামগী লৈফম অমদগী ইরুম থুদুনা পুরকপনি হায়না হায়জিনবিরে। তোকপা অদুনা হুরানগদৌবগী মতৌ অদু লম উচেক অদুনা খঙখিরম্মী; অদুগা তোকপা অদুনসু মীচিক মীরাউখোল তাদ্রবা মতমদা কনা লৈবগে হায়না য়েংদুনা লোন্না লম উচেকনা হায়রিবা মফম অদুদা চৎলুবদা, খোই ময়াম্না চীকলক্তুনা মমাই-মমিৎ ইপোম পোমদুনা হল্লকখি। মদুদা লম উচেক অদুনা খঙশিন্নদবা শারগা হঙলকলম্মী কৈদৌরে নমাই নমিৎ ইপোম পোমলিবদি হায়না। মদুদা তোকপনা ইকাইদুনা খোইহী চারুবদগীনি হায়না খুল্লম্মী।

মথংদা হয়েংদি কনাগীদা থবক শুসিরা হায়না হংনরকপদা কৈগী ইংখোলদা শুসি হায়নরকপদা ময়াম্না হোয় হায়না য়ান্নরে। নুমিৎ অসিদা

কৈ অসিদি ময়ুম মকৈ লৈতবা কোইচৎ চৎলগা লৈবা মরম্না, ময়ামগী পুনরকলিবশিং অদুগুম্না থোংবিনবা লৈতবদগী মাগী মথি ময়াম অদু য়োমদুনা ময়ামগীদমক্তা পুননবা শেম শারে, ময়ামগী চাক চাফমদসু থমদদুনা উমংগী অশোংবা মফম অমদা লোত্তুনা থমলম্মী। ময়াম্না চাক চাবা মতম য়ৌরকপদা হো কৈ হনুবা নঙগী চাক্তি কদায় হায়না হংনরক্লে, মদুদা কৈ অদুনা খঙশিন্নদবা শাদুনা তুমিন্না লৈরে। ময়াম্না য়ারোই য়ারোই হায়দুনা কৈ অদুগী লৈফম তম্না চঙশিল্লকপদা, কৈ অদুনা ঙসাই মানা লোৎলম্বা মথি ময়োম অদু পুরক্তুনা পীরে। মথি অদুগী নমথিবা মনম অদুনা ময়াম লৈবা, পুনবা ঙমদদুনা মফম অদুদগী চথোক্লখি। নুমিৎ অদুদগী হৌনা ঐখোয় ময়াম্না কৈগী যুমদা থবক শুবা তোকলসে হায়না মখোয় ময়াম্না য়ান্নরে, অদুগা ঙসিদগী কৈনা ঐখোয়গী ইনিংথৌ ওইবদগীসু তোকহল্লসে হায়নসু য়ান্নরে। কৈমুক মচিন থিবা, মীগী লনথুমতমক চানিংবা মীবু পীজনিংদবা, কৈমুক তমথিবা জীবা লৈতে হায়নরে।

ৱারী লীবিরকপা : হেনৈচুং লৈফোন
তাং : ২৪-৫-২০১৩
চহী : ৭৯
শিনফম : সোসিএল ৱার্কর
মফম : কোম কৈরাক, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট ।

চেমচৌথৈপা (থাং ফেংবা)

(কোমগী ৱারী)

নুপা অমনা তুরেল তোর্বান্দা থাং ফেংদুনা লৈরম্মী। মহাক্না থাং ফেংবা মতমদু মহাক ফিজেৎ খরা কাল্লম্বা জাৎনি। মহাক্না অসুম থাং অদু ফেংদুনা লৈরিঙৈদা খজিং অমনা লাক্লগা থাং ফেংবদুগী ফিনুংগী হকচাংদা ফৎ লাওনা কাপ্লম্মী; মদুদা থাং ফেংবদুনা হায় ! করিনো হায়না মাগী থাংদুনা খংবোই করি ওই হাইবদা নোম্থদুনা লৈবা ৱাতোন অমা থবৎ লাওনা ককখিরম্মী।

অদুদগী ৱাতোন্দুনা হাইগৎখিদুনা লময়েন অমদা থেংলুরে। লময়েন্দুনা অমুক খংদুনা চেনখ্রগা ককচেং মহুমদা খোৎতৎলুরে ককচেংশিংদুনা অমুক লমওক অমগী হকচাং থোংদা চীল্লুরে। লমওক অদুনা নামনখ্রদুনা লফুপান্বী অমদা ৱাইরুরে, লফুদুদা মকোন শারম্বা শেকপী অমনা পাইথোকখ্রগা শামু অমগী মনাকোংদা চংলুরে, মদুদা শামুদুনা হৈনদদনা শুম্বল ইন্থুরুরে, শুম্বলদুনা তাশিন্দুনা লুখ্রাবী অমগী ময়ুম অমুক নল্লুরে। মদুদা ময়াম্না, “হায় হায় শুম্বল নঙদি করিগীনো ওন্থদুনা মীগী ময়ুম শেগাইহনব্রা? নঙনা শিংবা তারে” হায়। মদুদা শুম্বলদুনা ঐনা ওন্থবা নত্তে শামুনা ঐবু ইন্থবনে হায়না খুম্মী। শামু নঙদি করিগী শুম্বল ইন্থরি হায়বদা শামুনা অমুক খুম্মী, শেকপীনা ঐগী নাকোংদা চংলকপদগী হৈনদদুনা শুম্বলদা তাইনখিবনি হায়রে। হায় শেকপী নঙদি করিগী মীগী মনাকোংদা চংব্রা হায়রে। শেকপীনা এ! কদায়দগী ঐগী লৈফম লফুদা ওক্না নৈখায়দুনা ঐনা নুংঙাইনা লৈজরম্বা ইয়ুম থুগাইবিরে ঐগী লৈফম লৈতদনা চংবনি হায়রে। ফরে-ফরে অদু ওইরদি হায় ওক নঙদি করিগী শেকপীগী লৈফম লফুদু করিগী নৈখায়রিবনো হায়না হায়বদা, ককচেংনা ঐঙোন্দা চিল্লকপদগী খাংবা ঙমদনা নৈবনি হায়রে। ককচেং নঙদি করিগী ওক্নী

হকচাংদা চীক্লুরি হায়রে। লময়েন্না ঐগী ইকোন খোৎতত্তুনা থুগাইবীরে অদুদগী ওক্তা তাইনরুবনি খুমলে। হায় লময়েন নঙদি করিগী ককচেং মকোন খোৎতৎলুরি, হায়না হঙবদা কদাইদগী ৱাতোন অমনা ঐবু য়ানথৎতুনা থুগাইরে অদুগী খংদুনা ককচেং মকোন্দা খোৎলুবনি হায়না খুল্লে। হায় হায় ৱাতোন নঙদি করিগী মীগী ময়ুম নল্লি হায়রে। ৱাতোন্না ঐনা ননগে ননবসু নত্তনা থাংফেংবা নুপা অমনা ঐগী মতোন থবৎ লাওনা ককথৎলকপদগী ননখিবনি খুমলে। হায় থাংফেংবা নুপা নঙনা করিগী ৱাতোন কক্লুরিবা হায়রে। থাংফেংবনা ঐনা কক্কে হায়না ককপা নত্তে ঐনা থাং ফেংলিঙৈদা খজিংনা ঐগী ফিনুং হকচাং থোংদা ফৎলাওনা কাপ্লকপদগী নামনখিদুনা থাংসি হায়বদা ককখিবনি হায়না খুল্লে। ময়াম্না খজিং নঙনা করিগী থাং ফেংবগী ফিনুং হকচাংদা কাপ্লুরি নঙ দন্দি ফংবা তারে হায়রে। ঐদি অদুম কাপ্পনে অদুদি কমদৌনি হায়রে। মদুদা খজিংনা ঐদি অসুম ঈশিংদা লৈবদা নুংঙাইনা ইখ্বাং অসি কোল্লগা লৈবনে; কংফালদা পুখৎলবদি ঐগী মচু অসি ঙাংশং ঙাংবনেকো হায়বদগী ময়াম্না খজিংদু ফারগা নুংশাদা ফৌরে মদুদা ঙাংশং ঙাংলে। অসুম্না খজিং অদু নুংশাদা ফৌদুনা দন্দী পীরম্মী। অদুনা হৌজিক খজিং অসি ইমা ইবেনশিংনা ফৌবদা ঙাংলিবসি মাগী দন্দীনি হায়না থাজনৈ। অসুম হায়না অহল লমনশিংনা ৱারী লীনরম্মী।

ৱারী লীবিরকপা : হেনৈচুং লৈফোন
তাং : ২৪-৫-২০১৩
চহী : ৭৯
শীনফম : সোসিএল ৱার্কর
মফম : কোম কৈরাক, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট।

পারকুং পারহোয়
(কোমগী ৱারী)

থায়না মমাংঙৈদা কোম পাখঙ পারকুং কৌবা অমনে পারহোয় কৌবি লৈশাবী অমগা লৈরম্মী। মখোয় অনী অসি অঙাং ওইরিঙৈদগী তিন্নদুনা শান্নমিন্নদুনা লৈরম্মী। মখোয় অনী অসি পীশক পীক্লিঙৈদগী অদুম তিন্নরকপনা হয়েং পাখঙ লৈশাবী মপুঙ ফারবা কান্দা লৌনা লৈনসি হায়নরম্মী।

অসুম লৈরকপনা মখোয় অনী পাখঙ লৈশাবী মপুঙ ফারক্লম্মী। পারকুংদি লায়রবনি অদুনা পাময়ানবা শিংচনবা চৎপা মতমদা পারহোয়না হেক হেক চাকয়োম পুদুনা পীজৈ। মহাক্না ঈশিংকাসু পীথক্লম্মী অসুম্না মখোয় অনী নুংশিনা লৈমিন্নরম্মী। মতমদুদা ত্রাইবেল জাতিগী লুহোংবদা মংকৎ পীনবা অসি চৎনরম্মী। মংকৎ পীদ্রবদি লুহোংবা তোক্লরম্মী। পারকুংদি পীদৎ পাদৎপা লায়রবা লুখ্রাবী মচানি অদুনা পারহোয় খোয়গী শাগৈ অহল লমনশিংনা পারকুংদা পারহোয় থাজবা লুহোংবা য়ারমদে, পান্নমদে। মখোয়গা ঙাই ওইবা সুকপাম পামদে হায়না পারহোয়গী শাগৈগী অহলশিংনা ইচা পীবা য়াদে হায়না য়ারমদে; কন্না থিংখ্রে।

চীংগী জাতিগী মংকৎ পীবগী চৎনবী অসি লৈবনা পারকুং মংকৎ থিবা চৎপা তারম্মী। পারকুংনা মংকৎকীদমক, শেন্নুং ফীরোলনচিংবা পোৎচৈ হৌনবী পুম্নমক পীবা ঙম্নবা চহী অহুম মোরে তুমুদা শেল তানবা চৎপা তারম্মী। হয়েংদি তুমুদা মংকৎ তানবা চৎপা তারে হায়না তাবদগী শিংচনবা চৎলুরগা হল্লকপদা ঈশিং মপান্দা ফম্মিন্নদুনা মখোয় অনী কপমিন্নরম্মী। অদুগা পারকুংনা হায়রম্মী "নঙনা অশেংবা নুংশিরবদি ঐবু ঙাইরম্মু অদু নৎত্রদি ঐ শিরগনি"। পারহোয়নসু শোইদনা ঙায়রমগনি

হায়রম্মী। অদুদগী মখোয় অনী ৱাশক্লরম্মী। মখোয় অনীনা ইংখোল মচি অমদা লাংথ্রৈ থারগা পারকুংনা পারহোয়দা হায়, হয়েং ঐনা মীরমদা লৈথ্রিঙৈদা লাংথ্রৈ অসিনা করিসু তৌদনা ফজনা হিংদুনা লৈরবদি ঐ করিসু অৱা অনা নংদনা নুংঙাইনা লৈরি খঙউ অদুগা লাংথ্রৈ অসিনা কংলক্লবদি ঐ অৱা অনা নংলে লৈত্রে হায়বা খঙউ হায়না হায়রম্মী। অসুম তৌনা পারকুংদো মংকৎ থিবা চৎখিরম্মী।

মতম খরা লৈরগা পারহোয়গী অহল লমনশিংনা লায়রবা লুখ্রাবী মচা পীদৎ পাদৎপদুগীদমক নঙনা খাংদুনা লৈবা য়ারোই। অতোপ্পা ঐখোয়না শিল্লিবা নুপাসিদা লুহোংবা য়াগদবনি হায়না থিনা থিনা ঙাংলম্মী। পারহোয়সু মদু পুন্নমক ৱানা কপ্তুনা খাঙলম্মী। পারকুংগী মপাওদি তাবা ফংদ্রে হায়না মানা থারম্বা লাংথ্রৈ মখোংদা চত্তুনা য়েংবদসু করিসু তৌরমদে। অদুনা মহাক করিসু তৌরম্লোই খন্দুনা অমুকসু নুংঙাইথোকই।

অসুম্না চহী খরা লৈরগা পারকুংনা মীরমদা মংকৎ তানবা লোইদুনা হল্লক্লম্মী। মানা অসুম হল্লকপদা মখোয়গী খুল য়ৌরমদাই থোংখোং অমদা মাগী পোৎচৈশিংদু থারগা পোৎথাদুনা লৈরিঙৈদা শেম্বুং মখোল তারম্মী। লম্বীদা শিংচনবা চৎলুরগা হল্লকপা খুলগী মীয়াম্না করিগী শেম্বুং মখোলনো শা ফাবা শা হাৎপগী পাউসু লৈতে হায়না হংনরকপদা অখঙবা মীওইশিংনা শা হাৎপা শা ফাবগী শেম্বুং মখোল নত্তে পারহোয় লুহোংবগী য়ৈরিবা শেম্বুংনি হায়না খুম্লম্মী। মখোয় ময়াম্না হায়নবদু তাবদা পারকুংনা, "ঐনা অসুক ৱানা মীরমদগী নঙগীদমক তাল্লুবা শেনবুং ফিরোল পুন্নমক করি কান্নগনি, ঐনা তাল্লকপা মফমদুদা তাউথখ্রো" হায়না তুরেলদা লংথরম্মী। লংথবা মতমদা অসুম্না হায়দুনা লংথখি- "পারহোয় নঙনা ইবান্নী য়ানখিবা হায়নখিবা ৱারী ময়ামদু কাউথোক্লগা অতোপ্পদা লুহোংলবনিনা; নঙনা হয়েং অঙাং পোকপা মতমদা নুমিৎ তরেৎনি পোকপা ঙমদনা য়ান্দুনা লৈয়ু। নঙগী মাইবা কনাসু লৈতবা ওইয়ু। মদুনা নঙ শিবা ওইয়ু" অসুম্না শাপ থা-থাদুনা ঈশিংদা লংথখিরম্মী। অদুগা পারকুংদো কপ্পা কপ্পা মমা লুখ্রাবীগী মনাক্তা হল্লক্লম্মী।

অসুম্না পারহোয়দো ময়ুম পান্দুনা অঙাং উনবগী মকুম মথা শুরক্লম্মী। মানা অঙাং উনবা মতমদুদা মাগী মাইবা পাঞ্জী অমতনসু অঙাং উনবা ঙমদ্রে য়ান্দুনা লৈরে। নুমিৎ তরেৎনি শুজিল্লক্লে। মশা পুম্নমক কংশিন্দুনা শিগদৌরে। মাইবা পাঞ্জি কয়ানা য়েন হাত্তুনা, হুই কত্তুনা, ওক হাৎতুনা থৌ তৌরে করিমতা কান্নদ্রে। মাইবশিংনা হায়রে পারকুংনা শাপ তৌখিবা ময়াম তাখিবা লৈ অদুনা পারকুং য়াওদ্রবদি অঙাং উনবা ঙন্নরোই, শিবা তারে হায়না খুন ময়াম হৌদুনা পারকুংগী মনাক্তা লাক্লে। পারকুংগী মমানা মীয়াম্না লাক্তুনা হায়ররবনিনা মীগী থৱায় কনবীরুরো হায়না পারকুংদা য়াথং পীরম্মী। অদুদগী পারকুংনা লাক্লগা ঐনা শাপ তৌবা পুম্নমক ঙসিদগী কোকপা ওইরো হায়না য়েৎ থংবা থোং থোংজিন্দা কাওবা কান্দা পারহোয়দো মচা পোকখ্রে। মচা পোক্লবসু পারহোয়দি শিবদৌনা লৈবদগী পারকুংনা মকোক্তগী মখোং ফাওবা নাস্থবীবদগী হিংলক্লে। পারহোয়গী মাইবদি পারকুং ওইরম্লে হায়না পাউরৌ তৌনখি। অদুদগী মখোয়নি থুংনদ্রবসু শাপ শোনখিবা ময়ামদু কোকপিদুনা পারহোয়সু নুংঙাইনা মচা পোক্তুনা পানখি। অদুগা পারকুংসু নুপী অমা থিদুনা খুল অদুদা নুংঙাইনা পানখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	হেনৈচুং লৈফোন
তাং	:	২৪-৫-২০১৩
চহী	:	৭৯
শিনফম	:	সোসিএল ৱার্কর
মফম	:	কোম কৈরাক, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট ।

জুলু মোসরো
(মাওগী ৱারী)

জুলু মোসরো হায়বা লাইরেন্বী অসিনা পৃথিবীগী নোংথক নোংখা অসিবু শেল্লকপা মতমদা, পৃথিবীদা লৈরিবা পুম্নমক অসিসু যাওনা মথং-মথং শেমলক্লম্মী হায়না মাও জাতিদা থাজনদুনা লাক্লি। হায়রিবা লাইরেন্বী অসিগী মনাক্তা লৈচিননা লাকপা মতমদা ওইরিবা ফিভম; হায়বদি অঙৌবা লৈচিন ওইনা লাক্লগনা অঙৌবা মী, নোংলৈ নুংশিৎকা লোয়ননা মুশুক মুনা লাক্লগনা মী অদু মুনা, অসুম্না পৃথিবীদা লৈরিবা পুম্নমক অসি মথং মথং শেল্লক্লম্মী । মতৌ অশুম্না শেল্লকপনা শা, উচেক, তোঙান-তোঙানবা মীওই কাংলুপ, জাতি পুম্নমক অসি খেন্ননা শেল্লক্লম্মী। লাইরেন্বী অসিনা ইহান হানবা ওইনা মহাক্কী মচা অহুমখক শেল্লম্মী। মখোয়শিংদুগী মরক্তা কৈনা খ্বাইদগী অহন্নি, অনীশুবদনা লাইনি অদুগা অহুমশুবা অদুনা মীওইবনি।

মখোয়না শীন্থা পাংবা চৎপা মতমদা মমা লাইরেন্বী অসিগা লোয়ননা অহানবদা মচা অহনসিগা লৈহৌরম্মী। মমাদা কৈ অদুনা ইমা নঙনা শিরবা মতমদা নঙগী নখুৎসে ঐনা চাথোক্লগদৌবনি হায়রম্মী; অমুক্কা নখোঙসে চাগদৌরিনি; অমুক্কা নকোক চাগদৌরিনি হায়দুনা মমা লাইরেন্বীবু মথ্বাই নুংঙাইহন্দবগা লোয়ননা লৈফম চাফম খঙহল্লমদে। থবক শুবা চৎখিবা ময়াম অদু নুমিদাং ওইরক্তুনা হন্নরক্লম্মী মদুদা মমা লাইরেন্বীনা, ময়ামদা মচা অহল কৈনা মঙোন্দা হায়খিবা পুম্নমক হায়দুনা মহাকপু নুংঙাইফম খঙহনদে য়াম্না ৱাহল্লি হায়না তল্লম্মী। মথংগী নুমিত্তা মচা অনীশুবা লাই অদুগা অমুক

লৈমিন্নহৌরম্মী। মদুদা মচাদুনা মমাদুবু করিমত্তা য়েংদবদগী মমাদু অরুম লাইহৌ হৌদুনা মশা নুংঙাইরমদে। মদুসু ময়াম হল্লক্কবা কান্দা মহাক্না তল্লম্মী "ইচা লাই অসিগা লৈবসিদি অরুম হৌদুনা হকচাংসে ঙমদদনা লৈরবসু করিসু য়েংদে।" অদুগা অমুক হৌজিক মচা অহুমশুবগা অমুক লৈমিন্নহৌগদবা ৱাৎলি হায়না ময়ামদা হায়রম্মী। মচা অহুমশুবা মী অদুদি মহাকপু সেবা নিংথিনা তৌরম্মী। মমাবু করি পাম্বগে, করি তৌজরকউগে হায়দুনা মমাদুবু লুনা, নুংশিনা সেবা তৌরম্মী। মদুদা মমা লাইরেম্বীদু য়াম্না অপেনবা পোক্লম্মী। ময়াম্না হল্লক্কবা কান্দা মমা লাইরেম্বীনা ঐগী ইচা অহুমশুবা অসিনা ঐবু সেবা নীংথিনা তৌবদগী ঐ য়াম্না নুংঙাইরে, পেল্লে হায়না হায়রম্মী। পৃথিবী পুম্বদা হায়রিবা ৱাফম অসিবু শন্দোকখিরম্মী। অসুম্না লৈচিননা মনাক্তা চংলকপদা ওইবা মওং মতৌগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা মওংদা মীওইবা জাতি অসি শেমখিবনি হায়না থাজনৈ।

ৱারী লীবিরকপা	:	আর. ঐচ. দাইখো মাও
তাং	:	১-৬-২০১৩
চহী	:	৬০
শিনফম	:	সেনিঅর গুরু জে. এন. দানস একাদেমি, ইম্ফাল।
মফম	:	লম্ফেল কাটর কোলোনি।

কাদিনি-কাজীনি

(মাওগী ৱারী)

থায়না মাও হায়রিবা চীংগী লম অদুগী খুল অমদা কাজীনি কৌবী লৈশাবী মচা অমখক লৈরম্মী। মহাক্কী মমা অতোনবীনা পোকপা মনাওনুপী কাদিনি কৌবী অমসু লৈরম্মী। মহাক্কী অপোকপী মমা অদু মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদা য়াম্না ঙন্না লৈখিদ্রে। মদুদগী মহাক্কী অপোকপা মপানা মমা অতোনবী অমা অমুক থিরম্মী। অদুদগীদি মনাওনুপী কাদিনিসু পোক্লম্মী। মমা অপোকপী লৈখিদ্রবী কাজীনিবু মহাক্কী অপোকপা মপা অমদি মমা অতোনবীনা কয়া থৌশাবিরমদে অমদি মনাওনুপী কাদিনিদনা হেন্না লুনা চান্না তৌরম্মী। ইমুংগী থবক ইনখাং হায়বদি চাক থোংবা, শীং থিবা, লোক্তগী ঈশিং শোকপনচিংবা ইমুংগী কুপ্লোম খুদিংমক মঙোন্দা তৌহল্লম্মী। অদুগা মনাওনুপীদদি নোংমতা করিগুম্বা থবক অমত্তা তৌহল্লমদে, নুংঙাইনা থল্লম্মী। পুন্নমক অসিনা অহোইনদুম কাজীনিদি মশক ফজবদা নত্তনা মশা-মউসু য়াম্না ফরম্মী অমদি ইনখৎলকপগী য়েংবা নুংঙাইরম্মী।

খুল অদুদা মাও জাতিগী ওইনা চহী অমগী মনুংদা অমুকখক্তা পাংথোকপা চীথুইনি হায়বা কুম্মৈ অদু লৈশা পাখংতগী ওইবা ফোকী কাপ্রা হায়বা চীং কাবগী কুম্মৈ অসিনি। মীপুম খূদিংমক মহাক মহাক্কী লৈজ লৈজবা অরু অনানগী ফীজোল ময়াম অমা শেৎ চাদুনা কুম্মৈ অসি পাংথোক্লে। মনাওনুপী কাদিনিগীদি মমানা নিংথিনা লাংদুনা থম্বনা ফজবা ফি শেৎ-চারম্মী অদুবু কাজীনি মহাক্কীদি কদাই! মমা পোক্তবী ওইবনা মহাক্কীদি করিসু লাংবিরমদে। অদুনা মহাক্তি ফজবা ফি অমত্তা লৈতদুনা ইচম চম্বা ফি শেৎ চারম্মী। কুম্মৈ অসিদা পাখংশিংনা খুৎতা থাং-তা পায়দুনা হোই লাওরদুনা চীং কারম্মী অদুগা লৈশাশিংসু কোক্তা চাকয়োম, য়ুয়োম, চান্ন-থক্লবা হাপ্পবা লৈশাগী শম পুদুনা চীং অসি কারম্মী। কাদিনি, কাজীনি মখোয় অনীসু চীং কাবসি য়াওরম্মী।

চীংথক য়ৌরে লৈশাশিংনা শমদা পুরকপা চান্ন থক্লবা ময়ামদু মাগী মাগী খঙনবা পাখংশিংগা লোয়ননা চামিন থকমিন্নে। চামিন থকমিন্নবা লোইরবা মতুংদা লৈশাশিংদু ঈশৈ শকমিন্নরম্মী, পাখংশিংনা মাংজোং চোংবা, লমজেল তান্নবা, থৌরি চিংনবা, মুক্লা শান্নবনচিংবা অহেন-অথোই কয়া তান্নরম্মী। লৈরিবা ময়ামদুনা কাদিনিগী খঙনবা নুপাদগীদি, কাজীনিগী খঙনবসিনা হেল্লিনে; মহাক্কী খঙনবা নুপাসিনা ময়ামদগী খুদিংমক্তা ইহেন হেল্লে হায়না চিবোন-চিবোন ঙাংনরম্মী। কুল্লকপা মতমদু য়ৌরকপদা মাগী মাগী খঙনবা পাখংশিংদুনা নীংথিনা কল্লবা উশিং শমশিংদা হাপ্পীরম্মী। অদুগা লৈশাশিংদুনা হোই-হা লাওদুনা নুংঙাইনা শমশিংদু কোক্তা হাপ্লগা অমদি পাখংশিংদুনা হোই লাওদুনা চীংদগী কুমথমিন্নরম্মী।

খুল য়ৌরকপা মতমদা অহল অঙাং খাক্তনা থোক্লক্লগা শমদা য়াওরিবা উশিংদু য়েংনরম্মী। তীল্লিবা মীয়ামদুনা কাদিনিগী য়াওরক্লিবা উশিংসিসু ফজববুদি ফজৈ হায়ববু কাজীনিগীনা হেল্লী, কাজীনিগী খঙনবা, পামজবা নুপা য়াম্না লৈবজাৎনি হায়না ঙাংনরম্মী। ৱাফম অসি কাদিনিসু লোইনা তারম্মী অমদি নুংঙাইতবা খরা ফাওরম্মী। পুরক্লিবা শমশিংদু খুলগী নিংথৌগী শুমাংদা লোইনা থল্লম্মী। অদুগা অমমম থোক্লক্লগা মানা শেৎলিবা ফিজোলদুগা লোয়ননা ‘ কাদে ’ হায়বা জগোই অসি শারম্মী। কাজীনিসু অতাংবা অহনবা ফি শেৎ চাজদ্রবসু মহাক্কী শল্লাং, শবান, ফজরবা শক-চু অদুনা তীললিবা মীপুম খুদিংগী থম্মোয় শুমহৎলম্মী। মতাংদুদা মীপুম খূদিংমক্লা কাদিনিসু ফজবদি অদুম মফজৈ হায়ববু কাজীনিনদি হেল্লিদা, মহাক্তি ঈশ্বরনা য়োকপীবা হায়বদুনি হায়না হায়নরক্লম্মী। কাদিনিনা ৱাফমসি তাবদা খাংবা ঙমদ্রদুনা ময়ুমদা খোংলৈ থুনা চেনখিদুনা মমাদা কপ্লগা ঐদি শিখিবনা হেন্না ফরে, ইচে কাজীনিনা ইহেন হেল্লি হায়না মীপুম খূদিংনা ঙাংনৈ, ঐবুদি কনা অমত্তনা হায়বিদে হায়না মমাদা তল্লম্মী। মমা লৈত্রবী থওইবিদ্রবী কাজীনি, ঈশ্বরগী থৌজাল ফংবগা মান্নখরে।

ৱারী লীবিরকপা	:	আর. ঐচ. দাইখো মাও
তাং	:	১-৬-২০১৩
চহী	:	৬০
শিনফম	:	সেনিঅর গুরু জে. এন. দানস একাদেমি, ইম্ফাল।
মফম	:	লম্ফেল ক্বাটর কোলোনি।

তুলুজু
(মাওগী ৱারী)

মথায় থায়না মাও হায়রিবা লম অসিদা অঙ্গামী চাক্কেশান জাতিগী মরক্তা য়াম্না কনবা লাইগী শক্তি চেনবা তুলুজু কৌবা নুপা অমা লৈরন্মী। নুপা অসিবু হীরম অমত্তদা ঙন্বা লমদমদুদা মী কনা অমত্তা লৈরমদে। মাংজোং চোংনগেরা, লমজেল তান্নগেরা, মুক্লা শান্নগেরা মাবু ঙন্বা মী অমত্তা থোক্লক্তে। মহাক্কী মশা মউ অসি য়াম্না ফরন্মী। করিগুম্বা পোৎশক অমনা থারবসু নৎত্রগা অতুম্বা পোৎশক অমনা থিল্লবসু করিসু নাচুংবিরমদে মরমদি মদুনা মঙোন্দা করিসু তৌবা ঙল্লমদে। কনাগুম্বনা মাগী লম্বা ওইগে হায়না থোরক্লবদি মীওই অদুদা নঙ ঐবু ঙমগদ্রা হায়না হেক্তা হংলন্মী। মাগী মশা মউ ফবদু উবদা কিদুনা ঙল্লোই হায়না হেক্তা চেনখিরন্মী। করিগুম্বা মতমদা মাবু ঙমগনি, লম্বা তৌগে হায়রক্লবদি মখুৎ নাম্মা নাম্মা পায়নরগা নঙনা ঐবু চিংলগা নুংপাকথক্তা তাহল্লু মদুগী মতুংদা হীরম অমদা হেক্তা অমুক তান্নসি, মদু নত্রবদি ঐনা নঙবু চিংদুনা লাপনা লংথোক্কনি হায়রন্মী। অসুম্না নুপা অমা মাবু লম্বা তৌবা ঙমগনি হায়না থোরক্লন্মী। মহাক্না হায়রিবা ৱাফম অসিমক নুপা অসিদা হায়রন্মী। নুপা অদুনা মহাকপু ইন্থুনবা কন্না হোৎনরন্মী। ফনা হোৎনদুনসু মহাকপু ইন্থুবদি ঙল্লমদে। মদুদগীদি মহাক্না নুপা অদুবু লাপ্না লংথোকখিরন্মী।

মহাক্কী লম্বা পাবিনবা লৈতবা অসিবু মীপুম খুদিংনা শোন্নরন্মী। মহাকপু কল্লক্তবা মী অমত্তা য়াওরমদে। নোংমা নোংমগী কলক য়েংথিবসু অসুম অসুম হেনগৎলক্লন্মী। কলক য়েংথিরিবা ময়ামদুনা মহাকপু করম্না মাংহনগদগে, মহাক লৈরবদি য়াররোই খনবদগী অকন অথৌ, অঙম অথৌ ময়াম্না ৱা তান্নবা হৌরক্লন্মী। মহাকপু হাৎননবা হোৎনরুবা কয়া অরেম্বা তাখিরন্মী। থাংনা য়ান্দুনা, তানা থিন্দুনা কয়া অমা হোৎনরবসু করিমত্তা

কান্নবা ফংলমদে। মমৈথংদা ময়াম পুন্বা তান্নরগা ময়ামদগী খ্বাইদগী ফজবী নুপী অমা খল্লগা মাগী মনাক্তা থাজিন্দুনা নুংশি চিরোল শান্নহল্লম্মী। অসুম লোইনরকপনা নুপী অদুবু তুলুজুনা থাজবসু হেনগৎলক্লম্মী। নোংমদি নুপী অদুনা ইবুংঙো নঙদি নশাসু য়াম্না ফৈ, নঙদি অকনবনি, নঙবু কনা অমত্তনা হাৎপা ঙম্লোইদ্রা? শিবা নাইররোইদ্রা? হায়না হংলম্মী। মহাক্না নুপী অদুবু নুংশিরুবা অমদি থাজরুবনা করিগীদি শিরোই অদুবু ৱাফম অসে কনা অমত্তদদি হায়দোরক্কনু, নঙনা খঙনিংলবদি ঐ হায়রগে হায়না অসুম্না হায়রক্লম্মী "ঐদি অচন্বা নত্তে লাইগী শক্তি চেল্লবা মীশক অমনি, ঐবু হাৎকে হায়রবদি কনা অমত্তনা খঙবা ঙমদবা মরী অমা ঐগী নঙ্গলদা চেল্লি, মসি নত্রগনা ঐগী ঈশিংগী মরী হায়রিবা অনী অসি খরা কুইনা পায়শিল্লগা থন্বদা ঐ শোয়দনা শিগনি" হায়না অসুম্না হায়দোকখিরম্মী। অদুবু নুপীদুনদি ৱাফম অসি মাবু থারক্লিবা ময়ামদুদা লোইনা তমথোক্লম্মী। ময়ামদুদগী মশা মউ খর ফবা অমা খল্লগা মাগা লম্বা পান্নহল্লম্মী। মহাক্কী অশোনবা মফম অদুদা নুপাদুনা কন্না পায়শিন্দুনা থল্লকপদগীদি মহাক অদু খুদক্তুদা শিখি। অসুম্না লম্বা লৈত্রবা কন থৌরবা তুলুজু অসি পুন্সি পীখম্নখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	আর. ঐচ. দাইখো মাও
তাং	:	১-৬-২০১৩
চহী	:	৬০
শিনফম	:	সেনিঅর গুরু জে.এন. দান্স একাদেমি, ইম্ফাল।
মফম	:	লম্ফেল ক্বাটর কোলোনি।

ৱোনচুং
(আইমোলগী ৱারী)

মতম অমদা আইমোলগী ৱোনচুং কৌবা লুখ্রাবী মচা অমা লৈরম্মী। মহাক খুল অদুদা লৈবী মশক মতৌ ফজবী লৈশাবী অমগা নুংশিনরম্মী। লৈশাবী অদুবু খুল অদুদা লৈবা পাখংশিংনা কল্লকপদগী ৱোনচুংবু মাংহন্নবা শরৌ শিল্লম্মী। নোংমা খুল অদুদা লৈবা মী পুম্নমক্না হয়েংদগী শা তানবা চৎকদবনি হায়না ৱারেপনরম্মী। মদুদি নুমিদাংদনা শওম তানবা অদুগা অয়ুক্না লম ওক তানবা হায়না মখোয় পুম্নমক ৱারেপ তানরে। ৱোনচুংগা নুংশিনজবা নুপী অদু ফি শাদুনা লৈরম্মী ৱোনচুংনা মাগী নাক্তা তুমদুনা লৈ। নুপীদুনা ৱোনচুংদা মী নমান্নবশিং পুম্নমক শা তানবা চৎনরে হৌগৎলো হায়না হৌদোক্লম্মী। অদুদগী ৱোনচুংনা শাপোৎ লানপোৎ পুগদবা পুদুনা মহাকসু ময়ুমদগী শা তানবা চৎলম্মী ।ময়াম অদুনা ৱোনচুং মথন্দা নাকল অমদা চৎহল্লম্মী অদুগা মখোয় ময়াম্না নাকল অমদা চৎলম্মী। ৱোনচুংবু শা থেংনগদবা মাইকৈ য়েং য়েংদুনা মখোয়না থাজিল্লম্মী। মখোয়না অতোংবদা চৎপা মতমদা ৱোনচুংবুনা লোকনুংদা চৎহল্লম্মী। ৱোনচুংনা অতোংবদা শা তানবা মতমদা মখোয়না লোকনুংদা তাল্লম্মী। মখোয় ময়াম্না নুং মথক্তা চৎলে ৱোনচুংবুনা লৈবাক মখা লোকচপ্তা তালহল্লম্মী। ময়াম অদুনা উথক্তা তোংবকান্দা ৱোনচুংবুনা নুংথক্তা তান্নহল্লি। অসুম তৌনা মখোয় ময়াম্না লৌ তৌদুনা শাদানবদা ৱোনচুংগা লমওক্না থেংনরে। লমওক্না অমুক নম্মী, ৱোনচুংনা অমুক মথক থংই মখোয় অনী অমনা অমুক অমনা অমুক মথক মখা নম্নরম্মী। অদুম তৌনা মখোয় অনী লানথেংনবদা ৱোনচুংসু শিরে লমওকসু শিরে। শা তানবা চৎপশিং অদু ৱোনচুংবু নুংশিবা য়াওবা কাংবু খরনা ৱোনচুংবু পুরক্লম্মী, খরা অমনা লমওকতুবু পুরক্লম্মী। মদুদা ৱোনচুংবু পোকপা

মমানা হায়, ইচানুপা ৰোনচুংবু পুরকপা মীশিংসি মমায় ইশুক- শুক্লা লাকই অদুগা শা পুরকপা মীওইশিংদি মমাই ইঙান ঙান্না লাকই হায়না কপ্তুনা তেংথারম্মী। ঐগী ইচাশিবু কনানা লাইয়েংগনি পৃথিবীগী মাইবা কৌদুনসু হীঙ্গৎহনবা ঙম্লরোই। মৈতৈ মাইবা কৌদুনসু লাইয়েংবা ঙম্লোই, কনানসু ইচাবু হিংহনবা ঙম্লরোই, থাং য়োৎ অতেকপা ওইরবদি থাংজমদা পুরগা শন্নগা য়াই, অতৎপসু কীশি শন্বা য়াই। অদুবু ঐগী ইচা অসিদি অদুগুমদুনা হিংহনবা ঙম্লরোই হায়না থম্মোয় শোক্না কপচখি। ৰোনচুংগী অশিবা মশা অদু ফুমদুনা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগা মাগী ফুমফমদুদা লমওক মকোক অদু য়ুংলগা থন্নম্মী। মতৌ অসুম তৌনা ৰোনচুংগা নুংশিনজবী মশক মতৌ ফজবী নুপী অদুবু কল্লকপদগী ৰোনচুংগী পুন্সি খাঙভুথক্তা মাংখি।

ৱারী লীবিরকপা	:	এল. দি. অখার
তাং	:	১৪-৬-২০১৩
চহী	:	৭০
শিনফম	:	লৌমী
মফম	:	আইমোল খুন, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট ।

পরিয়তে
(আইমোলগী ৱারী)

মমাংঙৈ মতম অমদা পরিয়তে হায়বা য়াম্না ফওবা মচিন মনাও তরেৎ অমগা সোকসাইতে কৌবা য়াম্না ফবা লুখ্রাবী মচা অমগা লৈরম্মী। নোংমা পরিয়তেশিং অমদি সোকসাইতে লৈ হেকপা চৎলম্মী। পরিয়তেশিংদি মৈতৈগীদা হায়রগা নোংবান লৈ হায়বদু ঙাক্তা হেক্লম্মী। মখোয়না অসুম লাকপদা লম্বীদা লৌ লিংদুনা লৈরম্বা মীওইশিংদুদা পরিয়তেশিংনা - ঐখোয়গী লৈশিংসি কনানা হেন্না ফজবগে? হায়না হংলম্মী। মীওইশিং অদুনা নখোয় লোয়না ফজৈ অদুবু সোকসাইতেগীসিনা খরা ফজবা হেনব্রা হায়না খুম্লম্মী। সোকসাইতেনা হেক্লকপা লৈশিংদি শাওলিং হায়বা পোমশাৎনবা লৈশিং ঙাক্তা হেক্লম্মী, অদুনা য়েংবদসু য়াম্না ফজৈ। অদুনা মীওইশিং অদুনা সোকসাইতেগীনা খরা ফজবা হেনব্রা হায়না খুমখিবা অদুদগী পরিয়তেশিংনা (মচিন-মনাও) সোকসাইতেবু য়েংথিবা হৌখ্রে। সোকসাইতেবু পরিয়তে মচিন মনাওনা মাঙহন্নবতা শিল্লম্মী।

নোংমদি পরিয়তেশিংনা সোকসাইতেবু ঙসিদি শা তানবা চৎলুসি হায়না হৌরম্মী। সোকসাইতেসু ইচম চম্না চৎলুসি হায়দুনা পরিয়তেশিংগা শা তানবা উমংদা লাক্লম্মী। অসুম মখোয়না শা তানবা লাকপদা শবৌ হায়বা শাগী মখুল অমা থেংনরম্মী। মদুগী মখুলদা সোকসাইতেবু চংহল্লম্মী। সোকসাইতেদি অসুম চংখ্রগা শাদু ফাননবা হোৎনরম্মী। মখোয় পরিয়তেশিংদুনা শা মখুল অদু নুংনা মেনশিল্লম্মী। অদুগা পরিয়তেশিংদি সোকসাইতেদু শানা চারগা শিরম্লনি খন্দুনা হরাউনা হল্লক্লম্মী। সোকসাইতেদি শাগী মখুল মনুংদুদা অসুম চংখ্রগা মাগী শোরিদুনা শাদু থিন্দুনা হাৎলগা পুরদুনা হল্লক্লম্মী।

ত্রাইবেল জাতি অসি অয়াম্বনা মখোয়না শা তানবদা শা ফারবদি হল্লকপদা হো-হোই-হোই হায়না লাউরগা হল্লকই। মদুম হায়না লাউরগা হল্লক্লবদি শা ফারক্লে হায়বা খঙনরম্মী। মখোয়গী খুল অদুগী খুল্লাকপা লৈরম্মী। সোকসাইতেনা হোই-হোই লাউরগা লাকপদুদা খুল্লাকপনা এ! শা ফাবগী মখোলনি। সোকসাইতেগী মখোল মাল্লি হায়না হায়রম্মী। মদুদা পরিয়তেশিংদুনা, নতে সোকসাইতেদি শাফৌ(শাবৌ)না চাদুনা শিহৌরবনি হায়রম্মী। মরমদি মখোয়না শা মখুল অদু নুংনা মেনশিল্লম্লবনি। সোকসাইতেদি মখোয়না(পরিয়তে) মেনশিল্লম্বা নুংদু কাওখাইরগা থোক্লক্লবনি। অদুদগী সোকসাইতেদু মখোয়গী মনাক য়ৌরক্লে। পরিয়তেশিং ও! মরুপ নঙসু শা ফারকপরা? সোকসাইতে ঔ! ফারকই হায়না খুন্নম্মী। শা অদু থোংলগা মখোয় ময়াম চামিন্নরম্মী। সোকসাইতেনা পরিয়তেশিংদু তাম্থোক্তে, কৌশিল্লগা চামিন্নরম্মী।

অসুম তৌনা লৈবদগী নোংমা অমুক অৱাংবা উপান্বী অমগী মতোনদা শাবা উমাইবী অমগী মহুম লোকউসি হায়দুনা লাক্লম্মী। সোকসাইতেদু মথন্নতা ওইরবসু পরিয়তেখোয়গী মতুং অসুম ইল্লম্মী। পরিয়তেশিংদুনা উমাইবী মহুম অদু লোক্লনবা মথং মথং কাবদা কনা অমতা ঙমদ্রে। সোকসাইতেদি উ না মচিন তুমহল্লগা ইৎলগা শেম্বা ময়াম অমা খাওদা হাপ্পগা পুরম্মী। মখোয় ময়ামদি ঙমদ্রবনিনা সোকসাইতেনা মাগী চৈ অতুম্বা অদু নুংথংগুম্বা অমনা মথং মথং থারগা খোংনেৎফম শেল্লগা কারম্মী। তানজা অদুদা উমাইবী অদু হল্লক্লম্মী মদুদা মখাদগী পরিয়তেশিংদুনা,হো ইবেন! ইবেন নঙগী নচাশিংদু সোকসাইতেনা ফাননবা চংখ্রবনি হায়না লাউরম্মী। অদুদা সোকসাইতেনা ইবেন নঙগী নচাশিং অসি মখাদা লৈরিবা ময়াম অসিনা লোক্কদবগী তৌবনে ঐনা ঙসাইদগী শংলিবনি হায়না লাউরম্মী। অদুদগী পরিয়তেশিংদু চৎখ্রে।

উমাইবী চংলক্লগা সোকসাইতেগা ৱারী শারম্মী মদুদা উমাইবীদুনা, ইবুংঙো নঙনা ঐগী ইচাশিং অসি চাউদ্রিবা ফাওবা শংগদবনিকো হায়না হায়রম্মী।সোকসাইতেনা শংগনি হায়না খুন্নম্মী। চীংমীশিংদি লৌচৎপা

মতমদা চাকয়োম থাং, তা, তেন পুই। মদুগী চাকয়োমশিংদু উমাইবীদুনা নুংতিগী লাক্কুনা পুরক্লগা সোকসাইতেবু পীজরম্মী। মদুতসু নত্তনা তেন,তা ময়াম অমসু সোকসাইতেগীদমক লাক্লগা পুবীরকই।

অসুম হায়না অসুম লৈরকপনা উমাইবী মচাশিংদু পাইবা হৈরকপদগীদি সোকসাইতেদু মখাদা কুম্লিংলক্লম্মী। মহাক্না উমাইবীদুদা হায়, ইবেন ঐ মখাদা চৎনিংই, করম হায়না চৎকনি হায়। উমাইবীদুনা এ! ঐনা থিনগনি ঐগী ঈশাসিদা য়াল্লগা চৎকদবনি হায়রম্মী। মদুদা সোকসাইতেনা এ! তাগনি ঙল্লোই হায়। উমাইবীনা হায়রকই, নঙনা কিরবদি মখাদগী নুংপাক নঙমুক লুম্বসি লৌরুগে হায়রগা নুংপাক অদু মনঙ্গলদা হাপ্পুনা পাইরক্লগা মকোন্দা চংলম্মী। য়েংউ হায়রগা অমুক মখাদা থাদরুরে অদুদগীদি সোকসাইতে উমাইবীদা তোংবা য়ারনি খঙলে। সোকসাইতেনা মাগী থাং, তা, তেনশিংদু লোইনা পুরগে হায়রম্মী। উমাইবীনা অসি লোইনা নঙগীনি লোইনা পুগদবনি হায়দুনা উমাইবীদা তোংদুনা মখাদা পাইথরক্লে।

অসোম খুল্লক্তনা পরিয়তেশিংনা মীয়ামদা সোকসাইতেদি উমাইবীনা চাদুনা শিখ্রবনি হায়রম্মী। খরা লৈরগা সোকসাইতেদু মমাংদা শা ফাবদা লাউরগা লাকখিবদৌনা হো-হো হায়না লাউরগা লাক্লম্মী। খোনজেন্দু তাবদা এ! সোকসাইতেদু হল্লকই হায়না মাগী মনাক্তা ময়ামদো চংলক্লম্মী। পরিয়তেশিংনা সোকসাইতেনা পুরক্লিবা থাং, তা, তেন, চুঙ্গাই ময়ামদু উবদা অমুক মখোয়সু পাম্লক্লম্মী।পরিয়তেশিংনা সোকসাইতেদা কদাইদগী ফংলকপনো হংলম্মী।

সোকসাইতেনা পোৎশিং অদু পরিয়তেশিংনা পাম্মনবদুদা, অসিদি উমাইবীনসু পীরকপা নত্তে ঈশিংদগী ফংলকপনি হায়না খুল্লম্মী। থাজদ্রগা য়েংহনগে লাও হায়না মখোয়শিংদুগা লোয়ননা ঈশিং অচৌবা মফম অমদা পুরগা লাক্লে। সোকসাইতেনা মাগী খুৎলাইশিং অদু ঈশিংদা মমি তারিবদু পরিয়তেশিংদা য়েংহল্লম্মী। অপাম্বনা হেনমনখিবনা পরিয়তেশিংনা পায়রিবা খুৎলাইশিংগী মমিনি হায়বফাও খন্থবা ঙল্লমদে।

সোকসাইতেনা নখোয়না খুৎলাইশিং অসি লৌগে হায়রবদি নখোয় নখোয়গী নখ্বাংদা উতুপ অমমম পুল্লগা ঈশিংসিদা চোংথরগা খুনবা হানবা তান্নসি অদুগা অহানবদুনা লৌনসি হায়রম্মী। অদুদগী মখোয় লোয়না মখ্বাংদা উতুপ অমমম চেৎনা পুন্নরে, সোকসাইতেদি মাগী উ অদুগী মনুংদু খোৎতোক্লনা হোহল্লম্মী। অদুগা মখোয় পুল্লপ হানবা তান্নদুনা ঈশিংদা চোংথরম্মী। ঈশিং অরুবদুদা মখোয় পুন্নমক উ মতুপ্তুনা লুমথবগা ঈরাক্লরে ।সোকসাইতেদি ইরোইদুনা কংফালদা কাখৎলম্মী। সোকসাইতেনা মখোয়বু চৈনা উতুপ্না থাদুনা ফুদবিদা মশা মশা মথন্তা ঈরাক্লহন্দুনা লাক্লরম্মী।

পরিয়তেশিং অমদি সোকসাইতে মখোয়না অসুম চৎপদা নোংমদি স্বর্গগী মশক মতৌ ফজবী ৱানচুংজোনো কৌবী সোরারেনগী মচানুপী লৌরুসি হায়না য়েংবা চৎলম্মী । মখোয়না অসুম লাকপদা অহানবদা উরিৎশিং থেংনরম্মী। উরিৎশিংদুনা অকংবা লমদুদা ঈশিং ফংননবা মচিনগী পাম্বৈনা হোত্তুনা ঈখোং শেল্লন্বা থেংনখি। উরিৎশিং অদুনা ও! মরুপ পরিয়তেশিং নখোয় কদায়দা চৎপনো হায়না হংলম্মী । মদুদা পরিয়তেশিংনা ৱানচুংজোনোগীদা চৎলিবনি হায়না খুল্লম্মী। উরিৎশিংদুনা অদু ওইরবদি খোং অসি তৌবিদুনা ঐখোয়বু ঈশিং খর পীথকউবা হায়রম্মী। মদুদা পরিয়তেশিংনা ঈশিং পীথক্লম্বদি লাইরদনা খর লৈরম্বদু ফাওবা ফুনজিন্বীরম্মী।

অদুগা মথং মথং লাকপদা লম্বীদা লীন অমা অমুক লাংদা থুদুনা লৈরম্বদু অমুক থেংনরে। লীন অদুনা পরিয়তেখোয় নখোয় কদায়দা চৎপনো হংলম্মী। পরিয়তেশিংনা ৱানচুংজোনোগী মনাক্তা সোরারেনগীদা চৎলিবনি হায়না খুম্লম্মী । অদু ওইরবদি ঐবু লাংদগী অমুক্তা লৌথোকপীরম্মু হায়না লীন অদুনা হায়রম্মী । মদুদা পরিয়তেশিংনা লাংদগী লৌথোকপদি লাইরদনা হেন্নদুম লাকশিনদুনা থন্বীরম্মী। অদুগা অসুম লাকপদা খোই ময়াম অমমুক থেংনরম্মী। খোইশিং অদুনা ও! পরিয়তে নখোয়বু কদায়দা চৎলিবনো হায়না হংলম্মী। পরিয়তেশিংনা

ৱানচুংজোনোগীদা চৎলিবনি হায়না খুল্লম্মী। অদুদা খোইশিং অদুনা অদু ওইরবদি ঐখোয়না ইয়ুম শাননবগী উশা অমখক্তা তাকপীরম্মু হায়রম্মী। মদুদা পরিয়তেশিংনা মফমচাবা উশা তাকপীবদি লাইরদনা চপ য়ুংবা উশা অমদা তাক্লম্মী মদুদা খোইশিং অদু থুবা য়াদনা লৈহৌরে।

অদুদগী পরিয়তেশিংনা অসুম লাকপদা লৈচিন ময়াম অমমুক থেংনরম্মী। মতম অদুদা লৈচিনগা মীগসু ৱারী শানরম্বা লোন ফাওনরম্বা মতমনি। লৈচিননা ও! পরিয়তেখোয় নখোয়বু কদায়দা চৎলিবনো হংলম্মী। পরিয়তেশিং অদুনা ঙসাই মমাংদা খুমখিবদৌনা খুল্লম্মী। লৈচিন্না, অদু ওইরবদি ঐখোয় লান্থোক্লগা পাইবা য়াবা চীংচেপ চীংয়া অনেম্বা মফম খরা তাকপীরমউ হায়রম্মী। মদুদা পরিয়তেশিংনা অৱাংবা অঙম্বা চীংলোমদা তাকশিল্লমবদগী পাইবা য়াদনা লৈহৌরে।

পরিয়তেশিংদু অসুম লাকপনা ৱানচুংজোনোনা লৈরিবা সোরারেনগী মনাক্তা য়ৌরম্মী। নিংথৌ সোরারেননা মচানুপীদা ইবেম্মা ঙসি থুংলরিবা খুল্লানবা মচাশিংসিগী করি থোংবিরে হংলম্মী। মচানুপীনা য়েনকোন তরেৎতগী য়েরুম থোংই হায়না খুল্লম্মী। অদুগা মচানুপীদুনা পান অকংবা ওইনা থোংলম্মী। ৱানচুংজোনোগী মপা নিংথৌ সোরারেননা হয়েংদি ইচাশা ওককোন্দগী ওক মচা লৌরুসি হায়রম্মী। নোংঙাল্লে নিংথৌগা লোয়ননা পরিয়তেশিংগা ওক মকোন্দা লাক্লম্মী। পরিয়তেশিংদুদা নিংথৌদুনা ওক মকোন্দগী ওক মপী অসি ফারগা মচাশিংসি লৌগদবনি হায়না তাক্লম্মী। অদুদগী পরিয়তেশিংদুনা ওক মচা লৌননবা হোৎনবদা ওক্কুনা হায়দৎলকপদা অমত্তা চংবা ঙমদ্রে। অদুদগী পরিয়তেশিংদু ময়ুমদা হনখ্রে।

পরিয়তেশিং হনখ্রবা মতুংদা সোকসাইতে ৱানচুংজোনোগী মনাক্তা চৎননবা লাক্লম্মী। মহাক্না অসুম লাকপদা ঙসাই পরিয়তেখোয়না তৌখিবগুম লম্বীদা উচেক উরিৎ ময়াম অমা ঈশিং থকপা ফংনবা খোং তৌদুনা লৈরম্মী। সোকসাইতেদা উচেকশিং অদুনা হায়- ও! মরুপ সোকসাইতে নহাক কদায়দা চৎলিবনো? হংলম্মী। সোকসাইতেনা

ৱানচুংজোনো সোরারেনগীদা চৎলিবনি হায়না খুল্লম্মী। অদুদা উরিৎশিং অদুনা অদু ওইরবদি খোং অসি তৌবিদুনা ঈশিং খর পীথকপীরম্মু হায়রম্মী। মদুদা সোকসাইতেনা খোং অদু ফজনা শেম শাদুনা ঈশিং থন্না হাপ্পীদুনা ঈশিং থকপা ফংহল্লম্মী। উচেকশিং অদুনা ও! মরুপ সোকসাইতে মতম পুম্নমক্তা নঙনা তৌজবা থবক্তা মাইপাকপা ওইয়ুকো হায়না মঙ্গল পীরম্মী। মহাক্না অসুম লাকপদা লম্বীদা লীন্দু অমুক থেংনরম্মী। লীন অদুনা ও! মরুপ সোকসাইতে নঙনা ঐবু লাংদা থুরিবসি অমুক্তা থাদোকপীগেরা হায়না হায়রম্মী। মদুদা সোকসাইতেনা লাংদগী লীন অদু লৌথোক্লুনা থাদোকপীরম্মী। লীন অদুনা মরুপ সোকসাইতে নঙনা ৱারবা মতমদা ঐবু নীংশিংবীরকউ হায়রম্লগা চৎখ্রে। অদুদগী সোকসাইতেনা মথং মথং অসুম লাকপদা ঙসাইগী খোই ময়াম অদু ঙংদুনা পাইরগা লৈরম্মী। খোইশিং অদুনা মরুপ সোকসাইতে ঐখোয়না থুবা য়াবা মফম চাবা অমতং তাকপীরম্মু হায়রম্মী। সোকসাইতেনা মফম চাবা উশা ফজবা অমা তাকপীদুনা মখোয়বু থুহল্লম্মী। খোইশিং অদুনা হরাউমনদুনা মরুপ সোকসাইতে নঙনা করিগুম্বা অৱাবা তারবা মতমদা ঐখোয়বু নীংশিংবিরকউ হায়রম্মী। সোকসাইতেদি অসুম চৎখ্রে। মহাক্না অসুম মথং মথং লাকপদা লৈচিনশিংনা পাইফম লৈতদুনা মমদুনা লৈরম্বদু অমুক থেংনরে। লৈচিননা মরুপ সোকসাইতে নঙ কদাইদা চৎলিবনো হংলম্মী। সোকসাইতেনা ঐদি মরুপ ৱানচুংজোনোগী মনাক্তা সোরারেনগীদা চৎলিবনি হায়না খুল্লম্মী। ৱানচুংজোনোগী মনাক্তা সোরারেনগীদা চৎপা ওইরবদি ঐখোয় পাইবা য়ানবা চীংজিন খরা তাকপীরম্মু হায়রম্মী। মদুদা সোকসাইতেনা চীংজিন অসোমদা চৎলু হায়না লম্বী তাকপীদুনা লৈচিনসু ফজনা নুংঙাইনা পাইখ্রে।

সোকসাইতেনা অসুম লাকপদা ৱানচুংজোনোগী লৈফম সোরারেন নিংথৌগী মনাক্তা য়ৌরম্মী। মানা হেক য়ৌবগা নিংথৌদুগী পোলাংখোক্তা তেন কাপ্পদা চপ চানা পাল্লে। অদুদগী অদুম হন্দক্কী নুপা অসি করিনোমা তৌদৌরি হায়বা মখোয় ৱানচুংজোনো অমদি মপা নিংথৌনা খঙলম্মী।

নিংথৌদুনা মচানুপীদা ঙসিদি খুল্লানবা নুপা অসিগী করি থোংবীগদৌরি ইবেন্মা হায়না হংলম্মী। মচানুপীনা পান অকংবা মনিংদু থোংবীগে হায়না খুল্লম্মী। অদুগা মহাক্লা য়েরুম ওইনা থোংলম্মী। মখোয় চাক চারে অহিংদুদা নুপীদুনা সোকসাইতেদা হায়রম্মী, হয়েং ঐনা পীথ্রাইগী খুজি অমা পীগনি, মসিনা ইপানা হয়েং ওককোন্দগী ওক মচা লৌথোকউ হায়রক্কনি মদুদা নঙনা খুজিদুনা ওক্কী মরাইবক্তুদা থাও মদুদা ওক্তুনা ঙাওদুনা লৈরিঙৈদা নঙনা ওক মচাশিং অদু খোমদুনা পুরক্কদবনি হায়না তাকপীরে। অহিংদু হৌখ্রে নোংঙাল্লে।নিংথৌদুনা সোকসাইতেদা ওক মকোন্দগী মচা লৌরুসি হায়না চৎমিন্নখ্রে। ওক মকোন্দু য়ৌরে ওককোন্দু হেক হাংদোকপগা, ওক্তু লমওক ওইবনা মীনম তাবদুদা পাইশিল্লক্লম্মী। ওক্তুনা হেক পাইশিল্লকপগা সোকসাইতেনা নিংথৌগী মচানুপীদুনা পীবা পীথ্রাইগী খুজিদুনা মরাইবক্তা কন্না থাবদা ঙাওদুনা লৈরিঙৈদা ওক মচাশিং অদু পুদুনা লাক্লম্মী।

মথংগী নোংঙানবদা অমুক ৱানচুংজোনোগী মপা নিংথৌনা সোকসাইতেদা ইবুংঙো ঙসিদি নবেনধৌগী ঈরুজনবা লোক অসিদগী নুংপাক অসি খর থাঙ্গৎলো হায়রম্মী। সোকসাইতেনা অসুক য়াম্না চাউবা নুং অসিদি মতৌ করম্না ঐনা থাঙ্গৎকনি হায়না তৌফম খঙদনা ৱানা লৈরম্মী। তান্জা অদুদা লৈচিন্না ইতাউ নঙ করি তৌরবগে নুংশুক নুংজাননা লৈরিববো হায়না হংলম্মী। সোকসাইতেনা মরুপ ইকুবোক্লা আ! লোক্তগী নুংপাক অচৌবসি থাঙ্গৎলকউ হায় অদুগীনি হায়না খুল্লম্মী। লৈচিন ময়ামদুনা করিসু ৱাগনু ইতাও ঐখোয়না থাংবীগনি লাও চৎসি হায়না নুঙ অদুগী মথক্তা সোকসাইতেবু তোংহল্লগা লৈচিন্না কু প্লগা উহন্দনা থাংলক্লম্মী। অদুদগী লৈচিন ময়াম্না ৱ ানচুংজোনোগী মপা নিংথৌগী ময়ুম সুমাং অদু পুন্মম মল্লম্মী। নিংথৌদুনা করিনোনে লৈচিন্না পুন্মম মল্লিসিবো হায়না মখোয় ময়াম পুমঙক ঙক্লম্মী। নিংথৌ মচানুপীদুদা সোকসাইতেনা তাক্লগা নখোয় চৎখ্রো - চৎখ্রো হায়না চেং চাইহল্লম্মী। অদুদগী লৈচিনশিংদু খরা-খরা, তপ্না-তপ্না পাইখ্রে।

লৈচিনশিংদু পাইখ্রবা মতুংদা নুংপাক অদু শুমাং মতোন্দা লৈরম্বদুদা মখোয় ময়াম ঙক্লরম্মী।

মথংগী নুমিত্তা অমুক সোকসাইতেবু কৌরগা মকুবোক্লা হায়রম্মী, ইবুংঙো শুমাংদা হৌরিবা কাব্রংচাক পান্বী অচৌবা অসি মশা তেকহন্দনা মনাশিং অসিতা লোইনা হেক্কদবনি নবোক্লা ঈরুজবদা মরুম তাদুনা য়াদ্রে হায়রম্মী। মদুদা সোকসাইতেনা, অস! করম্না মশা তেকহন্দনা উনা ময়াম অসি থাগদৌরিবা হায়না মথৱায় ৱানা লৈরম্মী। তানজা অদুদা খোই ময়ামদু পাইরক্লম্মী, অদুগা সোকসাইতেদা মরুপ নঙনা ৱাখল অসুক ৱানা লৈরিববো করিগীনো হায়না হংলম্মী। মদুদা সোকসাইতেনা ও! মরুপশা ঐগী ইকুবোক্লা উপান্বী অসি মশা তেকহন্দনা মনাশিং অসি ককউ হায় অদুগী করম্না তৌগদবনো খন্দুনা ৱানা লৈরম্বনে হায়না খুন্নম্মী।

খোইশিংদুনা ও! অদুগীরা মরুপ ঐখোয়না লোইনা ককপীগনি নঙনা মথক্তদা কাখৎলু হায়। নোংঙাল্লগা সোকসাইতেনা মথক্তা কাখৎলম্মী খোই ময়ামদুনা উনাশিং অদু চীকথৎ চীকথৎতুনা মখাদা লোইনা থাদরম্মী। মকুবোক্তুনা করি খোইশিংনোনে ইয়ানুপা অসি চীক্তুনা লোইবা তারে ইবুংঙো কুম্লকউ য়ারে য়ারে হায়না কৌথরম্মী।

অদুগা অমুক হয়েংদি নবোক্লা চাক চানবা লা লাতোন শেগাইদবা লীক্লানা চোৎ চোৎ লাওবা লাতোন অমা লীক্লাদু কংহনদনা পুরক্কদবনি হায়রম্মী অদুগীসু সোকসাইতেদু মথ্বাই ৱানা লৈরম্মী মদুদা লীন্দুনা মরুপ করি তৌরবগে? হংলম্মী মদুদা ৱারী অদু লীরে। লীন্না ৱারী তারগা করিসু খনগনু ঐনা হেক্কনি হায়দুনা লীন্না চীক্তুনা হেক্লগা মবুক মনুংদা উল্লগা পুরক্লে। অদুগা সোকসাইতেনা মকুবোক্তা লীক্লা চোৎলবা লাদু লীক্লা অমতা তাহন্দনা লাদুদা পক্লগা পীরম্মী। অদুদগী মকুবোক্লা সোকসাইতেবু অদুম মচানুপী পীনবা য়াখ্রে।

মথং নুমিৎতা অমুক মকুবোক্তুনা থোইদিং মেরুক অচোনবা অমমুক হৈদোক্লম্মী অদুগা সোকসাইতেদা থোইদিংশিংদু মরু অমত্তা ৱাৎহন্দনা

খুনগদবনি হায়না য়াথং তৌরম্মী। সোকসাইতেনা থোইদিংশিং অদু মরু অমমমতা খুল্লিগৈদা মহাক্না ৱানচুংজোনোগীদা লাকপদা মতেং পাংখিবা উরিৎ মচাশিং অদু লাক্কুনা লোইনা খুনবীরম্মী। খুনবা লোইরবা মতুংদা মেরুক অদু থন্দ্রে। করম তৌনা থন্দ্রিবনো হায়না উরিৎ ময়াম অদু মখোয় মশেল ইকাইনদুনা অমমমতা হংনরম্মী। অমসু অমসু ঐদি য়োৎতে - ঐদি য়োৎতে হায়না য়োৎতবশিং অদুদি হরাউনা চৎখ্রে। ইতোন তোনবা মচা অদুদি ঐদি য়োৎতে হায়না মখোন ইচাও চাওনা খুল্লকপদুদা এ! নঙনা য়োৎলে হায়না মখোয় ময়ামনা ওথোকহন্দুনা মেরুক্তু থল্লে। অদুদগী হৌজিক ফাওবদা উরিৎকী মনঙ্গলদা পোমথোক্লিবসি সোকসাইতেগী থোইদিং হুরানলুবগীনি থাজনৈ।

মকুবোক্কী চাংয়েং পুম্নমক মায় পাকপদগী সোকসাইতেদা ৱানচুংজোনোবু থাজরম্মী। ত্রাইবেলগীদি নুপী লৌবদা চহী অহুম নুপীময়ুমদা নুপানা লৈরবদি মংকৎ পীনরমদে। সোকসাইতেদু অসুম লৈরকপনা চহী অহুম ফারকপদুদা মহাক্না মকুবোক্তা, ইকুবোক ঐ য়ুমদা চৎপা য়ারদ্রা হায়না হংলম্মী। মদুদা মকুবোক্না ইয়ানুপা ঐনা চৎলো হায়বসু চৎলো হায় হায়নি অদুনা নঙনা অপাম্বা তৌরো হায়বদগী সোকসাইতেদো ময়ুমদা হন্নবা ৱানচুংজোনোগা শেমশাবা মতমদা ৱানচুংজোনোনা সোকসাইতেদা হায়, নুপা ঐখোয়না হয়েং চৎলমদাইদা অপাম্বা পোৎ অমা পুরো হায়বদা, অহায়বা পোৎ পুম্নমক লৌবা য়াদে। মানা মতিন শিৎতোক্লকপদা ওইরবসু অহানবগীদু লৌবা য়াদে মহাক্না খাক তৌদুনা শিৎতোক্লকপা অহুম্লক শুবগীদা শংত্রিক শংবা অমা য়াওরক্কনি অদু লৌগদবনি হায়রিবা পোৎশক অদুবু শিদয়াই হায়দুনি, মদু লৌ হায়না তাক্লম্মী।

শিদয়াই লৌরগা মখোয় অনী অসুম লাকপনা লম্বী তঙখায় চল্লকপদা ৱানচুংজোনোনা সোকসাইতেদা ও! নুপা ঙাইখো চৎপা য়াদ্রে ঐগী পোৎ কাউহৌরে মদু পুদ্রবদি চৎপগী করি অমত্তা কান্নদ্রে ঐগী লশিং কাপোন কাউহৌরে মদু পুদ্রবদি চৎপা য়ারোই হায়রে। সোকসাইতেনা ফরে অদুদি ঐ নঙগী পোৎচৈদু লৌরুরগে নঙ মফম

অসিদগী লেংবা য়াদে ঈশিং থক্লিংলবসু কুম্বা য়াদে হায়না শানসু শোকপা ঙমদনবা মীনসু শোকপা ঙমদবা শগাই শাদুনা থল্লম্মী। তানজা অদুদা হিংচাবী অমনা ঈশিং খৌরাংদুনা ঈশিং থক্লনবা তুরেল অদুদা কুম্লক্লম্মী । ৱানচুংজোনোসু মাগী মপুরোইবা ঙাইন ঙাইনা মশম অদু নান-নান্দুনা শান্নবদা মাগী শল্লাং অকেনবা মখুৎনা তাশিনবদা মতুম অচৌবা অমা ওইরম্মী। শল্লাং মতুম অদু মখুত্তগী নাম্থদুনা ঈশিংদুদা তাখিরম্মী। মদু তাউদুনা লাক্লগা হিংচাবীদুনা ঈশিং হেক থক্কে হায়না মখুৎনা ঈশিং হায়দোক্লগা লৌখৎপদা শল্লাং অদু উরে কদাইদগী শল্লাংনো মফম অশ্বাইদদি তাইবংমী অমতা লৈতে হায়না মহাক্না কোইয়েং য়েংবদা শগাই মথক্তা মশক মতৌ ফজখ্রবী নুপী অমা লৈবদু উরম্মী অদুদগী হিংচাবী অদুনা কাখৎলগা ৱানচুংজোনোবু চাথোক্লম্মী অদুগা ৱানচুংজোনোগী শক্তম ওল্লগা লৈরম্মী।

অশোমদনা অমুক সোকসাইতেনা পরপ-পরপ লাক্তুনা মকুবোক্তগী ৱানচুংজোনোগী লশিং কাপোন কাউহৌরে হায়না লৌরগা পরপ-পরপ হল্লক্লম্মী। মমংসু কয়া নুংঙাইতবা, ফত্তবা খুদম খরা সোকসাইতেনা ফংবদগী শোয়দনা মাগী নুপীদু করিনোমা থোক্লম্লনি খন্দুনা লাকলম্মী। মাগী নুপীগী মনাক হেক য়ৌবদা নুপীদু শকফম খরা কায়না ইমান-মান্নদনা লৈরম্বদুদা সোকসাইতেনা নুপী নঙবু নমীৎকাতু ইপৈ পৈ করিনো হংবদা হিংচাবীদুনা নঙবু লাকপরা য়েংমন্দুনা তৌরিবনি খুল্লম্মী। নখোংদা তু ইশাং শাংদনা, ইপৈ পৈ হায়বদা লমশাং লাকমনবদুদা তৌরিবনি হায়না খুল্লম্মী। অদুদগী সোকসাইতেনা ৱানচুংজোনো নত্তে শাশিন্নবী হিংচাবীনি হায়বা খঙলম্মী। মখোয় অনী অসুম লাক্তুনা ময়ুম য়ৌরে।

সোকসাইতেগা হিংচাবীদুগা অদুম লৈমিন্নরে। মখোয় অনীনা নুমিৎ খুদিংগী লৌশুবা চৎলম্মী। মখোয় অনীনা লৌশুবা চৎখ্রিঙৈদা ৱানচুংজোনোনা শাইওন অমা ওন্দুনা নুমিৎ খুদিংগী চাক থোংদুনা থম্বীরম্মী। সোকসাইতেনা নোংমদি কনানো ঐগী নুমিৎ খুদিংগী

চাকথোংদুনা থম্লম্লিবসি হায়না খল্লম্মী। মহাক্না চিংনবা অমা ফাওরে। নোংমদি হিংচাবীদুগা লৌ শুমিন্নবদা সোকসাইতেনা নুপী ঙসিদি ঐ পুক য়াম্না থিল্লি নঙ অদুম শুরম্মু খর হান্না হল্লমগে হায়দুনা ময়ুমদা হল্লক্লগা কাংখন মনুংদা লৈরগা কনানো মাগী ময়ুমদা চাক থোংলিবসি ফারগে খল্লম্মী। তানজা অদুদা ৱানচুংজোনোনা মী ওনদুনা থোক্লক্লগা চাক ফজনা থোংবীরম্মী। অদুগা মাগী নুপাগী শরুক, হিংচাবীদুগীসু শরুক খায়দোক্কুনা ফজনা থম্লম্মী। তানজা অদুদা সোকসাইতেনা ফমুংদগী ফল লাউনা চোংথোক্কুনা ৱানচুংজোনোবু ফারম্মী। ৱানচুংজোনোনা ঐবু ফাগনো নঙগী নুপীনা নঙবুসু ঐবুসু চাথোকখ্রনী ঐবু ফাগনো হায়রম্মী। মদু য়াদনা সোকসাইতেনা ফারে অদুদগী ৱানচুংজোনোদু মী ওন্দুনা লৈখ্রে। হিংচাবীদু ময়ুমদা হল্লক্লে নুপা থোং হাংউ হায়, মদুদা সোকসাইতেনা নশগল নাম্মনা নম্লগা চংলকউ হায় হিংচাবীদুনা থোং অদু শগলনা নম্লগা চেপ্লগা চংলকপদা, সোকসাইতেনা থাংনা মথবাক তঙখায় খায়দুনা হাৎলে অদুগা ফুম্লম্মী। হিংচাবী ফুমফমদুদা লাকন হায়বা লা পাম্বী(লফু)ওইনা হৌরম্মী। সোকসাইতেদি মদু পুম্নমক খঙলম্মী। অদুনা ৱানচুংজোনোদা হায়, নঙ লফু-লা হেকপা চংগনু হায়না মতম পুম্নমক্তা হায়রম্মী।

নোংমা খুল অদুগী মীয়াম পুন্না লোত্তগা য়াই থাবা চৎলম্মী।সোকসাইতেনা মাগী নুপী ৱানচুংজোনোদা য়াই থাবা চৎকদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা অসুম্না হায় নুপী নঙ হয়েং ঐখোয় য়াই থাবা চৎপদা নঙনা চাক থিল্লকপদা তাবুদগী ফি অহনবা লৌথোক্লগা চাক্কু য়োম্লগা পুরকউ লানা য়োম্লক্কনু হায়না শিন্নরম্মী। করিগীনো হায়বদা তুংদা ওইরক্কদবা হিংচাবীদুনা শাইওন তৌদুনা ওৎলক্কদবদু সোকসাইতেনা খঙলম্মী । য়াই থাবা চৎলিবা ময়াম অদুগী চাক লোইনা থিল্লক্লে সোকসাইতেদি থেংলফাওবা থিল্লকত্রে। ৱানচুংজোনোদি চাক থিন্নবা হায়দুনা কৈদৌবনো লা অসিনা অদুম য়োম্লগা লোইরে হায়দুনা লা হেকলম্মী। লা অদু হেক ককপদা ককখিবগী হুইথবা মতোন্দুনা মখৌরিদা থিন্দুনা শিরে। মপুরোইবনা

তৌগনু হায়বা থবক অদু তৌরুবদগী শিরে। সোকসাইতেনা শোইদনা করিনোমা তৌরম্লনি খন্দুনা ময়ুমদা চেনখৎলক্লম্মী। ময়ুম য়ৌবদদি ৱানচুংজোনো শিদুনা লৈরম্লে। অদুদগী লফু অদু মরা ফাওবা য়াওনা ফুক্লগা কুপয়ান য়ানলগা মৈ থারম্মী। লফু অদু মৈ থাবদা পোকখায়রক্তুনা সোকসাইতেগী মীৎতা পান্দুনা মমিৎ তাংলম্মী। অমদি মশা পুম্বদুসু পোক্তুনা শিখি। মতৌ অসুম তৌনা হিংচাবীদুসু ৱানচুংজোনোসু সোকসাইতেসু মখোয় অহুম পুননা শিখি।

ৱারী লীবিরকপা : এল. দি. অখার
তাং : ২৪-৬-২০১৩
চহী : ৭০
শিনফম : লৌমী
মফম : আইমোল খুন, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট ।

চেমচোংথৈতেপা
(আইমোলগী ৱারী)

থায়না মমাংঙৈদা নুপা অমা লৈরম্মী। মহাকনা থাং অমা পায়রগা চীংগী উমংদা উ য়ানবা কারম্মী। থায়না মমাংঙৈদদি আইমোল জাতি চীংমী অসি ফি শেৎলমদে ফুরিৎসু লিৎলমদে শেৎননবসু লৈতে উনা ৱানানা শেল্লগা খরদি শেৎলম্মী। নুপা অদুনা অসুম থাংদু পায়রগা উমংদা লাকপদা লোক অমা থেংনরম্মী। মহাক্তি লোক্কী ঈশিং অদুদা খজিং লৈ হায়বসু খঙলমদে। ঈশিং অদুদা মহাক্লা ফল্লগা থাং ফেংলম্মী। মহাক্লা থাং অদু ফেংলিঙৈদা লোং খজিং অমা লাক্লগা মাগী ফিনুংগী হকচাংদা চপলম্মী। অদুদগী নুপাদুনা নামনখ্রদুনা মাগী থাং অদু হায়বদা উরী অমা ককলম্মী, উরীদুনা হাইগৎলগা ওন্দুনা চৎখিবদা উরীদুগী মরক্তা মকোন শাদুনা লৈবা লময়েন অমগী মকোন অমুক থুগাইরম্মী। লময়েন অদুনা অমুক শাওদুনা লৈচাক হোৎপদা তেরা ককচেং অচৌবশিংগী মকোন অমুক থুগাইরুরে। ককচেংদুনা অমুক শাওদুনা চৎখিবদা লম ওক অমগী হকচাংথোংদা চীল্লুরে। লমওক্কুনা ঐনা অসুম লৈবদা মানা করিগী চীকপ্রা হায়না লমওক্কু শাওনা চৎখ্রগা লফু অমদা ৱাইশিল্লুরে। লফুদা ৱাইশিনবদা লফুদু তুরম্মী। লফুদু তুবদা লফুদুদা মকোন শারগা লৈরম্বা শেকপী অমনা পাইথোরক্কুনা করিগী ঐনা লফুশিদা ইকোন শাজদুনা লৈববু থুগাইবরা হায়না শাওদুনা পাইথোক্লক্লগা শামু অমগী মনাকোংদা চংলম্মী। শামু অদুনা অমুক ঐনা চুম্না লৈবদা অসিগুমবা জিব শেকপী মানা করিগী নাকোংদা চংলকপনো হায়না শাওনা চেল্লকপদা লুখ্রাবী অমগী যুম থুদেক্লুরে লুখ্রাবীদু ময়ুম থুদেক্লবনিনা খোংহামফম লৈত্রে শাওদুনা নিংথৌগী ঈশিং চাবা খোং অদুদা খোঙ পঙহামদা হামজিনখ্রে। চীংমীগীদি

নিংথৌনা মখাদা লৈরগা অতৈ মীয়ান্না মথক্তা অদুম খুন্দাশিল্লি। লুখ্রাবীদুনা ঈশিংখোঙদা মখোঙ হামজিল্লুবদগী ৱাথোক ওইনরক্তুনা নিংথৌদা ৱাকৎলম্মী। নিংথৌনা ৱায়েন্দুনা লুখ্রাবীদু কৌখৎলগা ৱাহংলম্মী। লুখ্রাবী নঙনা করিগী মীনা চানরিবা লোক অসিদা নখোঙ হামজিন্দুনা করিগী থি ফায়বনো হায়না হংলম্মী। মদুদা লুখ্রাবীদুনা নিংথৌদা খুল্লাকপা ঐ য়ান্না শাওরে। নিংথৌনা করিগী শাওব্রা? লুখ্রাবীনা শামুশিনা ঐগী য়ুম লোইনা থুদেকপীখ্রে অদুদা ঐনা শাওদুনা ঈশিংদা খোঙ পংহামদা হান্বনি। নিংথৌনা, ফরে ফরে অদুদি শামু নঙ লাও হায়না কৌরদুনা ৱা হংলম্মী - "নঙনা করিগী লুখ্রাবী অসিগী ময়ুম থুদেকপনো?" শামুনা, শেকপী অমনা ইখঙ খঙহৌদনা পাইরক্লগা ঐগী নাকোংদা চংখ্রে অদুদগী ঐনা শাওদুনা চেনবদা লুখ্রাবীসিগী ময়ুম থুদেকপনি হায়।

অদুদগী নিংথৌনা শেকপীদু অমুক কৌরে, শেকপী নঙ লাও বিচার তৌগে, শেকপীনা করি তৌরে ইনিংথৌ। নিংথৌদুনা নঙনা করিগী তুমদুনা লৈবা শামুগী মনাকোংদা পাইশিনবনো? শেকপীনা ঐদি লফুদা ইকোন শাদুনা লৈবনি লমওকনা ইনথুদুনা থুগাইবদগী লৈফম লৈতদুনা পাইরকপদা শমুগী মনাকোংদা চংবনি। অদুদি লমওক নঙ লাও ৱারী শাগদবা লৈ। করিগীদমক্তা শেকপী লৈবা লফুদা নঙনা শিদোকপ্রা (থুদেকপ্রা)? লমওক্না ঐনা চুম্না লৈরিঙৈদা ককচেংনা ঐগী হকচাংথোংদা চীল্লকপদগী নামনখ্রদুনা শাওদুনা লফুদা ৱাইরুবনি। ককচেং নঙদি করিগী ওক্কী হকচাংদা চীল্লুরিবনো? ককচেংনা লময়েন্না ঐগী ইয়ুম খোৎতৎপদগী লৈফম লৈতদুনা লমওক্তা চীকলুবনী। অদুদগী লময়েনবু নঙনা করিগী ককচেংগী লৈফমবু হোৎতোল্লগা অদুমতৌবা হৌনব্রা? করিগীনো? লময়েন্না খাকওমনা (উরী) ওন্দুনা লাল্লগা ঐগী ইকোন থুগাইরে অদুগীনি হায়রে। খাকওম (উরী) দা অমুক মথং মথং হংবদা চেমচোংথৈতেপানা ঐগী মরী ককথৎপদগী অদুম ওনখিদুনা লময়েনগী মকোন থুগাইখিবনি খুল্লে। ফরে ফরে অদুদি চেমচোংথৈতেপা নঙনা করিগী অদুম তৌব্রা হায়রে।

চেমচোংথৈতেপানা হায়রকই- "ঐনা ঈশিংদা থাং ফেংলীগৈদা খজিংনা ঐগী ফিনুং হকচাংদা চপখাইরকপদগী নামন্দুনা থাংনা হায়গৎলকপদা খাকওম উরী ককখিবনি"। নিংথৌনা ফরে- ফরে নখোয় পুন্নমক্কী জবান খঙলে অদুনা খজিংবু কৌখৎলগা, খজিং হায়বসিদি ঈশিং অশাবা, কংফালদা নুংশাদা থম্বদা ঙাংই চুমনা ঈশিংদা লৈবদদি ঙাংদে, দন্দি ওইনা খজিংবু ঈশিংদগী লৌখৎলগা ঈশিং অশাবদা লুপ্লম্মী খজিংদু মচু ঙাংলম্মী। মীদুদি ঈশিংদা লুপ্লগা কারকপদা অদুম হিংলে। খজিং নঙনা করিগী অদুগুম্বা ইকাই হংগোইবদু করিগী তৌরি। অদুগুম্বদু তৌফদে হায়না নিংথৌনা ৱায়েল্লে। নুমিৎ অদুদগী খজিংনা কংফালদা পুখৎপদা অদুম মচু ঙাংখ্রে। মদু খজিংবু দন্দি পীবনি হায়না থাজনৈ।

ৱারী লীবিরকপা	:	এল. দি অথির
তাং	:	২৬-৬-২০১৩
চহী	:	৬৭
শিনফম	:	লৌমী
মফম	:	আইমোল খুন, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট ।

সুইতিংলেং ঙম্বোম
(আইমোলগী ৱারী)

থায়না মমাংঙৈদা য়াম্না লুনা তিন্নজবা নুপী অনীখক লৈরম্মী। মখোয় অনী অসি মতমগী মতুং ইন্না ময়ুম মকৈ পান্দুনা ইমুং অমমমগী মৌ ওইরবা ফাওবা অয়াম্বা মতমদা পুন্না লৈরম্মী। নুপী অনী অসি অমনা সুইতিংগী মমানি অমনা ঙম্বোমগী মমানি। মতম খরগী মতুংদা নুপী অনীমক চপ মান্নবা মীরোল্লে। নোংম নোংমা হৌখিদুনা থা শুজিল্লক্লে। অনী অসি মপুক য়েকপা খোৎপা তৌবদসু মখোয় অনী পুন্না ফম্মিন্নরবদি হেক্তা অদুম ফখি।

মতম খরা লৈরগা নুপী অনীমক নোংমতদা মচা পোক্লে। লাইগী নোংদম্মা অঙাং অমনা নুপা ওইরে অমনা নুপী ওইরে। নুপাদুনা ঙম্বোম্নি অদুগা নুপীদুনা সুইতিংনি। মখোয় অনী অসি নোংম - নোংমগী খরা - খরা চাওরক্লে। মমা অনীসিনা লৌ শুরিঙৈদা মাগী - মাগী য়েঙ্গোনদা তুমহল্লম্মী। মমা অনীসিনা লৌ লীংলিঙৈদা মখোয় অনী হেক্তা পুন্সিল্লম্মী। অঙাং অনী অসিনা শীক্লদুনা হৌনবী অদুম তৌবদুদা মমা অনীদুনা অমুক য়েঙ্গোন অমমমদা খায়দোক্লদুনা থম্লগা লৌ অমুক লীংই, মখোয় অনীনা অমুক হেক্তা পুন্সিন্নখি। অঙাং অমনা নুপানিনা শীক্তুনা ফোইদুনা তৌবদুদা মমা অনী অসি নঙগী অঙাংনা ঐগী অঙাংদা শীকপা হায়দুনা কন্না খৎনরম্মী। মমা অনী অসি খৎনরবসু অঙাং অনীসিদি হেক্তা পুল্লম্মী। মখোয় অনীসিদি লাইনা তম্বনি, লাইনা তম্বদু তাইবংনদি খঙলমদে মখোয় অনীদি মীরোল্লিঙৈদগী হৌনা মমা অনী ফাওবা মপুক য়েকপা তৌরবফাওবা মমা অনী অসি পুন্না ফম্মীন্নবদা ফহল্লিবনি। অসুম তৌনা অসুম নোংম নোংমা হৌখিদুনা সুইতিংগা ঙম্বোমগা পাখং লৈশাবী ফারক্লম্মী।

মীওইবগী লাইবক তুংদা করি থোক্লকপা য়াবগে হায়বসি কনানসু খঙবা ঙম্লদে সুইতিং ঙম্বোম অনীদি অমনা অমবু উদবদা লৈবা ঙমদে। মখোয় অনী পাম্লরবসু মমা অনীদি খৎনখিবদগী মচা নুপী পীরোই হায়না শুকয়া য়ানখিদ্রে।

সুইতিংনা ঙম্বোমদা খুদোপ অমা পীরম্মী, মসি ঐনি, ঐগী থৱায়মক্লী হায়না খল্লু হায়। ঙম্বোম্না খুদোপ অদু শুকথা থাদোক্তনা শীরম্মী।

নোংমা নুমিৎ অমা ঙম্বোমনা পাম হাইবা চৎলম্মী। মহাক্না অসুম পাম হাইবদা খুদোপ অদু খিয়াও লাওনা খঙহৌদনা কেল্লম্মী। তানজাদুদা উচে ক্লসু "হুইয়ে হুইয়ে নয়ে মলোই ফজ মতে" হায়না খোঙলম্মী হায়বদি নঙগী নুংশিবদু লোইখ্রে। মদুদা ঙম্বোম্না উচেক্লসু খোংলক্লে মাগী নুংশিবসি লোইরমাল্লে শিরবা মাল্লে খন্দুনা ময়ুমদা পরপ পরপ হল্লক্লম্মী। ময়ুম য়ৌরগা তুম্বাদা য়ু হৈয়ো হায়না য়ু হৈরগা তুম্বাদা য়ু হাপ্তুনা সুইতিংগী শিফম থিরক্লম্মী। ঙম্বোম্না অঙাংশিংনা কাংজৈ শান্নদুনা লৈবা মফমদুদা চংদুনা হংলম্মী, হংই সুইতিং শিবসি কদাইদনো অঙাংশিং নখোয় খঙব্রা? অঙাংশিংনা খঙদে হায়। খঙলবসু নঙোন্দা তাক্লোই ইমা ইপানা চৈগনি হায়না তাক্লমদে। হংবা খুদিং অমত্তা তাকপীরমদে। ঙম্বোম্না অসুম থিবদা লাইনা থৌজানবীদুনা থেংনরে। থেংনবা কান্দদি অশিবগী তুমফমদা তুমলম্মী। মখোয়গী চৎনবীদা ফুন্নসে হায়না থৌরাংতৌবদা ফি অমনা তুরগা ফুমদ্রিঙৈদা অশিবদু য়োম্নবা হোৎনৈ অদুবু কনা অমত্তনা মদুগী মওং অদু তাবা শুকঙম ঙমদ্রে, ঙম্বোম নত্তনা কনা অমতা হৈনদ্রে ঙম্বোম্না তুবদদি চপ চানা তাখ্রে। অদুদগী ফুন্নশে হায়না অখঙ অহৈশিংনা শোন্দুনা অশিবদু অমুক থাংনবা তৌবদা কনা অমতা থাংবা ঙমদ্রে। ঙম্বোম্না ঈশৈ শক্তুনা নুংশিবা ওইরবদি ইয়াং য়াংহল্লু হায়না থাংবদদি ইয়াং য়াংনা থাঙ্গৎলে। অদুদগী মংফম তান্না পুরে ময়াম্না ফুন্নসে হায়না তৌবদসু কনা অমতা ইনথবা ঙমদ্রে, ঙম্বোম্না ইন্থবদদি মাগী নুংশিবগী ৱারীদু লীর- লীরগা ইনবদদি ইয়াং য়াংনা চৎহল্লে। ঙম্বোমদু য়াম্না নুংঙাইরমদে মহাক্কী নুংশিবী কায়নরবনিনা।

মহাক সুইতিংগী মংফমদুদা লৈ ফজবা অমা থারম্মী। লৈ অদু মতম খরা লৈরগা ফজনা শাৎলে।

অশি লৈবাক্তগী লৈ ফজনা শাৎপদু সুইতিংগী থৱাইনা উরম্মী। সুইতিংনা উচেক অমা থারক্তুনা লৈ অদু হেকউনবা হায়রম্মী। উচেকতুনা লৈ অদু হেক্লকলগা সুইতিংগী মনাক্তা পুরম্মী। ঙম্বোম্না নোংমগী লৈ অমমম লৈরমদবদুদা কনানা হেকপনো হায়না ঙসিদি য়েংলগে হায়না লুমদুনা লৈরম্মী। ঙম্বোম্না লুমদুনা য়েংবদদি উচেক অমা ওইরম্লে, উচেক অদুনা লৈ অদু মচিন্না চীক্লগা হেক্লনবা তৌরিঙৈদা ঙম্বোম্না ফারে। উচেক অদুনা ঐবু ফাগনো ঐবু থাদোকউ ঐ নঙগী নুপী স্বর্গদা লৈবদুনা থারকপনে ঐবু থাদোকউ হায়রে। উচেক অদুনা অমুক্কা ঐবু থাদোকউ নঙসু নঙগী নুপীগী মনাক্তা চৎশি হায়রে। ঙম্বোম্না নঙনা পুবা ঙম্লোই হায়, উচেক অদুগী মশাদা য়াল্লগা ঙম্বোম্না স্বর্গদা সুইতিং উনবা চৎলম্মী। উচেক অদুনা অসুম পুখিদুনা ঙম্বোমদু সুইতিংগী মনাক্তা য়ৌরে সুইতিংগা উনরে। ঙম্বোমসু সুইতিং উনবা ফংবদুদা য়াম্না হরাউরে। অশিবগী লৈবাক্তসু সুইতিং উনবা ফংবদুদা য়াম্না হরাউরে। অশিবগী লৈবাক্তসু লাল্লুপ লৈবজাতনে। অশি থৱায়শিংদু লাল্লুপ কানরম্মী। অশিবগা অহিংবগদি কনবা মান্নদবনিনা ঙম্বোম্না অশিবগী মরক্তা থবক শুবদু য়াম্না ফজনা শুরম্মী। নুমিদাং ওইশিল্লক্তুনা তুম্বগী মতম য়ৌরকপদা সুইতিংনদি ময়াম মরক্তা তুমদনবা মাগী লৈফমদুদা তুম্নবা কন্না হায়জবনি, ঙম্বোম্না ময়াম মরক্তা তুম্নিংদুনা তুম্লুবদদি অশিবশিংগী থৱায়শিংগী মরক্তনিনা অকি অকিবা মওং উরকপদগী অহিংদা সুইতিংগী মনাক্তা চেললক্তুনা থোং হাংননবা হায়রম্মী। মদুদা সুইতিংনা ঐনা চৎখিনো হায়দ্রা হৌজিক অমুক হল্লক্লব্রা হায়দুনা মাগী মনাক্তা তুমহল্লম্মী। নোংঙাল্লগা অমুক ময়ামদুনা লাইশং শাসে উ য়ানসে হায়দুনা ময়ামদুনা কেকোং হায়বা উ অদু য়ানদুনা মখোয় তরা- কুন চংদুনা পুরম্মী। মখোয়দি অশিবগী থৱায়নিনা উ অমা পুবদা মখোয় তরা কুন চংলম্মী অদুবু ঙম্বোমদি মথন্তনা উজাও অমা পুরম্মী মথংগী নুমিৎতা অমুক শা তানবা চৎশি হায়দুনা শা তানবা চৎলম্মী। মদুদসু থৱায় ময়ামদু

তিন অমা লাকপদা কৈ লাকই হায়দুনা কোইচেন চেন্নদুনা তৌরম্মী। ঙম্বোমদি তাইবঙ মীনিনা তিন্দুনা মনাক্তা লৈবদু করিসু খল্লমদে, থৱায় ময়ামদুনদি ঙম্বোমগী মনাক্তা কৈ লৈরে, কৈ লৈরে হায়না লাউরম্মী। থৱায় ময়ামদুনা তিন্দুমা হাৎপদা শা অচৌবা অমা হাৎলবনি হায়না য়াম্না লাংলম্মী। ঙম্বোমনদি তিন্দু খুপাক্লা অমুক-অমুক থাবদা কাং হাৎপদৌনা হাৎলম্মী। মদুদা ঙম্বোমদি শা য়াম্না হাৎলি হায়না থৱায় ময়ামদুনা হায়রম্মী। নুমিৎ তাশিল্লকপদা ময়ামদু লোইনা মাংখ্রে। তন্দনদৌনা কুপফেৎ কাফেৎ ঙান্দুনা পাইবদু নত্তনা করি অমতা ঙম্বোম্না উখিদরে। ঙম্বোম্না মাদুনা অসুম লাকপদা থৱায় ময়ামদুনা কুফেৎ কাফেৎ ঙান্দুনা মাগী মাগী লৈফমদা হন্নবদু ঙম্বোম্নদি লম্বী খঙদদুনা চৎপদা তন্দনশিংদু থৱায়শিংদুনি খঙদবনা মখুৎনা কন্থৎলম্মী। অসুম্না ৱানা লাকপনা সুইতিংগী লৈফম য়ৌরম্মী। অদুগা মানা ৱানা লাকপা নুমিৎ তারকপা কান্দা অশিবগী থৱায়না ওনবা মীশিং অদু মাংখ্রগা তন্দন ময়াম পাইখিবগী ৱারী পুন্বা লীরম্মী। মদুদা সুইতিংনা মফমসিদি অশিবগী লৈবাক্লি তাইবংপাল নত্তে, নঙনা কন্থৎখিবা তন্দন্দু তন্দন নত্তে থৱায়শিংনি মখোয় লোইনা শিরম্লগনি হায়না সুইতিংনা হায়রম্মী। সুইতিংনা নঙ তাইবংদা হনখ্রো ঐগা লৈমিন্ননিংলবদি তাইবং য়ৌরগা উচেক্তুনা য়েল্লিং থাউ মদুদা নঙ শিরগনি অদু ওইরবদি নঙগী থৱায়গা ঐগা পুন্না লৈমিন্নবা য়াগনি হায়রকপা পুন্নমক থবক ওইনা পাঙথোক্লে। অদুদগী ঙম্বোমদো শিরে। মাগী থৱায়না স্বর্গদা চৎখিদুনা সুইতিংগা পুন্না নুংঙাইনা লৈমিন্নখ্রে।

ৱারী লীবিরকপা : এস. দি. পারখুম
তাং : ২৬-৬-২০১৩
চহী : ৬০
শিনফম : লৌমী
মফম : আইমোল খুন, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট ।

কলচরেল রির্সচ সেন্টর মণিপুর
খা নাওরেম লৈকাই
ইম্ফাল-৭৯৫০০৩

ISBN 978-93-83201-09-9